

কবি

...শাংবম মীনকেতন সিংহ




































কবির

অশাংবম মীনকেতন সিংহ

১০০শুবা মপোক কুম্মৈদা কঠোকপা খুদোল



কবি অশাংবম মীনকেতন সিংহ
ইং ১৯০৬ —১৯৯৫

কবি
অশাংবম্ মীনকেতন্ সিংহ
১০০শুবা মপোক কুমথংবা লমচনা খুদোল


এদিটরশিং

প্রোঃ নোংমাইথেম তোম্বী
লোংজম জয়চন্দ্র

মেম্বরশিং

ডাঃ খোকচোম ইবোহনবী সিংহ
য়াইমা হাওবা
ইবোসনা য়াম্বেম
কুলধ্বজ কোন্সম
ডাঃ শরতচন্দ্র লোঙ জোম্বা
মায়া নেপ্রম
সিজগুরুময়ূম ব্রজেশ্বর শর্মা
অজিৎকুমার থিয়াম
এ. সি. নেত্রজিৎ

অশাংবম মীনকেতন ষ্টেট লেভেল
বার্থ সেন্টিনরি সেলেব্রেসন কমিতি, ইম্ফাল



Kavi Ashangbam Minaketan Singh

(An offering to the memory of Ashangbam Minaketan Singh on the occasion of the centenary of his birth)

Published by **Ashangbam Minaketan State Level Birth Centenary Celebration Committee**

Cover Design A C Netrajit

Price : **Rs 500 (Five Hundred), Library Edition**
Rs 300 (Three Hundred)

First Edition 2nd May 2008

কবি অশাংবম মীনকেতন সিংহ

(অশাংবম মীনকেতন সিংহগী ১০০ শুবা মপোক কুমওনগা মবি লৈননা মহাকপু নীংশিংজদুনা কচ্চবা খূদোল।)

ফোঙবা ঃ **অশাংবম মীনকেতন ষ্টেট লেভেল বার্থ সেন্টিন্যরী সেলেব্রেসন কমিটি**

মখুমগী দিজাইন ঃ এ সি নেত্রজিৎ

মমল ঃ **লুপা ৫০০/ (লুপা চামঙা) লাইব্রেরীগীদমক**
ঃ **লুপা ৩০০/ (লুপা চহুম)**

অহানবা খূৎনম ঃ মে ২, ২০০৮

নম্ফম ঃ— **লমযানবা প্রিন্টর্স, কোনুং লম্পাক ইম্ফাল।**

মনুংগী লমায়শিংদা

Acknowledgements

1 Dr S S Sidhu, His Excellency, Govenor of Manipur
2. Shri O Ibobi Singh, Hon'ble Chief Minister, Manipur
3 Dr T Meinya, Hon'ble Member of Parliament, Manipur
4 Shri P Parijat Singh, Hon'ble Health Minister, Manipur
5 Shri K Jayakumar, Director General of Archives, Government of India
6 Ministry of Culture, Department of Culture, Govrnment of India
7 Eastern Zonal Cultural Centre, Kolkata
8 Sahitya Akademi, Kolkata
9 Director Art and Culture, Manipur
10 Manipuri Department, Manipur University
11 Manipuri Sahitya-Parishad, Imphal
12 Manipuri Sahitya Parishad, Assam
13 Tripura Rabindra Parishad, Tripura
14 Cultural Forum Manipur
15 Naharol Sahitya Premee Samiti, Imphal
16 Manipuri Literary Society, Imphal
17 Writers Forum Imphal
18 Manipuri Sahitya Parishad, Bishnupur Branch
19 Fancy Enterprise, Uripok Kangchup Road, Imphal
20 Lamyanba Printers, Konung Lampak, Imphal
21 Ashangbam Yasowanta Singh and Family
22 R K Jnanranjan, DV Craft, Moirangkhom, Imphal
23 N Tombiraj Singh, Journalist
24 Inaomacha Salam, Journalist

Editorial Board and the Celebration Committee express their deep gratitude and thankfulness to all the scholars who have kindly contributed their articles and helped in bringing out this book successfully

এদিটরগী ৱারোল

অশাংবম মীনকেতন সিংহগী চহী ১০০ শুবগী মপোক কূমওন থৌরম মে ২, ২০০৬ তগী মে ২, ২০০৭ ফাওবা মণিপুরগী মনুং অমসুং মপান্দা পাঙথোক্কুনা লৈখিদ্রবা কবিগী মফমদা মতীক চাবা ঈকায়-খুম্নবা উত্তুনা লোয়খ্রে। চহী অমা চুপ্না পাঙথোকখিবা থৌরমশিং অসিদা মণিপুরী সাহিত্যগী মশক নাইরবা অইবা-অইবী কয়ানা শরুক য়াদুনা অশাংবম মীনকেতনগী পুন্সি অমসুং সাহিত্যগী তোঙান-তোঙানবা শক্লোন কয়াগা মরি লৈনবা মিংথেংং অমসুং ৱাখল কয়া নৈনদুনা সিম্পোজিয়ম কয়া, সেমিনার কয়া, চেফোঙ কয়া মতীক চানা পাঙথোকখ্রে অমদি ফোঙখ্রে। মসিগী মনুংদা শীংথানীংঙায় ওইনা সাহিত্য অকাদমীগা খূৎশম্নবগা নেসনেল লেভেলগী সেমিনার অমসু কবিগী খূৎইগী মরু ওইবা হীরম অমদা য়ূম্ফম ওইদুনা মহৈ য়াম্না পাঙথোকখ্রে। মপোক কূমওন থৌরম অসি লোইশিল্লকপদা চহী চুপ্না নৈনখিবা অশাংবম মীনকেতনগী তোঙান তোঙানবা মায়থোঙশিং অসি খোমজিন-তাশিন্দুনা লাইরিক ওইনা পুথোকপা মথৌ তাই হায়বসি অশাংবম মীনকেতন ষ্টেট লেভেল বার্থ সেন্টিনরি সেলেব্রেসন কমিটিনা কন্না ফাওবা ৱাখলনি। ৱাখল অসিদা পান্দম ওইরগা কমিটিনা লাইরিক অসি পুথোক্লবা শীন্নবীরকপগী মতুং ইন্না মীনকেতনগী মশক অসি পূল্লপ যেংবা য়াননবগীদমক লাইরিক অসি লৈবাক মীয়ামদা থমজবনি। মসিনা হৌজিক ফাওবদি মীনকেতনগী সাহিত্যগী মশক অসি মপূং ফানা পীবা ঙমগনি হায়বসি ইদিটরশিংগী ৱাখলনি।

অশাংবম মীনকেতন সিংহদি যুগ পুবা অইবনি। মহাকুম্বা মীশকসি সাহিত্যগী ইতিহাসতা পঙনা উবা ফংদে। অদুবু মরক মরক্তা তাঙনা থোরকপা মতমদা জাতি অমগী চাউখৎপগী খোঙচৎসি মাঙলোমদা য়াম্না য়াঙনা থাংজিনবা ঙমই। মহাক অসি ঐখোযগী টেগরনি, কলিদাসনি, সেক্সপিয়রনি। মণিপুবী সাহিত্যনা ভারতকী সাহিত্যদা খুদা অমা ফংবা ঙম্লিবসি মহাকুম্বা অশৈবা কয়া পোকলম্বননি। মহাক্কী মিং পল্লকপদা লৈখিদ্রবা অমদি হিংলিবা মণিপুরী সাহিত্যগী অচৌবা লম্বী য়াথলিবা মীশক কয়াবু ঈকায়-খুম্ননা নীংশিংলি। মখোয় পূম্নমক জাতি অসিগী মমল য়াম্লবা থরাম্মিচাক ঙাক্তনি। মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাসতা তগুপ-তরেং মঙাল নাইনা শন্দোক্লি।

অশাংবম মীনকেতন সিংহ খৃ: কু: ১৯০৬ দা তাইবঙপানদা খোঙদারকখি। শক্লাইরবা কবি অসি খৃ: কু: ১৯৯৫ দা তাইবঙপান থাদোকখি। শাংলবা চহী ৮৯ মহে য়ান্না হিংদুনা জাতি অসিগী অচৌবা তলা পামেল ওইবীরম্মী। সাহিত্যগী পোত্থাফম অমদি বাখলগী লোইনাইদ্রবা ঈফুৎ ওইদুনা অচৌবা লমজিং-মৈরা পায়বা ওইবীরম্মী। মহাক ঙসিদি ঐখোয়গী ইরক্তা লৈত্রে। অদুবু মহাক্না থনম্বা খুনাম অমসুং লীক্লমদা তুংগী মীরোলনা মঙাল লম্বী অমদি চাউনা উবা ফংলি। মহাক্না থম্বীরম্বা ফোঙলবা লাইরিক ২৫ হেনবনা মহাক্কী অমর বাণী ওইদুনা লমদমসিগী থম্মোয়দা য়ৈরি অমদি ঈথিল পীরি। অশাংবম মীনকেতন সিংহ ঙসিসু ঐখোয়গী ঈরক্তা হিংলি।

লাইরিক অসিদা য়াওরিবা ৱারেংশিং অসি মতীক চারবা, তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা শীংথানীংঙায় ওইরবা মণিপুরী সাহিত্যগী স্কোলার, অইবা অমসুং অইবী কয়ানা খূদোল তৌবীরকপনি। পূন্নমক মীনকেতনবু খঙনহৌবা, নক্লহৌবা, তিন্নহৌবা, ছাত্র ওইহৌবা কয়ানা তম্বীরকপা খূদোল ওইবনা মীনকেতনবু নক্লা উবগী তাঞ্জা অমা শোয়দনা ফংগনি। মীনকেতনগী মায়থোঙ য়ামই ঃ কবি, ৱারেং ইবা, সমালোচক, লীলা ইবা, রূপান্তর, থাইনগী লাইনীং-লাইশোল অমদি নাৎতা হকচিন্না থৱায় য়াওবা অইবা, থাইনগী সাহিত্য অমদি মৈতৈ-লোঞ্জলবু কুপ্পা মশক খঙবা পণ্ডিত, ভাবতকী সংস্কৃতিবু ময়েক শেংনা নৈনবা ঙম্বা অমদি মসিগী মচলশিংদা খূৎলোয়বা অইবা, ওজা অমগী নোকমি নোকমিবা পূকচেল চেনবা মীশক, অসিনচিংবা। অশাংবম মীনকেতনগী মচু কয়ানা তিল্লবা মায়থোঙ অসি পুথোকচরিবা লাইবিক অসিদা পূংশুপ-শুপ্পা নৎত্রবসু অয়াম্বদি কোনশিন্নবা হোৎনজবি। মীনকেতনগী গ্লোসাবি অমা লাইরিক অসিনা পীননবা পান্দম থমজবা নচ্চদে। মীনকেতনবু হেন্না কূপ্না য়েংননবা থোং অমা/লম্বী অমা অপাবশিংদা পীজবনি। 'মীনকেতন স্কোলাব' অমা ওইবদা খরমখৈদি লাইরিক অসিনা মতেং পীবা ঙমগনি হায়বসি থাজে।

মীনকেতনগী অঙকপা ৱাহৈগী যাদু অমা য়াওরিবা অসি মহাক্কী শৈরেংশিংদা, হন্দোকপা সাহিত্যদা, ৱারেং অমদি সমালোচনাদা ময়েক শেংনা উবা ফংবীগনি। মসিগা মরী লৈনবা ৱারেং কয়া নীংথিনা স্কোলারশিংনা নৈনরি। মীনকেতনগী লোল অমদি স্টাইল অসিসু মহাক্কী সাহিত্যদা অচৌবা মশক অমনি। হীরম অসিদা মতীক চারবা স্কোলারশিংগী ৱারেং য়াওরি। ভারত অমদি ভারতকী মপানগী সাহিত্য থৱায় য়াওনা নৈনরবা মীনকেতননা অনুবাদকী খূৎথাংদা সেক্সপিয়র, মাইকেল মধুসুদন দত্ত অমদি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী সাহিত্যগী মনম অমদি মহাও অমা মণিপুরী অপাবশিংদা পীননবা

হোৎনখি। মণিপুরী সাহিত্যদা রূপান্তর অমা ওইনা মীনকেতনগী মফম অসি য়াম্না চাউই। মসিগী নৈনবা ৱারেংশিং লাইরিক অসিদা মশক খঙনরবা স্কোলারশিংনা পীরি। ৱারেং ইবা অমসুং সমালোচক অমা ওইনা মীনকেতনবু ঙসিসু শীংথানরি। সাহিত্যগী মচল অনী অসিদা মহাক্কী স্তাইল অতৈগা মান্নদে, তোপ তোপ্পী। খুৎইশিং অসিদা লোয়নরিবা শক্তম অমদি মীনকেতনগী কবি ওইবগী গুণ্ অসিনি। কবি মীনকেতন অমসুং ৱারেং ইবা, সমালোচক মীনকেতন অনীগী মরক্তা খেন্নবা থোইনা লৈতে। মহাক্কী য়োৎচাবিগুম্না ময়াই কল্লবা কবিগী শক্তিনা শৈরেং অমসুং ৱারেং অনীমক্তা অপাবশিংবু লায়না চীংশিনবা ঙম্মী। মসিগী গুণ অসি চীংথোক্তুনা নৈনবা ৱারেংশিং মমিং লৈরবা মণিপুরী স্কোলারশিংনা নীংথিনা থন্নী। মীনকেতনদী ড্রামাদসু চপ চানা খুৎ থাই। লময়ানবা অইবশিংগী মন্নুংদা মসিগী গুণ অসি লোয়নরিবসি হিজম অঙাংহল, ডা. লমাবম কমল অমদি অরাম্বম দরেন্দ্রজিৎসু অমনি। মখোয়না কবিত্ব শক্তি অদু শীজিন্নদুনা মণিপুরী ড্রামাগী পরীংদা তোপ-তোপ্পা মহাও অমা পী। মীনকেতনসু মসিগী পবীংদা চপ চানা নৈনবা য়াই। মসিদা ড্রামাগী হীরমদা খঙ-হৈরবা অমদি থৱায় য়াওরবা স্কোলারশিংগী বারেং লাইরিক অসিদা হাপ্লি। মসিসু 'মীনকেতন - রিদর'দা অচৌবা মিৎ-মায় ওইগনি। মীনকেতনগী ৱাখল্লোন (ফিলোসোফি অমসুং আইদিয়া) অসিসু মহাক্কী সাহিত্যগী মরু ওইবা শক্লোন অমনি। মীনকেতনদী অচৌবা স্কোলার অমসুনি। মৈতৈ সাহিত্যগী অমদি হিন্দু শাস্ত্রগী অরু অরুবা ৱাখল্লোন মহাক্কী খুৎইশিংদা নীংথিনা ফোঙদোকই। মসিদা যুম্ফম ওইরগা নৈনবা বারেংশিং মচা খায়না স্কোলার খবগী বারেংশিংদা ফংবীগনি। মসিসু মীনকেতনবু মশক খঙননবগী অচৌবা শরুক অমনি। মীনকেতননা হিংখিবা অমদি চাউখিবা মতম, মহাক্কী বাখলবু মপুং-মরৈ ফাননবা হোৎনবদা বৈষ্ণব ধর্ম্মগী অচৌবা ঈথিল চঙখি। মসিগা মহাক্কী বাখল্লোনগসু মরী নীংথিনা লৈনৈ। মীনকেতনগী ধর্ম্মগী মতাংদা ফোঙদোক্পা ৱাখল্লোন্দা মসিগী প্রভাব নীংথিনা উবা ফংই। লোয়নবা থাযনগী অবিবা লাইনীং-লাইশোন, লাইবেম্মা লাইবেম্বী ফোক্কলোব অসিনচিংবগী মশকসু মহাক্কী ৱাখল্লোন শাগৎপদা যাম্না চাউনা মমি তাখি। মসিগা মরী লৈননা বারেং খরসু মশক নাইরবা স্কোলারশিংনা ইদুনা লাইরিক অসিগী মকওইবা ৱারেংশিং ওইবি। অরোইবা শরুক অমনা মীনকেতনবু নক্না উহৌবা, তিন্নহৌবা, খঙহৌবা, বাবী শাহৌবা মরূপ-মপাংশিং, ছাত্রশিংনা মহাকপু নীংশিংদুনা ইবা ৱারেংশিংনা লাইরিক অসিগী নাচোমদা লৈথেৎ অমা ওইনা হাপচিনবা অসিনি। পূম্নমক অসিনা শোয়দনা অপাবশিংনা লাইরিক অসিগী মগুণ হেঙ্গৎহল্লি হায়না খনবিগনি।

লাইরিক অসিদা য়াওরিবা ৱারেংশিং অসিগী মথক্তা মীনকেতনগী মরমদা ইবা অতৈ ৱারেং কয়া অমসু শোয়দনা লৈরমখিগনি। মীনকেতনগী মরমদা ৱাহৈ খরদি মণিপুরী সাহিত্যবু নৈনবশিংনা ইবা ঙমগনি। হৌজিক্তী অশাংবম মীনকেতন সিংহগী পুন্সি অমসুং সাহিত্যদা য়ুম্ফম ওইবা থেসিস্ ফাওবা মণিপুর ইউনিভর্সিটিদা পুথোকখ্রে। মসিনা মীনকেতনগী মশক লেপ্লদা হেন্না ময়েক শেংহনগনি। 'মীনকেতনগী লোল নৎত্রগা মীনকেতন স্কুল ওফ থোত' হায়বসি চপচানা খঙনরবা ৱাফমনি। মসিনা মীনকেতনবু নৈনবদা হেন্না মরীক চুমহল্লি। মীনকেতনদি মণিপুরী সাহিত্যদা অচৌবা খোংনাং পাম্বীগুম্না চীং-লেম্না লেপ্লি। অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী লময়ানবা অশৈবশিংগী তোঙান তোঙানবা মশক অমসুং মফম লৈরি। মখোয় পূন্নমক ঐখোয়বু মঙাল পীবিরম্বা অইবা ঙাক্তনি। মণিপুরী সাহিত্যগী লীক্লমদা অনৌ-অনৌবা ঈনোৎ কয়া হাপচিন্দুনা ঐখোয়দা পাঙ্গল অমসুং থৌনাগী ঈশ্বল পীরম্বনি। অমনা অমদগী করিমতা তাদে। মখোয়গী অরুম-অয়াংগী খল ঐখোয়না পীবা ঙমদে। অতিযাদা থোক্লিবা থৱান্মিচাকশিংগী মগুণ অমনা অমদগী খেন্ননা কবম্না লেপকনি? মখোয় পুন্নমক ঐখোয়গী ঈফমদদি ধ্রুবতারা ঙাক্তনি, ঐখোয়গী লাইট হাউসনি। ঙসি অশাংবম মীনকেতন সিংহগী চহী ১০০ শুবগী মপোক কূমওন অসিগী লোইরকপদা মিৎকী পিগা লোযননা কবিবু নীংশিংজদুনা মহাক্কী মবমদা ইবা তোঙান তোঙানবা ৱারেংশিংগী খোমজিনবা লাইরিক অসি লৈবাক মীয়ামদা থম্মোয় শেংনা খূদোল ত্তৌজবি। মসি ওইননবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবিখিবা পূন্নমকপু লাইবিক অসি মহৈ যান্না পুথোকপা ঙমহনবগীদমক্তা থাগৎচরি অমসুং তৌবিমল খঙবা উৎচবি। অশাংবম মীনকেতন ষ্টেট লেভেল বার্থ সেন্টিনবি সেলেব্রেসন কমিটিগী মতুৎ শিল্লগা পুথোকচরিবা খূদোল-লাইরিক অসি উবীবগা স্বর্গদগী কবিনা নুংশিনা যেংবিবক্তুনা লৎনবা নৈতনা লৌবীবা ওইসনু। মদুনা ঐখোয়গী অপেনবা ওইজবি।

ইম্ফাল,
মে ২, ২০০৮ ইং

এদিটবশিং
প্রো. নোংমাইথেম তোম্বী
লোংজম জয়চন্দ্র

বাফম খরা

মণিপুরী সাহিত্যদা থোইদোকপা মফম অমা কন্দুনা লৈরিবা অশাংবম মীনকেতন সিংহগী চহী ১০০ শুরকপগী মপোক কুমওন থৌরম মণিপুরগী মনুং অমদি মপান য়াওনা চহী অমা চুপ্পা পাঙথোক্লখ্রে। নীংশিংবা য়াই চহী অমা চুপ্পা পাঙথোকমিন্নখ্রিবা থৌবমশিং অসি তোঙান তোঙানবা মণিপুরী সাহিত্যগী মাঙজিল থানা থবক তৌরিবা সাহিত্যগী ওর্গানাইজেসন মঙানা পুনশিন্দুনা অশাংবম মীনকেতন ষ্টেট লেভেল বার্থ সেন্টেন্যবী সেলেব্রেসন কমিটি অমা শেমদুনা পাঙথোকমিন্নখ্রবনি। পাঙথোকখ্রিবা থৌবমশিং অসিদা নৈনখ্রবা কয়া অসিদগী কবি মীনকেতনগী অনৌবা শক্তমশিং উবা ফংবীরমগনি হায়না খঞ্জে। অদুবু মসিনা অরোইবা নত্তে। তুংদা লাকদবা মীরোল কয়া অমনা অমুক কবি অসিগী অনৌবা মশকশিং লেপলকপা য়ারি। মসি ওইরকপা ওইসনু।

ঙসি কমিটি অসিনা মীয়ামদা পুথোকচরিবা লাইরিক অসি কবি অসিগী চহী ১০০ শুবকপা মপোক কুমওনগা মরি লৈননা ফোঙজবনি। লাইরিক অসিদা তোঙান তোঙানবা স্কোলার কয়ানা পুথোক্কুনা খন্ন-নৈন্নখ্রবশিং অদু তুংগী মীরোলনা কবিবু মশক খঙগে হোৎনরকপদা থোইনা হেন্না মতেং ওইগদ্রা খনবদগী হোৎনজবনি। থোদোক্লা মপুং ফাবা লাইরিক অমা ওইহৌনবা হোৎনবদা লাইওইখ্রবা স্কোলার খরনা কবিগী মরমদা ইবিরম্বা তোঙান তোঙানবা বাবেং কয়াসু লাইরিক অসিদা পুন্না হাপচিঞ্জরে। মসিগীদমক অয়াবা পীবিরক্লিবা মরি লৈনবা কয়াবুসু তৌবিমল খঙবা উৎচরি। লাইরিকসিগী এডিটরগী থৌদাং লৌবিরিবা ইকাইখুন্নজরিবা ওঝা প্রোঃ নোংমাইথেম তোম্বী, অমদি ওঝা শ্রীলোংজম জয়চন্দ্র অনীবুশু থাগৎচরি। লাইরিক অসি পুথোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং পাংবীরকখিবা ওঝাশিং, অহল-লমন, মরূপ মপাং কয়ামুক লৈখ্রে। অদুবু মফমসিদা লোইনমক পল্লুবমক নৎত্রবশু লাইরিকশিংগী বনানগী মতাংদা য়েংশিনবীখিবা ওঝা ইবোসনা য়াম্বেম, অরিবা ফোটোশিং পীবিবকখিবা পাবুং হিজম গুণ, ওঝা ডাঃ যামিনী দেবী অমদি ত্রিপুরাদগী ঐগী মরূপ ওঝা আর, কে, তরুণজিৎনচিংবা খরদি পঞ্জনীংই। মখা তারকপদা য়াইমা হাওবা, কোন্সম কুল্লধবজ অমদি

অজিৎকুমার থিয়াম্মচিংবনসু লাইরিক অসি শাগৎলক্লবা হোৎনবদা লৌবিখিবা থৌদাংশিংগীদমক থাগৎচরি।

থোইদোক হেনদোক্লা পন্দবা য়াদ্রবা ৱাফম অমগনা লাইরিক অমা ওইনা মশক থোক্লা পুথোক্লবা হোৎনবদা লময়ানবা প্রিন্টর্সকী মেনেজর শ্রী তাওরেম মঙ্গি না তোঙান তোঙানবা সজেসন কয়া পীবিখিবা অমদি ঐগী ইনাও জয়প্রকাশ (জপু) শর্ম্মনা অৱা-অনা মতম মাঙবা থিদনা কন্না হোৎনবীদুনা লাইরিক ওইনা মশক উহনবীরকপা অমদি মরি লৈনবা অহল-লমন, ইচিন-ইনাওশিং অমসুং মরূপ-মপাং খুদিংমক্কী মফমদা লমন কয়া তোনশিঞ্জবে হায়না খঞ্জে।

এ. সি. নেত্রজিৎ
কনভেনর
পব্লিকেসন সব কমিটি

ইম্ফাল
মে ২, ২০০৮ ইং

ঐখোয়গী মিংয়েংদা মীনকেতন

কবি মীনকেতনঃ পুন্সিগী অরোইবা ব্রাখল

এলাংবম নীলকান্ত সিংহ

১৯৯৫ গী মার্চ থাদা মণিপুরগী পণ্ডিত অমসুং কবি অশাংবম মীনকেতন লৈখিদবসি যুগ অমগী অরোইবা থুংলল লাদবকর্ণনি। চহী ৯০ শুদ্রবা কবিসি কুম শুবা শতাব্দীদা হৌখিবা মণিপুরী সাহিত্যগী অনৌবা যাক্তৌদা (ইংলাজীদা রিনেসান্স) মপুং ওইবা থৌদাং যাবক্লা মীশাক্তি। মহাক্লা শোক্তবা, খণ্ডদবা ফজহনলমদববু লৈবমদে। ইনমই শৈরেং লাইরিক কয়া, নাটক, নৈনবা লাইরিক, আত্মা জীবনী, ধর্মগী লাইরিক অমসুং মশাং থাণ্ডমদ্রবা ভাষণ কয়া। অনুবাদ তৌরমই *সেক্সপিয়রগী (ল্যুক্রেশ ফমলানবা), বাংলাগী মধুসূদন দত্ত (মেঘনাদ তবা বাবা ৭ শুবা শরুক) অমসুং রবীন্দ্রনাথ (ইংলাজীগী গীতাঞ্জলি)*। মশামক বৈষ্ণবনি নীংজবা শ্রীচৈতন্যগী পন্থ শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যদেব ইরমই। বাখলমতি জগৎকী মমাদা চঙজবা তান্ত্রিক সাধনানা। শ্রীঅরবিন্দগী বাখলগা নকাশিন্নরমই। শ্রীঅরবিন্দ সোসাইটি ইম্ফালগী সভাপতি কুইনা ওইরমই। ইংলাজনা মথক্তা সংস্কৃত, বাংলা অমসুং হিন্দী নাণথিজনা খঙই। মণিপুরগী ম্রাবরা সাহিত্যগা শমৈ, পণ্ডিত কয়াগা লোয়নদুনা। থয়েটনদ ফাওবা কুমদুনা নুপাগী বোলদা ফজবা এঙ্কুং তৌখিবগী বাবা লৈ। জাতিগী মনা মথংমাদ ফংদবরু লৈত্রে হায়বা যাই *সাহিত্য অকাদেমী এওয়ার্ড (১৯৭৬)*, তগী হৌদনা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী *সাহিত্যরত্ন*, ভারত সরকারগী *পদ্মশ্রী (১৯৮৫)* অমসুং মণিপুর বিশ্ববিদ্যালয়না খাইদগী বাংবা *সন্মান ডি লিট (১৯৯০)* অমা ফংবদা ওক্লনা গ্রাক্তনি।

হাদব নাহং অসির্মাদি হ নাপল। ঐখোয়বু চপচানা মতাক্তী মশুং ২ড্রাবা মচেৎ মচেৎ ২ দুনা মানা মনা ৬মঙবা খবা অন্ত্রভবগী মহুত্তা মহাক্কী অপনবা দান অমসুং পুন্সিবু নৈনবগী মশক্তি লৈখিত্রি মহাক্কা তোপ তোপ্পা শৈরেংগা মশুং অমসুং মফোংদোক ফজো অদা মগুণ লৈ হায়বদি খংনবগা গান্নমক পানবাদ নত্তে। ঐখোয়না মাবু শক খঙাদ্র। লাংগুন্না পণ্ডিত অমত্তনা কবগী পান্স বাব ইঁদ্র। লাইনাদ যাবোই নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি, ইম্ফালনা কবি অসগী পুন্সি অমসুং থবক্তা নোংমগী সোমনাথ (১৯৯০) অমদি

পাঙথোকপ্রে। মসিগী মরুওইবা মরমদি-কবিগী মগুণবু শীংথাবনি। ৱাখল লৈবা সাহিত্যকার অমনি হায়বদি কনানসু য়েত্তে। অদুবু মহাক্কী অইবশিংদি অয়াম্বনা পানদে। লমদম অসি মণিপুরনি।

সাহিত্য অমসুং কলাগী মায়কৈ পূম্নমক্তা চপচাবা দান তৌরবসু রবীন্দ্রনাথপু বিশ্বকবি হায়না খঙনরি। মশানসু হায়-ঐহাক্তি কবিনি। শিরমদাইগী মীকুপ ফাওবদা কবিতা ইবা লেপখিদে। *তোমার সৃষ্টির পথ* (নহাক্কী খুৎশেমগী লম্বী) হায়না হৌবা শৈরেংদু ইবল্লগা অমুক চুমথোকপা নংদনা হকচাং থাদোকখি। ঐখোয়গী মীনকেতনসু চপচাবা কবিনি। কবি মীনকেতন হায়বনা মহাক্কীদি চপ চাবনি। পুন্সি লোইরমদাইগী মিকুপ্তা থনমই-তাঙ্কক (ষ্টেনজা) ২০ গী শৈরেং *পোক্লরম দর্শন* হায়বা অমা। লৈখিদবা মতুং কুয়দনা শৈরেং অসিসু য়াওনা লামায় ৪১ পানবা *"য়াচঙ শৈরোল-খম্মিন তেংথা"* মিংথোনবা অমা ফোঙলকই। মহাক্না পুন্সিগী অরোইবা য়াহিপকীদমক থৌরাং তৌরকপসি কুয়রবনি। লাঙ্গাউ মমাঙদা (১৯২৬) ইখিবা শেন্নীবা মপুদা চঙজবা প্রার্থনাগী শক্তম লৌবা *বসন্ত শৈরেং* ফোঙলবা মতুংদা ফোঙলকইবা কাব্যগী লাইরিকশিংসি মপৃং ওইনা অসুম্না লৈরি-১। *অশৈবগী নিতাইপোদ (১৯৭৬-সাহিত্য অকাদেমী এৱার্দ ফংখ্রবা) ২। অশৈবগী শৈরোই (১৯৯৭) ৩। অশৈবগী জয় ভাই (১৯৭৮) ৪। বিদায় আশীর্ব্বাদ (১৯৭৯) ৫। সনবিক প:ৰ* *(১৯৮১)* অসিনচিংবা। লমদম অসিগী লাইবক থীবদি কনাগুম্বা সাহিত্যগী আলোচক অমত্তনা মীনকেতনগী শৈরেংগী মতাংদা (সেমিনারদা চে পাবা নত্তনা) নৈনদ্রি।

কবিগী অরোইবা শৈরেং- *'পোক্লরম দর্শন'* হায়বসি মমা লমদম, মণিপুরদা কৎচবা মহাক্কী পুন্সিগী শ্রদ্ধাঞ্জলিনি। অসুম্না শৈহৌই-

"নুংশি নুংশি লম্নুংশি
লোইবি চীংনা কোনবরম
কোলোয়নুংশি মণিপুর,
চীংদা য়েংলুই মনুংশি
তমদা য়েংঙি মনুংশি"

(*য়াচঙ শৈরোল-খম্মিন তেংথা*, লা. ১)

মমা লমদমবু কবিগী অরোইবা মিৎফমদা য়েংজবগী অয়ৌবী মশক্তি। কবিগী মিৎফমদা অমত্তা ওইরকই-নুপী পূম্নমক ইমাগী মশক। ইমা লমদমসু ইমাগী মুর্ত্তি। মালেম নৈমসু ইমা লমদমগা অমত্তা ওইরকই। শৈরেংসু অর্থ শেন্নান্নবা খঙখিগদ্রা হায়বগী চিংনদুনা

কবিনা শৈরেংশিংদা টিকা হাপই (মতাং অমদা ইরকই- *জগৎ পোকপী ইমাদি মশক নাইদবনি। মালেমনা মহাক্কী অউবা শক্তমনি। ঐখোয়গী পোক্লরমনা মালেম শকপনা মণিপুর, ঐখোয়গিদী পোক্লরম মণিপুরনা ইমাগী অউবা শক্তমনি। ঐখোয় নুপা নুপী লৈরীবসিংগী ইমা ইমানা মণিপুর সনা লৈময়োনগী অচৎপা শক্তমনি। শম্না জগৎ পোকপী ইমাগী মণিপুর অউবা শক্তম্নি (য়াচঙ শৈরোল-খম্মিন তেংথা-লামায় ১৭)* অসিনা কবিনা উখিবদি (অঙ্কগী শক্তমদা)-জগৎ পোকপী ইমা=মণিপুর ইমা=ঐখোয়বু পোকপী ইমা। মণিপুরবু মন্ত্রগী মতৌগুম্না শোনবগী পেনবা নাইদে। অসুম্না শৈরেং অসি লোইশিল্লি-

"কোলোয় নুংশি মণিপুর
মণিপুর-মণিপুর
কোলোয় নুংশি মণিপুর
মণিপুর
কোলোয় নুংশি ম-ণি-পু-র"।
(*য়াচঙ শৈরোল-খম্মিন তেংথা,* লা. ২০)

ডা. নোংমাইথেম তোম্বীনা লাইরিক অসিদা ইরি- "চুম্নত ব্রাহ্নৈনা ফোঙদোকপদা নবুনা কবিগী অবোইবা য়াতিপ তাল্লমদাই থা অমরোম অসিদি শৈরেংশিং অসি ঈশৈ ওইনা শক্তনা, নংগী ব্রাংনা থাঙ্গৎতুনা চোংদুনা লৈখি হায়" (ব্রাহ্নৈ খরদং লা. ৩)। মমা লমদমবু অসুক য়াম্না য়ৌশিননবা উবা ঙম্বা, নুংশবা ঙম্বা কবি অমা হৌজিক ফাওবদা ঐখোয়না খেংলেদ্রি। চাউরবা দর্শন অমগসু কোন্নবি। পোক্লফমগা ঐখোযগা শিববা ফাওবদা অদুম মতম পম্বদা চৎমিন্নদুনা লৈগনি। মৈ-ঈশিং-নুংশিৎনচিংবা হায়দুনা পোৎচঙ মঙানা শাবা হকচাংননা শিরবা মতমদসু অদুম মালেম লৈদা পোক্লফম লমদমদা তিন্দুনা লৈহৌগনি। নুমিৎথানা পাল্লিবমখৈদি। হৈনা লৈনা হৈখোঙ লৈখোঙদা তিনখিবগুম চবৈ ফিমলদি অদুম তিলহৌবগনি মালেম লৈমদা।

মথক্তা পঞ্জাম্বিবা লাইবিক মচা অসিগী লেমহৌরিবা লমায় ২১ মুক অসিদনা মণিপুরগী সংস্কৃতি, মৈহৌবোল অমসুং পুন্সিগী মরমদা পণ্ডিত মীনকেতননা মহাক্কী শাংলবা পুন্সিগী সাধনাদা ফংলকপা পূম্নমক য়াম্নমক শম্না অরোইবা ব্রাহ্নৈদা ফোঙদোক্লমই। থনম্লিবা খরসি চপচাবা প্রমান তৌনবা অরি- অনৌ লাইরিক কয়াগী তেংবাংগা কোন্ননা থনম্বা য়ানবা চাউরবা লামায় ৫০০ মুক্তগী তাদবা লাইরিক অমদি থনমফম থোকপনি। মদুগী খুদোং চাবদু পণ্ডিত অসিনা লৌখিদে। লমায় ২০ মুক অসিদা অঙ্কগী তারকপা ফলগুম্না থনমই। মসিমকসু

মমাঙবর্দ নত্তে। তুংগী পণ্ডিতশিংদা অমুক পাউখোং ওইনা শিন্নবম্বনি। পণ্ডিতশিংনা অতোম্বাপুসু হিন্দুগী পূবাণ অমসুং বেদগী মিৎযেংদগী (মৈতৈগী অবিবা পুযাগসু কোন্ননা) মণিপুবগী লিরবা সংস্কৃতিবু মশক তাক্লমই। মহাক্কী লাইবিক কযাদা মপূং ওইনা *গীতে কীর্ত্তণ* অমসুং *পাখংবা* হাযবা লাইবিক্তা জ্যোতিষ শাস্ত্রগী মতেং ফাওবা লৌদুনা। মীনকেতননা বেদবোমদা অদুক কন্না চঙদে। মহাক্কী মিৎযেংনা তন্ত্র-শাস্ত্রগী মায়কৈদনি। ইতিহাসকী পণ্ডিত অমা ওইবনা এনথ্রোপোলোজি, গ্রীক অমসুং বোমান সংস্কৃতিগী লিরবা মশক্তনি। লম্বী তোঙান্না চংনববসু তাবকপা ফলদি ফনা যাম্না নকশিন্নবা কযামুক য়াওরি। মিশোব (ইজিপ)গী লিববা সভ্যতাগা চাংদম্নে। গ্রীককী দেব দেবীশিংগা নকশিন্নে। চপচাবা লাইবিক্কী পমানমক্তি পীবমদনা কল্পনানা মপৃং ওইনা উবা শব্দকসু য়াওদবদি নত্তে। অদুবু ইতিহাস খঙবা পণ্ডিতনিনা তাবকইবা মওং খর্বাস তবাইনা হুন্দোকপসু ওইথোক্তে। নুংগী ওইবা অচুম্বা কযাসু থেংনবা মাল্লি। মীনকেতনগী জগৎতি অবি-অনৌ অনিগী থোং শাবনি। কবিগা বৈজ্ঞানিকক্কা খৃৎশম্নদুনা চৎমিন্নবনি।

ভাবতকী পূবাণ অমসুং তন্ত্রগী মিৎযেংদগীদি মণিপুব তীর্থ অমান হাযবসি খঙনবি। থাযনগী হেন্না পাকপা ভাবতকী খোযদৌগী মশক ওইনা তন্ত্র শাস্ত্রগী খোযদৌ কুণ্ডলিনীগী চক্রবু মণিপুব হাযবগুম্না লমদমাসবু মণিপুব কৌবম্না যাই। নোংপোক চিদাইগী লম অসিবুসু সনালৈবাক (স্বর্ণভূ) অসুম্না কৌনে। মণিপূবদা নুমৎ নীংবনা হৌবগা শিব নীংবনা শমথ হকই। কীনাটশিংনা ব বু য গী উচ্চাবন তৌই। অসিনা বৌদি হবিচক (সুগ) পু হাযচক, হবচকপু হযাচক। হবিনা নুমিৎনি। হবনা শিবনি। হযাচকতা *কুক* শিদবা শিদবী নীংবনা এত্রে ধর্ম্মনা মপুং *ওইবগী* খুদম পীব। গুরুগা ফানখোং অহুম হাযবসি ত্রিপুবগী মঙলোক অমনি। জগৎ পোকপবু *ক* কৌই। মৈতৈনা কোং অকো হাযনা খোল্লোক্লে। অনজিন (তন্ত্রগী ব্যাপকাশক্তি) না ইমাগী মশাক্ল। নংসু কো অঞ্জি অনিগা মচান হাযর্বাস মৈতৈনো হাযনর্বনি। পণ্ডিত মীনকেতনগী মতঙা হযিচক, হযাচক কী মতুংদা লাকপা লাংবচক হাযবসি লং হাযবাদ লৈমবেল নীংবা পুর্গনি হাযর্বনি। লাংবচকপু কোন্নচক হাযনসু খঙনৈ (কোন্নচক কোন্না নীংবা)। নুমিত্তা লৈবা পাখংববু মৈতেনা তাউবোইনাই কৌই। খুরুম্বদা *ও কো পীময়ক নীকএ* গী লাইশোন লৌব। বিজ্ঞানগী প্রমানগা কোন্ননা পুথোক্লিবা মণিপুর ঈপাক ঈবোন চন্না লৈবমই হাযবসিবু মীনকেতননা যাই। মোইবাংলমদমবু ঈশ্বাংম হাযনা খঙনবকই। নোংমদি চীংনা লৌনম্বান ওইবা পাৎচাও অমগুম্না মণিপুব লৈবমই। সুগ্রীবনা বামাযনগী ব্রাবীদা তাকপা নোংপোক লমখাযদা উদযগিবিগী চীংখোঙদা সুদর্শন কৌবা থম্বাল চাম্মনিপালনা শাৎপা পাৎ অদুবু নীংশিংহল্লী। মতাং অসিদা পণ্ডিতবাজ অতোম্বাপুগী মীৎযেংগা নকশিন্নবকই।

নৃতত্ত্ববিদ্যা (এন্থ্রোপোলোজি) খঙদবা মীনকেতন নত্তে। ভূমধ্য সাগবগী লমখাযদা তিন্নখি-অভৌবা শাগৈ অমুবা শাগৈ নাপু মচুগী শাগৈ। তিন্নবদগী জাতি অমা পোকখি মদুবু গ্রীকশিংনা কৌখি অষ্ট্রিক। হাযবর্দি খাবমগী মী। খৃঃ মমাং চহি ৮০০০ গী অদুৱাইদা (মিনুৱান যুগ) মিনুশিংনা (MINOS) গ্রীসতা পাল্লমই। মখোর্যাদি ট্রামিলস ফুকপকা (তামিল) মবী লৈনৈ থাজনৈ। খৃঃ মমাং ৬০০০ তা বেলুচিস্তান লোমদগী ভাবত্তা চঙলকই। হিমালয লমদাইদা চীংখোং যৈনা কাঙলুপ কাঙলুপ লাকপদা প্রাগজ্যোতিষপুব ফাওদুনা (খৃঃ মাঃ ৫০০০ গী অদুৱাইদা) মণিপুব ত্রিপুবা চঙলগা মালয উপদ্বীপকী লমদা চঙখি। মখোয দ্রাবীড জাতিগী লম্বী যানবা জাতিনি জগৎ পোকপী ইমা নিংই। লিন্না ইমাগী প্রতীক (সিম্বোল) ওই। জগৎ পোকপবু কো কৌই। মতাং অসিদা পাণ্ডুতনা পুশিল্লকই-মিনুলৈমবেলগী ৱাবী। গুরুনা মচানিপা অহুম কৌশিনবনি-অচিবা, অশিবা অমসুং কোঞ্জিন তুথোকপা। মমাগী যাথং তুংইন্ননা অতোম্বনা গুরুগী ফাংখোং ৭ লক কোয়বগী। মমানা তাকপীবনি হাযবা গুরুনা খঙবদা যাখি গুরুনা লৈমবেলনা পাখংববু কোন্ননীংববু। মচল মিনু লৈমবুনা লাইনা তম্বা ওইনা অহানবা থেঙনবা তাউবা হূই অমদা থাজখি। লৈমবেলগী ৱাহৈসিদি কমদৌনা থোকখিবগে ণ

মতাং অসিদা ওস্ত্রোক্কা চাউববা খঙহৈবগী মতাং অমা যৌবক্কে। চাউববা নোংপোক নো চুপকী পাণ্ড গশিংনা চুমই লাল্লি হাযবা ঙমগনি। মথক্তা পনখ্রিবা অষ্ট্রিকশিংসীনা কাশ্মীবদা খুন্দাবা মখোযবু নাগব শ হাযনা খঙনৈ। নাগপুবান অমসুং জীমুতবাহন ৱাবীনা মসিগী সাক্ষিনি। মখোযনা হৌদোঙবু মিন্ কৌই। মৈতৈগী ইমোইনু চাকহোঙবীগী বাবীদা হৌদোং অমুবীনা প্রতীক ওই। ঐখোযনসু হৌদোঙবু মিনু কৌই। লৈমবেনবুসু মিনু কৌবি। ইজিপকী ঙববা বাবীদা (মীনকেতনদি ইজিপ পল্লমদে ক্রীটকী সভ্যতা পল্লমই) জগৎ পোকপিবু RHEA কৌই। মাসনা বি লি মাদগী (ইজিপকী ৱাবীদদি RE হাযর্বসি নুমিৎ লাইনি, নিপান) লৈমলেল তাবকপনি হাযনা মত পীবি। হাযর্দি অষ্ট্রিকশিংগী মবোলদগী তাবকপনি। ৱাফম অমনা মঙ্গোলোইদশিংগী নুমিৎকী শাদোং চীংলাইনা ওইবা অদুগা লৈমবেলগী ৱাখলগা পুনশিল্লগা মৈতেগা অবিবা সংস্কৃত শাগৎলি। নোংডাল্লকপবু মৈতৈগী অশৈবাশিংনা *লাইবেল লাবা যাওল্লে, হুইথৌ লাবা চীফেংলে* হাযনা শরুই। ইমাগী প্রতীক ওইবীবা তাউবোইনাইনা লাইবেন লাবগী মশক লৌবগা মচি অনী অদুগী অমদা সনাগী লোংখুম (যাতাবা মতমদা নুমিদাং) অমদনা লুপাগী (বোমগীনা দাযনা) না অমম্ববু তাছোকপদা পুদুনা চৎপদুবু খঙনবনি। তুংদা খঙনবকই স্বর্গগী হুই (HOUND OF HEAVEN) মীনকেতননা বেদদদি যেংশিল্লমদে। বেদনা যাওবী মখোঙ যাংবী মণ্ডালগী লাইবেম্মা-সবমা। অমম্বদা লোৎশিনখ্রবা মণ্ডালশিংবু (শনশিংবু) থিবদা যাওখিবা। পুবানগী যুগতা ওইনকই-হুইগী মশক। মতাং অসিমক গ্রীক্কী সভ্যতাগা বেদগী সংস্কৃতিগা চাংদম্নবা যাই। মৈতৈগী তাউবোইনাইগী লোঙখুম অনীগী ৱাফমদি

হৌজিক ফাওবা মণিপুরগী তা খৌশাবগী লাউবদা তাবা ফংলি। হৌজিক ফাওবদা নোংদা লাইবেন পাখংববু শৈথাবদ খাবী অমাইনা (পণ্ডিত অতোম্বাপুগী মততা বেদগী অমীবহ্না) অসম্না শক্লবি

"নুমিৎকী আগ্নাদগী নোংলুম পুবেবোম্বনা
মচি অনীনা চপথাং করোঙ ওই
মনীংশা মৈবা চিং মৈজাও হাযবৌ চম
মমৈনা চোংলেন হাইজাও খাল।"

(*যাচঙ শৈবোল-খম্মিন তেংথা,* লা. ৩১)

"পুবেবোম্বা পুথবক লৈনুং য়াবিবোক্তা নুমিৎ ৭ নি লাংগোল পোক্তুনা নোংদা লাইবেল পাখংবা হাযদববা" অসূম্না অইবনা পল্লি। মৈতৈগী পাখংবগী প্রতীক চপচাবা লিল নত্তে কুণ্ডলিনী শক্তিগী মশক ওইবা (চাইনাগী ড্রাগোন লাইবেল লাবগী মশক্লি) মঙ্গোলোইদ সংস্কৃতিগী শক্লক অমনি। তিন্নখিবনা আষ্ট্রিককী লিনগা লাইবেন্মগী শক্তমগা তিন্নখিবনী তাবকপা ফলদি মৈতৈগী অবিবা সংস্কৃতিদা অষ্ট্রিক কলচবগা মঙ্গোলোইদ কলচবগা তিন্নবগা খোল্লকপা মশক অমনি। অসিনা মৈতৈগী তোপ তোপ্পনি। অমুকসু বেদগী সংস্কৃতগা শন্নর্ব

শলাই তবেৎকী মতাংদা পণ্ডিত মীনকেতননা অসূম্না মত পীবি। অহানবা হুন্দাবা চৈলোন নন্দৈনা কাংবনি। চাওখংপা কাউলুপ ওইবনা চেংলৈ নওবা অতেবু হাচ কৌই। অর্থাদ মিওশ্বাস মীগী মওংদা মানবা হাযবনি। মখোযনা কংলাদা পাল্লমই ঈশি না কংহবকপা মতু ইন্না ইবিলবু গী লমখৈশিংদা অসুম অসুম শন্দোকখি। পুকোক্কী মিংথৌদ হগবাক্ত কৌবনা হিন্দুন হাযনা মীনকেতননা মত পীবি। মখোযনা মান জাতি জব তৌদুনা মখোয মথক্তা পানখি। মতুংদা চওঙকই মঙাং (মানআং) হাযবাদ মজাতিগী নিংথৌশং। মতম্না আসামগী নিংথৌ ভাস্করবর্মাগী মতম্দা। মতুংদা চঙলকপা শাঙ শাগেনা ওইখি লুবাং ফুরুপ (তিব্বতী) অর্থাদ খম হাযনা। মঙাং কাঙলুপপু পুবেবোম্বনা তকথোক্তুনা পোইবে মৈতৈ লমদম মুলহৌদুনা নিংথৌগা সলাই থোনকখি। আং মযাম্না অঙোম ওইখি। মৈত্রেয় হাযবদি নুমিৎ নীংবা হাযবদগা গথবক্তুনা মঙাংবু পোইবৈ মৈতৈ হাযনা খঙনখি। মযূম নওনা পোইবকপদগী পোইবৈ মৈতৈ থোনবান। মতুংদা ঈন্না চীংখোং পোইবৈতোনগা লুবাং গুক পুন্সিবগনা নোংদা লাইবেন পাখংবদা চঙজববা মতমদা মৈতৈবু ঙমই হায়দুনা "মৈদিংঙু" মিংথোল ফঙখি। মখোযনা পো ওইববসু নুমিৎ নীংবগী মৈতৈগা তিনশিন্নখিদুনা মৈতৈ অমসুং মঙাং অমতা ওইখি। অসিনা ফম্বাল কাবদা নোংদা লাইবেল পাখংবনা *অচী অহিং চি* হাযনা নুমিৎপু খুকমদুনা কাখি।

পাখংবা কনানো ? মৈতৈশিংনা শক্লরি- ‘‘অব্রাং ফাংলৌ লাইমকোল, মীরা নমু পোং থোকলম, হনজিং চীংমৈ ইন্না খুন্দারকপা, নোংদা লাইরেল পাখংবা।’’ মসিনা পাখংবগী মশক তাকই। অব্রাংগী অকোকপা লম, লাইশিংগী লৈফম নম-মু-পোংনচিংবা মীশিং থোরকপা মরম হঞ্জিং হান্নগী গোবী মরুভুমিগী লমখৈদা লৈবা চীং স্তানোভয়গী চীংলম মতুং ইন্না খুন্দারকপা নোংদা হায়বদি নুমিৎকী নোংলমদগী পোকপা লাইরেল লাইগী নিংথৌ পাখংবনি। নহাদা ইওই ওইদুনা লৈ হায়দুনা কৌই পাখংবা (পণ্ডিতরাজগী লোন্দাদা বেদগী যবিষ্ট)। পোং জাতিগী ফুরুপ অমগী নিংথৌনি। ঈউব্রা চীঙখোং পোইরৈতোনসু চিন লৈবাক্কী ইউব্রা ফুরুপকী নিংথৌগী মচা মশু ওইনা খ্বাইদগী কোন্না পাখংবদা চঙজরক্রবসু নিংথৌ খুভমদি থাদোক্তে। অসিনা লৈরি-লুব্রাং নিংথৌ, অঙোম নিংথৌ, মোইরাং নিংথৌ, খুমন নিংথৌ অসিনচিংবা। অসুম্না মীনকেতননা হ্রাবোইশিল্লি।

> ‘‘অঙোমবু নোংপোক্তা পানবা নিংথৌ শাগেনি হায়দুনা নোংবাল হায়বদি ঈঙৌ লমদা পাল্লি হায়দুনা ঈঙৌপানবা কৌনৈ। লুব্রাংবু মনুংচন্না পাল্লি হায়দুনা নুংবাল কৌনৈ, মোইবাং নিংথৌবু ঈশিং ঈব্রাংমদা পাল্লি হায়দুন ঈব্রাংমা, মোইবাং লৈকোয় পুংগী মপুনি লৈমাবা মোইরাং লৈকোয মপু, অঙাংবা শাগেনি হায়দুনা ঙাঙোয় কৌনৈ।’’
> (*যাচঙ শৈবোল-খম্মিন তেংথা*, লা. ৪১)

অসিমসু পণ্ডিতনা হাপচিল্লি-মোইরাং শাগেবু মরিয়া ফম্বালচা হায়না খঙনৈ। হৌজিকমকসু মোরি শাগে লৈরি। মখোযসে মৌবিয় বংশগী অপভ্রংশনি। কবোগী রাজবেন (YASBAN) সনা পুয়ানা মিথিলা মচা হায়বিবদুনি।

অসি গুম্বা মৈহৌবোনগী হ্রাফম অসি প্রোফেসর গাংমুমৈনা ইবা লাইরিক *History of Manipur Vol-I* শ্রীব্রাহেংবম ইবোহল সিংহগী লাইরিক *The History of Manipur* অমসুং কে, সি, তেনসুবনা ইবা লাইরিক *Genesis of Indian Tribes* অহুম অসিদা নৈনরিবশিংগা পুন্না য়েংলবদি য়াম্নমক নুংঙাইবা মতাং অমা ওইগনি। পণ্ডিতনা থনম্বা পাউখোং খরসিগী অর্থ পুথোকপা কান্নগনি। মঙাল ফাওরক্কনি।

মণিপুরীশিংগী মৈহৌরোলগী মতাংদা পণ্ডিতরাজ অতোম্বাপু বিদ্যারত্ননা বেদগী হ্রাখললোমদা চাংদম্নদুনা লিরবা সংস্কৃতিনি হায়বগী প্রমান তৌবীরমই। পণ্ডিত মীনকেতননা বেদদা য়েংবগী মহত্তা পূরাণ অমসুং তন্ত্রগী মিৎয়েংদগী অমসুং নোংচুপকী সংস্কৃতিগী হৌফম ওইরিবা গ্রীস অমসুং রোমগী সংস্কৃতিগা চাংদম্নদুনা অরিবা পুয়াগী হ্রাহে হ্রাতা অমসুং প্রমানগা কোন্ননা লিরবা সংস্কৃতিনি হায়না তাকপিরমই। অরিবা মৈতৈগী সংস্কৃতি শাগৎপদা অষ্ট্রিক, মঙ্গোলোইদ অমসুং আর্য্যগী সংস্কৃতি অহুম্মক য়াওরি হায়বগী চেৎনা থাজবা ফোঙদোকলমই।

মসিনা পাণ্ডিত মীনকেতনগী অবোইবা ৱাখলনি । মহাক লৈখিদবদা অবি অনৌ অনীমকপু মুন্না শকখণ্ডবা মীশক অমা মহুৎ শিনবীনবা লৈতনা মাঙখ্রবনি ।

কবি মীনকেতন চুম্নগী বচনা ইবা, সমালোকচক, ভাষা তত্ত্ববিৎ অমসুং সাহিত্যকাব পাণ্ডিত ওইবদা নত্তে । সাধক অমসুনি । ইমা সাধক্নি । অপোকপী মমাগা, নুপী ওইবীশিংগা, মমা লমদমগা অমসুং মালেম লৈমগা অমগা ওইনা উবা ঙম্বগী তাঙলবা দর্শন অমা মহাক্কী পুন্সিদা ফাওখি । পুন্সি লোইবমদাইগী মতাংদা থম্মোযদা লৈবিবা মমাগা তোযনা বাবী শাবগী মতা কযা ঐক্ষোন্দমক ঙমখি । ওইথোক্কবা নত্তে । হায়নবা লৈ, আচার্য্য বিনোবা ভাবেনা লোংমা লো কন্না চুবকপদা চোংথোক্কুনা ব্রহ্মনি ব্রহ্মনি হায়না লাউদুনা লেখি । কাব মীনকেতনসু মথক্তা পণ্ডিত্রি বত্তুন্না "কোলোয নুংশি মণিপুব" হায়না লাউদুনা চোংদুনা লৈবদা অ কপা ওই .বাই ।

কাব মীনকেতন হন্দক্কী মপোক্তা গীতাগী ৱাংহদা যোগদা মপুং ফাদ্রবা (যোগভ্রষ্ট) অমা ওইনা পোক্লকপনি । মখোংগী মপোকতস পোকখিগনি হেন্না মপোক ফবা ইমুং অমদা । মাহ্নাগী খোঙচৎতি পত্তুংফম যৌদ ফাওবা অবোইবা নাইবোই । চুম্নগী মল্লবা হকচাং পোল দোকলস্তান । মণিপুবী সাহিত্যগাদমক্তি লমযাংবা অশেবা অমা মাঙ্ভাবববনি । ❑

অনৌবা মণিপুরী সাহিত্য শেমগৎপদা কবি মীনকেতন

প্রো. নোংমাইথেম তোম্বী

অনৌবা মণিপুরী সাহিত্য শেমগৎলম্বা খুৎমাবশিংগী মনুংদা থোইদোক্না শীংথানবা য়ারবা, মশাগী ওয়েৎলোনগী মফম অমা কল্লিবা, বাংথোই চাউখোইনা কবি অমসুং পণ্ডিত অমা ওইনা চাংলেনবা শেপাখবা খোর্জেই শুবা মীশক অমদি অশাংবম মীনকেতন সিংহনি (১৯০৬-১৯৯৪)। মণিপুরী সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতিগী খোঙচৎ নীংথিনা খঙলবা অমসুং মতম পুম্নমক্তা ইতিহাসকী জ্ঞানগা লোয়নননা য়েংলম্বা অশৈবা অসিনা থম্মোয় শোক্না ওংথারম্বা য়াফম অমদি - মণিপুরী লোল অমসুং সাহিত্য অসি চহী চনীরোম মল্লুরে হায়বা অসিনি। মসি মহাক্না মফম কয়াদা পল্লম্বা থেংনৈ। ছাত্র ওইরিঙৈ খৃ. কু. ১৯২৮ দা ইংখিবা অদুগা খৃ. কু. ১৯৩২-৩৩ গী মতমদা কলিকতা অমদি মমৈথংদসু গুৱাহাতি য়ুনিভর্সিটিগী ইন্টরমেদিয়েট ক্লাসকী টেক্সবুক ওইনা চহী ২০ রোম তম্নখিবা, বাংলা ময়েক্তা সাইক্লোস্টাইল তৌরগা পুথোকখিবা, কবিগী অহানবা খুৎথা ওইখিবা *বসন্ত শৈরেং* কৌবা শৈরেংগী লাইরিক অসিগী "কচ্চবা" হায়সিদা অসুম্না ইরি

"... মতম কুইনা য়াহিপ্লিবী
ইমাগী
অহানবা য়াকাই চৈজিংদি পাঙ্গখিবা,
য়াকাই থৌগন্দি ফংখিবা
লৈখাদনিদি তারবী
ইরোনগী
চংজফমনিদি ওইরিবা. ..।"

মতম কুইনা তূম্লুরবী, লৈখা তারুরবী ইমারোম্নি হায়রি। কবিগী ইলেজিশিংগী মনুংদা মমিং চৎলবা কমলদা কৌবা শৈরেংদা অসুম্না শৈথারি

"শালি কুয়াংনা কুমওনবা
তরানীপান্না ওঙ্গওইনা

নীফুগা তকক ৱাযবকপা,
মৈতৈ সাহিত্য জগৎনুং
কুপ্লাং চনী মল্লুবা তুং ।"

(ডা কমল লৈতবদা, *সনাবিক পবেং*)

মণিপুরী সাহিত্য অসি চহী চনীবোম মল্লুবে হাযনা শৈথাবি। মণিপুরী সাহিত্যদা ১৯৫০বা সাহিত্য নৈনবোলগী লাইবিক ওইরিববা *মৈতৈ উপন্যাস*কী (১৯৫০) ৱাহৌদোক্তা মসুমনা পল্লি 'অমবোমদনা, মৈতৈ মযেক মৈতৈ লাইবিক চনখি লোইনা লুবাক, চনখি লোইনা চাপু। যুগ অসিগী লাইবিক হৈবা কনামত হৈখিদে মৈতৈ মযেক, শন্নখিদে মৈতৈ লাইবক, ফংখিদে অদুনা মশাগী মবোল মশাগী সাহিত্যগী মনম খিক্তফাও।" (লা ৩)

কবি পণ্ডিত মীনকেতননা ইতিহাসকী মিৎযেংদগী যেংলগা মণিপুরী সাহিত্যনা লৈরি। ৱাবকপগী মনম নৈনবি। ১৮ শুবা শতাব্দীদা চবাইলোংবনা পানবা মতমদা (১৬৯৭-১৭০৯) নিমান্দী ধর্ম্ম চঙলক্লে, মথংদা বামান্দীনা লৈবাক নিংথৌগী ধর্ম্ম ওইরে। মদুগী মথংদা গৌডীয় বৈষ্ণব ধর্ম্মনা পূন্নমক চুপশিনখ্রে "লেপ্লে মতুংইনা বৈষ্ণব কৃষ্টিনা লৈবাক্কী মপূং ওইরে বৈষ্ণব শিক্ষাদীক্ষানা জাতিগী অদুম," বৈষ্ণব ধর্ম্মগী শাফু কল্লবা ইহিন্দা পূন্নমক হুমদুনা পুখ্রে। মথংদা বৃটিশনা মণিপুর জয় তৌববা মতুংদা (১৮ .) বোনাচুপকী শিক্ষা তম্বা হৌরক্লে। মতমদুদসু বাংলা সাহিত্যনা হৌবদগী লোইবাফাওবা তমখি। মনম অদুনা মণিপুরী সাহিত্যনা মিৎকপ থোক্লককপা অসি যাম্না খেংথখি।

"মতম কুইনগী তুংদা।
লেঙশিল্লক্লে ইমা মৈতৈ চনু।
মৈতৈ সাহিত্য মন্দির মনুংদা।
যেন্দাই থন্না লৈহাপ্লুনা,
কৎলুসি ইমাগী খূযাদা।"

(ডা কমল - *লৈ-পবেং*)।

মতম কুইনগী তুংদনি মণিপুরী সাহিত্যনা মশক উৎলকপসি, চাউবাক্লা খ্ কু ১৯২০ গী পবেংদনি। অদুবু, বাফম অমদি মযেক শেংহৌবা ফৈ। কবি মীনকেতন্না খল্লিবা পূংমম মম্বা পূংমূৎ মূৎপা অদুমক্তি নত্তে। ইমাবোল অসি পাক শন্না তমদবা, নৈনদবগী বানি। ধর্ম্মগী অকনবা প্রভাবনা মণিপুরী সাহিত্য অমসুং লোল অসি নমথখিবা, শীজিন্নবা বাৎখিবনি। অখণ্ড অহৈ, পণ্ডিত লোইশঙনচিংবদা হান্নগী লীক্রম অদু ঈচেল যাম্না পীক্লা অদুম চেষ্টবদি লেপ্পা নত্তে। বৈষ্ণব ধর্ম্ম চঙলকপগীসু কান্নবা কযা অদুম লৈবা থেংনৈ।

অইবা সাহিত্যদা অদুক হাক্লা পূক্লিং থমউদ্রগসু জগোই-ঈশৈ, কলা-বিদ্যাদা য়ান্না চাওখৎলকখি। মসি বৈষ্ণব ধর্ম্মগী ফজরবা খুদোল অমনি হায়না লৌগনি।

কবি মীনকেতননচিংবা খুৎমাবা অইবশিংগী ২০ শুবা শতাব্দীগী হৌরকপগী সমাজ অমসুং ধর্ম্মগী ফিভম অদু চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগী মখা চখরকপা মওং অমনি। মসিগী মতাংদা কবি মীনকেতননা অসুম্না ইরি -

> " কায়দ্রি চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজ সনা হাক্তক্কী অথেংবা বৈষ্ণব সমাজ, চৎলি মপাল ফনা অদুম। মতম্না কুনসুবা শতাব্দীদা খোঙদারবসু লৈরি ধর্ম্মগা সমাজগা অনীদি অদুনোং তবাগা মাপলশুবা শতাব্দীগী মহাবাজ চন্দ্রকীর্ত্তিগী যুগদা অদুম। অদুনা, কুনসুবা শতাব্দীগী চৈগোক্তা পোক্লুবা ঐখোয় লোল খরদি তরাগা মাপলসুবা বৈষ্ণব সমাজনা কোল্লকই, মাগী শেগাদা অদুম চাউরকপনি। অমরোমদা হায়রগনা, কুনসুবা শতাব্দীগী চৈগোক্তি তবাগা মাপলসুবা শতাব্দীগী ধর্ম্ম অমসুং সমাজনা পুই। অদুনা, ঐখোযগী মতমগী সমাজদি মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তিগী যুগগীনি, যুগগীমক্তি।"
>
> (*পুনশিগী শক্তম*, লাবোল অনী, লা. ১৯-২০)

অদুনা অনৌবা মণিপুরী সাহিত্য শেমগৎলকপগী তাঙ্কক অসিগী ধর্ম্মগী য়ুম্ফম অসি গৌড়ীয় ধর্ম্মনা ওইখি। ধর্ম্ম অসিগী প্রভাবনা পীরকপা মিৎয়েং, ব্রাখল, ভক্তি-রস, চৎনবী, নীতি অসিনচিংবনা ২০শুবা শতাব্দী তংখায়গী ধর্ম্মগা মরী লৈনবা য়ুম্ফম ওইখি। মতম অসি চূড়াচান্দ মহারাজনা পানবা মতম্নি (১৮৯১-১৯৪১)। অদুনা নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমগী লোনচৎ শাজৎ, চৎনরোল, থর্কাস-খাসি, লমদম অসিগী ওইবা লোনচৎ পূম্নমক অসিনা অমরোমদা মতম অদুগী মিৎয়েং-ব্রাখলগী য়ুম্ফম ওইখি। নোংচুপকী শিক্ষা লাক্লবা মতুংদা নোংচুপকী লিবরেল ওইবা, অনৌবা ব্রাখল-মিৎয়েংগী প্রভাব অমা চঙশিল্লকখি। মিৎয়েং পাকথোক্লকখি, পাক-শন্না উবা ঙম্লকখি। অদুনা অনৌবা মণিপুরী সাহিত্য শাগৎলকপগী ব্রাখলগী য়ুম্ফম অসি ঈরোঙ অহুম্না শাগৎলকখিবনি - ১) বৈষ্ণব মোর‍্যালিটিগী মিৎযেং, ২) কোনুং, লৈমকোনগী লোনচৎ-শাজৎ, লমদম অসিগী কৃষ্টিনা পীরকপা মিৎযেং অমসুং ৩) নোংচুপকী শিক্ষাদগী লাকপা অনৌবা মিৎযেং। কবি মীনকেতন্দা ঈরোঙ অহুমগী শাফু পূম্নমক তিনখি। চপ চাবা গৌড়ীয় বৈষ্ণব অমগুম হিংখি। মঙোন্দা থাযনগী মৈতৈগী সংস্কৃতিগী ব্রাখল্লোলসু য়াওরি। নোংচুপকী শিক্ষাগী মঙাল নীংথিনা ফংলবা মীশক অমনি। অদুনা মঙোন্দা 'অপাকপা ভারত' পূম্বগী ওইবা মিৎয়েং অমা লাকখি। মসিদা নত্তনা নোংপোক-নোংচুপকী সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতিগী ঈথিল ফন্না নীংথিনা চঙখি। পূম্নমক অসিনা কবি মীনকেতন মণিপুরী সাহিত্যগী রিনেস্যান্স মতমগী অশেংবা পোখোক অমা ওইখি।

বৃটিশনা মণিপুর জয় তৌববা মতুংদা চুড়াচান্দ মহারাজনা পানবা মতম (১৮৯১-১৯৪১), ২০ শুবা শতাব্দীগী তংখাযগী শরুক অসি অনৌবা মণিপুরী সাহিত্য শেমগৎপগী মরুওইবা তাঙ্কক অমনি। মতম অসি মণিপুরী সাহিত্যগী রিনেস্যান্সকী মতম্নি। মতম অসিদা মণিপুরগী লৈঙাকলোন্দা, রাজনীতিদা, সমাজগী পুন্সিদা, সাহিত্য-কলা সংস্কৃতিদা, ইরাবম কযাদা অচৌবা অহোংবা কযা লাকখি। ২০ শুবা শতাব্দী হৌগৎলকপা মতম অসি মণিপুরী সাহিত্যগী অনৌবা যুগনি, যাকাযবোল শকপা মতমনি। মথুম-মরাঙ হৌবগা লোযননা হোংলক্লিবা মতমগী ঈচেলগী মতুং ইন্না অনৌবা সাহিত্যগী অনৌবা খুৎশেম কযা পুথোকলকখি।

অনৌবা মণিপুরী সাহিত্য শেমগৎলম্বা খুৎমাবা অইবশিং অসি কনানো? মণিপুরী লোন্না মিৎকপ থোক্লকপা, যাওল্লকপা মতমদা ইমাবোলগী যাকৈ থৌগন তৌখিবা অশৈবশিং, অইবশিং, খোঙ্জে শৃখিবশিং অসি কনা কনানো? কবি মীনকেতন মশামক্না 'ঐখোয মঙাদংদা নখোয অহুম চৎলবা' হাযনা ইবা মতাং অমা থেংনৈ। অদুগা মান' যোঙবা লাইবিক্তা থাবম্মী "ইহান হানবা খোর্জেঞ্জ তরেত্তা অমা" হাযনা। হৌজিক হৌজিকমক মীযাম্না লৌনবিবা খুৎমাবশিংদি ১) খ্বা চাউবা (১৮৯৬ ১৯৫০), ২) ... কমল (১৮৯৯ ১৯৩৪), ৩) অঙাংহল (১৮৯২-১৯৪৪), ৪) নবদ্বিপচন্দ্র (১৮৯৫ ১৯২৬), ৫) দরেন্দ্রজিৎ (১৯০৭-১৯৪৪), ৬) মীনকেতন (১৯০৬ ১৯৯৫), ৭) হিজম ইরাবত (১৮৯৬ ১৯৫১), ৮) মযূরধ্বজ অসিনি। মখোয় ৮ অসিনা মরুওইবা খুৎমাবনি হায়না লৌবদা থোইনা কাযবা লৈতে। অদুবু মণিপুরী সাহিত্য শেমগৎলম্বা তাংখাই অদুগা ... লবি। মখোযগী খুদোল যাম্না চাউদ্রবসু মহৈ হেবু কাউথোকপদি অশাংবা ... মীতই। মখোয হৌবগী মমিং পনবা তাবরদি এল ইবু ঙোহল সিং, পণ্ডিত পানিদা ... ললিত, যেংখোম ভাগ্য, নাওরিয়া ফুলো, ডা এল লৈবেন অতোম্বাপু শর্মা। ... উল্লিউ পিটিগ্রু, হাওদি চাম্বা চৈ তন্য অসি ... অসিগী মথক্তা অঙনবা মতম বাংলাগী টেক্সবুক কযা মৈতৈলোন্দা হন্দোক্লম্বা ... , চেযোঙ কযাগী সম্পাদকশিং অমসুং মণিপুরী থিযেটরগী ঈহৌ শাগৎলম্বা মীওইশিং অদুবুসু নীংশিংবা চুম্মী। মীওই কযাগী তোখাযনবা খুদোল মশাম অদুং। অপুনবা অনৌবা মণিপুরী সাহিত্য অসি শাগৎলকখিবনি।

যাম্না মরুওইববা খুৎমাবা ৮ অদুগী মনুংদা কবি অশাংবম মীনকেতন সিংহ (মে ২, ১৯০৬ মার্চ ৭, ১৯৯৫) অমসুং অরাম্বম দরেন্দ্রজিৎ সিংহ (১৯০৭-১৯৪৪) অনীনা খ্বাযদগী নহানি। কবি মীনকেতননা মীওইপোক্কী পুন্সিদা চহী ৮৯ চুপ্পা হিংলম্মী। মাগী পুন্সি অসি ২০ শুবা শাতাব্দী হৌবকপদগী লোইশিল্লকপা মতম ফাওবা কোল্লিবা, ২০ শুবা শাতাব্দীগী মহুৎ শিল্লিবা পুন্সি অমনি হাযনা লৌবা যাই। অতৈ খুৎমাবা অইবশিংদি

২০ শুবা শাতাব্দীগী অরোয়বা তংখায়গী অওনবা পুন্সি অমসুং সমাজগী মশক অদু উবা ফংথদ্রে। মীনকেতনগী পুন্সিদা রাজনীতি অমসুং সমাজগী অহোংবা, অওনবা, অনৌবা ঈচেল কয়া থেংনখি। মহাক মশামক শিনফম শুবা মীশক অমনি। মপূং ওইবা শিনফম্না ওঝানি। মদুসু মগুণ লৈবা তাকপিবা হৈবা, ব্রা ভাঙবদা শুঙ্কাৎপা ঙম্বা ওঝা অমনি। চহী ৪১গী ওঝা ওইবগী শিনফমদা হায়স্কুল ৬, পোলিটেক্নিক হায়স্কুল অমা, কলেজ অনী, যুনিভর্সিটি সেন্টরগী পোষ্ট গ্রেজুয়েট ষ্টদিজগী মণিপুরী লেঙ্গুয়েজ অমসুং লিটরেচরগী হেদ অমসুং এসোসিয়েট প্রোফেসাব ওইনা থবক্তগী পোথাখি। রাজ্য সবকাবগী মখাদা চহী ৫ কর্ম্মচারী ওইরম্মী (১৯৩১-১৯৩৬)। খৃ. কু ১৯৩৬ তা রাজ্য সরকারগা য়ান্নরক্তবা অমদগী এস দি সি (অন্দর - ট্রেনিং) ওইনা থবক্তগী রিজাইন তৌখি। মহাক সংস্কৃত পণ্ডিতনি, বেদ, উপনিষদ, গীতানচিংবা ধর্ম্মশাস্ত্র ফজনা খঙই। লোল নৈনবা মীশক অমশুনি। সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতিগী সংস্থান কয়াগা শন্নদুনা থবক তৌবম্মী। মসিগী মথক্তা কবিগী প্রতিভা লৈবা মীশক অমনি। মহাকপু চপচানা খুৎমাবা অইবশিংগী মনুংদা কবি-পণ্ডিত অমনি হায়না শীংথাবদা মতীক চপ চাই। খুৎমাবা অইবশিংদগী খেন্নবা মীনকেতনগী শক্লোন কয়া অমসু লৈবি। মহাক মশামক অসি ইন্সটিট্যুশন অমনি হায়না লৌবা য়াই।

কবি মীনকেতননা ফোঙলম্বা লাইবিকশিংদি — ১) *বসন্ত শৈরেং* (শৈরেং, অমুক নমথোকপা ২০০৫), ২) *সীতা বনবাস* (ড্রামা, ১৯৩৬), ৩) *তোন্ন লাইজিংলেম্বী* (ড্রামা, ১৯৩৯), ৪) *মৈতৈ উপন্যাস* (ক্রিটিসিজম, ১৯৫০), ৫) *বামায়ণগী বারী খবা* (ব্বারেং, ১৯৫১), ৬) *মৈতৈ লোঞ্জেল* (ব্যাকরণ, ১৯৫১), ৭) *ভাবত-চনু* (লারোন ১-৪, ব্বাবেং, ১৯৫১), ৮) *মৈতৈ লাঙ্গ্লোল* (মিথোলোজি, ১৯৫২), ৯) *ভাঙ্গোয় পরেং* (ঐতিহাসিক বচনা, ১৯৫২), ১০) *ভাবতকী লোনশিংগী মবক্তা মণিপুরী লোনগী মফম*(এসে, ১৯৫৮), ১১) টেগোরগী *গীতাঞ্জলী*(হন্দোকপা, ১৯৬৪), ১২) মাইকেল মধুসূদনদত্তগী *মেঘনাদবধ কাব্য*(হন্দোকপা, ১৯৬৪), ১৩) সেক্সপিয়াবগী *ডি রেপ ওফ ল্যুক্রেসি*(হন্দোকপা, ১৯৬৫), ১৪) *অশৈবগী নিংতাইপোদ*(শৈরেং, ১৯৭৬, সাহিত্য অকাদেমী এবার্দ ফংই), ১৫) *অশৈবগী শৈরোই* (শৈরেং, ১৯৭৯), ১৬) *অশৈবগী জয ভাই* (শৈরেং, ১৯৭৮), ১৭) *বিদায অশীর্বাদ* (শৈরেং, ১৯৭৯), ১৮) *পুনশিগী শক্তম* (মশাগী পুন্সি ব্বারী, লাবোন অমা, ১৯৮০), ১৯) *সনরিকপরেং* (শৈরেং, ১৯৮১), ২০) *পুনশিগী শক্তম* (লারোন অনী, ১৯৮২), ২১) *শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যদেব* (পুন্সি ব্বারী, ১৯৮৬) অমসুং ২২) *য়াচঙ শৈরোল থম্মিন তেংথা* (শৈরেং, ১৯৯৫) অসিনচিংবা। মানা ফোঙলম্বা লাইবিকশিং অসি মুন্না নৈনববা মতুংদা, অতৈ খূদোল কয়া নাথৈদুনা থন্নগা, মহাকপু অচৌবা কবি অমনি হায়দবা ঙমদে। কবি মীনকেতন যাম্না বোমান্টিক ওইবা নুংশিবগী কবিনি। মঙোন্দা হিউমেনিজমগী অনাংবা ব্বাখল যাওবি। মিৎয়েং থৌববা সমালোচক অমা ওইনা মাগী অচৌবা মফম

অমা কন্দুনা লৈবি। ভাষা বিজ্ঞানগী মবমদসু খূৎমাবা অমা ওইনা মণিপুরী ব্যকরণগী মবমদা থিজিনবা হৌবম্মী। মশাগী পুন্সি ৱাবী ইবা খূৎমাবা অইবা অমনি। মমাবোল অমসুং মজাতিবু খৈনা নুংশিজবা কবি অমনি। ৱাবেংগী সাহিত্যদা মাগী তোপ্পা ফজবা শৈলী অমা খূদোল তৌবম্মী। মণিপুরী লোলবু ফজনা, হৈ-শিংনা শীজিন্নবা ঙম্বা, লোলশেম কযা শেমদুনা চাংযেং তৌবম্বা, লোলগী মশিন্নদা অৱাংবা থাক অমা যৌনা পুখৎলম্বা অইবা মীনকেতন্নি। ২০ শুবা শতাব্দীগী অনৌবা মণিপুরী সাহিত্য শেমগৎপীবল্লিবা অইবশিংনা নৈনবিবা মকওইবা হীবম - থীম অসি কর্বিনো? মখোয অযাম্বনা যেন্নিং চোংলকপা আশাগা লোযননা হীবম কযাদা খূৎ থাবম্বা ঙাক্তনি। মখোযগী মপূংওইবা মিৎযেং অমসুং নৈনবিবা হীবমগী মতাঙদা ঐনা অসুম্না মতাঙ অমদা ফোঙদোকচখি —

> ২০ শুবা শতাব্দী হৌগৎলকপা তামফম অসিদা, মাযকৈ কযাদগী ফুজিল্লকপা ঈথিল অমসুং প্রভাবনা যৈবদা হীবম কযাদা মীৎকপ থোক্লক্তুনা কুমগী নোংহৌগী ঈবিক ফ বদা হৈপোল-লৈপোল খিবিক্না নৌহৌনা মযোন চোংদুনা তগৎ তগৎ লৈশাৎ ত্নকপগুম অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যনা অনৌবা ৱাখল, মীৎযেং আশাগা লোযননা মশাগী শক চ তীক ঙালগা লোযননা চোংথাক্লকখি। মতম কুইনগী তু দা লাক্লিবা মণিপুরী সাহিত্যগী অপুনবা মশক্তি যাম্না ৰোমান্টিব অমসুং আর্দশ ওইনা মৈবোক মজাতি মমাবোল নুংশিবগী বাখল ফোঙদোকপা মনবতাগী ওইবা মীৎযেংদগী মীওইবগী মমল লেপ্পা অমসুং হেন্না ৱাংবা পূক্নিংগী পান্দম থিবা বৈষ্ণব দর্শন অমসুং মীৎযেং ফোঙদোকপা মণিপুরগী লৈজবল্লিবা থাযনগী ফজবা অবিবা জগৎ মশাগী কৃষ্টি উৎপা অৱাংবা মখলগী আর্দশ ওইবগা চরিত্র অমসুং নুংশিবগী শকলোন উৎপা ইতিহাস অমসুং মিথোলোজিগী ৱাবীশিংদা যুম্ফম ওইবা ৱাবী কযা ইবকপা লোল অমসুং মফোঙদোক্তা চাংযেং কযা তৌবা, বাংলা সংস্কৃত অমসুং নোংচুপকী সাহিত্যগী প্রভাব তাবা অতোপ্পা লোলগী সাহিত্য কযা মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা অসিনচিংবনি। চাউবা কমল অঙাংহলগী যুগ মণিপুরী সাহিত্যদা বিনসাঙ্গ অমসু মসিগী মমল লেপ্পা
>
> *(মণিপুরী সাহিত্যগী মমল লেপ্পা ২০০০ লা ১০৮)*

খূৎমাবা অইবশিংনা পাখৎলল্লিবা অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী হীবমশিং অসিদা, খুদম ওইনা মথক্তা পল্লিবা মৈবাক মজাতি মমাবোল নুংশিবগী ৱাখল ফোঙদোকপা অসিদা লৌখৎলগা কবি মীনকেতনগা অতৈ খূৎমাবশিংগা খেন্নবিবা মশক অদু নৈনবা যাই।

অনৌবা মণিপুরী সাহিত্য শেমগৎলম্বা খূৎমাবা অইবশিং পুম্নমক মমাবোল অমসু মজাতিবু নুংশিবা ঙাক্তনি। মখোযনা মখল মখা কযাদা মমাবোল অমসুং মজাতিবু শৈথাবা শৈবেং কযা খূদোল তৌবম্মী। মসিগী মবমদা ঐনা মতাং অমদা ইজখি

"নৌহৌননা মীকপ থোক্লকপগী মতমসিদা মাঙলুরবা মপা-মপুগী লনগে নৌহৌননা ফংবগুম অমদি মতম কুইনা মীরায়রুরবা মমারোল অমসুং মজাতিগী পুক্কেবু অহানবা ওইনা উবা ফংবগুম য়াম্না খোয়রাঙবা থম্মোয়গা লোয়ননা, ফজবা থিবগী খোঙচৎ অমদা অইবশিং অসিনা চঙশিনখি। শক্লক্লিবা য়াকায়রোল অসি য়াম্না তেংথা - নাওইবগী খোঙ্গেন্নি, থম্মোয় চাকপগী, নীংঙমদবগী, তকশী শোনবগী শৈথানি। মাঙঙুরবা মগুণ, মঙাল তপ্পা খঙজরকই। ... মমা পোক্লফমগী অনৌবা শক্তম উবদা মমা লৈবাক্কীদমক্তা খোঙ্গেল বাংনা শৈথাই, মখল-মখা কয়াগা লোয়ননা লৈশি - লৈথোম্লি। ... মরৈবাক মমারোল অমসুং মজাতি নুংশিবগী ঈহৌ অসি খুৎমাবা অইবশিংনা উৎলম্বা খ্বাইদগী মরুওইবা সাহিত্যগী শক্তমনি।"

(*মণিপুরী সাহিত্যগী মমল লেপ্পা*, লা. ১১০)

মরৈবাক নীংবগী শৈরেংদা খুৎমাবা কবিশিংগা কবি মীনকেতনগা খেন্নবা মশক উবা ফংই। অতৈ খুৎমাবা কবিশিংনা মরৈবাক মনমদমগী মপানগী ফজবা শক্তমবু থম্মোয় পেন্না অমসুং পূক্নিং হুনা শৈথাজবনি। মখোয়গী শৈরেংনা ঐখোয়গী পূক্নিং শুন্দাৎপা ঙম্মী। অদুগা কবি মীনকেতনগী মরৈবাক নুংশিবগী মশক, ব্রাখল অমসুং মিৎয়েং অসিদি অধ্যাত্মিক্কী থাক য়ৌনা কাখৎপা ঙম্মী। কবি শ্রীবীরেন্না হায়- "মমা লমদম্বু অসুক য়াম্না য়ৌশিন্না উবা ঙম্বা, নুংশিবা ঙম্বা কবি অমা হৌজিকফাওবদা ঐখোয়না থেংনদ্রি। চাউরবা দর্শন অমগসু শাগোন্নরি।" (*অশাংবম মীনকেতন সিংহগী খ্বাইদগী ফজরবা শৈরেং*, 'ব্রাহৌদোক', (লা. XIX) কবি মীনকেতন্না মমা পোক্লফম লমদমবু লাইরেম্বীগী থাক্তা পূখত্তুনা অবাংবা অধ্যাত্মিক্কী মিৎয়েং অমদা শাগৎলকই। মসিগী তত্ত্ব অসি কবিগী পুন্সিগী অরোয়বা খুদোল ওইনা থম্বিরম্বা *য়াচঙ শৈরোল - খম্মিন তেংনা* (১৯৯৫) কৌবা লাইরিক্কী 'পোক্লরমদর্শন' হায়না মিংথোনবা শৈরেংশিংদা ময়েক শেংনা উবা ফংই। মসিগী মতাঙদা কবি নীলকান্তনা হায় - "কবিগী অরোয়বা শৈরেং 'পোক্লরমদর্শন' হায়বসি মমা লমদম, মণিপুরদা কৎচবা মহাক্কী পুন্সিগী শ্রাদ্ধাঞ্জলীনি। ... মমা লমদমবু অরোয়বা মীৎফমদা য়েংজবগী অয়ৌবা মশক্কি।" ফজরবা ইমেজরি, কল্পনা, ব্রাহে-ব্রাতাগা লোয়ননা পোক্লফম লমদম্বু নুপী শক্তম অমসুং ইমাগী মূর্ত্তি ওইনা উরকই।

কবি মীনকেতন্দা লৈরিবা 'ইমা' গী শক্লোন অসি তান্ত্রিক সাধনাদগী ন.াকপা, অব্রাংবা দর্শনগা শাগোন্নবা মশক অমনি। জগৎ শৃষ্টিগী মরুওইবা থৌদাং পুরিবী জগৎ পোকপী ইমাগী শক্তিগা পূন্নমক্তা শন্নখিদুনা কবিগী মমিত্তা জগৎ অসি, জগৎ পোকপী ইমাগী প্রতীক ওইনা উরকই। অদুনা পোক্লফম লমদম মালেম ইমাবু জগৎ পোকপী ইমাগী অউবা মশক্কি হায়না লৌই। অপোকপী ইমাবুনা পোক্লফম ইমাগী অচেৎপা মশক্কি। নুপী খুদিংমক ইমাগী শক্তন্নি। জগৎ পোকপী ইমাগী শক্তম ওইরিবী মণিপুরবু কবিনা থম্মোয় নুং-ফুক্কা নুংশিজখি।

অমবোমদা অমুক, কবি মীনকেতনগী মমা লৈবাক নুংশিবগী, ইমা নীংবগী লাইনীং অমসুং সাধনা অসি বৈষ্ণব ধর্ম্মনা মচু শংলবা তত্ত্ব অমনি। পোক্নফম ইমাগা ইমা লৈমবেনগা হিন্দুগী দূর্গাগা চণ্ডীগা, কালিগা অমত্তনি হায়না লৌই। হিন্দু অমসুং বৈষ্ণব লাইনীংগা লৈবিবা দেবী উপসনাগা ইমা লৈমবেনগী লাইনীংগা অমত্তনি হায়না লৌই। যাম্না পাকপা, ভাবতর্কী লাইনীং অমসুং দর্শনগা শাগোন্নববা মশক অমনি। অদুনা মতাং কযাদা ভাবত মাতাবু [illegible] শৈথাবন্মী। *বসন্ত শৈবেং* দগী মথং মথং শাগৎলকপা, দর্শনগা শাগোনবকপা ইমা লৈবাক্কী অধ্যাত্মিক্কী বাখল্লা যোম্লবা ফজববা মূর্ত্তি অমনি। কবি মীনকেতনগী দর্শন অমসুং অধ্যাত্মিক তত্ত্বগা শাগোন্নবা মশক অসি অতৈ খূৎমাবা কবিশিংদা থোইনা থেংনদে।

কবি মীনকেতন মৈতৈবোলগী মবমচৎ মুন্না খঙবা, লোল অসি ফজনা, মওং তানা শীজিন্নবা ঙম্বা, লোনশূহৈবা লোলগী গুরু অমনি। যাম্না হৈনা, চেৎশিন্না, মুন্না খঙনা অনৌবা লোনশেম কযাসু শেম্বা ঙম্মী। মণিপুরী লোলগী মতাংদা অতৈ খূৎমাবা অইবশিংগা মীনকেতনগা খেন্নবা অমদি কবি মীনকেতননা হওইনা শীংনবা অমগা লোয়ননা অমসুং ভাব তানা 'অশেংবা মৈতৈবোল' শীজিন্নবগী ঈহৌ অমা শাগৎলম্মা অসিনি। 'অশেংবা মৈতৈবোল" হাযবিবসি বাংলা, সংস্কৃতনচিংবা মপানগী লোল, বাহৈ, লোনযান অমত্তা শীজিন্নবা তৌদনা অশেংবা মৈতৈলোন্না ইবা অমনি। মসিগী মতাংদা কবিগী পুন্সিদা চাউববা থৌদোক অমা থোকখি। রাজ্য সবকাবগী কর্মচারী ওইবন্দগী থবক্কুগী বিজাইন তৌববা মতুংদা চহী কয়া লংফৈদা চত্তুনা সংস্কৃত তম্নববা অমসু প্রাইভেট স্কুল কযাদা ওঝা ওইববা মতুংদা অমুব খৃ কু ১৯৪৭ তা সবকাবগী থবক্তা চঙই সবকাবগী স্কুল ওইবিবা জোনষ্টোন স্কুলদা ওঝা ওই। মতমদুদা মহোন্দগী চহী ১০ হৃনবা কবি চাউবসু ওঝা ওইবি। ওবা মযাম বাবা শাবদ লোন অতৈগী মতৈ মাওদনা লাইবিক ইবদি হায়নু চিটি অমা ফাওবা ইবা এম্মোই হায়না সোঙদোক্নববকপদ কবি মীনকেতনগী হ [illegible] শোকহি, তুমিন্না তাদুনা লৈখি। অদুবু মপূর্ক্কিদদি [illegible] অমা মতৈ [illegible] [illegible] ভাগী তান লাইজিং লেখ্রী [illegible] [illegible] [illegible] তসি মাগী তান লাইজি [illegible] বাহৈলোন্ [illegible] মতাংদা বাংলা অহানবা মশী, অংক [illegible] জানুবারী ১৯৬৩ দগী [illegible]) [illegible] বাংলা সাহিত্যদসু বাংলাদা অমিত্রাক্ষর ছন্দ [illegible] হায়না খন্নবন্মী। অদুবু থোক্লকখি মাইকেল মধুসূদন দত্ত অদুগা মানা হৈবর্কখি *মেঘনাদবধ কাব্য* থোক্লকখি বাংলা কবিতাদা অমিত্রাক্ষর ছন্দ (Blank Verse) ওইথোক্লববু ওইহনবা ঙম্বা মতৌক মথৌনা লৈবা, প্রতিভা চেনবা কবি থাক্লক্তবা নত্তে, মবক মনক্তা হেক তেন থোক্লকতে। মাইকেলগুম মণিপুরী

সাহিত্যদসু থোক্লকখি কবি অশাংবম মীনকেতন, মানা খূদোল তৌরকখি অশেংবা মৈতৈলোল *নোংগূম্লকখোদা*দা ইরি -

"য়াম্বা অশৈবা
চৈজিং খূমাবা
নোংগূমনিঙায় ওইদবরা
নোংগূম্লকখোদা!
হাদ সনা পূঁঙয়োল
পলেম নুংশিকোলোয়নু
তেংথানিঙায় ওইদবরা
তেংথারখোদা!"

(*সনরিক-পরেং*, লা. ৯২)

শৈরেং অসি পারগা কবি চাউবনা মিত্রা পিগী ঈরা চেল্লদুনা হায়খি - "নহানমখৈ ঐখোয় ময়াম্না হোৎনরম্বদু ইরাই লায়না মীনকেতননা ফোঙদোক্লে।" অমুকসু য়েংবিয়ু *তোনু লাইজিংলেম্বী* ড্রামাদা পাম্থোইবীনা হায়বা মতাং অমা -

"হে অপাম-নুংশি!
খয়ুম লাইসু খঙদে,
নমু তাইবং মীসু থীদে,
নঙ্গী লাংদা তাদননিঙাই লৈতে —
তাথ্রবদি লাম্থোক্লিঙাইসু ফংদে।
ৱারেদ খোয়নৌ ফৌওইবী —" (লা. ৪)

কবি মীনকেতনগী লোল শীজিন্নবা হৈবা, লোনশেমগী ফজবা মহাউ অসি মাগী অনুবাদকী লাইরিকশিং - *গীতাঞ্জলি, ল্যুক্রেসি ফম্লানবা, মেঘনাদবধ কাব্য* অসিদসু নীংথিজনা উবা ফংই। *তোনু-লাইজিংলেম্বী* দগী হৌরগা মথং মথং ওইনা *ঙাঙৌয় পরেং* নচিং লাইরিক মথং মথং ফোঙলক্কুনা মৈতৈগী সভ্যতা, কলা, কৃষ্টি, ইথোজ তাকপা সাহিত্যগী পূক্কে অমা শাগৎপগা লোয়ননা মৈতৈলোল অশেংবা, ভরাংবা থাক্কী ফজরবা লোলগী পূক্কে অমা শাগৎলম্মী। মখা তারকপদদি কবি মীনকেতননা অমুক বাংলা, সংস্কৃত য়ানবা মৈতৈলোল শীজিন্নরকখি।

মণিপুরী সাহিত্যদা লোলগী চাংয়েং তৌরম্বা খূৎমাবা কবি অনীদি হিজম অঙাংহল অমসুং দরেন্দ্রজিৎনি। অঙাংহলনা মৈতৈলোলগী প্রমাণ-পাম্থে, ইপা-ইপুনা শীজিন্নরম্বা

লোলশিং শীজিন্নদুনা ইরকই, অনৌবা ইদিয়ম অমা শাগৎলম্মী। অদুবু লোনয়ান চণ্ডদ্রবা "অশেংবা মৈতৈলোল" অদুদি নত্তে। দরেন্দ্রজিৎনা চাংয়েং তৌরম্লিবা অদুসু সংস্কৃত লোলগী মফোঙদোক অদু মণিপুরীদা পানশিন্দুনা চাংয়েং তৌরম্বনি - "অশেংবা মৈতৈলোল" হায়বদু ওইখিদে। কবি মীনকেতননা পেনাগী শৈহেক্তা, অরি-অনৌ ৱাহৈ শীজিন্নদুনা, কবিতাগী মহাউ পীবা ঙম্বা, ইমেজরিনা থল্লবা, প্রমান-পাঙ্থে শাগোন্নরবা মৈতৈলোলগী মশিন্ন, খুৎশেম অমা খুদোল তৌরম্মী। য়াম্না তাঙলবা অমসুং মগুণ লৈরবা খুদোল অমনি হায়দবা ঙমদে।

মীনকেতন্দি কবি অমসুং ভাষা তত্ত্ববিৎ অমা ওইবদ নত্তনা পণ্ডিত অমসুনি। খুমাবা অইবশিংনা শৈরেং, উপন্যাস, নাটক, মহাকাব্য, খণ্ডকাব্য, ৱারীমচা, রচনানচিংবা সাহিত্যগী লৈচল কয়াদা খুৎ থারম্মী অমসুং হান্না লৈরমদবা সাহিত্যগী লৈচলশিং অসি শেমগৎনবা হোৎনবম্মী। খুৎমাবা অইবশিং পূন্নমক শীংথানবা যানা, মশাগী তোপ-তোপ্পা মগুণ অমসুং কলাগী হৈ-শিংবা উত্তুনা অইবা অমা ওইনা চপচানা লেপখিবা ঙাক্তনি। মখোয খুদিংমক্কী মমল যাম্লবা দান লৈ, তোপ-তোপ্পা শক্তমসু লৈ। অদুবু খুৎমাবা কবিশিং অসিদি পণ্ডিত অমা ওইবদি ঙমখিদে। কবি চাউবনা সাহিত্যবু মশক খঙনবা হোৎনবদা নৈনবা বাবেং খরা ইরম্মী। মদু অঙনবা মতমগী সমালোচনাগী মশক অমনি। মানা কবি, কাব্য, মহাকাব্যনচিংবা মশক তাক্লবা হোৎনরম্মী। মিৎয়েংদি ভারতকী অলঙ্কাব শাস্ত্রদগী যেংলকপনি। অদুবু হীবম অসিদা মখা তানা চণ্ডশিল্লমদ্রে। সমালোচনাগী মপুং ফাবা মিৎয়েং অমসুং নৈনবগী মশক্তি মীনকেতনগী *মৈতৈ উপন্যাস* (১৯৫০) তা উবা ফংই। লাইবিক অসি মণিপুবী সাহিত্যগী মপুং ফারবা, অহানবা ক্রিটিসিজমগী লাইরিক্লি হায়না লৌবা য়াই। মসিগী মথক্তা কবি মীনকেতননা মৈতৈগী অরিবা ইতিহাস, সংস্কৃতি, লেজেণ্ড, মিথোলোজিনচিংবগী মফমদা নৈনরম্মী অমসুং মসিগী মরমদা ৱারেং কয়া ইরম্মী। কবি মীনকেতননা উৎপা পামখি - মৈতৈ হায়বা অসি য়াম্না লিরবা অমসুং চাওখৎলবা জাতি অমনি। মিৎযেং কয়াদগী গ্রীক্কী সভ্যতাগা মৈতৈগী সভ্যতাগা চাংদম্নবা হোৎনরম্মী। মহাক ভাবতকী ধর্ম্মশাস্ত্র অমসুং বৈষ্ণব দর্শন মুন্না খঙবা অমসুং নৈনবা মীশক অমনি। মৈতৈগী অবিবা সাহিত্যসু নৈনরম্মী। অদুগা মৈতৈগী লাইনীং, সাধনা, কৃষ্টি অসি অপুনবা ভারতকী পবম্পরাগী মনুংদা লৈবা অদুগা করিগুম্বা হীরম অমত্তদসু নোপত্রবা, অৱাংবা থাক্কিনি হায়বসি তত্তনা উৎনবা হোৎনরম্মী। অশাংবম কবি মীনকেতন পণ্ডিত অমনি হায়দবা ঙমদে।

কবি মীনকেতনগী ৱাবেং-সাহিত্য অসি ঐখোয়না মীরায়বা য়াদে। ৱারেং সহিত্যদা মীনকেতননা চাউরবা মফম অমা কন্দুনা লৈরি। ৱারেং সাহিত্যগী মনুংদা মশানা ইজবা

পুন্সিগী ৱারী (Autobiography) *পুনশিংগী শক্তম* (লারোল অমা, ১৯৮০ অমসুং লারোল অনী ১৯৮৩) অসি থোইদোক্লা শীংথানবা য়াই। মরমদি, খূৎমাবা অইবশিংনা মশাগী পুন্সি ৱারী ইরমদে। লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল্লা মশাগী পুন্সি ৱারী *জীবন চরিত* (১৯৭৫) ইরম্মী। অদুবু সাহিত্যগী মহাউ হাপ্লা ঙমদবা খূৎই অমা ওইনা অদুম লৈখি। মীনকেতনগী ওটোবাইওগ্রাফি অসিদা শৈরেংগী মহাউগা কোন্ননা, মশাগী পুন্সিগী মরমদা ইবগা লোয়নননা, মণিপুরী ইতিহাস অমসুং সংস্কৃতিগী কান্নরবা হীরম কয়াদসু ইরি। মণিপুরী কলচরেল হিষ্টিরীগী কান্নরবা মচাক কয়া য়াওরি। অনীশুবা লাঞ্জাউ মমাঙগী মণিপুরী পুন্সি অমসুং সমাজগী মশক অমদি ময়েক শেংনা উৎপা ঙম্মী। আত্মাকথা ইবগী কলাদা অশোয়বা খরা লৈরবসু মরু চঙবা, ৱারেংগী ফজবা উৎপা ঙম্বা লাইরিক অমনি হায়দবা ঙমদে।

মীনকেতনগী সাহিত্য মখল মখা যাম্মী অমসুং য়াম্না পাক চাউই। মাগী ৱাখল অমসুং মিৎয়েং য়াম্না পাকই - নোংচুপ অমসুং নোংপোক, ভারত অমসুং মৈতৈ লোইনা কোল্লে। মাদি অরি অনৌগী লংদাইদা লেপখিবা যুগ পুবা খোর্জে শূবা অমনি। মণিপুরী সাহিত্যগী রিনেস্যান্সগী খোঙফমদা নোক্লকখিবা খূৎমাবা অইবা অসিগী খূৎইশিংদা ফোঙদোক্লক্লিবা হিন্দু, বৈষ্ণব অমসুং মৈতৈগী কৃষ্টিগী নুংগী মান্নবা শক্তমশিং, ৱাখল অমসুং মিয়েং অসি মমল য়াম্লবা খূদোল অমনি। মমারোল, মজাতিগী কৃষ্টিবু অসুক য়ৌনা, লুথনা, মনুং থীৎনা, থম্মোয় ফুক্লা নুংশিবা ঙমখিবা কবিগী থম্মোয়গী মশক কন্নানা শৈথাবা ঙমগনি। মাদি মণিপুরী সাহিত্য শেমগৎলম্বা খূৎমাবা অইবশিংগী মনুংদা তাঙলবা মণি অমনি। মহাক মণিপুরী সাহিত্যগী অতিয়াদা মতম পূন্নমক্তা অরংবা থবামিচাককুম ঙান্দুনা লৈরগনি। অনৌবা মণিপুরী সাহিত্য শেমগৎলম্বা কবি মীনকেতনগী অবদান য়াম্না চাউই। ❑

কবি মীনকেতন ঃ মাগী মতমগী সাহিত্য

ডা শরতচন্দ্র লোঙ-জোম্ব

বাহৌদোক ঃ

মণিপুরী সাহিত্যদা ১৯ শুবা চহীচাগী অরোয়বা অমদি ২০ শুবা চহীচাগী অহৌবা অসিদা থোইদোক্লা সাহিত্য অমদি নাট্য কলাদা শীংথানীংঙাই ওইখিবা কবি অমদি নাট্যকার কয়া পোকখি। সাহিত্যকার কয়াসু পোকখি। পনবা যাবা খবদি কবিরত্নদা হিজম অঙাংহল (১৮৯২ ১৯৪৩), হিজম ইরাবত (১৮৯৬-১৯৫১), ডা কমল (১৯০০ ১৯৩৪) অরাম্বম দরেন্দ্রজিৎ (১৯০৭-১৯৯৪), সাহিত্য রত্নদা খ্বাইরাকপম চাউবা (১৮৯৫ ১৯৫০) মোইরাংথেম চন্দ্রসিংহ (১৯৯৫ ১৯৭৬), হবাইবম নবদ্বীপচন্দ্র (১৮৯৭ ১৯৪৬) নাটাকারদা লাইরেমযুম ইবুংঙোহল (১৮৯৫-১৯৬৬), সোরোখাইবম ললিত (১৮৯৩ ১৯৫৫) হাওবম তোম্বা (১৯০৮ ১৯৭০) অমদি সাহিত্যকারদা চিঙাংবম কালাচান্দ শাস্ত্রী (১৮৯২ ১৯৯৬) সিংহ কৃষ্ণমোহন (১৯০১ ১৯৮৬) অমদি কবিদা নাউরেম শান্তা (১৮৮৮ ১৯৪১) অমসুং শীজৎ (বাগ্যচন্দ্র ১৯০৮ ১৯৫৫) নচিংবা। মসাগী মতম থোইদোক্লা কবি অমদি সাহিত্যকার অমা ওইনা শকখঙনখিবা কবি মীনকেতন (১৯০৬ ১৯৯৫) গী মফম-মণিপুরী সাহিত্যদা বাংনা লৈরি। রোমান্টিক কবি অমা ওইনা সাহিত্যদা খোঙদাবা হৌনকখিবা অমদি রোমান্টিক কবি অমা ওইনা পুন্সি লোমখিবা কবি মীনকেতননি। মাগী সাহিত্যদি মপাল নাইদে। মানা শোক্লমদবা সাহিত্যগী বিধা হায়রিবু উপন্যাস অমদি বাবী মচাগী কলা অসিদ দান। মণিপুরী সাহিত্যগীদমক্তা পি তাবা, উমাইবা অমদি মণিপুরী সাহিত্যগীদমক্তা পুন্সি লোম্পা ফাওবা থৌদাঙ যাবা ঙমখিব কবিদি মীনকেতননি। কবি চাউবগুম মানবে তনগীসু থৌনা লৈ। ডা কমলগুম মণিপুরী শৈরেং অমদি ড্রামাদা কখোকপা ঙম্মা। মণিপুরী সাহিত্যগীনিবু হাযববদি মাগী অবদান পীনবা লাক্লে। মাগুম্না মণিপুরী সাহিত্যদা মাযপুন্না থৌদাঙ যাবম্বা অইবা যাম্না তাংলি। মাদি ওঝা ওইনা হৌবক্লগা ওঝা ওইনা মপুন্সি লেনখিবনা মহৈরোযশিংগী অরাৎপা খঙই। মণিপুরী সাহিত্যগীসু অরাৎপা খঙই। অরাৎপশিংসি মেনশিন্নবা হোৎনবদা তুম্বা চাবা খঙখিদে। অঙনবা মতমগী থৌদাঙ যামিন্নবম্বা কবিশিং ময়ুরধ্বজ, চাউবা, ইরাবত, কমল,

দবেন্দ্রজিৎ অমদি নবদ্বীপচন্দ্রনাচংবনা ইং ১৯৫৫ দা মমাঙদা তাইবঙপান থাদোকখ্রবদা কবি মীনকেতন্না মণিপুরী সাহিত্যগী যুগ অমা যুম্বী ওইদুনা লেপ্তুনা লৈহৌই। মতমদুদা মাগী মতেং পাংবা নহা ওইবিবা কবিশিংস্তু খোনন্দবি। বা কু শীতলজিৎ (১৯১৩-), বা কু সুরেন্দ্রজিৎ (১৯২৫-১৯৮২), খুমন্থেম ইবোহল (১৯২৪ ১৯৮৮), এলাংবম নীলকান্ত (১৯২৭-২০০০) অমদি শ্রীগুরুমযুম নীলবীর শাস্ত্রী (১৯২৭-২০০৫) নচিংবা। ঙসিদি মণিপুরী সাহিত্য লাইববী সাহিত্য ওইদ্রে।

কবি মীনকেতন ঃ মাগী মতমগী কবিশিং (১৯৩১-’৪০)

কবি মীনকেতন্না মতম অমদা মণিপুরী সাহিত্যগীদমক্তা তেংথাজবম্মী

ইমাবোন্না যাওনঙৈ যাকৈ থৌগন্নিন্নবা
ঐখোয মঙাদংদদা নখোয অহুম চংলবা।
অমদৌবে মাঙখবে চৈজিং থাবম চীংনুংদা,
ইদোম তবক যুংহৌবা চৈজিং ঐখোয মঙাদা। (১-৫)
লৈহৌবেদো চংলোকো (ইবা ঃ ৯/১১/৫০)

ঙসিদি মণিপুরী সাহিত্যদা শৈরেংগী পূক্কে হন্না লৈবে। কবিগী মশীং বাংপা লৈতবে। লৈ মা লা মগী মৈত্রবাকসি কবিগী পোক্কফম লমদম ওইবক্রে। মতাংসিদা কবি চাউবগী পাং. গা হাপা তাববাদ

লাইববী ইরোল
খঙদবনা হায়বদা
মৈতৈ কবি লাকখিনি। (৩৮ ৪০)
* * *
মপুগী থৌজাল ফংলবা
অসিগুম্বা লমদমসে
কবিগী পোক্কফমনিদা। (৬৯-৭১)
মৈতৈ কবি (ইবা ঃ ১৯১৮)

অদুবু ২০ শুবা চহীগী অঙনবা মতমগী মণিপুরী শৈরেংগী পোথোক্তি যাম্না তাংলম্মী। খুৎ থেক্তুনা পাবা যাবা কবি খরগী শৈরেংগী লাইবিক্লা অথোইবনি। ইং ১৯৩১ দগী ১৯৪০ ফাওবগী চহী ১০ গী ডিকেড অসিদা খুত্তা কলম পাযদুনা শৈরেংগী লাইবিক ইবম্বশিংদি চাখম মযুরধ্বজ (১৮৮৮-১৯৪৩) গী *শৈরেং অনৌবা* (ইবা, ১৯২৯, ফোওবা, ১৯৩১), হিজম ইবাবত (১৮৯৬ ১৯৫১) গী *শৈদম শৈরেং* (ইবা, ১৯২৯,

ফোঙবা, ১৯৩১), ডা কমল (১৯০০-১৯৩৪) গী *লৈপবেং* (ইবা, তমেঙ্গ্লোঙ, ১৯২৯, ফোঙবা, ১৯৩১, নম্ফম, স্টেট প্রিন্টিং প্রেস), কবি চাউবা (১৮৯৫-১৯৫০) গী *থাঙ্গৈনগী লৈবাং* (১৯৩২, নম্ফম, স্টেট প্রিন্টিং প্রেস), নাউবিযা ফুল্লো (কাছাব, ১৮৮৮-১৯৪১) গী *অথোইবা শৈরেং* (১৯৩৫) অমদি শ্রীযুৎ বোধচন্দ্র (১৯০৮-১৯৫৫) গী *শীঙেল নাচোম* (১৯৩৯) নচিংবনি। পুন্নমকসিগী মথক্তা কবি মীনকেতনগী *বসন্ত শৈরেং* (ইবা, ১৯২৮, ফোঙবা, ১৯৩৩) সু পনবা যাই। কবি অসিনা ইং ১৯২৮ দা সিলেট্টকী মুবাবীচাঁদ কলেজ (১৮৯২) দা আই এ তম্লিঙৈদা ইথিবনি। ইং ১৯৩৩ দগী হৌবগা ইং ১৯৫০ ফাওবা আই এ গী মণিপুৰী বিষযগী টেক্সবুক ওইনা কোলকত্তা যুনিভর্সিটি জানুৱাবী, ১৮৫৭ গী মখাদা তম্নবম্মী। কবি অসিনা মণিপুৰীদা 'শৈরেং' হাযবা বাহৈ অসি শীজিন্নবা হানবতা নত্তনা অনৌবা মণিপুৰী শৈরেংগী ঈচেলদদি মপুং ফাবা শৈরেংগী লাইবিক অমা (শৈরেং - ৬৭ যাওবা) ইবা অহানবা কবিনি হাযনীংই। কবি অসিগী *শৈরেং খুজোক* (ইবা, ১৯২৮) হাযনা মমিং থোনবা শৈরেং লাইবিকসি ফোঙলম্লবদি মণিপুৰী শৈরেংগী মশক অমা লেপ্লমগদবনি। খূৎই-লাইবিক অসি অনীশুবা লাঞ্জাও মনুংদা মাঙখ্রে। কবি অসিগী *শৈরেং খুজোক* (ইবা, ১৮২৮, ইন্টবমেদিযেৎটকী টেক্স বুক ওইনবা কলকতা যুনিভর্সিটিগী ষ্টেন্দিং কমিটিদা থাগৎখিবা, অনীশুবা লাঞ্জাও মনুংদা খূৎইসি মাঙখ্রবা) খূৎই লাইবিকসি মতম চানা ফোঙলম্লবদি মণিপুৰী শৈরেংগী মশক অমা লেপলমগদবনি। ঐখোযনা মহাকবিনি হাযনা শকশোন্নবিবা কবিবত্ন হিজম অঙাংহল (১৮৯২-১৯৪৩) দি মাগী খণ্ড কাব্য *শী'ঙল ইন্দু* (ইবা, ১৯৩৬, ফোঙবা, ১৯৩৭ নম্ফম, গোভর্নমেন্ট প্রেস) অসি নত্তনা [illegible] শৈরেংগী লাইবিক অমত্তা যোঙদ্রি। অসিদসু নত্তনা, সাহিত্যবত্ন হওাইবম নবদ্বীপচন্দ্র (১৮৯ ১৯৪৬) গীসু শৈরেংগী লাইবিক ফোঙদ্রি। কবিবত্ন, অবাম্বম দবেন্দ্রজিৎ (১৯০৭ ১৯৪৪) গী মহাকাব্য, *কংসবধ* (ইবা, ১৯৩৫-৩৯, ফোঙবা, ১৯৪৫) ইবা লোইশিনবদা ঙাইবি। মদুনা কবি মীনকেতনদি মণিপুৰী সাহিত্যগী শৈরেংগী ঈচেলদদি লমযানবা অমদি খূৎমাবা কবিশিং মযুবধ্বজ, ইবাবত, চাউবা অমদি ডা কমল নচিংবা কবিশিং অসিগা সাহিত্য থৌগনমিন্নবদা যাওবক্লবনি হাযবসি অশেংবনি। অদুবু লাইবক থিবিবদি মণিপুৰী সাহিত্যকাবশিংনা শকখঙবিদ্রবা অঙনবা মতমগী কবিশিং নাউবিযা ফুল্লো অমদি শ্রীযুৎ বোধচন্দ্র - মখোযনীগী মফম মণিপুৰী সাহিত্যদা ঙসিফাওবা লৈত্রি।

কবি মীনকেতনগী সাহিত্যগী মতম ঃ

কবি মীনকেতনগী সাহিত্যগী মতম অসি তাঙ্কক অনীথোক্লা খাযদোক্লুনা যেংবা যাই। অহানবদা কবি মীনকেতনগী - **সাহিত্যগী অঙনবা মতম ঃ** ১৯২৬-১৯৩৬ ঃ (কবিনা মুবাবীচাঁদ কলেজ, সিলেট্ট (১৮৯২) দা মহৈ তম্লিঙৈ (১৯২৬ ১৯৩০) দগী হৌবগা

কবিনা মণিপুর সরকারগী থবক তৌরিঙ্গে মতম (১৯৩১-জানুৱারী ৩১, ১৯৩৬) অমদি *সীতা বনবাস* ফোঙবা (মে ২৫, ১৯৩৬) ফাওবা।

অনীশুবদা কবি মীনকেতনগী - **সাহিত্যগী অথেংবা মতম ঃ** ১৯৪৮-১৯৯৫ (কবিনা জোনস্টোন হায় ইংলিস স্কুল (১৮৮৫) দা আর্টিস গ্রেজুয়েট ওঝা ওইবা (জুলাই ৭, ১৯৪৭ - ওগস্ট ৩১, ১৯৫৫), ডি. এম. কলেজ (১৯৪৬) দা মণিপুরী লেকচরর ওইনা চঙবা (সেপ্টেম্বর ১, ১৯৫৫ - ওক্তোবর ১৭,-১৯৬৭) অমদি জে. এন. য়ুনিভর্সিটি সেন্টর, ইম্ফালদা মণিপুরী লেঙ্গুয়েজ এণ্ড লিটরেচর দিভিজনগী হেদ ওইবা মতম (১৯৭২-৩১/১২/১৯৭৫) অমদি কবিগী পুন্সিগী অরোয়বা নুমিৎ (মার্চ ৭, ১৯৯৫) ফাওবা।

জুন ১৯৩৬ তগী নবেম্বব ১৯৪৮ ফাওবদি-কবি মীনকেতনগী পুন্সিগা সাহিত্যগা লাপথোক্নবা মতমনি। হায়রিবা মতম অসিদা কবিনা কলম পায়দুনা সাহিত্যগী ওইবা পোথোক অমত্তা ইদুনা পুথোকপা লাখদে। মণিপুর সংস্কৃত পরিষদ, ইম্ফালগী থা/থাগী চেফোঙ, জ্যোতিগী সম্পাদক (*১বা মশিং, দিসেম্বর ১৯৪৮ দগী ১০ শুবা মশিং, সেপ্টেম্বর ১৯৪৯ ফাওবা*) ওইরম্মী। *জ্যোতি*গী সম্পাদক ওইবা হৌরকপদগী কবিগী সাহিত্যগী অথেংবা মতম অসি লাকপা হৌখি। ইং ১৯৪৯ দগীদি কবিগী সাহিত্যগী পূক্নেদা অচৌবা অবদান কয়া মথং মথং তৌদুনা লাকখি।

কবি মীনকেতনগী সাহিত্যগী অঙনবা মতম (১৯২৬-১৯৩৬) ঃ

মণিপুরী সাহিত্যদা কবি মীনকেতনবু অঙনবা মতমগী কবি অমা ওইনা শক্তাকখিবা তাঙ্কক অসি কবিগী *সাহিত্যগী অঙনবা মতম* (১৯২৬-১৯৩৬) গী মনুং অসিদনি। মসিদা কবিগী ওরিজিনেলিটি, ক্রিয়েটিভিটি অমদি পার্সন্যেলিটি অদু ময়েক শেংনা উবা ফংই। মতমসিদা লৈবাক্লা শকখঙনরবা কবি চাউবা, ডা. কমল, হিজম ইরাবত, চিংঙাখম ময়ুরধ্বজনচিংবগা শৈরেংগী কলাদা থাক মান্ননা লৈরম্মী। খ্বাইদগী নহা ওইরিবা কবিনা মাবু তাকপী তম্বীরকপা ওঝা চাউবগা, - ডা. কমলগা অমদি মতমদুগী দরবার মেম্বরশিং - ময়ুরধ্বজ অমদি ইরাবতনচিংবগা - সাহিত্য থৌগনমিন্নবা হায়বসি তরাই-তরাইবা থবক্তি নত্তে। অসিদা নত্তনা ড্রামাগী লমদসুনি। লৈবাক্লা শকখঙনরবা সোরোইখাইবম ললিত (১৮৯৩-১৯৫৫) - মাগী ড্রামাগী লাইরিকশিং *সতি খোঙ্নাং* (ইবা-শান্নবা, ১৯২৮, ফোঙবা, ১৯৩২) অমদি *আরেপ্পা মরুপ* (ইবা-শান্নবা, ১৯৩১, ফোঙবা, ১৯৩৬); লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল (১৮৯৫-১৯৬৬) গী *নবসিংহ* (ইবা, ১৯২২, শান্নবা, সেপ্টেম্বর ৩০, ১৯২৫, ফোঙবা, ১৯৪১), *বব্রুবাহন পোকপা* (ইবা, ১৯২৫, ফোঙবা, ১৯৩২) অমদি *য়ুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ* (ইবা, ১৯২৫, ফোঙবা, ১৯৭৫), ডা. কমলগী *দেবযানী* (ইবা, ১৯২৪, ফোঙবা,

১৯৮৪) অবাম্বম দরেন্দ্রজিৎ (১৯০৭-১৯৪৪) গী *মোইবাং থোইবী* (ইবা, ১৯৩৪, ফোঙবা, ১৯৩৭) অমদি *ভাগ্যচন্দ্র* (ইবা শান্নবা, জুন ১৯৩৯, ফোঙবা, ১৯৪৫), হিজম অঙাংহল (১৮৯২ ১৯৪৩) গী *ইবেম্মা* (ইবা, ১৯৩৬, ফোঙবা, ১৯৪৮), *পোক্তবী* (ইবা ১৯৩৯ ফোঙবা ১৯৮৪) অমসুং খুমনথেম মধুমঙ্গল সিংহ (১৮৮৭ ১৯৬২) গী *শ্রীকৃষ্ণ* (ইবা, ১৯৩৭ ফোঙবা, ১৯৬৬) নচিংবা ড্রামা ইবশিং অসিগী মবক্তা কবি মীনকেতনসু ড্রামা অনীথক ইবম্মী। ইং ১৯৩৩ দা ইখিবা ঐতিহাসিক ড্রামা, *ভাগ্যচন্দ্র*, মণিপুর ড্রামাটিক য়ুনিয়ন (১৯৩১) গী বঙ্গ মঞ্চদা চহীসিমক্তদা শান্নখি। মাগী অনীশুবা পোইটিক ড্রামা, *সীতা বনবাসনা* মে ২৫, ১৯৩৬ তা ফোঙখি। হায়বিবা ড্রামা অসি ঈশ্বরচন্দ্র বিদ্যাসাগর (১৮২০ ১৮৯১) গী *সীতার বনবাস* (Exile of Sita, ১৮৬০) গী এদাপটেসর্ননি। লোইবিক অসি খোমদ্রাম ধনচন্দ্র (থম্বৌ হায়রবগসু খঙনবা, ১৮৯৮-১৯৭০) গী মফমদা কবিনা পৰদিকেৎ তৌবি

খুড

নী সিংলিব্রা খ্রীষ্টগী কুমজা ১৯৩৬ জানয়ারীগী তাং ৩১, নচাগী জীবন তাবাগী অহানবা অস্ত নুমিৎ নহাক্কা নমিত্তাঙ্গীবা চেন্না বাবিখিবা। ঐনা শনিগী দশাদা বন লেঙ্খিবা, শাপ মথং মথং নং পুনশি পিরোয় পিখন্নখিবা শ্রীরামগী উত্তরজীবনগী *সীতা বনবাস* ই নাঙোন্দা উৎসর্গ তৌখিবা।

কর্থলি নচানা নৌহৈনা অমুক। লেচিল নোংথোঙ হাং খুৎফংননা লৌবরো লাউ।

নচা, ইমোতোম্বী

কবিগী অথেংবা মতম (১৯৭৮ ১৯৯৫) গী হৌবকপা ইং ১৯৪৯ দসু *তোনু লাইজিংলেম্বী* হায়বা ড্রামা অমসু ফোঙলম্মী। মদুনা মণিপুরী সাহিত্যগী ড্রামাগী লমদসু মীনকেতনগী অবদান যাম্না চাউই। তশেংনা হায়বা তাববদি লময়ানবা ড্রামা ইবশিংগী মবক্ত। মীনকেতনগী মফম অমা থম্বিবা দরকার ওইরবনি।

কবি মীনকেতনগী সাহিত্যগী অথেংবা মতম (১৯৪৮-১৯৯৫) ঃ

কবি মীনকেতনগী **সাহিত্যগী অথেংবা মতম** (১৯৪৮ ১৯৯৫) অসিগী মনুংদা কবিনা মণিপুরী সাহিত্যদা তৌবিম্বা অবদান অসি ঙসিগী মীরোল সাহিত্যকারশিংনা ওন্নমক খঙনরবা ঙাক্তনি। ইং ১৯৪৯, জানবারী ৩০ দগী কবিনা তাইবঙপান থাদোকপা লেবাকপোকপা নুমিৎ ১৯৯৫ মার্চ ৭ ফাওবদা কবিনা সাহিত্যগী সেবা পুক্কি মতোল লোম্বা ফাওবা তৌরম্মি জানবারী ৩০ ১৯৪৯ দা *তোনু লাইজিংলেম্বী* ড্রামা ফোঙবা তৌবদগী মথং মথং ওইনা ইং ১৯৫০ দা *মৈতৈ উপন্যাস* (ক্রিটিসিজম), ইং ১৯৫১ দা *রামায়ণগী রাবী খবা* (লাবোল অহানবা লোংমাইজিং, জুন ১৭, ১৯৫১) অমদি *মৈতৈ*

লাঙ্গবোল, ইং ১৯৫২ দা *ভাবত চনু* (লারোল অহানবা, নিংথৌকাবা, সেপ্টেম্বব ৮, ১৯৫২, লাবোল অনীশুবা, শগোলশেল, ওক্তোবব ১৬, ১৯৫২; লারোল অহুমশুবাঃ যুমশকৈশা, থাবান, *জন্মাষ্ট মী*, শকাব্দ ১৮৭৪, লাবোল মবিশুবা, শকাব্দ, ১৮৭৪), *ভাঙ্গোয পবেং* (ইবা, ইবাই, ওক্তোবব ১০, ১৯৪৯, ফোঙবা, শকাব্দ, ১৮৭১) ১৯৭৬ তা *অশৈবগী নিতাইপোদ*, ১৯৭৭ তা *অশৈবগী শৈবোই*, ১৯৭৮ দা *অশৈবগী জয ভাই*, ১৯৭৯ দা *বিদায অশীর্ব্বাদ*, ১৯৮১ দা *সনবিক পবেং*, (শগোলশেল, ওক্তোবব ৮, ১৯৮১), ১৯৮০/১৯৮৩ দা *পুনশিগী শক্তম* (লাবোল অমা, নিংথৌকাবা, নবেম্বব ২৪ ১৯৮০, লাবোল অনী, [illegible]গুজ, ডিসেম্বব ২৪, ১৯৮৩) অমসুং ১৯৯৫ দা *যাচঙ শৈবোল-খম্মিন তেংথা* (ইবা, সেপ্টেম্বব দগী ডিসেম্বব, ১৯৯৪, ফোঙবা, ইবাই, মার্চ ১৭, ১৯৯৫) নচিংবনি। অসিদসু নত্তনা অ[illegible] গ্রামাব, [illegible]রেংনচিংবগী লাইবিক কযাসু ফোঙলম্মী।

[illegible] ১৯৮–দগী। ১৯৫ গী শা[illegible]বা কবিগী সাহিত্যগী অথেংবা মতম অসিদদি নহা ও[illegible]ব অইবা [illegible] অমদি মোদন কবি [illegible], অহবা কথা [illegible]বক্লে। মণিপুবী সাহিত্যকাবশিংনা শকথঙনবা সাহিত্যকাব কযাসু যাওবক্লে। মণিপুবী সাহিত্যদা মশা মশাগী মফম লৈববা কবি, নাটাকাব, উপন্যাসকাব, বাবীমচা ইবা অমদি ব্বাবেং ইবনচিংবা লৈবে। পনবা যাবা খর্বাদি কবিবত্নদা লাইশ্রম সমবেন্দ্র (১৯২৫-), শ্রী বীবেন (১৯৪১-), বাবেং ইবদা এলাংবম নীলকান্ত (সাহিত্যবত্ন, ১৯২৭-২০০০), প্রো (ডা) এলাংবম দীনমণি (সাহিত্যবত্ন, ১৯৪০), নাট্যকাবদা জি সি তোংব্রা (১৯১৩-১৯৯৬), অবাম্বম সমবেন্দ্র (১৯৩৫ ২০০০) উপন্যাসকাবদা থোইবী দেবী (১৯২০ ১৯৯৬), হিজম গুণ (১৯২৬-), বাবীমচাদা এলাংবম বজনীকান্ত (১৯২৯-২০০০), এম কে বিনোদিনী (১৯২২-) নচিংবা। মখোযনা মণিপুবী সাহিত্যগী মগুণ অমদি মসিগী থাক অমা লেপ্পনবা হোৎনবম্মী। ভাবতকী মকওইবা লোন খবগী সাহিত্যগা মব ওইনা হিন্দী, বাংলা, তামিল অমদি আসামীনচিংবগা চাংদম্নদুনা যেংবদা মণিপুবী সাহিত্য থোইদোক্না নোপত্রে, নোংমা নোংমগী সাহিত্যগী থাক বাংবা হেক্সৎলক্লি। মগুণ লৈবা সাহিত্যগী পোখোক কযাসু পুথোবকপা লেপত্রে।

ব্বাবোইশিন ঃ

[illegible] মীনাকেতন মণিপুবী সাহিত্যদা মাগী মফম অমা চাউনা [illegible] লৌববা সাহিত্য সেববনি। মাগী সাহিত্যগী বিধা মখল মথেলনি। মাগী সাহি[illegible]গী সংসাব শাংলবা চহী ৬০ গী মথক্তনি। দর্শন শাস্ত্রবু পামজবা, বোমান্টিসিজমদা ডাংপা, মং উপ্রগদবা মিথ অমদি লিজেন্দগী বাবী শিংবুলশিংবু তিঙ্গৎহনবা পাম্বা বিল্লাইবেলিস্ট [illegible] অমসু ওইহি। কবিদি চাউবা-কমলগী কাঙলুপ্তা লৈবনা হেন্না মপীক চায। চাউবা কমলগী

সাহিত্যগী পবম্পবাবু মখা তানা যোকতুনা থমজখিবা - মখোয়গী তুংইনবসু ওইজখিবা - সাহিত্য কর্ম্মী অমসুনি। মাগী সাহিত্যগী অথেংবা মতমদদি মণিপুবী সাহিত্যদা অঙনবা কযা লাকখ্রে অহোংবা কযা পুবকখ্রে। অইবা/অইবী কযা থোবক্তুনা মণিপুবী সাহিত্যদা চাংযেংগা লোযনবা ক্রিযেটিভ বার্ক কযা পুথোকপা হৌনবক্রে। অঙনবা মতমগী বোমান্টিসিজমগী থাজবদু লৈবক্রে। চীংযা তমযা লৈবাং থম্বালগী ফজবদা ঙাওজবা কবি লৈবক্রে। কল্পনা অমদি মহৌশা খুৎশেমগী মফম উবা ফংলক্রে। মোদর্নিজম অমদি পোস্ট-মোদর্নিজম লোমদা চঙশিনবা অইবা কযা লাক্রে। অনৌবা কবি কযাসু মতোল চোংবা হৌবক্রে মণিপুবী সাহিত্যদা মখোযগী মফম থিবা হৌবক্রে। বিএলিটিগী মফম পীনবা লাক্লবক্রে। মপাঙ্গোঙগী শক্তম্বু থাদোক্লগা পুন্সিগী মনুং চনশিনবা - নুংগী অশেংবা মশক্তম অদু যেংবা হৌবক্রে। বিজ্ঞান অমদি টেকনোলোজিগী মফম থিবকপগা লোযননা চিংবনা হেন্না মরুওই হাযনা লৌনবকপগী ৱাখল্লোন লাক্রে। অসিগুম্বা মণিপুবী সাহিত্যদা অনৌবা চাংযেং কযাগী খম থেংলক্লবা ইং ১৯৯০ গী মতুং অসিদসু কবি মীনকেতনদি বোমান্টিসিজমদা ঙাওজখি। বোমান্টিক কবি অমা ওইনা পুন্সি লোমখি। ইংবেজি সাহিত্যদা বোমান্টিক কবি ওইনা পোক্লগা বোমান্টিক কবি ওইনা পুন্সি লোমখিবা John Keats (1795-1821), PB Shelley (1792-1822), Lord Byron (1788-1824), William Wordsworth (1770-1850) অমদি S T Coleridge (1772-1834) নচিংবগা থোইনা খেন্নবা লৈতে। পামজবা হীবম অমদা মতোল লোম্না খোঙ থাংজিনবা ঙম্বসি শৈবেংদদি কবি মীনকেতন্নি, ড্রামাদনা জি সি তোংব্রানি, উপন্যাসতনা থোইবী দেবীনি। শুপচিন্না হাযবা তাববদি মীনকেতনদি মীনকেতন ওইনা অদুম্মক যেংগদবনি। মাগী মতৌ তম্বা লুনা থোক্কনি। মাগী মতিক মগুণদি নোংম নোংমগী মণিপুবী সাহিত্যনা হিংলিবমখৈদি হেঙ্গৎলকখিগনি। মাদি মণিপুবী সাহিত্যগী সম্রাট অমগী মঙ মঙখিবা মঙফাওনবা ঙাইখিবা - মহাপণ্ডিত, মহালেখক অমদি মহাকবি অমনি। (মসিগী প্রমানদি *অশৈবগী জয ভাই*, (নোংজাই ঈচিক্কাজুম্বদা, ১৯৭৮) দা পাইতু খোম্বগা ঈঙাল্লগা অনীগী মবমদা শৈখাবম্বা প্রেমকাব্য অসি পনবদা মতীক চায হাযনীংই।)

কবিবত্ন অবাম্বম দবেন্দ্রজিৎকী ৱাহৈমক্তা হাযবা তাববদা —

'মীওইপোক্কী লাইশিংগী অফ' থৌগী মণিনে
মাঙফদ্রবা ফম্বান্দা খিল্লম্লবা উবোংনে।' (১১-১২)
- *স্মৃতি (ইবা, ১/১২/১৯৩৯)*

কবি মীনকেতনগী অবদানদি মণিপুবী সাহিত্যদা অহিংবা কলাগী স্মৃতিচিহ্ন ওইদুনা নুমিৎ তানা লৈবিবমখৈ লেঙদনা লৈহৌবগনি। ❑

কবি অমা ওইনা অশাংবম মীনকেতন

লোংজম জয়চন্দ্র

ইং ১৯৫৭ তা এলাংবম নীলকান্তনা মহাক্কী লাইরিক *অচাইবা লৈগী* ৱারেং অমদা মীনকেতনগী মরমদা অসুম্না পনখি,

> "মীনকেতন অনি অহুম শুরে। যামদ্রবদা মীনকেতন অনি শুবে। বসন্ত-শৈবেং, সীতা বনবাসকী মীনকেতন। ৱাববা পুন্সি ঈপাক্তা কবিতা ঈহৌবক্লিবা মীনকেতন। অতোপ্পা অমনা তোনু লাইজিংলেম্বী, ঙাঙ্গোয় পরেংগী মীনকেতন। অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী, অবিবা মৈতৈলোলগী প্রতিনিধিগী শকফম।"

মখা অমুক চত্থরদুনা ইখি,

> "কবি মীনকেতন, সাহিত্যিক মীনকেতন, পণ্ডিত মীনকেতন, অহুমসিগী মনুংদা কনাগুম্বনা খল্লি কবি মীনকেতন। খন্ননিংঙাইনি অদুবু যেৎচবোই। অহুম্মক লৌবসু থোইনা কাযবা নত্তে। অদুদা ঐহাক্না যাম্নমক হেক পামজবদি পণ্ডিত মীনকেতন। চপ চান' হাযজরবদি পণ্ডিত সাহিত্যিক মীনকেতন।"

অপাবশিংনা মীনকেতনবু চপ চানা মশক লেপ্পা ঙমদে। মসিগী মতাংদ মীনকেতন মশানসু অসুম্না হায়জে "মহাক্কী খোর্জেইগী দোম্বনরা গুন্নরা খঙদে, খুৎমাবা খোর্জেইশিংগী মনুংদা মহাক্কী ৱার্ডসৱার্থকী এ মেদ হুম দিয়র ওয়র নন টু প্রেজ এন্দ ভেরি ফিউ টু লভ কী থাক্তা কুইনা তাদুনা লৈরুই।" (*শৈরেং অখনবা*, ১৯৬৭)

অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী খুৎমাবা অশৈবশিংগী মনুংদা মীনকেতনগী মফম চাউনা লৈ। মীনকেতননা মশামক খুৎমাবা কবিশিংগী মরক্তা "অরোইবা কবিনি" হায়না চাউথোকচৈ। খ্বাইরাকপম চাউবা লৈখিদবগী মতাংদা ইবা শৈরেং অমদা কবিনা অসুম্না ফোঙদোকখি,

"চৎলে নংসু অশৈবা ঙসি কৌবা নোংসিদা।
ইমারোন্না য়াওনঙৈ য়াকৈ থৌগন্মিন্নবা
ঐখোয় মঙাদংদদা নখোয় অহুম চৎলবা।

সাহিত্যগী পবম্পবাবু মখা তানা যোকতুনা থমজখিবা - মখোযগী তুংইনবসু ওইজখিবা - সাহিত্য কর্ম্মী অমসুনি। মাগী সাহিত্যগী অথেংবা মতমদদি মণিপুবী সাহিত্যদা অওনবা কযা লাকখ্রে অহোংবা কযা পুবকখ্রে। অইবা/অইবী কযা থোবক্কুনা মণিপুবী সাহিত্যদা চাংযেংগা লোযনবা ক্রিয়েটিভ ৱার্ক কযা পুথোকপা হৌনবক্রে। অঙনবা মতমগী বোমান্টিসিজমগী থাজবদু লৈবক্রে। চীংযা তমযা লৈবাং থম্বালগী ফজবদা ঙাওজবা কবি লৈবক্রে। কল্পনা অমদি মহৌশা খৃৎশেমগী মফম উবা ফংলক্রে। মোদর্নিজম অমদি পোস্ট-মোদর্নিজম লোমদা চঙশিনবা অইবা কযা লাক্রে। অনৌবা কবি কযাসু মতোল চোংবা হৌবক্রে মণিপুবী সাহিত্যদা মখোযগী মফম থিবা হৌবক্রে। বিএলিটিগী মফম পীনবা লাক্লবক্রে। মপাঙ্গোঙগী শক্তম্বু থাদোক্রগা পুন্সিগী মনুং চনশিনবা নুংগী অশেংবা মশক্তম অদু যেংবা হৌবক্রে। বিজ্ঞান অমদি টেকনোলোজিগী মফম থিবকপগা লোযননা হিংবনা হেন্না মকওই হাযনা লৌনবকপগী ৱাখল্লোন লাক্রে। অসিগুম্বা মণিপুবী সাহিত্যদা অনৌবা চাংযেং কযাগী খম থেংলক্লবা ইং ১৯৯০ গী মতুং অসিদসু কবি মীনকেতনদি বোমান্টিসিজমদা ঙাওজখি। বোমান্টিক কবি অমা ওইনা পুন্সি লোমখি। ইংবেজি সাহিত্যদা বোমান্টিক কবি ওইনা পোক্লগা বোমান্টিক কবি ওইনা পুন্সি লোমখিবা - John Keats (1795 1821), P B Shelley (1792-1822), Lord Byron (1788-1824), William Wordsworth (1770-1850) অমদি S T Coleridge (1772 1834) নচিংবগা থোইনা খেন্নবা লৈতে। পামজবা হীবম অমদা মতোল লোম্না খোঙ থাংজিনবা ঙম্বসি শৈবেংদদি কবি মীনকেতন্নি, ড্রামাদনা জি সি তোংব্রানি, উপন্যাসতনা থোইবী দেবীনি। শুর্পচিন্না হাযবা তাববদি মীনকেতনদি মীনকেতন ওইনা অদুম্মক যেংগদবনি। মাগী মতৌ তম্বা লুনা থোক্কনি। মাগী মতিক মগুণদি নোংম নোংমগী মণিপুবী সাহিত্যনা হিংলিবমখৈদি হেঙ্গৎলকখিগনি। মাদি মণিপুবী সাহিত্যগী সম্রাট অমগী মঙ মঙখিবা মঙফাওনবা ঙাইখিবা মহাপণ্ডিত, মহালেখক অমদি মহাকবি অমনি। (মসিগী প্রমানদি *অশৈবগী জয ভাই*, (নোংজাই ঈচিক্কাজুম্বদা, ১৯৭৮) দা পাইতু খোম্বগা ঈঙাল্লগা অনীগী মবমদা শৈখাবম্বা প্রেমকাব্য অসি পনবদা মতীক চায হাযনীংই।)

কবিবত্ন অবাম্বম দবেন্দ্রজিৎকী ৱাহৈমক্ত। হাযবা তাববদা —

'মীওইপোক্কী লাইশিংগী অফ' থৌগী মণিনে
মাঙফদ্রবা ফম্বান্দা খিল্লম্লবা উবোংনে।' (১১-১২)
স্মৃতি (ইবা, ১/১২/১৯৩৯)

কবি মীনকেতনগী অবদানদি মণিপুবী সাহিত্যদা অহিংবা কলাগী স্মৃতিচিহ্ন ওইদুনা নুমিৎ তানা লৈবিবমখৈ লেঙদনা লৈহৌবগনি। ❑

কবি অমা ওইনা অশাংবম মীনকেতন

লোংজম জয়চন্দ্র

ইং ১৯৫৭ তা এলাংবম নীলকান্তনা মহাক্কী লাইরিক *অচাইবা লৈগী* ৱারেং অমদা মীনকেতনগী মরমদা অসুন্না পনখি,

"মীনকেতন অনি অহুম শুরে। য়ামদ্রবদা মীনকেতন অনি শুরে। বসন্ত-শৈরেং, সীতা বনবাসকী মীনকেতন। ৱারবা পুন্সি ঈপাক্তা কবিতা ঈহৌরক্লিবা মীনকেতন। অতোপ্পা অমনা তোনু লাইজিংলেম্বী, ঙাঙোয় পরেংগী মীনকেতন। অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী, অবিবা মৈতৈলোলগী প্রতিনিধিগী শকফম।"

মখা অমুক চথরদুনা ইখি,

"কবি মীনকেতন, সাহিত্যিক মীনকেতন, পণ্ডিত মীনকেতন, অহুমসিগী মনুংদা কন্নাগুম্বনা খল্লি কবি মীনকেতন। খন্ননিংঙাইনি অদুবু যেৎচরোই। অহুম্মক লৌবসু থোইনা কাযবা নত্তে। অদুদা ঐহাক্না য়াম্নমক হেক পামজবদি পণ্ডিত মীনকেতন। চপ চানা হায়জরবদি পণ্ডিত সাহিত্যিক মীনকেতন।"

অপাবশিংনা মীনকেতনবু চপ চানা মশক লেপ্পা ঙমদে। মসিগী মতাংদ মীনকেতন মশানসু অসুন্না হায়জৈ "মহাক্কী খোর্জেজগী দোষনরা গুন্নরা খঙদে, খুৎমাবা খোর্জেজশিংগী মনুংদা মহাক্কী ৱার্ডসৱার্থকী এ মেদ হুম দিয়র ওয়র নন টু প্রেজ এন্দ ভেরি ফিউ টু লভ কী থাক্তা কুইনা তাদুনা লৈরুই।" (*শৈরেং অখনবা*, ১৯৬৭)

অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী খুৎমাবা অশৈবশিংগী মনুংদা মীনকেতনগী মফম চাউনা লৈ। মীনকেতননা মশামক খুৎমাবা কবিশিংগী মরক্তা "অরোইবা কবিনি" হায়না চাউথোকচৈ। খ্বাইরাকপম চাউবা লৈখিদবগী মতাংদা ইবা শৈরেং অমদা কবিনা অসুন্না ফোঙদোকখি,

"চৎলে নংসু অশৈবা ঙসি কৌবা নোংসিদা।
ইমারোন্না য়াওনঙৈ য়াঁকৈ থৌগল্মিন্নবা
ঐখোয় মঙাদংদদা নখোয় অহুম চৎলবা।

অমদোগী মাচং খ্বাংজিং থাবম [illegible]

ইন্দাম চেক [illegible] তোনা চৈজিং এগোই মাঙ দা।'

(সনাগী পবেং, ১৯৮১ লা ৫২)

মীনকেতন অসেবা কবিনি। বাঙসমাদনা হায়খিবা "এ ভাই লেলেট বাই এ ঘোস [illegible] হিমা। হাম্লি দ আই, কিয়াব এক্ট এ স্তান বেন তনলি বান ইজ সাইনিং ইন দ [illegible] হায়বদু চপচানা মতৌন্দা লোক্লই।

মীনকেতনদা। লাল অমসু সাই ৩১ অনী অসি খাবদোকপা যাদে। লোলনা মহাক্কী থবাবনি, মহাক্কী খুত্তইদগী মসি লৈথোকত্রবাদ কবিমতা লৈহৌদ্রে হায়বা ফাওবা যাই। [illegible] মপুনি, লোলনা মহাক্কী [illegible]নি। মীনকেতনদা ঈবোং কযাগী ঈতিলপোৎ [illegible] লো পোক, লো [illegible], [illegible] অমসুং মদিগুবা। মহাক্কী তাইবউাদ ফজবদা ডাণ্ডাল অনিবা [illegible], [illegible] নাচোম শেঙদা থবাক তাক্কবা, ডাঙোয পবেং শাপ।। কবিনি। অনৌবা বাক্তগা মতম কনা মহাক্কা মেৎ মেৎতুনা শাগৎখি।

[illegible] মহাক্কী মিস [illegible] খঙই। মহাক্কা লোক্লখিবা অমসুং চাউখিনা [illegible] মদিপুবা। [illegible] অমাক। [illegible] আইবাক [illegible]

[illegible]

[illegible] লোক্লাম [illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

(মাতে চনু)

কবি চাউবনসু শরুহিং।

[illegible] হয়রোই

[illegible] হায়বনি

মেৎ কাপ লাক্লখিনি"

(মেৎতে কাপ)

মসিগী পরোংদা মীনকেতননসু শৈথোখি

"মীতম্বাক্তা ও চাওরবা
মীরোন্নিদও তাংলবা,
পল্লেম চেংলৌ খংদ্রবা,
নচানিদও তোল্লবা
কৌরগেনে ইমা,
ঙসিগী কোরৌ নুমিত্তা।"

(বসন্ত শৈরেং, য়াকাইরোল)

মীনকেতনগী শৈরেংশিং অসি শরূক খরা খায়দোক্তুনা য়েংবা য়াই। অহানবদা নুংশিবগী ঈশৈ শক্লিবা মীনকেতন। মীনকেতননা নুংশিববু তরাইনা লৌবা ঙমদে। মসি পুন্সিগী লাইনীং অমনি। হিংবগী মরুনি, মচিনি। লেঙলি পাল্লিবা জগৎ পূম্বা নুংশিবগী চেৎলবা লংলানা লেংদুনা লৈরি, নুংশিবগী খোয়থুম্নবা লৈকাদা তেংবানবা মপুগী মোমোন নোকপা মায়থোংনা ফুদোংলি। মীওইবগী লু-তোংগী হকচাং অসিগী ৱাংমদা শিথবা নাইদ্রবা, লেঙদ্রবা, মতম চূপ্পগী ওইবা নুংশিবগী মায়থোং অমা লৈরি। মসিগী ফজবা চপচানা ফাওখিবা কবিনা শৈরেং কয়া ইখি, নাচোম কয়া শেমখি, পরীং অসিদা মঙলান কয়া শাগৎখি, অনৌবা ৱাহম্বোক কয়া পীখি। টেগরনা মহাক্কী *গীতাঞ্জলি* দা শকখিবা "আই নো, দিস ইজ নথিং বত দাই লভ-দিস গোলদন লাইত দেত দানসেস অপন দ লিভস, দিজ আইদল ক্লাউদস সেলিং এক্রোস দ স্কাই, দিস পাসিং ব্রিজ লিভিং ইতস কুলনেস অপন মাই ফোরহেদ" হায়বা ৱাখলগী ফজবা মশক মীনকেতনদসু ফাওখি। ইং ১৯৭৬ তা ফোঙখিবা লাইরিক *অশৈবগী নিতাইপোদ* তা ৱাখল অসিগী লীকলম চপচানা য়াৎখি। লাইরিক অসি *পিয়ে থাদোই* অমসুং *নুংশি ৱাখৈবা* হায়বা শৈরেং অনিনা শাবনি। লাইরিক অসিগী মতাংদা কবিনা ফোঙদোকলি —

"মৈতৈ অশৈবগী প্রেমতত্ত্বগী মঙালদা অপামগী শক্তম, নুংশিবগী শক্তম অমদি অনীগী মরী পান্দুনা শকপনা নিতাইপোদ সিগী শৈশক্লি। মাঙদনা কালিদাস, তুংদনা বৈষ্ণবকবি - অনিগী শৈশক্কা মৈতৈ অশৈবগী শৈশক্কা চুনদুনা য়েংবদা অদুম চুশিন্নজৈ, তাহেন কৌবা লৈতে উৎপনা নিতাইপোদসিগী শৈশক্লি।"

(ৱাহৈ অম নীদং অশৈবগী নিতাইপোদ, ১৯৭৬)

খম্বা-থোইবী-নোংবানগী চরিত্র অমগা ইতিবেন-চলাম্বগী চরিত্র অমগা অনীদা য়ূমফম ওইরগা নুংশিবগী ফজরবা মশক য়েকপা লাইরিকনি। মসিদা কবিনা নুংশিবগী ফজরবা ৱাখল্লোন অমা অপাবশিংদা পীরি। অশেংবা নুংশিবগী মফমদা পূম্নমক ময়াই

চমই হায়বসি ইতিবেন-চলাম্বগী ৱারীনা নীংথিনা উৎলি। শৈরেং অসিগী মতাং অমদা কবিনা ইরি,

"য়ুদে শৌনা তাঙজা লিল্লা,
থিংদে পল্লা নুংশিৎ,
থুক্কে শৌদা য়েংদে পন্দা
নুংশিবগী নুংশিৎ।"

(*নুংশি ৱাখৈবা*, লা. ৪৫)

তনৌ তনৌ লৈশাৎ তমজবী ইতিবেননা মনুং মতম চাদনা পুন্সিগী ফৈরাথক্তগী কেনদুনা পুন্সি পিখম্নখিবদা কবিনা থম্মোয় শোক্লা শৈথারকই -

"তনৌ লৈশাৎ তমজবীনি
য়েংদ্রবোইদো মতম
লৈরাং মদোম শাৎচবীনি
খন্দ্রবোইদো মতম
নুংশি কনাই থম্মোই লৈনি।
উদ্রবোইদো মতম
অপাম কনাই মায়োক লৈনি
খঙদ্রবোইদো মতম।"

(*নুংশি ৱাখৈবা*, লা. ৭৪)

*পিয়ে থাদোই*দা অমুকসু কবিনা খম্বা-থোইবী মহাকাব্যদা য়ুম্ফম ওইরগা নোংবানগী চরিত্রবু শৈথাদুনা শক্লি। কবিনা হায়রি, - নোংবাননা থোইবীবু নুংশিবসি অপাম্বা নত্তে, অশেংবা থম্মোয লাম্থোক্তুনা চংজবনি। নোংবানগী পুন্সিগী অরোইবা তাঙ্ককতা মসিগী মশকসি নীংথিনা উৎলি। নোংবাননা মপাম্থোংগী অথক অরংনা থোইবীগী থম্মোযবু খুদুম চন্নবা হোৎনৈ, অদুবু মদুনসু কান্নবা ফংখিদে। নোংবাননা অরোইবদা মহাক্কী অশেংবা থম্মোয় হাংদোক্তুনা য়েংহনখি - থোইবী মশুংলাংগীদমক থৱায়না পোম্থা পীখি। অদুবু থোইবীদি নোংবানগী খুৎনা লাম্বা ফংদবা পোৎশক অমা ওইখি। মমৈথংদা পিখাদোই ওল্লবা নোংবানগী আত্মানা থাদোইগী নীংথিজরবা শক্তম জগৎকী লেঙলি-পাল্লিবা খুদিংমক্কী মায়থোংদা উবকখি। মতাং অসি কবিনা শৈবেংগী ফজরবা ৱাহৈ শীজিন্নদুনা নীংথিনা য়েকলকই,

"লৈমায য়েংই থাদোই - ঙাক
ঈমায় য়েংই থাদোই - ঙাক
চীংমায় য়েংউই থাদোই - ঙাক
লোক্মায় য়েংউই থাদোই - ঙাক
থাদোই চাম্মা চাম্মনি
থাদোই লিশিং লিশিংনি,
থাদোই লখা লখানি
থাদোই কোটী কোটীনি।"

(*পিয়ে থাদোই*, লা. ২০)

মীনকেতনগী শৈরেংগী মশক অমনা অৱা-তেংথা শৈরোলনা মপুং ওইবা থিমদা শাগৎপনি। ইলিজিআক নোততা য়ুম্ফম ওইবা শৈবেং কয়ামরুম কবিনা ইখি। অশিবগী

ৱাখলনা কবিবু মতম চুপ্পদা শেম্নদুনা লৈখি। নুংশিরবা মৱূপ-মপাং, শাগৈ-নাতৈ অমদি নুংশিখিবা মীশক কয়াগী অশিবগী চৈথেংনা মহাক্কী থম্মোয়বু লৈতাহনখিদে। মসিগী অকনবা চৈনা মঙোন্দা ফাওখি। কবিনা হায়রি, শোয়দনা থেংনরগদবা অশিবদি থৌনা ফনা মায়োক্নগদবনি। মসিগী ৱাখল পরীংদা ইং ১৯৭৭ তা ফোঙবা *অশৈবগী শৈরোই* অমদি ইং ১৯৮১ দা ফোঙবা *সনরিক পবেং* অশিবগী ৱাখল্লোন অসিদা শাগৎপা লাইবিকনি। কবিনা হায়রি,

"অসিদি পুনশি,
মীওই ৱই পুনশি,
লীলানি লীলা
দুঃখান্ত লীলা।' (*সনরিক পবেং*, লা. ১১)

কবিনা অমুকসু হায়খি,

পুন্সিদি চাউরবা মহাকাবানি, নুংশিবা ফজবা পুন্নমক দুঃখান্ত "মহাকবিগী মহা কাব্যনি দুঃখান্ত, দুঃখান্তনি নুংশিবা ফজবা দুঃখান্ত।" (*সনরিক পরেং*, লা. ১৩)

কবিনা খংই, মিকুপ খরগী ওইবা মীওইবগী পুন্সিদা অশিবগী কল্লবা খুৎ। অদুবু কবিনা থম্মোয় ফাজিন্দুনা অশিববু হবাওনা কোনশিন্নবা হোৎনৈ। পুন্সিগী তঙায় ফদ্রবা ফিভম অসিবু ফোঙদোক্লদুনা কবিনা ইবি,

"লাক্লবদি হনবা তাই শাৎলবদি কম্বা তাই —
নুংশি নুংশি কায়নবা পাম্মু পাম্মু তৎনবা
মালংচৎনি মালংচৎ — মালংপানগী লেঙদ্রবা।
লৈশাৎ তম্ব লৈবাংদা লৈরাং কনা কেন্দে তায়!
শিঙ্গৌ পিদ মশিঙ্গৌ — থম্মোই মাগী ধর্ম্মনি —
কপ্লদদি কপকনু।"

(*অশৈবগী শৈরোই*, লা. ২২)

মীনকেতনদি অমুকসু থম্মোয়গী লমদম অমগীদমক্তা ঈখৌ লাংলিবা কবিনি। খৌবাংবা অসিনা কবিবু মতম চুপ্পগী চাক্লিবা ওইহল্লি, পোত্থাফম খঙদ্রবা পি-থাদোই ওইহল্লি। শেলীনা শকখিবা "দ দিজয়র ওফ দ মোথ ফোর দ স্কাই, দিভোসন তু সমথিং এফাব" নৎত্রগা "পাইন ফোর হরাত ইজ নোত" হায়বদু মঙোন্দসু চপচানা ফাওখি। কবিনা পি-থাদোইগী শক্তম অসি তরাইনা লৌখিদে, মসি মঙোন্দদি সিম্বোল অমনি, থিবা অমসুং অপাম্বগী, লোইবা নাইদ্রবা খোঙচৎকী; থাদোইনা মাঙদা উবিবা, ফংবা ঙমদ্রিবা, চঙশিনবগী

লোইবা নাইদ্রিবা খোঙচৎকী মূর্ত্তি অমনি, পান্দম অমনি। কবিনা মশাবু নোংবানগী শক্তমদা শৈথাবদুনা শক তাকলকই,

ঐদি খোইবেত্তাক্তা পোকপনি,
কৌনৈ মীনা ঐবু পিথাদোই
শেংদকমল নুংশি মকোলোয।
বসন্তগী লোযিন ওই
মালেম লৈকোয থুংনা কোয
তঙাং লৈশাং তম্বা লৈদ থি
লৈজে চেক্লা ওইবা ইপুন্সি।"

(*অশৈবগী নিতাইপোদ*, ১০৭৬, লা ১)

মীনকেতনগী কবি ওইবগী শক্তি অসি শৈরেংশিংদদা নত্তে, মহাক্না থাক থাকবা খুৎফমদা মশেক মঙাল নীংথিনা ফুদোকখি। মহাক্কী অনুবাদ সাহিত্য অমদি রারেং ফাওবদা নীংথিনা খুনাম তাখি। মহাক্না হন্দোকখিবা টেগর, মাইকেল অমসুং সেক্সপিযরগী শৈরেংশিং পাকবগা মহাক্কী কবি ওইবগী গুণ অমসুং মৈতৈলোনগী অঙকপা লোলগী মযাহ অপাবশিংনা নীংথিনা ফাওখি। *মেঘনাদ বধ কাব্য* গী অযুক্কী ফজবা থাবকপগী মতাং অমা হন্দোবকপদা কবিনা শীজিন্নবিবা লোলগী যাদু অসি যেংবীয়ু,

'হন্দোবক্লে অঙানবা শেঞ্জীং চাঙ্গী চীংযাঙদা
ফমদেংবগুম থম্বাম্বক চীঙ্‌ থম্বালখোঙহৌবা।
মিৎস্লাথম্বাম্মাঞ্জবা মিৎচি খোইখোই তেঙ্গা খোং
ে কবক্লে মালেম তম পুক্নিং হেন্দৌ তন্ন কা।
চন্দৌ নবি মালেমসু শী ংঙলশম্লাংনবী
তম্নাপ‍ে ওক হোল নুজা গবাক পম্লং ল ।'

(*মেঘনাদবধ কাব্য*, লা ১)

অনুবাদ সাহিত্যদা নাও বাবা গী শক্তি অমদি লোলগী চীং লেম্বা মশক অসি রারেং শিংদসু নীংথিনা মমি তাখি। *মৈতৈ উপন্যাস* (১৯৭০) দা মাধবীগী চরিত্র থাবকপদা কবিনা শৈরেংগী প্রমাণ পাম্লে অমদি লোলগী অচকপা খুৎশেম হাপচিন্দুনা কবিতাগী ফজবা মহাউ চপ চানা পীখি

"মাধবী জগৎকী নীংথিজববা শক ফম অমনি। নোংজাগী ওইবা শকফমনি। নোংযাই-চবুক-লোন খ্রবা, থানশু লৈথবক্লবা থাগী থাবন্না অহিংগী লৈচিল-নোংফাইগা ণানশীংনবকপা, থ্রানমিচাকশিংনা তান্না নোংথক্তা মমিৎ কুপ্তনা কবম লানবাংসিগে মতাওম চীংনা চীংনা থোক্লুনা লৈবকপা, অদূগা অমবোমদনা অমম্বা হাযবা শাগৈ অদূনা মঙাল অসীদা মাযথীখ্রবদি মওংশুম ব্রাকম উকমদা উখোঙ ফমদুনা পাইনিংবশুম যেংলবপা, মদোম ফৌবোই চৎপা নোংজা তাবা মালংনা ওইবৌ ওল্লৌ চৎ কপা উপাল বাপালনা থাগী মতৌ তম নাক্কা যেৎকা হাইবকপা, মখোযগী মখোং থুপ্লিবা অমম্বা শাগেনা থাবন্না উখিবা তানে মতাগুম উকম থিনা থিনা থপ্লকপা নোংজাগী শকফম উবব্রা? মাধবীগী শকফম অদনি।"

(মৈপাক উপন্যাস, লা ৪৩ ৪৪)

বাসে, অসি পাকবদা কনানা মসা লোচন। ব হাযলদগে, কবিগী গুণ-না ফুদোংলবা সাহিত্যাগী লৈচ মনি।

মীনকেতনবু কবি অমা ওইনা যেংবা তাবদি মহাক্কী লোলগী মশক অসি কাউবা চুমদে। মৈতৈগী খোংজোম পর্ব্ব অমসুং পেনাগী ওঝাশিংনা শীজিন্নবম্বা প্রমাণ-পাষ্টে, লৈশি লৈথোল, ছন্দ অমসুং বাহৈগী চীং-লেম্বা লৈচল কযা কবিনা মহাক্কী খুৎইশিংদা হাপচিনখি। নুমিৎনা নোংচুপ থংবা মতযাদা লৈথখিদুনা মালেম অসি অমম্বনা কপশিনবকপগী তাঞ্জ খুলগী অহল-নহা কযানা মথৌ-মঙম লোইবদনা নুমিদাংগী চাকলেন তাক্লববা মতু পেনা শাপা ওঝানা টা লেম্লা মাঙ্গোল ফমথক্তা ফমদুনা, অবিবা মৈতৈগী প্রম কাব্যশিংদা যুমফম ওইবা পাবীগী লংলা কযা তপ্না তপ্না চিংথোকপা হৌবকপা, অতাবশিংনা থরাই লুপ্না মমিৎ কুপ্তনা, ব্রাবীগী তাল অমসুং ছন্দদা তাউবকপা, মদুগী মূর্ত্তি অদুগা মীনকেতনগী শৈবেংশিং পাকবদা ফাওবকপা ইথিল অদুগা চাংদম্নবা যাই। মীনকেতনদা লেখনবিবা গুণ অমনা মহাক্কী বাবী লীবা হৈবগী শক্তি অসিনি যাই থাববা মীওম্ন মনাক্তা চঙলুবদা ইংে তেথবকই। মহাক্কী কাব্যগী লোল অসি নতা ওইবগী অকুম্বনা কাযদ কাযদ খোঙথাং পীক্লা চীং লেম্না খোঙ থাংলিবী নুপীমচা নৎত্রগা নোং পুবা লৈচিলনা লুমথববা অতিযাগী শক্তম অদুগা চাংদম্নবা যাই

লৈশি লৈথোল অমদি ব্রাহৈগী যোৎল্লৌ কোনহৌনা অপানশিংগী পাক্লবু ফাজিন্দুনা থম্বা ওমই, পাব ববদা তফি তাফং তৌবন যাদে। 'মীনবেতনদি সাবক অমসুনি ইমা ? কনি। অপোকপী মমাগা, নুপী ওই বশিংগা, মমা লমদমগা অমসুং মালেম লেমগা অমত্তা ওইনা উবা ঙম্বগী। চাঙলন দর্শন অমা মহাক্কী পুক্সিদা কাওখি।"

(নীলকান্ত)

অপোকপী মমা, মবৈবাক, 'অমদি নুপী ওইবীগী নুংশি শক্তম মঙোন্দদী' অমগুনি, লৈকা অমত্তদগী শাস্তোবকপা লৈনাশিংনি। অবোইবদা কবিনা মসিবু মশক ২ ডদুনা ইখি

খঁঙে ইমা ঙসিদি নুংশি নঙ্গী নশক্তম —
যুগ যুগ খুদিংদা প'লম চাম্ম শাযোনবি
কংসৈ থোঙজিল যৈনা পাবি নমোম খোন্নাংবি
খ'দে ইমা নহাক্কি খঁঙে নুংশি নশক্তম।

(অশৈবগী শৈরোই লা ৪৪)

কবি মীনকেতনগী শৈরেং

নোংথোম্বম শ্রীবীরেন

শ্রীঅশাংবম মীনকেতন সিংহ্ মণিপুরী সাহিত্যগী রিনেস্যান্স মতমগী লময়ানবশিংগী মনুংদা অমনি। তৌবদবু চৎমিন্নরিবা খোঙবুশিংগী মবক্তা অবাম্বম দরেন্দ্রজিৎকা মখোয় অনী নহা ইওই ওইনা ইনবনি। হিজম অঙাংহল ইং কুমজা ১৮৯২ দা, খ্বাইরাকপম চাউবা ইং কুমজা ১৮৯৬ তা, হৱাইবম নবদ্বিপচন্দ্র ইং কুমজা ১৮৯৭ তা, ডা. কমল ইং কুমজা ১৮৯৯ দা পোকখিবনি, অবাম্বম দরেন্দ্রজিৎ ইং কুজা ১৯০৭ তা অমসুং মীনকেতন ইং কুমজা ১৯০৬ তা পোকপনি। নাউরোন অমা অনীদি হনবা ঙাক্তনি। অদুবু নহা ওইজববসু মমাবোলগী অৱা-অনং কোঙ্গাইমা মায়োক য়ারক্লবনি। শ্রীমীনকেতন মমারোল অমসুং মজাতিগী অবিবা সংস্কৃতিবু নুংশিনা লূনা নীংজবা, মজাতিগী অরিবা শৈরেংগী পরম্পরাদা খোঙফম চেৎনা লেপ্তুনা ইবা অচৌবা কবি অমনি। হৌজিক্তদি শ্রীমীনকেতনদি মণিপুরী সাহিত্যদা অরাংবা চাংজাউ অমসুং অশুকপা উমংগুম্বনি। শুকম্রে, ৱাংম্রে ঐখোয়না শোক্লবা ঙমপোৎ নত্তে হায়না পাপ্লপ্পা মশক উবতদা চঙলুবা তন্দুনা খ্বাঙ মেৎতুনা য়েংলগতা তোক্ল বানি। তশেংনমক, শ্রীমীনকেতনগী খুৎইনা, অহানবা থেংনবা মীপূম খুদিংদা অমুক্তং কাওথোবকপাদি শোয়দ্রবানি, কাওথোবকপদুদা ঐখোয়না হন্দোক্তুনা তোক্লবদি লোইবে অদুম, মদুগী মহুৎতা কাওথোরকপদু মায়োক্লদুনা মাগী ফজবগী থোঙ অসির্দদি হাংদোক্কে খন্দুনা, খন্দ হোৎনদুনা চঙশিনবা ঙমখ্রবদি মাগী লোলগী ফজবা বস চূপ্পা ঙমগনি, মাগী লোলগী তোপ তোপ্পা ফজবা মফজ অমদি শোয়দনা থেংনগনি। লুবিবদি থোঙ হাংবা অসিনি। অদুবু হোৎনরগা ঙমলোইদবদি লৈতে।

চহী ৮৪ মুক শাংনা পুন্সিরকপা অসিদা মখল মথেলগী লাইরিক চাউরাক্লা ২১ মুক ফোঙলে। মসিগী মনুংদা শৈবেংগী লাউবিক ৬ (তরুক) যাওরি- *বসন্ত শৈবেং, অশৈবগী নিতাইপোদ (১৯৭৫), অশৈবগী শৈরোই (১৯৭৭) অশৈবগী জয়ভাই (১৯৭৮), বিদায় আশীর্বাদ (১৯৭৯), সনবিক পবেং (১৯৮১)*। মসিগী মথক্তা *শৈরেং খুজোক* কৌবা অমসু খৃৎই ওইরিঙৈদা মাঙখিবগী ৱা থেংনৈ। *বসন্ত শৈবেং* (শৈবেং ৬৭ য়াওবা) লোল অসিগী লাইবিক তাঙলিঙৈদা ইন্টরমেদিযেট ক্লাসকী টেক্সবুক ওইরম্বনি, অইবগী মিংসু

মীনকেতন কৌবমদে, তোম্বী সিংহ হায়না ইবম্মী, বাংলা মযেক্কী টাইপ তৌবগা সাইক্লোষ্টাইল তৌদুনা ফোংবনি। কবি মশানা ইবা ব্রাবেং অমদা *বসন্ত শৈবেং* অসি *গীতাঞ্জলি*গী মঙালদগী পোকখিবনি "পোকপনি"[1] হায়না কবি মশানা হায়জে। মতমদুগী অইবশিংনা যাম্না তোঘনা ইনাখবা যাকায়বোল শকপা অমদি ঈশ্বরগা তাইবঙপানগা লৈনবিবা মবী উৎতুনা মপু মঙোন্দা হায়জবা হৌসনা মপংনি। লোলদি যাম্না চম্মী, অদুবু কবিনা অকোনবা কন্না শীজিন্নবিবা খ্বাইদগী তোপ তোপ্পা লোলগী মশকসিমদি অদুম মমি লাইবিকসিদা তম্লমলবনি। মতাংসদা হায়জনাংবা অমনা ঐখোয়না মাগী অইবশিং পাবদা লোলগী মতাংদা যাম্না চেকশিনবীগদবনি, নৎত্রবদি শুদোংখীবা নংগনি। মবমদি মাদি ঐখোয় খ্বাইনা ঙাঙনবিবা ব্রাহৈসি, ঐখোয় খ্বাইনা খঙনবিবা অর্থদা শীজিন্নদনা, মশা মবনাইগী অর্থ অমদা হেক্তা শীজিন্নে। খুদম অমতং পীজগে-"শকথে শৈবোই পবি অদুম হান্নই মতম (*অশৈবগী শৈবোই*, লা. ১২) অসিদা যাওবিবা *মতম* ব্রাহৈসিগী অর্থসি ঐখোয় খ্বাইনা খঙনবিবদু নত্তে মফমসিদা কবিনা পুববা অথাদ 'মতৌগুম' হায়বসিনি। অদুনা শকথে শৈবোই পবি অদুম হান্নই মতৌগুম" হায়বা অর্থদা পুগনি।

এলেজি মখলগী শৈবেং, মবৈবাক পুর্ণশবা ফোংদোক্লুনা ইবা শৈবেং, তোংদাং থক্কী মঙালবু কৌথদুনা মালেমসিদা খোঙদাবিবক্রবা যাকৈ পবেংগী শৈবেংশং, পাউওক পদনা তুংগী মীবোলদা লমজাং ওইবা যাবা শৈবেংশং, নপা ওইবাগা মনমদ হায়া শৈবেংশং, নুপী নুপাগা নুংশি নংঙোলগী বাঙী লীবা শৈবেংশিং [illegible] পবেং (এলোজি) দা পুন্না শৈবেং [illegible]। [illegible] লৈবাক্কী মী ওইনা [illegible] নাইবা মী ওইনা তাইবং থাদোকখিবদা [illegible] ইবা অমসু কবি মশানা [illegible] মবী মতানা লৈখিদবদা তেংথাদুনা ইবা মখল অনা থোক্লা চৎনি। [illegible] কমল লৈবদা, খ্বাইবাকপম চাউবা লৈতবগী মংগুম্বদা, গান্ধি আকন্বা হায়দানা মংগুম্বদা, প্রধান মন্ত্রী জবাহরলাল লৈতবদা মসি লৈবাক্কী মী ওইবাশ না লৈতবদা ইবানি। মখগী অশৈবা [illegible] মঙালনা কৌথদুনা মালেমদা খোঙদাবীনবা হায়নবা শৈবেংসদা যাকৈ পবেং দগী অনীখক পাগা ই 'নোংগুমলকখোদা', 'ঈচাউনি অমা'। *নোংগুমলকখোদা* হায়বা শৈবেংদা অশৈবা পুম্নমক্কী মকোক 'যাম্বা অশৈবা' অমবু যাকায়হন্দুনা মণিপুরগী ফজবা নীংথৌবা মযামসি শৈথাদুনা ইবখো হায়না কৌথবা শৈবেংনি। মাসগা লোয়ননা, মবোয় মনাউ ওইববা মৈত্রবাক্কী তুংগী অশৈবশিংবু লমজিং লমতাকপিনবা হায়জবনি। মতেক অমতং যেংসি

---

[1] সাহিত্য-সম্পাদক, এল দামোদর সিংহ অমসুং এন তোম্বী সিংহ, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফাল, ২৮ শুবা মশীং, মে ১৯৭৬ ই° (মণিপুরী সাহিত্যদা রবীন্দ্র সাহিত্যগী মঙাল অশাংবম মীনকেতন সিংহ, লা ১৪।

যান্না অশৈবা
চৈজিং খমাবা
নোংগম্লিঙায ওইদববা
নোংগম্লকখোদা।
তাদ সনাপূঙযোল
পলেম নুংশিকোলোযনু
তেংথানিঙায ওইদববা
তেংথাবখোদা।

(*সনবিক পবেং*, লা. ৯২)

'ঈচাউনি অমা' হাযবা শৈরেং অসি 'লাইবেবাক্কী নীর্ণথিবা ফজবগী ঈথেমা' তাঙ্গিবঙপানবা অমসুং মীওইবগী থম্মোয অনামজা তুনা লাকপা মীকুপ্তুগী শৈরের্গনি। 'জগৎ পোকপী ইমানা, থৌজালবিগে মালেম লৈদা নোংগুম্লকপগী ঈচাউ অমনি। পুন্সিসি ধর্ম্ম আধর্ম্ম অনীগী লেপ্পা নাইদবা লানফম্নি, মাসদা যোগ অহুম জ্ঞান, কর্ম্ম অমসুং ভক্তি অসি কাউদনা হাগযজ্ঞদা কৎকদবনি। অসিগুম্না ঈচাউ অসি

যনাগীব ওইগবা, ওইবগাবা কণাগী,
ইমাগীনি ইমাগী জগৎপোকপী ইমাগী।

(*সনবিক পবেং*, লা. ১১৩)

মশা।ী চৌ মামশিল্লকপসিনা তাইবঙ্ মপোক লোইশল্লক্কে, মালেমসিদগী হো। শাল্লমন্দাই যৌবক্কে হাযবগী লাংডক্কে কাবগী থম্মোয। অসিগুম্না 'যাচঙলবা পুন্সি'দা .ম। নই।পল্লমক। লোম্না থুপ্পা যাওঁবৰশিং কবিনো খঙবা হুমদবসি কেকু লোৎপী শান্নবগুম .া। দি।''প্রেম ভক্তি'' অমাতুনা যাওঁববদু উকবগা নুপীদা পলেম ইমা ওইবগী গুণ যা। ব, অদুনা কবিনা হাযবি

নুংশিদা ইমোম পলেম শকপি নুংশিবি,
ইমানি ইমা মানি নংদি নুংশিবি।

(*সনবিক পবেং*, লা. ৪)

নুপী পুম্নমক্তা মমা ওইবগী শব্দক অমা মতম পুম্নদা ইযাওদা যাওবি। মচানুপী ওইবগী মশক্কা মমা ওইবগী মশক্কা অমত্তা ওইখদুনা অপনবা মূর্ত্তি অমা উবকই।

মতাং অমদা, হৌজিক হৌজিক তৌনরিবা ওইহ্রিবা সমাজগী শক্তমসি উরুরগা কবিনা থম্মোয় শোক্লা তেংথাই-

লোইরে ইমা, কংলৈপৃং
লোইরে ইমা কংলৈপৃং
নঙ্গী কংলৈ সনাংপৃং
(*সনরিক পরেং*, লা. ১২৭)

অদুগা মমা পাহ্লোইবীদা শিন্নজৈ-শেমজিন্নীংলগা শেমজিনবীরো, শীদোক্লগে হায়রবসু শীদোকপীরো ৱাহোং জগোয় শাগেরা, পানবা কৈ ওন্দুনা চেগপ চোংগেরা ননীং তৌবো হায়রি। অনৌবা চার লিংনবা পৃম্নমক উৎ ওন্না চাকথেক্লো, থক-খা ওল্লো, অকিবা খোঙথাংদা চোংলো। (*সনরিক পরেং*, লা. ১২৪-১২৮)

বিদায় অশীর্ব্বাদ হায়রিবা লাইরিকসিদা য়াওরিবা শৈরেংশিংসিদি অয়াম্বনা কবিনা চহী য়াম্না শাংনা পুক্নিরকপসিদা থেংনরকপা, তানশিল্লকপা, লৌশিং ময়ামদু তুংগী মীরোলনা খঙজহৌনবা আশীর্ব্বাদকা লোয়ননা পীরমগে হৈবনি। পুন্না পত্রিকা ১৮ না শাবনি। ডিড্যাকতিক পোইমসনা অয়াম্বনি। তাইবঙপান্দগী হল্লগনি খল্লুবদা কাবিগী থম্মোয়দা ফাওরকপা হক্লুবা মপাউখোল তাবা ফংই -

পুনাশ কোরৌ তল্লে য়াচঙ হুল্লে চীংগী নল্লোল,
পোম্বি থৱায় যেংলে হঙ্গৎ তাক্লৌরবা মকোন।
খোয়জংদরে হৱাউ তয়াম তাইবংকোনগী অমুক,
খাঙলে ৱানা পাইনীংবনা শাগন তুফাং তন মুক।
(*বিদায় আশীর্ব্বাদ*, লা. ৩)

হন্খিগদবা মফমদুগী ৱাখলদা খোয়রাংখিবনা সংসারসিগী কৱিগুম্বা থৌরম অনম্ভদা কবিনা অপান্বা পোক্লে, মমাগী খোল্লাং উম্লা উম্লা মমাগী তম্পাক্তা পোথাকবা পাল্লে। নুংশি নুংঙোলগী ৱারী লীবনা মপৃং ওইবা *পিয়েথাদোই* অমসুং *নুংশি ৱাখৈবা* কৌবা শৈরেং অনী *অশৈবগী নিতাইপোদ* হায়বা লাইরিক্তা য়াওরি। "পিয়েথাদোই" দি ঐখোয়গী মহাকাব্যনি হায়না লৌজরিবা খম্বা-থোইবীগী ৱারীদা য়ুমফম ওইরগা লোইরকপগী শরূক-খোইরেন্তাক্কী লময়াইদা কৈফাঙৈদা নোংবান্না কৈগী খয়াৎতা শিরবদা, নোংবানগী থৱায়না থোইবীগী নুংশিবা কোকওমদদুনা পি থাদোই ওন্দুনা মালেম থুংনা পাই পাইদুনা মাগী নুংশিবগী শেংলবা মপাউখোল তল্লি। হান্নদগী অশৈবশিংনা পেনাদা, ধোলোক্তা শক্লরকপা, ঐখোয়গী কবি হিজম অঙাংহলনা পুথোক্লিবা "খম্ব-থোইবী শৈরেং"দা য়েক্লিবা, শুমাং লীলা, মোইবাং

পর্বদা উংলিবা নোংবানগী শক্তমসিদি কা জুগোৎ চাদে। ইকায়বা খঙদবা মীচোপ, পাঙদবা, পকচেল পিকপা, লেমজদবা মর্শাক্ত। অশেবশিংসিগী ব্রাহৈদা হায়বা তাববদা- *ঈন কাঙক্রম মঃফান থোক, খৈনা যাংকোক শেগায়বা* হায়বিবনি। অদুবু ব্রাহ্মসি মুন্না শক্তুকববদি অশেবাশর্গসিগী নোংবানগী শক্তমসিদি অহোবা লৈ। নোংবান ইচম চম্বা মীওই ওমা ওও, হেবোগী থাক্তা লৈাবা খম্বগী চপ চাবা লাম্বা ওইনা খম্বগী মাযোক্তা খোঙফম সেনা লৌপ্লবান। তাবদবাদ পঙনুং নংঙাইনা থোক্লবগু অশুন্না যেকপসিনা খম্বগী থাক যৌনা কাখৎলকপা শুমদনা থোকই। খম্বা থোবক্তিউদাদ লমজেনদা, মুক্তাদা, কাংজেদা নোংবান্না মকোংগ ওইকহলবানি, মমাংবা কনানস মাবু থোইবা গুন্নমদ্রিবনি। অসিগুম্বা নিপা অমবু জোকযগী মওন্দা যকর্পসিদি লৌবা যাবা মবম লৈতে, অশোয়বা নওনা, মাসিদা কাব মীনকে . . মাগী শৈবেং পি . . . নোংবান্দা নুংশিবা হাপ্তুনা অরাংবা . . . . মখোয়গা কাব চাংবনা মাগী শৈবেং পি . . . .

> . . . চেক্ৰা . . .
> প্রকৃতিনা থাবকর্পা . . .
> তম্বিনবা . . . পেম।
>
> (. . . থাদেই)

না যানগী পলাযনা . . . খবনি হায বব। পি . . দাইবু বিশ্ব প্রেম তম্বিনবা লাকপনি হায়বা। . . . . মী . . . অমুক মপং . . . খাইন্দুনা পাকথোক চ উথোকচনবনি . . . . , থোলোক্ত অশৈবশিং . , শুমাঙ লীলা মোইবা পর্বগী অত . . . . নোংবানগী . . খায খাই পৃম্বগী থম্মোযদা . . . ক্লিবা শক্তমসিদগীদি কাব মীনকেতনগী নোংবানগী মশক মসিনা পুমতোপ . . . নি। মবম বযাদা . . . . নোংবানগী চরিত্র . . . . . খোয খাইগীনি, . খোযগী থম্মোযদা মবা ওনা . কোকপা চমদনা . . বনি। . . . . খোযগী সাহিত্যদা কন্ত্রোভর্সি ওইনা লৌব . . . . . ., নোংবানগী চাবত্র যেকপদা অহোবা খবা লৈজব . . খোয়গী অশেবশিং . . . . . বর্দি ইচম চম্বা, ইতাউ ওাউবা পোংি . . নুংশিবগী . . . . । . . . ওইব অধ্যাত্মিক্তী ওইবা লুবনা বাযম কযা যাওব হান। খম্বা নোংবান অনীগী লান্দি . . . অধর্মগী লান্নি, পাপ . . অনীনা . . . ইনবনি। শংলবা থরায . . . নীগী . . মবী উংপ . . থরায থমনা থবায অমবু ইশ্বী লাপ্জবা। নোংবানস পোলোইদা মশাগী কর্মগী মহয . . . নি চদুনা অনৌবা নোংবানগ মশক মসি মী অমখক্তুগী হাযবদি কাব মীনকেতনগী মবনাই ব্রা ওইদুনা লৌর, অদুগা হান্নগী শক্তম অদুনা জাতিসিগী মীওই পম্মকী ওইদুনা লৌবি অচুম

অরানদি মতম্না পুজবক্কদবনি। অদুবু কবি মীনকেতনগী নোংবানগী থৱাযনা পল্লিবা পি থাদোই কৌবী চেক্লাসিদি ইচম চম্বা নত্তে, মশাগী মপোক লাংঙোন ফজনা খঙবা ঙন্মী উর্চোক্লি

মহাকথর্ংনি ঐহাক্লা চেক্লা ওইনা পোক্লকপা,
মশুংলাংনি ঐহাক্লা মালেম থুংনা কোর্যবিবা।
চেক্লা ইপোক যাম্লক্লে নুর্ংশি মাসু মমখবে,
থম্মোই মানা অদুবু কার্উশি কৌবা মঙমদ্রে।
(পিযে থাদোই, অশৈবগী নিতাইপোদ, লা. ১)

নোংবান্না লানাখবা, লঙাখিবা পৃম্নমক থোইবী নুর্ংশিকবদগীনি।

নুর্ংশি মৈনা কাশল্লকখি লানখবেদো কযা।
(পিযে থাদোই, অশৈবগী নিতাইপোদ, লা. ১১)

হাযনা কৈনা শোক্লবা নোংবান্না খম্বদা থম্মোযগী মপাউখোল তান্নি। নোংবান্না কদায যৌনা থোইবীবু নীংবগে হাযবদু মখাদা পীবিবা মতেকসিনা তাকই

নৈমায যেংই থাদোই ঙাক	ঈমায যেংই থাদোই ঙাক
চীংমায যেংউই থাদোই ঙাক	লোক্লায যেংউই থাদোই ঙাক।
থাদোই চাম্মা চার্ম্মনি	থাদোই লিশিং লিশিংনি,
থাদোই লখা লখানি	থাদোই কোটি কোর্টিনি।

(পিযে থাদোই, অশৈবগী নিতাইপোদ, লা. ২০)

প্রেমগী অযৌবীনি নীংজবা খম থেংবীনি। অতোপ্পা অমনা 'নুর্ংশ বাখেবা' কৌবা পবেং ১৬০০ লোম চৎপা নুর্ংশি নুংঙোনগী বাবী লীবা কাব্য অর্মনি। পোঞ্জেন নিংথৌ মুংয়াম্বগী মমোম ইতিবেনগা পোঞ্জেনদা শৈদাংদুনা লৈবা চলাম্বগা নুর্ংশিনবা অর্মাদ কাযনা মৈশা লাংদুনা অৱা পোলোইনবা বাবীন। মহাকাব্যগী থাকমক যৌদ্রবসু, কবিনা ৱাংনা থাংগৎনবা আশা চাউনা হোৎনবা খ্ৎইনি। নুপী নুপা অনীগী মবক্তা লৈবিবা নুর্ংশিবগী য়েকপগী লোইবা নাইদ্রবা মশক, হংবগী লোইবা নাইদ্রবা ৱাহং, খুম্বগী পেনবা নাইদ্রবা পাউখুম, মীওইবনা হেক খঙলকপদগী লীনবদা লোইবা লৈত্রবা, তাবর্গাসু চোকথদ্রবা নুর্ংশি নুংঙোনগী বাবী অমা অমুক নৌহৌননা কবি মীনকেতন্না ইথোক্লকপনি। শৈরেং অনী অসি নত্তবা নুংশি নুংঙোন লীবা শৈরেং অমগসু লৌব *অশৈবগী জয ভাই*। প্রেমকাব্য অহুমসিদা হেন্না মপৃং মরৈ ফাবা, হেন্না মবীক চৃম্বদি অকোনবগী *অশৈবগী জয ভাই* অসিনি। নুংশি

নুংঙোনগী ৱানা লমায় ১৫৫ চৎলি। নোংমা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স অকাদেমীদা রাজকুমার প্রীয়োগোপালসাননা পানখৎপা *মংশং* কৌবা বেলে অমা য়েংলুবদগী ইখিবনি হায। শৈরেংগী মমিংদি *নোংজাই ঈচিক্লাজুম্মদা* হায়না কৌই। ৱাবীদি ঐখোয়দা নৌনা থোক্রুবা, খৃষ্টাব্দ ১৬৬৬ তগী ১৬৯৭ ফাওবা ইবমদম্মসিদা পানখিবা নিংথৌ পাইখোম্বগী পুন্সি ৱাবীদা যৃম্ফম ওইদুনা মবাম 'নিংঙোল ইঙাল্লেগা নুংশিনবগী ৱাবীনি। মসিদা মৈতৈ নিংথৌ পাইখোম্বগী মবীল খাবা, মবীল লৈবা, মথৌনা ফাবা, মথৌনা লৈবা, ৱাশক চেৎপা অদুগা নুপী ওইবীগী থম্মোয প্রেমদা কৎপা, প্রেমদা লোইবা, থৱায হকচাং তূনা কৎপা প্রেম মাগী মশুংলাং নুপীনা নুপাগীদমক কদায ফাওবা তৌবা ঙম্বগে হাযবদু উৎতুনা নুপীগী ঙক্লবা থম্মোয অমদি নুপী নুপাগা ঙক্লবা মবী মযেক শেংনো যেক্লি। মমা মপাগী মফমদা শিংফম থোকপা লমন শিংলমদবগী অমদি তাক্লমদবগী মমা মপাদা লঙজবগী চৈবাক্লা পুন্সি [illegible] পানখিবা কান্টুমদ্রন লাই [illegible] অম [illegible] ক্লা নুংশ [illegible] লীবা লাইবিক অনীদুগা যংনাকুববদি অকোন [illegible] সিদ থৱায পাল্লিব। [illegible] থংত [illegible] হাযনীংঙ, মথক্কী অনীদুমদি [illegible] যাওদ্র [illegible] থাক [illegible]।

[illegible]সদগীদি খবা [illegible]ম্না লুবা মতাং যৌবক্লে। তাইবঙ মপোক পুম্বা মতমগী মমাঙদা খাঙবা ঙমদে

কমগনিদো লৈমন চল মতম মানা তন্না শীং।
লৈশাত্তবু তম্লবা লৈবোই পাউজেল ফংনৈদো
"লৈচু ওল্লো লৈবাংশা!" মতম মানা চৈথাইদো।
শীংখেল মানা তেঞ্জবা নোংমতনি নোংমত্ত
ঙমজদ্দো কবিনুং লৈথজবা নোংমত্ত
(*অশৈবগী শৈরোই*, লা. ২৭)

অসি শুম্বা তমথৌনা চৈবাক কল্লবা মতমগী শক্তিসি ফজবগী মফমদদি কবিসু মপাঙ্গল থাওদে হায়রি কবিনা

দুবু নঙ্গী কাদদি মাযথী ফিরুক খুম্মেদো
তৌঙমদবা লৈত্রবা তমথিববা মতমদো!
(*অশৈবগী শৈরোই*, লা. ২৭)

মতম্না ফাওবা মাযথীববা কবিগী মতালোযগী ফজবা মফজ অসি যেংলু যেংলুবগা কারগী থাম্মোযদা মাগা তালোযনবিবা নুজাসিবু কনানো ৱাহং অসি থোক্লকই ৱাহংসিগী পাউখুমদা শৈরেংগী অবোইবদা মতালোয়গী মশক্তা পলেমগী চেংলৌ য়াওবম্না থেংনৈ কাবনা, অদুনা শক্তি

"মিংশৈখযাম্বী নমা ঐনি খঙজৌ মিংখৈ'নীদং,
মিংখৈ'মনা কৌই ইমা অমুক'মনা তালোয় ।
(অশৈবগী শৈরোই, লা. ৩১)

আসগুম্বা অমুক্তা ইমা ওইবা অমুক্তা তালোয় ওইবী নপীস নংসে নুপী ইমান ইমা হায়না শৈরেংসদা কাবনা নপান কনানো। কাবনো হাযবাসদা মিৎযেং অমা লৌবি । ভাবতর্কি দর্শনদা প্রকৃতি, শক্তি নৎ ব্রগা মাযা হায়বগা খঙনবিবা মগুণশিংদু নুপীদা যাওবম্বা কাবগী নুংগী মিৎফম্বা উবি । নুপীবু কনানো থিবদা কাবনা ফংলি

ইমানি ইমা
ইমান ইমা।

মা' নংসে নুপি
মপু মাগী মংলান,
মঙলান মশামক
তাইবংদা-থোকপা লুগী তৌগী হকচা দা
(অশৈবগী শৈরোই, লা. ৩২ ।

মপু মানা এহৈলীঙদা যাওন তমগে থৌবাংঙৈদা, মালেম লৈশেমগে হায়না হায়না কোনবদা

হাঙহৈ হাং খাঙহৈ
পুহৈবগা পুহৈ
থাহৈবগা থাহৈ
পাহৈবগা পাহৈ
যোযহৈবগা যাহৈ
লৌহৈবগা লৌহৈ
মপু মাগী পুক্নিঙাইনা গুন
(অশৈবগী শৈরোই, লা. ৩৫ ৩৬)

গুণ পম্বগী মীচ ওইবা লৈখে হায় হৌগুন তাথোকফিবদা নপীবু । কাবনা হায়বী

নুপি,
পোকাখিবান নহাক্সে এনহৌ ইন পানবদা,

নত্তে,
ঙানখিবনি ইনুংদো নুজা নংনা হেনবদা !
শানৌ নঙ্গী শউম ফং পুক্লিং তুজুং হেদৌ কা
তমখিবনি মতম্না য়াওল খোঙফম নৌহৌন,
পোকখিবনি নুমিত্থা !
নুরা নশেক নঙান্না থোকখিবনি তিয়াদা
থব্রাম্মিচাক পরেং পরেং -
লেংখিবনি মণি পরেং
তগুপ তগুপ তরেং তবেং !
মোম্লু নচু নমেন্না
লৈরম শুনা লৈশাৎ তম শাৎখিবনি লৈরাংশিং
হৈবম শুনা হৈপাল তম পানখিবনি হৈরাংশিং !
মুনু নঙ্গী সোরনা
য়েনখিবনি লৈবাংদা,
হাপখিবনি হৈবাংদা
হৈনম লৈনম নুংশবা !
নদু কাংনা 'লাশংনা' ওইখিবনি খালেমদা
তলা পামেল পবেং পবেং
হেঙ্গারবা চাউদম ব্রাংদম,

তলা মাগা উকা যাল নৌজবিবা উবীশিং !
নঙ্গী খোল্লে খোম্ভাংনা পোকখিবনি উকোন্নুং
হবাউখোল্লোয় শৈশকপা চেক্লাকোন্দা চেক্লাশিং !
নঙ্গী শাওং শাথেক্লা থোকখিবনি চীঙ্গোন্নুং
হেদৌ হেরাউ খৌশাবা য়াবৌকোন্দা য়াবৌশিং !
নঙ্গী হুমাং মরীক্লা ওইখিবনি জীবশিং -

কৌজেং কৌয়া মালংপাল, লাইজকোলগী লেম্লৈশিং !
পোকখিবনি নব্রাক্লা লেংই-পাল্লি অপৃম্বা,
অচৌ, পিশক খিবিক্লা অচচ্চত্তা লোইনবা !
(*অশৈবগী শৈরোই*, লা. ৩৬)

শাক্ত সাহিত্যদা শক্তি (ইনর্জি) গী তৌবা ডম্বা মগুণশিং থাবিবদু মসিদা যাওনি "Nocreation is possible without Sakti হায়বসি নীংশিংজবি। অসিগুম্বী শক্তিগী মগুণনা মালেমসিদা নুপী ওইনা শকপুনদুনা খোঙদাবকপনি।

কংলৈপুন্দা ওম্না কুম লৃগী তোগী হকচাংদা
পালেম চাম্ম শাযোন তৌ যুগ যুগ খুদিংদা
পাবি নযোম খোল্লাং ইন কংলৈ থোঙজীল যৈনা যৈ
ডানখিবনি নুপ নং নমু তাইবং মীবাকোল।

(*অশৈবগী শৈবোই*, লা. ৩৮)

অসিগুম্বী গুণ কয়া, শক্তি চনবী নুপাগী মবমদা শৈথাজবগী পেনবা নাইদে কবিনা। হন্না হন্না যেংশিন্দুনা হন হন্দুনা পথোক্লি অনৌ অনৌবা শক্তম। অদুবু মমৈদদি মমানা মচাগীদমক হাকনজৈ, শেনজৈ

"ইমানিনে ইমানি পাবি নংবু চাউদ্রিবা,
কবিদৌবা কনানা ইমাইবুঙো নুংশিবা।"
কোনাব চেজেৎ থাংগুদা "ইমা লৈনা ইমা লৈ।"

(*অশৈবগী শৈবোই*, লা. ৪১ ৪২)

যাবাস তাবদা কাবগী পাক্ল লমইদা। খন্দুনা ডনাক্লব পব্লি লুম্না ইি ১৩। পাউজেলদা মমাগী মবাহৌন হায়বাস শক্ত মবু "অ লা হঙনা অদুগু কইব কইব মমম্ভি " মতম পুম্বদা মমানা শেন্নদুনা লবগী ম ৬, অমা কবিগী থম্মোযদা ৰাওন

পাবি ইমোম শিনিম্মা,
কনি থাংপা কুমগে
কুবক্তৈবা নমা এনি।
কান কিবা কনবিগে
কর্নবক্তৈবী নমা ঐনি।

(*সনবিক পবেং*, লা. ১০৯)

অসিগুম্বী ইমাসে শাগৎপস ডম্বী, থুগাইবসু ডম্বী, যৈথাইবসু ডম্বী পাম্বোইবীনি হায়না কবিনা হায়জবি

সেমজিনগে ননীর্ণনি
নঙ্গী লৈসেম মন্ত্রনা

অঙ্গংবা জগোই,
অঙ্গংবা ইশৈ।
শীদোক্কে ননীংনি
নঙ্গী শীদোক মন্ত্রনা -
অকিবা জগোই,
অকিবা ইশৈ।

ফুক্তোক্লগে নোংলৈ সা,
চাকথেক্লগে নোংথাং সা,
লিংলগে মফমদা অনৌবা চাব
খার্নাব উৎপূংথক্তা নীর্ংথবা হাব,
ননীর্ংনি ইমা ননীর্ংনি,
পাছোইবীনি নর্ংদি ইমা
পাছোইবীনি নর্ংদি।

(*সনবিক পবেং*, লা. ১২৭)

কবি মীনকেতনর্দি ইচম চম্বা কবি অমা ওইবদা নত্তে, মাদি ইমা নীংবা, ইমা লাৎপা ফর্বানি, ইমা লাৎপনা মাগী ধর্ম্মনি। মাসর্গী পবম্পবা অমা থিবা তাবর্বাদি থাযনদগী খাযগী [illegible] লম্বীদা অমসুং সংস্কৃতদা লৈজবি ইশাইফদা ঈশিং অশেংবা খিন্দুনা ইমা লৈমবেল শিদবাগা খুতম, লাইনীংথৌ সনামহীগী খুতম মনাক্তা যাদুনা যুমথোং খুদিংগী ঈপাৎ থৌনিবগী চৎনবা। লৈমবেল শিদবীগী মীংখে ১০৮ শুনা লৈবগী বা লৈবি। অনীশুবদা ভারতকী শক্তি লাৎপগী চৎনবি খবসু শোযদনা চঙলমগনি নীংজে।

ইমা নীংবগী, হমা লাৎপগী চৎনবীসিদগী পোক্লফম লমদমবুসু ইমাগী মশক, নুপীগী শক্তমদা শাগৎতুনা লৈশি লৈথোনবা, মতীক মগুণ কযা শৈথাদুনা কবিনা শৈবেং কযা ই।

মখৈবাক নীংবগী শৈবেং ইবা কবি কযা কযাসু লৈর্নবি, অদুবু কবি মীনকেতনগী মখৈবাক নীংবগী শৈবেংদী পোক্লফম লমদমগী ফজবা মশকপু ফজবা নুপীগী ফজবা শক্তমদা শকপান্নলা যেক্লি -

লোইবি শম্লাং খোইখোইবা শাংথ লেংথ চোইনা তা,
মালং কাইদ শহুম লাং শংবান চবৈ কোমগোম তা,
লাইজ তবং খোম্লাং হৌ হাজং থাখুম চোৎনা তা,
মালং নিংশা চিংনা চিং মাযগৈ কাবল মিযেং তা,

পাবি কনা মশুংলাং পীবুক নুংহৌনবিবা,
নমোম কনা মহাকথং পাযমা নুংজেংনবিবা
নুংশিদ ইমা কংলৈপুং পলেম ঐগী অপোকপি।
(অশৈবগী শৈবোই, লা. ৪৮)

মবৈপাক নীংবগী শৈবেংদসু কাব মীনকেতনগী শৈবেংদা অনী থোক্লা চৎলি। অমনা পোক্লফম মণিপুববু নুংশিজবা, অতোপ্পা অমনা মবৈবাক ভাবতভূমীবু নুংশিজবা। ভাবতভূমী নীংবগী শৈবেং অমতং মখাদা লৌখৎচাব

গাযত্রী খোল্লাংনখিবা পলেম নঙ্গী তিযানি,
সামগান্না নিনখিবদো পলেম নঙ্গী মালৰ্ণনি।
অবদান্নি পলেম নঙ্গী শান্তিমন্ত্র অহিংসা
পীনবান পলেম নংনা বিশ্বজগত্তা দীক্ষা
জৈ মা ভাবত-ঈশ্বৰি, জৈ মা পলেম অপোকপি,
জৈ মা জৈ।
(অশৈবগী শৈবোই, লা. ৫৮)

শৈবেং মখল অনীসিসু লমসিদা মহৌশাদগী, লিববা মতমদনী লাইবেন্সী নীংলক্লপ... শাংলবা পবম্পবা অমা লৈবকপা অমসু ভাবতকী সাহিত্যদা (মব ওইন বা ...) ম.ববাও নীংশা। ... ও, অনীসিদগী চেপ্লকপা ... ঈ তল্ল...

মপূম ওইনা যে লদা অকোনবা ... শৈ.বংশি দা ববিনা অহনা : তম অসুম অসন ওইশল্লকপাসদা শিবমদাই যৌবল্লে হাযবা বাখলদগী নুংশা ঈবা সব অমা তাং ... । "নক্লবাদ হনবা ভাই, শাংলবাদ কম্প ভাই" হাযবা চুল্লবা বাখল অ সনা কাববু ... নীংশংহাল্ল হনবগী মতম ওইনক্লে হাযনা। তপসদবা, নংহৌববোইদ্রা, হন্দক্লীশিনা অবোইবা ওইবগদ্রা হাযবগী বাখল অমা হংচেনদা চেল্লে। বাখল অসিমক্লা লাইবিক্কী মমিং থোনবা ফাওবদ শোকহল্ল। তৌরাদ, লাইবিক্কী মামংদা *অশৈবগী নিতাইপোদ* অমসু *অশৈবগী ...ভাই* থোনালবসিদি নট সঙ্কৃর্তনগী পবাংদা চৎথবকপানি। বাখল অসিদগী নুংশংবা শক্তম অমা

"পুৰ্নশি কোবৌ তল্লে যাচঙ হল্লে টাংগী নংল্লাল,
পোম্বী থব্রায যেংলে হনগৎ তাঙ্খৌববা মকোল।"

মসিদা পোম্বীগী পাংখক ওইববা অহল ওইববা কাবগী থব্রাযনা, নুংথল নুমিদাংবাইদা চেক্লানা মকোন তন্না পাইনীংবগুম, তান্না লৈহৌববা মহনফমলোমদা হন্নীংদুনা হনগৎনা যেংখৎলকপগী ফজববা অমসুং ওল্লোক্লা নুংশিববা শক্তম যেকলিবা পোযেটিক ইমেজাবানি।

হৈমুন লোইবা তাউজিংহেনি কেণ্ডরুন্দ তন পাক
অদুম ময়াঙ্গবা উকা কেন্নিং কেন্নিং ওহাক।
(*বিদায় আশীর্বাদ*, লা. ৩)

অহল মতম ওইশিনলক্তুনা কিছুরক্লবা, শিগদৌরবা কবিগী তাইবঙ হকচাংনা শিদ্রিদ খাক্লা হিংবগী শক্তম্বু হৈমুন ফারবা হৈনা কেন্নীং কেন্নীং থ্রাক থ্রাক য়াম্দুনা কেন্দ্রিদ খাক পানবা হৈগী শক্তমদা য়েকপা ওঙ্খোক্লা চপ চাত্তবা ফজরবা ইমেজরিনি। হন্দকমুক্কী তাইবঙ পুন্সি হকচাংসি খাদোক্তুনা চৎলমদাই নর্কশিলকপসিদা, হন্দকমুক্কী মপোকসিদা থেংনরিবা নুংশিববা মায়থোং ময়ামসি, মথংগী লাংভোন্দসু অমুক থেংনবদা করম তৌবা হায়না নুংশিনা খল্লি। থেংনবদি য়াই, অদুবু খঙনখিগদ্রা? তশেংনা মক্লেক শেংনা খঙনদ্রবসু, হন্দক্কী লাংভোন্দা খঙনখ্রিবা থরায অনীনা, খম্মোয় অনীনদি হেক উনবদা খঙনখিনি, কৌনখিগনি-

চুমেল দুবু নমি ইমি অম্মোই থম্মোইনুংদা
উমি অকাউর্ফিঙ্গং তন কাও কাব কাবি লোংদা।
(*বিদায় আশীর্বাদ*, লা. ১০)

থাদোক্তুনা চৎলমদাইগী পূক্লিংনা মওল মওল খনবনি।

চৎলদরা ঐবু সুম,
চৎলদরা ঐবু' সুম।
(*সনরিক পরেং*, লা. ৮)

থাদোক ঙমদা কবিনা মুকম মুকম শোল্লি।

বিদায় কবিতে বিদায় কৌবা মাগী শৈরেংদা কবিতাবু নুপীগী শক্তম পুবী, হক্কী তোংগী শক্লাইবা তাইবঙ মূর্তি ওইনা মাঙদা চোংথোকহন্দুনা য়েক্লি, কবিতাবু লাইরেম্বী ওইনা উবগী মহুত্তা মাগা নুংশিনজবা কনাগুম্বী নুপী অমগী শক্তমদা শাগৎলি -

নুংশি-খোঙফম অহানবা পাম্মু নঙ্গী কাদনি,
নুংশি-শৈশক অহানবা পাম্মু নঙ্গী নাদনি -
(*অশৈবগী শৈরোই*, লা. ১)

কবিগী পুন্সিনা য়াচঙলৈমগী মশাইগোল তমলক্লবা মতমসিদা কনাগুম্বা প্রেমিকাদগী বিদায তৌনবগুম কবিনা শক্লি -

কোলোয় ফান্ন ব্রাহৌগে নুংশি নঙবু ঙসিদি,
হায়ু তাসি কবিতে, কবি লাক্লি হৌজিক্তি!

পঙ্গি কোবৌ যাচঙ তম হুল্লে নোংচুপ চীঙ্গী কোল,
যৌগদৌবে যেংউনে যাচঙ লৈমা মশাইগোল।
হায়দ নংবু মবেম্ম কৈদৌকনি চৌজিক্তি,
নাশিনবু খল্লনে, কদৌননি গুসাদ।

(অশৈবগী শৈবোই, লা. ১)

শকই ইশে পোথাদ, লেপ্পে মিকুপ অমত্তং কৌবা কবিতাদা পুঙ্গিগী থৌদোক ব্রাথোক খুদিংদা, থবক পাংনা খুদিংমক্তা মাঃ মনুংগী লমলেন অমদগী পীবকপা মপাউখোন অমদা, তৌবকপা ইচং অমদা পাঙথোকই হায়বি। কবিনা মবনাই ওইনা মনীংতম্ন। কবিগুম্বা অমত্তা নদে। মতম পম্বদা নুংলমলেন্দা ঈশৈদ শক্না, তান্দ থাদুনা কবিগুম্বা শক্তি অমা লৌবি

অশৈবাগী অমা
অশৈবা অমা
পুদে মাদি নূগী তৌগী হকচাং,
কোন্নাবদো ঐগা পুঙ্গি লমশাং।

(অশৈবগী শৈবোই, লা. ৬)

পুঙ্গিগী থে খা খুদিংদা নাউবা মঙলান্দা, থংলেন মঙলান্দা পন্থৌ মঙলান্দা লেপ্পা লৈতনা নুংলমলেন্দগী পীবকপা ইঙ্গিৎতা, তাবকপা সুবদা কবিনা পুঙ্গিগী থবক থৌবম কয়া পা থোকখ্রে

কবি নোংদা মোমোন নোক
কবি নোংদা পিবাং চেল
সাবক্লে জগোই কয়া কয়া পুঙ্গিনুং।
লেপ্তে মিকুপ অমত্ত
শকই ইশৈ মহাক্ল
চোংই জগোই ঐহাক্ল।

(অশৈবগী শৈবোই, লা. ৯)

অসিগুম্বা কবিসে পুঙ্গিনা যাচঙলক্লবা মতমসিদদি *যুগ যুগ খুদিং পলেম চান্ম শাযোনবী কংলৈ থোঙজীল যৈনা নাউবোই খোল্লাংবী*। মমানা থেমদোকলি

যাচঙোদা যাচঙো পাবি নংবু নহাবা।

(অশৈবগী শৈবোই, লা. ১২)

অদুবু নুংদা ইশৈ শকপা মহাক্তি লেপ্পা লৈতে, শকই ইশৈ পোথাদে, লেপ্তে মিকুপ অমত্তং। অবোইবদা হায়জনীংবা অমনা কবি মীনকেতনগী খূৎইদা মাগী লোলগী মশক অসি যাম্না মরু ওই। মাগী খূৎইদা (শৈরেং অমসুং ৱারেং অনীমক্তা) লোলগী মকে শেমলিবা হৌসি য়েংসিনবদা মতীক চাই। মাগী খূৎইদি অলঙ্কাবগী ফজববা কুম্মৈনি, খরখিৎ হেন্না অনুপ্রাসকী ফজনবা মশক্লা পুমথল থল্লি। মৈতৈ লোল অসি মানা মনুং থিৎনা, মমূৎ তানা শংঙবনিনা শেমনীং শেমনীংবা মওংদা মনীংতম্না শেম্বা ওন্মী। মাগী লোল অসিনা মাবু মীনা পানীংদে, অদগা মাবু মণিপুরী সাহিত্যদা ৱাংনা থাঙ্গৎকদৌববা অসিসু মাগী লোল অসিননি। মানা লোলগী মকে শেম্মনাখিবনা সৈবোন্না ওইবা মানগে হেক হেক তৌই। অদুবু মগুণ লৈতবদি নত্তে। ❑

মণিপুরী সাহিত্যদা মীনকেতনগী শৈরেং

ইবোসনা য়ামবেম

পরংপরা হায়র্বসিদি যাম্নমক পাক চাউববা অর্থ কোনশিনবা বাফমনি। মসিদি মখং লমা যাওবকপ নত্তে নঙাগা মসি পাম্নগদ ফংননবা কন্ন হেংৎনবা তাই। মহ ক্কুপা লাল্লা কবি ওইদুনা লাক্লবা মীশক অমগদি থাদোকপা যাদ্রবা ইতিহাসকা মহ অমা মসিদা যাওবি মদগ হায়বিবা ইতিহাসকী অর্থ অসিদা হৌখিবা মতমগী মোৎবা মতৌ অদুখক্তা নত্তনা হৌজিক ফাওবা লৈহৌবিবা মতৌ অদুগী ইঙ্গল অমা যাওবি

টি এস এলিযেট

মণিপুরী জাতি অসি ইতিহাসকী থেংখাঙ কযাদা বানা খাঙখিবা তাক্কক কযা থে নবি। থে খাঙশিং অসিগী মনুংদা যেক শলাইশিংগী মণিপুরগী যুম্লোননবা লৈবাকশিং অমদি বৃটিশকী শাসন ফাওবা মমৈথ দা যাওবকই। মপূং ওইনা ঐখোযনা মাযোক্লখিবা চহী তবেৎ খুন্তাকপ। অমুক মমে তাবকপদা মণিপুরগী অবোইবা নীং তম লান বৃটিশকা মাযোক্লখিবা অসিনচিংবনি। ওথোক্লা বানা বানা মাযোক্লবকই পীক্লবা জাতি অসিনা মশাগী মশীঙ্গা, মবিংজেল মথৌনা কযা অসিনা। অদুনা নৈহৎপিববসু, নেথৎপিববসু হেক্তা মবোমদোম লীখৎচবকই লেপখৎচবকই। অদুনা মৈ হন্না ইক্লবা সনাগী মতৌগুম তোমথীন হেক্তা ওাম্লকই। অদুবু অসুম্না লিংখৎচবক্লিবা জাতি অসিগী লোল অমসুং সাহিত্যদদি হৌজিক যাওবদা মশাগী মবিংজেল মথৌনা অদু মতু মমান খিংলক্তবগী মতৌ অমা অসুম উবি। মতম শাংনা অতোপ্পগী লোন্দা নপচ তাংজদুনা ওসি ফাওবা চত্থদুনা লাক্লি। অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী লমযানখিবা অশৈবশিংনা মিৎযেং অসিবু চেৎনা থাগোল্লদুনা ঐখোযগী চহী চনী হেন্না ৩ৎলুববা তুখুল অমুক খিবকই। অদিবা মণিপুরী সাহিত্যগী তুখুল অমসুং অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী তুখুল অনীমকপু মশক খঙনা তোমথীন ওইনা থোবকখিবা লমযানবা অশৈবশিংগী মনুংদা অমদি শ্রীঅশাংবম মীনকেতন সিংহ নি। মচাক মণিপুরী অশৈবশিংগী মনুংদা ঐখোযগী স স্কৃতি, ইতিহাস লোন সাহিত্য অমসুং মপানগী লোন সংস্কৃতি অমসুং সাহিত্যসু তুনা খঙখিবা অচৌবা অশৈবা অমনি। মণিপুরী

সাহিত্যনা য়াম্না লাইবক থীরিবদি ইচম চম্বা মীওই অমনা মহাকপু মশক খঙবা ঙমদনা হৌজিক ফাওবা হিমালয়গুম্না লেপলিবা অসিনি।

ঐখোযগী ইতিহাসতা য়াম্না শাথীবা চৈথেং কয়া ফংলক্লবসু মণিপুরী লোল অমসুং সাহিত্যদা অদুক হাক্লা শাফু পীবা ঙমখিদে। গরিবনিৱাজগী মতমদা চঙলকখিবা লাইনীং-লাইশোন অসিনদি অঙকপা ফংনা চৈথেং অমখক পীখি। চৈথেং অসিগী শাফুসু হৌজিক ফাওবা ইৱাই-ইনীল লৈরি হায়না লৌবা য়াই। চৈথেং অসিগী শাফু অসিনা ঐখোয়গী সংস্কৃতি, ৱাখললোল, শাজৎ-লীচৎ, থাজনবী, লাইনীং-লাইশোল মরু ওইনা মণিপুরী লোল অমসুং সাহিত্যদা অচৌবা শাফু অমখক ওইখি। শাফু অসি কয়ামুক য়াম্না কনবগে হাযবব্ৰ মণিপুরী লোননা মীয়াম তীনবদা ঙাঙলুবদা মীরক তীন্দবা হৌনা খঙদবা, অতোনবা মী ওইনা লৌনৈ। মসিগীসু মথক্তা শোক্ল-শম্নবা য়াদবা মীশক অমগুম্না মীপূম খুদিংমক্লা মশানা খঞ্জবা থাক ফাওবা য়ৌখি। অদুনা বাংলা অমসুং সংস্কৃতনা য়াই থাখিদুনা সভ্য জগৎকী মশক অসি বাংলা অমসুং সংস্কৃত ঙাঙবা ঙম্বা মীওইশিংবু ইকায়খুম্নবগী ফিদা অমা ঐখোয়গী সমাজদা লীশাং-শীৎনা লাকখি। অদুনা মণিপুবীশিংনা মণিপুরী লোনবু যাম্না হন্থবা থাক্কী লোন ওইনা খন্নদুনা লোয়নরকই। অসুম্না লাকপনা চহী চনী হেন্না অনৌবা মহৈ মশিং তম্বগী পথাপ লাক্লবা ফাওবদা মণিপুরী লোননা মরাই কাঙবা ঙমদনা লাকখি।

অনৌব মণিপুরী সাহিত্যনা লাকদৌবিবা ১৯ শুবা চহী চাগী অরোইবা তাঙ্কক অমসুং ২০ শুবা চহী চাগী অঙনবা তাঙ্কক অসিদা বৃটিশকী শাসনগা লোয়ননা মণিপুরী লোন অমসুং সাহিত্যগী য়াকায়বোল শকপা অশৈবশিং পরেং অমা লাকখি - কমল, চাউবা, অঙাংহল, নবদ্বীপচন্দ্র, দরেন্দ্রজিৎ, ইরাবত। মখোয় অসিগী মরক্তা য়াওরকখি শ্রীঅশাংবম মীনকেতন সিংহ। মতম অসিদা অশৈবশিংগী মপূং ওইবা পান্দমদি অনৌবা মহৈ-মশিং তম্বগী খোঙজেল অসিদা মণিপুরী লোনবু য়াওহন্নবা হোৎনবদা তম্লনবা লাইরিক পুখোক্ল-বা হোৎনবনা মায়পুনখি। মখোয মখোয়গী ৱাখলদা মমালোন অমসুং মজাতিবু নুংশিবগী বাখল ফাওবকখি। অদুনা জাতি অমা ওইবগী মশাগী লোন, লোন অদুবু ইদুনা খঙহন্নবা ময়েক, মশাগী ওইবা মনাৎ, চৎনবী, থাজনবী, মরৈবাক্কী ঙমখৈ মচল শুনা লৈবিবা অসিবু মশক খঙলকখি। লাইবকথীরিবনা - মখোয়না মীকপ থোরকপা মতমদদি মমালোন অমসু" সাহিত্যনা মীগী লোন অমসুং সাহিত্যদা নপচ তাংজনা হিংদুনা লৈরম্লে। অদুনা মমালোন অমসুং সাহিত্যগী তুখুলদি হনগৎনা য়েংলুদনা মীপাল তাংদুনা লৈরিবা তাঙ্কক অসিদগী মণিপুবী সাহিত্যগী পরীং অদু অদুম চত্থরকখি। মসিগী তুখুল অসিগী তুখোঙ হৌরকফম অদুবু থিদুনা চহী চনীগী অহাংবা অসিগা অনৌবা তুখুল অসিগা থোং

১ কবি অশাংবম মীনকেতন সিংহ

[illegible] শাপনা শর্মদিনবিবশিবা ঐখাংগী অশৈবদি শ্রীঅশাংবম মীনকেতননি। মণিপবী সাহিত্যদা [illegible]। [illegible] দা নপচ তাংজনগী অমদি মতম শাপনা মমাং [illegible] [illegible] পিবিবশিংগী নু দা চৈনা পীবা ঙমতাল্লে। অশৈবগী [illegible] [illegible] খাকাংবোল হাযদুনা থাওবিবা শৈবেং অসিণা [illegible] [illegible] চাউবনা লৈতবগী। ম গুম্বদ। যাওবিবা শৈরে মতেক [illegible] লেব্বসু বাখলদি মপুংদা মাল্লে। অকোনবদা হেঞ্জিল্লবপা অমা [illegible] পেল্লত্ত্র দুনা অশৈবা মশাগী মমি, হাপচিল্লকুনা অমুক্না [illegible] অর্থ কনশিংগুম্পা ৩ সিনি

মীং স্বাক্তা চাউবা
[illegible] লবা
পালম [illegible] খঙদ্রবা
মচানি [illegible]
কৌবগোন ইমা
ঙসি কোবৌ নুমিত্ত
মীন ঐনা কপচবা
(সনবিক পাব লা ৫৩)

[illegible] লবক্তবা [illegible] অশৈবগী পুব [illegible] অশৈবনা মণিপবী সাহি [illegible] থিবকপা [illegible] মণিপুবা [illegible] অমসুং সাহিত্য [illegible] লাদিবা [illegible] শব্দদ। ঈখায তমাবোমিদা [illegible] অবাবা মশক অদুবু শক্লকই

[illegible]
[illegible] চৈংচৈংন।
[illegible] বাংবকপ
[illegible] সাহিত্য [illegible]
[illegible] মল্লুবা [illegible]
[illegible] তৌবকপা
ওাঙ্গাদা
(সনবিক পবেং লা ৪৩)

অপী অপৌ লোননা চহী চপী শশ্লকচন্দ্রবনি মণিপুরীবু পুক্লীংগী ৱারোল ফোঙদোকপা মতমদা অইে লোনশিংগী মপাল ত্যাংদ্রবদি ঙমদে হায়না মতম অসিগী সভ্য সমাজদা লৈরবা মীপুম খুদিংনা খন্নে। অদুনা অশৈবশিং অসিনা মণিপুরীনা লাইরিক ইরিবনি হায়দুনা ৎৌবির্বাস যাম্না নোক্লবি, করেম্নবি অমসুং মীরা-মীশা কযা চাবা ৱাফম অসিবু মুক্কা হেন্না চুশিন্নরিবদি হবাইবম নবদ্বীপচন্দ্রগী 'পুন্সি হিদে'ম' হাযবা শৈরেংদা মরীক চুম্না ফোঙদোক্লমী - 'লাওরক্লি তোর্বানগী মীনা/হৈতনা করিগী হোক্লিবা'। মণিপুরী লোন অমসুং সাহিত্যগী মরমদা খল্লিবা অমসুং খন্নরিবা মশক অদুবু শ্রীনীনকেতননা মহাক্কী *তোনু-লাইজিংলেম্বী* হায়বা ড্রামা অদুগী 'ৱাহৈ অমনীদং' হাযবা অসিদা থম্মোয় যাম্না শোকপা থৌদোক অমগী পাউদম অমা পীরি।

'খ্রীষ্টাব্দ ১৯৪৯ গী নোংম স্কুল আৱারদনি। ঐনা জোনষ্টোন্ স্কুলদা লৈবিঙৈগী ৱানি কমন কমদা অফ লৈবা ওজাশিং খব বাপ্পী সাই। মৈতৈরোলগীনি। লোল অসিনা লাইবিক অমা ইকবগী বাদি থমখিসি, চিঠি অমা ইবফাও অতৈমগী মতেং লৌদনা সাদে। ওজা চাউবনা

লাইববী ইবোন্নি,
খঙদবনা হায়বনি,

হাযবিবসি কৈদা হাযকবিবনো খনবদা মম্মি - অসিনচিংবা কয়ানি। মখোয়গীদি চমস নি কবনা' লোল অসি মবায়বক থীবদগী অবি অনৌ শম্নদে। মখোযনা ম সপাি হাযনা লৌখিন্দগীনি। মৈতৈগী মন্নাই মযেক লৈজে, মযেক্কুদা ... মতমগী খোঙলৈ খিবিক্তা মক্রবোইদৌবা, ঙাঞ্জবা হেঞ্জবদ থংলগদনা - ...বক কমা তানুদা তাদুনা লৈ হাযবসি খঙজদবা ঙাক্লি মখোয়দি।'

নুমিৎ অসিদগী চয়োল অনীগী মনুংদা তোনু-লাইজিংলেম্বী হায়রিবা শৈরেংদা ...পা মণিপুরী অশেংবগী ড্রামা অসি ইথিবনি। অসিগুম্বা মখলগী থৌদোক অমগা মণিপুরী লোল অমসুং সাহিত্যবু শেমগৎলকপা মতমদা মাযোক্লখিবা থৌদোক অমগা ঐখোয়না লৌশংতুনা যেংবা যাই। মণিপুব ইনষ্টিট্যুসন্দা ওঝা ওইনা লৈরিঙৈদা অঙাংশিগী পরীক্ষাগী বাহং শেম্মী। বাহংশিং অদুবুনা জর জর চৎলগা ৱারেং অমা ইনবগী তাঞ্জাদা কলম খক পন্দুনা লৈ। হংগে খল্লিবা ৱাহংনা - "নরৈকাইগী নৎত্রে নখুনগংগী মরমদা বচনা অমা ইসি"। মসিদা অশৈবনা ফোঙদোক্লিবা মমা লোল অমসুং মমা লৈবাক মজাতিগী মবমদা ফাওবক্লিবা ৱাখল অসি কদায় ফাওবা মণিপুরী লোল অমসুং সাহিত্য শেমগৎপদা লৌখিবা থৌদাংগী মতাং অসি য়েংসি -

"নোক্লভম নরৈকাই শকখঙদবা, মশক কৌবা সুকখঙ খঙদবা নংনা ৱাহং অসি ...ভম থাকপবা, সঙনি যেংগনি কবম" নুংবংনখি থম্মোই, ওইখি ঐঙোন্দা অনাবা

অচৌবা অমা হোনখি খঙহৌদে, অরাবা সোব অমা। ফমখি তুমিন ফনা কুইনা,
থম্লে কলম চঙলে অদুম ফম্মুং কপ্পীংবোই লাউনিংবোই।"

(পুনশিংগী শকুম লাবোল অমা, লা ১৭-১৮)

মসিদগী মৌববাক মজাতি, মমালোল অমদি সাহিত্যগী মবমদা কুপ্না থিগৎপগী ওবব চঙশিনবা হৌখি। মজাতিগী মশক খঙনবা হোৎনবদা পরম্পরা, সংস্কৃতি, চৎনবী থাজনবী, মৈতৈ মযেক্কী লাইবিকশিং অমদি জাতিগী মৈহৌবোল। অদুনা খঙলকই অশেংবা মশক জগং পোকপী ইমাগী লাংওন। থৌদোক অসিনা *অশৈবগী শৈবোইগী* 'লৌবো ইমা নচাগী শিক্ষবিবা মিৎকী পি' হায়বা শৈবেং অসি থোকখি। মমৈথংদা *যাচঙ শৈবোল-খম্মন তংথা* পোক্লকপগী লম্বী যাৎপা হৌবকখি। অদুনা বৈষ্ণব সমাজ অমসুং বৈষ্ণব সমাজ লাক্লিঙৈগী পরম্পরা কযাবু তুনা খঙলক্কুনা মণিপুরীশিংগী পুন্সি অমসুং সমাজবু মমুৎ তানা মণিপুরী শৈবেংদা পুথোবকই। অদুনা টি এস এলিয়েটকী 'ট্রেদিসন এণ্ড ইন্দিবিদ্যুল টেলেন্ট' কী হৌখ্রবা অমসুং হৌজিক্কী যুম্ফমদা 'কবি অমনা মহাক্কী শৈবেংগী ওইবা খুৎশেম অদু শাগৎক্কদৌরনি হায়বা মশক অদু মযেক শেংনা চোংথোবকই।

> কবি কলাবাব কলানসু মশা মরোমাদম মপং যানা ভাঙ্গবা লৈতে মহাক্কী [illegible]
> মগুণদি লৈখিদ্রবা কবি নৎত্রগা কলাব [illegible]শিং অদুগা [illegible]বিবা মনা অদুগী মঙালং
> নঙনা মহাক্কুবু মথন্তা বা[illegible]না থাঙ[illegible] [illegible] মান্নদনা কয়া [illegible]
> নঙনা মহাক্কুবু লৈ[illegible] [illegible]শিং অদুগী [illegible] পরা [illegible] মসি [illegible] কী
> নঙবা পুক্কী [illegible] [illegible] ওইনা [illegible]।
>
> ([illegible] ১২-১২ [illegible] মশা [illegible] ৬)

হৌখ্রবা মতমদা লেখ্রবা চৎনবী থাজনবী নাৎ লাইনাং লাইশোন কয়া। অম ইতিহাসকী ওইনা লাচন্দুনা লেখ্রবা শকল অদু যৌনা হৌজিক্কী মীবোলনা খঙননবা হোৎনবা তঙাই ফদাও। অসুম্না হোৎনবা অসিগী [illegible]দা জাতি অমগী ট্রেদিসন অমসুং কলচরগী [illegible] অসিদা নাং, নিয়ম নাং লাইনাং লাইশোন কয়া অমা জাতি অমগী সমাজদা [illegible] লৈরা তাদুনা লৈবি তসিতম্না লেখাগী লেরোন অসিদগী মতম মৎমগী মতুং ইন্না মশক হেংদুনসু লাকই। এথোগনীদি লাইবক ফবা হায়গদ্রা, লাইবকথীবা হায়গদ্রা ইতিহাসকী থেঙ্খাং কয়াদা চৈথেং কয়া মাযোক্নদুনা লাকখ্রবনি। খ্বায়দগী শাথীবা চেথেং অমনা বৈষ্ণব লাইনীং অমসুং সমাজনা মপাল মরু মরা তানা লৈখিবনা মসিগী মতুংদা লাকখিবা অনৌবা মীবোল জাতি অসিগী মনীং তন্না পাঙবকপা অমসুং মশা মরোমদোম লেপচবা ভস্বা জাতিগী মশক অদুসু মশক খঙদন [illegible] চনী হেন্না লাকখ্রে। সমাজ অনা অসিবু থোং শানবা হোৎনবদা শ্রীমীনকেতন্না সমাজ অমসুং পুন্সি মরেনগী লৈগা অসিবু খঙলকপদা

নত্তনা মণিপুরী লোনগী ট্রেদিসন অমসুং কলচবগী লৈবোন লৈবোনশিং অদুবু খঙলকই। অশৈবনা যান্না কিবিবা অমসুং চিংনবিবসু (মহাক্কী বাবেংসু, শৈবেংসু) ফুট নোট পীদুনা অর্থ লান্না চৎখিদনবা অমসুং লৌশিনবা ঙম্নবা যান্না কন্না হোৎনৈ। অমুক্কা হেন্না চেকশিন্ননা খঙলকলিবনা জাতি অসিগী মৈহৌবোল অমসুং মহৌশাগী ফিভমগী মতুং ইন্না যেক-শলাই কযাগী লোনসু তিনশিনখ্রবা তোঙান তোঙানবা চীংমী ফুব্দপশিংগী লোনশিংগা তোৎনা তিন্নদুনা লাকপনা লোন অসিগী মশা মবেং ফল্লকপা অসিগী মথক্তা বাংলা সংস্কৃতকী লোনসু চঙশিনখদুনা অমুক্কা হেন্না চীংমী ফুব্দপশিংগী তোৎন তিন্নবম্বদগী [illegible]পাঙ্গল কনবা [illegible]নগৎলকই। অদু[illegible] মণিপুরী লো[illegible] ফজবা, থোৎ নৌবা, মেংবা, [illegible]নবী খোইবিবা যান্না সং ওইববা লোনগী মশক অ[illegible] শকখঙলকই। মসিবু মতম শাংনা শকখঙ[illegible]না লৈব[illegible] অ[illegible] নংবা নুংঙাই[illegible] অদুগ[illegible] পঙ্গবা নুংঙাইজবা অদু [illegible]কাশবাণীগী [illegible] [illegible]কোর্দি[illegible] ১[illegible] ২০০৬ [illegible] থাদোকখিবা) অসিনা মযেক [illegible] [illegible] অসিদা নোকসু [illegible] অদু[illegible] [illegible]পসু [illegible] অদু[illegible] শী[illegible] [illegible] ফজৈ, নুংসু নুংশি। শ্রী[illegible]কেতন [illegible] মণিপুরী লো[illegible]গী অবি[illegible] শব্দক্তা লৈ[illegible]বা অসিগা অনৌবা শব্দক্তা [illegible]বনা অসিগা অনী [illegible] শী[illegible]ন্নবা [illegible] নংগ্রগা অবিবা শব্দক্কা অনৌবা শব্দক্কা [illegible]শিন্নপা ইনৌ নৌব লোন পু[illegible]কপা অমা, ম[illegible] নংগ্রগাসু অনী অসি সন্ধি [illegible]দুনা [illegible] অসিনা[illegible] [illegible] মমা [illegible] অমসুং মজাতিগী সাহিত্যগা[illegible] [illegible] অসিদা [illegible] অমা পৃথিবী অসিদা [illegible] [illegible] লোংপোক পাকিস্থান অমসুং নোংচুপ পাকিস্থান [illegible] অসি লোন[illegible] [illegible] তোঙানবা লেবাক অমমম ওইখি। অদুনা ১৯৭১ [illegible] ফেব্রুয়ারী [illegible] ২১ আস 'পৃথিবীগী লানগা নুমিৎ হাযদুনা যু এন ও না পাল[illegible] [illegible] লৈবি। মতম [illegible] অশৈব মীনকে [illegible]নসু অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী খোঙজেল [illegible]লকপদা ইনাক খল্লবা মণিপুরী লোনগী তম্বাদা ভাবাত্মিক অমসুং কলাত্মক। জগোয শা[illegible]ন। পুর্নিগী [illegible]বোইবা খোঙফম ফাওবদা মসিগী নুংঙাইজবদা ঈশৈ শক্রুনা খূৎ [illegible] জগোয শাদুনা লেনখি। সাহিত্যগী মক[illegible]বা পান্দমসু পুন্নীংবু নুংঙাইহনবনি [illegible] অদুবু অপাবদা ফাওজনবা ঙম্বদুনি।

হি জৈ কবিনা জাতিমা। শিংজ মশাই সাহিত্যনা
চিংজ কবিনা সাহিত্য। জাতিগী ৬গ প্রেম অনীনা।
সাহিত্য লৈতবা জাতি চন্দে মীশী জগৎসিদা

(সনবিক পবেং, লা ৯৮)

অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগা অবিবা মণিপুরী লোনগা শমজিন্নবম্বা খোংগী মতাংদা শ্রীমীনকেতনগী শৈবেংগা মরী লৈননা নৈনখ্রিবা শব্দকশিং অসি যেংলগা অমুক ঐখোযনা মহাক্কী শৈবেংগী মতাংদা মিৎযেং খবা থম্বা যাই। মণিপুরী সাহিত্যদা মহাক্কী শৈবেংগী মফম অসি ওঙ্খোক্লা মমল শামখ্রে। মমল যাম্বতা নত্তনা ওঙ্খোক্লসু তাংখ্রবা খূদোল অমা ওইনাসু লৈদি। জাতি অসিগী নাংজবা, তুংগী আশা, খাজনবী, নাৎ লাইনীং লাইশোন, মৈহৌরোল অমদি [illegible] মথং চত্থবক্লিবা সভ্য সমাজগী পরীংগী যুম্ফমদা শাগৎলকপা অমসুং মহাক্কী মতমগী মণিপুরী লোনগী সমস্যাশিংবু শীংনবা অমগা লোযননা ইবকপা শৈবেংদা মশা হৌনা মবোমদোম লেপচবদা যাম্না চাং লেম্বা অচৌবা অবাংবা চাংগুম্না মংদনা লৌব মহাক্কী শৈবেংশিংনা যাম্না রোমান্তিক ওইনা চেষ্টবকপদা লোযনদুনা লাকই জাতি অসিগী পৃথিবীগী অঙনবা অমসুং অবিবা সভ্যতা ওইরবা গ্রীক, রোম অমসু হিন্দুনচিংবাশিংদগী কবিশিংনা ইংথম অমত্তদা তাদনা থোং মান্নবা চংলিবা মশাগী ইতিহাস, লোল মযেক লাইনীং, মনীংতম্না লৈজবা যাম্না ভুম্লজংম ওইবা জাতি অমনি হায়বগী মশক। অদুবু জাতি অসিগী মশক্তা মযামদগী তোখাযনা তাবা মশক অদুমকনি হায়বগী মচৎতা ইতিহাসকী চৈথেং কযানা শাফু কযা ফংদুনা লাকখ্রবা অসিগী ঈবোযনখ্রবা মশকশিং অদুগা ঈবোযনবক্লিবা অসিগা ঐখোযগী হান্না লৈজবম্বা মশক্কা অমত্তা ওইখিদুনা পুন্নৌ নৌবা ঐখোযগী ওইবা মশক অদুসু তবাম তবাম্না মহাক্কী শৈবেংনা ওক্লি। মতাং অসিদনি টি এস ইলিযেটকী ট্রেদিসন এণ্ড ইন্দিবিদুাল টেলেন্টকী থিওরীগা থাদোক্লবা যাদনা মহাক্কী শৈবেংনা প্লাটিনমগী মশক লৌদুনা ঐখোযগী মিৎমাঙদা তীক খল অদু চোংথোবক্লিবা। মহাক্কী শৈবেংশিংদা পুন্সিবু দুঃ খান্ত ওইনা যেংলম্বনা মণিপুরী সাহিত্য, লোল অমসুং শৈবেংসু দুঃ খান্ত ওইনা চেষ্টবকই। মহাক্কী দুঃ খান্তগী ঈচেল অসিনা জগৎ পোকপী, পোক্লফম লমদম্না জগৎ পোকপীগী থাক যৌনা কাবকপা মতমদদি শৈবেংগী কলাদা ভাবত্মিক, কলাত্মিক ওইবা মী অতোপ্পা অমনা তানবা ঙমদবা, ফংনবা হোৎনবসু ঙমদবা খ্বাযদগী বাংবা ঈশ্বরমক্কী জগৎকী নুংঙাইবা অদু যৌবা ঙম্মী। অসিগুম্বা নুংঙাইবা অসিগী ইরাই-ইনীল অদুনা মহাক্কী শৈবেংবু খঙনবা হোৎনবিবা মীওইশিংদা ফংহনবা ঙম্মী।

শ্রীমীনকেতন (১৯০৬-১৯৯৫) না মণিপুরী সাহিত্যদা খূদোল তৌবম্লিবা শৈবেংগী লাইবিক অসি (ড্রামা অনীসু শৈবেংদা ইবম্বনা মহাক্কী শৈবেং নৈনবগী শব্দক অসিদা কোনশিঞ্জবনি) ৯ নি। মখোয অদুদি - ১) *বসন্ত শৈবেং* (১৯৩৪), ২) *সীতা বনবাস* (১৯৩৬), ৩) *তোনু-লাইজিংলেম্বী* (১৯৪৯), ৪) *অশৈবগী নিতাইপোদ* (১৯৭৬), ৫) *অশৈবগী শৈবোই* (১৯৭৭), ৬) *অশৈবগী জয ভাই* (১৯৭৮), ৭) *বিদায আশীর্ব্বাদ* (১৯৭৯), ৮) *সনবিক-পবেং* (১৯৮১) অমদি ৯) *যাচঙ শৈবোল খম্নিন তেংথা* (১৯৯৫)

অসিনি। শৈবেং লাইবিক মাপন অসিবু পুল্লপ শুপচিল্লগা মখাগী হীবমশিং অসিদা মণিপুরী সাহিত্যদা মাগী শৈবেংগী মফম যেংবা যাই।

অচোইবা শৈবেং ঃ

মণিপুরী লোননা অনৌবা মহৈ মশিংগী তম্নবা বিষয় অমা ওইনা লৌখৎপদা লোন অসিদা ইবা লাইবিক [illegible]লইঙৈ মতমদা পুথোক্লম্বা শৈবেং *বসন্ত শৈবেং*নি। মতম অসিদা লাইবিক ইন্নবম্বা অশৈবা অযাম্বস্ তম্নবা লাইবিক পুথোক্লবা পান্দম অশোমদা অযাম্বনা পূর্কিং চঙনবম্বা অমসুং পান্দম থমদুনা ইনবম্বনা লাইবিক ইবশিংগী থৌদাং ওইবম্মী। অদুনা বাংলা সাহিত্য অমসুং [illegible]দা লাকখিবা শিক্ষা প্রণালীনা অশৈবা অযাম্বগী মফমদা বাংলা সাহিত্যগী মর্মিদ [illegible] নীংথিনা লৈৰকখি। অদুনা মীনকেতনগী অচোইবা শৈবেং হায়না নৈনবিবা [illegible] অসিদস্ মমি অদুম তাদুনা লৈবি। অশৈবা অসিগী অচোইবা শৈবেং হায়বসিদ [illegible] মখোয়। মহাক্কী *বসন্ত শৈবেং*, *বিদায় আশীর্বাদ*, *সনবিক পরেং*, *অশৈবগী শৈরোই* [illegible]লাইরিকশিং অসিদা য়েংই। অদুবু অতৈ হীবমশিং শোকপা শৈবেংশিংদি অমুকস্ নৈনবা অসিদা লৌখৎতে।

অশৈবগী পুন্সিগী অহানবা ওইনা পুথোকখ্রিবা বসন্ত শৈবেং অসিদি অইবগী মমিংসু অশাংবম তোম্বী হায়নসু লৈবম্বগী বা থেংনৈ। চহী ২০ লোমসু তম্নবা লাইবিক ওইনসু লৈবম্মী। মপূং ওইনা তাইবঙ মপুগা মহৌশাগী মশক হোং হোংদুনা চৎলিবা খোঙচৎ অসিগা মীওইবগী লৌশিংনা খঙবা যৌশিনবা ভমদনা লৈবীবা মবী অদুগী মবমদা শৈথাবনা মপূং ওইবা শৈবেংনি। মসিগী মনুংদা থোইদোক্লা অশৈবনা মহৌশাগী শুম্নাৎযাই ওইবিবা মযাই অদুবু থৱাযনা লোকচবনি। মসিগী শুম্নাৎযাইগী মনুংদা বসন্ত মতমগী পূক্লীংবু মতম পূন্নমক্তা ইনৌতা নৌবা নানৌবা ঋতু অসিগী মতমতবু কোনশিল্লি। অদুনা শৈবেংসু ফাইরেন, লমদা অমসুং শজিবু হায়দুনা বসন্ত হৌবকপগী য়েন্নীংগী মতমদগী ওল্লাং ওনশাওবা হৌগৎলকপা মতম ফাওবা কোনশিন্দুনা শৈবেংগী খোঙচৎকা মহৌশাগী খোঙচৎকা মবী লৈনদুনা লৈবি। তাইবঙ মপূগা লৈনবিবা মবী অদুবু কবিনা ফোঙদোকলি -

অঙকপনি ইবুঙো, নংগী কুম্মৈসে,
যেংদুনা খংবা নত্তে নংগী নতৌসে।
পীনবি নাৱাদি
থৌববা লিংজেন্দি
মরেন কীদবা ফীজিদা,

(*বসন্ত শৈবেং*, লা. ৯২)

অশৈবগী লীশাং শীংনা শীজিন্নবক্কদৌবিবা মণিপুরী লোনগী মশক অদুদি শৈরেং লাইবিক অসিগী মনুংদসু উবা ফংলে। অদুগা অমুকসু শৈরেং লাইবিক অসিদা কবিগুরু রবিন্দ্রনাথকী *গীতাঞ্জলিগী* মমিদি অদুম তাবে হায়বসু মশা অদুম হায়জরি।

> এগী, বসন্ত শৈরেং গীতাঞ্জলিগী মওংদা পোকখিবনি পোকপনি। অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী কাব্যী মওংগী হৌরক উবদা, রবীন্দ্র সাহিত্যগী মওং অদু চঙলবনি।'
>
> (*মীনকেতনগী থঙ্গংলবা বাবেং*, লা ১৯৪)

অশৈবগী শৈরেংশিংদা মতমদদি রোমান্টিক কবি অমা ওইবগী ইমেজরী অমসুং চিত্রকল্পশিংদা লোন্দা মপং মরৈ য়াবা শৈরেংগী মশকশিং চোংথোবকই। মতাং অসদদি শৈরেংবু লাইরেম্বীগী মশক, লোয়নবীগী মশক, মমাগী মশক, পোক্রফম লমদম মমা লেপাকি মশক মীওইবগী পুন্সিগা যাদোরক্লবা থাদনা লৈরিবা জগৎব্রহ্মগুগী মশর চিংবা অবা না দর্শনশিং যাংবা য়াবা মরম না লাইননা পুথোকপকুং অপাকশিংবু মাগী পোকনফম মাগী কল্পনাগা জংনা কোইপু পুদুনা চিংনী বা মঙংমানা চিংবা উম্মী।

সকারিক পবে য়ীবকপা মতমদদি অশৈবগী পুন্সিগী চহীনা নক্তববা হীকথবনা হৈথংগা থবায়গা মুন্নবকপনী মিংয়েংগা লোয়ননা পুন্সিগী খোঙচৎতা থেংনবকখিবা পোকননবখিবা অবা-নংঙাই কয়াগী মপাঙবু যাম্না পাক্লং লেত্তানা শৈরেংদা য়াম্না থাদনা পাউদম্লকই। অদুনা তে থাবগী লাইশোনগী শৈরেংশিং চঙশিন্নরুপা মবাং কায়না লৈনবে অদুগা *বিদায় আশীর্বাদ* য়ীশিন্নরুপা মতা লোনা অশৈবগী তোঙশা, ঈ তোং, শিংলী লাউবনা শাবনা তকচাংগা থবাগা লোন্দিব্রহ্মগুগী মশক লৈইবিবা নাংথোক্লাই চাউথোকলবা অচৌবা শক্তি মাংখ্রান্দা ভিন্নবর্ণী খনবদা মচাশি মংইশি শী ময়মদা। পুন্সি লমদা না মীওইবা সমাজদা হিংবদা অয়ম্বা লানথোদা শান্তিবা সাইত্তাব কয়া পীবগা লোয়ননা পুন্সিগী খোঙচৎপু মতুং লৈবা মশক অমা ওইংলু হায়দনা থাক্কু অধ্যাত্মিকতা লোয়ননবা শৈরেংশিং মবাং কায়না লৈরে। মতাক্কী অচোইবা শরে হায়না লৌখৎলবা হীরম অসিদা য়াম্না কন্না হায়নানিবা নায়মদি রোমান্টিক ওইবা মিংয়েংদা অধ্যাত্মিকতা মিংয়েং অমথকাতি অসুম লোয়ননদুনা শৈরে অযাম্বদা লৈবি।

নুংশিবগী শৈরেং ঃ

মীনকেতনগী শৈরেং শীং থাউচং তা নুংশিবগী শৈরেং গী মফম চাউনা কন্দুনা লৈ। সংস্কৃত কবি কালিদাসপু নুংশিবগী কবি হায়নবগুম্না মণিপুরী সাহিত্যদসু মীনকেতনসু নুংশিবগী কবিনি হায়বদা। থহিনা লম গদিংদা মতুং বাংহ্ব। রস শাস্ত্রগী মতুং ইন্না শৃঙ্গার রসনা য়াংথোইহনবনি হায়নবওম্না। মফাংকে অনী শৈরেং শিংলী মনুংদা নুংশিবগী মবমদা ইপ্নিবা শৈরেংশিং অসিনা থোইদোকনা তামিথীন ডান্দুনা লৈবি। অমুক্কসু মীতৈ অশৈবশিংগী

পেনাগী খোংজোম পর্বগী শৈহেকশিংদা জাতিগী নীংজবা আশা, লিরী-খোইরিনা থোৎচ-নৌজবা শৈহেক শৈদাগা কোন্নবা মশকশিংসু মহাক্কী নুংশিবগী শৈরেংশিংদা ময়েক শেংনা মমি তাদুনা লৈরি। অদুনা অশৈবনা লৌখৎলুরিবা নুংশিবগী মশকশিং অসিসু জাতিসিগী মশক্কা শাগোন্নদুনা মীতৈগী লু-তোং, চৎনবী, লাইনীং-লাইশোন, থাজনবী, আশাগা শাগোন্নবা নুংশিবগী মশকশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎতুনা অতোপ্পা জাতিশিংগী মমাঙদা লেন্নজনীংবগী ঈহুল অমসুং য়াওরি।

হায়রিবা শৈরেং কাঙলুপ অসিদা ঐখোয়না নৈনবা য়ারিবা অশৈবগী শৈরেংশিংদি *তোনু-লাইজিংলেম্বী, অশৈবগী নিতাইপোদ, অশৈবগী জয় ভাই* অমসুং *অশৈবগী শৈরোই* দা য়াওরিবা মহৌশা অমসুং নুপীগা মরী লৈনবদা ইরিবা শৈরেংশিং অসিনি। শৈরেংশিং অসিদা অশৈবনা জগৎ ব্রহ্মাণ্ড অসিদা মহৌশাগী খোঙচৎনা চহী খুদিংগী ওন-ওন্দুনা চৎলিবা অনৌ অনৌবা মশকশিং অসিনা মীওইবগী থম্মোয়বু শুদ্ধাৎতুনা পূক্লিং হকচাংবু ইনৌতা নৌহনবদগীদি মন্থরবা হকচাং পোলাং অমসুং থৱায়না মীওইবগী নুংদা মীওইবগা খাযদোক্নবা ঙমদনা লৈরিবা শৃঙ্গারবু য়াম্না আধ্যাত্মিক ওইবা মিৎয়েংদা ৱাংনা থাঙ্গত্তুনা নৈনে। জগৎব্রহ্মাণ্ড অসিদা শৃঙ্গারদি শিবা নাইদে। অদুগা মঙোন্দা অমনবা, কেনবা হায়বসি শুংলৈ লৈতে। মহাক্তি মতম পূন্নমক্তা ইনৌতা নৌদুনা, ইনুংদা নুংঙাইদুনা মীওইববু লৈহল্লি। মবম অসিনা অমনবা লু-তোংগী হকচাংনা মহাক্কী মফমদা কায়দোংদুনা লৈরিবা থৱায়না ম৺ম লৈবা খিৱী ক্তা ইখৌতা লাংদুনা লৈবিবা অধ্যাত্মিক্কী মিৎযেং অদুবু পুথোক্তুনা নৈনে। অদুগা অমুকসু ভাবতকী দর্শণগী মিৎয়েংদা অমসুং জাতি অসিগী ৱাংউলোন্দা চুদুনা লৈরবা শিদবা মপুগা, অপাম্ভোইবী অমসুং লৈমরেন শিদবীগা লৈনরিবা মশক অদুগা পূল্লগা জগৎনা মাগী লেপ্তুনা তৌবিবা মথৌবুসু নীংথিনা তাক্লবা হোৎনরি। নুপা অমসুং নুপীগী থৱায়গী মিলন ওইরিবা প্রকৃতি-পুরুষকী মশক অদুবু নুংশিবগী শৈরেং অসিগী মনুংদা ফোঙদোক্লবা হোৎনরি। মসিগী মনুংদা নুপা অমসুং নুপী অনী অসিগী মনুংদা 'মমা' ওইবীগী গুণ অমখক হেঞ্জিন্না নুপীগী মফমদা য়াওরিবা অসিবুসু ৱাংনা থাঙ্গৎতুনা থম্বগী মশক মহাক্কী শৈরেংশিংদা উবা ফংলি। অদুনা মহাক্কী নুংশিবগী শৈরেংশিংদা উবা ফংলিবা মশক অসি অরুবা ৱাখলগী ঈচেল অপনবা য়াওদনা তরু-তরুনা চেপ্পহল্লিবা নুংশিবগী ৱাখলনি। মসিগী ঈচেল মনুং অসিদা কল্পকপা মিহৌবা অপাম্বা মাযাগী মশকশিং অদুবু নুংশিবগী মৈনা ইকথোক্লগা অশেংবা নুংশিবা অদুবু লোক্তুনা মীওইবগী থম্মোয়গী লৈতেং ওইনা শীজিন্নবনি।

অকোংজাম্বা অমসুং ফৌওইবীনা অতোপ্পা মপোক অমদা কদেং থাংজহনবা অমসুং তোনু-লাইজিংলেম্বী ওইনা লাংওল্লক্তুনা নুংশিবগী মফমদা থম্মোযবু মতম পূন্নমক্তা

মোৎহন্দুনা লৈবিবা কল্লকপা, অপাম্বা, মিহৌবা মাযাগী ওইবা বাখলবু শুদোক-চামথোক্লগা তাইবঙ মীবোলগী চাবোন-শুবোন্দা ফিদম্লফম ওইবা অবাংবা নুংশিবা অদুবু পুথোক্লবা হোৎনবা নুংশিবগী শৈবেংনি। ইবদি ড্রামা ওইনা ইবনি। অদুবু শৈবেংগী ফোর্মদা ইবম্বনা শৈবেং নৈনবা অসিদা লৌশিনবনা চুমগনি খন্দুনা লৌশিনবনি। লৈবাক্কী থৌগী পন অমনা নুংশিবগী ঈচেলদা অপনবা পীবকপদগী মতম থবা যৈখৎতুনা থম্লুকবা নুংশিবা অদুগী অশেংবা মশক খঙলক্কুনা লৈবাক্কী নিংথৌনা কদেং অমসুং লাইজিংলেম্বীগী নুংশি খোঙফম অদুবু বাইথুংনহনবনি। অদুনা লাইজিং নিংথৌনা মখোয অনীগী থম্মোযগী মবী অদুবু ইকায খুম্নবা মশক অদু ঐখোযনা যেংবা যাই, নুংশিবগী মফমদা কোক নোনবা মশক

লৈমবেল শাযোল নীংথিবি,
খযুম মাগী নোংদমখোল —
পাম্মু-নুংশি-কাদা
শম্লাং খুবৌ ওইখবে,
নুজা পাযমা লিনখা থাফদে।
(*তোনু-লাইজিংলেম্বী*, লা ১০২)

বাবী পবীং অসিদি মযাম্না লীনবিনা মশত্তগী তোঙাল্লা চংলি। কন্দংগা তোনুগা যান্নবা অমগী মতুং ইন্না (মচানুপী লাইজিং নিংথৌনা পাংজিং লাইপাক্তগী মতুং ইন্না চাকহোং ঙাহোংনবা, চাদা নাউদানবা নিংথৌগা মিং মান্নবী অমবু তালেমশী দা চন্‌বদা লৈবাক্কী মাযোক্তা লৈবগী কৈশুমশঙদা থম্মী।।) কৈশুমশঙদা লৈবিবা লাইজিংলোকপবু হান্না কর্নাখিসি হাযদুনা নিংথৌগী তালোয ওইহল্লি। অশৈবগীসু বাবী পবীং হৌবকফম অমা শোযদনা লৈবমগনি। ঐখোযনা থিবা বাৎপগী ওইবম্বসু যাই। লাইবিক অসিনা মহাক্কী শৈবেংগী অমসুং সাহিত্যগী পূক্কৈ অমা (স্কুল ওফ থোত মীনকেতন নৎত্রগা মীনকেতনগী স্কুল) শাগৎনবগী মবু শুর্নখিবা মণিপুরী সাহিত্যগী যাম্না মরু ওইখবা লাইবিক অমসু ওইবি।

শ্রীমীনকেতনগী নুংশিবগী শেরেং মনুংদা 'অশৈবগী নিতাইপোদ' (সাহিত্য আকাদেমি এবার্দ ফংখিবা লাইবিক) নুংশিবগী মগুণ ফোঙদোকপা শৈবেংগী পবীং অমনি। পবীং অসিগী মনুংদা ঐখোযগী এদিসনগী মশক অমসু লোযনদুনা চংলি। বৈষ্ণব সমাজগী নট সঙ্কীতনগী পবীংদা সঙ্কীতন লাইবমদাইগী নিতাই পদগী মতাং অমবু পাবিবশিংদা নীংশিংহন্দুনা ঐখোযগী ওইনা তোপ্পা থোবক্লবা জাতি অসিগী লুপ তোং অমসুং বাখলদা চুশিন্নখ্রবা যুম্ফম অমবু মহাক্কী শৈবেংগী পবীংদা পুশিল্লকপনি। নট সঙ্কীর্তনগী পবীং

অসিনা জিবাত্মানা পরমাত্মাদা তিন্নীংবগী ইথৌ লাংবা অদুগী অধ্যাত্মিক্কী খোঙচৎপু ফোঙদোকই। অদুনা *অশৈবগী নিতাইপোদ*তা য়াওরিবা অহানবা নুংশিবগী শৈরেংদা 'পিয়ে থাদোই' হায়রিবা শৈরেং অসিদনা মায়াগী তাইবঙনা ফংবা ঙমদনা লৈরিবা অশেংবা নুংশিবা অদুবু কল্লক-মিহৌ, অপাম-মিকাগী মশক থাদোক্লগা লাইরৈবাক্কী মশক ওইরবা নুংশিববু ফংনবা হোৎনবগী নোংবানগী আত্মাগী খৌরাংবা অদুবু য়াম্না অধ্যাত্মিক ওইনা পুথোরকই। নোংবানগী আত্মানা ওল্লবা পিয়ে থাদোইনা বসন্তগা লোয়নদুনা ঋতু অসিনা লাকপা খূদিংমক্তা খৌরাংনা মীওইবগী অৱাংবা ৱাখল, চানবিবা অমসুং মিনুংশিগা লোয়ননা শক্লি 'পিয়ে থাদোই', 'পিয়ে থাদোই'। অশৈবনা নোংবানগী আত্মাগী খৌরাংবা অদুবু ভাবত্মিক অমসুং কলাত্মিক ওইনা কল্পনাগী জগৎনা শক্লক্লি -

চৈরে চৈরে হেন্নদুম থম্মোই মানা ওল্লিনখি,
মমখি জগৎ অপূৰ্ব নুংশি মাদা ঙাহেলৌখি।
পীগে লেপখি থম্মোইনা থৱাই-পোম্বা অরোইবা;
নোংদম মাগী নোংদমখোল লাকখি তাঞ্জা অচাবা।

(*অশৈবগী নিতাইপোদ*, লা. ৬)

কল্লক-মিহৌ, অপাম-মিকানা য়োম্লবা নোংবানগী হকচাং অমসুং থৱায়না অশেংবা মশক ওইনা চোংথোরক্লবা মতমদা খম্বগী মফমদগী থাদোই মাগী কোলোয়তদি শোঞ্জবা ঙম্বা পীথিবু হায়না নিজবকই। তাইবঙ পাল ওইবিঙৈদা থাদোইমাগীদমক্তা মীৱা-মীশা কয়া নংবতা নত্তনা অচোপ-অৱেমগী ৱাংমস্ লান্না লাকপ্রবনি। পূন্নমক অদু থাদোই মাবু ফংনবা হোৎনখিবা থম্মোয মাগী লীচৎনি। লীচৎ অদুনা অচুম্বা পরীংদা লাক্লবা মতমদা নোংবানগী থৱাযনা নুংশিববু শক খঙবা হৌখি। অদুনা মশাগী থৱায়বু থেমজিনবা থদোইগী কোলোয়বু খম্বগী মফমদগী নিজরকই -

কচচবক্লে পুল্লি চুপ্পা
নুংশি মাগী পূজা,
কৎলুরগে লাংঙোল খূদিং
পাম্মু মাগী পূজা।
নিখবগে নোংয়াই কাদা
থাদোই মাগী কোলোয়,
সোল্লুরগে চেক্লা চাদা
নুংশি মাগী কোলোয়।

(*অশৈবগী নিতাইপোদ*, লা. ১০-১১)

অদুনা বসন্তগী হৈবাং-লৈরাং মলক্তা থম্মোযগী অৱাবা সুরগা লোয়ননা মালেম খূদিং, চৌংগোল খূদিং খোম্বাং যৈনা শক্লকই পিয়ে থাদোই চেক্লা মানা বিশ্বজগৎকী শিবা লাইদ্রবা ইনৌতা নৌদুনা লৈববা নুংশিবগী ঈশৈ -

লৈমায যেংই থাদোই ঙাক
চীংমায যেংউই থাদোই-ঙাক
থাদোই চাম্মা চাম্মনি
থাদোই লখা লখানি

ঈমায যেংই থাদোই-ঙাক
লোক্মায যেংউই থাদোই-ঙাক।
থাদোই লিশিং লিশিংনি,
থাদোই কোটী কোটীনি।

(অশৈবগী নিতাইপোদ, লা. ২০)

অশৈবগী নিতাইপোদতা যাওবিবা অতোপ্পা নুংশিবগী শৈবেং অমনা 'নুংশি ৱাখেবা' (নুংশিবগী বা লৌইশিন্নবা নৎত্রগা লেপথোক্লবা) হাযবা আওগী ফুঙ্গাৱাবীদা শাগৎখিবা ইতিবেন অমসুং চলাম্বগী নুংশি ৱাবীনি। মখোয অনীগী নুংশিবগী খোঙচৎতা ইতিবেনগী মপাবুং ক্যাম্বা নিংথৌগা শাদানমিন্নবদা ওককা শওমগা মাঙ তুং কোইশিনখ্রবদা ক্যাম্বা নিংথৌনা তাবাংদুনা থবায হিংলকখি। মদুগী পেনখ্রদুনা নচা ইচা পোক্লরবদি পীনসি হাযনা ৱাশরক্খি। মৈলৈ নিংথৌগী মচানি চলম্বনা। পোঞ্জেন নিংথৌ মুংযাম্বগী মকপনি। মপামচা শাইদাংদুনা চাওবকপনি চালাম্বা। ইতিবেন অমসুং চলাম্বগী নুংশি খোঙফমবু খঙদবসু নত্তে। পাথৌ ওইবগী বাশকনা পুনখিবদগী ক্যাম্বগী মচানুপাদা লুহোংবনি। চাদ থক্তবনা অনা লোযদুনা লুহোংলবা মতুং নুমিৎ মঙানিদা ইতিবেন শিই। ইতিবেনগী পোৎলোযনবা শীং চলামববু থিহিল্লি। অদুনা মুংযামবগীদা পোৎলোযবগে হাযনা যাল্লবদুনা ইতিবেনবু পুবকই। ইতিবেন অমসুং চলাম্বনা নুংশি বাইথুংনসি হাযনা লৈহাউ পাম্বী অমগী মখাদা ৱাশক্লখি। পাখ্রা লৈনি খঙদববা হাযনা লৈহাউনা শাউদুনা 'মাগুম্বা পুম্বি ওইযু' হাযনা শাপ তৌখি। মদুগী লৈহাউদু যাল্লগা ইতিবেনগী পোৎলোযনবা থৌবাং তৌই। চলাম্বসু উদুদগী তাদুনা শি। মুংযাম্বনা মখোয অনীগী শীংফম অনী শেমদুনা পোৎলোযখি। মখোয অনীগী মৈখু অনীদুনা অহাংবা অতিযাদা অমত্তা ওইনা তৌন্নখিদুনা মুংযাম্বনা আম্বা অনীনা লাইবৈবাঙা তিন্নখিবদু মমিৎতা তবং-তবং উইবকই।

তাইবঙ মীনি ইতিবেন অমসুং চলাম্বা। মখোয অনীগী মফমদা লৈবিবা ইনখৎলকপগী নুংশিবগা শকখঙনলকপগী মাযাগী তাইবঙগী মশকপু অশৈবনা অসুন্না পুথোকই

ঙমদে পুবা মমায চুম্না
কবি নত্ত হাইবপ যেংলম
সেমজৈ চবৈ ফিদ পঙসেম
সেমজৈ চিংথ চিংথ ফিবাল
খঙ্খি নুংশি চলাম মাবু
লেপখি মথম্মোযনা ওইগে

নোকফেৎনজৈ লুকক
খুমজৈ খিগুং ফিকক।
যেংজৈ মশা কোয়েং,
লোল্লপ মশা তন্ যেং।
নুজা ওইবী লৈবাং,
মাবু মাযোক লৈবাং।

(অশৈবগী নিতাইপোদ, লা ২৬-২৭)

তাইবঙগী মায়া লাম্বোক্লবা আম্বা অনীনা অমত্তা ওইনা তিন্নখিবগী শক্তম অদুনা অশৈবনা অসুম্না শকলি -

অসুম কারক অসুম কারক তুখি নোংথক-নোংখা,
উনববোই মৈখু অনী পাইশিন্নরে থক-খা।
চীল্লোক্লখি মিকুপ মদা তাম্বিন্নখি নীদো,
বাখৈখিদো অসুম নুংশি পাম্মু নুংশি নীদো।

(*অশৈবগী নিতাইপোদ*, লা. ৭৬)

*অশৈবগী জয় ভাই*হায়রিবা নুংশিবগী শৈরেং অসিদি এখোয়গী সঙ্কীর্তনগী পরীংদা নোংমগী চত্থরক্লিবা সঙ্কীর্তন মণ্ডপ অদুবু পূমবোই লোইরে হায়না তাকপা তাক্কক অদুনি। নুংশিবগী শৈরেং পরীংদনা মমুন ফারবা নুংশিবগী মশকনি। মৈদিংঙু খুঞ্জাউববু মরাম নিংথৌনা লুখা থানবা তোংলবা ম জাই তুংগো মৈদংঙু পাইখোম্লনা মংশৎ তাল্লকপদা চীংমী নিংঙোল ইঙাল্লেনা য়েক্লবগী মফমদা থংখোয় লাম্বোরকপা, খুঞ্জাউবগী লুরেন্দুনা ইঙাল্লেগা লোয়ননা পুরক্তুনা কোনুংদা মথৌ মঙম তৌখিবা, ইঙাল্লেবু লৈমরেনবী হাপ্পা অমসুং খাংঙুথক্তা পুন্সি পিখম্লখিবগী মশক অদুম পীবি। লাইরিক অসিনা খণ্ড কাব্যগী পরীংদা চঙশিল্লকপা শৈওংনি।

শৈরেং অসিদা মীতৈ নিংথৌগী চংনরকপগী মতুংইন্না মংশৎ তানবগী পরীং অদু মযেক শেংনা পীরি

লান্দুরা লান্‌শিবা হংনৈ তন্না হেক্ত মৈতৈ,
চৎখনরা পাথৌ পথাপ্ তন্না হেক্ত থিনৈ।
শিবো লান্‌শি লালোই কনা চন্‌খ্রো ফিমল্ মীখুৎ,
চন্নৈ তন্না যাইথীশিংদা চুপ্সানৈদো মাই খুৎ।
থিংঙি পম্বোং কক্‌ই মবী-নুংশি কদৌরুনি।
চুপ্সাখিদো নিংথৌ মাগী নুংশিখি কদৌনি।

(*অশৈবগী জয় ভাই*, লা. ১৬-১৭)

তাইবঙ মায়ানা লাঙ্গোই চম্লবা নুংশিবগী খোঙফমবু অশৈবনা অসুম্না ফোঙদোকলি-

মিচ্চানঙৈ মিৎফম্ মরি তৌখি নুজা ঙক্লপ্ --
তুথখি মিৎফম্ যেংলম্ তন্ পাথৌ মাবু ফল্লপ,
ঊখি মশা পূম্বা লোইনা চরৈ কোংগোম্লবা,
হৌগৎখি ফুক্ 'ইমা' সেম্না সেম্না কোংগোম্লবা

চবৈ, নীকৃখি মশা তনিক্ তনিক্, চুংখি মতু তন্না
পাম্লববা খওদে মশা কামগী লৈগী তেন্না।
(অশৈবগী জয ভাই, লা ৩২)

নুপী, জগৎ পোকপী ইমাগী শৈবেং ঃ

মণিপুরী সাহিত্যদা মীনকেতনগী শৈরেং নৈনবকপদা নুপী অমসুং জগৎ পোকপী ইমাগী হীরমদা নৈনবা অসি অটোবা মফম অমা কন্দুনা লৈ। হীরম অসিখক্তনা মপূং ফাবা বারেং অমা শাগৎপসু যাবি। অদুবু বারে অসিগী মনুংদা চাওবাকপা মশক অমা পাবা ঙম্মবা হোৎনবনি। বারেং অসিগী মনুংদা অশৈবনা নুপীদা যেংলিবা ঃ শামান লেঙমান্নবগী মিৎযেং, মাযাগী লাং পূন্নমকপু পূবিবী ওা লেন গী মশক, নুপা অমগী হকচাং খায ওইবী তালেংগী মশক তাইবঙ মৈবিং মে ওইবি, চাদা নাউদাবীগা মশক উবিবু চাকশেনবীবা যোকপা থাকপিবগী মশক, অফবা ফওবা পূন্নমকপু পুদুনা অশাঙবনবীগী তাঙলবা মীওইবনী গুণ অমবু পুবিবগী মশক, পূন্নমক আসবু নাউকোনবিনা মালেম লৈমগী মশক লৌবিবী মালেমগী মশক, পোক্লফম লমদমগী মশক, শক্তি পূন্নমক্কী হৌবকফম অমসুং লাইফম ওইবিবীগী মশক পূন্নমক অদুবু চাওবারা নৈনবগী শব্দকনি। মসিগী মনুংদা মহাক্কী শৈরেংশিং অসিদা থোইদোক হেন্দোকপা মিৎযেং অমা নুপীগী মফমদা লৈবি। লৈবিবা মিৎযেং অসি অচম্বা মি ওযে নত্তে। দর্শনগী ওইবা মিৎযেংগা অধ্যাত্মিক্কী ওইবা মিৎযেংগা অনী অসিনা পূনখিদুনা অপারশিংবু ভাবাত্মিক্কী কল্পনাত্মিক জগৎতা পুদুনা মপূং মরৈ ফাববা কলাগী মশক ওইনা চো থোকহনবকই অদুনা হীরমশিং অসিদা পৃক্রিং চঙলমদ্রবদি মীচম্না পাবদা অশৈবগী মিৎযেং অসি যৌশিনবা ঙমদনা লৈবি।

অশৈবগী খমাদা ইবান্নিবা শৈরেং *সীতা বনবাস* তা লমচৎ ফজবী মপুবোইবদা খাজবা পন্নমক অমদুনা মপুঙ্গি কাত্থোক্লবী, পুঙ্গিগী অবাবা খুদিংমপু পৃক্রিংদা চিংনবা লৈতনা খাওনিবী মালেম লৈমগী মতৌগুম্না তমঙনাফমগী মশক ওইথিবী বাখল মপুং মরৈ থাদবা সতিত্বগী লৈতেংনা নুপীগী অবা বা ওননি হায়না মণিপুরী বৈষ্ণব সমাজদা উৎখায়বগীদমক্তা সাওগী লমচৎপু মাগী শৈরেংগী কল্পনা পাংথোবক্তুনা মণিপুরী সমাজদা নুপীবু অবাংবা থাক্তা পন্থংনবা হোৎনবকই। অশৈবগী মফমদা নুপীগী মরী লৈননা লৈবিবা মিৎযেং অসিবু পূল্লপ গুপাচল্লগা থ্রৈথোয লোবা যাবি বদি মালেম লৈম নুনি। প্রকৃতিগী মশক ওইবা মালেম লৈমনি। লৈমবেনবা পাম্বোইবাগী মশকনি। নুপাবুনা পুব ফকী মশক ওইবিবা অতাংবা মালং অসিবুনি। অনী অসি। পূল্লবা মতমদা জগৎ ব্রহ্মাণ্ড অসি শেম্লকই। জগৎ ব্রহ্মাণ্ড শেম্লকবগী শক্তি পূন্নমক প্রকৃতিগী মশক ওইবী নুপাগী মফমদা লৈবি।

নুপাদসু শক্তিগী শরূক য়াওরি। অদুবু নুপাদা য়াওরিবা শক্তিগা নুপীদা য়াওরিবা শক্তিগা অনী অসি নুপীদনা হেন্না য়াওই। অদুনা শক্তি পূজা তৌরিবা মীওইশিংনা নুপাদা শক্তি মরি, নুপীদা শক্তি মঙা, অনী অসি পূল্লগা শক্তি মাপল, অদুনা অনী অসিনা পূল্লকপা মতমদা জগৎ ব্রহ্মাণ্ডগী যুগলরূপকী মশক ওইরকই। অদুনা ঐখোয়গী মৈহৌবোলদা - তাইবং শিবিংমৈ, পোমদনা শাৎপা লৈ, হেক পোম্বগা মপূং ফাবা লৈ হায়দুনা য়াম্না বাংনা নুপীবু থাক্সংত্তুনা থম্নিবা মশক্কা ভারতকী দর্শনগী য়াংঙুলোল অনীনা তিনশিল্লগা ওইখিবা অশৈবগী নুপীগী মশকনি। অদুনা অশৈবনা হিয়াংথাংগী লাইরেম্বীবু খুকম্না মতমদা মচৈশ্না খোক্ক হাংবি - 'খবনিসে লাই খুকম্বা খরা মপূং ফাখিদ্রে। ঙসিদি ইমানা ঐবু চংসিনবিদুনা খজাই অনীদা সেত [illegible] হেক্তো থাবিবনি। তিঙন্না, পেহৌননা লৈরিঙেদা ইমানা নখানা পমশংখলি। খোম্ব ইনবি। ঐদ কনাশংলে [illegible] অশৈবগী চহী ১০০ শুবকপগী সামনাদা লা. ৫৫ অশৈব [illegible] মাগী চাইবঙ অসিদগী লাম্থোকখ্রবা অধ্যাত্মিকী জগৎ [illegible] অধ্যাত্মিকী মহাক্কী নুপীবু নুংশিবী, [illegible], মগাবু যোকপা [illegible] মমা, পূম্নমক অসিনা লু তোংনা শাবিবা নুপীগী মশকনি। অধ্যাত্মকী য়াখলদা লৈরিবা নুপীগী মশক্কা সুমথোঙ খুদিং মমাগী নুংশিববু যেনবাবিবী পোক্কফম লমদম ইমা', জগৎ ব্রহ্মাণ্ড অসি কবিদা শোই ঙার্মখিদগে হায়না যেংশিল্লিবী জগাৎ পোকপী ইমা। মতাং অমদা প্রো গৌলকান্তনা হার্খিবা য়াফম ঙমা অশৈবগী জগৎ পোকপী ইমাগা মরী লৈননা নীংশিংনখলি।

> ইমা [illegible] শিন্নবা [illegible] নুংঙাইবে ইমা, নাবে ইমা। পঙলবসু ইমা শিংলবসু ইমা। [illegible] ইমা, চাক্লিবগী ফিজেৎসু ইমা। মমানা কোনবিবসু অঙাংনা কৌই ইমা। মমানা ফুনবসু অদুম নকপই ইমা ইমা হায়না। সংসার অসিদা ঐখোইনা [illegible] পুনা নুংশিবা চেম্সবু কনা লৈবিরগে ইমা নত্তুনা।

(*শাক্ত পূজা, অচাইবা লৈ, লা. ৮২*)

অশৈবগী মায়া অমসুং অধ্যাত্মিকী পূক্নীংগী অথূপ্পা কাজমদা নীংঙাইদনা মঙাল পাইনা লৈবিবা ইমাগী য়াফমদি জগৎ অসিদা মমা লৈতবা জীববু কনানো হায়বা য়াফম লৈতে। য়াফম আসবু চেংনা থাজাখিবা অশৈবনা পোক্কবম ইমা ওষ্ঠোকখিদুনা মতম্বাক্তা চেং চাংদুনা শান্নত্তবদা মমানা মচানা চেম্লে চেপ্পা, পৈবে পৈনা মচাগী জগোযাদা পেন্থোক্লি। মবাংবা অশৈবগী নুপীগী মীৎয়েংনী। হায়বিনা মীৎয়েং অসিদি মহাক্কী শৈবেংশিংদা নত্তুনা য়ারেংগী লৈবিবা লাইবিকশিংদসু মবাং কায়না য়াওবি।

নুপী তোংগী মশক লৌনা নুপী মশক অদুবু অশৈবনা অসুম্না শক্রি

খঁঙে ইমা গুসিদি পলেম নঙ্গী নশক্তম —
লৃগী তোঁগী হকচাংদা কোলোয মিংলেল অমা থোল
শেনবিবম্বা ঐহাকপু মথানুংদা চেৎনা কোল
ইমা নংনি মণিপুব নুংশি ঐগী ইবমদম।
(অশৈবগী শৈবোই, খঁঙুদ্রে ইমা মণিপুব নুংশি নশক্তম, লা ৪৪)

নুপীগী মফমদা মকম থৃপ্না লৈবিবা শক্তিশংবু অশৈবনা শক্তি -

লৈদো মাদি নঙ্গী নুংদা থুপ্লি নঙ্গী নকম,
বৌদ কৌ খুমগনি হেক্ত লেপ্পি মাঙদা খোযকম।
মমা ওইবী থম্মোয মাদি মচাদই লৈবনি,
নাদ গবদা মচাই খোল হেক্ত ঈওনবনি।
(বিদায আশীব্বাদ, পঞ্চম পাত্রিকা, লা ১৪)

নুপী খুদিংমক্তা যাওবিবা মমা ওইবীগুণগী মতাংদা অশৈবনা শৈথাবি

নুজা ওইবী ঐখোযদি মালেম ইমাই মশক্তি —
পুগুম তুমিন লোইনা ইমানা পুবা তম্‌গনি,
খাঙহৈবনা নুপী ঐখোই অশেংবা শক্তম্নি।
(অশৈবগী জয ভাই, লা ৫৯)

মতৌশানা লেপ্পুনা মহাক্কী খোঙচৎ কাযবা যাদনা লৈবিবা অসিগুম্না জগৎজীব অসিসু মথং মথং চাবোল শুবোল শমথদুনা লিংনবগী শক্তিগী মশক ওইবী তাইবং মৌবং মৈগী মশক ওইনা অশৈবনা শক্তি দশর্নগী বাফমগা কোন্ননা -

তাইবংমৈবিংশীং ওইনা হেল্লিবি,
তাইব লিঙইনি ওইনা থুপ্লিবি,
জগৎপোকপী ইমা নঙ্গী জৈ।
পলেম নঙ্গী তমদনি যাইফজবা থবাযনা
হৈঙ্গে নংদি লিনা লৌ শিদবানি মিংথোন্না —
থুকমজবি ইবোক নোল জগৎপোকপী অপোকপি,
শক্তি ঙাস ইমা নঙ্গী জৈ।
(জৈ মা জগৎ পোকপী নঙ্গী জৈ, অশৈবগী শৈবোই, লা ৬২)

শক্তি পূজাগা মবী লৈননা দশর্ণগী মাৎযেংগা। লোযননা অশ্রুগী ভাবতা ফোঙদোকলিবা জগৎ পোকপী ইমাগী মশক

ভারত কংলৈ মশুংলাং খোল্লাং লাইজ তরং হৌ
ঈচেল তুফাং ঈকাম্লা মায়গৈ ফিশেৎনরিবী
নন্দাদেবী চীংনুংশি হিম মমোম শকহেনবী
হেঞ্জবগুম চীঙ্গী কোল সনা ঈরী ঈপোম হৌ
ফজজজৈ শক্তমদো নুজা ওইবী চেংলৌদো
শক্তমগনি খোম্বাং হাপ।

(খঙনা খঙনা অদুবু কুইর-কুইর মমম্থি, অশৈবগী শৈরোই, লা. ৪০)

অশৈবগী কল্পনাদা লৈরিবা মশক অসিগী অশেংবা অদুবু পুথোকপা ঙমদবগী নীংঙমদবা ৱাখল অমসু লৈরি। অসুম্না কল্পনাগী অশেংবা মশক অদুবু ফোঙঙমদনা লৈরিবা মশক অদুবুসু মখা তানা ঐখোয়না থিবা য়ারি।

তেংথারোল শৈরেং ঃ

মীওইবা, সমাজ লীংদুনা পানবা জীবনি। অমুকসু ফুঙ্গা লীংদুনা পানবনা জগৎকী ওইবা তাইবঙ লীচৎনি। অসিগুম্বা তাইবঙ লীচৎ অসিদা থম্মোয থম্মোয় তীন্নরা নুংশিনবা, মসিদগী পোক্লকপা মীওই অমগী থম্মোযগী মমল, তীক-খল, ঙন পূন্নমক খঙমিন্নবা অবা অন। পুমিন্নবগী মশক অমখক মীওইবদা লৈরি। মীওইবগী থম্মোয়গী মমল খঙবসি মীওইবগী নুংগী লমচৎ অমনি। অদুনা অশৈবগী মফমদসু মীওইবগী মমল খঙবগী থম্মোযগী মগুণ খঙবগী মশক অমখক লৈরি। অসিগুম্বা মশক অসিবু মহাক্কী শৈরেংনা খক নাম্থোক্তুনা চৎখিদে। পিক্তা পিকপদগীনা চাউদা চাউখ্রবা থম্মোয ফাওবদা কোর্নাশিন্দুনা মহাক্কী তেংথারোল শৈরেংগী মনুং চন্দুনা লৈরি। মহাক্কী *সনরিক-পরেং* হায়রিবা শৈরেং লাইবিক অসিদা তেংথারোলগী শৈরেং তরা য়াওরি। অদুগা অমুকসু *সীতা বনবাস* তসু অরোইবা *শক্তা লব-কুশ* না সীতা রামগী মগুণ শক শোন্দুনা তেংথাবগী মশক অমসু উবা ফংলি।

অশৈবগী তেংথারোলদা ঐখোযনা উবা ফংলি; অশৈবগী মচল অমসুং মাগী মরী মতাশিং নীংশিংবদা শকপা তেংথাবোল, খ্বাইরাকপম চাউবা, ডা. কমল লৈতবদা, মণিপুরগী গবর্নর আকবর হাযদরি লৈতবা, পণ্ডিত নেহরু, মপাবুংনা লৈতবা মতমদা পোকখিবা শৈরেংশিংনা অপাবশিংগী থম্মোয়দা কাউঙমদনা ঙসি ফাওবা লৈরি। অশৈবগী তেংথা শৈরেংদা ঐখোয়না হেক্তা নীংশিংগনি -

কপ্পু ইমা কংলৈপুং,
কক্সি পেন্না ঙসিদি।

পি মিৎকী পি,
শিষ্টো শিষ্টনবা পোকপনি।

লাইজ নাৎপা লৈফমদো কৌনবদাই লৈকংলা,
পিবা কংবা থম্মোইদি কৌবোইদবা লৈকংলা।
শিষ্টো শিষ্টো মিৎকী পি থম্মোই মাগী ধর্ম্মনি,
পুণ্য মাগী মশক্তি।
(*সনবিক-পরেং*, লা ৬০-৬১)

ভারতকী প্রধান মন্ত্রী জবাহরলালনা লৈখিদবদা অশৈবনা তেংথাখিবা শৈরোল। অনুবস্ন হক্তা চান্দা পক্লকনি

যাম্বা অশৈবা
চৈজিং থুমাবা
নোংগুম্লিঙায ওইদববা
নোংগুম্লবখোদা
হাদা সনাপুঁ ডয়েল
পলেম নুংশিনবা লোনন
ও থাঁনিংবা ওইদববা
শাবখোদ
(সনাবিক পরেং, লা ৯২)

অসুম্না মহাক্কী তেথাবোল শৈরেংনা মণিপুরী সাহিত্যদা মফম অমা চাউনা বন্দুং লৌরে।

লাইশোন শৈবেং ঃ

অশৈবগী লাইশোন শৈরেংশিং অসিগী মফম অমসু মহাক্কী মণিপুরী সাহিত্যগী শৈরেংগী খোঙচৎতা যাওদুনা লৈরি। লাইশোন শৈরেংশিং অসিদদি জাতি অসিগী মশাগী লৈজরিবা লাইনীংগা মরীদি কয়া লৈনবা মমি উবা ঙমদ্রে। অশৈবনা অঙাং ওইরিঙৈ মতমদা গৌবর্লীলাদা গদাধব শাখিবা, বৈষ্ণবকী ইমুং অমসুং সমাজদা চাউবকখিবা অশৈবগী ইতিহাসকী তাক্কত্তা বৈষ্ণব সমাজ, বৈষ্ণব লাইর্নী থাজনবী, কলা-কৃষ্টি অমদি সংস্কৃতিনা পন্দোম লোম্না কাখৎলকপা মতাং ওইখিবনা বাখলদা জাতি অসিগী মৈহৌবোলগী মশক্তি মহাক্কী বাখন্দা লৈবগা লাইশোন শৈবেংশিংদা মমি তাবমদ্রিবা। মপুংদা গীতাগী কর্ম্ম

যোগগী লম্বীদা পুন্সিগী থৌদাংনা লৌবর্মলিবা। অদুন, শ্রীকৃষ্ণবু নীংনীংবা মওংদা নীংবা যাবগী কাযাৎ কযা ভাবতকী মুনি ঋষিশিংনা তত্ত্বগী বাবোল কযাসু লৈবি। অদুনা মনাই ওইনা, মচা ওইনা, মন্দাপ ওইনা বিষ্ণু ওইনা গোপীশিংগী থৱায ওইনা ওইহন্নীংবতা ওইহনবা গুম্বা ভগৎকী মশকনি। মহাক্কী আবতারনা গৌরাঙ্গগী মফমদা লাক্লগা অমুক নাম প্রচারগী শক্লোন কলি যুগ অসিদা লৌবরনি।

অশৈবনা শক্লিবা শ্রীকৃষ্ণগী মশকপু ঐখোযনা যেংশা যাই

প্রেমগী ঈচাউ লাক্লে ব্রজভূমি তাউবে
ব্রজগোপ গোপী প্রেমদা ঈবাক্লবে।
কবি গর্তি লেনি। তাযনা কৌবে লালা
উক্তনিঙায লৈতে লালা নঙ্গী লীলা।
সনাবিক পাবেং, লা ৭২।

অসিগুম্বা কৃষ্ণ প্রেমগী মশক্কা যাশোদা মযাগী যোকচবীদগী মমাগী গুণনা হৈনং শখিবগী ঈশ্বরগী মফমদা লৌনিবা মশগী লৈজবা পুম্বা কথোকপগী সনাতনগী মশক অদব লৌনদুনা অবাংবা থাক্কী লাইশোল ওইনা লাকই।

পোক্লবম শেবেং ঃ

চংশবগ শৈরেংগী হাওড়ংগং। পোক্লবম দশনগী শেবেংনা মপৃং ওইবা মফম চমা কন্দ ২০ পৃবা সাহিংতাদা লোলে শ্রীবরবদি ১ হাক্কী শৈবেংগী ভাব অমসুং মিৎযেংনগা লৃবগা মহাক্কী গাননগা মপোল অমা আব মনো শীজিন্নবা অদুগীসু মথক্তা অনী অসিনা পল্লগ মশৈবনা নৌনা শেম্লকপা লোনগা ওইবা, মহাক্কী শৈবেংগী-শৈহেক্লগা থক থক পনবং। খণ্ডবদা যাম্লা বাবা মশক অমসু যাওবি। মহাক্কী শৈবেং নৈনবদি অদুক্কী মতম বাবিমহৈ মহাক্কী শৈবেংগী মশেক মঙালনা লম্বী অমা পীবক্লুনা তানবা ফংদবা শাহ্রবা অমসু যাওবি।

পোক্লবম দশনগী শেবে অসি মপৃং ওইনা *যাচঙ শৈবোল থম্মিন তেংথাদা* যাওববসু অশৈবগী অহানবা শৈবেং *বসন্ত শৈবেং*দগী হৌনা পোক্লফম ইমাগী শুক্লাৎযাই অমখকনা অশৈবগী পক্লাংবু মফম খণ্ডনা কেইপু পুদুনা মতম পুম্বদা লৈ। পোক্লফম ইমাগী শুক্লাৎযাই অসিনা অশৈববু মিকুপ অমতসু পোথাহন্দনা মতম পুম্বদা পুক্লীং লাংহন্দুনা লৈবি। পান্দা উবিবা পোক্লফম ইমাগী শক্তমগা নুংদা লৈবিবা পোক্লফম ইমাগী মশক্কা মতম পুম্বদা বাবীদি শাহ। অদুবু অনী অসি অমুক্তা পল্লু হাযবা যাদে। অদুনা অশৈবগী চিংনাবিবা থম্মোযনা পানগী পোক্লফম ইমাগী মশকপু লু ভাংনা শাবিবী নুপীগী মশক ওইনা অমুক লৌ

মহাক্কী লোয়নবী তালোয় ওইনা অমুক লৌ, পলেম মমাগী শক্তম অমুক লৌ তৌদুনা লাকই। মমৈথংদদি লু-তোংগী শক্তম লৌরিবী পলেম ইমাগী শক্তমদা মচাশিংবু খোল্লাং ইনবিদুনা চাওনবা য়োক-থাক্লিবা মমাগী থৌদাংগা পোক্লফম ইমাগী মতম্বাক্তগী হৌরগা মঙোন্দা হৌরিবা চাবা য়াবা কয়া অদুবু পীজদুনা শারেপ ফারক্লগা অমুক মাগী মফমদা লৌশিল্লি। অদুনা অশৈবগী নুংদা লৈরিবা ইমাগী মশক অসিগা পানগী ইমাগী মশক অসিগা অমত্তা ওইনা তিন্নরকপা মতমদি অশৈবনা মহাক্কী মতীক মগুণবু শক-শোন্দুনা পাম্বোম ব্রাংনা থাঙ্গৎতুনা অঙাওবগী মতৌগুন্না জগোয়দা পঙশাদা শাদুনা পুন্সি লেনখি।

> মমা লমদমবু অসুক য়াম্না য়ৌশিননা উবা ঙম্বা কবি অমা হৌজিক ফাওবদা ঐখোয়না থেংনদ্রি। চাউরবা দর্শন অমগসু কোন্নরি। পোক্লফমগা ঐখোয়গা শিরবা ফাওবদা অদুম মতম পূম্বদা চৎমিন্নদুনা লৈগনি। মৈ-ঈশিং-নুংশিৎনচিংবা হায়দুনা পোৎচঙ মঙানা শাবা হকচাংনিনা শিরবা মতমদসু অদুম মালেম লৈদা পোক্লফম লমদমদা তিন্দুনা লৈহৌগনি। নুমিৎ থানা পাল্লিমখৈদি। হৈনা লৈনা হৈখোং লৈখোংদা তিনখিবগুম চরৈ ফিমলদি অদুম তিলহৌরগনি মালেম লৈদা।
>
> *(কবি মীনকেতন, পুন্সিগী অরোইবা ব্রাখল,* লা. ৩, *হৌজিক্কী সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতি)*

অসিগুম্বা অশৈবগী ব্রাখল অসি মপূম ওইনা লাক্লিকৈ মমাঙদা তোঙান তোঙানবা মহাক্কী শৈরেংশিংদা মচেক্তা ময়াদা ঈঙ্গিৎনা ফোঙদোক্লকপা মতমদদি অপাবশিংগী থম্মোয়দা অব্রাবগী মশক অমা ওইহল্লি। চিংনহল্লি, খন্থহল্লি, কোক ঙাওহল্লি, পোক্লফম লমদম অসিগী চীং-পাৎ-তুরেল-লৌবুক-লম্ফাং তু-খোং লানদুনা পঙচৎতা চৎহল্লি। অশৈবগী কল্পনাগী জগৎনা শৈরেংগী কলাগী থোঙদা লাক্লবা মতমদা মঙলান অমদা ইতাউ তাউদুনা লৈহল্লি। অশিবগী কল্পনাদা লাকলিবা অসিদি মমিগী মশকনি। পান্দা উরিবা অশেংবা ফজবগী মশক থম্মোয়দা তারিবা অদুবু চপ চানা ফোঙদোকপা ঙম্বা অশৈবগী ব্রাহৈ লৈতে শক্তিসু লৈতে। থম্মোয়গী ব্রাহৈনা শোকপা ঙম্বা শরদ্ধক খরা অদুতবু ফোঙদোকপনি। অশৈবগী ব্রাহৈদা -

কদায় মাদি ফজবা,
কদায় মাদি নুংশিবা!
মমিগী মমি ঙাক,
মমিগী মমি ঙাক —
মমিদা পূজা,
মমিদা সেবা।

(সনরিক-পরেং, লা. ৭)

অসুম্না মপূং ফানা ফোঙদোকপা ঙমদবা পোক্লরম দশর্নগী অশৈবগী শৈরেংগী খোঙচৎ অসি ঐখোয়না চাওরাক্লা বসন্ত শৈরেংদগী য়েংলক্লগা মথং মথং চাউখৎলক্কুনা যাচঙ শৈরোল খম্মিন তেংথা ফাওবা য়েংবা য়াই। হায়রিবা পোক্লবম দশর্নগী মিৎয়েং অসিদা অশৈবগী থিজিল হুমজিল্লুবা কয়াদগী ফংলকপা, মহাক্কী পুন্সিনা হকথেংনবকপা কযা অদুনা জাতি অসিগী ঈরোং কয়াদগী তিনশিন্নখ্রবা সংস্কৃতি, কলা, কৃষ্টি কয়া অদুবু শাগোন্নদুনা মনুং হুঞ্জিন্না য়াওদুনা লৈরি। ট্রেদিসনগী য়ুম্ফমদা চাউরক্লিবা পোক্লরম দশর্নগী শৈরেংশিংনা তান্ত্রিক সাধনাগী পরীংদা অৱাংবা দশর্নগা লোয়ননা নুং অমসুং পানগী পোক্লফম ইমাগী অধ্যাত্মিক্কী মশক অদুবু মহাক্কী শৈরেংশিংদা মযেক শেংনা চোংথোরকই। বসন্ত শৈরেংদা চোংথোবকলিবা পোক্লফম ইমাগী মশক অসি ঐখোয়না য়েংবা য়াই -

তনৌ হেদৌদা কাবিবী,
লৈকোন্না খবাই ওইবিবী,
হৈকোন্না পোৎথা ওইবিবী,
লৈবাংনা যাতা ওইবিবী,
হৈরাংনা মোন্দুম ওইবিবী
নামিবনা থৌগন চংলিবী
কোকিন্না লোইন ওইবিবী।।

(বসন্ত শৈবেং, লা. ২)

অশৈবগী নিতাইপোদ শৈবেংদদি নোংবানগী থৱাযনা অহাংবা অতিয়াদা কোইনা লংনা পাইদুনা যেংথবকপদা থৱাযনা তাজবী থাদোইগী পোক্লফম লমদমগা ওইরে, চেক্লা মাগী পোক্লফম লমদমসু ওইবে; নুংশি লমদম ওইবনা যেংখি যেংখিবা মীৎফম খুদিংমক্তা ইনুংদা নুংশি, ইনৌদা নৌই। অদু থম্মোযগী পোখাফম চিক্লবা লমদম অমগী মশক লৌরকই -

উরে তান্না নুংশিববা লমদন্নিদ অমা,
চোকথরবা লংফৈ কাদা ঈংনরন্নি অমা।
ঙাল্লি চিপক চীঙ্গী কোন্দা ফিবোযনরি শংলোল,
চেল্লি তুবেল লীক্লাং পবেং হেল্লি থাদা লীক্লোল।

(অশৈবগী নিতাইপোদ, লা ১৭)

অমুকসু অশৈবগী জয় ভাইদা মরাম চীংদা খুঞ্জাউবগী মংশৎ তানবা চৎপদা মতম শাংনা মরাম খুন্দা লৈকরবা মতুংদা মবাম খুল্লাকপগী অমত্তা পোকপী ঈঙাল্লেগা লোযনা পাউখোম্বনা তম্পাক লমদম য়ৌরকপা মতমদা অশৈধনা শৈথারি পোক্লফম লমদমবু অসুম্না -

উবি লোইবি পল্লোল - মৃৎলি নোংফাইলক্তা,
হিপ্লি শংবান লৈমায থক খা-তাবি শাংথ লেংথ।
হুল্লি নামি লিবি লিবি শংবান লৈকোয তন থুং,
জগোইজবি হৈপাল লৈপাল মাযগৈ খুদিং তন থুং। (লা ৯৫)

অশৈবগী পানগী পোক্লফম লমদমগী ফজবা নুংশিবদা ঙাওবম্লবা মতুংদা *অশৈবগী শৈবোই* যৌবক্লবা মতমদি নুং যৌনা চঙশিল্লকই। নুং যৌনা চঙশিল্লকপা মতমদদি দশর্নগী বাফম লোযনবকই।

শকই ইশৈ মহাক্ল - ইশৈদ পঙশক্ত মশকই,
চোংই জগোই ঐহাক্ল - জগোইদ পঙচোংদ মচোংই।
মিৎশুক্লদে - কদৌনুং,
খাজিক্লদে - কবিনুং,
সাবক্লে জগোই - কযা কযা পুন্সিনুং।
(অশৈবগী শৈবোই, লা ১০)

পোক্লবম দশর্নঃ যাচঙ শৈবোল খম্মিন তেংথা যৌবকপা মতমদদি নুং পান অনী তুনা ফাওদুনা বাখল অনীমকনা ঈথক হৌবকপা মতমদদি মাংলমচৎকী ইপা-ইপু, পাথৌ লীচা লেপ্পা কযাগী মতীক মগুণ পাম্বোম পাঙ্গলনা ইমাগী মগুণবু শক-শোল্লকখিবা মহাক্কী খোল্লাংনা যোক্লকখিবা তীর্থগী তীর্থ ঙাক্তা ওইববা পোক্লফম লমদমনি হাযনা সংস্কৃতি, কলা, কৃষ্টি কযা অদুগা শাগোননদুনা অবাংবা তান্ত্রিক্কী সাধনাদা, পুন্সিদা থেংনবকপা পূম্নমকপু তাশিন খোমজিল্লগা কলাগী ওইনা শীতোক-নাম্থোক্লগা মশা যাম্না তাশিন্না পুথোবকই। অশৈবগী পোক্লবমগী শৈবোল অসিদি মাগী শৈবেংগী খোঙচৎতা ইখ্রিবা শৈবেংশিং অসিগা বাখল অসি ইফাও ফাওদোক্লবা মশক অমসু থেংনবি। অশৈবগা, ঐখোযগী থাজনবী, চৎনবী, নাৎ, লাইনীং কযাগা শগোন্নবকপা শৈবেংনি। শক্লি -

নুংশি নুংশি লম্নুংশি
লোইবী চী'না কোনববম
কোলোযনুংশি মণিপুব,
চীংদা যেংলুই মনুংশি
তম্দা যেংই মনুংশি
নতু তুবুম খুদিংদা
তাক্লে থবায অপোকপী,
(যাচঙ শৈবোল খম্মিন তেংথা, লা ১)

অমুকসু অশৈবনা শক্লি -

শমু হকচাং পাম্মুবা
মালেম নঙ্গী লৈরীক্লি,
থবায় ঐগী নুংশিবা
খংগোল নঙ্গী নুংশিৎনি,
নূংদা চেল্লীবা ঈনা
লাইজ নঙ্গী ঈরীক্লি,

(য়াচঙ শৈরোল খম্মিন তেংথা, লা. ৩)

পোক্লফম লমদমগী থৌজালবু অশৈবনা থাঙ্গৎলি -

পোক্লে ইমা পীবুক ওং
চাউরে ইমা খোল্লাং থক
পাল্লে ইমা শেগা তাং
লোইরো পুনশি ফৈরা থক
কেল্লো লৈরাং লৈখোংদা
কেল্লো হৈরাং হৈখোঙদা
খুল্লু পলেম ফিগাউ সা,

(য়াচঙ শৈরোল খম্মিন তেংথা, লা. ১৮)

অশৈবা অসিগী সাহিত্য নৈনবা অরাইবা নত্তে। মসিগীসু মথক্তা মহাক্কী শৈরেং নৈনবা অসিনা অমুক্তা হেন্না লুই। হৌজিক্কী মণিপুরী সাহিত্যদা য়াম্না লাইবকথীরিবদি মহাক্কী লোন অসিবু খঙবা ঙম্বা মখা তাবা মীরোল লৈতবা অসিনি। অদুনা হৌজিক্কী মীরোলশিংদি অচৌবা গ্রীক অমা ওইনা থোক্লে। গ্রীক ওইরে হায়দুনা হুন্দোক্লগা থম্বদি মণিপুরী সাহিত্যদা মহাক্কী শৈরেংনা কৈদৌঙৈদসু য়াররোই। অদুনা ঐখোয়না হোৎনবা লেপ্পা য়াদে। মণিপুরী শৈরেংগী খোঙচৎতা মহাক্কী শৈরেংগী মফম য়াম্না চাউনা কন্দুনা লৈরিবনি। মহাক্তি মণিপুরী লোনগী জগোয়দা য়াম্না নুংঙাইজবনি। লোনগী ইনাকখুনবদা পেঞ্জবনি। মাহে লীক্লা শীজিন্নবা অশৈবা অমসু নত্তে। অর্থ অমা ফংনবা হোৎনবদা অরি-অনৌ লোন য়ানশিন্নদুনা শীজিন্নবনি। মহাক্কী লোনগী মাঙাঙগী ছন্দগী মশকসু তোঙান তাবা তোপ তোপ্পা অমনি। মাগী ওইবা স্কুল অমা শাগৎলকপগুম তৌই। মহাক্লসু অনৌবা লোন কয়া অমা শেম্মী। অদুনা মহাক্কী লোন অসিবু হেক খঙলকপা মীকুপ্তা মহাক্কী শৈরেং খঙবা ঙম্লক্কনি। শ্রীমীনকেতনগী শৈরেংনা মণিপুরী সাহিত্যদা মণিপুরী শৈরেংগী সাধক অমগুম্না চীংলেম্না অৱাংবা লোইবী চীংগুম ঙান্দুনা নাইতোম লৈরিবনি।

মতেং লৌখিবা লাইরিক ঃ

১। অরিবম কুমার শর্মা *সাহিত্যদা রস অমসুং অতৈ নৈন-বাবেং খবা,*

২। অশাংবম মীনকেতন সিংহ *অশৈবগী জয় ভাই, অশৈবগী নিতাইপোদ, অশৈবগী শেগোই, তোন্নু লাইজিংলেম্বী বসন্ত শৈরেং, বিদায় আশীর্ব্বাদ, সনবিক পরেং, সীতা বনবাস পুনর্শি শঙ্কুম লাবোল ১,২*

৩। ই নীলকান্ত সিংহ *অচাইবা লৈ, হৌজিক্কী সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতি, সংস্কৃতিগী শক্লোন*

৪ ডা। নোংমাইথেম তোম্বী সিংহ, *মণিপুরী সাহিত্যগী বাবেং খবা, মীনকেতনগী খঙ্গৎলবা বাবেং, মণিপুরী সাহিত্যদা অনৌবা মীৎযেং অমা*

৫ ডা। যাসি *কৃষ্ণচূড়াগী অঙাংবা মপাল*

৬। নগাবোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি, *বাখল* ১২১ ১২৩ শুবা মশীং, *মীনকেতন নৈনবা বাবেং*

৭। পোসেম নবচন্দ্র, *সাহিত্যগী মহৌশা অমসুং অতৈ বাবেংশিং,*

৮ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, *মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস*

৯ নোংথোম্বম শ্রীবীরেন অমসুং কোম্বৌজম তোম্বী সিংহ, *অশাংবম শ্রীমীনকেতন সিংহগী খাইদগী ফজবা শৈরেং*

১০। লোংজম জয়চন্দ্র সিংহ, *মীনকেতনগী সেমিনারগী চেশিং* (ইংলিস), কবি অশাংবম মীনকেতনগী সোবিনার

১১। চান্দম মণিহার সিংহ *হিস্টরী ওফ মণিপুরী, লিটরেচর*

১২। বিল্লিয়ম জেলোং, *ইংলিস লিটরেচর*

১৩। বিল্লিয়ম হেনরি হডসন *ইন্ট্রোদক্সন তু দি ষ্টদি ও লিটরেচর*

মীনকেতনগী অনুবাদ সাহিত্য

ডা. আই আর বাবু সিংহ

মীনকেতন, হাযবদি ওঝা মীনকেতন সিং অসি পূক্লিংদা চীন্দা হেক পনবদা ওঝা হায়বা বাহৈ অসি থাবলগী মঙালগা অইংবা, অকিবগা অমদি নুমিৎকী মঙালগা মৈশাগা লোয়নবগুম থাদোক্লবা যাদনা লোয়নদুনা লৈ। ওঝা মীনকেতনবু হৌজিককী মণিপুরী সাহিত্যদা ঐখোযনা খঙনৈ,

শালি কুপ্লাংনা কুমওনবা
তরানীপান্না ওঙ্গওইনা
নীফুগা তরুক ঝায়রকপা,
মৈতৈ সাহিত্য জগৎনুং
কুপ্লাং চনী মল্লুবা তুং
নোংনা ঙানফুংদ তৌরকপা
তাঙ্গাদা,
(*কমলদা*)

'য়াম্বা অশৈব চৈজিং খুমাবা' গ্রান্দ ওলদমেন ওফ মোর্দন মণিপুরী লিত্রেচর। হৌজিককী মণিপুরী সাহিত্য হায়বসিদা ওঝা মীনকেতনগী মই, ওঝাগী লোন অমসুং স্টাইলগী তোপ তোপ্পা শক্তম অমা উৎলিবা শীংথানরিবা কবিনি, সাহিত্যিকনি, পন্দিতনি।

হৌজিক্কী মণিপুরী সাহিত্যদা শীংথানরিবা ওঝা মীনকেতনগী অনুবাদ সাহিত্য হীরম অসি নৈনজবদা লৌখৎচরিবা লাইরিকশিং অসি মণিপুরী লোন্দা হন্দোক্লুনা অহানবা ওইনা ফোঙখিবা চহীগী মতুংইন্না লৌখৎচরি। খৃষ্ট কুম ১৯৬০ দা ওঝা মীনকেতনগী মণিপুরী অনুবাদ মাইকেল মধুসুদন দত্তগী *মেঘনাদ বধ কাব্য*গী শক্তিনির্ভেদো-শক্তি পীবা হায়বা শক্তিশেলনা লক্ষণবু হাৎপগী মতাং অসি অনুবাদ তৌরুবগী মরমদা ওঝানা 'রা অম অনীদং' হায়বসিদা হায়রি,

লাইবিক অসীনা মকোক্কী সর্গ তরুক যাওদনা তবেত্তগী হৌজবিবসী কেন্দ্রীয় সরকারনা প্রান্তীয়ভাষা ফুব্বুৎনবগী মবম ওইনা কবিবব মধুসুদনগী মেঘনাদবধ রূপান্তর তৌনবা তাকপী নকপা যাথং তাজববা অমনা কবিবত্ন হবাইবা নবদ্বীপচন্দ্র সিংহনা মথক্কী সর্গ তর্কক্ত লেইবম্মে হাযবা খণ্ডজরুবগা — মবম অনীসিদগী মণিপুরগী নোং। হৈবকপা পাঠকশিংনা অমবকবি মধুসুদনগী অমৃতচেল্লবা খোর্ঞ্জেদগী শিন্থবকপা নী থিজববা মেঘনাদবধ কাব্য মপুং ফানা শকখঙনববদি হাযনা মমৈগী অরাংপা অন্থম হান্ন পাযখচ্চরুবদগীনি।'

সর্গ অন্থর্মসিগী মনুংদগী তবেৎশুবা সর্গ অসি ফোঙলে, লেমহৌবিবা নিপালশুবা অমসুং মাপলশুবা সর্গ অনী অসিদি ফোঙদ্রি। ওঝানা রূপানতন হাযবদি কবিগুম্বা লোল অমদগী অতোপ্পা লোন অমদা হন্দোক্তুনা, মশক ওনথোক্তনা পুথোবকপা সাহিত্যগী সাধারণ ওইবা বাফম খবা বা অমা অনীদং' হাযবসিগী অহৌবদা মখাগী অসুন্না পল্লি -

থম্বাল মশানা ফজনা পোকচববা লৈনি। লৈশক হেল্লি, লৈচু ফজৈ, লৈতৌ নুর্ংশি, লৈনম খোযথুম্নে — লৈগী অরাংপ অমত্ত মঙোন্দ লৈতে। অদুনা ফজবগী ভাবুক, নীংথিবগী পূজারীশিংন সাদোকপসু যাওই — যেকথোকপসু লৈ। ফজৈ, নীংথি পাল্লি — লৈশক বাত্তে, লৈতৌদা তাদে, অদুবু লৈনমদি যাওদে — চেন্নৌ হাযবা খক যাদে। অরূবদা তাবা লৈগী লৈমিদসু অদুমঙায। লৈশক্ত, লৈতৌদা, বাত্ত তাদবদঃ নত্তনা লৈশানা হাইবে হাই নৌবে নৌই — পুম্মান মান্নে, অদুবু লৈনমদি চেন্নদে — শীজন্নবসু যাদে। অদুনা, ফজবা লাইবিক্কী মফজ নীংথিবা লাইবিক্কী মনীর্ংথি অনুবাদ দা ফাওদে ফাও হাযবা খক যাদে। মসি অনুবাদকী শাগোন্নববা দোর্যনি। অসিদগী ৩ খঙ অহৈশিংনা অনুবাদগী। মতমদা লোনযায হোন্দুনা চৎনৈ — লোনযায হোনবং অনুবাদনী লম্বীমন্নি তাক্লে

(মেঘনাদবধ কাব্য, বা অমা অনদং)

সাহিত্য সাহিত্য অদুবু শেমলিবা, ইর্বিবা মীশক অদুগী পূক্লিংগী মশকনি, বাখলগী মূর্ত্তিনি, বাহৈগী, লোনগী মতেংনা শেমগৎলিবা শিল্পীগী খূৎশেমনি। মবম অসিনা স্টাইলগী মবমদা হাযনবকপদা তত্তনা পন্নে' স্টাইল ইজ দ মেন,' স্টাইল হাযবসি মদুবু শেমলিবা, পুথোকলিবা মী অদুমকনি হাযনা। মসিমক ওঝা মীনকেতনগী মতাংদদি চপচানা চুন্নবনি। হৌজিক্কী মণিপুরী সাহিত্যদা 'মীনকেতন স্কুল ওফ থোৎ' মীনকেতন কাঙলুপকী বাখল পবীং কৌবা যাবা ওঝানা উৎলিবা যেংলিবা মিৎযেংগী মনুংদগী পুশিনবা যাবা স্কুল অমা লৈবববা লৈত্রিববা নৎত্রগা ওঝাগী মিৎযেং অসিবু বাহৈ অসিনা কোনশিন্দুনা শীংথাবা চুমববা হাযবসিদা মিৎযেং খেন্নবা লাক্কনি। অদুবু মীনকেতনগী লোন, মীনকেতনগী স্টাইল হাযনা শীংথাবা যাবা, উৎপা যাবা লোন অমসুং স্টাইল অমদি ওঝানা মণিপুরী সাহিত্যদা

ময়েক শেংনা, মরীক চুন্না পুথোকপিরকলি; উৎপিরকলি, শৈরেং, ৱারেং অমসুং সাহিত্যগী মখল কয়াগী মইদা। মাইকেলগী মেঘনাদ বধ কাব্যগী লোনগী মতাংদা মহাত্মা সংস্কৃত ৱাহৈ য়াম্না হেনজিননা শীজিন্নবা অমদি অরিবা লোনগৈ দিক্ষনারীগী লাম্বায়দা কাউথোকপগা লোয়ননা য়াওদুনতা লৈখ্রবা লোন কয়াবু পুথোক্নুনা শৈরেং অসিদা শীজিন্নরকপদা অহানবদা অপাবশিংগী নাকোংদা তায়োন্নবা মান্না থোক্লকপা সাহিত্যক ওইবা সাধূ 'ভাষা' হায়না খণ্ডনবা লোনগা অয়ুক নুমিদাং খুন্নাইগী পুন্সিদা শীজিন্নবা লোনগা তিন্নহন্দুনা পূন্না শীজিন্নবা, ৱাহৈ পরেং অমসুং লোন শীজিন্নবগী মতাং কয়াদা চৎনরিবা ব্যাকরণগী নিয়ম ঙাকনা নীংতম্বা মওং অমদা শীজিন্নবা অমদি ৱাহৈ ৱাতা কয়াদা য়াওরিবা লোনগী ওইবা খোইথুন্নবা তাবদা নুংঙাইবা পোকহনবা ফ্রেজেল মিয়ুজিক অসিনচিংবশিং অসি অথোই-অহেন নাইনা য়াওই। ওঝা মীনকেতনগী মণিপুরী অনুবাদ অসিদসু অসিগুম্বা মখলগী লোন, ৱাহৈ-ৱাতা কয়া পুন্না নৎত্রগা তোঙান্না পুশিল্লক্নুনা মণিপুরী লোনগী অনৌবা মশক অমা উৎলকই-

ইনুংইরাইপাল লোক ইফুজবা লৈরাংগুম্ব
লাইজ তন্ন ইফুজ হৈনৈন্নেনম্মারবা
থায়ীন্নিক্লিক্করবী নীংথিরবী প্রমীলা
শম্লাং মাগী শম্নুংশি শমজিশম্লোল তানা লোল
তম্ফাপরেং য়ায়দা য়েপ শম্লৈ চানা শমজি লৈ
নুজা মকে সেমজরি
(*মেঘনাদবধ কাব্য*, লা. ২)

মথক্কী অসি মাইকেলগী মখাগী অসিগী অনুবাদনি,

নিশার শিশিরে যথা অবগাহে দেহ
কুসুম প্রমীলা সতী, সুবাসিত জলে
স্নানি পীনপয়োধরা, বিনানিলা বেনী।
(৫শুবা সর্গ, ১০-১২)

মণিপুরী অনুবাদ অসিদা শীজিন্নরিব, ৱাহৈশিং অয়াম্বা 'ইনুংইরাইপাল লোক,' 'শমজি শমলোন চানা লোল' অসিনচিংবশিং অসিদা য়াওরিবা, পুনশিল্লিবা অরিবা লোন অমসুং অনৌবা অনী অসিনা তাবদা সাহিত্যিক ওইবা মখলগী ৱাহৈ ৱাতা ওইনা থোকহল্লি। 'থাজকোকথোক্লেতেংবা' 'লোইবী নোংদ্রেনচীং' 'শমৱাউলুতোনকিশিবা,' 'তিমেন তাবাক খুৎসুবা,' 'লোলনৈলোনফায় মরিবা', 'নোংদোননোংলেননোংথৌবা,' 'লাংগোইলাইশাখোঙদম্বা,' 'পোনোইখাম্বীমৈবুনগুম,' 'খোইখোইশমলাংশমলেপফাশমলেল

শল্লং-নববী, লম্ম ঙাইওনদবা কৌবৌঅঙানপানথোইবা''মোংবযুমজাউ মৈবাযবক,' মালেম মীপোক ওংনরায, 'শা মীযাঙবপাজুম্বা' অসিনচিংবা বাহৈশিং অসিদা যাওবিবা অবিবা অনৌবা লোনশিংগী পুনশিন্নবকপদগী থোবক্লিবা অনৌবা মশক অমসুং তাবদা নুংঙাইবা মা তী অসি মবাঙ কাযনা যাওবি।

লোন বাহৈ-বাতা কবিগী পূন্নিং ফোঙদোক্নবগী শাদোংনি মবম অসিনা কবিনা মাগী পূন্নি পী ইহুল ফোঙদোকনবা লোন মবক মবক্তা মশা মতোমতনা শেমজৈ। সেক্সপিযরনা "হেমলেট" তা, sicklied o'er with the pale cast of thought (III 1) হাযনা sickly হাযবা বাহৈসি অদুগা অমুক "মেকবেথ" তা, No, this may hand will rather the multitudinous seas incarnadine (II, ii) হাযবসিদা incarnadine হাযবা বাহৈসি মযাম্না শীজিন্নবগী বাংমদা শীজিন্নে মওং কযা লৈ অমসুং মীনকেতনগী মণিপুরী অসিদসু যাওবি,

বা ঙাংলম্বা লেপখবে বীনাখোনফমনববী, অদুগা, চীংগোযজৈযে নুংশিনা ফজলোনচৎনজবা অমসুং লম্মন শিংগে শবীনা নিকষাগী মচাদো হাযনা খোনম্নবা লোনচৎনবা শবীনা হাযবা বাহৈশিং অসিগী সাধাবণ ওইনা শীজিন্নবগী মওং হো দোক্তুনা ভর্ব ওইনা শীজিন্নবকই। ওঝা মীনকেতনগী মণিপুবী অনুবাদ অসিদা তোঙানবা কবিগী ওইবা লোন পোযেটিক দিক্সন অমগী মমি তবি, পুথাকলি।

মাইকেল মধুসূদননা বাংলাগী পযাবছন্দগী চৎনবিবা বাহৈ সিলেবল তবা মবি লেনা পরে গী নিপানওবা সিলেবল। হনাহেও হতি থম্বা অর্মদ পাবেংগা অপাইপদা পাহোক মাঙবা বাহৈ। লোইশিনবা ম ওংগী ছন্দগী মওং অসি থুগাইদুনা অমিত্রাক্ষব ছন্দ হাযদুনা অককপা অসিগুম্বা অফ- অপুনসিদগী নীংতম্নবা ছন্দ মখল অমা মাগী *মেঘনাদবধ কাব্য* দা শীজি লৈ। অসিগী মতাংদা মতাক্লা ইবম্মী

> I find that the (medial pause) instead of being confined to the 8th syllable, naturally comes in after the second, third, fourth eleventh and twelfth and so on

ফোঙদোকলিবা ভাব অদুগী অবোইবদা, থোইদোকনা পবেংগী লোইশিল্লকপা হাযবা থমদনা লেপফম যতি তম্বসি মাইকেলগী অমিত্রাক্ষবগী শক্তম অমনি। ছন্দ মওং অসিনা খ্বাইনা ঙাওনা শান্নবিবা মওং মতৌ ছন্দ অসি ঙাকনা থম্বগা লোযননা ছন্দগী মহৌশাগী ওইবা মতৌ অমসু ঙাক্তুনা লৈহল্লি। ওঝা মীনকেতনগী মণিপুবী অনুবাদ অসিদা মকওইনা শীজিন্নবিবসি খোনথোক তবামবিনা শাবা বাহৈ পবেংনি অমসুং পবেং অমগী মনুংদা যাওবিবা তবেৎশুবা খোনথোক্তা যতি হাযবদি মযাযগী লেপফম ওই -

হন্দোবক্লে অঙানবা শেঙ্গীং চাঙ্গী চীংযাঙদা
ফমদেংবগুম থম্বাম্থক চীঙু থম্বালখোঙহৌবা।
মিংম্নাথম্বান্মাঞ্জবা মিৎচি খোইখোই তেঙ্গা থোং
যেংজবক্লে মালেম তম পুক্লিং হেদৌ তন্ন কা।

মথক্কী পরেং মবি অসিদা পরেং অমমমদা রাহে খোঙ্থোক তবামবি যাওই, মযাযগী লেপফমনা তরেংশুবা খোঙ্থাক্তা ওই। মযাম্বা পরেংদা যাওবিবসি রাহে খোনফম তবামবিনি। পরেং অমগী অরোইবদা ভাবকী অরোইবসু অযাম্বদা ওই, মাইকেলগী,

বিলাপের কাল, দেবি চিরকাল পাবে।
বৃথা রাজ্যসুখে, সতি জলাঞ্জলি দিয়া,
বিরলে বসিয়া দোঁহে স্মরিব তাহারে
[illegible] বানয়া গাও [illegible] নিবাইবে
এ রোষাগ্নি অশ্রুনীরে, রাণি মন্দোদরি?
বন সুশোভন শাল ভূপতিত আজি,
চূর্ণ তুঙ্গতম শৃঙ্গ গিরিবর শিরে,
গগনরতন শশী চিররাহুগ্রাসে।

(৫ শুবা সর্গ, ৩৪৪-৩৫১)

পরেংশিং অসিগী খোঙ্থোক মশীং মান্নদে, কবি গুম্বদনা 'তবানিথোই, তবামথোই, তবামবি অসুম তৌনা লেপ্লন চৎলি। মণিপুরীদা শব্দক অসিবু মখাগী অসুম্না হন্দোক্লে,

ফঙ্কিগান বাকমু কপ্পনবা ইচাগী
চবৈ ফিজোল তন্ন লুপ শানে পূঙ্গিখোঙফমদা
মৃত্যুনবা তৌবনু মিৎকী পিনা চান্নবি,
পাবিকাযনমৈচাকসে থম্মোইমৈহৌনবিবা।
সনাফম্বাল থাদোক্লম অবেম্বদা তাববা
সনালীকথাং চোইনঙায, কপ্লাখনি নুংশিবি
উকোন্নুংদ তবকপা পেন্ন পেন্ন পুঙ্গিচুপা'
তলাং' পামেল পূংনবায উমংলৈতেং চাউদম্ব
তুবেদোসে ঙসিদি মালেমশাংদমযাহিপ তম,
লোইবি চীংজাউচীংদোম্পোক চাউদমবাংদম ঙালম্ব
নীঙখাযবেদো হৌজিক্তি মালেমলৈবাক তন্ন তা,
নোংদোম্ভিযাওংনবায থাজতম্ফা অহেনবা

তাবেদোসে ঙসিদি থাজযেক্লমখযাৎ,
চুম্বিববা পামুবি পম্থহনবা খোঙফমসে,
মিৎলুপিবাং তন্ন থেম মিৎকী পিনা নহাক্কী
মুখৎনবা থৌবাংব থম্মোইখোন্ন চাক্লিবা
পাবিকাযনমৈচাক্সে পোলোইখাম্বীমৈবি নম।

(*মেঘনাদবধ কাব্য,* লা ৩৩-৩৪)

পবেং খুদিংগী খোন্থোক বাহৈ ১৪/১৪ যাওই, হন্দোক্লিবা মওং অসিসু যান্না শন্দোকনা মমুৎতানা তাকপা অমবোমদা হাযবগা ওবিজিনেলনা পীবিবা ফোঙদোক্লিবা ভাব অদু এক্সপ্লেনেতবি ওইনা ফোঙদোক্নুনা উৎলি।

নবদ্বীপচন্দ্রনা হন্দোকলম্বা *মেঘনাদ তুবা কাব্য* দা মণিপুবী অবি অনৌ বাহৈ পুনশিল্লগা শেম্বা নত্তবা, অযুক নুমিদাং পুনসিদা শীজিন্নবা লোনগী মশীজিন্ন অমসুং পুনশিনবা হৈবদগী থোবকপা তাবদা নুংঙাইবা, ফজবা বাহৈ কাঙলুপকী ওইবা লোন, খাম্বী মৈবী ওইববী জানকী,' 'থম্বাল শাঙবা লৈখোক, দোলাই লানথেং চংখোনবা' অসিনচিংবা বাহৈ কাঙলুপ কযা যাওই। ওঝা মীনকেতনগী লোন্দসু শেমবা হৈবা অমসুং অবি অনৌ যানশিন্নবগা তোঙানবা অর্থ অমসুং ছন্দগী মতৌ ফোঙদোকপা বাহৈ বাতা কযা কযা যাওবি।

ববীন্দ্রনাথ ঠাকুবগী *গীতাঞ্জলি* অনুবাদ খৃস্টঃ কু. ১৯৬৪ দা ফোংঙি। রুপান্তব অসি বাংলাগী নত্তে, ইংবাজী *গীতাঞ্জলি* গীনি হাযনা 'রূপান্তব কর্ত্তাগী বাবোল খবদং' হাযবসিদা ওজানা পনবিবি। ইংবাজী 'গীতাঞ্জলিগী নত্তে, ইংবাজি গীতাঞ্জলি' গী শৈবেং ১০৩ মক অনুবাদ তৌবি।

শৈবেং অম'নীদং লৌখত্নুনা যেংবা যাই।

তুমি কেমন কবে গান কব যে গুণী,
অবাক হযে শুনি কেবল শুনি।
সুবেব আলো ভুবন ফেলে ছেযে,
সুবেব হাওযা চলে গগন বেযে।
পাষাণ টুটে ব্যাকুল বেগে বেযে
বহিযা যায সুবেব সুবধনী।
মনে কবি অমনি সুবে গাই,
কণ্ঠে আমাব সুব খুজেনা পাই।

কইতে কী চাই, কইতে কথা বারে —
হার মেনে যে পরান আমারে কাঁড
আমায় তুমি ফেলেছ কোন ফাঁদে
চৌদিকে মোর সুরের জাল বুনি।

মখাগীসিনা ওজা মীনকেতনগী মণিপুরী অনুবাদনি,

শৈশক্নে নঙ্গী, খঙদে, কবি কবম শক্লিবা,
মুল্লিনে ইবুঙো তাবদা মুঞ্জেনে।
ইশৈগী মঙাল তাবি মালেম শরা শল,
ইশৈগী নিংশা হোল্লি মালং খোন্ন খোল,
ইশৈগী গঙ্গা চোল্লি নুংথোঙ লোইনা হাং
চেল্লি লৈনা লৈ ঈবাউশোল্লোয চোংন চোং।

শকচগে মনীঙি তুংইন্ন শৈশক্তো,
তাবোদি ময়াদে খৌনাউদা শৈহেক্তো,
শক্লগে মযেঙি থোকউদি মযাদ্রে,
কপ্পদঃ মথঁঙে নীংবদি মথুংদ্রে;
মায়গৈ মরি লাঙ্গোয় চল ইশৈনা ঐবু
কবিনো কবিনো লাক্লবিবসিবু।

মথংগী শৈবেং অমা,

তোমার সোনাব থালায় সাজাব আজ
দুখের অশ্রুধার।
জননী গো, গাঁথব তোমার
গলায় মুক্তাহাব।
চন্দ্রসূর্য পাযেব কাছে,
মালা হয়ে জড়িয়ে আছে,
তোমাব বুকে শোভা পাবে আমার
দুখের অলংকার।
ধন ধান্য তোমারি ধন,
কী কববে তা কও।
দিতে চাও তো দিযো আমায়,

নিতে চাওতো লও।
দুঃখ আমার ঘরের জিনিস,
খাঁটি রতন তুই তো চিনিস—
তোর প্রসাদ দিয়ে তারে কিনিস —
এ মোর অহংকার।

মণিপুরীদা হন্দোকলি মখাগী অসুমনা,.

কচ্চগে ঙসিদি নঙ্গী সনাগী শেঙ্গাদা
অরাবই পিরাং-পরেং।
থোন্নবা, ইমা, নঙ্গী নঙক্ত
লেংজগে তম্ফা-পরেং।
নুমিৎ - থানা পরেং ওইনা তা
চঙজরি থৌগল খুয়াখাদা,
লৈতেংজনি নথবাক থোনবিসি ঙক্ত
অরাবই লীক্লাং-পরেং।
ফৌ-চেঙ লম্থুম নরন্নি নংগী
কদৌননি ঐঙোন্দ।
পীনরে ফৈ পীনদ্রে কদৌনি
তৌবিয়ুনে নীংবদ।
অরা-নং ইরন্নিদো ইশাগী
অশেংবনি খঁঙি নং, ঐহাক্কী —
য়োঞ্জরগে লৌবিরো নংগী থৌজান্দ
নাপনগী লীক্লাং-পরেং।

রবী ঠাকুরগী অতোপ্পা শৈরেং অমনা,

জীবন যখন শুকায়ে যায়
করুণাধারায় এসো।
সকল মাধুরী লু কায়ে যায়
গীতসু ধীরসে এসো।
কর্ম মখন প্রবল-আকার
গরজে উঠিয়া ঢাকে চারি ধার

হৃদয়প্রানতে হে নীরব নাথ,
শানতচরনে এসো।
আপনারে যবে করিয়া কৃপন
কোনে পড়ে থাকে দীনহীন মন
দুয়ার খুলিয়া, হে উদার নাথ,
রাজসমারোহে এসো।

মসিবু মণিপুরীদা মখাগী অসুমনা হন্দোক্লি,

শিস্থবিরকউ থৌজালগী ঈরী ওই
থম্মোইনা কংজরবা তাল।
লেংথবিরকউ নুংশিবা ঈশৈ ওই
ফজ,' পূম্বা মুৎলবা কাল
থবক্কী ঈরাংনে মশা নিন্ন নিন
খোংনা লাউনা লাক্লবা, মায়গৈ পুম্নিন নিল
লেঁঙকউ ইবুঁঙো চিক্লবা, থম্মোইনুং
ঈংনে তপ্না খোংদোই হুল।
পুক্নীংনে মদোম মশা অপঙবা শীজ
ইমূং কাজুম লাং তারবা পিদোন্নজ
লেঁঙকউ ইবুঁঙো থোঙনা কাঙ খাংবোকন্নুং
চাউনা নিংথৌ খোঙদোই হুল।
মিত্ত উৎফুল চাই ইবুঁঙো, অপাম্বনা
ইমিৎসি উদ্রবা, নঙাল চাউনা নংনা
লেঙকউ মিৎপাংনবা, শেংজবা থোঙনা
কাঙ, রুদ্রগী খোঙদোই হুল।

মথক্তা লৌখৎচরিবা *গীতাঞ্জলি*গী মণিপুরী অনুবাদকী শরুক খরসিদগী ঐখোয়না থেংনরিবা শকফম খরা নৈনবা য়াই। রোর্বাট ফ্রোস্টনা হায়রম্বা শৈরেংদি অনুবাদ তৌরবদা মাঙদনা হিংদুনা লৈহৌবা অদুনি poetry is that which survives translation - হায়বসি *গীতাঞ্জলি* গী অনুবাদতা হেন্না চুম্না থোকই হায়না লৌবা য়াই। অনুবাদ তৌরকপদা শৈরেং অদুগী হান্নগী মশাগী মগুণ ওইনা য়াওজরম্লবা ছন্দগী অকূপ্পা, অথূপ্পা মশক, ইমেজরি, শৈরেংগী মওং নমুনা, ৱাহৈ-ৱাতা পুন্নমক অসি য়াম্না মাঙখি, লৈহৌদে। শৈরেংবু অনুবাদ তৌরগা ঐখোয়না পাবা ফংলিবসি য়াম্না হেনজিন্না মহাউ

মাঙলবা, যাওদ্রবা বাফম খবগী চুম্না খঙহনবা শব্দক নৎত্রগা শৈবেংদা শৈবেং ওইমনখিদুনা তশেংবা শৈবেংদি যাওদ্রবা শব্দক অদুনি।

No better than statements either too prosaic or too poetic without being poetry

ব্বাফম অসি ববীন্দ্রনাথকী শৈবেংবু অনুবাদ তৌবদা হেন্না চুম্না থোকই। ববীন্দ্রনাথপু মশক খঙবা, মকুওইনা, কবি অমা ওইনা, হাযবসি মাগী পাবসন্যালিটিবু মশক খঙবনি, বোমান্টিক অমা ওইনা, ববীন্দ্রনাথপু মুদ হাযবদি পূব্লিংগী তোঙান তোঙানবা শক্লোন পুবা, খঙবদা লুববা মাযখুম উপলিবা কবি অমা ওইনা বিলিযম বেদিসকী ববীন্দ্রনাথতগী শৈবেংগী ইংবাজী অনুবাদ "সেলেকটেদ পোইমজ" (১৯৮৫) বু অযাম্বনা ববীন্দ্রনাথপু নৌহৌননা মশক তাকপনি, মাগী অনুবাদ অসিদা ববীন্দ্রনাথতকী বেদিসকী শব্দক্লা নমনা যাওববসু শৈবেংশিং অসিদা মানা কবিবু শকখঙবগী অনৌবা অমা উৎলি হাযবিবসি মহাক্লা ববীন্দ্রনাথপু ববীন্দ্রনাথ কবি অমা ওইনা মুন্না উবা ঙমবদগীনি। ওঝা মীনকেতনগী মইগী মেন্নবিজম হাযবদি ওঝাগীতা ওইবা লোনগী মশীজিন্ন বাহৈ পবেং শেমজিনবগী মওং অমসুং পুন্নমক্কী মথক্তা ওঝাগী পাবসন্যালিটিগী মতৌ অসিনা ওঝানা অনুবাদ তৌবিবা শৈবেংশিং অসিদা তোযনা তোংদুনা যাওবি। ব্বাহৈ শীজিন্নবদা প্রোনাউন হন্না হন্না হাপ্পা, 'নখুৎ নংগী' 'ইশাই ইযুম' 'থবাই মাগী' অসিনচিংবা অমসুং ব্বাহৈগী মাঙদা অতৈ মতেক হাপচিন্দুনা খুদম ওইনা থুপখি হাযবসিগী মমাঙদা 'ম' হাপচিন্দুনা মথুপখি। উজৈগী' মমাঙদা 'ম' হাপচিন্দুনা 'মউজৈ' হাযনা ইমফেসিস পীবগী মওংদা শেম্লিবা বাহৈনচিংবাশং অসিনা ববীন্দ্র শৈবেংগী মুদ অমসুং এদমোর্সাফিযাবদা থোইনা মতেং ওইদে। মথক্তা পঞ্জখিবা মাইকেলগী অনুবাদকী মতাংদা পীবিবা 'লোনযায হোনবনা অনুবাদকী লম্বীমর্কান তাকনৈ, হার্যাববসিগী পংখৈদা ববীন্দ্রনাথকী *গীতাঞ্জলি* অনুবাদতা শীজিন্নবিবা লোন অসি যেংবদি শৈবেংদি ওইবা যাই অদুবু ববীন্দ্রনাথতি শীজিন্নবিবা লোন অসি যেংবদদি শৈবেংদি ওইবা যাই অদুবু ববীন্দ্রনাথতি শকউদবগুম লৈ হাযবা তাই। সেক্সপিযবগী *দি বেপ অব ল্যাক্রেসি* (ল্যাক্রেসি ফম্লনব) হাযবা শৈবেং অসি খৃঃ কুঃ ১৯৬৫ দা ফোঙবনি। শৈবেংসিগী মতাংদসু 'কপান্তব' সিগী মবমদা বাহৈ অমনীদং' হাযবসিদা ওঝানা পললি,

> লমদদঃ নত্তনা ব্বাখন্দ মিৎযেংদ মীওং অনী'সি নোংপোক-নোংচুপ অদুম তান্নৈ। অদুনা ইংবাজী কবিগী শৈশক্ক মৈতৈ অশৈবগী শৈশক্ক যাম্না তৈনৈ। মহাকবিগী শৈশক অসি মকোক মতোল চপচানা থম্মবদা মৈতৈ নাকোঙ্গ চুনদবা, মৈতৈগী ব্বাখন্ন নাতোন-নাকচি কাঙদবা ঙম্মোইদৌবা মতাং কযা কযা যাওবনা মৈতৈগী ওইনবা যানবা অনুবাদদঃ অনুবাদ ওইনা তৌদনা কপান্তব ওইবপ থমজৈ।

হায়বদি *দি রেপ অব লুক্রেসি* শেংনা অনুবাদ নত্তে, অনুবাদ তৌরীবা কবিনা মশাগী ওইবা শরক কয়া হাপচিল্লগা লমদমসিগী অপাম্বগা চান্নহন্দুনা পুথোরকপা শৈরেং অমনি। ব্বারীনা রোম চনু ল্যুক্রেসিবু মপুরোইবা কোলোটিনসনা লান্দা চৎখ্রিঙৈদা টানকরনা নমদুনা ইজ্জৎ মাঙহনখিবগী ব্বারীনি মপুরোইবা লৈত্রিঙৈদা ইজ্জৎ মাঙহনখিবী অসিগী ব্বারীদা মণিপুরীগী মহাউ, মণিপুরীগী মিৎয়েং মতাং মতাং কয়াদা য়াওহল্লি।

ব্বাশূবনা ব্বাঙাঙৈ ব্বাঙাং লৈথেৎ ওইনবা
শূররনি নুজাবু কোৎলরনি টারক্কিন।
পেনা লুরেল থাদা থোং য়েৎকী খুৎনা চৈজিং খিং
শমু ওয়না মরোল হাপ অশৈবনা শৈশকঙৈ

রুপান্তর তৌরিবা শৈরেংগী পরেং অমদা অয়াম্বদা খোনফম তাবা মরিনা শাবা ব্বাহে পরেং ঙাক্তা ওইনা তৌই অমসুং শীজিন্নরিবা ব্বাহে-ব্বাতা, লোনসু ওঝাগী অরি-অনৌ পুন্না য়ানশিনবা মওংগী চৎনবী অদুনি ওঝাগী ইবগী মেনেরিজম অমসুং তোঙানবা পোইটিক দিক্সন অদু রুপান্তর অসিদসু মরাং কায়না য়াওরি। অমরোমদা হায়রবদি শৈরেংগী ব্বারী মওং, শৈরেং অসি মুদ অমদি এদমোসফিয় শীজিন্নরিবা স্টাইল, মেনেরিজমশিংগা তোয়না তৈননা থোক্তে হায়বা য়াই।

ওঝা মীনকেতনগী মরুওইনা অনুবাদগী লাইরিক অহুম অসিগী মনুংদগী ওঝাগী স্টাইল অমসুং ইবগী মওং হায়রপ চাশিন্ননা ফোঙদোকপা ঙম্বদি মাইকেলগী *মেঘনাদবধ কাব্য* ৭ শুবা মতাং অমসুং সেক্সপিয়রগী *দি রেপ অব ল্যাক্রেসি* নি। শৈরেং অনী অসিদা উৎলিবা ভাব, মিৎয়েং অমসুং মুদ অসি ওঝা মীনকেতন্না শীজিন্নরিবা ব্বাহে-ব্বাতা, লোন, স্টাইলশিং অসিগা পকশিন্ননা লৈমিন্নবা য়াই। অদুবু হৌগৎলকপদা পনজখিবগুম ওঝানা অনুবাদকী, মতাংদা, মশানা ফজজরবা থম্বালদু মতৌ তমদুনা পুথোকপদা থম্বাল মশাগী ওইবা অতৈ মতীক মগুণ কয়া শুনা পীবা ঙম্লবসু মাগী নুংশিবা লৈনমদি য়াওহনবা ঙমদে হায়বগুম অনুবাদশিং অসিদসু ওরিজিনেল ওইবা শৈরেংগী লৈনম অদুদি ফন্না নীংথিনা ব্বাৎলি হায়বা তাই। অনুবাদশিং অসিগী অতোপপা মশক অমনা অনুবাদ তৌরিবশিং অসিদা ওঝা মীনকেতনগী পারসন্যালিটি, ওঝা মীনকেতন মশামক মাঙহনবা ঙমদনা মফম মফম খুদিংদা উহল্লিবা, উৎলিবসিনি। ওঝাগী ব্বাহে-ব্বাতা, স্টাইল, মেনেরিজম কয়া কয়ানা তোয়না তোয়না ওঝাবু মশক তাকই, খঙহল্লি-লাইরিক ইবা মী খুদিংমক্কী মশাগী ওইজবা তোপ তোপ্পা মশক খঙহন্নবা মওং অমা লৈজরবসু, ওঝা মীনকেতনগী ব্বাখল, মিৎয়েং, ওঝা মীনকেতনগী অপূনবা শক্তম পূন্নমক অসি মাগী মইদা লোননবু

ওইব্বস্ ফোংনস্ ওইব্বস্ অথোই অহেন নাইনা যাওবি, ওঝানা ইবিবশিং অসিদা হাপচিন্দুনা অপাবশিংগী পূক্লিং, ৱাখলদগী থাপতোকহন্দনা তন্তুনা থম্বা ঙম্মি। অমবোমদা হায়বগা, অনুবাদশিং অসি পাকব্বদা অবোইবদা অনুবাদ তৌবিবদুগী মশক মওং, মতৌ পাবনি হায়না খনবদগী হৈ-শিংলবা কবি ওঝা মীনকেতননা মাগী কবিগী ওইবা হৈ-শিংবা শীজিন্নদুনা মাগী ওইনা পুথোক্লবা মই অমা পাবিবনি হায়বগী ৱাখল অসি শোয়দনা পোকহল্লি। ❑

অনুবাদক অমা ওইনা অশাংবম মীনকেতন

অরিবম কুমার শর্ম্মা

লুবকনী [illegible] অনি [illegible] অনুবাদ [illegible] মতৃংইন্না অনুবাদ কলাবু [illegible] ওইনসু লৌবা যাবা, কলা [illegible] মসিবু খঙগে হোৎলনগী [illegible] চুপ সাহিত্যগী অপাবশিংদা কপিনা [illegible] অনুবাদনা [illegible] নোংচুপ খাযদনা পৃথিবী পুম্বগী সাহিত্যদা কম্বিনা শক [illegible] অনুবাদনা। অনুবাদতি জাতি অনীগী মবক্তা শাবা [illegible] স্কৃতিগী থোংনি। জাতি অমগী সাহিত্যদা অনুবাদ সাহিত্য মশা মবোমদোম অদুম লাকচৱনি মণিপুরী সাহিত্যদসু [illegible] বাঙ্গলাদগী হন্দোকপা লাইবিং কয়ানা মণিপুরী অনুবাদ সাহিত্যগী যুম্ফম [illegible] মসিদা অ[illegible]ম গোপী, নুঙ্গাবম গোবিন্দদাস, নবানন্দ ধুববাজনচিংবা খুৎমাবা অহবাশিংগী অচোবা অবদান কয়া লৌবববনি।

মণিপুরী অনুবাদ সাহিত্যদা অশাংবম মীনকেতনগী অবদান ঐখোযনা খক কাউগদবা লৈতে। বাঙ্গলানা যোৎলুববা মণিপুরী লোলবু বাঙ্গলাগী খাযাৎতগী লৌথোক্লুনা মশাগী শক্তম নৌহৌনা শাগৎপিখিবা খুৎমাবা অইবশিংগী মনুংদা মীনকেতনসু অমনি। মাইকেল মধুসুদন দত্তগী মেঘনাদবধ কাব্য, ৰবীন্দ্রনাথ ঠাকুবগী *গীতাঞ্জলি* অমদি শেক্সপিযাবগী *দি বেপ অব ল্যাক্রেসি* গী মণিপুরী অনুবাদ পুথোকপিবম্বা মীনকেতনবু ঐখোযনা মতীক চাবা অনুবাদক অমনি হাযনা লৌদবা ঙমদে। বাঙ্গলা সাহিত্যদা নত্তনা ইংবাজী সাহিত্যগী মপূংফাবা জ্ঞান লৈবা মীনকেতননি। লোন অনী অসিদগী মমাবোল ওইবিবা মণিপুরীদা অনুবাদ তৌবকপদা মঙোন্দা থোইদোক্লা অকৱা ওইখিদে।

মীনকেতনগী অনুবাদ তি রুপান্তবগী মওংদা পুথোকপা অনুবাদনি হাযবসি ঐখোয পুম্নমক্লা যানৈ। অইবা মশানসু লাইবিকশিং অসিগী ভূমিকাদা বাফম অসি মশানা যাজে। রুপান্তব'বু ঐখোযনা ইংবাজীদা ট্রান্সফোমেসন নৎত্রগা ট্রান্সক্রিযেসন হাযনা কৌবা যাই। শৈবেং হাযবসিমক্তবু চপচানা হন্দোকপা যাদে। মসিগীদি শব্দানুবাদ তৌবসি খবা বানা

থোকই। মবম অসিনা অযাম্বনা অর্থানুবাদ ওইনা তৌনৈ। কবিনা ফোঙদোক্লিবা ভাব অদুমখৈদা লৌশিল্লগা ভাব অদুগী শাদোং ওইবিবা লোল অমদি লোল অদুগা ঈবোযননা চৎলিবা শৈলী (ষ্টাইল) অদুদি অনুবাদকনা মশানা পামজবা মওংদা, মশাগী ক্রিযেটিভিটি শীজিন্নদুনা তোপ তোপ্না পুথোক্লবা হোৎনৈ। শেম শাবা হৈবগী শক্তি (ক্রিযেটিভিটি) অসি যাওদ্রগদি মহৈ যানবা অনুবাদক খক ওইবা ঙমদে। মবম অসিনা শৈবেংগী অনুবাদতা মহৈ যাল্লবা অইবশি, অসি মনম্বনা ক্রিযেটিভ বাইটব ওইগল্লি। মীনকেতন ক্রিযেটিভ বাইটব অমনি। আধুনিক মণিপুরী সাহিত্যগী লমযানবা কবি তবেৎ খঙ্গৎপদা মহাক্কী মিং পন্নবিবনি। মহাক্কী বাবে শৈবেং খুদিংমক গোঙান তোঙানবা কাব্য প্রতিভাগী লংলবা খুদম ঙাক্কনি। মীনকেতন শক্লোন যাম্বা বঙ্কদপীনি, দর্শন বাংবা বহুদর্শীনি। মহাক্তি গুণ শুনা লৈতেংলবনি মহাক কবিনি পণ্ডিতনি ওঝানি। মহাক্কী অনুবাদ-লাইবিকশিংদা কবি অমা ওইবগী কাব্য প্রতিভা অমদি পণ্ডিত অমা ওইবগী পাণ্ডিত্য অনীমক তূনা উবা ফংডি। কবি অসিনা থম্বিবম্বা অনুবাদকী লাইবিক অহুম অসি মথং মনাও লাইনা ঙমমমদ লৌখৎচবগা শন্নপ শন্নপ্না নৈনজগে অদুগা মঙোন্দা লৈবিবা অনুবাদ কলাগী হৈ শিংবদু খবমখৈদি পুথোকচগে। পুথোকচবিবা অসিনা অবোইবনি হাযনদি লৌবিবোইসি। থিজিন হুমজিনগদবা এবিযা কযা অমা লৈবি। অবাংবা থাক্তা বিসর্চ তৌবিবা ছাত্রশিংনা মীনকেতনগী অনুবাদ হাযবা বিষয অসিদা খোঙ থাংজিল্লকনি হাযবগী আশা লৈ। থুংবসু ওইসনু।

অহানবদা *মেঘনাদবধ কাব্য* গী অনবাদ লৌখৎচগে। মাইকেল মধুসুদন দত্তনা (১৮২৪) মহাক্কী কাব্য অসি হদুনা ইহান হান্না বাঙ্গলা সাহিত্যদা অমিত্রাক্ষর ছন্দগী ফজবা মশক খঙহনখি হাযবসি খেংলাঙাই লৈত্রবা বার্তান্নি। শক ১৯৬২ দা ফোঙখিবা মীনকেতনগী রূপান্তর অসিদা অনুবাদকনা মাত্রা ৭/৭ না শাবা মাত্রা ১৪ গী পযার ছন্দগী ফজবা মখেক শেংনা ভৎলি। লাইবিক অসিগী বাহৌদোক্তা মহাক্কা হায লৈ থম্বালগা উ থম্বালগা পানবগুম। মেঘনাদবধ কাব্যগী মণি রূপান্তরদা থোক্লবা হোৎনজবনা রূপান্তর করোগী মিৎযেংনি। অচুম্বনি হেজবা লাইবিব অসিদা হওবিবা কবিগী ফজবা ভাব অমদি লৌশিংবা লোল অদু লাইবক অদুগী অনুবাদতা খঙনখৈদি মাঙবা তাবনি। অদুবু মূল গ্রন্থদগী অনুবাদনা তেন্না ফংবসু খরা ওদবা নাত্তে অনুবাদকা কল্পনা শক্তিনা অমদি মহাক্কী লৌশিনজন্নবগী হৈ শিংবনা মূল গ্রন্থগী ভাব অদুতা লৌশিল্লগা অনৌবা মশাগী ওইবা লোলদা পুথোকপা মতমদা মরু চানখিদু। মখোক ফজবা পোৎথোক অম ওইখিবসু অঙকপা নত্তে। মীনকেতনগী সৃজন শক্তিনা শব্দাল্লবা বাহৈ খুৎসেমদা শৈবেংগী ছন্দনা অঙকপা জাদু কযা যাওহল্লিবসি মণিপুরী অনুবাদ সাহিত্যদা অতাঙবনি। *মেঘনাদ বধ কাব্য* গী অনুবাদ মবি শুবে। মবি অসিগী মন্যংদা খাইদগী শীংথানবিবসি ওঝাইবম নবদ্বীপচন্দ্রগীনি।

অনুবাদকী লাইরিক অসিনা মহাকপু মিংচৎকী উরোং খিনবা ঙমহনখিবনি। অনীশুবনা মীনকেতনগী, অহুমশুবনা লৌরেম্বম ইবোয়াইমগী অদুগী মরিশুবনা নিঙোম্বম ইবোবীগীনি। মীনকেতনগীদি ৭ শুবা সর্গ খক্তগীনি; নবদ্বীপকীসু ১ দগী ৫ ফাওবতনি অদুগা ইবোবীগীদি পূন্না ৯ মক্তি। অনুবাদ মরি অসিগী মনুংদা মীনকেতনগী ৭শুবা সর্গগী অনুবাদ অসিনা পাবদা, খ্বাইদগী হেন্না লুনা থোকইদি হায়ববু অনুবাদক্কী কৃপশিন্না য়েংবা মিৎয়েং অমদি মচল চানা শেমখিবা লোন্সেমনা লাইরিক অসিগী তোপ তোপ্পা মগুণ অমদি তাক্তি। লাইরিক অসিগী অহৌবা পরেং খরা লৌখৎতুনা য়েংলবদি বাঙ্গলাগী মূল গ্রন্থগা মণিপুরীগী অনুবাদকা ফনমক খেন্ননীংঙাই ওইরবসু অনুবাদ কলাগী ফজবদুমদি লায়না খঙবা ঙমগনি। ৭ শুবা সর্গগী অহৌবদা মাইকেল মধুসূদননা অসুন্না ইরি ঃ

উদিলা আদিত্য এবে উদয়-অচলে,
পদ্মপার্শ্বে সুপ্ত দেব পদ্মযোনি যেন,
উন্মীলি নয়নপদ্ম সুপ্রসন্ননা ভাবে।
চাহিলা মহীর পানে। উল্লাসে হাসিলা
কুসুমকুন্তলা মহী, মুক্তামালা গলে
উৎসবে মঙ্গলবাদ্য উথলে যেমতি
দেবালয়ে, উঠলিল সুস্বর লহরী
নিকুঞ্জ। বিমল জলে শোভিল নলিনী
স্থলে সমপ্রেমাকাঙ্ক্ষী হেম সূর্যমুখী।

মীনকেতনগী রুপান্তর য়েবিয়ু

ঙন্দোরক্লে অঙানবা শেঙ্গীং চীঙ্গী চীংয়াঙদা
ফমদেংবগুম থম্বাম্থক চীঙু থম্বালখোঙহৌবা।
মিৎস্নাথম্বাম্মাঞ্জবা মিৎচি খোইখোই তেঙ্গা থোং
য়েংজরক্লে মালেম তম পুক্লিং হেদৌ তন্ন কা।
হেদৌজরি মালেমসু শীঙৌলশম্লাংনববী
তম্ফাপরেং ঙক্ত থোল নুজা থবাক পুম্লং লং।
ইপোম্নরি খোঙ্জেন্ন নুংশিরবা উকোন্নুং
পূংন শেন্ন লাইনুমিৎ নিঙ্গবগুম লাইকোন্নুং।
হেঙ্গরিয়ে থম্বান্ন লাইজথক্ত অরূবা;
কংফান্দনা নুমিৎলৈ সনামচুহেন্নরৈ
শীঙৌলথম্বাল শয়েং ঙা কোরৌনুংশিশীংনরৈ।

মথওত্তা পানিবা বাঙ্গলা পদ অসিদা যাওরিবা উর্দিনা 'উদয় অচলে' দা 'উ' গী আবৃত্তি 'পদ্মপর্ণে পদ্মযোনি' দা 'প' গী আবৃত্তিনচিংবা থমদুনা অনুপ্রাস অলংকারগী ফজবা খুৎশেম অমা মধুসুদননা পুথোক্লিবসি মীনকেতনগী অনুবাদতা মাঙখ্রবসু মসিগী মহুৎতা অতৌবা অনুপ্রাসকী খুৎশেম অমা মীনকেতনগী অনুবাদকনা পুথোক্লি। 'ছন্দোবক্রে অঙানবা শেঞ্জী টাঙ্গী চী যা' দা হায়বসিদা 'চ' ব্যঞ্জনা অহুমলক হন্না লাক্কুনা শব্দদা চমৎকার অমা পনশিল্লিবাসি করম্না ফজদে হায়বগে মর্সিনি শব্দগী চমৎকারনা পীবা অলংকার অনুপ্রাস অলংকার। 'পদ্মযোনি' গী অর্থ থম্বাল খোঙহৌবা হায়না হল্লিবসিগীসু অর্থ নি। মসিগী অনুবাদ ইরম চন্না 'ব্রহ্মা' হায়না তৌদদুনা থম্বাল খোঙহৈবা হায়না তৌনিবাসি মেত্তেবদা সরাস পুথোকপনি। মৈতৈ লাঞ্জনগী পাণ্ডিত অসিনা লোলগী লাবোল লানংপত অমনি শব্দগী শীংদাব শীঞ্জন্দা কয়াদা পক্লিং চঙলিবা। 'পদ্মপর্ণে সুপ্ত বম্মানহুত্তা তৃপ্তিগী আসগী অনুবাদ ফমদেংবতম থম্বালথক অদুগা 'দেব পদ্মযোনি গী'। চা থম্বাল খোঙহৌবা হায়না পনিবাস ওস্থোক্লা ফজনা, অর্থ লৈনা সংগত তৌদুনা পুথোকখ্রে। সংস্কৃত শব্দ 'দেব' গী অর্থ অপৌবা মণিপুরী লোলদা লাই হায়না চন্দ্রদুনা চাংদু হায়না হল্লিবসি যাম্না অর্থ লৈবনি। মধুসুদননা সংস্কৃত লোল শীজিন্নবনা লেমজবা ফাওবগুম ঐখোয়গী কবি অসিসু মৈতৈবোলগী অরিবা মশক পুথোকপদা নুংঙাইজবা ফাওই। মসি মূল গ্রন্থগী ফজবা মশক অদু কায়হন্দনা থম্বগী মওংনি। মতৌ অসুম্না নয়নপদ্ম গী অনুবাদদু 'মিৎনা থম্বাল' হায়না কয়াদা ফজনা তৌরিবা 'কুসুমকুণ্ডলা গী অনুবাদ 'শীঙেল শল্লাংনবরী' হায়না মীনকেতননা তৌনিবা অসি নিংঙোম্বম ইবোবীনাদ 'শীঙেল লৈবাং শল্লাংবী' হায়না থম্মি। মীনকেতনগী অনুবাদ অসিদা 'শ', 'শ' গী আবৃত্তিনা অনুপ্রাসকী ফজবা মশক অদু হেন্না মথেক শেংহল্লি। 'মুক্তা মালা'গী অনুবাদ ইবোবীনা 'মুক্তা থোনবী' অদুগা মীনকেতননা 'তম্ফাপরেং' হায়না তৌই। 'মুক্তাপরেং' নৎত্রগা 'তম্ফাপরেং না চুমগনি, মুক্তা থোনবী' দি নত্তে। 'কুসুমকুন্তলা মহী মুক্তামালা গলে' গী পুন্না 'শিঙেল লৈবাং শল্লাংবী মুক্তা থোনবী মালেম' হায়না ইবোবীনা হনবদা, মীনকেতননা 'শীঙেল শল্লাংনবরী তম্ফাপরেং ঙক্ত থোল' হায়না হল্লি। অনুবাদ অনী অসি চাংদম্নদুনা য়েংবদা শব্দগী ব্যঞ্জনা শক্তিদা য়েংলে মীনকেতনগীনা মহেল্লি, ছন্দ-অলঙ্কারদা য়েংলে মীনকেতনগীনা মনীংথি। 'ইপোম্নবি খোঞ্জেন্না নুংশিববা উকোন্নুং/পৃংন শেন্ন লাইনুমিৎ নিঞ্জরগুম লাইকোন্নুং।' পদ অসিদা 'উকোন্নুং', 'লাইকোন্নুং' দা যাওরিবা অন্তানুপ্রাসকী ফজবসি য়েংবিয়ু। অমুকসু 'বিমল জলে শোভিল নলিনী স্থলে সমপ্রেমাকাঙক্ষী হেম সূর্যমুখী' গী অনুবাদ য়েংবিয়ু ঃ হেঞ্জবিযে থম্বান্না লাইজথক্তা অরুবা কংফান্দনা নুমিৎলৈ, সনামচু, হেন্নবৈ/শীঙেল থম্বাল শযেং ঙা, কোরৌ নুংশি শীংনবৈ।', মধুসুদননা হায়বম্মিবদি বিমল জলে 'অরুবা ঈশিংদা', শোভিল ঙাল্লি/ঙাষ্থোইবি,

নলিনী - থম্বালনা। স্থলে - কাংফান্দনা, সমপ্রেমাকাঙক্ষী - মাম্লনা নুংশি ঈখৌলাংলিবা, হেম-সনাগী, সূযমুখী - নুমিৎলৈ। অরুবা ঈশিংদনা থম্বালনা মথোই কাজরি অদুগা কংফান্দনা, থম্বালগা নুংশি কাদা শীংনরিবা নুমিৎনা শাৎচরি' হায়বগী ভাব অসি মীনকেতননা ওষ্থোক্না ফজখ্রবা লোন্দা অমদা উথোক্নুনা অপাববু শুক্ষ্থলি। 'সমপ্রেমাকাঙক্ষী হায়বা সামাসিক শব্দ অসি থুগাইরগা মসিগী নাক-য়েৎতা মরী লৈনরিবা পাত্র অনী অদুসু কোনশিল্লগা হায়বদি লৈরাং থম্বাল অমদি নুমিৎলৈ অনীবু য়াওহল্লগা নুমিৎলৈবু 'শীঙেল থম্বাল শযেংঙা, কোরৌ নুংশি শীনংরৈ' হায়না হল্লিবসিদা অনুবাদক্কী কল্পনা অসি কয়াদা রাংখ্রবা। কল্পনা অসিগা চানবা লোলসু মশানা অদুম লাকচবা। মসিনি অনুবাদক অমা ওইনা মীনকেতনগী গুণ।

মীনকেতনগী মথক্কী খুদম অসিদা মাত্রা ৭/৭ না শাবা পূন্না মাত্রা ১৪ গী পয়ার ছন্দগী ফজবা অদুসু উবা ফংগনি। অরোইবগী পরেং অনীদা য়াওরিবা হেন্নরৈ, শীংনরৈনা পীবা অনুপ্রাসকী ফজল্লনসু কয়াদা অনুবাদ অসিগী মগুণ হাপ্লিবা। মতাং অসিদা নীংশিংলকই, কবি সমরেন্দ্রগী 'লৈলাংবা'। 'চীংয়া ঙান্ন ইঙেল্লৈ, পাৎয়া থন্না থম্বাল্লৈ/থানিংবগী থাজবনি করি ইতিক লৈ'। মসিনি শব্দগী খেল। তাবদা কয়াদা নুংঙাইখ্রবা।

মীনকেতনগী অনুবাদতা চেল্লিবা লোলগী শুমহৎয়াই অসি অমুক্তসু য়েংসি। মাইকেলগী 'রত্নাকর রত্নোত্তমা ইন্দিরা সুন্দরী'। অচম্বা লোন্দা মসিগী অনুবাদ 'রত্নশিংগী মবুংগী মথোইবা রত্ন, নিংথিজবী ইন্দিরা' হায়বনি। মসিগী রূপান্তর অনুবাদক্কদি অসুম্না পুথোক্লি — "তম্ফাখোংগী তম্ফাদাক তম্ফা ওইবী তম্ফায়াই" (লা. ২৭) মসিবু মীনকেতনগুম্বা জিনয়স অমা নত্তনা অতৈ কনানা ঙমগনি? মসিদা য়াওরিবা শব্দালংকারগী ফজবসিদি কবি অমুক হায়রক্নি। 'রত্নাকররত্নোত্তমা'দা য়াওরিবা 'র' অমদি 'ত'গী ব্যঞ্জনাবৃত্তিনা পীবা ফজবা অদু মীনকেতনগী অনুবাদতসু 'তম্ফা' শব্দগী আবৃত্তিনা অদুম্মক কায়দনা হপ্পি হায়বদা করি চিংননীংঙাই লৈ? ইবোবীনা পদ অসিবু করি হায়না হন্দোকই? - "বত্নখোংগী রত্নরেন নিংথিজবী ইন্দিরা" (লা. ২৩২)। মসিনা অনুবাদত অনুবাদ হায়বদুনি। 'বত্নরেন' হায়বা সামাসিক শব্দ অমা ইবোবীনা শেল্লিবা অসি ঐখোয়গী নাকোংগা চুম্নিন্নৌ হায়বা য়াদে। নুংশিৎকী মচা হনুমানবু ইবোবীনা 'নুংশিৎ পারি' (লা ২৫৫) হায়না হল্লি। মীনকেতননা হনবনা 'নুংশিৎ নিংথৌ মপারি' (লা. ৫৮)। মতাং অমদা 'অঞ্জনাগী মপারি' হায়নসু হল্লি। কাব্যদা ধ্বনিগী মফম চাউনা লৈ হায়বসি পণ্ডিত মীনকেতনদি মুন্না খঙই। মণিপুরী লোল অমদি সাহিত্যগী ওজা ওইনা লৈরকপনসু মঙোন্দা লৈবা অসিগুম্বা গুণ অসি অমুক্কা হেক্কংহল্লি। মীনকেতননা য়াম্না পামজনা শীজিন্নবা সামাসিক পদ অমগা লৌখৎচগে 'বাহোংথম্বালদোলাই'। মসিগী অর্থদি সমাস, খায়দোক্লগা

'বাহোং যেকপা ফিবাল থেৎপা দোলাই' হাযবনি। ইবোবীনদি মসি 'ব্রাহোং যেকপা দোলাই' হাযনা হল্লি। দোলাইদা ব্রাহোংযেকপা ওইথোক্তে হাযবমক যাদ্রগসু যেক্তি যেক্লদে। ব্রাহোং যেকপা ফিবালদি থেংনৈ। ফিবাল অসিবু আর্যগী লোন্দা 'ময়ুরধ্বজ' হাযনা খঙনৈ। সমাসকী নিযম যেংলুবগসু 'ব্রাহোং যেকপা ফিবাল' হাযবসি সমাস নত্তে। 'ব্রাহোং-ফিবাল' হাযবগদি সমাসনি। মীনকেতননা শীজিন্নবিবা 'বাহোং ফিবাল দোলাই' হাযবসিদি অচুম্বা সমাসকী খুদমনি, কর্মধাবয সমাসনি।

মীকেনতনগী লোন্সেমদা জাদু অমা যাওবি হাযবসিদি মীপূম তিংনা যানবগদবা ব্রাফমনি। বাবণদা যূম্ফম ওইবগা লক্ষ্মণবুনা 'মচা হাৎপা নিপা' অদুগা বাবণবুনা 'মচা শিবা মপা' হাযনা অনুবাদক্না শীজিন্নবিবসি কবন্না ফজদে হাযগনি? যেংবিয়ু, খুদম পীজগে -

ফূজিল্লক্কে সৌমিত্রি শক্ত লাইগা শীংনবা,
বক্ষমাঙদা লেপ্লবে লম্বী মাগী তন্ন থিং।
থেংনবেদো হৌজিক্তি যেক্লপম্থেংনববা —
মচাহাৎপনিপাগা মচাশিবমপাগা,
(লা ৬০)

মসিদা যাওবিবা শব্দ-শক্তি অসি কযাদা বাংখ্রবা। অঙকপনি, কবি মীনকেতনগী কল্পনাগী খেল। খুদম খবগা অমুক যেংসি ০ অহৌবা শকক্তগীনি 'বত্নময কঙ্কন লইলা'। মসিগী অনুবাদতা 'সনাখ্বাজ তন্ন শি, নুংযাইতম্ফা থিল্লবা (লা ২) কযাদা ফজখ্রবা লোলনো। লোলগী মযাই হাযবদু পবেং অসিদা শোইদনা উবা ফংগনি। অমুকসু 'ভূষিতে মৃণালভূজ' গী ব্রাহম্লোক - 'লৈতেংজবি মপাম্বোম থম্বৌহেবা ঙমজবা'। মসিদসু বাঙ্গলা শব্দ 'মৃণাল' গী মৈতৈবোলদসু ফজবা বাহৈ লৈ হাযবসি অনুবাদকনা উৎলি। 'মৃণাল' গী অর্থদি থম্বৌ হাযবনি, 'ভূজ' হাযবনা পাম্বোমনি। ঐগুম্বা মুর্খ অমনা হল্লগদি 'থম্বৌ পাম্বোম' নৎত্রগা 'থম্বৌ মানবা পাম্বোম' হাযনা হনগনি। অদুবু লাইওইববা কবি অসিনদি ওম্লোক্লা লাযনা 'থম্বৌ হেবা ঙমজবা মপাম্বোম' হাযনা হন্দোক্লম্লি। পাম্বোমতমক হাযদ্রদুনা 'ম' হাপচিল্লগা 'মপাম্বোম' হাযবগী ফজবসু মযাম্না হেন্না খঙবিববনি। 'থম্বৌ হেবা ঙমজবা' হাযবা ব্রাক্যাংশ অসিনা ফোঙদোক্লিবা অর্থ অসি ওম্লোক্লা ফজখ্রে। মসিদনি ঐখোযনা মহাকপু থাগৎনীংলিবা। মসিগী মখা তানা অমুক 'সুমৃণালভূজা' হাযবসিদা 'সু' - ফজবা হাযবা বাতপ অমা হাপচিন্দুনা মাইকেলনা থওইনা শেম্লকপা ব্রাহৈগী ব্রাহম্লোক পীবদা ঐখোযগী কবি মীনকেতনসু 'থম্বৌ হেবা পাম্বোমতা' হাযদুনা মানবদগী তশেংনা অচুম্বা ওইববগী অর্থদা হন্দোকই। মসি অনুবাদক্কী কৃপশিন্না যেংবা মিংযেংদগী থোবকপনি। অসিগুম্বা ফজববা ব্রাহম্লোক কযা লাইবিক্কী লামায খূদিংমক্তা থেংনবীগনি। খুদম খবগা

অমুক লৌখৎচরবদা ঃ খোইখোইশল্লাংশল্লেপফাশল্লেলশল্লাংনরবী (লা. ৩১), নোংশাপাঙ্গন্তেমশীংবা (লা. ৩৭), লাঙ্গোইয়াপনপাঙ্গনবা (লা. ৩৭) তারাসতীমথরায় (লা. ৩৭) পাম্বোম্পাঙ্গলপাঙ্গনবা (লা. ৫২) অসিনচিংবা পনবা য়াই।

ৱাহৈ খনবা (শব্দ চয়ন) হায়বসি অনুবাদ কলাদদি য়াম্না মরু ওইবনি। ৱাহৈ অমবু শেমদোক-শাদোক্লগা শৈরেংগী লোল ওইহনবা লোয়ননা ছন্দগী মাত্রাগা চাননা শেম্বা হায়বসি কবি অমগী তৌদবা য়াদৱা মথৌনি। শব্দ-চয়নগী গুণ অসি মীনকেতনগীদমক্তি পোকপদগী লোয়নরক্লবনি হায়বা য়াই। মপূং ফাবা ৱাহৈ নৎত্রগা ৱাহৈ চবুন অমনা ছন্দগী মাত্রা ঙাক্লা চৎপা ঙম্লক্তবা মতাংদা মাত্রা অদু চানহন্নবগীদমক থুগাইরগা শেম্বা ৱাহৈ খুৎশেমগী ফজবা *মেঘনাদবধ কাব্য*দা উবা ফংই। খুদম অমত্তং লৌরবদা, 'তিয়ামকোয় থুংন ঙাল' (লা. ১৯) পনবা য়াই। অতিয়াগী মহুত্তা 'অ' লৌথোক্লগা 'তিয়া' তমক থম্বা। মসি ছন্দগী মাত্রা কায়দনবনি। মরী লৈনবা শৈরেং-মতেক অদুদি -

"উরিবরা মৈঙাঙ্গে নোংদোম্নৈবায়নবগুম
পোলোইমৈজাউ তন্ন হৌ অকিশক্তম্নরবা।
তিয়ামকোয় থুংন ঙাল! তাদরনে লাক্লিবা
ঈরাউখোঙ্গে অতাম্বা! ঈওল্লব্রা করিনো।"

বিভীষনগী মফমদা প্রভু রামনা হায়খিবা ৱাফমনি। মাত্রা ১৪/১৪ না শাবা পদ অসিদা 'অতিয়াগী মহুত্তা 'তিয়া' হায়না থম্বা অসিনা মাত্রা অমা হেনখিগদৌবদগী কলহৌবনি। 'অ' য়াওরগদি মাত্রা ১৫ শুগদৌরিবনি। মসিনা মাত্রা অমা হম্থরগা শেম্বগী খুদমনি। হাপচিল্লগা শেম্বগী খুদমসু য়েংসি ঃ 'ইচাক ইরল অপূম্বা ফংজবনি নহাকথং (লা. ২৩) 'অপূম্ব' হায়বা ৱাহৈ অসি শৈরেংগী লোন্দদি 'পূম্ব' হায়না থম্বনা ফজবনি। অদুবু, মাত্রা ১৪ শুদনা ১৩ তা ঙাইগদৌবনা 'অ' য়াওনা 'অপূম্ব' হায়না অদুম্মক থম্বনি। মসিনি মীনকেতননা কৃপ্না শেম্বা লোলগী খুৎশেম। খুৎশেম হৈবা অসিমক্লা মহাকপু মৈতৈলোনগী পণ্ডিতনি হায়নরিবনি। মীনকেতনগী শব্দ-চয়নগী হৈশিংবসিদি অতাঙবনি। ইচম চম্বা সমাসকী ৱাহৈ 'রঘুকুলপতি' গী অর্থ রঘু শাগৈগী মপু হায়বনি। অদুবু মীনকেতননা 'অঙানশাগৈ অঙানবা' (লা. ১৮) হায়না য়ারিবখৈ মৈতৈলোন অশেংবা শীজিন্নদুনা 'মীপোৎ মীরল ৱায়দবা, মীতোপ মীপান তাংদবা' হায়বা ৱাখল্লোন অদু ঙাক্লা চৎলি। ৱাহৈগী নাচোম শেম্বদা হেঞ্জিনমনখিদুনা মদু পাবদা অর্থ লৌশিনবগী অৱাবা লৈতবদি নত্তে। মীনকেতনগী লোল লুই লুই হায়নরিবসি-অসিগুম্বা খুৎশেম অসিদগীনি। খুদম অম-অনীদং লৌরবদা "তারেন তারোনয়োৎশীংয়োৎয়োৎচৈচে য়োচ্ছুক" (লা. ১৮) 'নোংদোন্নোংলম্মকোয়নুং' (স্বর্গবুনি) লা. ২৮, "খোইখোই শল্লাং সল্লেপফা শল্লেন

শম্ন, নববী' (ইন্দিবাবুনি) (লা ৩১) পনবা যাই। অসিগুম্বা খুদম অসি যান্না লৈখ্র, নৈনবগী লৈইব নাইবোই। লামায ৬৬ তা পানবা লাইলিক অসিদা শীজিন্নবিবা লোলগী মবমদা ইগে হাযদুনা ইববদি লামায ৩০০ গী মথক্তা ইবা যাগনি। 'মীনকেতনগী লোল' হোযদুনা বিসচ বার্ক অমা পাযখৎপা তাবগসু অনুবাদকী লাইবিক মচা অসিনা মচাক ফনা যান্না হুনবা ওমগনি নাংই। লাইবিক অসিগী মবমদা অনুবাদক মশামক্না মাইকেল মধুসুদনবু শাংথোবা ওইনা নোঞ্জ-শৈবেংগী মওংদা পবেং ৭ তং লাইলিক্কী অহৌবদা শৈথাবি। মসিদগী অবোইবা পবেং ৪ অদুদং লৌখৎলগা যেংসি-

ইখৎফংনা হেকচক শীঁঙেন্নাচোম তন্ন সেম
মৈতৈ লৈচন সুনা চল, লৈবাংজবি নংখোন্দা।
লাইজ ওইঙৈ লৈথম্বাল লোইবি ওঙ উথম্বাল -
নীংথিজদ্রা নপাংলক লেন্নবিসি নোংদোম্তুক।

অসিনি মীনকেতন, অসিনি মীনকেতনগী অনুবাদ। মীনকেতননা অমুকস্ হায়বি 'কবিগী ধ্বনিগী খেল, শব্দগী খেল, অনুপ্রাস পূর্নমক, রূপান্তরদা মশানা মাওজফম থোক্লবম কুদসু রূপান্তরগী বাহন ওইবিবা লোনগী চপ চাবা মওংনা মাংদনা থোক্লবা ডগদং নত্তনা মফম চামদা লোন মশাগী ফজজবা মফজন নীক্লিক লাউওনবা রূপান্তরনি হাযবসু মূলশকখঙনবিবা পাঠকশিংগী [illegible] মশানা অমুম হাউদনি।' [illegible] অসিনসু মীনকেতনগী [illegible] অনুবাদ [illegible]
অসিতনসু [illegible] অনুবাদ [illegible] শীযবনি

শনীশুবদা লৌখৎলবা গীতাঞ্জলি মি থোননা, শক ১৮৬৪ দা থোক্তন অনুবাদকী লাইবিক অসিসু মণিপুরী অনুবাদ সাহিত্যগী ইতিহাসতা মফম অমা ফন্দুনা লৈখ্রবনি। তৌজিক ফাওবদা মণিপুরীদা গীতাঞ্জলিগী অনুবাদ তাক্তম লৈরে। অমনা মীনকেতনগী, অমনা সিনম কৃষ্ণমোহনগী অদুগা অতেপ্পা অদুনা কে তোম্বীগীনা মীনকেতনগীনা শক ১৯৩৯গী অরোইবা শকতা থোকখনি, কৃষ্ণমোহননা চঠী অসিমক্কী শমনবা শকক এপ্রিল থাদা, অদুগা তোম্বীগীনা শক ১৯৯৮ দা থোঙবনি। মসিদগী হাওবদি মীনকেতনগীসি ইহান হান্না থোকওবদি ওইদ্রে, অনীশুবা থোকওবা ওইরে অনী অসি চান্দম্নদুনা হেন্দা হেন্নবা কনামবনা উবা ফংই মীনকেতনগীসি মশানা হাওগুম রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরনাই বাঙ্গালী গীতাঞ্জলিদগী হন্দোকপনি (১৯১২)। মহাক্কদি মসি অনুবাদ হাযদে, রূপান্তর হায। কৃষ্ণমোহনগী অনুবাদতি বাঙ্গলা গীতাঞ্জলিগীনি। গীতাঞ্জলি অনী অসিগী খেন্নবা হাযববু ইংরাজী গীতাঞ্জলিদসি ঈশৈ ১০৩ তমক মাওই অদুগা বাঙ্গলাদগী ১৫৭ ১০৩ অসিগী মনুংদা বাঙ্গলা গীতাঞ্জলিদগী ৫৩ অদুগা কবিগী *গীতিমালা নৈবেদ্য*

খেয়া কীচ বিতান শিশু, স্মরন, কল্পনা, চৈতালি অমদি উৎসর্গদগী লৌথোকপা শৈরেং ৫০ য়াওরি। কৃষ্ণমোহনগীসিনা ওরিজিনেল বাঙ্গলাদগী হন্দোকপনি। তোম্বীগীনা ইংরাজীদগীনি। মীনকেতনগী রূপান্তর অসি পারুরগা বিশ্বকবিগী পুক্নিংবু মনুং ফাওনা উশিনবা ঙম্বা মীনকেতনগী নুংগী মিৎয়েংবু লায়না খঙবা ঙম্মি। রবীন্দ্রনাথ বিশ্বকবি ওইবতা নত্তনা ঋষিনি, দার্শনিকনি অমদি শিক্ষাগুরুনি। মহাক কলা-প্রেমীঅমসুনি। সংগীত কলা, নাট্যকলা, নৃত্যকলা, মূর্তিকলা—মহাক্না শোক্লমদবা কলা অমত্তা লৈতে। শান্তিনিকেতননা মসিগী শাক্ষীনি। সমাজ সেবাগী লমদসু মহাক্তি মাঙজিল থাবা সমাজ সুধারক অমনি। শ্রীমীনকেতননা মসিগী লেঙদ্রবা প্রমাণনি। শন্না হায়রবদা, মহাক মানবতাবাদগী অচৌবা শক্লোন পুবা মানব ধর্ম্মদা থাজবা, বিশ্বশান্তিবু খৌরাংজবা দেশপ্রেমী অমনি। জাতিগী ঈশৈ জণগণ   না মসিগী খুদমনি। ঐখোয়গী মীনকেতনসু লমদম অসিগী ওইনা য়েংলগদি অরায়বা মীশক নত্তে; মণিগী লমদম মণিপুরগী তাঙলবা মণি অমনি। মহাকসু মল্টিফেসেটনি; মায়থোঙ য়াম্বনি। *মেঘনাদবধ কাব্য* (৭শুবা সর্গ) গী অনুবাদ পুথোক্লবা মতুংদা থোবকখিবা গীতাঞ্জলিগী অনুবাদ অসিদা মীনকেতনগী লোল অমদি শৈলীগী অহোংবা মশক খরদি উবা ফংলে 'মেঘনাদ বধ কাব্য' হন্দোকপদা লোন্সেমগী অরূম্বা ভার লৌখিবদু গীতাঞ্জলিদদি খরা য়াংলপ থোক্লে। অহানবগীসিদনা করুন রসনা মপূং ওইবনি অদুগা অকোনবগীসিদনা শান্তরস (ভক্তিরস) না মপূংনি। গীতাঞ্জলিদি ঈশৈগী কাব্যনি, থম্মোয়গী শৈশক্লি অমদি আত্মা-পরমাত্মা অনীগী লেঙদ্রবা মরী তাকপনি। মবম অসিনা কাব্য অসিগী লোলসু অমেঙবা, অথোৎপা অমদি অরূবা লোল ওইফম থোকই। অশেংবমকসু মীনকেতনগী গীতাঞ্জলিদ' মাধুর্যগুণনা লৈতেংলবা শব্দ-বিশেষ কযাগী নীংথিজবা প্রয়োগ উবা ফংই। বিশ্বকবিগী নুংগী ভাব অমদি ভাব অদুগা ঈরোয়ননা চেষ্টরক্লিবা লোলগী ঈচেল য়াবিবমখে কায়হন্দনা থন্নবা অনুবাদকনা হোৎনৈ। অনুবাদ অসিদা য়াওরিবা শৈহৌ ঈশৈগী অহানবা পরেং ৪ দং লৌখত্নুনা য়েংসি ঃ

"খন্মান্দে নহাক্ন খোঙফম ঐগী খক
শান্নৈ কৃম্মৈ নংন সুম।
পূক্সিনা থক্লে থকহন্দে নংন খক
হৈথৈ নৌহৌ থৱায় সুম"।

ঈশৈ অসি ইংরাজী গীতাঞ্জলিদগীনি। গীতিমালাদগী লৌথোরকপনি। মূল বাঙ্গলাদা অসুন্না লৈ -

আমাচর তুমি অশেষ করেছ
এমনি লীলা তব

ধুবাযে [illegible] আমা[illegible] ভরেছ
জীবন নব নব।

অনপ্রাস অলঙ্কারবু [illegible] [illegible]জবা মীনকেতননা হায়বসি ঐখোয় পুক্নমক্কা খঙলবনি। ইহান হানবা ঈশৈগী শেৎ অসিদক্তদা অনুপ্রাস শীজিন্নদুনা শব্দগী লৈতেং পুথোকপা হৈ। অহানবা পরেংদা 'ভ' গী অনীশুবদা 'শ', অহুমশুবদা 'খ' গী অদুগা মরীশুবদ 'হ' গী আবৃত্তি তৌহন্দুনা অনুপ্রাস কী ফজবা মশক উৎলি। মসিদা নত্তনা পরেংগী মতোনতাবা মান্নহন্দুনা (খক খক, সুম সুম) অন্ত্যানুপ্রাসকী তাবদা নুংঙাইবসু পোকহল্লি। ভাবার্থসু কাযদনা অদুমক থম্মি। ১১ শুবা ঈশৈগী অহৌবা পদ অসিসু অমুক্তা যেংসি

'ভজন পূজন সাধন আরাধনা
সমস্ত থাক পড়ে
[illegible] দেবালয়ের কোণে
কেন আছিস ওরে

ইংরাজীদনা অসুম লৈ

Leave this chanting and singing and telling of beads whom dost thou worship in this lonely dark coner of a temple with doors all shut

[illegible]শুবদা [illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible] কাজুম লাঁউবা
[illegible] মক্ত

ঈশৈ অসিদসু [illegible] অনুপ্রাসকী [illegible] অদুমক [illegible]। [illegible] শব্দ বিধাননো। [illegible] পদ অসি মলদা [illegible] অদুগ অনুবাদকনা মূলগী ভাবার্থ অদু কনিমক [illegible] মাহৈগী [illegible]। ৬৩ শুবা ঈশৈগী অহৌবা পরেং অ[illegible] অমুক [illegible] অজানারে জানাইলে তুমি, ক[illegible] [illegible] দিলে ঠাই। মসিগী [illegible]

[illegible]
[illegible] কয়া

নকুৎক্লে অবাক্স, ১৭দপ, নহাক্ল
সেম্মে মীবান্ন ইপিজা।"

ই'বাজীদনা অসুন্না লৈ

Thou hast made me known to friends whom I knew not
Thou hast given me seats in homes not my own

মীনকেতনগী অনুবাদ অসিদা মূলদগী departure খরদি লৈবে। অদুমকপু রূপান্তরগী ফজবা অদুদি হাপচিল্লক্লিবা ভকোনবগী পবেং অনী অসিনা অদুমক তাক্লি। মীনকেতনগীদা ফজবিবসি অতৈ কবিসু নত্তে, শৈবেংগী মহাও (Poetic essesnce) হাপ্লা অদুনি। শৈরেং হাযববু কবিনো? ছন্দ নাইবা শৈশক্লি, ম্যাজিকেল থোথনি। তাম্বা যাওদ্রবা শৈরেংবু শৈবেংলা, খোঙচৎ লেপ্লবা পুন্সিবু পুন্সিবা? মীনকেতনগী শৈবেংদা সুব অমা যাওবি, তাল অমসু ঈরোযনবি। খ খ, য য ন-নগী ব্যঞ্জনাবৃত্তিনা পীবা ফজবা অদুতা নত্তনা 'মীবান', 'ইপিজা' নচি'বা মৈতৈলোলগী মাঙশিল্লক্রবা ৱাহৈশিং শীজিন্নদুনা ঐখোযগীসু মতীক চাবা লোল লৈজবি হায়বগী চাউথোকপা উৎলকপদা ঐখোযনা মীনকেতনবু থাগৎভবা ঙমদে। খুদম অমওংগা লৌখিসি। ববীন্দ্রনাথনা -

"কথা ছিল এক তরী'তে কেবল তুমি আমি।
যাব অকারণে ভেসে কেবল ভেসে।
ত্রিভুবনে জানবে না কেউ আমারা তীর্থগামী।
কোথায় যেতেছি কোন দেশে সে কোন দেশে"

ঐদুগী মানবে তন।

' ভাঙ্গাইবনাই বাংনৈ হিথক মদা তোং ইবানীদঃ
চংশ্লাস পঙহোন্দ হোন, পঙহোন্দঃ হোন্ন হোন।
ঐখোয় কবি তীর্থ চৎলিব লমলম কৈদা কদাযদা
খঙেহি কন। মালংদ চৎসি পঙহোন্দঃ হোন।"

তাবদা কন্দা নুংশীবা, মসিদা শ্রুতি মাধুর্য অমা যাওবি। অনুবাদককী খোঙ্গোক শাণহাযনা অমদি মহাক্কী লোলগী জন্দনা বিশ্বকবিগী বাখলবু অপাবশিংগী মাঙদা মৃতি ওইনা চোংহনখ্রল্ল। অশেংনমক মীনকেতনগী গীতাঞ্জলি মাযপাক্লা হন্দোক্রবা গীতিকাব্য নমনি।

মথ'দা অবোইবা ওইনা লৌখৎচবি সেক্সপিয়বগী *দি রেপ অব ল্যুক্রেসি* (১৫৯৩-৯৪) গী মণিপুরী অনুবাদ। ল্যুক্রেসি ফম্লানবা মিংথোন্দুনা হন্দোকপা (১৯৬৫) শৈবেংগী

লাইবিক অসি অহানবা থোবকপদা সাহিত্য প্রেমীশিংগী মবক্তা মথুম মবাং হৌবা অমদি থোকখি। লাইবিক্কী মিংথোলনা অপাবশিংগী পুক্লিংদা কামগী রাখল পোকহন্নীংঙাই ওইবা মবল্লা কামুব ওইবা পাঠকশিংদা লাইবিক অসিবু পানীংবগী ঈথৌলাংবা পোকখিদবা নত্তে। শৈবেং লাইবিক অসিসু মীনকেতন মশানা রূপান্তরনি অদুম হাযজে। অনুবাদক্কী বাহৈদা *"মহাকবিগী শৈশক অসি মকোক মতোল চপচানা থম্মবদা মৈতৈ নাকোঙ্গ চুনদবা, মৈতৈগী বাখল্ল নাতোন-নাকচি কাঙদবা ঙম্মোইদৌবা মতাং কয়া কয়া যাওবনা মৈতৈগী ওইনবা যানবা অনুবাদদঃ অনুবাদ ওইনা তৌদনা রূপান্তর ওইবপ থমজে।"* লাইবিক অসিগী বাৰীদি মপূংদা মপুবোইবা লৈবী লৈমকোলগী নুপী অমবু নক্নবগী খুদোংচাবা লৌদুনা অমদি মশাগী কামগী বাখলবু ফাথবা ঙমহৌদবদগী পানেংখিবা/ফল্লানখিবা নৎত্রেগা ইজ্জৎ মাঙহনখিবগী রাবীনি। সতীত্ববু যাম্না থাজবী অদুম্নদি ওইবগা ইজ্জৎ মাঙলবী ল্যুক্রেসিনা পেন্দবগী মৈশা খাঙবা ঙমদদুনা মথন্তা মথ্বায থাজখিবা অমদি মদুগী ফলনা নাযক ওইবিবা সেক্সতসকী বোম লৈবাক্তা নিংথৌ খুভম মুত্থৎখিবগী রাবী অসিদা মহাকবি সেক্সপিযবনা শন্নিবসি অনুবাদককী লোন্দা হাযবগা *"নীংথিবা ল্যুক্রেসিগী মিংকী পি, থম্মোযগী ঈ-অনীগী ঈহৌদা লুপখবে লোনচৎ নাইদবা টাবক্লিন্স ফুঙ্গা। উৎলম্মে ল্যুক্রেসি লৈবাং ইনুং-পুঙ্গোয লানঙমদ লিক্রা লোযীন তম্ন ওই শীংঙেল লৈকা চোইনা তা নুজা ওইবী খোঙফম বোমক চনুবাশিংগী কা।"* অনুবাদক্কী বাহৈশিং অসিদগী খঙবা ঙম্মদি ল্যুক্রেসিগী বাবী অসি যাম্নমক ট্রেজিক ওইবা বাবীনি হাযবা অসিনি।

এলিজাবেথান এজগী এক এক লাউবা ইংবাজীদা ইবম্বা লোন্দগী মণিপুবাদা হন্দোক্না ও না উৎপিবম্বিবা অনুবাদক অসিগী প্রযাস ৩শেংনমক থাগৎনীংঙাইনি। লাইবিক অসিদা শীজিন্নবিবা লোন্দি অযাম্বনা লোম্সের্মনি। মৈতৈগী হান্না শৈজবম্বা, মৈতৈগী নাংকা শাগোনজবা বাহৈ কযাগী লৈতেংনা শেমখিবা প্রেম-কাব্য অসিদা অকাম্বা বাহৈ শাতা অমত্তা যাওহন্দবা অমদি মল কাব্যগী নুংগী ওইবা ভাব অদু কাযহন্দনা থম্বা অনুবাদক্কী অঙকপা মগুণ অমনি। অবি অনৌ পূংবা চানা শেম্লবা, শব্দ-শক্তি মফম চানা যাওববা, ছন্দ অলঙ্কাবগা খুজেং পালোইনববা, মৈতৈ লোঞ্জন যাচন্নববা লোনগী লোন্মিৎ লুবপ তাবা, পূম্নপ লৌশিনবদি রাবা, শাদোক্লগদি মফজবা মৈতৈ ঐখোযগী লেমজনীংঙাই ওইববা মৈতৈলোন্দুনি মীনকেতনগী লোন্দি। সেক্সপিযবগী পবেং ৭/৭ না শাবা শৈবেংগী অহৌবা ষ্টেঞ্জা অসি লৌখৎতুনা যেংসি-

From the besieged Area all in post/Borne by the trustless wings of false desire/Lust breathed Tarquin leaves the Roman host/And to collatium bears the lightless fire/ which, in pale embers hid lurks to aspire/And girdle with

embracing flames the waist/Of Collatine's fair love, Lucrece the chaste.

"তুংওইনরম আরদিয়া চাউগান খোঙ্গাপ মৈদা
নেৎ অপাম-নিংশানরবা, রোমক তেঙ্গোল পন্দ
থম, ফুগৎলক্লে টারক্লিন লৌনম-অপাম-শেগা
তাং লুমজনিঁঙাই লৈতবা
কোলেটিনগী মরাল তম পুদি খাম্বী অশাম্ব
খাপ্রেন-উৎমৈ অওম্ব মৈহৌ তাঞ্জা ঙাইরিবা —
নুজা-ওইবী খাংদ কোল মৈরিনা চাউদম থাগা
খোল মৈচাক তমগে তাল্লিবা
ল্যাক্রেসিগী নীংথিবী কোলেটিনস্ মশানৌ
চাকহেঞ্জবী মথংলেন।"

মীনকেতননা lust-breathed পু অপাম নুংশি নিংশানরবা, false desire বু লৌনম অপাম, lightless fire বু খাম্বী অশাম্ব, chaste পুনা চাকহেঞ্জবী হায়না হন্দোক্লিবসি কয়াদা ফজনা অমদি কয়াদা হৈনা হন্দোক্লিবনা! 'হৈরাং লোঞ্জা চা, লৈরাং লোঞ্জিন চিন' গা মরী লৈনবা বর্ণন ঙাক্তা ওইবনা অপাবশিংদা কামগী বাখল পোক্লক্কদ্রা অমদি অকামপেৎকী মওংদা তাগদ্রা হায়না চিংনরম্বদু মীনকেতনগী লৈবাকমচা তাবা, মফম-মতম চানা শীজিন্নবা লোলগী চীংলেম্বনা ইরায় লায়না কোকহল্লি। *"তম্ফাখোংদা ঈরুপ্পা, তম্ফা মাগী মহাকথং!"*(লা. ৩০), *'চীন্দম্মগে ঙসিদি তাউজিংনিদ নীংথিবা"*, *"লৈরাং মাবু নাপ্প লাং হেদৌজগে চানবিয়ু। তাউজিং মাবু চীন্দা থোং হেলাংজগে পীবিয়ু"* *(লা. ৩৬), "হৈরাং নমজানরুগে, লৈরাং নমজিন্নরুগে"*- বাফোঙদোকশিং অসিদা য়াম্না chaste ওইবা লোল শীজিন্নবা ঙম্লিবসি মীনকেতনগী অঙকপা গুণ অমনি। মসিনা তাকপদি অনুবাদক অসি লমচৎতা-শাজৎতা, ফিজেৎতা-চাকচাদা, মিৎয়েংদা-নায়েংদা য়াম্না রিফাইন ওই হায়বা তাকপনি। মীনকেতন রসিকনি, রস চুপ্পা হৈ। অদুবু মফম চানা, মতাং চানা রসাস্বাদন তৌবা মীশক্নি। বাফোঙদোকশিং অসিদা অকামপেৎকী বা অমদি ফি শেত্তবা বাঙাঙ-শঙাঙ অমত্তা য়াওহন্দনা নায়ক কী প্রেম (নুংশিবা) অমদি বাসনা (অপাম্বা) অদু ইশেং শেংনা উথোকই। মসি অনুবাদক অসিগী ভাষাবিদ ওইবা পণ্ডিতকী গুণননি। ইংগ্লাজীগী Cat's eye বু হৌদোং মমিৎ হায়না হন্দোক্তনা 'মিৎ মন্না থম্বাল মানবী' হায়না ... মসিসু মণিপুরী লোলগী কলচরগা চুশিন্নলা শেম্বা বাহৈগী খুৎশেমনি; ফজবা অনুবাদনি। ফজ-ফজবা বাফোঙদোক কয়া কয়া লৈখ্রে। অনুপ্রাসকী ফজবা খুৎশেম য়েংগে হায়রবদি উগনি পরেং অসিদা ঃ '*লল্লৈবনা, লন্নংব লল্লঙবদ, মথংব* (লা. ১৫)। লৈবি

অতৈস্ - *'লৈঙে লৈঙে মনংবা, লৈন নংন লোইজবা'* (লা ২০)। *"লান্দাবক্রে পাক্রে লাল নৈমকোন্দ হরেম্মা'* (লা ৪৭) অসিনচিংবা।

মীনকেতনগী লোনবু নৈনবদা লোইবা নাইংদ্রাং প্রেমতত্ত্ব মশক মুন্না থংবা মীনাংন্না। সেক্সপিয়রনা নুংশিবদা যে বা মিৎয়েং অদুমক ব্যবহার তৌনা মহাক্কী ভার অমাদি লোল কাংহন্দনা থম্না হায়রবদি মীনকেতনগী অপাম্বনি। তশেংনমক লুক্রেসি কল্লানবা হায়না শৈরেং লাইরিক অসিনা মীনকেতন নুমাৎকী চাংদা অনুবাদক অমনি হায়রবসি পাক্লে।

মথং, লৈনখিবা অসিনগী ত্রিখোমনা হঙবা ওম্রে মীনকেতন লায়পাক্লবা ক্রিয়েটিভ রাইটর অমা ওইবগী মহৎক্কা মতে যাল্লবা অনুবাদক অমসুনি। মীনকেতনদি মীনকেতননি, মৈতৈলোলগী ভাদুগবনি। মীনকেতনদি মীনকেতনদগা চাংদম্নগদবনি। মৈতৈ উপন্যাস শিবা মহাক্কী নৈন-লাইরিক্তা মহাক্না অসুম্না ইরম্মি

লোল অমগী লাইরিক অতৈ লোন অমদা ট্রান্সক্রিপদা খোঙ্জেলনা ফনা হৈদুনসু লোলওং খেন্নবনচিংবা লানঙমদবা মরম কয়ানা পল ওইবদগী লাইরিক মশাগী নীংথিজবা শব্দক খবদং মাঙবা হায়রবদুদ মশোয়দ্রবনি হৈদ হেখ্রবা খোর্জেন্না মখায় মত্তা হায়গ্না হোৎনরবদা লাইবক্কী শাংগনা জনক্রবা ফজবগী শব্দক চামগী মনুংদা হুমফুতবামওাদগী হেন্না ফোঙবা ওন্নদে হায়না অউনশিংনা পাউরৈ নবিৰন অদুনা অনুবাদ তা ফজবগী শব্দক নাইনা ফংদ্রি হায়বা নীংজনী ওই কনিসু লৈতে।"

মীনকেতননী বাহি হবা অসিনা অনুবাদক তম ওইনা মশাগী মমল লেপ্না ওইরসনু। ┘

অনুবাদক অমা ওইনা অশাংবম মীনকেতন সিংহ

লোংজম জয়চন্দ্র

ইং ১৯৩৮ দা অশাংবম মীনকেতন সিংহনা মাইকেল মধুসূদন দত্তগী *মেঘনাদবধ কাব্য* (মেঘনাদসুবা মতাং) হন্দোকপগী বাংলাদগী অনুবাদ সাহিত্যগী মথমদা অসুম্না ফাওদোকখি,

> থবাল ময়াম্না কজনা পোকচববা লৈনি। লৈশক হেল্লি সৈচু ফজে, লৈতৌ নুংশি, লৈনম হোয়িথুম্নে — লৈগী অয়াংবা অমত্তু মাঙান্দ লৈতে অদুনা ফজবগী ভাবুক, নীংথবগী পুন্নাবীশিংন সাদোকপসু যাওই — যেকথোকপসু লে ফজে, নীংথি, পাম্লি লৈশক যাত্তে, নাত্তৌদা ওদে, অদুবু লৈনমদি যাওদে — চেন্নৌ হায়বা থক যাদে অকাদা থবা লৈগী লৈনমদসু হুদুম ওপ। লৈশক্ত লৈতৌদা বাস্ত পাদবদঃ কওনা লৈশানা হাইহবে হাই নীবে নাহ পম্বান মান্নে, অদুবু লৈনমদি চেন্নদে শী অন্ন সু যাদে অদুনা ফজবা লাইবিক্কী মফজ, নীংথৱ লাইবিক্কী মনীংথি অনুবাদ দা ফাওদে — ফাওহায়বা থক যাদে মাসি অনুবাদগী শাপশন্নবা দোষনি।

অনুবাদ সাহিত্যনা ফম্না থবায় যাওনা খূৎ থাববসু, ফম্না নীংথিববসু ওৱিজিনেল গার্ক অদুগী মশুগ যৌবা ঙমদে হায়বসি মীনকেতননা চেংনা থাজখি। অদুবু মসিগী খুদোং চাদবা অসি খঙলবসু কবিনা যাম্না চেকশিন্না অনুবাদ সাহিত্যদা খূৎ থাখি। মহাত্মা মাইকেল মধুসুদন দত্ত, রবীন্দ্রনাথ ঠাকুর অমদি সেক্সপিয়রগী লাইরিক অঙমথক মণিপুরীদা হন্দোক্লুনা অচৌবা অনুবাদক অমনি হায়বসি প্রমান তৌখি। মীনকেতনগী পাক-চাউবা স্কোলারসিপ, লোলগী অঙকপা হৈ-শিংবা, রাখলগী অরুবা মরেপ পুন্নমক মহাক্না হন্দোকলম্বা অনুবাদশিং অসিদা নীংথিনা ফোঙদোকলি। মখোয় অসি মীনকেতনবু লৈশক খঙনবগী অচৌবা থোং অমমর্মনি।

অহানবদা ইং ১৯৬৩ দা ফোঙখিবা মাইকেল মধুসুদন দত্তগী *মেঘনাদবধ কাব্য* (মেঘনাদবধসুবা মতাং) গী অনুবাদ অসি লেংবা যাই। লামায় ৬৬ পানবা, নীংথিজববা পাতৌদোক অমগা লোয়নবিবা, বঙ্গগী অমবকনিনি হায়না শীংথানবিবা মধুসুদনগী কাব্য

অসি মকোক্কী সর্গ তকক্তী হৱাইবম নবদ্বীপচন্দ্রনা হন্দোকলম্বনা সর্গ তবেৎসুবদগী হন্দোকপনি হায়না মীনকেতননা পল্লি। নবদ্বীপচন্দ্র অমসুং মীনকেতনগী অনুবাদ সাহিত্য অনী অসিগী খেন্নবা অমসুং মবন্নাইগী ওইবা তোপ তোপ্পা ফজবা লৈজে। অনী অসি চাংদম্নবা যাদে, নাইতোম ওইনা মশা মশাগী ফজবদা যেংবা তাই। অনীমক অনুবাদ সাহিত্যগী ফজববা খূদোল ভাক্তনি। অনুবাদ অসিদা মীনকেতনগী অঙকপা মগুণদি মহাক্না মৈতৈলোনবু শেমনীংবা মওংদা হৈ শিংনা শেম্বা হৈবগী শক্তি অসিনি। লমগী মমিং, মীগী মমিং, দেবতাশিংগী মমিং, চীং তুবেল পাৎ অমদি লৌবুক লম্মাংগী মমিংশিং অসি মণিপুরীদা, মদুসু মশাগী ওবিজিনেলিটি মা হন্দনা, হন্দোকপা হাযবসি অচৌবা লোন অমসুং স্কোলাবসিপকী বেকগ্রাউন্দ যাওদনা ওইবা ঙমদে। অনীমক অসিদা মীনকেতনগী শীংথানীংঙায ওইববা মগুণশিং উবা ফংই। মসিনা মীনকেতনগী অনুবাদক ওইবগী অচৌবা মশকনি। শৈরেংবু পামজবা বাঙাঙ শাঙাঙ, প্রমান পাঙ্গে অমদি বাহৈ-বাতাদা শৈরেংগী ফজবগী মপু ওইবিবা কবিনা মৈতৈলোন্দা ওম্ভোবকপা অতোপ্পা লোনগী সাহিত্যগী খূদোলশিংদসু শৈরেংগী মহাউ চপ চানা পীননবা হোৎনখি। মসিনা মঙোন্দা লৈবিবা ঈনাক খুল্লবা মৈতৈলোনগী পূক্কেগী মশক অসি তশেংনা উবা ফংই। হিন্দুগী মকুওইবা দেবতা ওইবিবা মহাদেববু কবিনা মৈতৈলোনগী বাহৈ কযা শীজিন্নদুনা হন্দোকলি থাজকোক থোক্লিতেংব চীংশাযাহিপ্প, শমবাউলূতোনকিশিবা, তিমেক্তাবাক খুৎশুবা, অসিনচিংবা। অমুকসু ব্রহ্মাবু 'থম্বালখোঙহৌবা', ইন্দ্রবু নোংদোল্নোং লেন্নোংথৌবা' অমদি 'শীংজং খুৎসু পাঙ্গনবা' সূয্যদেববু 'কোরৌ অঙানপাঙ্গোইবা বিষ্ণুবু 'সনাফিগৈলৈতেংব', অসিনচিংবা বাহৈ কযা শীজিন্নখি। রামবু 'অঙানশাগে অঙানবা', রাবণ-বু 'বঘুশাগেতম্ফা', মেঘনাদপু 'মন্দোদরীফিজিলল', অসিনচিংবা বাহৈশিংনা মন্থৎ শিল্লি। অমুকসু মৈতৈলোনগী বাহৈ খবগা যেংদীযু শীঙেলশম্লাংনবরী, সনাম্চুহেন্নবে কোবৌ নুংশি শীংনবৈ, ইনুংইবাইপাল থাগিননিরুববী, শর্মজিশম্নোন থম্বৌ হেনাপাম্বামতা হৈনম লৈনম চুবরী, হেন্নবায, লাইজ ওংবী, পিনাইদবা মাপাল পিবোইনবা প্লসি মাঙনলানফম, পাজুম্বা, থৌবেম্ভৌবা, অশিচাযনঙম্বা, পোলোই মৈজাউ, ত সির্নচিংবা। পূন্নমক অসি খুদম খবদং পীজরুবনি। অনুবাদকনা উদযাচলবু, শেঙ্গীং চীঙ্গী চাংযাঙ প্রলযবু 'পোলোই মৈজাউ', সমুদ্রবু 'লাইজ ঈচেল ঈথোম্বা' সেনাপতিবু লানথোক দোলাইবু নৈচিনখুনেং' পাতালবু লৈকাবম, নবসি হবু মী নোংশা বজ্রবু কোবৌ কাপথা নাদোন হুম্ববাং যোংবু উঁগ তোংবা', হাযনা হন্দোক্লি। মীনকেতনগী অনুবাদকী লাইবিক ডসি পাম্বগা কদায ফাওবা মৈতৈলোন অসিনা অতোপ্পা লোনগী অকবা বাহৈ বাতাশিং মহৎ শীনবা ঙম্বগে হাযসি খঙবা ঙমই। অনুবাদ হাযবসি অকুবা সাহিত্যনি হাযনা মীনাবে তানা ফোঙদোক্লসু হাক্না হীবম অসিদা মহৈ যান্না খুং থাননবা হোৎনখি।

ইং ১৯৬৪ দা ফোঙখিবা রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী *গীতাঞ্জলি*না মীনকেতনগী মণিপুরীদা হন্দোকপা অনীশুবা অনুবাদকী লাইরিকনি। মীনকেতননা হায়, "*হন্দোকলিবা অসি বাঙ্গলা গীতাঞ্জলিগী নত্তে, ইংরাজী গীতাঞ্জলিগীনি*। ইংরাজী গীতাঞ্জালি ঈশৈ ১০৩ না সাবনি।" লাইরিক অসি হন্দোকপগী মতাংদা অমুকসু অনুবাদকনা ফোঙদোকলি, "কবিগী শৈশক, শৈদা, ভাব অমদি ভাবকী ঈরেপ য়াবমখৈ চানবা ঙম্বমখৈ হোৎনজে।" মখা অমুক চত্থরদুনা মহাক্না হায়খি,

> "থম্বাল লৈখল অহুম্নি - হেঞ্জে অমনা লাইজদা, ঙাঞ্জে অমনা লৈমায়দা, নৌজৈ অমনা চীংমায়দা; অমা য়েঁঙে মফজৈ, অমা য়েঁঙে মনীংথি, অমা অমুক য়েঁঙে মনুংশি; করম্বনা হেন্নি হায়রুনি! করিনা, লাইনা থাবা থম্বালগী মগুণ-লৈবাং খুদিংনা লৈশক মফম্ন থৈরপ চৎনজরবসু অদুম মচেন্নজে। অদুনা কবিগী মশানা নীংথিজজরবা ইশৈনা ফীজোল ফনা হোংদুনসু অদুম নীংথিজজফম থোকই।"

থাজবা অসিনা শক্তি পীদুনা কবিনা নীংথিজরবা মৈতৈলোনগী ৱাহৈশিংনা লংলা ওইদুনা টেগরগী *গীতাঞ্জলি* অসি মমুৎ তানা হন্দোকখি। রবীন্দ্রনাথকী কলাগী সংসারদি ইতোপ-তোপই। মহাক্কী শৈরেংশিং অসিনা পীক্রবা, খুরবা, ঙমখৈনা থল্লবা মীওইবগী পুন্সিগী ফিজোল থাদোক্তুনা হেন্না মপূং ফারবা, মপাল নাইদবা, শিদবগী মশক ওইবা, অপাম্বা পূন্নমক্কী পাউখুম অমা ফংননবা থিরিবা নুপা অমগী অৱাবা ঈশৈ ওইনা তাহল্লি। মরম অসিনা মহাক অসি কবি অমদগী ঋষি অমা ওইনা হেন্না নকশিল্লকই। *গীতাঞ্জলি* দা কবিনা উৎলিবা মশক অসি মীনকেতননা মৈতৈলোনগী ফজরবা ৱাহৈগী শক্তি শীজিন্নদুনা নীংথিনা ফোঙদোক্লি। *গীতাঞ্জলি* গী অহানবা পরেং "Thou hast made me endless, such is thy pleasure. This frail vessel thou emptiest again and again, fillest it ever with fresh life" অসিবু মীনকেতননা অসুম্না হন্দোকলি "*খনমন্দে নহাক্ন খোঙফম ঐগী থক/ শান্নে কুম্মৈ নংন সুম/ পুন্সিনা থক্রে খকহন্দে নংন থক/ হৈথৈ নৌহৌ থৱায় সুম।*" কবিগী অহুমশুবা শৈরেং "Ah, thou hast made my heart captive in the endless meshes of thy music, my master!" মসিবু অনুবাদকনা অসুম্না থল্লি "মায়গৈ মরি লাঙ্গোয় চল ইশৈনা ঐবু/করিনো করিনো লাক্নরিবসিবু।" মৈতৈলোনগী অনুবাদশিং অসি পারকপা মতমদা মখোয় অসি অতোপ্পা লোন্দগী হন্দোকপনি হায়বসি ফাওহন্দে ফজরবা মৈতৈলোনগী শৈরেং অমা পাবগুম্না পূক্নিংদা নুংঙায়বা পোকই। ফজবা অনুবাদ সাহিত্যগী মগুণদি মসিনি। *গীতাঞ্জলি* গী মঙাশুবা পরেং "Now it is time to sit quiet, face to face with thee, and to sing dedication of life in this silent and overflowing leisure." মসিবু মীনকেতননা অসুম্না পীরি "*মিৎচাননা ইবানী ফমজৌ নাপ্প লাং/ তম্মবা*

নুমিৎনি ওসিসিদি তুমিনা/ ওসিদি চীরু নঙ্গী নাপ্ল ইশৈ লাং/ কচ্চবম্মগে থবায নঙোন্দ তুমিন।' মীনকেতননা হন্দোকলিবা *গীতাঞ্জলি* গী ঈশৈশিং অসি মফম অসিদা লোইনা পনবা ওইথোক্তে। অদুবু মকওইবা খর্বদি পন্দবা ওমদে। টেগবগী কুনহুমদোই শুবা ঈশৈগী মযেক Art thou abroad on this stormy night on thy journey of love my friend" হায়বসিগী কবিনা পীবিবা অনুবাদ যেংবীয়ু "*নংবু লাক্লিববা ওসিহিং নংনুংশিংসিদা/ থবাযনা তাডবা নুংশি লোয়ুম্বা?"* অমুকসু *গীতাঞ্জলি* গী মযাম্না খঙনববা নিফুনিথোই শুবা ঈশৈগী পবেং "Early in the day it was whispered that we should sail in a boat, only thou and I, and never a soul in the world would know of this our pilgrimage to no country and to no end" হায়র্বাসিবু মীনকেতননা হন্দোকলি "ডাঙনখিবদাই বাকৈয় হিথক মদা তোং *ইবানীদ / চৎলুসি পঙহোন্দ? হান পঙহোন্দ তোন্না/ ঐখোয কবি তীর্থ চৎলিবা লমদম কৈদা কদাযদা/ খঁঙোই কনা, মালংদ, চৎসি পঙহোন্দ; হোন।'* *গীতাঞ্জলি* গী নীংথিজববা মবিফুহুমদোই শুবা ঈশৈগী মযেক Mother I shall weave a chain of pearls for thy neck with my tears of sorrow' গী মীনকেতননা হন্দোকলিবা অনুবাদ যেংবীয়ু "*কচ্চগে ওসিদি নঙ্গী সনাগী শেঙ্গাদা/ অবাবই পিবাং পবেং/ থোন্নবা ইমা নঙ্গী নডক্ত/ লেংজগে তম্মা পন্দং নুমিৎ থানা পবে, ওইনা তা' চঙজবি থৌগল থুযাথাদা/ লৈতেং ডনি নথবাক খানবিসি ওও/ অবাবই লীক্ল ং পবে* অমুকসু মীনকেতননা হন্দোকলিবা টেগবগী ৯১ শুবা ঈশৈ মযেক O thou the last fulfilment of my life Death, my death come and whisper to me গী মৈতৈলোনগী অনুবাদ... হুন্সিনা পোগলোই ... বা, পোগলোই, ... লোই ... দোংগেব। মীনকেতনগী ... অসিনা অপানগী পুক্ল ... থাম্মোযদা চীংশিনবা ওমহল্লিবা।

অশাংবমনা ই. ১৯৬৫ দা লেওখিবা সেক্সপিয়রগী *দি রেপ অব ল্যুক্রেসিগী* মণিপুরী অনুবাদকী মতাংদা খরদং পঙগ। সেক্সপিয়রগী শৈরেংগী লাইরিক অসি মীনকেতননা মণিপুরীদা *ল্যুক্রেসি হন্নানবহাক* না হন্দোকলি। মমাঙদা হন্দোকখিবা লাইরিক অনী অদুদগী অকোনবগী লাইরিক অসিনা হেন্না লুই, তবাই তবাইবা ওইদে হাযনা মীনকেতননা ফোঙদোকখি। অহানবগী অনী অসিদি বাংলা সাহিত্যগী খুদোল ওইবনা মণিপুরী সাহিত্যদা পুশিল্লকপদা যাম্না কোম্না থোকখি। অদুবু অকোনবগী অসিনা নোংচুপলোমগী সাহিত্যগী খুদোল ওইবনা মতাং মতাংদা মণিপুরী সমাজগী তৈনবা, চুশিন্নবা বাৎপা, হন্দোকপদা তাযোন্নবা কয়া যা ওই হাযসি মহাক্লা ফাওখি। মসিগী মতাংদা মহাক্লা হাযখি

'ইংবাজী কবিগী শৈশক মৈতে অশৈবনী শৈশক যান্না ভোনে। মহাকবিগী শৈশক অসি মখাক মতোল চপচানা থম্মবদা মৈতৈ নাকোঙ্গ চুনদবা মৈতৈগী বাখন্ন নাতোন নাকচি কাঙদবা ঙম্মোইদবা মতা কযা কযা যাওবনা মৈতৈগী ওইনবা যানবা অনুবাদদঃ অনুবাদ ওইনা তৌদনা রূপান্তর ওইবপ থমজে। অদুবু মহাকবিগী নীংথিজবা পুম্নমক ঙম্বমখৈ থমজনবদি অদুম মহোৎনজে '

বাফম অসি অশেংবনি। নোংচুপলোমগী সাহিত্যগী খূদোল অমা মণিপুরী সাহিত্যদা পুশিল্লকবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কযা মাযোক্লববসু মীনকেতনগী হে শিংবা খূৎশেন্না মণিপুরী অপাবশিংদা অচৌবা ইখিল অমা পীবা ঙমহল্লি। মসিদসু অনুবাদক অমা ওইনা মীনকেতনগী মাযপাকপা উবা ফংই।

সেক্সপিযাবগী লাইবিক অসিগী বাবীগী মবুদি ল্যাক্রেসিনি। ল্যাক্রেসি বোমক চনুনি. ফজবী নুপীনি। ল্যাক্রেসি মপু পানবী নুপীনি, কোলেটিনসকী লোযনবীনি। নোংমা অহিং অমা বোমক নি থৌ মপাবী টার্বকিন্না লেমা মদোমদা ঙাযজবা মতমদা অতিথি শাদুনা চঙলক্লগা নুপী ওইবীগী ইজ্জৎ তেমশিংনখিবা মদুগী চৈথেংনা মবম ওইদুনা ল্যাক্রেসিনা মদোম মথবায থাখিবা, লৈবাক্কা টাবকিনগী মবানদগী নিংথৌ ফুঙ্গা তানথোকখিবা, নিংথৌ খুডম মুখৎখিবগী বাবীনি।

সেক্সপিযাবনা বাবী অসবু শৈশব না লিদুনা ফজববা সাহিত্যগী পোত্থোক অমা ওইনা শমহ কখি মীনকেতননা সেক্সপিযবগী ফজবা শৈবে গী মপোপ অদু কাযহন্দনা মৈতৈলোন্দা লৌবিনা চপোকহ। ল্যাক্রেসিগী ফজবা থাবকপা, টা বকিনগী থম্মোযদা কনম্না ঙনাম মীবা চুংবা থিংবা শবুক চঙলক্লবা টার্বকিন্না ল্যাক্রেসিবু ফমলানগে শহংক্লবদা মহক্কী বাহজিন শাংলকপা বাহলগী মৈবী অদু সেক্সপিযবনা কবন্না ফোঙদোকপা ফজবা প্রমান পাম্ষ্ট্র শীজিন্নদুনা ল্যাক্রেসিগী মফমদা মহাক্কী থম্মোযগী ইপাম্বা কাংথোবকপা পুম্নমক অসি শৈবেংগী ফজবা বাহৈ বাতানা সেক্সপিযবনা ফোঙদোবকই অদুগা কযাদা নীংখি। অচোম্বা বাহৈ-বাতা যাওদনা, মৈতৈলোনগী ফজবা প্রমান পাম্ষ্টেনা মীনকেতননা মণিপুরীদা ওস্লোবকই। অহীং নো যাই চবুক লোল্লবা তাঞ্জাদা, অবোন খোঙদোই তগ্না শুন টার্বকিন্না ইংচা হইতম্নগী শক্তম লৌ, ল্যাক্রেসিগী অবোনবা কাদা চঙলক্লুনা মহাক্ক অপাম্বা ফোঙদোবকপগী মতাং অসি সেক্সপিযবনা অসুম্না ইবি

Lucrece quoth he this night I must enjoy thee If thou deny then force must work my way for in thy bed I purpose to destroy thee and that done, some worthless slave of thine I'll slay to kill thine honour with thy life's

decay, and in thy dead arms do I mean to place him, swearing I slew him, seeing thee embrace him But if thou yield, I rest thy secret friend '

মীনকেতননা মসিবু মৈতৈলোন্দা অসুম্না হন্দোকলি

"বোমক চনু হৌগৎলু হৈবাং নিগে লাক্লিযে,
চানীছ্মোদাঃ শবীশো লাইনা কুনি শোযবোইযে,
তাউজিং হৈজামিন্নিসি, হবাউ হবাউ নুংশিনা,
হৈবিক্লবা ঐগী কা তসু তসু নহাক্ক
নম্ন হানা হৈবাং চা লৌনি তন্ন নথবায,
শগোল্লোযদি অমা ফা লৌনি সিদা মথব্রায
ফমদিন্নঙৈ থেংনক হাৎলি ঐনা নৌবানী
চেন্নি নপাউ অমকপা,
লিকই নংনে কদৌনি চাগদৌবা মবৈবে —
চাসু চাবা ঐগীনা মিংফন্নিসু ফজবা
মাঙসু মাঙবা নঙ্গীনা মিংদংনিসু থীহৌবা
খঙ্গৌ তিল্লাং থকযোৎন নুংশিনসি ইবানী,
নংন বাখল লৈববা নদাই ওইনি ঐহাক্সে
কাযবোই ফজ নঙ্গী কা।"

ই বাজাদগী মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা মতাং অসি মীনকেতননা হৈ শিংনা সেক্সপিযবগী মনুংগী নীংথিবা বাহৈগী মপোপসু কাযহন্দনা অপাবশিংগী মফমদসু শেবান্না পুখিবা যাবগী তাঙ্গা অদুসু পীদনা বাহৈগী কোচিনা ফাজিন্দুনা পুদুনা চৎলি। মসিনা মীনকেতনগী হৈ-শিংবা অনুবাদক অমা ওইবগী মগুণ-অদু নীংথিনা উৎলি।

অনুবাদ সাহিত্য অসি অকংবা কলানি। ফন ফজবা পোখোক ওইববসু মশাগী ওবিজিনেল বার্ক অদু অনুবাদনা কৈদৌঙৈদসু যৌবা ঙমদে। মসিগী অবাৎপা অসি মীনকেতনসু চপচানা খঙখি। অনুবাদ অতৈদগী শৈবেং হন্দোকপনা অমুক্কা হেন্না লুই। মবম অদুনা শৈবেংদি অনুবাদ তৌবা যাদে হাযনবিবনি। অমুক্কা হেন্না খুদোং চাদ্রিবদি মহাকবিশিংগী সাহিত্যগী পোখোক ইমাবোন্দা পুথোক্লবা হোৎনবা অসিনি। মসিদা মীনকেতননা থাজখিবদি চপচাবা অনুবাদ নত্তে, মনুংগী মপোপ কাযহন্দনা অনুবাদ তৌবনি। মবম অদুনা অনুবাদক অমনি হাযবদগী মহাক মশানা মশাবু রূপান্তর অমনি হাযনা শক তাকচখি। মসিনা মীনকেতনবু হেন্না মযেক শেংনা নৈনবা ঙমগনি। ❑

সমালোচক অমা ওইনা মীনকেতন

লৈমপোকপম দামোদর

হায়েঙ য়ানবা ঃ

ওঝা মীনকেতন (১৯০৬-১৯৯৫ ইং) মণিপুর রিনাসাঁগী মতীক মগুণ, মঙাল, অশানবা অপাকপা মিৎয়েং, দর্শন, কল্পনা শক্তি চেনবা, মণিপুরী সাহিত্যগী অলৌকিক (সুপরহ্যমেন) নৎত্রগা টাইটন (Titan) মক ওইরবা শক্তম অমনি; মচু কয়ানা লৈতেংলবা মোজেক (Mosaic many splendourd image) কী শক্তমনি; মায়থোং কয়া পানবা (plural faceted image) শক্তম অমসুনি।

মণিপুরী সাহিত্যদা য়াম্না তাঙনা থোকপা লৈচল অমা হায়রবদি সমালোচনা হায়বসিনি। ঐখোয়গী সাহিত্যগী লমজীং মৈরা পায়বা (pioneer) শিংগী মরক্তা মহাক্না *মৈতৈ উপন্যাস* (সব-টাইটল, *মৈতৈ খোরিরোল নুঙ্গোইবা* - লাইরিক অহানবা, ইং ১৯৫০) থম্মীরম্বসি মমল য়াম্মী। লাইরিক অসি শ্রীঅচোম ইবোবী সিংহ, শৌগাইজম লৈরক, ইম্ফালনা ফোঙবনি; শ্রীরাসবিহারী সিংহ, ফ্রেণ্ডস ইউনিয়ন প্রেসনা নম্বনি।

বিষয়শিং নৈনবা ঃ

লাইরিক অসিদা তাঙ্কক্ ৬ থোক্না উপন্যাস ৬ খক্কী আলোচনা পীরি। তরুকশুবদি বেঙ্গলগী বঙ্কিমচন্দ্র চেত্তর্জী (১৮৩৮-৯৪) না বাংলাদা ফোঙলম্বা রোমেন্স *কপালকুণ্ডলা* (১৮৬৬) মণিপুরী পাইওনিয়র সাহিত্যকার অমসুং ওঝা মুতুম কোইরেংনা মণিপুরদা অনুবাদ তৌরম্বা পোখোকপ্ *কোইরেংগী কপালকুণ্ডলানুবাদ* মিংথোন্দুনা নৈনবা প্রবন্ধনি।

অহানবদগী মঙাশুবা ফাওবনা মথংশিংদন, ১) কমলগী *মাধবী*, ২) চাউবগী *লবঙ্গলতা*, ৩) শীতলজিৎকী *থাদোকপা*, ৪) *ইমা* অমসুং ৫) *রোহিনী*নি।

কপালকুণ্ডলা (১৮৬৬) ঃ বঙ্কিমচন্দ্র চেত্তর্জী (১৮৩৮-৯৪) না বাংলা উপন্যাসতা, মধুসূদন দত্তনা কবিতাদা অচৌবা দান তৌখি। কল্পনা শক্তি হাপখি। বাংলা গদ্য হান্না

ষ্টেন্দদাইজ তৌদুনা লৈববা মোনোটনস ওইববা, স্তাইলগী মশা ঈকথোক্লগা মীযাম্না খঙনবা ইদিযমদা পুথোকখি। মহাক্কী অহানবা রোমেন্স *দুর্গেশনন্দিনী* (১৮৬৫), ভূদেব মুখর্জীগী *অঙ্গুরিয়া-বিনিময়*, স্কোটকী *আইভান হো* (Scott's Ivanhoe) গী প্লোটকী ইথিল চঙই, মসি রোমেন্সনি।

মহাক্কী মথংগী রোমেন্স *কপালকুণ্ডলা* (১৮৬৬) খ্বাইদগী ফজবা পোথোকশিংগী মনুংদা অমনি। বিষযদা লিবিকেল ওই, শান্ত যাওই, মেলোড্রামাটিক খবা ওইববসু, বাবীদা অনী লোঙলবসু, ভবভূটিগী *মালটিমাধব*দগী মিংদগী লৌববসু, হেরোইন অসি কালিদাসকী *শকুন্তলা* অমসুং সেক্সপীযবগী *মিবানদা*গী মোডেল মমি তাই।

গদ্যদা বাবী মখল অনী থোক্লা খাযদোকপা যাই, (১) রোমেন্স অমসুং (২) উপন্যাস। রোমেন্সতদি থৌদোকশিং (incidents) না চবিত্রশিংদগী হেন্না মরু ওই। বাবী অদু মহৌশাগী ওইদবা (unnatural) অঙকপনা থল্লবা থৌদোকশিংনা অযাম্বনি। উপন্যাসতদি চঙ-চঙ লাউবা চবিত্রশিংগী বাবীশিং যাওই। চবিত্রশিংদা হেন্না এমফেসিস পী। মণিপুবী সাহিত্যদা খ্বাইবাকপম চাউবগী *লবঙ্গ-লতা* রোমেন্সগী মযেক লানবা খুদম অমনি।

> " Kapalkundala has been universally acclaimed a masterpice It is also strongly marked by the feature of romance
>
> (Asit Kumar Banopadhyay 1986, Modern Book Agency Pvt Ltd , Calcutta)

অদুবু চবিত্রশিংগী সমস্যাশিং মীওইবগী বাখল অববশিং, ঈশৈগী ছন্দদা ইবা (musical cadence) কবিতা ওম, কবিগুম্বদা মনোবৈজ্ঞানীক ওইবা মুকখাযনবগী হৈ শিংবা মগুণ অমসুং ড্রামাটিক ওইবা থৌদোকশিংনা *কপালকুণ্ডলা* অসি ফজববা পোথোক (masterpiece) কলা অমা ওইহল্লি। বঙ্কিমনা শাস্ত্র থাজবগা লোযননা প্রকৃতিগী মমোম অমা ওইনা সমাজীক সংসাবগী লুববা পুন্সি অমসু লুহোংলবা পুন্সিগী থৌবীনা পুনবদা মহাক্কী অবাবা পুন্সি লোমখিবগে হাযবা উৎলি।

ওঝা কোইবেংগী *কপালকুণ্ডলানুবাদ* মাঙদা লাইবিক থল্লগা অর্থ পঙহন হন্দোকপা (transliteration) মক্লি হাযবা যাই ত্রান্সক্রিপ্সন নত্তে। মসি ঐগী ওঝা হবাইবম বনবীবনা যাম্না চাননা বঙ্কিমনা থাবকপা টেলিগ্রামওস্বনি হাযখিবা অদুমক ওইনা থোকই, কন্নাগী মগুণ লেনবা অনুবাদ ওইবমক্তি নত্তে।

ডা লমাবম কমল (১৮৯৯-৩৫) না মহাক্কী *মাধবী* বেবি হবাই মেডিকেল স্কুল, ডিব্রুগড়দা ডাক্তর তম্লিঙৈদা ইখিবনি। মণিপুরী সাহিত্যগী অহানবা উপন্যাসনি। "উৎলিবনা নূপী ওইবীনা নুংশিবগী মাযগৈদা থাংবা খাওফমনি। খোঙফম অনী পীবি "অমনা নুংশিদ-নুংশিনা অদুগা অমনা নুংশিবদ-নুংশিনা থাংঙি।" (*মীনকেতন, লা ৩, মৈতৈ উপন্যাস ১৮৭২ শক, ১৯৫০ ইং অচোম ইবোবী, শৌগাইজম লৈবক, ইম্ফাল।*)

উবীগী না বীবেন মাধবী না মীনকেতন শিখিবনি। মাধবী নু থোইনবীনি। বঙ্কিম অমসুং মহাক্কী যুগকী ইগিল তাই। দুর্গেশনন্দিনিগী তিলোত্তমা, আযেসা নচিংবা চরিত্রনচিংবগী কম্পেরেটিভ স্টদি মীনকেতননা চৈথেংগী মফমদা লৈতবা। কাকিলনা উপন্যাস অসিদা মরুওইবা থৌদাং লৌহল্লি বৈষ্ণব সাহিত্যগী ইমিন শকপানহনবনি। মীনকেতনগী মোত্তো বঙ্গ সাহিত্যনা মণিপুরী সাহিত্যদা পীশ *মাধবী* উপন্যাসনি। অনৌবা লোলগী তীক-খল অসিনা অমাবা সমাজগী আমঙবা শক্তম (ইমেজ) ফংগাযনা শাংহল্লি। উপন্যাসকী মিংথোল অসি শোয হাযনা মীনকেতনগী মোং পী 'মাধবী উবীবেগী' ত বাংবীনি। তেংবাংবী মাধবীনা মপুং ওইবী উবীবি। অদুবু মীনকেতন। কমলগী আদর্শ (আইদিএলিজম) বু মশক খঙদবগী অশোনবা উৎপা নত্তনা অতৈ লৈতে [মহাক্কী সমালোচনা অচুম চুমদগী বাখল (লেজিসলেটিভ) তদা যুম্ফম ওই] কমলগী আদর্শ মহাক্কা থওইখিদবসি আলোচনাগী অশোনবনি। *মাধবী* গী স্বার্থত্যাগপু অপাকপা মিৎযেংদা যেংখিদবসি আলোচনাগী হালিষ্টিক (holistic) ওইবা ইমেজ বাংদে।

কমলগী মগুণ খঙনবা। চংনবদা ওবজেক্তিব অমসুং সবজেক্তিব ওইবা মিৎযেং অনী চঙই কমলগী *মাধবী* নৈনবদা মীনকেতন ওবজেক্তিব ওইমনখিদুনা কমলগী নুংগী ইমেজ যৌশিল্লুবা ঙমদবগী অশোযবা লৈ। ওজা মীনকেতনগী মিৎযেং অসি নিউ ক্রিটিসিজম (New criticism) গী টেক্স্টদা যেংবা হাযবদুনি হাযবসিবা? গ্রন্থাযগী বিনাসাগী মতমদা নিউ ক্রিটিসিজমগী ইথিল লাকপবুদি মযাবনি। অদুবু ওবাগী অতৈ সমালোচনা প্রবন্ধশিংদা মসিগী মমি তাবগী খুদম কযা উবে। মবম অদুনা কমলগী মাধবীবু মানসিক নৎত্রগা অধ্যাত্মিক মিৎযেংদ উখিদবগী ত শোযনা ওবা লৈ হাযনী ই। অদুনা মাধবীগী চরিত্রবু লিষ্টুপ লাইবী নু থোইনবী মশাবু ইমল কানা যোনগে নীংবী নুপীনি হাযন ওবাগী মোং পী (লা ৯)। মাধবীবু অসুন্না থান্না অতৈ মা থাক্তা চিংখদুনা আলোচনা তৌবসি ডা কমলগী আদর্শবু শকথঙবা বাংপগী ওদমনি হাযনী ই।

মাধবী মশাগীতা ওনবা নুপানি মশাগী লুঙঙাইবা থিবদা স্বার্থ ত্যাগ ক কবি মনম লে' (লা ১১) মীনু শি মী অমতদা চাইথোক্তে ধাবেন্দদা অদুম তুংদনা লৈ (লা ১২) হাইব মীনকেতনগী ... হাযবা তাকই

মাধবীনা লৈ লেংদুনা লৈরিঙৈদা ধীবেন অমুক উনরবদা ধীরেন্দা অদুম মশাগী নুংশিবা শকফোঙবগী তাঙ্গা য়াম্না ফংখি। অদুবু মহাক গৃহত্যাগিনী ওইদুনা মহাক্কী নুংশিববু য়ুনিভর্সেল ওইবা মওংদা মীপুম খুদিংদা যেন্নীংবগী নুংগী ৱাখল অসি *মাধবী* ইরিবা ডা. কমলগী অপাকপা ৱাখলনি হায়বা মীনকেতনদা চঙদে। কমলগী ভিজন অসিদি হৌজিক্কী প্লুরেল পোলিটি (plural polity) দা অসুম অসুম চান্নরক্লিবা পেরাদিম (paradigm) ওইরক্লবনি, মসি মীনকেতনগী অধ্যাত্মিক ৱাখলদা য়োঁবা ঙমখিদে।

উবীরৈগী চরিত্র বর্ণন তৌবদদি মীনকেতনগী ওবজেক্তিভিতি য়াম্না চুম্মী। 'মাধবীদা শোয়রবসু উবীরৈদদি খোর্জ্জে যাম্না নীংথিনা পাল্লি।' (লা. ৯৫)। অদুবু মশাগী ৱাখল নুঙ্গাউননা নুংশিবা উরীবৈগী নীংথিরবা শকফম অসি উপন্যাসকারনা খজিক্তুং হেঞ্জিন্না য়েকপসি অকায়বা লৈ হায়বা আলোচক অসিগী মোৎ ফোঙদোকই। অসিগুম্বা রেসনেলাইজ তৌরবা আলোচনা মাধবীদসু পীহন্নীংই।

বীরেননা ঈপাকনি, উবীরৈনা ঈচেলনি। সমালোচক্না চরিত্র অসিবুসু রেসনেলাইজ তৌই ঃ মীনা করি হায়খিগদগে, মীনা ফজে হায়সনু হাযদুনা মীগী পোইরৈদা য়েংদুনা চৎপদা অচুম্বা অফবা তৌবদা নীংজিংনরবা, নিপা থোকপা ঙমজদ্রবা বীরেনগী ইমেজনি। আলোচককী ফজবা ৱাতেমনি।

ধীরেন মাধবীবু নুংশিরম্লবসু মাধবীনা লৌনম তৌরুবদগী নুংশিদবা তাবনি। অদুবু ধীরেন এম এ পাস তৌরবা মীহে নীংথিনা হৈববা মী অমনা থম্মোযগী গুণ লৈবা, লুফম থোকপনি। 'অরোইবা শরুক' তা যেক্লিবা মহাক্কী ইমেজ সমালোচক্না পামদবসি রেসনেল ওই। ধীরেন্দ্রনা তৌখিবা পাপ, দুষন্তগুম, দুর্ব্বাশাগী পাপকুম মমিৎ তাঙমলি। মশাগী তৌবিমল খঙদবা, লমন খুম্বগী মপুকচেলনি হায়বসি সমালোচক্কী অচুম্বা লেজিসলেটিভ মোৎনি। মাধবী অশোযবনা থক্লবসু নীংথিজবা মগুণ চেল্লি হায়বসি সমালোচক অসিগী অচুম্বা মোৎনি।

সমালোচকনা কমলগী মগুণ ফজনা শীংথাই পোৎলম খুদিংদা থৱাযগী ঈশ্চল উবা ঙমই। মদুনা ঐখোয়গী পক্লিং গুদবা ঙমদে। অপাবগী বসকী ঈচেলনা ফংই। মসি সমালোচকসিগী লুথনা খঙলবা (discerning) মোৎনি।

কমলগী মেঙলবা ইদিগমবু সমালোচকসিনা ফজনা শীংথাই, মহাক্না হায়দোক্লক্লিবা নুংগী মপাউশিং 'ইনুংগী লীক্লা ফুববা মল্লিকা - নি'। (লা. ২৩)।

প্রবন্ধ অসিগী অরোইবা শরুক্তা (লা ২৭-২৮) ৱাখল লুম্বা ৱাহং অমসুং পাউখুম সমালোচকসিনা নীংথিনা পীবী। 'মাধবীগী থাক কদাযদা লৈ?' পাউখুম ওইনা হায, অইবনা

(কমলনা) খোঙ্গুল তাবা খব বাৎখি। 'অরাংবা সাহিত্যগী অথোইবা মগুণ কবিনো?' মপানগী জগৎকী মঙাল উৎতুনা লেঙদবা জগৎকী নুংঙাইবা মশক খঙহনবা, মপালগী জগৎকী অরাবা উৎতুনা থম্মোয় থুকহনবা, লেঙদবা নুংঙাইবগী খুভমদা কাখৎহনবা। অদুবু, সমালোচকনা মোৎ পীবি, কমলনা দর্শনগী জ্ঞান খব রাৎখিবনা অবাংবা সাহিত্যগী খুভমদগী খবদং নাম্বুখিবতনি। 'মৈতৈ সাহিত্যগী মনুংদদি মাধবীগী থাক রাংনা লৈ।' অবোইবা মোৎ অসিমক্তনা সমালোচকসিগী মনুং হুজ্জিনবা আলোচনা পীবে হায়নীংই।

উপন্যাস অসিগী 'অবোইবা শক্ক' মিংথোনবা চেপ্টব মচা অসিদা মাধবীনা কাঞ্চী লৈকোন্দা লৈ পবেং লেংদুনা লৈবিঙৈদা ধীরেননা মাধবীবু উববা ফাওবদা খঙখিদবা অমসুং মাধবীনা মফম অদুদগী মাঙখ্রবা মতমদতা খঙলকখিবা — অসিগী কমলনা মহাক্কী কলাদা বসীক নৎত্রগা আইদিযেল বিদবশিংদা অবাংবা থাক্কী বস নৎত্রগা ব্লিস (bliss) পোকহনবগে হায়বসিগী মবমদা সমালোচক মীনকেতননা বাতেম অমত্তা ফোঙদোক্রমদবসি আলোচনাগী মঙম শোনবনি।

চাউবগী লবঙ্গ-লতা ঃ

সমালোচকনা খ্বাইবাকপম চাউবা (১৮৯৫-১৯৫০) গী পুন্সি বাবী তেনতক্না ওইববসু যাম্না মবীক চুম্না পীবি। চহী ৫ শুবদা অপোকপা মুক্তাসিংহ কাযনৈ। অপোকপী থাদোইসনানা বাকবসু থানা চাউববু অফবা মহৈ মশিং তমহনখি। কবি অসি লাইবিক যাম্না ফম্না হৌবকখি। ইং ১৯১৮ দা শিলোং গবর্নমেন্ট হাই স্কুলদগী কলিকতা বিশ্ববিদ্যালযগী প্রবেশিকা পরীক্ষা পাস তৌদুনা কলিকতা আসুতোষ কলেজদা আই এ তমখৈ। নাবদগী মথং অমক তমথখিদ্রে। মণিপুরদা বেঙ্গলী অমসুং জনস্টোন স্কুলশিংদা ওঝা ওইখি। বাংলা যাম্না খঙখি, লাইবিক অফবমখৈ নৈনখি ইংরেজীসু ফজনা হৈ। মৈতৈ লোন্দা বাস, শযন, খুবাক ঈশৈ লেংঙি। যাকাইরোল, ললিত মঞ্জুরী পত্রিকাদা খুমাবা, লাইবিক ইবশিংগী মনুংদা অথোইবা অমনি। অসুম্না *লবঙ্গ লতা মথুরা বিরহ, বীরেন্দ্র-কুমারী, নব মালিকা* ইবম্মী। লবঙ্গ লতা (ফোঙবা চাওবাক্না ১৯৪০) সমালোচকনা হায় বঙ্গ সাহিত্যনা মসিবু 'ঐতিহাসিক উপন্যাস' হায়না কৌনৈ। মসিমক্তি নত্তে, মসিদি রোমেন্স হাযবদুনি। লালগী ঈচাওদা অরা-পোলোইনবা পাম্মু-নুংশি অনীগী পুন্সি রাবীনি। বঙ্কিম যুগকী বঙ্গ সাহিত্যগী মওং লৌবনি। বঙ্কিমগী *মৃনালিনী*, দিজেনদ্রগী *চন্দ্রগুপ্ত* অমসুং অতৈ সাহিত্যকারশিংগী মঙাল তাই হায়না লৌই। সমালোচকসিগী লাইবিক পাক শন্না পাবগী অমসুং চাংদম্নবা ঙম্বগী মঙম, উৎলি। অবাংবা খোর্জেজগী বাখল মঙাল লবঙ্গ-লতাদা উই।

কুঞ্জলতা সনাবু মপুবোইবনা মণিপুবদা থোকপগী যাথং পীবমদে, অদুনা বামনগবদা মপুবোইবা ঙাইদুনা লৈগনি হাযবা ফিবেপ লৌখি মহাকাব্য যুগকী নুপী ওইবগী অরংবা খোঙফমগী মঙাল ফোঙলি হাযবা সমালোচক্কী মোৎ অসি যাম্না মনুং হুঞ্জিল্লি।

উপন্যাস অসিগী লোল ফিদমগী দিক্সন্নি। বঙ্গগী কালিপ্রসন্ন, বিদ্যাসাগবগী মওংদগী লৌবনি। দর্শনগী লোন্দা ওইবনা চুর্শিন্নবা খবা বাল্লপতি তৌই - হাযবসি সমালোচক্কী বাতেম ফজবনি। শা মমাংদা অঙৌবা মকোক তাগনি হাযবা কুইন্টননা মাগী খোঙলোইগা কংলাদা তুবদু ঐতিহাসিক থৌদোক যাম্না অবানবা মওংদা উৎলি হাযবা সমালোচক্কী মোত পীবি। অসিগুম্বা চানদবসি ঐতিহাসিক উপন্যাসতা যাম্না থোকই, ইতিহাসকী শব্দ-শযাংশিং অদু শেংনা শেংনা উৎকদবনি হাযবসি পৃথিবীগী সাহিত্যদা ফনা যাম্না লৈ, অদুবু ওম্ভোক-ওনশিন তৌবসু লৈতবা নত্তে।

লোলদা, সিমান্তিকতা উপন্যাসকাবগী বাহৈশিং 'যন্ত পবেং', 'দ্বাবি' (খোঙশঙবা), জনেগী 'জন্মভূমিশ্যা', 'কৰ্ত্তি যশ' অসিনচিংবা চানদবা বাহৈ কযা হাপচিনবা অসি সমালোচকনা যানীংদে। অদুবু কন্টেমপরেরি, অপাবশিংগী খুদোংচাগদবা বাহৈশিংদি ঐতিহাসিক উপন্যাসতা শীজিন্নবা যাওই।

শন্নপা বাবী ঃ

খাগেম্বা নিংথৌনা পানবা মতমদা ইতিহাসগী তাঙ্কক অদুদগী লৌথোক্না অইবগী কল্পনানা শেন্নবপা লবঙ্গ অমসুং লতাসনাগী নুংশিনবগী বাবীনি। খাগিগী লানফমদা লবঙ্গগী থৌনাদা পেনবিবদুনা শনোংবনা মজাইবেম্মা কুঞ্জলতা পীনীংখি। মযাম্বা খ্বাইবাকপনা যাবক্ত্রবদা শনো বনা বাবৌদুনা লমন খুম্নবা তাঞ্জা ঙাইদুনা লৈখি অইবনা 'শনোংবা হিগাস' হাযবা থৌদাক্ত পুশিল্লক্তনা শনোংববু লান তৌহল্লকই। লানদা মাংহৌবদুনা কাছাবদা লাঞ্জেনবদা লবঙ্গ অমসুং লতা অনী যাওহন্দুনা শনোংবনা মথোয অনী লুহোংবিখি। তৌবুলগী লানফদা কাইস্কুল লাকপনা তুববদা খ্বাইবাকপনা কাছাবগী নিংথৌবু মনাউগী চঙজফম পীবগীদমক দণ্ডি পীনবা অমসুং লতাসনাগী খোঙ্গুল লীনবা কাছাবদা খোঙলেঙখি, মপুবোইবগী যাথং ফংদনা অমুক হন্না মণিপুবদা হল্লবোই হাযবা ফিবেপ কুঞ্জলতানা লৌবকপদা বাবী লোইশিল্লী।

গদ্যদা বাবী মখল অনী থোক্লা খাংদোকপা যাই (১) বোমেন্স অমসুং (২) উপন্যাস। বোমেন্স হাযবসি ফিক্সন অমনি। মসিদা মক ওইবিবদি বিযেলিটি নাথৈদুনা কল্পনা যাম্না যাওহনবা, লার্জব দেন লাইফ (larger than life), সুপব-নেচবেল ওইবা, মিঠিকেল বেছিএল প্রোটোটাইপ (mythical racial prototype) ওইবা অকন্ন অথৌ

চরিত্রশিং কয়া থেংনগনি। খ্বাইরাকপম চাউবগী *লবঙ্গ-লতা* অসি রোমেন্সনি। করিগুম্বদা ঐতিহাসিক উপন্যাসকা রোমেন্সকগী লাংদাই অসি য়াম্না পাবা য়াই। অদুবু রোমেন্সকী মরু ওইবা মওংদি হকচিনবা কল্পনা য়াওবা অকন-অথৌশিংগী থৌদোকশিংনি (chivalry); সমাজগী আইন ঙাক্না চৎপা, ধর্ম্ম ঙাকপা থৌদোক ৱারীশিংনি।

'শগোল তোংবা পাখং অদুবু কনানো' খুদম ওইনা, ৱাহং অসিনা পীরিবা ৱাখলশিং পাক চাউই, ঙকহল্লি, লাঙতক্লহল্লি অপাবশিংদা। লৈবাক ৱায়েলগী লুরবা মথৌ অমা পাঙথোক্লবা শগোল থৌরিবা পাখং অমা, লতাসনাবু উখি, লাঙতক্লখি, অদুবু মথৌ মশক খঙঙী। খ্বাইরাকপম চাউবগী অঙকপা ইদিয়মনি। লবঙ্গগী শক্তম অনী থোক্লে - থবক চত্তবা য়াদে, অদুবু অপাম্বনা ঙাইখো হায়। সমালোচকনা অনীথোক্লা চিংখাইবা ইমেজ অসি ফজনা মনুং হুৎনা শীংথাই। (লা. ৪৩) লবঙ্গগী থম্মোয়দা লৈরিবা মুক্লবা (conflict/mutation) খঙহল্লিবা মগুণ মীনকেতননা ফজনা শীংথারিবা ফজবা ৱাতেন্নি।

মীওইবগী নেচব ফজনা সমালোচক অসিনা খঙই। খুদম - লবঙ্গ অমসুং লতাগী প্রেম অহানবা উনবমক্তদা পোকখিবনি (love at first sight); অসিগুম্বা প্রেম য়াম্না অশেংবনি (spontaneous)। অদুবু মসিমসু খঙঙী, অমদনা তমথীরবা লানফম, অমদনা নীংথিববা লৈকোল, হেক হৌবদগী অনীগী কনফ্লিক্ট ফজনা মীনকেতন্না খঙঙী।

য়াইস্কুল লাকপা শনোংবগী চরিত্রদা থৌনা শাগোন্ননা পোকপা, থৌনা শাগোন্ননা হিংবা, থৌনা শাগোন্ননা শিবা, সমালোচকনা উবা ফংই। লানবদি খ্বাইরাকপনি। ইথিকেল পোইন্টকীদি শনোংবনা লান্দে। মসি ফাওবা ফনা ফজনা সমালোচক্না উশিনবা ঙম্মী।

ইন্দিয়ান পোইটিক্সকী রস ৯, অকিবা অমসুং তুজুংবা অনী নত্তনা অতৈদি লাইরিকসিগী লামায়দা তুংদুনা লৈ হায়বদা লান্নীংঙাই লৈতে হায়বা সমালোচককী মোৎ অসি য়াম্না মনুং হুঞ্জিল্লি (discerning)। মসি মৈতৈ সাহিত্য জগৎ নুংগী নীংথিজরবা উমং অমনি মসিগী মনুংদা চঙখ্রবা ভাবোকনা খঙহন হন্দোকপা ৱাই। অমরোমদা তুমা কায়রবী ঙানুথঙ্গোং লতাসনানা নুংশি নুঙ্ঙোন তুফক্লনা কায়নবগী লানঙমদ্রবা তোর্বান চাংজৌদা তাদুনা লৈরি। ওঝা মীনকেতননা উবা ঙম্মী - রস, ধ্বনি ওবজেক্টিভ কোরিলেটিভ (objective correlative) উৎহনবা ঙম্বগী তীক-খল মগুণ অইবনা মপুং ফানা লৈ হায়বা ৱাতেম পীবি। বসকী ঈংলবা মঙান্না লাইবিক অসিবু ঙালহল্লি, থাজগী মায়থোংদা মাযহিং শবা কারবসু। লবঙ্গ-লতা লাইবিক সাহিত্যগী অবাংবা থাক্তা চনগনি হাযবা ফজববা আলোচনানা লোইশিল্লি।

বাজকুমাব শীতলজিৎ(১৯১৩)কী উপন্যাস ৪ খকনি (১) *থাদোকপা*(১৯৪২), (২) *ইমা*(১৯৪৭), (৩) *বোহিনী*(১৯৪৮) অমসুং (৪) *নুংশি বাখৈবা*(১৯৫১)। *মৈতৈ-উপন্যাস* মিংথোনবা লাইবিক অসিদা অহানবগী ৩ অসি নৈনবি।

লক্ষ্মণ সনানা অপোকপা, বামলাল পালগী মচানুপী কামিনীনা অপোকপীনি। জোনস্টোন স্কুলদগী ইং ১৯৩২ দা কলিকতা বিশ্ববিদ্যালযগী প্রবেশিকা পাস তৌই, ইং ১৯৩৭ দা কলিকতা বিশ্ববিদ্যালযগী বি এ ওর্নস পবীক্ষা পাস তৌখি। *ললিত মঞ্জবী*, *তরুন মণিপুব*গী সম্পাদক ওইখি, *মণিপুব মতম* কৌবা লন্নাই চে ফোঙখি। বামলাল পাল, জোনস্টোন স্কুলদা ওঝা ওইখি।

কবি, উপন্যাসকাব, ব্রাবীমচা ইবা, অনুবাদকনি, হৌজিক ফাওবসু ইবা লেপত্রি। সাহিত্য, মক ওইনা বৈষ্ণবকী মিৎযেংদগী ইবকপা উপন্যাসশিং, জর্নেলিজম অসিনচিংবা বিষযশিংগী লমযানবশিংগী মবক্তা অমনি।

থাদোকপা উপন্যাসকী মবমদা মীনকেতননা হায, মসি কর্ম্ম গীতানি, কর্ম্মগী অচুম্বা লম্বী তাকপনা মহাক্কী উদ্দেশ্যনি। নাযক ওইবিবা সদানন্দগী বাহৈদা নুংঙাইবা পামলবদি থবায হকচাং পূক্লিং জগৎকী মফমদা মমল যাওদনা কখোকউ দেস্থাকউ, মদুতদা লেঙদবা নুংঙাইবগী মপু ওইগনি। ভগবত গীতাগী মঙাল উপন্যাস অসিদা তাবি।

লোল চমনা নুই, লাযনা মঙাল সুই। খুৎমাবা অইবশিংগা লোলওংদগী তোপ তোপনা (unique) ওই। অতৈ লময়ানবশিংগী খোর্জেইদদি সংস্কৃত য়া লাকয়া য়াওই। শীতলজিৎকী খুৎইদা লোলশিং মসি সুবচৎ চঙদে য়া। বদি নাত্তু [illegible] বাহৈ অযাম্বা মৈত্রবাক্কী ঈশিং নুংশিংশক্ক পুনা। [illegible] জববা ঙাক্ত ওইনা ওই। মসি মীনকেতনগী যাম্না লুথনা খঙলবা মোৎনি। দর্শনগী মঙাল শক পান্দুনা সদানন্দ পুথোকপনী। অচৌবা ধর্ম্মগীদমক সদানন্দ মুখবানা মশাগী নুংঙাইবা থাদোকখি। ভগবাননা অর্জ্জুনদা তাকপীখিঃ ধর্ম্ম পূন্নমক থাদোক্লুনা ঐদবু নীংউ, ঐহাক্না নঙগী পাপ পূন্নমক কোকপীগনি। অসিগুম্বা দর্শনগী উদ্দেশ্যনা সদানন্দনা মশাগী পূন্নমক থাদোকখি।

মীনকেতননা লোইশিনবদা হাযবি

অফবা লাইবিক কদাইবু নৌই? মীওইবদা অমম অঙাল মশক তাকপা লাইবিকপু অফবা লাইবিক কৌই। *থাদোকপা* অনৌবা মৈতৈ সাহিত্যগী যাওনদা অসিগুম্বা জ্ঞানগী মঙাল পীবা লাইবিক্নি। স্বামী বিবেকানন্দনা বঙ্গ জগৎতা ভগবত গীতানা উর্থলবা খোঙফম অহুম কর্ম্মযোগ জ্ঞানযোগ ভক্তিযোগ ইথোক্লুনা যাইফবব উৎপীবম্বগুম শীতলজিৎনা মৈতৈ জগত্তা কর্ম্মযোগগী মৈবা চুখৎতুনা জ্ঞানগী মৈবা

চুখৎপীবে হাযবা মীনকেতনগী মোৎ অচুম্বনি। মহাক্কী 'থাদোকপা' সাহিত্যগী অবাংবা থাক্তা চন্দুনতা লৈগনি। মহাক্কী অশোযবা খবা লৈববসু থাজনা মাইহিং থাংলবসু ফজবগুম উপন্যাস অসি ফঙ্গদুনতা লৈগনি

ইমা (১৯৪৭)

শীতলজিৎকী অহানবা উপন্যাস *থাদোকপাদা* *শ্রীমদ্ভাগবত গীতাগী* কর্ম্মযোগগী পুক্সি উৎপশুম অনীশুবা লাইরিক অসিদসু শ্রীমদ্ভাগবতকী মকুওইবা বস অমনা লমজীংদুনা পুবি। বনজিৎ কৌবা নিপা অমবু ... পা কচবী মমা থম্বাল অমসুং মমা ওইনা যোকচবী ... অনীনা ... ইমাগী প্রেমগী ... চনদা ... দুনা উৎপনি। সমালোচকনা হাযবি -

> জগৎ কোন্নবা পোকপী নুপীনা। মহাক্কা মমা ওইবা থম্মোই, তালোয ওইবা থম্মোই, থম্মোই মওং খুদিংদা মমা ওইবদুনা মপুংনি হাযনা উৎলি। শ্রীমদ্ভাগবতনা পীবিবা মচা ওইনা নীংবা মবপ ওইনা মপাই ওইনা মপুবোইবা ওইনা নীংবা মীনুংশি মযামগী মনুংদা মমা ওইনা নাংবি যশোদাগী মমা ওইবগী মনুংশি 'ইমা' উপন্যাসসিদা উৎপনি।

লোল, ইবাই লাযনা ইমম চম্না ফজে না পু না খবা অশোযবা যাওববসু, থবাযগী নাশোন্দ ফাওই। উপন্যাস অসিগী মি গী মবম চাই। মমা ওইবী অমনা মচা ওইবা অমগী মফমদা থাংবা খোঙফম লীবা লাইরিকপু *ইমা* মিংথোনবদা চুনৈ।

লাইবিক অসিগী প্লোট তা সসপেন্স লাঙ্ককবা কবি থোকখবা, থোক্লক্কদগে হাযবগী খুৎলী খজনা যাওবা অহানবা হৌবকপদা মেঘচন্দ্র অমসুং বাবানা বনজিৎপু লম্বেলদা তাবম্বদগী খুল্লকপা থৌদোক্তগী কবি থোক্লক্কদগে হাযবগী সসপেন্স না চিংদুনা পুই। মসিগী মথংদা থোক্লকপা কান্সকুএন্স কথা লৈবি। নাবীগী থৌদোকশিংদা অবা অনা অঙকপা পুন্নমন্বী থাক্তা মপু ওইনা নক্লিবা মঙালদি, মচা নু শিবা নীক নীব লাউবা ঈটেল, পাকপদা মপান নাইদ্রবা, ... ঈবেপ ফাদ্রবী মমাগী শক্তম উপন্যাস অসিগী শিংথিবদা কলাং।

নুপী জগৎ পাকপী প্রবৃত্তিগী শাযোম্নি। ... খোঙফমনববসু মহাক ... শক্লিবা বহশা, অথুপ্পা লেঙলবা মবোল উপন্যাস *ইমাদা* পানগী জগৎকী মনু দা খুপানবা ...গী জগৎ অমসুং মণ্ডাল উৎপনি।

বোহিনী (১৯৪৮)

উপন্যাস অসিদা শীতলজিৎনা মহাক্কী ইমা ... খবা মমা ওইবিনা মচান শিবা নাংসলা প্রেমগী ... উৎ ... নীপা অমবু নু শিবা অমসু

মৌপ্পা অদুগীদমক্তা পুক্সি চূপ্পদা অবাবা কযা খাঙদুনা লেনখিবগী ৱাবী উৎলি। মচেম বোহিনী, মৌপ্পা মোহন আসামগী চা বাগান অমদা নৌনা মমা মপা কাযনবা নোংদম পুক্সি খোঙফমদা, লৈশাবিবী মচেম্না মণিপুরদা মশাগী ওইবা পূম্নমক থাদোক্তুনা মৌপ্পাবু মী ওইনবা হোৎনবকপগী লানফম উৎলি।

মপা মমাগী হৌফম থিবকপা, মপাগী মব্দপ চাউস্নাগী মফমদা মমায খুখি, পূকচেল চাউবা গোপাল অমসুং মাগী নুপী ইবেমহল মচা মশূ যাওদনা লৈবনি। মখোয অনীনা মচীন মৌপ্পাবু ফংবদা অহানবদা যাম্না নুংঙাইখি। অদুবু, লৈকাইগী মীশিংনা গোপাল অমসুং বোহিনী নত্তবা মবী লৈনবে হায়ক্তিনবীবদগী বোহিনী গোপালগী মযুম থাদোক্তুনা চূডাচান্দপুরদা চীংমী অমগী ইমুংদা লৈখি। মমৈথংদা মোহন লাইবিক তম্বা লোইববদা গোপাল অমসুং ইবেমহনবু পুদুনা চূডাচান্দপুরদা মতম খবা পোত্থাবক্নবগী লাকই। বোহিনী মাগী মব্দপ থোৎনুগা ইম্ফাল চৎননবা ঙাইবম্বদগী মোহনখোযনা গাড়ীদগী কুমথবকপদু উখি। মচীন মৌপ্পা অনীমক উনবদা মচীন্দদি হাযদোক্লবা ঙমদনা ৱাষ্থখি। কাইনথংদা মখোয অনী কাযনক্লবগী নুংঙাইতবা পূম্নমক কোক্লখি।

অসিগুম্বা বাবীদা মেলোড্রামাটিক ওইবক্তুনা সেন্টিমেন্টেল অমসুং পেসনেট ওইবগী লমযৌবী (pasionate crescendo) যাম্না যাওগল্লি। অদুবু শীতলজিৎনা উপন্যাস অসিদা অসিগুম্বা কা হেনবসি যাওহন্দনা নেবেটিভ অমসুং সেন্টিমেন্টবু নীংথিনা শেমদুনা অফবা কলা অমদা পুথোকপা ঙম্মী। কবিগুম্বদা মাগী নেবেটিভ খুৎলায (tool) দা সাইকিক (psychic) ওইবা পোৎশক যাওহনবসু উই। চরিত্রশিংদা খুৎলায অসিনা মখোযগী নুংগী ইমেজ উৎহনবা ঙম্মী।

সমালোচকনা বোহিনীদা যাওবিবা মৌপ্পাবু নুংশিবগী মগুণদি মমা অমনা মচাদা নুংশিবগা পাংখক্লি হাযবি। গুণ অসি নুংদগীনি, পানদগী নত্তে। ৱাকনা বাহোং শাবা নত্তে, মনানা হৈমাং শাবা যাদবগুম। মবমচৎ লৈবী বোহিনীদা মমা অমগী থম্মোয লৈ।

গোপালদা খোর্জেনা অশোনবা পৃংফম অমত্তা পীদে, মঙোন্দা লাইবিক্তা নত্তনা লাইশু খঙবগী শক্তম অমা হাপ্পী। মৈত্রবাক অমদি জগত্তা নুপী শাগৈগী অবেপ্পা শকফম পুথোক্তুনা মখোযগী মফমদা ইকাইখুম্নবা খোঙফম থাঙ্গদবনি হাযবা উৎননবগীদমক *বোহিনী* ইবনি। অবিবা মৈতৈ সাহিত্যদা খম্বা থম্বৈ না অদুগা বঙ্গ সাহিত্যদা *লোহাব বাঁধন* অমদি *মিল মন্দিব* না ওইবগুম অনৌবা মৈতৈ সাহিত্যদা *বোহিনী* না ওইবি। উপন্যাস অসি অৱাংবা সাহিত্যগী থাক্তা চন্নীঙঙাই লৈতে হাযবা বাহৈশিংসিনা লোইশিল্লি। □

রেফরেন্স অমসুং বিব্লিওগ্রাফি ঃ

১। নৈনবিবা উপন্যাসশিং

২। *মৈতৈ-উপন্যাস* মীনকেতন ঃ অচোম ইবোবী সিংহ ১৯৫০, ইম্ফাল

৩। *L Kamal Singh* (MIL), Sahitya Akademi, New Delhi, 2000, L Damodar

৪। *Souvenir Dr Kamal Centenary Celebration* 1996, Dr Kamal Singh & His works in by L Damodar Singh (Ed) Dr N Tombi Singh, Imphal

৫। ঐতিহাসিক উপন্যাস অমা ওইনা লবঙ্গ লতা, লৈমপোকপম দামোদর, *সাহিত্য*, মে-আগষ্ট, ১৯৯৫, ইম্ফাল

৬। *কুনশুবা চহীচাগী মণিপুরী উপন্যাস নৈনবা*, দাঃ এন অরুনা দেবী, ১৯৯১, ইম্ফাল

৭। *Judgement In Literature*, W Basil Worsfold 1968 Lyall Book Dept, Lundhiana

৮। *History of Bengali Literature* Dr Sukumar Sen, Sahitya Academi, New Delhi, 1960

৯। *History of Modern Bengali Literature* Prof Asit Bandhopadhyay, 1986, Modern Book Agency Pvt Ltd Culcutta

১০। *কপালকুণ্ডলানুবাদ*, মুতুম কোইবেং, শগোলবন্দ, ইম্ফাল

অশাংবম মীনকেতনগী ৱারেং

ডা. সগোলসেম লনচেনবা মীতৈ

মণিপুরী সাহিত্যগী তাইবঙদা মশাগী ওইবা তোপ-তোপ্পা মফম অমা কল্লিবা অইবশিংগী মনুংদা 'অশাংবম মীনকেতন' (১৯০৬-১৯৯৫ ইং) সু অমনি। মহাক্না সাহিত্যগী তোঙান তোঙানবা মখলশিংদা মায় পাক্না খূৎ থারম্মী। মহাক্তি মপূংদা কবিনি। সাহিত্যকারদা নত্তনা পণ্ডিৎসুনি। মহাক্কী অসিগুম্বা তোপ-তোপ্পা মতীক ময়াই অসিবু শীংথারদুনা এলাংবম নীলকান্তনা হায় -

"অৱাং ভারত কোয়রুরবা, ন্যায় বেদান্ত নৈনরক্লবা, মীনকেতনদি কোয়বগী মতীক উরে। নৈনবগী মতীক খঙলে। উবগী মতীক খল্লে। অমসুং খনবগী মতীক ওল্লে। মীনকেতন অনী অহুম শুরে। য়ামদ্রবদা মীনকেতন অনী শুরে। 'বসন্ত শৈরেং', 'সীতা বনবাস' কী মীনকেতন। ৱারবা পুন্সি ঈপাক্তা কবিতা ঈহৌরক্লিবা মীনকেতন। অতোপ্পা অমনা 'তোনু-লাইজিংলেম্বী', 'ঙাঙ্গোয় পরেং' গী মীনকেতন। অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী অরিবা মৈতৈরোলগী প্রতিনিধিগী শকফম। অহানবগী অসিদি লৈখিদ্রে, ওনখ্রে। ইঙেক্লেগী পুন্সি ওইখ্রে। অকোনবগী শকফমগী মরমদা খরদং হায়জগে। কবি মীনকেতন, সাহিত্যিক মীনকেতন, পণ্ডিৎ মীনকেতন; অহুমসিগী মনুংদা কনাগুম্বনা খল্লি - কবি মীনকেতন। খন্নীংঙাইনি অদুবু য়েৎচরোই। অহুম্মক লৌবসু থোইনা অকায়বা লৈতে। অদুদা ঐহাক্না য়াম্নমক হেক পামজবদি পণ্ডিৎ মীনকেতন। চপ চানা হায়জরবদি পণ্ডিৎ সাহিত্যিক মীনকেতন।"

(*এলাংবম নীলকান্তঃ অচাইবা লৈ*, লা. ৩০, অনীশুবা ফোঙবা, জুলাই ১৯৯৪ ইং)

অদুবু মীনকেতন মশানদি বৈষ্ণব ওইবগী হৌনবা মশাবু অসুক্কী মতীক তোঙ্গরদুনা নোল্লুক্না হায়জৈ —

"*কবি, নচ্চদে ঐহাক- নচ্চদে ঐদি সাহিত্যিক। কাবাগী নীংথিবা রস, সাহিতাগী ফজবা ভাব শকখঙনজদে - পুথোক্তুনা সভাগী থৌগল তৌবা ঙমজরোয়।*" (সম্পা: নীলকান্ত অমসুং বিহারী - *সাহিত্য*, লা. ১ মশীং ৩ শুবা ১৯৬৪)

অসিগুম্বা অইবা অসিগী বাবেং শাহিত্য অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যদা তোপ-তোপ তাদুনা লৈ। মবমদি মহাক বাবেং ফজনা ইবা হৈ। শৈরেংগী শৈহেক শৈদা যাওনা ইবা মহাক্কী বাবেংগী সক্লোন্না ঙসি ফাওবদা মশাগী বাবেং সাহিত্যগী মশক অমা আধুনিক মণিপুরী সাহিত্যদা মায পাক্না কন্দুনা থম্বা ঙম্মী। মীনকেতনগী বাবেং সাহিত্যসিগী মশকসি মখল মবি থোক্না খাযদোক্লগা নৈনবা যাই মদুদি

(১) বারী নাইবা বাবেং, (২) নৈন বাবেং, (৩) পুন্সি বারী, (৪) অচোইবা বাবেং

১) বারী নাইবা বাবেং ঃ

বাবেং মখলসিগী মনুংদা *ঙাঙ্গোয পবেং* (১৯৪৯), *ভাবত চনু* (লাবোল ১ ৪, ফেগুবা ১৯৫২), *বামাযণগী বাবী খবা* (১৯৪৯) *মৈতৈ লাঈবোল* (১৯৫১) হাযবা লাইবিক মবিসি চনবা যাই।

ঙাঙ্গোয পবেং কৌবা লাইবিক অসিদি বাংলা লোলনা ফম্মেন ফাম্লিবা মতমদুগী (১৯৪৯) মণিপুরী খুন্নাইদা মীতৈলোলগী ফজবা উৎতুনা মণিপুরী খুন্নাইবু নৌনা মীৎকপ থাকহনখিবা লাইবিরি। অসুম্না অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যদা 'ঙাঙ্গোয পবেং শিবা লোল' হাযবা মণিপুরী সাহিত্যগী তোপ তোপ্পা লোন্দা অমগী ঈহৌ অইবসি মথম্ভনা শাগৎখিবনি। চহি ওম্বা খুৎইসিদা অবিবা মীতৈলোলবু লূনা নান্না শেংদোক চামথোক্লগা সাহিত্যগী ফজববা লোল অমা অতোপ্পা লোলযান যাওদনা ইবনি। খ্বাইনাকপম চাউবনা নোংমা থম্মোয শাক্লা তংথাখিব *লাযববনী ঈবোন্নি/ খঙদবনা হাযবনি/ মীতৈ কবি লাকখিনি*' হাযবদুগী বাহম্থোক চপ চানা লৈহনবনি। মীতৈলোলবু অবাংবা পাক্কী নীংথিববা চপ চাবা সাহিত্যগী লাল ওইনা কবিনা শীর্জন্নাবগী বাহল তাশেংনা শাকখিবদি ১৯৩০ ইংদা অইবসিনা মণিপুর ইন্সটিট্যুসন (সী সী হাযব সেকেন্দবী স্কুল) দা ওজা ওইবিঙেদা মণিপুরী লোলগী ওইবা নিবন্ধ' অমগী কোইসন অমা শেম্লুগে তৌবদগীনি। বাযমসিবু মযেক শেংনা পল্লদুনা মহাক্না হায

লাক্লে পবীক্ষা মতম। লোম্লে কুযেসন পীবগী মতম কুযেসন্সু যাম্মি সেমগদবা। মতম থক্লবা নুমিৎ অদুগী নুমিদাংমক্তদনি। কুযেসন অমা পাযখৎলি। চৎপসু জব জব অদুম মচৎলি। নিবন্ধগী মতাংদা 'নবৈকাইগী নৎত্রে নখুনগংগী মবমদা বচনা অমা ইসি' ইগে তৌবদা ঐগী কলম থক পল্লি তাবগুম তৌখি নুংদা "পোক্লভম নবৈকাই শকখঙদবা মশক কৌবা সুকখঙ খঙদবা নংনা বাহং অসি হংভম থোকপবা, খঙ্গনি, যেংগনি কবম 'নুংবংনখি থম্মোই, ওইখি ঐঙোন্দা অবাবা অচৌবা অমা, হোনখি খঙহৌদে অবাবা সোব অমা ফমখি তুমিন ফনা কুইনা থল্লে কলম চঙলে ফম্মুং কপ্পীংবোই লাউনিংবোই।

মসি বিধাতাগী শাপ অমনি। অদুবু, শাপ শাপঙাক নৎলমদ্রে, ববগী মশক লৌবসু লৌবকপসু মযাওই। মসিসু মমৈথংদা ববগী মশক লৌবকখি। শক্লে, শকপা ঙমখি নোংমা কাংচুপ চীংগী নাপোমদা ফম মীৎকী পিনা খৈ

নুংশিদা ইমা কংলৈপূং
পলেম ঐগী অপোকপী
চীংদা যেংউই মনুংশি
তমদা যেংউই মনুংশি
নত্তু তুবুম খূদিংদা
তাজেনে থব্লায অপোকপি।'

(*পুনশিগী শক্তম* লাবোল ১ লা ১৭-১৮, ফোঙবা ১৯৮০ ইং)

অসিগুম্বা মমালৈবাক অমসুং মমালোল নুংশিবগী ইহুলসিনা মপাল শাৎ মহৈ যাল্লকপদগী ১৯৪৯ ইংগী জনুযাবী তাং ১২ গী থাবলনা ইপোম্নববা অহীং নোংযাইদা খোবকখি অমুকসু মাগী মমিং চৎলবা শৈবেং "নোংগূম্লকখোদা"।

(*পুনশিগী শক্তম* লাবোল ২, লা ১৪২, ফোঙবা ১৯৮৩ ইং)

মসিগী মতুং তাবকপদি চহীসিমক্কী ওক্টোবব থাগী তাং ১০ দা ইবকই অনৌবা যাওল পুবা মাগী বাবেং লাইবিক *ঙাঙ্গোয পবেং*। লাইবিক ইননবা হোৎনবদা মহাক্লা অবধী, সংস্কৃত মৈথিলী অমসুং বাংলানচিংবা লোল কযানা পাম্বৈ ওইবগা ইননবা হোৎনকব্বু থম্মোযনুংদা ফাওবিবা ইথিলদু মপূং ফানা ফোঙদোকপা ঙম্লক্তবদগী মীতৈলোলদা ইববতদা নে ৩াবগী নুংঙাইবা ফোঙদোক্লুনা অসুম্না হায

শৈহেক অমা ফাওবক্লে থম্মোই মানা পেন্না হেকচবে,
ঐ শৈদা শেশক শৈবোল পাল্লে থম্মোই মানা পেঞ্জবে।

খোল্লাল অমা ওইবমদবে, শৈবেং অমা নৎলমদবে
মৈতৈবোন্নি ইমাবোল, মৈতৈ ঐগী নুংশিবী ইবোল,

(*ঙাঙ্গোয পবেং* ব্লাহৌদোক ফোঙবা ১৯৪৯ ইং)

লাইবিকসিদা পুনম চী', অন্দ্রোগী মৈ, পোৎশংবম খোংনাং', 'ঙাঙোম ফূবা' অমসুং 'খোংনাং হোগাযবী' হাযনা মিংথোনবা ব্লাবেং মঙা যাওই। লোইশিল্লকপদা 'মবোল' হাযনা থাবা পন্দুপ অমা যাওবি। মসিদা বাবীশিংসিদা শীজিন্নবা অবিবা মীতৈলোল অমসুং লোলশেম কযাগী মীতৈলোল অচম্বা (অবাযবা) দা পীদুনা অপাবশিংদা লাযনা খঙহন্নবা হোৎনৈ। বাবী মঙামক ইতিহাসকী গোঁদোক্কা শাগোন্নবা ব্লাবীদা যুম্ফম ওইবনি। ইতিহাসকী ওইবা লৌবিবা পোৎথতি ব্লাবীগী মযাঙ অদুতনি। অতৈদি অইবগী কল্পনাগী লৈথেৎ হাপ্লনি।

খুদম ওইনা 'পুনম চীং' হায়বসি কংলৈ নিংথৌগী মচা য়াংহনবা অমসুং য়াংখুবগী ৱারীনি। ৱারীসিদা কংলাগী মমাঙদা হৌবা 'ফৌরুবা' কৌবা উ অৱাংবা অমগী মতোন্দা মহুম শাবা কাকয়েল কৌবা উচেক্কী মরুম অদু য়াংহনবনা মনাউ য়াংখুবদা লৌথনবা হোৎনহল্লুবদগী থোকখিবা থৌদোক্কী ৱারীনি। য়াংহনবগী মচানা মাগী মমা পোকপা মপু ইথাই কায়রেম্বা হাৎখিবা পুনমচীংগী চীংখোঙদা চেনবা তুরেলগী ৱারীনা পোল্লোই ওইবনি। তুরেল মশানা অইবগী মহুৎ শিন্না লীবনি। অসুন্না 'অন্দ্রোগী মৈ'দা নোংমাইজিং চীংদা তাবা অন্দ্রো খুলগী 'অন্দ্রোগী মৈ' হায়না খঙনবা মৈফমসিগী মরু ওইবা অমদি মসিগী চপ চাবা মশক তাকপনি। পোইরৈতোন খুম্ভোক্কা মরী লৈবা ৱারীসিদা মীতৈগী ইপানাৎ ইপুনাৎকী মশক তাক্লনবা অইবনা হোৎনবনি। 'পোৎশংবম খোংনাং' চেংলৈ শাগৈগা শাগোননবা ৱারীদা য়ূম্ফম ওইবনি। চীংজেং নারল পাঙ্গনবগী ৱারীনি। 'ঙাঙোম ফূরা' কৌবসিদনা মীতৈ নিংথৌ কিয়াম্বদা পোং নিংথৌ কিখোম্বনা পিথ্রাইনা শাবা মূর্ত্তি অমা খূদোল তম্লকপা অমসুং মদুবু বিষ্ণুনি হায়না লম্মাংদোংদা ফূরা শাদুনা লাৎখিবগী ৱারীদা য়ূম্ফম ওইবনি। ফূরাসি হৌজিক্তি ঙাঙোম শাগৈনা শেন্নহৌবদগী ঙাঙোম ফূরা কৌখিবতনি। 'খোংনাং হোগায়বী' কৌবা ৱারেংসিদদি নম্বুল তুরেল মপান্দা হৌবা খোংনাং অমদা মীতৈ নিংথৌ চরাইরোংবনা পোত্থারিঙৈ নোংথক্কী তেন (বজ্র) না পান্দুনা শিখিবগী ৱারীনি। ৱারী মঙামকসিগী মনুংদা অইবনা মাগী নুংদা থূপতুনা লৈরিবা মরৈবাক মরমদম্বু নুংশিজবা অমসুং য়েংবগী পেনবা নাইদবা মতৌদুদি অদুম্মক কদায়দনো অমা নৎত্রগা অমদা ফোঙদোরকপা থেংনৈ। খুদম ওইনা 'পোৎশংবম খোংনাং'দা চীংজেং নারল পাঙ্গনবগী খোয়রী লীঙ্গাংনা ওনবা খোংনাংগী মরমদা অসুন্না থারকই -

"খোংনাং অসে হৌজিকশু লৈ। মাবু পোৎশংবম খোংনাং কোলোয়নৈ। মাগী মনা লৈয়েং লীশীংনা খোন্নাইদবা মরোন্না শোঞ্জে পামেল মাগী পাইমনুং।

হল্লক্লে ইমা নচা ঐ
পলেম নঙ্গী তম্পাক তম!
ৱারুরেদকো নচা ঐ
ফংলরোইদ্রা নঙ্গী তম।"

(*ঙাঙ্গোয় পরেং*, লা. ৫৩, ফোঙ ১৯৫২ ইং অনীশুবা খুৎনম)

*ঙাঙ্গোয় পরেং*গী লোন্দা অমসুং খুফোঙদোক নীংথিজৈ। শৈরেংগী শৈহেক শাদা চেনবতা নৎতনা মরক মরক্তা অরায় অখুম তৌনদুনা ৱারী শানবগী লোন্দা ফাওবা শীজিন্নদুনা অপাবশিংগী মীৎমাঙদা থৌদোকশিংদু শংশং উহন্নবা অইবনা হোৎনৈ। ৱারীগী মতাং মতাংদা অইবনা মশা চোংথোক্তুনা মশাগী ৱাখল্লোন ফোঙদোকপসু থেংনৈ।

ভরত চনু (লারোন ১-৪, ফোঙবা ১৯৫২ ইং) হায়বা লাইরিক অসিদি পৌরাণিক অমসুং ঐতিহাসিক ওইবা ভারতকী নুপীশিংগী ফিদম্নফম ওইবা চরিত্রশিং খনগৎলগা ইবা লাইরিক্নি। হৌগৎলক্লিবী নুপীশিংগীদমক খল্লগা অরায়বা লোন্দা ইবা ৱারী নাইবা ৱারেংগী লাইরিকসি অঙাংগী সাহিত্যগী মনুং চন্না নৈনবা য়াই। অদুবু অইবগী থম্মোয়দা ৱারী লীনা লীনা ভাবুক ওইরকপা মীৎকুপ্তদি কবি ওইবগী হৌনশা অদুম্মক শৈরেং মথোরকই। 'দময়ন্তী' কৌবা ৱারীদা দময়ন্তীনা মপুরোইবা নলবু থিবা ফংলক্তবা অসুম্না শৈথারকই -

"মপুরোইববু তরাই তরাই ফঙনি হায়বা উদ্রে সতী। মথম্মোইগী মপাওখোন্না মথৱায় ওইবা মহাকপু থিরগে নীংলে। পাউতপ্লক্লে শৈরেং সা অচৎপা মীপূম থীৎন ৱারবা থম্মোয়গী মপাউখোল। শক্লক্লে লৈবাক খূদিং, কোনুং খূদিং, কৈথেন খূদিং, মীতিনফম খূদিং বিদর্ভগী দূতশিং

কৈদা চাক্তরি নুংশিবা চেক্লা,
চরৈ তম্খাই চেন পাইখিবা থৱায়
হল্লক্লোগবা নুজাগী ইফম
মুৎলরোগবা থম্মোইগী মৈচাক!
(*ভারত চনু*, লারোল মরিশুবা - লা. ১৩, ফোঙবা ১৯৫২ ইং)

ৱামায়ণগী ৱারী খরা (১৯৫২ ইং) কৌবা লাইরিক্তনা রামচন্দ্রগী ফিদমনীংঙাই ওইবা লমচৎ য়েকপা ৱারীশিংগীনি। *মৈতৈ লাইরোল* '১৯৫১ ইং) কৌবা অপীকপা লাইরিকসি লৈশেম নোংশেমলোন অমদি নমু পোংশেমলোনগা মরী লৈনবা তোঙান - তোঙানবা ৱারেং ১৬ কী, লাইরিক্নি : পীকচরবসু অহকপা লাইরিক্নি। লাইবিকসি করিগী ইরিবনো হায়বগী মতাংদা অইবনা অসুম্না হায় -

"মালেম-মৈহৌরোল-ইবশিংনা ঐখোয়গী ইশক-ইচু মুন্না খঙফম থোক্তবনা খঙদবদগী ঐখোয়বু পাখোঙ-পুখোঙ-শেংদবা মীগী পক্সেদা থমদুনা ঐখোয়গী মিং পুয়া-লাপান চনবিবনা চোপ্নরিবসীদা নত্তনা ঐখোয় ইশানা ইশাবু খঙজদবা, অমদি থঙ্গৈ হায়না তাল্লুদবদগী ইমান্নবা মীরক তিল্লকপদা তত্তনা মায়খুনরিবসী খরদং কোক্লনীংঙাই; ওইগদ্রা, অদুগা অমনা, পারী-পুরী থিনীংবা কনা কনাগুম্বশিংগী মতেং খরদং ওইনগদ্রা; অমুকসু অমনা, লৈখা তারবা লোনগী শৌগৎননীঙঙাই মতেক অমসু ওইনবা য়াগদ্রা নীঙঙুবদগী ... ... লাইরিক অসী ইজবনি।"

(*মৈতৈ লাঈরোল*, করিগী ই, ফোঙবা ১৯৫১ ইং)

লাইরিকসিদা মীতৈশিংনা থাজনবা মালেম লৈশেমলকপদা হৌবা অমসুং লোইবা নাইখিবা লমদমদি ঙসি ঐখোয়না মণিপুর হায়না খঙনরিবা লমদমসিনি হায়বদুগী মমি

তাবা থেংনৈ। পৃথিবীগী মনুংদা কংলানা খ্বাইদগী অহানবা কোনুংনি অমদি মসিদা ইবুধৌ পাখংবনা ফম্বাল লাংখি হায়বগী অচেৎপা থাজবসি অইবসিদসু লৈ। মবম অদুনা মহাক্না হায় -

"মচীল মনাও অনীনা মফম ফংজবদুনা কোনুং সেম্লে, মমিংনা কংলা থোক্লে। 'ব সনামহীগা' 'ম পাখংবগা মচীন মনাও অনীনা গুরুদগী লা ফংজবা লমনি কংলা পায়না খঙনখি।

কংদানা - "লৈগী কে ০ - ফম অহানবনি।" (মতৈ লাইঈবোল, লা ২৮)

লৈবিক শিদনি অইবনা - ম মা ... কে মংকেকে মংতক হাপ তুনা বাবেংদুগী মকে শেম্নসদুদগী অশৃম হেনাজনা খন্না শৈবেং ঙাক্তা ওইনা ইবা হীবম ফাওবা যাওশিল্লকই। "মাযগৈ কবম লেপখি" হায়বা হীবং সিমদি অইবনা শৈবেং ওইনা ইবনি।

পুন্সি বারী ঃ

অশাংবম মীনকেতন্না ইবা বাবেংশিংগী মনুংদা *শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যদেব* (১৯৮৬ ইং), *পুনশিগী শক্তম* (লাবোল অমা, ১৯৮০ ইং) অমসুং *পুনশিগী শক্তম* (লাবোল অনী, ১৯৮৩ ইং) কৌবা লাইরিকশিং অসি লৌখৎপা যাই। *শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যদেব* পন্দুপ ১৮ না শাবা পীক্তকপা বাবেংগী লাইবিক্লি। চৈতন্যমহাপ্রভুগী পুন্সি বাবীনা যুম্ফম ওইবগা মবক-মবক্তা তোঙান তোঙানবা শাস্ত্র কথাদগী গ্রোক বযানা পাম্থ ওই, গৌড়ীয় সম্প্রদায়গী ওইবা বৈষ্ণব বিধাবধাবাবু শৌপা-তুনা ইবা। বাবীবদি শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যদেবগী হায়ডবতনি অদুগা উৎলিবদি গৌড়ীয় বেহএবকী ফজবা অমসুং অবাংবা দর্শন্দুনি। অদুবু শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যদেবগী পুন্সি বাবীগা শাগোন্নবা থৌদোবশিং অমদি মমা শচীগী বাৎসল্য প্রেম অমসুং বিষ্ণুপ্রিয়াগী মধুরপ্রেমগী থজববা মশকনা যাসু কাউওমদনা শৈথানি। খুদম ওইনা নিমাই সন্যাসকী মতাংদা অসুম্না ইবি

'শচীগী বাৎসল্য প্রেম বিষ্ণুপ্রিয়াগী মধুরপ্রেম ... পুনা নামবা ... মলগনি পুনবা মাবু কযা কুই। ... থংদো ... কীদি খংদ ... না দম থা থা অনীগাদি মযব ঙাহ্ন, মমদ্রা অহি নি ... লীবী ... নিকদন ... বাবা মপান্ড'

(*শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যদেব* লা ৪১, সাঙা ১৯৮৬ ইং)

মণিপুরী সাহিত্যদা মশানা ইজবা পুন্সি বাবী (ওগোবাইওগ্রাফী) খাম্না পাঙনা ... অদুবু মীনকেতননা *পুনশিগী শক্তম* (লাবোল অমা অমসুং অনী) লাঙদুনা মণিপুরী সাহিত্যদা অচৌবা খুদোল অমা পনমলে। লাইরিকশিং মাগী অতৈ বাবেংগা সাহিত্যিকশিংদগী খ্বাইদগী হেন্না ফজবা অমদি চা লেম্বা লাইবিক্লি হায়বা যাই। অহানবা লাবোলদনা অইবনা

পোকপদগী মশাগী চহী ৫/৬ শুবকপা ফাওবগী মতাংনি অদুগা অনীশুবা লাবোলদগী মাগী চহী ৭/৮ শুবা মতম ফাওবগীনি। শন্না হায়বববদা লাবোল অনীমক অইবগী অঙাং ওইবিঙৈ পুন্সিগী রাবীনি। অদুবু মতাং মতাংদা অইবনা ওঝা ওইবকপনচিংবা চহীগী রাবীসু অদুম্মক মহাপশিনবা থেংনৈ। অহানবা লাবোলদা পন্দুপ ১৭ অদুগা অনীশুবা লাবোলদনা পন্দুপ ৮ যাওই। শৈবেং কযানা তম্ফা থিনবা রাবেংগী লাইবিক অসিদা অইবনা মতমদুগী মণিপুরী খুন্নাইগী ফজবা মশক অমদি মণিপুরী সংস্কৃতিগী তোপ তোপ্পা ফজবা কয়া মচা খায়না ইবা থেংনৈ। মতাং মতাং কযাদা মীওইবগী তমঙমদ্রবা লাইবক, পুন্সি, থৌদোক-বাথোক অমদি চৎনলোনচৎ কযাগী মবমদা শন্দোক্লা তাক্কুনা ইবা থেংনৈ। অনীশুবা লাঞ্জাওগী মমাঙ হায়বদি নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমগী মণিপুব খুন্নাইগী পুন্সি মহিং অমদি থাজনবী কযাগী ফজবা মশক অমা মায়পাক্লা উৎপা ঙম্মী। লাবোল অনীমকসিদা মীনকেতননা মমালোল ওইবা মীতৈলোল (মণিপুরী) বু থম্মোয় শেংনা নুংশিজবা অমদি মবৈবাক মজাতিগী মফমদা লৈবা মহাক্কী অচেৎপা নুংশিবগী খোঙফম মযেক শেংনা উবা ফংই। পুন্নমকসি ওইদুনসু নীংথিববা থাজগী মায়থোংদা অমুবা মায়হিং কাবগুম অহল ওইবগা নীংশিংদুনা ইবা অঙাং ওইবিঙৈ পুন্সিগী বাবী ওইবনা ফেনজিল্লকপা বাবী কযা থৌদোক কযা যাওদবা নৎতে। মসিনা তুংগী থৌদোক্লা মাঙদা মাঙগী থৌদোক্লা তুংদা হেক হেক হাপচিল্লকই। খুদম ওইনা অঙাং ওইবিঙৈগী (চহী ৫/৬) কী বাবীসিদা মহাক্লা স্কুলদা ওঝা ওইবগী থৌদোক ফেনজিল্লকপা লৌখৎপা যাই। মসিগীসু মথক্তা "ঙক্ত ঙকপা অঙকপা অমা" হায়বা পন্দুপতা অইবনা যন শাবিঙৈদা থেংনখিবা মীশক অনীখক ওষ্ঠোক্লা মবীক চুন্না শেথাবা থেংনৈ। লাইবিকসিদা অইবনা মতাং মতাংগী ওইনা সংস্কৃত শ্লোকশিং বাংলা অমসুং ইংলিসকী শৈবেং কযা মীতৈলোলদা হন্দোক্কুনা হাপ্লম্বগী মথক্তা মশানা ইজবা শৈবেং কযাসু কবম্বা মতাংদা কবিগী ইখিবগে হায়বদু তাক্লা ইবা থেংনৈ। অসিগুম্বা শ্লোকশিং অমদি শৈবেংশিং অসিদি মশাগী পুন্সিগী বাবী ইবিঙৈদা মতাং মতাংগী ওইনা নীংশিলকপা ঙাক্কনি। অসুম্না বেদ পুবাণগী শ্লোক কযা অমদি মীতৈলোলদা হন্দোকপা শৈবেংশিংনা লাইবিকসিগী তোপ তোপ্পা মহাউ অমসু অদুম মহাপলি।

৩) নৈন-রারেং ঃ

মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাসতা সাহিত্যগী পোখোক অমা নৈনবা হৌবকপদি অঙনবা মতমদগী মমি তম্লক্লে হায়বা যাই। খুদম ওইনা অঙনবা মতমগী মণিপুরী শৈবেং ওইনা লৌনবিবা *হিজন-হিরাউ*(হিজিং হিবাও) দা *ঔগ্রী* অমসুং *খেঞ্জো* নচিংবা ঈশৈ (শৈবেং) কযাগী মবমদা মতমদুগী বাকমনা মসাগী বাখল্লোন ফোঙদোক্লদুনা অসুম্না হায় -

হযি খুনুং লাংবকচৈংদা
ঔগ্রী ৱাকমা খোল্লোনশৈ
কোবৌনোংনা কাযববসু নোংদাইশৈ
মালেমলৈনা কাযববসু লৈতাইশৈ
ঔগ্রী খোল্লোনথোক খেঞ্জো
পাউসাবাইবু মতোল্লোমলকলবা অসিদা ।

সাহিত্যগী নৈন-কাওং 'নপন্দুং' কুপ্পা নৈনদ্রবসু শৈরেংসিদা *ঔগ্রী* অমসুং *খেঞ্জো* গী মবমদা কবিগুম্বা খবা হাযদুনা কবগা। ঈশৈনো হাযবগী মশক তাকপদি হৌবে হাযবা যাই। পণ্ডিৎ নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্রগী মতুংইন্না 'হিজন হিবাউ' হাযবসি খৃষ্টগী ৬/৭ শুবা চহীচাগী অদুবাইগী ওইগনি হাযবা অকনবা মত মাগী 'অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস'তা পীবি। মবমদি *হিজন হিবাউ* সিদা যাওবিবা লুৱাং পুন্সিবসি চাউবাক্লা ৬/৭ শুবা চহীচাগী মীওই ওইগনি হাযনা থাজনৈ। অদুনা যামদ্রবদা মণিপুরী সাহিত্যদা লেনবগী মমি তম্বসি চাউবাক্লা ৬/৭ শুবা চহীচাগী অদুবাইদগী হৌবে হাযবা যাই। মণিপুরী সাহিত্যদা ৱাবেংনা শাফোঙলক্লিকৈংদা শৈবেং ওইনা ইনবিংগে মতম ওইবনা অতোপ্পা শৈবেং নৎত্রগা ঈশৈগী মতাংদা কনাগুম্বনা কবিগুম্বা খবদং ফোঙদোকপসিসু শৈবেং ওইনা ফোঙদোকপা ওইবম্বসু যাই। বাফমসিদা যুম্নম ওইবগা খম্ববা যাবদি কবিগুম্বা শৈবেং নৎত্রগা ঈশৈ অমগী মবমদা মদুগী মশক তাক্লুনা কবিগুম্বা খবা হাযবসি অঙনবা মতমদুদগী মমি তম্বা হৌবক্লে হাযবর্সিনি।

অসুন্না লাইবিক অমগী মবমদা অতোপ্পনা কবিগুম্বা খবা ফোঙদোকপসি মণিপুরী সাহিত্যগী অঙনবা মতমগী ৭/৮ শুবা চহীচাগী মতমদা বাবেং ওইনা ইনবকপসু থেংনবে। খুদম অমতং লৌখৎলবদা *নাওথিংখোং ফম্বাল কাবা* কৌবা লাইবিক্তা 'ঔগ্রী' অমসুং 'খেনচো' (খেঞ্জো) গী মবমদা অসুন্না শৈথাবি

"চীংঙু ওঁচা চীংমাবনা মমোম কোবৌ অবাংবীগা মদু হৈনা কোঙ্গৈই শেন্না শামদোন মশা ককনা বা পোংনু কোনলি ও পাওমেনলৈ ঔগ্রী কোনলৌবাক হংগেন কোনলে। পাউ তাকশৈ খেনচো লাংমৈ লীহৌবাক পোইবৈ বাবমলেন অকবা ।' ('সম্পাঃ নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, *নাওথিংখোং ফম্বাল কাবা,* লা ৩২-৩৩, ফোঙবা ১৯৯৫ ইং, ২শুবা হৎনম)

অসিগুম্বা মশকসিংগী মহৈ মসনব মতমদনা খবা হেন্না মাযক শেংলক্লে। খুদম অমা ওইনা *মৈতৈরোন অরিবগী রামাযণ* (আদি অমসুং অযোধ্যা কাণ্ড) কৌবা লাইবিক্তসু

বাল্মিকী মুণিনা ইবা *বামায়ণ* গী মতীক ময়াই শৈথাবতা নৎতনা কাণ্ড ৭ মক্কী মতাংদা মশক তাক্কুনা মশাগী ৱাখল্লোন ফোঙদোকপা হৌবমলে -

> "বচন মপাৰী বাল্মিক মুণি থোইখোইবদি পাযমা উনগোযনুং মথননানা শ্রীবামচন্দ্র অহেনবনা অবতাব মপোক পোক্লগদবা চাহি ১০০০ ৱাৎলিঙৈনা বাম মতৌ অযাম্বা। কাবণ মবম ওইবগদববু বাল্মিকী মুণি থোইখোইবনা পৃর্কনিং মাঙওইননা পোক্লগদববু হান্না খঙলবগীদমক বামায়ণ অকববু পুবাণ মশা তাবেৎশুনা বিদ্যাগ্রন্থ মথং শিৎনা লোইথোক্লমলে হাযদববা।"
>
> (*মৈতেবোন অবিবগী বামায়ণ*, লা ৭, ফোঙ্গবা ১৯৮১ খৃঃ ।)

লাইবিকসিমক্কী লামায ৭-৮ দা লাইবিকসিবু ইবিবা ক্ষেমা সিংহ অমসুং মাগী কাঙবুনা বাল্মীকি বামায়ণগী কাণ্ড ৭ মক্কী মবমদা ইবি। অসুম্না *বাম নোঙ্গাবা* কৌবা লাইবিক্তুসু লা ২ শুবদা জীবানন্দগী বামায়ণ, কৃতিবাসবী বামায়ণ অমসুং বাল্মীকিগী বামায়ণ বামায়ণ অন্থমসিগী মতাংদা চাংদম্নদুনা লাইবিকসিগী অইবনা মাগী ওইবা বাখল্লোন থম্লকপা থেংনৈ। অদুবু লাইবিকশিংদুগী ফজবা অমদি অবাংবা মগুণ শৈথাবনা মপূংনি। মতমসি ফাওবদা চপ চাবা নৈন পথাপ অমগী মতুং ইন্না মওং চুম্না নৈনবগী মওংদি নৎতে।

মণিপুবী সাহিত্যগী ওইবা অঙনবা অমসুং ময়াই চনবা মতমগী নৈনবোল অমা হাযবা তাববদি লাইবিক অমগী ফজবা অমদি মতীক ময়াই শৈথাবনি। ইচম চম্বা ক্রিটিকেল এপ্রিসিযেসনগী মওংনি। কনাগুম্বা অমগী লাইবিক্তা ফৎতবা অশোযবা পুথোক্তুনা তুকা থিবগী চৎনবী মীতৈগী নৈনবোলদা লৈবমদে হাযবা যাই। অদুবু মণিপুবী সাহিত্যনা অনৌবা মতম (আধুনিক যুগ) লানশিল্লকপদগীদি মওং চুম্না নৈনবগী থবক চঙশিল্লকপা হৌবক্লে হাযবা যাই। মওংসিদা য়ুম্ফম ওইবগা খ্বাইবাকপম চাউবনা *জ্যোতি* চেফোঙগী ১৯৪৮ ইংদা থোঙবা ৪ শুবা মশীংদা নতমগী বাখল' (খম্বা (থাইবীগী বাবী অমসু মহাকাব্য) হাযনা মিংথোনবা বাবেংদা। পনা শকপশিংনা চীম্বা, মনা শক্লবিবা খম্বা থোইবীগী বাবী (ফোব বেলেড) অসিবু মহাকাব্যগী মিংথোংদা নৈনবানি। কনাগুম্বা অইবা অমগী অকক্লবা বাবেং শৈবেংদা নৎতবা যোক ওইবা। পাৎ তা নৈনবনিনা মসি ওসি সৌনবিবা সাহিত্যগী নৈনবা বাবেং হাযবসি চপ চানা ওইবা ওইদব্রা হাযবদু নৈননীংঙাইদি ওই অদুবু মতাংকাব্যগী মিংযেংদা নৈনখ্রবনিনা সাহিত্যগী পথাপ অমা শীজিন্নদুনা নৈনবগী পথাপতি ১৯৪৮ ইংদগী খ্বাইবাকপম চাউবনা হৌবে হাযবা যাই। মতুংদা চেফোঙসিমক্কী ১বা চহী ১২ শুবা মশীং ১৮৭১ শকাব্দ (১৯৪৯ ইং) দা "মৈতৈ-সাহিত্য ইতিহাসকী মবমদা খবা" হাযবা

নৈন-ৱারেং ইরকই। মসিদা মীতৈগী অরিবা লাইরিকশিংদা নৎতনা কমল, অঙাংহল, নবদ্বীপচন্দ্রনচিংবগী লাইরিকসিংসু নৈনবা থেংনৈ। অদুবু মপূং ফাবা নৈনবা ঙাক্তগী লাইরিক অমা পুথোকপদি মীনকেতনগী *মৈতৈ উপন্যাস* (১৯৫০ ইং) ফোঙবদগীনি। লাইরিকসিদা কমলগী *মাধবী*, চাউবগী *লবঙ্গ-লতা*, শীতলজিৎকী *থাদোকপা*, *ইমা* অমসুং *রোহিনী* হায়রিবা উপন্যাস ৫ অসিগী মথক্তা বঙ্কিমচন্দ্রগী *কপালকুণ্ডলা* গী মণিপুরী অনুবাদ কোইরেংনা তৌববু নৈনবনি। নৈনরিবা মওংদি বর্ণনাত্মক (শৈথাবগী মওং) অমসুং তুলনাত্মক (চাংদম্নবগী মওং) ওইবা নৈন-কাঙলোনগী যূম্ফমদা মপূং ওইনা নৈনবনি। লাইরিকসিদা মহাক্কী নৈন-মিৎয়েংদু ময়েক শেংনা পল্লদুনা মহাক্না হায় -

> "অনৌবা মৈতৈ সাহিত্যগী মায়গৈদগীদি খূমাবা খোর্জেজগী পষ্খেদা থম্বা তারবদা লাইরিক ইবশিং অসিগী লাইরিকশিং অসি অশোয়-অঙাম ফনা য়াওদুনসু মদু থিকনীঙাই ওইদ্রবা, অমরোমদনা নুংশিনা থবায়মক য়াওনা থাদ কোন্দুনা থন্নীঙাই ওইরবা ঙাক্তনি হায়না খঙবনা মখোয়গী মরমদা, মৈতৈ ইমারোম্না তুরম পাক্না চাউনা ঈপন্দনা চেঞ্জবা পাম্মুবদগী সমালোচককী ফিদা লৌরুবা, খরদং ঙাঙফম থোক্তুনা ঙাঁ ভুবনা মরম্নদুনা, মখোয়গী অফবদা ঙাঙ ফত্তবমখৈনা লোৎশিল নুংশিজবা উৎফম থোকপা ধর্ম্ম ... নীংসংজদুনা থাদোকচরিবসী ভাবুক ওইবা থম্মোয় খূদিংমক্না ঙাকপীননীঙাই ওইররোইদ্রা।
>
> (*মৈতৈ উপন্যাস*)

শন্না হায়রবদা অশোয়বনি হায়না খনবা শব্দক খরা অদুক পুথোকচরবসু লাইরিকশিংসিগী মরমদা ফজবা পুথোকপনা মপূং ওইবনি। দোষ খরদং পুথোক্লিবসিদি লোৎচুপ শোমগী শিক্ষাগী মনিলনি। মীনকেতনদি আদর্শবাদীনি। মরম অদুনা মহাক্কী নৈন মিৎয়েংসু আদর্শবাদকী মিৎয়েংদা ফজবা শৈথাদুনা নৈনবনি। এপ্রিসিয়েসন্না মপূং ওইবনি।

অদুবু, অইবসিগী *য়াচঙ শৈরোল-খম্মিন তেংথা* (ফোঙ. ১৯৯৫ ইং) দদি লামায় ৪১ পানবা লাইবিক তংখায় অমনা ঈশৈনি অদুগা তংখায় অমনা মণিপুরী ধর্ম্ম, লম-তু, কলা-সংস্কৃতি অমদি থাজনবী কয়াগী মরমদা পুন্না ইবা ৱারেংনি। মণিপুরদা চঙলকখিবা মপানগী ধর্ম্মবু তাক্লদুনা অসুন্না হায় -

> "ধর্ম্ম মপূং মঙঙা লোয়না শুনা লাকখি - ১) সৌর উপাসনা (নুমিৎ নিংবা), (২) শিব উপাসনা (মহাদেব নিংবা). (৩) শাক্তি (শক্তি উপসনা), (৪) বিষ্ণু উপাসনা (সাত্বত ধর্ম্ম, বিষ্ণু নিংবা) অমদি (৫) গানপত্য গণেশ উপাসনা লোয়না লাকখি। প্রত্ন বৈষ্ণব ধর্ম্মনা লোইনা পুবকখিবনি।"
>
> (*য়াচঙ শৈরোল-খম্মিন তেংথা*, লা ২৮)

৪) অচোইবা ৱারেং ঃ

লাইবিক ওইনা ফোঙবমক নৎতবা তোঙান তোঙানবা চেফোঙশিংদা চোইনা ফোঙখিবা মীনকেতনগী ৱাবেং কযাসু লৈতবা নৎতে। অযাম্বা অচোইবা ৱাবেংশিংদি সাহিত্যগীদা নৎতনা ধর্ম্ম তত্ত্বগী অমদি কলা সংস্কৃতিগী ওইবা ৱারেং কযা থেংনৈ। অসিগুম্বা ৱাবেংশিং অসিদসু মাগী শৈবেংগী শৈহেক শৈদা পুবা ৱাবেংগী খূৎইদু অদুম্মক ইবোইনৈ। অসিগুম্বা ৱাবেংশিংসি অযাম্বনা মাগী অথেঙবা মতমগী ৱাবেং ঙাক্তা ওইনা তৌই। মরমদি চহী যাম্লকপগী হৌনবা খঙবা-উবা হেঞ্জিল্লকপা, পাবা হেঞ্জিল্লকপা অমদি নোংম-নোংমগী ধর্ম্মগী লম্বীদা চঙশিল্লকপনা বাংলা-সংস্কৃতনচিংবা বৈষ্ণব ধর্ম্মগা শাগোন্নবা ৱাহৈ কযা অইবসিগী ৱাবেংদা চঙশিল্লকই। মসিনা অঙনবা মতমদা ইখিবা মীতৈলোল নৎতবা অতোপ্পা লোলযান যাওদবা মীনকেতনগী ৱাবেংগী খূৎফোঙদোক্না অথেংবা মতমদা ইবকপা মাগী ৱাবেংগা চাউনা খেন্নবা উবকই। খুদম ওইনা বাসেশ্বরী বিম্বাবতী (লক্ষ্মীপ্রিয়া) গী গোবিন্দ প্রেমগী মতাংদা অসুম্না শৈথাবদুনা অইবসিগী 'অনুপ্রভ' কৌবা ৱাবেংদা হায -

> "ঈংনা মথবায যাওনা গোবিন্দগী সেবাদা লুপ্তুনা লৈবে অষ্টকাল সেবা কাযদে। শৃঙ্গাব শযনগী সেবা মখুৎনা তৌই। ভাগবতকী গোপী গীত হেক হেক থী, নবোত্তমগী প্রার্থনা - "তুমি দযা না কবিলে অনাথেব নাথ কেন বলিবে হে - হেক হেক শকই, ফাওই বিকাব শিষ্টে তৎপা লৈত পি।
>
> (*শ্রীশ্রী গোবিন্দ বাসেশ্বরী পালা এনুযেল* ১৯৮৬, লা ১৮)

মীনকেতনগী ৱাবেং সাহিত্য অপাবশিংদা শৈবেংগী খোযথুন্নববা মহাউ পীবা ৱাবেংগী মওংনি। মহাক্কী মিৎযেংদা মীচমগী লোল হাযবা অমগা সাহিত্যগী ওইবা লোল হাযবা অমগা অনী তুনা সমাজদা লৈগদবনি হাযবা ৱাখল্লোন্দু উবা ফংই। শৈবেংদি সাহিত্যগী লুহুপনি হাযনবনা মহাক্কা মাগী ৱাবেং সাহিত্যদসু শৈবেংগী মহাউ হাপতুনা সনাদা তম্ফা থিনবনি। অদুবু শৈবেংগী শৈহেক শৈদাদা ইবা ৱাবেংগী মশক অসি মণিপুবী সাহিত্যদা মীনকেতননা অহানবা ইবমক্তি নৎতে। মবমদি মণিপুবী সাহিত্যগী ইতিহাসতা অঙনবা মতম অমসুং মযায চনবা মতম হাযনা খঙনবিবা মতমশিংসিদা ইবম্বা ৱাবেংগী লাইবিক অযাম্বা শৈবেংগী শৈহেক শৈদাদা ইবকপনি। অসিগুম্বা খূৎই মখল অসি মীনকেতননা অনৌবা মণিপুবী সাহিত্যগী মতমসিদসু অমুক মখা শমথবনি। মণিপুবী সাহিত্যগী পবম্পবা ঙাকপনি। শন্না হাযববদা মণিপুবী সাহিত্যগী ট্রেডিসনেল ভেল্যু কন্নবনি। ৱাবেংবু শৈবেংগী মওংদা ইবগী চৎনবী অসি এসিযাগী তোঙান তোঙানবা লমশিংগী সাহিত্যদসু অদুম চৎনবম্বা থেংনৈ। খুদম ওইনা চিনাগী *পিযেন-বেন* খূৎই মখলসিগ নকশিন্নবপ চৎপা ৱাবেংনি হাযবা যাই।

শৈরেংগী শৈহেক শৈদাদা ৱারেং ইবসিগী মথক্তা শৈরেংদা ওইবা মতেক মতেক ৱারেংদা হাপচিন্দুনা ইবগী মওংসিসু মীনকেতনগী অয়াম্বা ৱারেংশিংদা থেংনৈ। শৈরেংগা ৱারেংগা পুনশিন্নবা মওংসি ভারতকী কাব্য শাস্ত্রদদি 'চম্পু কাব্য' হায়। অদুবু চম্পু কাব্যদি শৈরেংদা ৱারেং মতেক মতেক য়ানবনি। অদুগা মীনকেতনগীদি ৱারেংদা শৈরেং মতেক মতেক থেৎপনি। শন্না হায়রবদা ভারতকী কাব্য শাস্ত্রগী চম্পুগীনা শৈবেংনা মপূং ওইবনি অদুগা মীনকেতনগীনা ৱারেংনা মপূং ওইবনি। অদুনা ৱারেংনা মপূং ওইবা চম্পু অমা মীনকেতন্না ভারতকী কাব্য পরম্পরাদা খুদোল তৌরে হায়দা হায়মনবা থোক্তে নীংই। মসিবু চম্পু কাব্য হায়গেরা নৎত্রগা চম্পু গদ্য কৌগেরা হায়বদুমদি কাব্য শাস্ত্র শুবা পণ্ডিতশিংদা শিন্নজরে।

ৱাফম অমনা, মীনকেতন্না ৱারেংগী করম করম্বা মতাংদা শৈরেং হেক হেক ফেন্নজিল্লকপগে অমদি মসিগী মরম করিগীনো হায়বা মরমদুসু থিদোকপগী তঙাইফদবা লৈ। শন্না হায়রবদা মহাক্না করিগীদমক চম্পুগী মওংদা মহাক্কী ৱারেং ইরিবনো হায়বসিনি। মতাংসিদা থমজনীংবদি মীনকেতননা শৈরেংগী শৈহেক শৈদাদা ৱারেং ইজরবসু মহাক্না ৱারেং অদু ইনা-ইনা রোমান্টিক কবি ওইবগী হৌনশা হেক হেক থম্মোয়গী ঈথক হৌরকই। অসিগুম্বা ঈথকসিনা ৱাংনা কারক্তুনা ঈপোম নাইরকপা মিৎকুপতা মহাক্না শৈরেং হেক-হেক ইরকই হায়বা য়াই। মরমদি মতমদুদদি মহাক্না পূক্নিংগী কল্পবা ইথিল অদু ৱারেংদা অসুম্মক ইবনা পেল্লক্তে। মতমদুদা মাগী নুংদা থূপতুনা লৈরিবা শৈরেংগী ঈফুৎতু মথন্তা অদুম্মক থোকচবকই। মরমসিনা 'অসিগুম্বা মতাং মতাংদা মীনকেতননা মাগী ৱারেংদা শৈরেং ইরকপা ওইগনি হাযনা খনবা য়াই।

লৌইশিল্লকপদা থমজনীংবদি — ৱারেং ইবা অমা ওইনা অশাংবম মীনকেতন তশেংনমক মায়পাক্লবা অইবনি। অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী তাইবঙদা মহাক্কুম্বা বারেং ইবা অতাঙবনি। ❑

ড্রামা ইবা অমা ওইনা অশাংবম মীনকেতন

ডা. কে শান্তিবালা

অনৌবা মণিপুবী সাহিত্যগী খোঙচত্তা খৃ ১৯২৫ দা লাইবেনময়ুম ইবুংঙোহলগী 'নবসিংহ' লীলানা ফম্পাক্তা পুথোক্লুনা উৎলকপদগী, সাহিত্যদা ড্রামানা যাম্না ওন্না মফম কনবা হৌখি। অদুবু ড্রামার্টিক আর্ট হায়বসি পার্ফোম তৌবনা হেন্না মপুং ওইনা লৌনখিবনা লাইবিক ওইনা পুথোক্লুনা থম্নবগী ব্রাখলদি অইবশিংনা তৌনখিদে। মবম অসিদগী অঙনবা মতমগী ড্রামাশিং অপাবগী মফমদা যৌবা ব্রাৎলি। অব্রাৎপশিং অসিগী মবক্তা কবি অশাংবম মীনকেতননা মণিপুবী সাহিত্যদা ড্রামাগী লাইবিক অনী পুথোকপিবম্মী। লাইবিকশিং অদুদি *সীতা বনবাস* (১৯৩৬) অমদি *তোনু লাইজিংলেম্বী* নি (১৯৪৯)। ড্রামা অনীমক হান্নবা লৈজবম্লব্বা ব্রাবীশিংদগী অইবনা লৌখত্তুনা কল্পনাগী ফজববা মচু শংলগা পুথোবকপনি। অইবগী বাখলদগী তোপ তোপ্না শেম শাদুনা পুথোবকপা নত্তে। তৌবগীসু মতম অদুগী সমাজগী ফিভমদা ধর্ম্মবু চেৎনা থাগোন্নদুনা লৈনবিবা মতমনি। অদুনা ফিদম্ফম সমাজ অমা শাগৎনবা হোৎনবদা আর্দশ ওইবা মীশকশিং অসিগী বাবী লৌখত্তুনা অইবনা ড্রামা ওইনা থম্লম্বা পাম্লম্বা যাই।

সীতা বনবাস

সীতা বনবাস অইবগী অনীশুবা লাইবিক্নি। *বসন্ত শৈবেং* না (ইখিবা ১৯২৮, অদুগা মতম অদুগী কলকত্তা বিশ্ববিদ্যালয়গী আই এ গী টেক্স বুকসু ওইখিবা, লাইবিক ওইনা মযামদা পুথোক্লকপনা ১৯৩৩) কবিগী অহানবা শৈবেং লাইবিক্নি। ড্রামা অসি ইখিবগী মবমদা কবিনা অসুম্না গম্লম্মী, "নাটকসি ঐহাক ইশাগী জীবন-তাবাগী অহানবা অস্তগী বাববা মতাংদা অবা মৈশা খাঙবা ওইনা ইখিবনা বিদুষকক্নম্বা মূর্ত্তি শাগৎপা পামখিদে, থেম্বিনবা কনা লৈত্রবা ঐগী মওংদুমক্লা শাগৎপা বান্নি।" *বামায়ণ* ভাবতবাসীশিংনা চেৎনা থাগোন্নজবিবা আদিকাব্য অমদি মহাকাব্যনি। অঙনবা মতমগী ভাবতকী সাহিত্য নৈনবকপদা বেদ উপনিষদকী মতম, মহাভাবত বামায়ণগী মতম অমসুং পূবাণগী মতম হায়না মথং মথং লাকই।

The Ramayana and the Maha-bharata are poems of the heroic age and though they are full of marvels, they deal more with the actions of mortal men and romantic creations than the might and majesty of the gods' –

Introduction : A classical Dictionary of Hindu Mythology & Religion – John Dowson

রাবীশিং অসিবু অসুক্কী মতীক থাজনখিনা মীযাম্না থোকখিবা থৌদোক অমগুম্না লৌদুনা ইতিহাসনি হায়না কাব্য অনী অসি লৌনখি। কবিনা অসিগুম্বা মহাকাব্য অসিগী অরোইবা শব্দক অরাবনা পোলোই ওইবা চরিত্র অসি লৌখৎতুনা থম্লম্বনি। লীলা অসি শাগৎলকপা মতমদা সংস্কৃত নাটক্কী কায়াৎকী মতুং ইন্না শাগৎলকই। মরম অদুনা ভারত মুনিগী *নাট্য শাস্ত্র* দা য়াওবিবা রূপক তরাগী মনুংদা নাটক হায়না খঙনবা মখল অদু কৌবা য়াই। নাটক অমদা অঙ্ক মঙাদগী তরা ফাওবা থম্নে, ড্রামা অসি অঙ্ক মঙানা শাই। নাটক অমদা য়াওগদবা মীওইশিং লাইগী মশক ওইবা, নিংথৌ নৎত্রগা সমাজগী মশক নাইবা মীওইশিংনি। মরম অদুনা য়াওরিবা মীশকশিং মশা মশাগী হৌন-লোনচৎশিং অদু ঙাক্না চৎকদবনি।

নাটক্কী রারীশিং অসিগী হৌরকফমদি নিংথৌগী ইজ্জৎ অমসুং লৈবাক্কী মীবা অনীসিগী মূক্লবদগী ওইরকই। রঘু শাগৈগী নিংথৌ দশরথকী মচা রামচন্দ্র বিষ্ণুগী শায়োন্নি হায়না খন্নবিবনি। লৈবাক্কী ইজ্জৎ ঙাকপনা, মশাগী ওইজবা ঙাকপদগী, মশাগী নুংশিবদগী হেনফম থোকই। লৈবাক প্রজানা পাম্বা অদু ঙাকপনা, নিংথৌগী লমচৎ ওইরকপা মরম্না মশাগী নুংশিবা থাদোকপা তারকই। লমচৎ শেংলবী মাগী তালোয় সীতাবু প্রজানা চিংনৈ হায়বা খঙলকপদগী বন্দা থাদোকপা তারকই। অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিদগী ড্রামাগী প্লোট শাগৎপা হৌরকখি -

হুঁ

রাম চন্দ্র — ঐ নিংথৌ ওইনা বাখল তৌবা তাই,
অরাবা মৈচাকপূম্বা খাঙবা তাই
মক্লবা রঘুশাগৈনি,
নিংথৌ নিংথৌ খুদিংমক্লা
ত্যাগধর্ম্ম মাঁঙোইননা
প্রজাগী নুঙাইনবদ যেংখিবনি।
সীতা বন্দা থাবা তাই
প্রজাগী পেন্নবা তৌদবা য়াদে।

(অহানবা মতাং, লা. ১৮)

সংস্কৃত নাটক *শকুন্তলা*গী মতৌগুম্না শৈরেংনা শৈহৌ ওইনা পীরিবা নাটক অসিদা সূত্রধার অমসুং নটীগী অৱাই-অখুম তৌনদুনা নান্দী পাঠগী শরূক য়াওরি-

নটী — আর্য্য,
শ্রীরামগী স্তুতিনি হায়বদি খঙজরে,
মতাং কবম্বা শান্নবিগদৌরিবা
'দুদি খঙজদ্রি, 'মুক্ত তাকপিসিগবা।
(*নান্দী*, লা. ১৮)

অসুম্না সেলেবল ১২ গী মশক্তা পীবিবা শৈরেংগী শক্তম অসিনা সংস্কৃত নাটক্কী মচল অদু শেন্নি। অমদি পানগী শক্তমদা রামগী মরন্নাইগী নুংশিবগা লৈবাক্কী খলগা অনীগী মুক্কবনা শাগৎপা ওইনা উরবসু, নুংদা কনাসু উদনা চেল্লিবা ফজববা প্লোটকী শক্তমদি *রামায়ণ* পোক্লকখিবগী মতাংদা শাদানবগী তেন্না ক্রৌঞ্চ (ঙানু-থঙ্গোং) হাযবা উচেক লাবা অমোমগী মনুংদা লাববু হাৎখিবদা বাল্মীকিগী চীন্দগী ফজরবা শৈরেং থোক্লকখি। মদুদগী ব্রহ্মানা পেল্লদুনা শ্রীরামগী ৱারীবু বামায়ণ হাযনা কৌদুনা ইজবো হাযনা বর পীখি। কবিনা শ্লোক অদুবু অসুম্না শেন্নম্মী -

"য়াইফ কৌবা ফংলনু চেক্কাপ্পা
মতম্না পাল্লিমখৈ।
হাৎলুনঙায থংগোং নাম্মা নুঙোল
পাদোংনজরিঙৈ।
(*নান্দী*, লা. ১৮)

সংস্কৃতগী শ্লোক অমুক য়েংবিসি -
"মানিষাদ প্রচিষ্টাংত্ব মগমঃ শাশ্বতীঃ সবাঃ
যৎ ক্রৌঞ্চমিথুনাদেক মবধী ঃ কামমোহিতম।।"

মন্দোদবীগী মফমদগী বাবণবু শেৎনহনখিবা, তাবাগী মফমদগী বলিবু শেৎনহনখিবা শ্রীবামনি। মহর্ষিগী, শাদানবদা তৌবা শাপ অদুনা শ্রীরামদা পান্দুনা সীতা কায়নবনি; বাম শাদানবদুমক্কি হায়না পীনবা হোৎনবি। ভবভূতিগী করুন রসতা যুম্ফমওইদুনা ইবম্বা *উত্তররামচরিতম* দা উত্তবকাণ্ডগী ৱারীদা য়ুম্ফম ওইদুনা ইরবসু কবিগী খুৎশেম হাপ্লগুম মীনকেতননা প্লোট শেমগৎলকপদা কবিগী ওইবা অনৌবা খুৎফোঙদোক পুথোকপনি।

"কপফল্লু মন্দোদরী শেত্তোকপি ৱাবণ
শিনা লান্দা

শকখি উচেক-কাপ্পা পাল্লুবনি 'দুনা শাপ
শ্রীরামদা।

(*নান্দী*, লা. ৬)

বাল্মীকিগী *রামায়ণ*অমসুং মণিপুরদা কন্না চৎনবিবা কৃত্তিবাসকী *রামায়ণ*গী ৱারীদগী অইবগী খেন্নবা ৱারী কয়া শাগৎলি। খুদম ওইনা অহানবা মতাংগী তরুক শুবা উৎপদা শ্রীরামনা লক্ষ্মণদা মতৈমো সীতাবু গঙ্গাগী নগীদমক্তি হাযদুনা পুবগা বাল্মীকি বন্দা থাদোক্লম্নবা শীন্নে। লক্ষ্মণনা চঙলকপা মতমদ' সীতাগী থম্মোয় খুদোংথীবা থোক্কদৌরে হায়বা খুদম চাংদম কয়াদগী অৱাবা ফাওদুনা লৈরম্মী: -

সীতা (স্বগত)ঃ করিনো মঙ হ্না চোইবিবা,
পুক্লীংনা তয়াং তশোয়রিবা।
রঘুনাথকী শ্রীচরণসু ঙরাংগীমখৈ
দর্শন ফংদরি,
হা বিধি নোংদম্বা, করি করম্বা
অৱাব'মা অমুক পীগদৌরিবা।

(*নান্দী*, লা. ১৮)

অসিদসু নত্তনা লক্ষ্মণগী মায়থোংদগী, ৱাঙাঙদগী বামনা মাবু ইপ্পোক্নে মদুগী অৱাম্বা দণ্ড পীরবনি হায়না সীতানা খনবসি লাইরিক অনীসিগী ৱারীদা ফংদে। কৃত্তিবাসকী রামায়ণদা অশ্বমেধ যজ্ঞগী মমাঙদা সীতাগী বারীনা হান্না পীরি অদুবু মীনকেতন্নদি অশ্বমেধ যজ্ঞনা হান্নবা পীদুনা থম্লি। রাবর্ণদি ব্রাহ্মণনি ব্রাহ্মণ হাৎপগী পাপ কোরুম্বা অশ্বমেধ যজ্ঞ তৌগদবনি হায়না পীরি। অসিদসু নত্তনা সীতাগী অথীবা মিংচৎসু দুর্মুখগী মচীন্দগী পাউ ওইনা তম্লগা শ্রীরামনা তাবনি। অদুবু অইবনা হেন্না মতিং লৈনবগী মওংদা ভৈরবনাথ উগ্রচণ্ডা মতৈ মনাও খৎনহনবা অমদি দুর্মুখ-দুবুদ্ধি মশেল মবাই ৱারী শানহন্দুনা সীতা অমদি বামবু নীন্দা তৌদুনা প্লোট শাগৎপদা মনীংতম্না পুশিল্লকই। লব-কুশ মচীন মনাউনা সীতাদা মপা কনানো হাযনা হংদুনা সীতাগী মৈচাক হেনগৎহল্লি। র্মসিদি নাটক অমা ওইনা শেম্বদা ওইবকপা মচৎনি। অইবনা পুথোবক্লিবা খেন্নবা মশক খবদং উৎপনি।

ড্রামাটিষ্ট অসিনা ইতিহাসতা হান্নবা ফংলবা শক্তমশিং অসি য়েক্লকপা মতমদা হান্নগী লমচৎশিং অদুদগী কনশিনবা শক্তমদা উৎপা ঙমলকই। রাম, লক্ষ্মণ অমদি সীতাগী চরিত্র যাম্না মপূং ফানা পুথোরকই। রামবু য়েক্লকপা মতমদা পূকচেল চেৎপা, প্রজাবু নুংশিবা, মশাগী ওইজবা থিদবা মীশক ওইনা থম্বা ঙম্মী। প্রজাগীদমক খন্দুনা সীতাবু বন্দা

থাদোকখ্রবসু মহাক্কী থম্মোয়দদি সীতাগী নুংশিবা লেঙদবনি হাযবগী চেৎলবা পূকচেল উৎলকই। অদুনা বশিষ্ট মুনিনা অশ্বমেধ যজ্ঞ তৌবা মতমদা মহারাণী যাওদবা য়াদবনা নৌনা অমুক লুহোংনবা হায়রকপদা হায়খি -

বামচন্দ্র ঃ গুরুদেব,

মশীং লাকঙমদ্রবা ব্রাহ্মণ বধগী পাপ

লৈরসনু

মদুগী পাপ্না জন্ম কোটিদা তীন-কাঙ

ওইরসনু

....

বাজধর্ম্মনা লঙফম থোকপনা লখিবনি

সতীদা,

স্বামীধর্ম্মনদি তৌফম থোকই সতীগী

মর্য্যাদা।

অসুন্না মায়কৈ মায়কৈ; লৈবাক প্রজাগী চিংন-বাখল অমদি সতীগী নুংশিবগা অনীনা চিংখায়বিরবা রাম কৈদৌঙৈদা মথৌদি থাদোকখিদে। অদুনা কর্ম্ম পূন্নমক, দোষ চেল্লবসু ইথৌদি তৌদবা য়াদবনি হায়না নুপা থোক্না খোঙফম চেৎনা লেপখিবা রাম্নি। মতৌ অসুন্না লক্ষণ ময়াম্বা বামবু নীংজবা মনাউনি; অদুমক ওইদুনসু ময়াম্বা রাম্না তৌরিবা থবক্তা অরানবা ওইরি হায়না থিন্দুনা তাকপা ঙম্বা, অচুম্ববু ময়েক শেংনা উবা ঙম্বা, থৌনা ফবা, ইচং থৌবা নুপা অমা ওইনা পুথোরকই। রামগী অশাউবা ফাথবিয়ু বাখল হোংবিয়ু অচুম-অরান য়েংবিয়ু; মৈনুংদগীবু কনা হিংনা থোক্লক্লবগে অদুগীসু মথক্তা ইমা জানকীদি অপোম্বা লৈনা থল্লবা লৈপালগুম্বনি অমদি হৈপাল তল্লক্রিবা হৈগী মউনি হায়না অচুম্বদু উৎনবা হোৎনরকই। মতাং অসিদা য়েংবা যারিবদি, 'Indian drama is deeply grounded in Indian thinking, both philosophical and religious' (Introduction · *The Classical Drama of India,* Henry W. Wells) হায়রিবা অসিগী বাংমদা লক্ষণনা রিজন্দা হুমদুনা পুনবা হোৎনরকই। য়াম্না লোজিকোল ওইবা বাখল্লোন উৎলকই। Indian idealism founded on conception of felicity not of logic হায়বা বাফমসি লক্ষণগী চরিত্রদা য়েংশিনবা য়াই। অমুকসু সীতাবু পুথোবকপা মতমদা খুদোংথীববু খঙনা খঙনা থেংনরগনি হায়না থৌনা ফনা চোংথোকপী নুপী অমা ওইনা য়েক্লকই।

সীতা ঃ তাত

শিঙ্খবি কবিগী মিত্তা পি।
কবিসু বাবা তৌবনু ঐগী।
ঐ তলা ক্যাম্লে মতম্নি,
পুবি গর্ভদা সনা ঈ।
মুৎহৈদবা ফুংগানি সূর্য্যবংশ,
লৈ সূর্য্যদেব - মিৎনা উবা লাই।
ইবুংঙো,
উর্মিলাগী মবুঙো,
লৈহৌবে ইতৈমা,

অইবগী লু-তোংদা চেল্লিবা ঈগী ঈচেলনা সীতাবু মৈতৈ নুপী অমা ওইনা উবকপনি। বাল্মীকি অমদি কৃত্তিবাসকী সীতানা বন্দা থাদোক্লবদা অসুক থৌনা লৈখিদে। অসুন্না মিংথোলগী মতাংদসু লবকুশবু কুশীলব অমদি হনুমানবু বৈষ্ণববাজ হাযনা মিঙ্গৌনৈ। পুম্নমক অসি অইবগী তোঙানবা মিৎযেংনি।

কবি ওইনা হৌবকখিবা মীনকেতন্নি। কবিগী ফজববা কাব্যশিং ঃ — *অশৈবগী নিত্রাইপোদ, অশৈবগী শৈবোই, মেঘনাদ বধ কাব্য, গীতাঞ্জলী* অমদি *বিদায অশীর্বাদ* অসিনচিংবা কাব্যশিং পুথোক্লম্বগুম *সীতা বনবাস* অসিসু শৈরেংগী ফজবা ফোর্মদা পুথোক্লম্মী। মবক মবক্তা ঈশৈ কযাসু যাওহন্দুনা সুনগী মশক অমা হাপ্পবা হোৎনৈ। খুদম ওইনা লব-কুশনা শক্লকপা [illegible] ঈশৈ অসিদা সেলেবল ৬/৬ অমদি ৯ গী অন্তঃস্থ রাহৈ পারে, অঙম্না লঘু ত্রিপদীগী মশক অমা শাগৎলি। অইবগী ভদ ভব রাহৈ শীজিন্নবা অমসুং সংস্কৃত রাহৈ পামজবসু মকা ফোংনা উৎলি। মণিপুরী লোনগী ফজবা রাহৈসু শীজিন্নে। খুদম ওইনা শঙ্গাই মীনোক, তবাই লেংলিবা অসিনচিংবা। ডাইলোগকী মশক্তা সোলিলোকি কযা হাপলিবা অসিসু প্লোটগী মশক্তা অমদি কেবেক্তব শাগৎপদা যান্না চান্ন চুন্ননা থল্লি।

পুম্নমক অসি যেংলুবগা অইবনা পাউখোংগুম্না থনল্লিবা অমদি নিযতি (লাইবক), লাইবক্তা তমখ্রবা হাযবসিনি। সংস্কৃত নাটকী উচলদা পুথোক্লবা হোৎনববসু চপ চানা লৌবা নত্তে, গ্রীক্কী ট্র্যাজেডিগী মনম শন্দোক্তুনা লৈবি। লাইপোকুম্লবা মীওইগী লাইবক্তা ইদুনা থম্লম্লিবা পামদ্রবা থৌদোকশিং অদুনা অবা-পোলোই ওইহনবগুম বামদা থোক্লক্লিবা আযবনি ওইবা থৌদোকশিং অদুনা সীতাগী অরা পোলোই ওইহনখি। শকউদবা নিযতিগী খুজিলনি হাযবসি বাম, সীতা অমদি লক্ষ্মণগী রাঙাঙদা তৎতনা হাযহন্দুনা অরাবা পুম্নমক

খাঙহল্লি। অমরোমদা করুন রসকী অয়৷বী থাকী নাটক্কি হায়রিবা শূদ্রকী *মৃচ্ছকটিকম*; ভবভূতিগী *উত্তররাম চরিতম* অৱা-পোলোই ওইখিদে। 'উত্তররামচরিতম্‌দা ভগবতী অরুন্ধতীনা সীতাবু রামদা শীন্নদুনা সনাগী সীতাগী মহুত্তা অশেঙবা সীতানা অশ্বমেধ যজ্ঞ য়াওহনখি। সংস্কৃত নাটক্তি -

> Sanskrit poetic drama observes a certain decorum, avoids tragedy, and shuns indignity it cannot be strictly described as optimistic .. Sanskrit drama begins and ends with prayer, a petition for human welfare.
>
> (ইবিদ লা ১১)

মরম অসিদগী নাটক অসি কবিগী নোংপোক-নোংচুপকী অপূনবা শক্তমদা পুথোক্লকপা তোপ্পা তারবা কবিগী খুৎশেম অমনি। বিদুষক য়াওদ্রবসু ফাগিগী মচল হাপ্তুনা ঙাইহাক সংপেসন্দা থমদুনা অৱা পোখাহল্লি।

মপূং ওইনা নাটক অসি পারুরগা মূরুবদগী থোরকপা এক্সনগী ময়েক শেংবা থৌদোক য়াওদ্রবসু, কবিতাগী ফজবদি ময়েক শেংনা পীবা ঙল্লে। কবিগী ৱারী লীবগী শক্তিদা ক্যারেক্টরশিংবু ৱারীগা মপা চান-চাননা চোংথোকহন্দুনা উৎপনি। মতম খুদিংমক্তা কবিগী লোন থোৎনা মেংনা চৎলি, খূৎশেম য়াওরবসু পোকচরকপা লোন ওইহনবা ঙম্মি। অসিগুম্বা লোন অসিমক্তনা সীতাগী অরোইবা পুন্সিগী মতাং লৈবাকলৈমনা নুংশিনা কোনশিনবীখিবা অমসুং রামগী থম্মোয় কায়ববা অৱাবা ময়েক শেংনা উৎপা ঙমহল্লি। অইবনা পল্লিবা দুঃখান্ত অৱা পোলোই হায়ববু লোন অসিমক্তনা ময়েক শেংনা ফোঙদোক্লি।

তোনু লাইজংলেম্বী ঃ

সীতা বনবাস কুম *তোনু লাইজিংলেম্বী* পোইটিক প্লেনি। মোইরাং কঙলৈরোলগী শায়োনশিংগী মনুংদগী শাযোন অমা লৌখত্তুনা থম্বনি। চীনবূং ৱারীদা অমদি পেনা শৈশক্তা থোইদোক্লা মীয়ান্না পান্নরবা নুংশি-নুংওন্দা মপূং ওইনা ফংলিবা শায়োনশিং অসি কন্নাগুম্বনা তরেৎ, মাপল অমদি তরামাথোই য়ৌনা ফাও থমনৈ। শায়োনশিং অদুদি অকোংজাম্বা-ফৌওইবী, হেঞ্জুনহা-লাইরৌলেম্বী, হাওবা-কোনু, ঙানবা-শংলৌরেম্বী, হাউসি নামোইনু, লমগানবা-য়াইদিংকোনু, পুংদিংহনবা-ফিশাহৈবী, য়াংহনবা-কুমজা লেম্বী, কদেং-তোনু, খোংজোম্বা-পিদোংনু, খম্বা-থোইবী অসিনি। অসিগুম্বা নুংশি নুংওন্দা য়ুম্ফম ওইবা পারসন্যাল লেজেণ্ডশিং অসিগী ৱারীবু লৌখত্তুনা ড্রামা ওইনা মপূং ফানা পুথোক্তরকপদি অনীশুবা লাঙ্গাউ মতুংদগীনি হায়বা য়াই। ইহান হান্না দরেন্দ্রগী *মোইরাং থোইবী* ১৯৩৭

তা পুথোকখ্রবা মতুংদা এবিযাম্না বীব অৰ্মদি ককন্নদা যুমফম ওইবা পৌবাণিক নাটক্কী মতুংদা খুমম্নেম মধুমঙ্গলগী *থোইবী* ১৯৪৬ তা পুথোবকই। মথং মথং ওইনা ৱাহেংবেম তোমচাগী *কুঞ্জমালা*, এম বীবমঙ্গলগী *হেঞ্জুনহা*, থিঙ্গুজম পিশক্কী *তোনু লাইজিংলেম্বী*, হাওবম তোম্বগী *পিদোন্নু* নচিংবা লীলাশিং পুথোক্লবকই। হিজম অঙাংহলসু ১৯৪৮ দা *যাইথিং কোনু* পুথোবকই। সবাংথেম ববমনিনসু *শাযোন-শাফবা, থাজ-থবা, শজিক-থবা, নুবা শাম্ফলেম্বী* নচিংবা পুথোবকই। মীনকেতন্না লীলা অসি পুথোবকপসি ১৯৪৯ দনি। মখল অসিগী লীলানা যাম্না পাম্নবকপা মতৰ্মন। অমবোমদা লীলা অসি কবিগীদমক ইখ্রিবনো হাযবগী মতাংদা অইবগী ৱাবোল পীবম্বদা অসুন্না থেংনৈ জোনষ্টোন স্কুলদা অইবনা ওঝা ওইনা লৈবিঙৈদা ওঝাশিং খবনা মৈতৈবোন্না কবিসু ফোঙদোকপা ঙমদে। কবি চাউবনা লাইববৱী ইবোন্নি। খঙদবনা হাযবনি হাযবসি কবিদগী হাযবিবনো হাযনা হাযনবা তাবদগী থওইনা ইগে হাযনা ইখিবনি তাকপিবম্মী। মবম অসিদগী অইবা হাযবা বাহৈফাও বাকমা হাযনা পীবম্মী। লীলা অসিদা মৈতৈতগী ওইবা শক্তম অমা শাগৎনবা হোৎনদুনা মৈতৈগী নাৎ চৎনবী, শক্তম উৎথোবক্তুনা নেটিভ প্লে অমা ওইনা থম্লম্মী।

তাঙ্কক অহুম থোক্লা খাযদোক্লিবা অসিগী মনুংদা তাঙ্কক অমা অমসুং অনীদা সিন ৪/৪ থমই অদুগা অহুমশুবা তাঙ্কক্তনা সিন ৫ থম্লি। নুংশি নুংওন্দা যুম্ফম ওইবা লীলা ওইনবসু, মুক্লবদগী শাগৎলকপা বাবীগী শক্তমদি লৈবাক্কী ফমবগীদমক থম্মোযগী শেংলবা নুংশিববু থাদোক্লবা হোৎন[illegible]গী থৌদোও গী ওইবাই। লীলা অসিগী প্রোট্যাগোনিষ্ট ওইবিবা কদেং থাংজহনবনা মশানৌ তোনু লাইজিংলেম্বীবু নুংশি নুংশিনা, পাম্মু পাম্মুনা লাইজিংনিংথৌগী লৈমা [illegible]ইনা লৈবনবা হা[illegible]। লৈবাক্কী অমাই হঞ্জবনা থাংজিংগী [illegible]উদা কংলা উক্রো[illegible] হোঙর্জৌ, লোযননা মি[illegible]ন্নবী অমবু লৈমা ফমথোল কাহল্লবদি নিংথৌ লীকথাং লৈতবা লৈবক[illegible]া পাউদম্লবদা, উক্রোং হোনবগীদমক শাবম চাম্ম-নিপান, ঙাবম চাম্ম নিপাল খিনবা কদেং থাংজহনবা অমদি কদাং ঙাকংহনবা অঙম্বা অনীনা নিংথৌগী থৌদা পুদুনা চৎখি। মবকসিদা অঙম-অথৌ ওক্সুবাকপা, তোলোংখোম্বা, নিঙোল লাকপনচিংবনা লাইজিংলাকপগী মমোম তোনু লাইজিংলেম্বীনা লৈমা ফমথোন [illegible]ববদি শকনে-গুণনে চপ চানৈ হাযনা হৌদোক্লবকই। অদুবু লাইজিংলাকপনদি মমোমগী পাক্লং খঙদনা নমদুনা ৬ম্মি পম্থৌনি হাযনা পীবদি তৌখ্রবোয শবি শোনখ্রে ঙঙ্গৎচৈ। নাংমা হাওবা কোনুগী বাবী তাকবদগী মচানিঙোলবু নুংশি খোঙফমদা মনিং তমহনগে নখ্রে

'ইমোম পোকপা ঐহাক্লি
হুইনীংসুম্বা মদন্নি

ইমোম পুক্লীং খঙদনা
নিঙোল মপাউ হংদনা
ঐনা পোকপা ইমোম্নি
থাজ ইনীং তমখ্রবোই
যোঞ্জ ইনীং তৌখ্রবোই।

(অহানবা উৎপা, লা ৪৬)

লীলাগী প্লোটকী শক্তমগী মক ওইৱিবা লংজিল অদু তোনুনি। মচানিঙোলবু হাক্কঞ্জবা পম্বৌনা, কৈশুমশঙদা কুবাউ হংলাক চন্দুনা লৈখ্রবদা, পম্বৌনা মনীং তমহল্লবসু লৈবাক নিংথৌগী কা থোকপনা তোনু তৌফম খঙজখিদে। মশাবী কদেংদা নুংশি পন লানসি হাযজবে। অদুবু লৈবাক্কী যাইফবনা মশামক্কী যাইফবদগী হেল্লি খঞ্জববা কদেংনা

"নুজা পাখং অপুম্বা
লৈবাক মাগী নত্তববা
ইবোমদোম্না মাঙনঙাই
লৈবাক-পান্না কান্নঙাই
ঐখোয মীনা তৌদনিঙাই ওইববা"

(অহুমশুবা মতাং, লা ৭৭)

মতাং অসিদগী লীলাগী অযৌবী থাক্কী ক্লাইমেক্স পুখত্তুনা ৱাবী পবীংগী খোঙজেন্দা মতোল যৌহল্লি, মূক্রবগী খম থেংবা মশক লাকই। মতম অদুগী নুপী ওইবীগী মনীং তমজদ্রবা নুংশি খোঙফম ওইবগা, পাম্মুবনা লৈবাক্কীদমক লেপখিবনা তোনু মৈনুংদা চোংশিনবা তাখি। মশাবু হৌজ হৌজ মমল কাহনবা তাখি।

কদেং ঃ
পম্বৌগী হংলাং শৎলুখো
নিংথৌগী লীকথাং যাকখো
ইবৈবাক লৈচাউ সেম্মুখো —
নিংথৌগী লীকথাং তাবগা
নথংলেন ঐগী খোঙ্গুল লীবকউ
নথংলেন ঐনা নিবিসে
পীনীঙাই ওইদববা নুংশিবি।

(অহুমশুবা উৎপা, লা ৭৯)

পুন্নমক পীথোকখ্রবসু কদেং থম্মোয পাল্লিবনি, নুংশি মশক খঙলিবনি অদুনা উক্রোং হোংবা মতমদা লৈবাক্কী লৈমা ফমথোন তল্লবী তোনুদা শঙাই অসি লৈমগীদমক কচ্চববনি

হায়না মশানৌনা তপচবা শাবু শীন্নবন্নগা ফমগুমজবগে হায়না চৎখি। অসুম্না ফংলিবা বাবীগী মশক অসি অতোপ্পা বাবীশিংগা যেংনবদা খেন্নবা কয়া ফংই। পণ্ডিত খবনা থম্বীবম্বদা অমদি শৈশক কয়াদগী ফংজবদা খেন্নবা কয়া ফংঙি। সবাংথেম ববমনিগী *তোনু লাইজিংলেম্বী,* হরাইবম নবদ্বীপচন্দ্রগী *তোনু লাইজিংলেম্বী* অসিদদি কদেং থাংজহনবনা শাবম চাম্মা ফাবা চৎখ্রিঙৈদা থাংজিংগী লাইপাউদগী তোনুবু লৈমা ওইনা পুখৎখি। মীনকেতনগী অসিনা কদেংনা লৈবাক্কীদমক্কি হায়দুনা তোনুবু লৈমা ফমথোল লৌহনখি। অদুগা অমুকসু কদেংনা মশানা য়াম্না ফমগুমদুনা লেপ্খি। মতুংদা তোবুংদা নিংথৌগা কৈগা শাথেংনববদা নিংথৌবু কনখি। থৌদোক অসিদগী অনীগী প্রেমগী মশক খণ্ডলবা নিংথৌনা লৈমা লৈচা শেত্তুনা তোনুবু কদেংদা পীখি। নবদ্বীপচন্দ্র অমদি ববমনিগীদনা থরায নুংঙাইখিদবদগী কদেং কোনুং কাবা ঙমখিদে অনা-লোয়দুনা লৈখি। শঙাই অমসুং থাঙ কৎলম্বা নুমিৎতগী কংলা কাখিদে। কদাংগী থৌইনশিন্দগী নিংথৌনা থাঙগী লীখুল থিকই। নিজবগুম যেক্রুম্লিবা কদেংগী শ ক্রুম্না লংজিল ওইদুনা নিংথৌনা পাউখোং ফোঙখি। থাবুম অহুমগী সনা লীকথাং নাউপুবিবী তোনুবু মচা শক্লা অওং অউন তমদুনা কদেংদা থাজখি। অইবা অনী অসিগী বাবী অসিনা মীয়াম্না হেন্না তানবা, শৈশকপশিংনা হেন্না শশক্লবা বাবী ওই। অইবগীনা খজিক তোপ্পা লৈ। লৈমা ফমথোল হাপ্পগী মতাংদসু কদেং থাংজহনবা অমদি কদেং ঙাকুংহনবা অনীনা শাফা-ঙাফা চৎখ্রবা মতুংদা অমাই হৎজবনা লৈমা ফমথোলগী লাইগী লাইপাউ হায়হল্লি। থওইনা শেম্বা প্লোটকী মশক মালহল্লি। চীনবূং সাহিত্যগী মশক ওইনা লৈবনা তোঙানবা মীশক খবদগী বাবী অসি তাবম্বসু যাই।

অদুবু যেংগদৌবিবদি লীলাদা পুখৎলক্লিবা শক্তমশিং অসিনা, লৈবাক্কীদমক খনবা, মশাগী ওইজবা থাদোকপা, অৱাংবা বাখল চেনবা মীওই ওইহনবা অসিনি। মসিমক অইবনা তোঙানবা খূৎশেম ওইনা পুথোক্লককপনি হায়বা যাই। কদেংনা লৈবাক নিংথৌ যাইফনবা খনবগুম তোনুনসু খনখি

> "সনা লীকথাংসিনা হেক তাবদা
> ঐগী বানিঙাই লোইবে।
> লোইদাম থাবুম খবদং মঙাযশিল্লক্রে"
> (অষ্টমশুবা উৎপা, লা ৮৮)

মমাঙদা কদেং, তোনু অনীনা নিংথৌগী ঈবু শীন্নবল্লগা শীমিন্নসি হায়না বাশক্লখি। তানুগী পম্ফৌ লাইজিংলাকপা পুথোক্লককপা মতমদদি মচাবু নুংশিজবা, শকখিবা বাশক ঙাক্না চৎপা, নুপা থোকপা মীশক ওইনা পুথোবকই ইনিংথৌমক্ক ফাও মুক্লবা ঙম্মী। পুন্নমক অসি নত্তবা অইবনা পুশিল্লক্লিবা লাইবেম্বীশিং অসিনি। মোইবাং শাযোনগী বাবীশিং

অসি থাংজিংগী লীলানি হায়না লৌনে। অদুনা লীলা মপুং ফারোয়দবা মতাংদা থাংজিংনা অয়াংলৈমা অমদি কোইরেল লৈমা কৌথোক্লুনা মতেং পাঙহল্লি। মসি শায়োন শৈশকশিংদা পল্লিবনি। মীনকেতননসু পাম্বোইবী, লম্লৈমা, ফৌওইবী, লৌওনবী অমসুং লৈপুন লাইরেম্মা পুশিল্লক্লুনা প্লোট শাগৎপদা মতেং পাঙহল্লি। অহানবা হৌগৎলকপদা নম্ফা লৌকোলদা (অইবনা চুমথোক্রম্বা) পাম্বোইবী, লম্লৈমা উন্নদুনা ফৌওইবী অকোংজাম্বগী লাংঙোল অমুক হৌরসি হায়না থৌরম পো শীল্লকই। অদুনা কদেংনা নম্ফা লৌকোল য়ৌরকপদা পূক্লিং নুংওলহল্লি, মপোক অমগী লোইশিনখিদ্রবা বারী মমি-শামি পূক্লিংদা মমি তাহল্লি। অসুন্না অমুক তোনু লাইজিংলেম্বীকুসু খোম্লেন মঙলানচাদা মপোক লাংওনগী বা নীংশিংদুনা ফৌওইবী ওইনা সাইকিদা চঙশিন্দুনা লীলা হৌরকই। অইবনা শীজিন্নরিবা টেক্নীক অসিনা মণিপুরী জাতি অসি লাংওনবু থাজবা জাতিনি হায়বদু শক্তাক্লকই। অতোপ্পা অমনা মীওইবনা তৌরি-ওইরিবা পূন্নমক মাগী মরাইবক্তা তমথ্রবনি, ঈশ্বরগী নোংদম হায়বা অমনা চিংদুনা পুরিবনি হায়বসু উৎলকই। খুদম ওইনা অহানবা মতাংগী মরিশুবা উৎপদা, লৈপুল লাইরেম্মা অমদি পাম্বোইবীনা ফৌওইবী অমদি অকোংজাম্বগী লাংওন ওইরিবা কদেং তোনু অনীগী মরাইবক শেম্নবগী বাতানরকই-

পাম্বোইবী ঃ
খোয়নৌ নংবু চান্নবী
কোলোয় নুংশি ফৌওইনু
নখোয়নৌ পাম্বোইবী ঐহাক্না
ঙসি কৌবা নোংসিদা
লাংনা পাদম তম্লগে
অপাম নাক্তা য়ৌজরো
নুংশি কাদা য়ৌজরো ও-দে (পুনগে তৌবা)

(লৈপুল লাইরেম্মদা)
ইখোয়নৌ করি মতৌ কৌবনো
শীঙেন্ন ফাইবোক শাৎলিনা

লৈপুল লাইরেম্মা ঃ
(লৈ পায়দুনা) উম খঙলে
হন্দকী লাঙোল্সিদসু
পাম্মু চাংজৌ মপা থুংলোইদৌরি
অপাম-নুংশি কাদা তনবা মীকোক 'মনা
তুরৈ ইরৈ চনগদৌরিদ (মমিৎ উইশিন্দুনা)

(লা. ৩৬)

হেলোয়শিংনা মেকবেথকী মরাইবক্কী মাইওন থিন-থিন্দুনা তাকপগুম লাইরেম্বীশিং অসিনা লাংওনশিং অসি শেম্নবা হোৎনবি। অদুবু মাইবীগী মওংগুম্না লাইফাও তৌরিবা, খুদম চাংদম্না থবক্কী থৌওংগী অফ-ফত্তা য়েংলিবা পুন্নমকশিং অসিনা মণিপুরী সংস্কৃতিগী মশক অমা তাক্লবা হোৎনৈ। অইবনা লীলা অসি লোনগীদমক যেংদুনা ইবনি হায়বগা লোয়ননা, মণিপুবগী কলচর অমসুং সংস্কৃতিগী মশকসু পুথোক্লবা হোৎনবগী মমি উবা ফংই। লাইজিং লাকপগী মরানযাইদা অশৈবা লাকহন্দুনা মৈতৈগী শৈশক-শৈদা শক্তুনা উৎনবা হোৎনৈ। *সীতা বনবাস*তা সংস্কৃত বাহে মরাং কাযনা শীজিন্নরবসু লীলা অসিদি মণিপুরগী অরি-অনৌ য়ানশিন্নবগী ফজববা চীংলেন্নবা বাহৈগী শক্লোন উবা ফংঙি। ফোক থিমদা মপুং ওইবা ড্রামাশিং অসিগী ফজবসু অসিগুম্বা লোন অসিগী মতেংননি। তৎপা লৈতনা চেষ্টরিবা তুরেলগী ঈচেলগুম অরি-অনৌ তিনশিন্নবগী শক্তম্না ছন্দগী ঈচেল অমা নাইহল্লকই। শৈরেংগী ফোর্মদা লোইনমক শেমখিবা মবমনা তাবদা নুংশিবা সুর অমা ঈবোয়নৈ। অয়াম্বা পরেংশিংদা মাত্রা ৭/৭ অমদি ৯ থম্নবা হোৎনবা উই। পয়ার ছন্দগী মশক তাক্লবা হোৎনৈ। কবিগী লোনশেম ময়াম অমা থম্লবসু অরি-অনৌগী লোনগী শক্তম অদুগা হেন্না চাশিন্নবা থোকখি। খুদম অমত্তং লৌখৎলবদা -

অশৈবা ঃ

নদাই ঐদি অশৈফম কাজরম্বনি
ইপারি, ইমোম শাত্তবগী হৌনশা
অহল মতম ওইনঙাই
কৈরাং য়েংই ফৌগাংলে
ফুরাং য়েংউই চেঙ্খল্লে
তরা চইন বাৎপনা
শৈরাংজগে লাক্রিয়ে

(লা. ৪০)

অমুকসু অনুপ্রাসকী ফজরবা মশক মতাং মতাংদা শেমদুনা পুথোক্লি। ওক্সুবাকপনা তোনুগী পীবুকনুংদা য়াওখিবা সনা ঈবু নীংশিংনবা হায়খিবা মতাংদা ঃ

সনা লীকথাং তৎফদে
লীকথাং লীকখুল মুৎফদে
ওক্সুরাকপা ঐগী থাংফম
কংলাগী লীক্লাইয়ুম্বীদা তাহৌরসনু

(লা. ১০২)

অমুকসু ওক্সুরাকপগী ৱাহৈদা ইমেজরি অমদি লোনশেম কয়া শীজিন্নরি।

য়োইময়াই অঙানবনা
লোইবি নম্লোল তমখিনিঙাই
তোর্বুং ফিবক্ক খুমখরেদো
য়াংদৌ কদোম পাংসি হায়বা
লময়ান্নিঙাই ওইরে ইশানৌ
অসিনচিংবা।

লীলা মশানা শৃঙ্গার রসকী অথোৎ-অমেঙগী ৱারী ওইবগা কবিগী কবিত্ত্ব শক্তিগা পূনবগা শৈরেংগী ফজববা মশক অমা লীলাসিদসু উবা ফংঙি। *সীতা বনবাস* কুম লৈবাক্কী ওইনা অকনবা মূক্সবা য়াওদে অদুনা অকনবা প্লোটকী শক্তম য়াওবা লীলা ওইদে।

বরমনিগী ক্যারেক্টরগী মিংথোলগা, অইবগী মিংথোলগা খরা খেন্ননা উবা ফংই।

পেনু --- থোইনু
লাইজিংনিংথৌ — মোইরাং নিংথৌ
ওক্সুরাকপা — ওকচিল্লাকপা অসিনচিংবা

ক্যারেক্টর শাগৎলকপদা বরমনিগুম মতিং লৈনা পুথোকপা ৱাৎলি। ববমনিগী ওকচিল্লকপগী মতেক অমত্তং লৌখৎচগে ঃ

অঙম্বা 'ইথৌ থোক্কে থোকসনু থোকলোই তোকসনু! কেগে লৈবাক লৈচাউনবা মোইরাং ঙাহোং চাকহোংনবগীদমক নমোম তোনু লাইজিং লেম্বীবু লিক্লাই লিকথাং ওইহনগে। *শরিসো* ইবুধৌ থাংজীংনা খঙসনু। লৈবাক ৱানা থৌবরা অঙম্বা শরিনা উইবরা য়েংনসি। (তরাশুবা উৎপা, লা. ৩৬) অদুবু শৈরেংদা শৈরেং ওইনা ক্যারেক্টর খূদিংমক আর্দশ ওইনা উহল্লিবা কবিগী লোন অমুক য়েংবিসি ঃ

ওক্সুরাকপা ঃ
শানৌ লাইজিংলাকপা
করি নপাউখোন্নদ!
মোইরাং লৈমরোল ৱাৎপরা?
খয়ুম মাগী মপাউখোল
নুবা নিংথৌ মিংখৈ মিংৱায়নু
থিবনিদা ইশানৌ।
কেগে লৈহোঙনবা

মোইবাং লৈচাউনবা
লৈমা সানা ওযদা থ,
নিংথৌ তাংবল নাপ্প যা
সনা লীকথাং যানঙাই
নমোম থাংবা যাদনিঙাই ওইববা।

(অনীশুবা মতাং, লা ৬৩)

অইবনা এক্সনগী মহুত্তা বাবী লৌদুনা প্লোট শাগৎনবা হোৎনবনা অথোৎপা বাহৈশিং অসি লাক্লিবনি। অদুনা অইবগী প্লেশিংদি পোইটিক প্লেদা কবিতাগী ফজববা মচাক্লা শাগৎপনি। অসিগুম্বা ফোক থিমদা নুংশি-নুংওনগী ওইবা লীলাশিং পুথোক্লবকপা অসিনা ভাবোকশিংদা অঙকপা ঈহৌ ওইহনখি। মসিদগী অনৌবা মণিপুবী বোমান্টিক দ্রামা থোক্লকনীংঙাই মবম ওইখি হাযবা ফাওবা যানখি।

This trend gave birth to a new wave of plays based on love with modern society as the background and also with a slant of social criticism and there was indeed a competitive spurt in producing such works from the pens of mostly actor – play wrights

History of Manipuri Literature – Ch Manihar P 244

পূনশিন্না যেংলবদা লীলা অনী অসিদা কবিনা জগৎ কলল্যানগী বাখল অমদি মইবাক্লীদমক হনবনা। মশাবু কগ্গ কপা ঙম্বা পনচেল উৎনবা হোৎনৈ। মীপুম খুদিংমক আদর্শ ওইহন্নী বনা অকনবা পঙাঙ অমত্রা শীন্নদে অদুনা ক্যাবেক্টবশিং থোৎনা মেংনা চথলি। কবিগী লীলা অনীমক শান্নখিবনী শোক তাবিক পনবিবমদে। অদুবু মৈতৈ ড্রামাটিক ইউনিযননা (১৯৩২ ৩৬) চিংঙাখম মযুবধ্বজগী মমাও শঙ্গোযদা লৈবিঙৈদা অশাংবম মীনকেতনগী ভাগ্যচন্দ্রনা ইহান হান্না উৎখি হাযনা অযেকপম শ্যামসুন্দবগী মণিপুব শুমাং লীলা অমসুং থিযেটবদা পল্লস্মী। অমবোমদা মীনকেতন সেলেব্রেসন কমিতিনা পুথোকপা সোভেনীবদা এম ডি ইউ গী ফাউন্দব মেম্বব, এক্টব ওইবদা নওনা ড্রামা ইবা মীশক অমসুনি হাযনা পনবিবম্মী। অদুনা লীলাশিং অসি শান্নবম্বসু যাবি নৎত্রগা অতোপ্পা লীলা শোযদনা শান্নবমগনি খৈঞ্জ।

সীতা বনবাস তা নোংপোক অমদি নোংচুপকী মফোঙদোক্নী মতেং লীববসু কবিগী মিৎযেংদি তোপ তোপ্পনি। ক্যাবেক্টব খুদিংমক্লা মশা মশানা জগৎ সংসাবগী যাইফনবনি হাযবগী বাখল চেংহন্দুনা মথৌ তৌহল্লি। বাম অমদি বদেং থাংজহনবা

পুথোবকপসি মবৈবাক নুংশিবা উৎনবা পুথোবকপনি। *তোনু লাইজিংলেম্বী* দা কবিগী ইমা লৈবাক নুংশিবগী বাখল শব্দোক্তুনা লৈবা উই। শাবী শানৌগী নুংশিবগী মকমদা লৈবাক্কী ওইবা লুববা বাফম লোৎতুনা যাওবি। মবম অসিমক্তদগী লৌখৎলিবা ক্যাবেক্টব, শীজিন্নবিবা টেক্নিক মণিপুবগী কলচব, সংস্কৃতি উথোক্লবা হোৎনবকই। তশেংনা হাযববদা মীনকেতনগী দ্রামা অনী পোইটিক ড্রামানি কবিগী ঈং তপ্লবা মবৈবাক নুংশিবগী ৱাংলবা ৱাখল পুদুনা চৎলিবা লোইনাইদ্রবা কবিতানি। ❑

মশাগী পুন্সি ৱারী ইবা অমা ওইনা মীনকেতন

ডা. থোকচোম ইবোহনবী সিংহ

মণিপুরী সাহিত্যদা হৌজিক ফাওবা চাউজন থীবা সাহিত্যগী মচল অনীখক লৈরি। মখোয় অনী অদুদি - পুন্সি ৱারী (বাইওগ্রাফি) অমসুং মশানা ইবা পুন্সি ৱারী (ওতোবাইওগ্রাফী)। অনীমক অসি পুন্সি ৱারীগী সাহিত্য হায়বদি বাইওগ্রাফিকেল লিটরেচর হায়নসু খঙনৈ। ঐখোয়গী সাহিত্যগী পরম্পরা হঙ্গৎনা য়েংলুবদা অসিগুম্বা মখলগী মপূং-মরৈ ফারবা সাহিত্যগী খূৎশেম পুথোকপা শরুকইরবা ৱাক্সা থোকখিদে। পুন্সি ৱারী হায়বসিসু সাহিত্যনি, কলানি হায়না থোইনা হকচিন্না খন্নরক্তবগুম তৌই। *দি ওক্সফোর্দ দিক্সনারী* দা পুন্সি ৱারী (বাইওগ্রাফী) বু অসুন্না মশক তাকই ঃ "The History of the lives of individual men as a branch of literature." মসিগা হাইরপ মান্নবা মওংদা হেরোল্ড নিকোলসন্না পুন্সি ৱারী হায়বসি কনাগুম্বা অমগী অচুম্বা থৌদোকশিং কলাগী খূৎশেম অমা ওইনা লাচনবনি হায়না শীংথাই। পুন্সি ৱারী পারগা ঐখোয়না মী অমগী মতীক মহল, পুন্সিদা পাঙথোকখিবা থবকশিং, মায়থীবা অমদি মায় পাকপনচিংবা খঙবতা নত্তনা মী অদুনা লৈরম্বা সমাজ অদুগী অওইবা মশক অমসু খঙবা ঙম্মী। মতাঙ অসিদা থোমাস করলাইলগী History is the essence of countless biographies হায়বদু নীংশিংবা য়াই।

মশানা ইবা পুন্সি ৱারী হায়বসিনা ঐখোয়গী সাহিত্যদা খ্বাইদগী অতাঙবা সাহিত্যগী মচল অমা ওইনা লৈরি। ঐখোয়গী সাহিত্যগী অঙনবা অমসুং ময়ায় চনবা মতমদা অসিগুম্বা মখলগী খূৎই অমত্তা উবা ফংদে। অমতং পনবা তারবদি লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহলগী *জীবন চরিত* (১৯৭৫) নি। অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী মাঙজিল থাবনি। মশানা ইবা পুন্সি বারী (ওতোবাইওগ্রাফি) হায়বসিনা অহানবা হকথেংনবা লৌশিংদগী থোকপনি, বাইওগ্রাফি (পুন্সি ৱারী) হায়বসিনা অনীশুবা হকথেঙনবা লৌশিংদগী থোকপনি। ঐখোয় অয়াম্বনা মশানা হকথেঙনবা লৌশিংদগী থোকপা পোৎশকপু হেন্না মমল লৈনা লৌনৈ। কনাগুম্বা অইবা অমদি অখঙ-অহৈনদি মশানা ইবা পুন্সি ৱারীদা ফংলিবা অসিদগী

হেন্না অচুম্বা অমা অতোপ্পা খূৎইদা ফংদে অমসুং মসিদগী হেন্না নুংঙাইবা অমা লৈতে হায়না ফোঙদোক্রম্মী। মসিগী মখল খবদি ডাইএরী, চিঠী, মেমোযব, জর্নেলনচিংবা অসিনি। মখোয অসিদা অইবগী পুন্সিদা থোকখিবা মকওইবা থৌদোক কয়া লাচল্লি। তৌবদি মশানা ইবা পুন্সি বাবীগা ডাইএরী নৎএগা জর্নেলগুম্বা অইবগী লনাইবা ইবা পবীং নাইবা রাৎপা খূৎই মখলশিং অসিগসু খেন্নে। মেমোযব হাযবা অসি মণিপুরীদা 'পুন্সিগী নীংশিং বাবী' হায়না খঙনবা যাই। মসিনা অইবগী পুন্সিংদা ফাওবা মীশকশিং নৎত্রগা থৌদোকশিংগী কাউঙমদ্রবা ইম্প্রেসন অমা মযেক শেংনা পীবা ঙম্মী। মসিদা মব ওইবিবদি অইবা অদুগী পুন্সি নত্তে, মহাক্না থেংনখিবা কাউবা ঙমদ্বা থৌদোকশিং, চবিত্রশিং অদুনা মপূংনি, অথোইবনি। মশানা ইবা পুন্সি বাবী (ওতোবাইওগ্রাফি) দদি অইবা অদু যাম্না মকওইবা ঈবম অমা ওইবকই, মহাক্কী নুংগী অমসুং মীযামগী ওইবা পুন্সিগা মবী লৈনবা কয়া উৎলকই। বাতৈ অমবোমদা হাযবগা মসিনা মপানগী তাইবঙদগী মশাগী নুংদা, ওবজেক্টিব ওইবা মায়কৈদগী সবজেক্টিবলোমদা চঙশিল্লি।

মখল মখাগী শিনফম পাযবা শীওইশিংনা মখোযগী পুন্সিদা হকথেংনখিবা কয়া মশানা হৈনজবা খূৎইদা ইবম্বনা মসিগী মখল যাম্না যামই। মীনকেতনগী *পুনশিগী শক্তম* (১৯৮০, ১৯৮৩) লাবোল অহানবা অমসুং অনীশুবা কৌবা লাইবিক অসিসু তোপ তোপ্না ফজববা মশানা ইবা পুন্সি বাবী অমনি। হাযনবা লৈ অসিগুম্বা সাহিত্যগী খূৎশেম অসি কৈদৌঙৈদসু মপূংফানা লৈইশিনবা ঙমদে। মসিগী মরম অমদি অইবা অদুগী পুন্সি লৈইদ্রিবৈ মমাঙদা ইবা লৈইশিনখিবা অদুনি। মীনাকেতনগী লাইবিক অসিদসু মপূংফানবা অমদি অদুম মযেক শেংনা উবা ঙম্লে। *পুনশিগী শক্তম*গী অহানবা লাবোলদা মপূংথোইনা পল্লিবা মতম অসি অং... পোকপ খুঃ ১৯০৬ গী। মমাঙ চন্দ্রকীর্তি মহারাজগী মতমদগীনা মশাগা চহী ... ৬ শুবা যাওবদানি, অনীশুবা লাবোলদা অইপনি। মোইরাংথাম স্কুলদা উচ্চ প্রাইমারী তম্বা মতম ফাওবগী মতাং যাওই। অইবনা মপূং মবৈ ফাবা পাথং ওইবকপা মীযাম চল্লকপা অমসু অতল ওইবকপা মতমদা থেংনবকাখিবা মকওইবা থৌদোকশিং, অইবা অমা ওইনা হকথেংনবকখিবা কয়া অদু ঐখোযনা মপূংফানা লাইবিক অসিদা উবা ফংদ্রে।

মীনকেতনগী মশানা ইবা পুন্সি বাবী অসি চুম্না অইবগী পুন্সিগী শক্তম অমা পীনবা হোৎনবতা নত্তনা মহাক্না পোকপা মতমগী সমাজগী শক্তম অমা মবীক চুম্না পীনবা হোৎনবা যাম্না মমল যাম্লবা লাইবিক অমনি। মসিদা মণিপুরগী ইতিহাস অমসুং সংস্কৃতিগী মকওইবা বাফম কযামুক যাওবি। লাইবিক অসিগী অহানবা লাবোলদা মতাং তবাতবেং যাওই। অহুমশুবা মতাং 'পোকফম' হাযবসিদা অইবগী পোকফম, পাবী পুবী, মহৈ মশিং

তম্নকপা, মণিপুর ইষ্টিট্যুসন লিংখৎপা (চুড়াচান্দ হায়াব সেকেন্দরী স্কুল), স্কুল অসিদা ওঝা ওইবকখিবনচিংবা লীবি। মবিশুবা মতাং "ইপা পোকপা ইপু" হায়বসিদা অইবগী পল্লৌ পোকপা মপু খোংজোম লান্দা সুবেদার ওইখিবা, লান লোইববা মতুংদা বৃটিশ সরকারনা আন্দামান্দা চহী কুনগা মণ্ডা লোই থাখিবা, লোইগী মতম লোইবগা মবৈবাক্তা অহল ওইবগা হল্লকপা অশাংবম ফুবা হোংবগী থোইদোকপা মতীক মথৌনা শিগদবা নুমিৎফাওবা হায়বা ঙম্বা বাধা লীবি। কালাপানীদা ফাদোক তাকহবশিং মীকোকশিং, মখোয়না কমদৌনা মফম অদুদা শাংলবা মতম লেনখিবা হায়বনচিংবগী মকওইবা থৌদোকশিং থাব। তবামবি অমসুং তবাতবেংশুবা মতাংদসু অইবগী লনাইগী ওইবা পুক্নিংগী থৌদোকতা ড়না মণিপুরী সমাজগী মাংগ অমসুং ইতিহাসকী ওইবা মকওইবা থৌদোক কয়া যাম্না মবীক চুম্না থাবি। তবামবিশুবা মতাং অৱাবা নংবা অহানবা হায়বসিদা খৃষ্ট কুম ১৮৯১ গী মতুংদা বৃটিশনা মণিপুর লৌববা মতুং চুড়াচান্দ মহারাজনা পানবা মতমদা শাসনগী লমদা অচৌবা যাওন অমা লাকখিবা, শঙজাবায় কানগী পথাপ মুৎথৎখিবা, মতম অসিদা অহল লমনশিংনা মচা মশুশিংবু নোংচুপলোমগী মহৈ মশিং তমহনবগী ৱাখল কয়া চঙখিদবা, তমহল্লুবগা শা চাবক্কনি যু থকলক্কনি হায়বগী চিংনবনা মচা মশুশিংবু অয়াম্বনা স্কুলদা থানিংখিদবা, অমবোমদা তম্নবা স্কুলসু মবাং কায়না লৈখিদবা, পুং ঈশৈ বৈষ্ণব গ্রন্থনচিংবা তম্বদা হেন্না পূক্নিং চঙনখিবা। - অসিগুম্বা মহৈ-মশিং তম্বদা পূক্নিং চঙদবা নহাবোল কয়ানা খুনু তুনবা, চৌবব শান্নবা শগোল তান্নবনচিংবা শেল থানবি মশান্নশিং অসিদা থৱায় যাওবা লমহেনবা মীওইশিংগী মশীং যাম্লকখি। মফম খুদিংদা জুৱাব ক্ষেপ লিংখৎতুনা জুৱাব শান্নবশিংনা পুলিস উবদা কোয়চেল চেন্দুনা লোংখি। অইবগী যুমদসু জুবাবী অমা অনী পুলিসনা তান্নবকপদগী লোংখি। চৈবদা শাউববা লমহেনবশিং অদুনা নোংমা অহীং অমা অইবগী যুম মৈ লোন্না থাদোকখিবগী ৱাবী থম্মোয় শোক্লা লীবি। তবাতবেংশুবা মতাং 'ঈশৈ অমা' হায়বসিদা অইবগী অঙাং ওইবিঙৈগী কাউঙমদবা থৌদোক অমা লীবগা লোয়ননা মসিগা লৈবাক নিংথৌগী ওইবা ৱাফমগা লৈনবা মবী অমসু পুথোক্লি। নবসিংহ মহারাজগী মচা ইবুংঙো লৈবাক্লা হাইস্কুল লাকপা নিতাইবাত্তাবা হায়না নুংশিনা শোন্নখি। মীশক অসিগী থোইদোকপা মতীক মগুণ, মহাক্লা নিংথৌ খুভম ফংফম থোকপদা পেব্যা পণ্ডিতকী খুজিন্না নিংথৌ খুভম ফংখিদবা, হাজাবিবাগতা লোই থাখিবা লৈবাক্লা নীংঙমদনা শোন্নখিবা থৌদোক মবীক চুম্না লীনি। অইবনা মমা পোকপা মবেন নিতাইবাৎ তাবা সনখ্যাগী ঈনি খঙলকপদা মবেনগী অশেংবা শক্তম খঙলকপগী নুঙাইবা অমদি নীংঙমদবগী বাখল ফোংদোকই।

পুনশিগী শক্তম (লায়োল অনী) দা মতাং নিপাল খাযবি। মখোয় অদুদি ঐখোয়গী মতমগী মমাঙ, সমাজগী মীথিৎ অমসুং থাক, সমাজগী শিক্ষা দীক্ষা, ইশাগী শিক্ষা দীক্ষা,

বৃনাম চৎপা, স্কুলদা অমুক, পুনশিংগী য়াওল অমা অমসুং লীকয়াল পরেং। অহানবা লারোলগা অনীশুবা লারোলগা অনীগী মরক্তা চাউনা খেন্নবা অমদি অনীশুবা লারোলদনা অইবগী লনাই পুন্সিগা মরী লৈনবা থৌদোক লীবদগী সমাজগী য়াওন মশক তারুবা হোৎনবদা হেন্না পূক্লিং চঙবা হেল্লি। অহানবা মতাং 'ঐখোয় মতমগী সমাজ' হায়বসিদা অইবনা খৃষ্টগী ১৫ শুবা চহী চাদা ভাবতর্তী নব্য বৈষ্ণব ধর্ম্মগী ঈহৌ অমা লাকখিবা, মসিগী ঈরাঘ ঈনিল ঐখোয়গী লমদম অসিদা য়ৌরকখিবা, মতম অসিদা মণিপুরদা পানখিবা মৈদিংঙু ক্যাম্বনা পোং নিংথৌ চৌফা খেখোম্বাদগী বিষ্ণুগী মুর্ত্তি মচা অমা খূদোল ওইনা ফংদুনা ফুরা শাদুনা লাৎপা হৌখিবা, মথঙদা খৃষ্টগী তরাতরেৎ শুবা চহীচা লোইশিল্লকপা ১৮ শুবা চহীচা চঙলকপা মতমদা মৈদিংঙু চরাইরোংবগী মতমদা কৃষ্ণমন্ত্র দীক্ষা লৌদুনা বৈষ্ণব ধর্ম্ম পাক চাউনা চৎলকখিবা, মচা ইবুংঙো গরিবনিবাজগী মতমদা রামমন্ত্র দীক্ষা লৌদুনা বামান্দী ধর্ম্ম চৎখিবা, অদুবু জয়সিংহগী মতমদদি বৈষ্ণব ধর্ম্মনা মরা চেৎনা তাখিবগী ইতিহাস অমা মরীক চুন্না পল্লি। মীনকেতননা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মতমবু বৈষ্ণব ধর্ম্মগী সুবর্ণ যুগ হায়না কৌই। অইবা অসিনা পোকপা মতম অসি ফাওবা চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজ সনা হাক্তক্কী অথেঙবা বৈষ্ণব সমাজগী মশক অদু ইকায় কায়দ্রি হায়না ফোঙদোকই। অইবগী ৱাহৈদা,

> "কুনশুবা শতাব্দীদা খোঙদাববসু লৈরি ধর্ম্মগা সমাজগা অনীদি অদুনোং তবাগা মাপলশুবা শতাব্দীগী মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তিগী যুগতা অদুম। অদুনা, কুনশুবা শতাব্দীগী চৈগোক্তা পোক্লুবা ঐখোয় লোল খবদি তরাগা মাপলশুবা শতাব্দীগী বৈষ্ণব সমাজনা কোল্লকই, মাগী শেগাদা অদুম চাউবকপনি। অমরোমদা হায়রগনা কুনশুবা শতাব্দীগী চৈগোক্তি তরাগা মাপলশুবা শতাব্দীগী ধর্ম্ম অমসুং সমাজনা পুই।" (লা. ২২)

অনিশুবা লারোলগী অহুমশুবা মতাং সমাজগী শিক্ষা দীক্ষা হায়বসি পাবা মতমদা লাইরিক অসি মশানা ইবা পুন্সি ৱারী অমনি হায়সি কাউথোকখিদুনা মণিপুরী সমাজগী য়াওল মরীক চুন্না তাকপা ৱারেং অমা ওইনা পূক্লিংদা ফাওই। অইবনা চাউরকপা মতমদা বৈষ্ণব শিক্ষা দীক্ষা অনীমক চৎপগী মবমদা শন্দোক্লা নৈনৈ। গৌড়ীয় বৈষ্ণব ধর্ম্ম নীংথিনা মশক তাকপগা লোযননা ধর্ম্ম অসিগা মবী লৈনবা পুং ঈশৈ জগোয়গী কলাদা থৱায় য়াওনা তম্নবকপা, কলা অসিনা ভারততা তোপ তোপ্পা খূদোল ওইনা তম্লকপা মরীক চুন্না লী। মরিশুবা মতাং 'ইশাগী শিক্ষা দীক্ষা' হায়বা অসিদদি অইবনা লনাই হকথেংনখিবশিং (Personal Experience) পরীংনাইবা মওংদা ফোঙদোরকপা উবা ফংই। কবম্লা লাইরিক তম্বা হৌবকপা, বিদ্যারম্ভগী মওং, লাইরিক মতম্বী, স্কুল কাবদা শেৎপা ফিজোল, পেট্রিগ্র স্কুলগী মিং চনবা, স্কুলগী ফিভম, পরীক্ষাগা মওং মতৌনচিংবা কুপ্না লীরী। মঙাশুবা মতাং 'বৃনাম চৎপা' হায়বা অসিমদি অপাবশিংদা তোপ তোপ্না

লমকোয় ৱারীগী মহাউ পীবা ঙম্বা মতাংনি। মধৌ অমদি মবোক্না পুদুনা স্কুল তম্বা হৌরকপদা ঙাইরিঙৈদা অইবনা বৃন্দাবন চৎপগী অৱা নুংঙাই খোঙ গাড়ীনা অহানবদা খোঙশাল্লগা পোৎনেক পুদুনা খোঙনা মণিপুরগী চীং লম্বীশিং ফাওদুনা লক্ষিপুর তাবা, মথংদা জিলা (সিলচর) চঙবদা নুমিৎ তরেৎনি চঙবা, রেল ষ্টেসন য়ৌবদগী রেল গাড়ী তোংলগা হাওরা তান্না লাকপা, মথঙদা কানপুর যৌরগা, মফম অদুদগী অমুক মথুরাগী ষ্টেসন য়ৌবা, মথংদা তোঙ্গা অমদা তোংলগা শ্রীকুণ্ডদা থুংবগী ট্রাভেল একাওন্ট অমা পীরি।

চুম্না পোঙচৎ অদুগী পাউদম অমা ইতিং তিম্না পীবতা নত্তনা খোঙচৎ অদুদা উখিবা মণিপুরগী চীংগী য়ুম্বাল, প্রকৃতিগী ঙক্না ফজবা শক্তম, অচিকপা অইংবা অমসুং শিয়ালদহ, হাওড়ানচিংবা ষ্টেসনচিংবগী মীয়াম মীনিন উবদা পুক্নিংদা ফাওখিবশিং নীংথিজনা ফোঙদোকলি। মতাং অসিদা অইবনা থারিবা য়াম্না মরুওইবা থৌদোক অমদি শ্রীকুণ্ডদা থামুক লৈবদা নিংথেম অমনবা উন্নবা ফংলকপা অসিনি। মিং অসি কুলচন্দ্র মহাবাজবু খঙনবনি। খোংজোম লাল লোইরবা মতুং কালাপানীদা চহী তরাগা তরুক লোই কুম্নুরবা মতুংদা মবুধৌ মহারাজ গম্ভীরসিংহনা কৎলগা বড়ী কুঞ্জদা বাস তৌদুনা লৈবনি। কুলচন্দ্র মহারাজ উবদা ফাওখিবা ৱাখল অদু অইবনা ফোঙদোক্লি -

> "খঙলে ঙসিদি মতিক মঙল মঙাল মতম্না লোইনা হুরবা নিংথৌনি মাদি। মপুনশিদা নিংথৌগী দুঃখান্ত লীলা শান্নবা লোইরবনি - তারবনি অরোইবা যবনিকা। মথং ইনুংগী মঙ তম য়াচঙবনা লেমলবা ৱাখোঙ লোম্লবা কোরৌনি।" (লা. ১২৯)

তরুকশুবা মতাং 'স্কুলদা অমুক' হায়বসিদা এল. পি. স্কুলদা তমলিঙৈগী পুঙ্গি, গৌড়ীয় বৈষ্ণব সমাজগী অমাঙ অশেংগী অকনবা নিয়ম, সাহেব অমদি বেঙ্গলীশিংনা অচৌবা ফম পায়রগা মণিপুরীশিংনা মখা থানা লৈবা, ধর্ম্মগী ৱাখল চেনবা মণিপুরীশিংগী পূক্নিং ফাথবা ঙম্বা, মতম অদুগী হরাও কুম্মৈ, দোল পূর্ণিমা, হোলি, থাবল চোংবা, য়াওশঙ কোয়বনচিংবা নীংথিনা থাই। তরেৎশুবা মতাং 'পুনশিগী য়াওল অমা' হায়বসিদি হৌজিক্কী মীরোলনা খঙবদা নুংঙাইবা অর্থদা কান্নবা মতম অদুগী লাইরিক মতম্বী ওজা অমদি ছাত্র অনীগী নকথ্রবা মরী মযেক শেংনা পল্লি। অরোইবা মতাং 'লিকয়াল পরেং' হায়বসিদা অইবনা অঙাং ওইরিঙৈদা থেংনহৈবা, নীংশিংহৌবা মীশক, থৌদোকশিং, মণিপুরদা ঘড়ী শিবা হৌনরকখিবা, বায়স্কোপ, সিনেমানচিংবা মশক খঙবা হৌরকখিবগী ৱারী লীরি।

পুনশিগী শক্তম (অহানবা অমসুং অনীশুবা লারোল) অসি পারগা মীনকেতন কবি অমা ওইবতা নত্তে, পণ্ডিত অমসুনি হায়বসি য়াম্না ময়েক শেংনা খঙবা ঙমই। মহাক্না অঙাং ওইরিঙৈদা পোকপা পম্বৌগী যূম রাংখৈ অশাংবম লৈকাই থাদোক্লগা যাইস্কুলগী

শৌগাইজম লৈবক মাইবা লৈকাইদা লৈবা মধৌগীদা অপোকপীগা লোযননা লাকখিবগী মবম, মদুদা থেংনখিবা লাইবক থীবা থৌদোকশিং অমসুং নুংঙাইবা থৌদোকশিং লৌথুপ লৌকোই লৈতনা মবীক চুম্না লীবি। পঙ্থৌনা ঠিকাদাব অমগী জামিন যাব্বদগী এজেন্সি কোর্টনা দম ক্রোক চঙদুনা মবল মথুম পূম্নমক মৎখিবা, ইমুং মাঙ-তাকখিবা মদুগী ফলনা পঙ্থৌনা যুম থাদোক্তুনা কাংপোর্কপিদা লৈখি মীবক তিনবা ফংদনা। মসিদা অইবনা পূক্লিংদা ফাওবকপা পুন্সিগী অঙকপা মশক অদু ফোঙদোকলি

'অমম্বনি অমম্বর্মাক্ল মীওইবগী পূনশি খোঙফম। যাইফনা পোকই ইপানা হিংই পিদোন্না, পিদোন্না পোকই ঐনা, হিংই যাইফনা। নোংমা, ইমুং মাঙ-তাকউ-চঙক মাঙ তাকপা অঙাংনি হাযনা পাউথোক্লখিবা ঐনা ফুংগা লেপ্লবি, শাগেগী মাইবোং ওইবওম তৌববি।

অইবনা মহাক্না চাউবকপা মতমগী শিক্ষা দীক্ষাগী মতাংদা ফোঙদোকপদা - "নিপা ওইবা অমনা যামদ্রবদা লাইবিক মযেক খিওং চৎপা, পুং ঈশৈ মতেক অমা শকপা যৈবা ঙম্বা, অদুগুম, নুপী ওইবী অমা ঈশৈ মতেক অমা শকপা শোনবা ঙম্বা অসিনা ওইখি সমাজগী শিক্ষাগী মিৎযেং, দীক্ষাগী পান্দম।"

মীনকেতননা পুন্সি বাবী অসিদা ফোঙদোক্লবা কন্না হোৎনবিবা অসি মশাগী পুন্সি অসিখক নত্তে, মপুং ওইনা মহাক্না চাউবকপা মতম কুনশুবা চহী চা অসিগী অঙনবা শব্দক্তা মণিপুবদা ওইবম্বা সমাজ অমসুং সংস্কৃতিগী মশক, ইতিহাসকী ওইবা থৌদোক অমসুং শিক্ষাগী যাওলনচিংবা অসিনি। মসি মশাগী ওইবা ষ্টাইল অমদা লীবকপদা কবি অমদি পণ্ডিত ওইবগী পাক-চাউবা লৌশিং অদু নীংথিনা উবা ফংই। পুন্সিগী অবাবা অমদি নুংঙাইবা থৌদোক কযা থাবদা ভাবতকী মমাঙঙৈগী ঋষি কবি কযাগী শৈবেং, বিশ্ব কবি ববীন্দ্রনাথকী শৈবেংশিং অমদি নোংচুপকী কবি গেতে, টেনিসন, সেক্সপিযবনচিংবগী শৈবেংশি অমসুং মশানসু শৈবেং ওইনা মতাং চানা চানা হাপ্তুনা মবীক চুম্না অইবগী পূক্লিং ইহুল ফোঙদোকই।

নুংঙাইবিবদি পুন্সি বাবী অসিদা হৌজিক্কী মীবোলনা কাউথোক্লখ্রবা অইবনা অঙাং ওইবিঙৈদা উহৌবা, তাহৌবা মখল মখাগী মীওইশিংগী শক্তম কযা অমসু যেক্লিবা অসিনি। অইবগী অপোকপা, অপোকপী, মধৌ, মবেনতা নত্তনা লৈবাক্না শকখঙনববা ফম্নাইবা, অপাল অপিলশিংদগীনা শীংথাবা যাবা মীওইশিংদা চনদবা কৈথেলগী অঙাওবা অঙাওবী ফাওবগী শক্তম চিংথদনা যেক্লি। অইবগী মপা পোকপা মপু ফুবাহোংবা, নিতাইবাৎ তাবা সনখ্যা যাইস্কুল লাকপা, চিঙাখম নোংথোনবা (ইবুংঙোহল) বাবী লীবা ঐজ্ঞা তম্ফাজাও, ঙাসেপ্পা, তাইবংজাম্বা, বাধামোহন, মোদোলৈ অঙাওবী, পেট্রিগ্রু স্কুলগী হেড পণ্ডিত

থিয়াম রাধাকিশ্বর সিংহ, চীংঙাখম সনাজাউবা নচিংবা কয়াগী শক্তম য়েক্লি। মখোয় অসিগী শক্তম চঙ চঙ লাউনা য়েকপা অসিনা হৌজিক্কী মীরোলদা হৌখ্রবা মতম অদুগী মীওইশিং মশক খঙহনবদা নত্তনা অইবগী মরমদা হেন্না নীংথিনা খঙবা ঙমহল্লি।

মশানা ইবা পুন্সি ৱারী অসিদা মীনকেতননা শীজিন্নরিবা অসি মপুং ওইবা লোল মখল অনীনি - বাংলা সংস্কৃত য়ানশিল্লবা মণিপুরী, অমনা লোনয়ান য়াওদবা তরু তরুবা মণিপুরী লোনগী মশক অমা। অকোনবগী অসিদি ঙাঙ্গোয় পরেংগী লোন হায়বা য়াই। মীচমনা অয়ুক নুমিদাং ঙাঙন শক্করিবা অসি নত্তবা লৈবাক নিংথৌগী ওইবা লৈবাকমচা তাবা অইবগী কল্পনাগী খূৎশেমসু য়াওরবা সাহিত্যিক ওইবা লোননি। অঙাং ওইরিঙৈদা অইবগী য়ুম মৈ চাক্কুনা অৱাবা নঙখি। মসিদগী অঙাং ওইবগী নুংঙাইবা মঙলান কয়াদুনা তাইবঙগী অৱাবা মশক খঙবা হৌখি। মতাং অসি থারকপদা -

> "য়েংবদা পূক্কীং হুরবা ইপোম্বা লাইজ ঈপাক, লাইজ চোন্ন চেনবা নীংথিজবা তুরেল, খঙলে, খিত্তং হৈহৌদবদা মীরৌভমগী মীরৌভম ঙাক্লি। পোকখি ৱাখল্মা মদোম তুমিন অঙাং ওইরিবা থম্মোইগী কাজুম্মদা সংসার নুংঙাইবগী শরূক ঙাক নত্তে, অৱাবগীসু শরূক্লি। অমম অঙাল, অৱা নুংঙই, অকা অকুম, অনং অকোম, অহোঙ অতাঙ ... তুফাং চেনবা লমখৈনি হায়বা খঙবঙম তৌখি। কায়খি ফন থীন নাউৱা মঙলান, তাখি-খোঙদাবা হৌখি, অৱা নুঙাইগী তাইবংকোন্দা।" (লা. ১৪১)

পুন্সি ৱারী অসিদা মীনকেতনগী তোপ তোপ্পা মশক অমনা মহাক্কী নীংশিংবগী শক্তি অসিনি। নিপালশুবা মতাং ঙক্ত ঙকপা অঙকপা অম' হায়বা মতাং অদুদা মহাক্না লুপ্পা নীংথিনা চংনা ঙমদ্রিঙৈ, শক শাদুনা চংলিঙৈ মতমদা মবেননা পুরক্কুনা ময়াম্বগী মশক উহৌলগী থৌদোক অসিনি। থৌদোক অসিগী মতম মতম ময়াম্বা অমদি মবেননা শেংথিবা ফিজোল, কুচু কুমেনচিংবা ফজনা নীংশিংই। অনী অসি লৈবাক্কা খঙনবা খোঙ হাম্বগী লাইচৎতা লৈখিদ্রবনি, মহাক্কী ময়াম্বা অমদি মবেননি হায়বদি চহী য়াম্লক্লবা মতমদা খঙলকপনি। অসুম্না অঙাং ওইরিঙৈগী থৌদোক কূপ্পা নীংশিংবা অসি 'পুন্সিগী অহানবা মনা' হায়বা মতাংদসু থেংনৈ। অইবনা এলাংবম লৈকাইদা লৈবা থাবম লাকপগী মাগুপতা গৌড়লীলাদা গদাধর শাবগী নুংঙাইরবা থৌদোক অমা মরীক চূম্না লীরি। অসুম পাথরকপদা বাহং অমদি থোরকই - মী অমনা অঙাং ওইরিঙৈগী থৌদোকশিং কয়া য়াম্না কূপ্পা ময়েক শেংনা নীংশিংবা ঙম্বগে? এম. কে. গান্ধীগী *সত্যম প্রয়োগ* (Expriment with truth) অমসুং রবীন্দ্রনাথ টাকুরগী *জীবন স্মৃতি* নচিংবা মশানা ইবা পুন্সি ৱারীশিংদফাওবা অঙাং ওইরিঙৈগী থৌদোকশিং অসুম্না কূপ্পা নীংশিংদুনা থারম্বা থেংনদে। অদুবু অপাবশিংগী পূক্নিংদা মসিমদি শোয়দনা ফাওগনি - মীনকেতননা অঙাং ওইরিঙৈগী পুন্সি অসি কয়াদা

ফজনা অমুক নৌনা (রিকন্সত্রকসন ওফ লাইফ) শেমগৎ শাগৎলিবনো। অইবগী কল্পনা অমদি শেমগৎপা হৈবগী শক্তি অসিমদি ময়েক শেংনা উবা ফংই।

পুন্সি ৱারী অসি য়াম্না চেকশিন্না লাম্থোকলবা অশোয়বা য়াওদ্রবা কলাগী খুৎশেম অমনি হায়বদি সমালোচক্কী অরানবা মিৎয়েং ওইগনি। থৌদোকশিং থারকপদা ক্রোনোলোজিকেল ওর্দর ওইবা ৱাৎপা হায়বদি মথং মনাউ কায়বা, ৱারী লীবদা, পাউ তম্বদা হঞ্জিন্না থোকপসু মতাং খরদা থেংনৈ। ৱারী থৌদোক খুদিংমক অইবা মশাগী পুন্সিগা মরী লৈনবা, মশাবু মশক তাকপদা মরুওইবা ওইহনগদবনি। অদুবু হৌজিক্কী মীরোলদা লীনীংবা অমদি পাউ তমনীংঘনা হেনমনখিদুনা অহেনবা থৌদোক মীশক কয়াগী মরমদসু থারি। খুদম ওইনা লাইরিক্কী অরোইবা মতাং 'লীকয়াল পরেং'দা থারিবা মীশকশিং মখোয়গা থাগোন্নবা থৌদোকশিং অইবগী পুন্সিগা তৎন-থানবা য়াদবা মরী লৈনবা নত্তে। মীশকশিং অমদি থৌদোকশিং অসি থাবম্বনা মতম অদুগী সোসিয়েল এনভাইরোমেন্ট খঙবদা মতেং পাঙই হায়বদি যাই।

অশোয়বা খরা যাওববসু লাইরিক অসি তুং কোইনা লৈহৌগদবা অৱাংবা সাহিত্যগী লাইবিক অমনি। মসিনা মীনকেতনগী যাম্না অঙাং ওইরিঙৈগী পুন্সি মশক খঙহনবতা নত্তনা মহাক্কী মরৈবাক নীংবা, মণিপুরী লোল মমূৎ তানা খঙবা, খল্লম্বা পাক চাউবা ৱাখল মিৎযেং নীংথিজনা খঙবা ঙমহল্লি। অমনা, মসিনা হৌজিক্কী অনৌবা মীরোলদা মতম অমগী মণিপুরী সমাজ, সংস্কৃতি, ধর্ম্ম অমদি ইতিহাসকী যাওল ময়েক শেংনা খঙহল্লি। মতাং অসিদা James Olney গী বাহৈ খব নীংশিংদবা ঙমদে "An auto biography is a monument of the self as it becoming, a metaphor of the self " তশেংনমক পুন্সি বাবী অসি পাবা লোইদুনা খুমজিল্লবা মতুংদসু কবি অমসুং পণ্ডিত মীনকেতনগী মূর্ত্তি অমা মিৎমাঙদা লেঙদনা চোংথোক্কুনা লেপ্পুনা লৈ।❑

মরুওইবা লাইরিক খরা ঃ

১। ডা. পোলেম নবচন্দ্র (সম্পাদক) *মীনকেতন নৈনবা ৱাবেং*, নহাবোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি, ইম্ফাল, ১৯৯৭

২। Olney, James, *Metaphors of Self The meaning of Autobiography*, Princeton, 1972

৩। *Indian Literature*, 210 July-August 2002, (Ed) Nirman Kanti Bhattacharjee

৪। Sisirkumar Ghose, *Rabindranath Tagore*, Sahitya Akademi, 1986

মীনকেতনগী লোল অমসুং মফোঙদোক

এলাংবম দীনমনি

কবি মীনকেতননা কোল্লিবা হীরমগী লমদাংশিং অসি য়াম্নমক য়াম্মী অমদি পাক চাউই; সাহিত্য-অনৌবা অর্মাদি অরিবা; ইতিহাস গ্রীক, রোম, ভারত অমসুং মণিপুর; বেদ পূরাণ অমসুং পুয়া, দর্শন - নোংপোক অমসুং নোংচুপকী; ধর্ম্ম-হিন্দু পুম্নি মরেলগী মরুওইনা গৌড়ীয়া সম্পদায়গী, ফোক-মণিপুর অমদি ভারতকী; সাহিত্য নৈনবা; তান্ত্রিক সাধনাগী লৌশিং; নাৎ (সংস্কৃতি) গী লৌশিং লোয়ন-লোয়নবদা লোল নৈনবা (লিংগুইস্তিক্স) অমদি থিজিন খোৰ্থচনবা।

কবিনা হৈরিবা লোল অসি, মমারোন মৈতৈরোন - অনৌবা অমদি অরিবা অসিগী মথক্তা সংস্কৃত, বাংলা, হিন্দী লোয়নবদা উর্দু, অসামী, ইংলিস অসিনি। হায়রিবসি চুম্না খঙবগী ওইনা হৈবদ নত্তে, হৈবগী ওইনা হৈরবনি। অতোপ্পা অমনা অমুক ওখাকপা থাক অমদা শামিন ফংলিবনা পালী; প্রাকৃত, আউ, তাংখুল, খোংজাই, বেঙ্গমৈ, মরিং, পাইতে অসিনচিংবা (*মৈতৈ লোঞ্জল*না য়মফম্নি)

মবম অসিদগী অচুম্বা লাইখায় অমদি - কবি মীনকেতনগী ৱাহৈ পূক্কে অসি য়াম্নমক ইনাক খুল্লি। অদুনা মীনকেতন সাহিত্যগী লোল মপূমদা মৈতৈরোনগী ৱাহৈশিংগা ঈরোয়ননা মথক্কী লোল ময়াম অসিদগী নক্লবা চান্নবা অমদি খঙনগদবা মখলগী ৱাহৈ ময়াম অমসু থেংনবা তাবনি। সংস্কৃততগী লৌশিল্লকপা মওং কায়হন্দবা (তৎসম) অমদি কায়হনবা (তৎভব) ৱাহৈশিংনা মৈতৈরোলগী অরিবা অমদি অনৌবা ৱাহৈগী হেক মথংদা খ্বায়দগী যাম্না থোকই। য়াম্নমক তাঙনা থোক্কদবা আরবীগী 'অর্জী' গুম্বা ৱাহৈসু য়াওবি অদুগা লম অসিদা পারসীদগী লৌক্লবা ময়ামগী ওইনা শীজিন্নরবা 'জাদু' নচিংবা ৱাহৈশিংসু মরাঙ কায়না য়াওরি। হিন্দী ইংলিসনচিংবগী ৱাহৈশিংদি পল্লুদ্রবসু যাবে। পনবা য়াবা অমদি লোনগী মায়চৌ ওইবা কবি অসিগী মোৎতা অতৈ নক্লবা লোনশিংদগী হৌরকপনি হায়না কন্না পুখৎলিবা মৈতৈরোনগী ৱাহৈ ময়াম অমসু যাওরি। মওংবু, তরঙ (তর-তাংখুল), নুমিৎ (লুংমিৎ-মরিং অমদি নৈমিৎ-রেঙ্গমৈ), নুংশা (নিশা-খোংজাই), তৌরা (ফক) (তরান/তয়ান-বর্ম্মী) অসিনচিংবা।

মতাং অসিদা পন্দবা সুপয়ামক য়াদবা ৱাফম অমনা লোন্দাগী লমদাংদা হৈ-শিংলবা মীনকেতনগী ফুন্দ্রে থাদুনা খেত্তুনা শেল্লবা ৱাহৈশিং য়াওরিবা অসিনি। ৱাহৈশিংবু মথ্নোক-মনশিন হাপ্তোক-হাপচিন অমদি ককথোক ককশিন তৌদুনা শেমদোক-শাদোকপদা য়ান্নমক হৈ-শিংবা কলাকার অমগী থাক্তা লৈবনি। মৈত্রবাক্কী মৈতৈরোন্দা তোপ্তোপ তারবা কলা অমনি। কলা অসিমক্তা মীনকেতনবু মীনকেতন ওইহনবদা শরূক খাইবোক অমা য়ারি হায়বা য়াই। ৱাহৈবু পদ ওইনা হায়বদি লেংশিনবদা শীজিন্নবা মতমদা শেমদোক-শাদোকপদা লোনচৎ অসি মীনকেতনগী নাৎ অমা ওইনা লৈরি। শেমদোক-শাদোকপগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা মওং কয়ামুক উই - মওংবু, অহৌবগী খোম্থোক লৌথোকই - টিয়া (অতিয়া); অরোইবগী শরূক লৌথোকই - মকা লাম (মকা লান্না/লামদুনা); পদ খরা চুঙশিন্নবদা মরক্কী নৎত্রগা ময়ায়গী শরূক লৌথোকই - শমৱাউ লুতোন কিশিবা (শম অৱাউবা লুতোন্দা কিশি কিবা); সন্ধি-সমাসকী মওংনি; করিগুম্বদা শিন্দোক্তু হন্দোকপা (পাশক-পীশক = মেস্কুলিন-ফেমিনিন) অসিনচিংবা। লোনশেমগী মওংনি। লৈজবা ৱাহৈদগী শেম্বা অনৌবা অর্থ হায়বদি পোৎলমগী শক্তম পীনবা লাক্লবগী লমদাংদসু কবিগী ৱাহৈ পূক্কে অসি হোম-হোম লাউই হায়বা তাই। মওংবু - বরুন লাইবু ঈনিংথৌ হায়বদি ঈশিং লমগী নিংথৌ হায়না শক্তাকই। অসুমনা জোৱার কাববু ঈওনবা, পাতালবু লৈখারম, সিংহনাদবু নোংশা লালাউ অসিনচিংবা। মওং অসিসু য়ামথ্রবনি অতৈ লোনদা তৌনবগুম নাউননচিংবা ৱাহৈবু ভর্ব ওইনা শীজিন্নবসি য়াম্না লায়না তৌই - জগোইজবা, থেকোইজবা, খোঙফম্নবা, শরূক্লবা, মিৎলু ঈরানবা অসিনচিংবা মওং অসিসু মশীং য়াম্মী। অমনা অতৈ লোনগী ৱাহৈদা মণিপুরীগী লীচৎ হাপচিন্দুনা মৈতৈরোন ওইনা শীজিন্নবগী মওংসু লৈরি - অঙ্গ হায়বা সংস্কৃতকী ৱাহৈদা -নদুনা তপ্লগা অঙ্গনদুনা (অর্থ কায়াং/শরূক ওইদুনা) হায়না নীংতম্না শীজিন্নরি। (*অশৈবগী শৈরোইগী*বাহৌদোক্তা) অসিও ধ্বনিনা খরা লীক্লা থোকই।

মমারোনগী অরি-অনৌ, লৌশিল্লবা মওং কয়াগী অমদি মওং কয়ামুক্তা শেল্লবা ৱাহৈ ময়াম ময়াম্না ঈমায় চোল্লবা কবিগী ৱাহৈ পূক্কেনি। য়ামথ্রবা মশীংনি - য়াইমরপ চাউবা দিক্সনারী অমগী থাক্তা লৈগদবনি। শন্দোক্লা পৈরবা পূক্কে অসিদগী নীংলকপা অমদি পাম্মকপা মতাংদা খন্দুনা লৌরগা পরেং লেংশিল্লকপদনি কবিগী মশাগী তোপ্তোপ তাবা মফোঙদোক্লা ময়েক শেংলক্লিবা। লোনদা কম্মান্দ থাক ৱাংনা লৈবা সাহিত্যকারনি।

সাহিত্যকার মীনকেতননা শৈরেং অমদি ৱারেং অনীমক্তা চপ চানা খূৎ থাই। খরা কূপথরবদা, শৈরেংদা খণ্ডকাব্য অমদি অতেনবা শৈরেং ময়াম য়াওরি। ৱারেংদা মপূং ওইনা নিবন্ধ (এসে), পুয়া পূরাণগী ৱারী, লীলা, পুন্সি বারী মশাগী অমদি অতৈগী, লোক

সাহিত্যগী মনুং চনবা লেজেন্দগী নৈনবা ৱারী লোন অমদি লোনমিৎ (ব্যাকরণ), চিঠী খরা, ৱাহৌদোক সাহিত্য নৈনবা (কবিগী লোন্দাদা - খোরিরোল নুঙ্গোইবা) অসি য়াওরি। মসিগী মথক্তা অমুক হন্দোকপগী লমদাংসু কবিগী খূথাদগী নাম্থোকখিদে - বাংলা অমদি ইংলিসতগী হন্দোকই। ইশোক শোকপা হীরমনি। মশোমদগী য়েংলবসু কবি মীনকেতন মশাসি লোয়শঙ অমগুম্না অদুম লৈবনি। শৈরেং অশাংবা খণ্ডকাব্য - অহুমনি *পিয়ে থাদোই*, *নুংশি বাখৈবা* অমদি *অশৈবগী জয় ভাই*। অহুম্মক প্রেমকাব্যগী মশক্নি। কবিগী লোন্দা -

> "মৈতে অশৈবগী প্রেমতত্ত্বগী মঙাল্দা অপামগী শক্তম, নুংশিবগী শক্তম অমদি অনৌগী মরী পান্দুনা শকপনা নিতাইপোদ 'সিগী শৈশক্নি। মাঙদনা কালিদাস, তুংদনা বৈষ্ণবকবি অনিগী শৈশক্না মৈতে অশৈবগী শৈশক্না চুনদুনা য়েংবদা অদুম চুশিন্নজে, তাহেন কৌবা লৈতে উৎপনা নিতাইপোদসিগী শৈশক্নি।"
>
> (*অশৈবগী নিতাইপোদ*, ৱাহৈ অমনীদং)

ভারত সাহিত্যগী খণ্ডকাব্য মশক মুন্না খণ্ডবা কবিনি লীক্লম ঙাক্না পুথোকপা পোথোক্নি। ছন্দ অলংকারগী মচল চপ চানা য়াওরি। খোম্থোক (সিলেবল) মশীংদা চৎপা (ময়েক্তা নত্তবা) ছন্দদা হৈনজবা কবিনি। খোম্থোক ৭/৭ না হায়বদি ১৪না পরেং অমা শাবা মওংগী ছন্দদা মায়পূনবা কবিনি; মওংবু —

কৎলুই থম্মোই অদুঙৈ কনাগুম্বী নুংশি কা,
থংখি মীচৈ চাথদা নুংশিরুমল মাগী কা।
মীচৈ চারে চানা দুম থম্মোই মানা নুংশিখি,
খোঙথাং খুদিং পুন্সি চুপ নুংশি-পুজা কচ্চখি।

(*পিয়ে থাদোই*, লা. ১)

শৈরেং অতেনবদসু ছন্দ অসি চাং য়াম্না ৱানো শীজিন্নে। চাংদম্নবা অমদি অনুপ্রাস অলংকার পাক শন্না শীজিন্নে; অতৈ ময়াম অমসু কবিতাদা য়াওরি; চাংদা খজিক লীকপগী ৱানি। শৈরেংদা কবিগী লোল য়াম্না লুনা লৈ। শৈরেং খূৎথাদা কবিগী কল্পনা য়াম্নমক বাংই; ৱাংলবা কল্পনাদা তোংলগা ফজবা অমদি নুংশিবগী ইন্তল ময়াম মনম মনম শৈরেংদা ফোঙদোকই। মপূম ওইনা য়েংবদা রোমান্টিক কবিগী চাইগোইনুংদা লৈবা কবিনি। ৱাহৈ অমদি লোন্দাদা য়াম্নমক নীংতম্না লৈশেম্বগী লৈথোন উই : *বিদায় আশীর্ব্বাদ*কী শৈরেংশিংদা নুমীৎ-থা কুইনা য়াম্না শাংনা উরক্লবা অমদি লোয়নরক্লবা কবিগী থম্মোয়না নৌরিবশিংদা লমতাক লমজীংবগী সুর তাবা ফংনগনি, 'স্তুতি-পরেং' গী শৈরেং 'খরদা ভারতকী অখন্নবা হিন্দীগী ভক্তি কালগী মফোঙদোক্কী মশক উই। মওংবু 'যশোদা স্তুতি'

গী মতাং অমদা পীক্লিবা কৃষ্ণগা মমা মৈয়া যশোদাগা কেনজবগী বাৎসল্যগী নাক য়েৎ শীংথারবা মতুংদা, লোইশিল্লকপদা কবি মীনকেতননা খুরুমজরকই -

চৎলি দুবু য়েং পোইরৈ নঙ্গী য়েং
ইল্লি নয়াথং কহৈয়া!
শকচৈ মীন জৈ বাৎসল্যগী জৈ
জৈ বাৎসল্য প্রেমগী জৈ।

(*সনরিক পরেং*, লা. ৮৪)

হৌফম শাৎফম অমদি তিনফম ওইরিবী, লৈশেম মপু ওইরিবী ইমাগী মফমদা ভক্তি থমজবা, মপা পোক্নরমবু লুনা চান্না তৌজবা লোয়নবদা পুন্সিদা চেৎনা থাজবা থমজরিবা পূন্নমক্কী 'সর্বমঙ্গলম, সর্বকুশলম' ঈখৌ অমা মতম পূন্নমক্তা ঈরোয়নজখিবা কবিনি - - কবি মীনকেতন।

ৱারেংগী মতাংদা, কবিগী মফোঙদোক পণ্ডিততা পণ্ডিত ওইনা চোংথোরকই। *মৈতৈ লোঞ্জল* দা মৈতৈরোনগী খূৎমাবা Decribtive Grammarian ওইনা লৈবনি। লোনগী মায়চৌনি। লুনা ফোঙদোকই। (অরুবা মীনকেতনগী লোন খঙনবা লাক্লবদা লাইরিক অসিগী মতেং লৌবা য়াম্নমক কান্নগনি।) *মৈতৈ উপন্যাস* তা Impretionist critic অমগী মফোঙদোক্কা লোয়ননা চোংথোরকই। অশেংবা পণ্ডিতনি মপানগী লৌশিং কয়ামুক পুশিল্লক্কুনা মশক তাকই। ৱারেং হায়বদি এসেগী মতাংদা পামজবা খূৎইদি ৱারীগী মওং (Narrative) শীংথাবা (descriptive) অমদি নৈনবগী মওং অসিনি। ৱারী অমদি নৈনবগী মতাংদা থম্মোয়গী ওইবা ৱাফম্না মরু ওইখিবনা অথোৎপা ৱারেংগী খূৎই চঙই। অয়াম্বা ৱারেংদা Deductive method শীজিন্নৈ। Inductive য়াওদবদি নত্তে মশীংদা লীকলপ থোকপগী ৱানি।

লীলা অনীনি - *সীতা বনবাস* (১৯৩৬) অমদি *তোনু লাইজিংলেম্বী* (১৯৪৯) অমনা মীথকী অমনা ফোককীনি। অনীমক্তা নুপী পুন্সিগী নীংথিবা মশক থিবনি। ট্রেদিশনেল মওংগী লীলানি।

অরোইবদা পঞ্জরি অনুবাদ। হন্দোকপা লাইরিক অহুম্নি অনী অমনা ইংলিসতগী অমনা বাংলাদগী। অনুবাদকী মতাংদা কবিগী লাইখায় লৌফম থোকই, তাকপিরি -

"..ফজবা লাইরিক্কী মফজ, নীংথিবা লাইরিক্কী মনীংথি অনুবাদ দা ফাওদে ফাও হায়বা খক য়াদে মাসি অনুবাদগী শাগোন্নরবা দোষনি। অসিদগী অখণ্ড-অহৈশিংনা

অনুবাদকী মতমদা লোনযায হোন্দন' চৎনৈ লোনযায হোনবনা অনুবাদকী লম্বীমক্তি তাক্লে।"

(মেঘনাদবধ কাব্য, ব্রা অমা অনদং)

হাযবিবসি সোর্স ওইবা লোনগা তার্গেত ওইবা লোনগা অনীগী লোনচৎ ঙাক্লা চান্ন-চান্নবা খন্দুনা হনবগী ৱাফম্নি। কবিগী অনুবাদতা হীবমগী মতাংদা লোযেল ওইবগী চাং ৱাংই। নৌবিবা অমত্তংদবু লোনগী মতাংদা লৈদা লৈবিবা creativity অসিনি। শান্দি কবিগী ওইবা লোন্দ মীনবোন অসিং মহাকাব্য *মেঘনাদবধ কাব্য*গী

উদিলা আদিত্য এবে উদয় অচলে অসিনচিংববু কবিগী অনুবাদনা -

হন্দোবক্লে অঙানবা শেঞ্জীং চীঙ্গী চীংযাঙদা,
ফমদেংবগুম থম্বাহুক চীঙুঁ থম্বালখোঙহৌবা।

অসিনচিংবা। কবি অথোইবা কবি বাজ, মীনকেতনগী লোন্দা তশেংনমক মীন-বোল ওইনা লৈবিবনি। শেলহৌদ্রগদি, তমহৌ-তম্বিহৌদ্রগদি অকোম্বদা হৈনবা মীরোলনা খৌতক তৌনবকদ্রা হাযবগী চিংনবা লৈবি। ❑

মণিপুরী সাহিত্যদা মীনকেতনগী লোন

প্রো পোলেম নবচন্দ্র

অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী খুৎমাবা কবিশিংগী মনুংদা অশাংবম মীনকেতনসু (১৯০৬-১৯৯৫) অমনি। মণিপুরী সাহিত্যগী নৌনা মিকপ থোরকপা মতমদা 'খণ্ডদাকখিবা' খ্বাইবাকপম চাউবা, লমাবম কমল, হিজম অঙাংহল নচিংবা কবিশিংনা মরমদম মজাতি অমসুং মসিগী সংস্কৃতিবু নুংশিজবগী অমদি চেৎনা লাংচবগী খখ মিৎয়েংশিং অদু মমাবোলবু নুংশিবদা, লোন অসিবু চাওখৎনবা অমা অনা থিদনা হোৎনবদা ফোংদোকখবা হোৎনবনি। মণিপুরী লোন অমদি সাহিত্যবু চাওখৎনবা, মসিগীদমক অপনবা অথিংবা কযাবু শীংনদুনা সাহিত্যগী মচল (বিধা) কযাদা খুৎ থাদুনা অনৌবা চাংযেং কগা তৌবনা মতমদুগী খুৎমাবা অশৈবশিংগী পান্দম ওইবনি।

অনৌবা মণিপুরী সাহিত্য হৌবকপা অমদি শাগেপ ফাবকপদা থেংখাং অহম থোক্লা চাওখৎপা থেংনৈ অহানবদা মীযামদা অনৌবা মতমগী শিক্ষা পীনবগীদমক ও ডাইফদনা চঙদবা যাদ্রবা অমা ওইরিবা চেক্স বুক, অনীশুবদা চেফোংঙ অমদি অহুমশুবদা বাখলগী খুৎশেম ওইরিবা সাহিত্য হায়বদি ক্রিয়েটিভ নৎত্রগা ইমোজিনেটিভ লিট্রেচরনি। কুনশুবা চহীচাগী অওনবা শব্দক্তা থোরকখিবা মণিপুরী কবিশিং অযাম্বা হায়রিবা লম অসিদা মওং অমা নৎত্রগা খুৎ থাবম্বা ডঃ কমল, কবি অশাংবম মীনকেতনসু অনৌবা সাহিত্য শেম্লকপগী মচল ওইরিবা লমশিং অসিদা খুৎ থাবম্বা শা থানবা সাববা অনৌবা সাহিত্যগী লমযানবশিংগী মনুংদা ঙসিফাওবা নাট্যকার নসিংনবগী নাইথিক ব্রজেন্দ্র শর্মা, নান মমাঙদা টেক্সবুক কমিটিদা চেক্সবুক ওইনবগী অমসুং মতম তাংতে চেফাংওগা সম্পাদক ওইবম্বগী মফম পুম্মক্লা হংখিবা লাক্লি।

মীনকেতনদি কবি অমা ওইবদা লাওনা নাটকগী মরমদা কপ্লা শাওলবা সাহিত্যগী বিধা কযাদা নীংথিনা খুৎ থাববা পাগুং অমসুনি। মতাংকী মৈতৈলোনবু খোমদাজবা অমসুং মনুং থুঙ্গনা নৈনবগী মগুণ মৈতৈ লোঞ্জলদসু মপূ ফানা উবা ফংই। খ্বাইবাকপম চাউবগা নক্লা লোয়নহৌবা কবি অসিনা কাউবা ঙমখিদে কবি চাউবগী

'লাইররবী ঈরোন্নি
খঙদবনা হায়বনি
মৈতৈ কবি লাকখিনি।'

মতম অদুগী বাঙ্গলা-সংস্কৃতকী ঈচেলদা লুপ্লবা লমদমসিগী লাইরিক লাইশু হৈরবা মীওইশিংগী ৱাখলদি মৈতৈলোন অসি পূক্নিংগী ঈহুল মপূং ফানা ফোঙদোকপা ঙম্বা লোন নত্তে হায়বগী থাজবসিনি। মহাক্না জোনষ্টোন স্কুলদা ওঝা ওইরিঙৈ ১৯৪৯ গী অদুৱাইদা মমান্নবা ওঝাশিংনা অতোপ্পা লোনগী মতেং য়াওদনা মৈতৈরোননা লাইরিক ইবদি থম্বু থমখো চিঠী অমত্তং ফাওবা ইবা ঙম্লোই হায়না ৱারী শান্নবা তাবদা মীনকেতনগী থম্মোয়দা তাশোন্না থিনবগুম থোকখি। তশেংনমক কবি অসিনা মমারোলগী মতীক মগুণ খঙদবশিংগীদমক ৱাদবা ঙমখিদে। শীংনবা অমগা লোয়ননা মহাক্না লাইরিক অমা মৈতৈরোল অশেংবদা ইগে হায়না মপূক্নিংদা লেপখি। অসুম্না *তোনু লাইজিংলেম্বী* লিরিকেল প্লে অসি নুংঙাইতবা থৌদোক্কুনা থৌইনশিন ওইদুনা ইখি।

লাইরিক অসি *জ্যোতি* পত্রিকাদা মতেক মতেক ওইনা ফোঙখি। কনামনা অনৌবা লোনগী চাংয়েং অসিগীদমক মহাকপু থাগৎনখি। অদুবু খঙদবা নহারোলশিংনা থোইনা থৌশারমদে। কনা অমনা মসিবু খঙনবা হোৎনবদা 'নিংথমথাদা উন খ্রং খ্রং তাবদা নীংগ্রি তাখৎতুনা লমজেল চেনবগুম থোকই হায়খি'। মতৌ অসুম্না মীনকেতনগী *তোনু লাইজিং লেম্বী* (১৯৪৯) মৈতৈরোলবু নুংশিজবা লোন অসিগী সেবা তৌনীংবা মপারী মমোমশিংগী মফমদা তম্বা খূদোলনি। মতম অসিমক্তদা ফোঙখিবা *ঙাঙ্গোয় পরেং* সু লোনদম্লিবা নহারোলশিংদা খূদোল ওম্বনি। সংস্কৃত, বাঙ্গলানচিংবা অতোপ্পা লোন্না ফন্নমক মতীক মঙাল চাউদুনসু থম্মোয়গী অযৌবী শৈরোলদি সুনা ফোঙদোকপা ঙমদে হায়না কবিনা হায়বি ঃ

শৈরোল অমনীদং শক্সিরা অৱা-নুংঙাই খন্না লেং,
কুম্লাং মশীং থাঙমদে শৈদমলুরে বঙ্গ ফীজি যাল,
শৈতাল্লুরে 'বধীদা, চঙজরুরে সংস্কৃত, মৈথিলী;
অঙকপনি মখোযশিংদো মতিক থাঙমদে কনানা;
'দুবু ঐগী থম্মোইগী মরোন্দদি ফোঙঙমদ্রে সুনা।
(ঙাঙ্গোয় পরেং, নমা ঐনি মৈতৈলোল)

ৱাবীগী মওংদা ইবা ৱাবেং মঙানা পূন্না শাবা *ঙাঙ্গোয় পরেং* মৈতৈলোনগী শেংলবা মৈফমদা ইক্কুনা চাংয়েংগী মহৈ ওইনা পুথোকখিবা নীংথিরবা লাইবিকনি। মরম অদুনা ১৯৪৯ অসিনা মীনকেতনবু অশেংবা মৈতৈলোনতনা ইবা মই অসিগা লোযননা মণিপুরী

সাহিত্যগী জগৎতা মৈতৈলোনগী শুক্কৎযাই পুবা অশৈবা (বাক্য) অমা ওইনা মশক তাক্লকখিবা মতম্দনি হাযবা যাই। মতম অসিমক্তদা মহাক্কী মমিং চৎলবা শৈরেং 'নোংগৃম্নকখোদা' হাযর্বাসি থোববখি। মৈতৈগী খূৎমাবা অশৈবা অমবু কৌজবা মবোয মনাউশিংবু লমজিং লমতাকপীবক্লবগীদমক খৌবাংনো ঙাযজবগী শৈহেকনি।

'যাম্বা অশৈবা
চৈজিং খূমাবা
নোংগৃম্নিংঙাই ওইদববা
নোংগৃম্নকখোদা।
হাদ সনা পুঙঙযোল
পলেমনুংশি কোলোযনু
তেংথানীংঙায ওইদববা
তেংথাবখোদা।'

অসিগুম্বা কনাগুম্বা চৈজিং খূৎমাবা অমবু খোযবাংনা কৌজবগী, পূক্লিং মতা অসি হৌখিবা মাঙলমচৎতসু লমাবম কমলগী শৈরেংদসু হান্ননা ডবা ফংখ্রবনি।

নোংমা খোংখি নখৌ পোঙনা
মৈতৈ উমংগী উশাদা তাংদুনা
নঙগী মিববা খাঙ্গেন্দু ভাগ্যবগী
নাকো খাঙ্গংলল মৈতৈ কযাগী
পাইরবলে মৈতৈগী লৈকোন্দা অমুক হন্না
খোংলরা নখৈ পোঙনা হান্নগুম্না

(*মৈতৈ কোকিল*, লা ২৫)

মীনকেতনগী সাহিত্যদি লোনগী অঙকপা কুম্মৈনি। মসিগীসু মওংতা বাহৈগী লৈচল শেম্বদা অমদি বাহৈ পবেংগী মথং মনাউগী পবৌং শেম্বদা মখল মখেলগী ফজববা লৈ হৎলবা ইনফিগী মতৌগুম্না তোপ তোপ তাদুনা লৈবগুম উহল্লি। মবম অদুনা মহাক্কী খূৎফোঙদোক্তা শৈরেংগী শাড়ংকা শাগোন্নবা খূৎইনা সাধারণ ওইনা ঙাঙন শরুবির্বাসিদগী খেন্ননা উহল্লি। শম্না হাযববদা মীনকেতনগী সাহিত্যদি লোন্দা নত্তনা খূৎই অমসুং বাহৈ পবেংগী লেংশিনবগী মওংসু তোপ্না তাদুনা লৈ। লোনগী চাংযেং তৌবম্বা অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী খূৎমাবা কবিশিংগী মনুংদা অবাম্বম দবেন্দ্রজিৎ অমসুং হিজম অঙাংহল পনবা যাই। দবেন্দ্রজিৎনা সংস্কৃত অমদি মৈতৈবোল যানশিন্দুনা অনৌবা লোনগী চাংযেং অমা তৌবম্মি। মতৌ অসুম্না হিজম অঙাংহলনা অবিবা লোন শীজিন্নদুনা অনৌবা লোনগী

মশক অমা পুথোক্লম্লবসু অশেংবা মৈতেবোলগী ওইবা সাহিত্যগী খূৎশেম ওইনা শেমগৎপা ঙমখিদে। অদুম ওইনমক মীনকেতনদি অবিবা সাহিত্যগী ইনাকখুল্লবা লোনগী পুক্কৈদগী অমসুং খ্বাইনা ঙাঙল-শক্লবিবা অযাম্বনা থৌওইনবক্তবা লোনশিং অসিদগী নীংথিনা খন্দোক-খঞ্জিন তৌদুনা অনৌবা মখলগী লোনগী খূৎশেম অমা মণিপুরী সাহিত্যদা খুদোল তৌবম্মি।

অবিবা সাহিত্যগী তোপ তোপ্পা শক্লোন, অর্মদি নাউন অমসুং ভার্ব পূর্নশিন্নদুনা এফিক্সকী মতেংনা ভার্বেল ফোম শেম্বগী মওং অসিনি। 'খাম্বা' অমসুং 'তাবা' হায়বগী মহুৎতা 'থৌখাম্বা' অমসুং 'নাতাবা' হায়না শীজৈন্নে। কবিগুরুদা এফিক্স যাওদবা রুটতমক শীজিন্নবা ভার্বকী মওংসু বাহৈ পবেংদা থেংনৈ। হায়বিবা পাম্বৈশিং অসিনা বাবেং পবেংশিং অসিবু শৈবেংগী মগুণ চেলহন্নবগী মবম ওইহল্লি। অদুম ওইনমক মীনকেতনগী খূৎইগা মবী লৈননা পনবা যাবদি অবিবা সাহিত্যগী বাহৈ পবেংশিংদা থেংনবিবা খুদম ওইনা ঙাই', 'ঙম', নৎত্রগা 'ঙাম' হাপচিন্দুনা শেম্বগী মওং অসিনি। মবম অদুনা - 'নোক্লবা', 'লোয়নবা', 'পৈবা , 'পাউহংবা', হায়বগী মহুৎতা ঙায়নোক্লবা, 'ঙাইবোইনবা', পৈঙম্বা' অমসুং 'পাউহংঙাম্বা' অসুন্না শীজিন্নবম্বা থেংনৈ।

লোনগী মবমদা নৈনবশি না কবিগুম্বা লোন অমগী হৌবকপা অমসুং চাওখৎলকপসি হান্না লুবম্বদগী অসুম লায়থোকবকই হায়না লৌনৈ। মীনকেতননা অবিবা সাহিত্যদা উবা ১ ০লিবা কোচি থা বা বাহৈ ল শিনবগী পাম্বৈশিং অসি মহাক্কী শৈবে অমসু বাবেংগী মথেংওন্নোকশিং অসিদা হৈম শিথা হনবা, সতল ওইহনবগী পাম্বৈ ওইনা শীজিন্নৈ।

অসিদসু নওনা বাহৈপবেংগী অমসু, ফ্রেজগী বাহৈ পবীং শেম্বদা সাধারণ ওইবা খ্বাইনা চৎনবিবা মওংদগী খেন্নহন্দুনা মাগী খূৎইদা দি ফিমিলিবাইজেসন' হায়বদি অতৈগা খেন্নহনবগী তোপ তোপ্পা মহাউ অমা পীনবা হানেবকই। মবম অদুনা শৈবেংগী নৎত্রগা বাহৈ পবেংগী মনুংগী অর্থ খঙনবগী খোঙচৎংা তপথহল্লি। সাহিত্যদা ঐখোয়না ফংগে নীংলবা অমদি কলাগী মবমচৎকা শাগোন্নবিবা মশক অমদি পদশিংগী মকম থুপ্লিবা অকন্বা ভাবকী পাউখোং ফোঙনবা হোৎনবগী খোঙথাং অসিসু অমনি। মীনকেতনগী খূৎইদা শাগোন্নবিবা অঙকপা পোকহনবা বাহৈগী অমসুং সাহিত্যগী খূৎশেমশিংবু অপারশিংনা খঙবদা লৌশিনবদা তপথনবগী পাম্বৈশি অসি অইবনা যাম্না পাম্না অমদি নীংথিজনা শীজিন্নবা উবি। মহাক্কী লোনশেমশিংদা তক্তনা হেংনবিবা 'রায', তম্লগী মওং অসি *তোনু লাইজিংলেম্বী* দগী লৌখৎতুনা যেংবা যাই

পায়মা পূক্লীং হুখিব্রায়
থংলেল ঐগী নুংশিব্রায় (লা. ২২)।

পায়মা পূক্লীং হুখিবা।
থংলেন ঐগী নুংশিবা।

কেগে লৈবুং ওংজব্রাই।(লা. ২৮)
কেগে লৈবু ওংজবা

নবুধৌ থাংজিং কোয়রেল-লাই
খয়ুম লাইনিংধৌ শিদব্রায় (লা. ৪৮)

নবুধৌ থাংজিং কোয়রেল-লাই
খয়ুম লাইনিংথৌ শিদবা

কেগে মপুং ওইরিব্রায় (লা. ৩৭)
কেগে মপুং ওইরিবা,

অসিনচিংবা অইবগী খজিক্তদা য়াম্না ফোঙদোকপা ঙম্বগী গুণ অসিসু লাইরিক অসিদগী মথক্কী পরেংশিং অসিদগী "ব্রায়" বু "বা" গা মান্নহন্দুনা *ওইরিব্রায* বু *ওইরিবা* হায়না খঙনবা য়াই অদুগা অমুকসু উবা ফংই -

'চান্ন শবী হংলাকপা
খয়ুম নোংদমখোন্না হনফদে,

(*তোনু লাইজিংলেম্বী*, লা. ৩১)

নুংশিবগী ব্রাশকতি অসুক্কী মতীক চেৎলি। লাইগা নোংদম ফাওবনা করিসু তৌবা ঙমদে। কদেং থাংজহনবনা তোনু লাইজিংলেম্বী নত্তনা কনাগুম্বা অমত্তবু তালোই নাক্তা থাররোই হায়খিবা ব্রাফমবু কবিনা অসুন্না ফোঙদোকই -

'হন্দক্কী লাঙোল সিদদি
লৈরাং লৈরাল লৈরোয়বদি
ওইররোই, করিনুংদা কৈদৌনুংদা ওইররোই। (লা. ৩০)

ব্রাফম অসিমক ঐখোয়না অইবগী 'খোংনাং হোগায়বী' দসু থেংনৈঃ '*চরাইরোংবা লৈরাং লৈরাল লৈরোইনখিদ্রে* (লা. ৬৯)

নেবেটিভকী পান্দম অনী লৈ - থৌদোক্কী মরমদা শৈথাবা অমসুং চরিত্র নৎত্রগা পোৎশকশিংগী মরমদা শৈথাবা সাহিত্যগী খূৎশেমশিংদা। থৌদোকশিংগী অয়াঙবা খোঙচৎকা লোয়ননা চরিত্রশিংগী অওইবা, অশেংবা মতৌ অদু অপাবশিংদা য়ৌহনবা ঙম্বা অদুগুম্বা মখলগী খূৎইশিংদু অফবনি হায়না লৌনৈ। মীওইবদা ৱাহৈ য়াম্না শীজিন্নীংবগী অশোনবা লৈ। মরম অদুনা অযাম্বা অইবশিংনা দবকাব লৈবদগী হেন্না ৱাহৈ শীজিন্নৈ। কবিননো হায়বনু ৱাহৈগী মশাদা থিংঙমদ্রবা চিংশিনবা মা য়াওরি। অদুগুম্বা ৱাহৈগী চিংশিনবগী মতৌ অদুগী মকু ওইনা লৌনা ইশৎর্ক্লবা অইবশিংনা মসিদগী নাম্থোকপা ৱানা থোকই। মরম অদুনা ৱাহৈ লৌগা অইবনা পাম্লিবা পূক্নিংগী মপাউখোল অদু চপ চানা ফোঙদোকপা খূৎইগী মখল অসি যামা ওঙনা থোকই। মীনকেতনগী শীংথানরিবা *ঙাঙ্গোয় পবেং* অমদি *মৈতৈ উপন্যাস* তা ৱাহৈ খজিক্তনা পূক্নিংগী অরুবা ভাব ফোঙদোকপগী অমসুং অইবনা তম্লিংলিবা মপাউখোল অদু মতীং লৈ। পাউদম্বা ঙম্বগী খুদমশিং মরাং কায়না থেংনৈ।

মীনকেতনগী ৱাহৈ মচল শেম্বদা হৈ-শিংব গা নৎনা ইদিয়ম, প্রমাণ পাম্থ অমসুং খূৎফোঙদোক্তা অতোপ্পা লোনদগী চৎনরোল চিংনবা লৈতনা লৌশিনবসু থেংনৈ - '*অদুবু নহারোল্লিংনদি লোল্লি মখোযদা গ্রীক ওইনা থোকখিবনা থোইনা থৌশানখিদে* (*তোনু লাইজিংলেম্বী*)। মহাক্না মণিপুরী ৱাহৈ পূক্কৈ হেন্না মবাং বগয়হন্নবা অনৌবা ৱাহৈ কয়া শেম্লম্মী। 'সমালোচনা' অমসুং 'বাইওগ্রাফি' বু, 'খোবিবোল নুঙ্গোইবা' অমসুং 'মীথোই খোঙ্গুল্লিবা লাইরিক' কৌনিংলম্মী। অসিদসু নত্তনা *মৈতৈ লোঞ্জল*(১৯৫১) দা গ্রামারগী অনৌবা মৈতৈলোনগী টার্ম কয়া পুথোক্লম্মী, "মীংথৈ - নাউন, মিংছৎ - প্রোনাউন, মিংথোল - এদজেকটিপ, থৌবান - ভার্ব" অসিনচিংবা। মহাক্কী ৱারেংদা থেংনরিবা ৱাহৈগী মথং মনাউগী মওংসি য়েংবিয়ু - '*লেপ্লে তুংইন বৈষ্ণব কৃষ্টিনা লৈবাক্তা মপুং, ওইবে বৈষ্ণব শিক্ষা দীক্ষানা জাতিগী অদুম*(*মৈ উপ*, লা. ২)।

অতৈ অইবশিংনা পঙনা শীজিন্নদবা মযাম্না ঙাঙনবা লোনদগীসু ৱাহৈ খন্দুনা শীজিন্নবনা মহাক্কী লোনগী পূক্কৈবু মবাং কাযহল্লি। খুদম ওইনা-মৌবানী, চৈগোক্তগী, পাইকু অমদা, শেহেলৌদবা পূংফম, লোইনীং - লোইমা, অপাল অপিন অসিনচিংবনি। খান্নবা ৱাহৈ মপূম ওইনা হঞ্জন হঞ্জন শীজিন্নবা বিদুপ্লিকেসনগী মওং মতাং কযাদা তোযনা থংনৈ। '*খোর্ঙ্জেগী শেলহৌদবা পূংফমদা হাইজিনখিদুনা বাবীগী মচু খবা খবা হেক হেক মবক মবক্তা লাংই* (*মৈ উপ*, ৫০)।

'খোর্ঙ্জে' গী অর্থ কবি অমসুং অইবা ওইনা নৎত্রগা ইনবা পোৎশক 'কলম' ওইনা শীজিন্নৈ। হায়স্কুল তম্লিঙৈদগী হৌনা খোর্ঙ্জে পাযবা হৌবকই (৭৩)। খোর্ঙ্জেনা নুপীগী

মওং কয়া'মা নীংথিনা উৎখ্রবা (মৈ উ, ৬৮)। খোর্জেজবু ইননবা কলম অমা ওইনা খ্বাইবাকপম চাউবনা 'মৈতৈ কবি'দা ইবম্বা থেংনৈ -

কোর্বাক মাঙদা থা
খোর্জে খুৎতা পায
পলেমগী নীংথিবা খোৎচিলহৌ।

লমদমসিগী অবিবা লাইবিকশিংদা শৈবাংবা নৎত্রগা অইব্বু 'বাক্স' হায়না খঙনবম্মী। মীনকেতননা তোনু লাইজিংলেম্বীদা মশাবু বাক্স অমা ওইনা মশক তাকই। মতুংদা বাক্সগী মঙ্গৎতা খোর্জেজনা কবিবু খঙনবা ব্বাহে ওইনা শীজিন্নবকখি। বাহে অসিবু মণিপুরী সাহিত্যদা মীযামদা হেন্না খঙহন্নবা থৌদাং লৌখিবসি কবি মীনকেতননি হায়বা তায। *ঙাঙ্গোয পবেং* (১৯৪৯) দা অশৈবগী মৈতৈলোনগী চাংযে' মাযপাক্কা হৌখ্রবসু *মৈতৈ উপন্যাস* (১৯৫০) দদি কবিগী বাংলা সংস্কৃততা খুৎলোযবগী হৈনবী মওংদু মমি তাবা থেংনৈ। 'বঙ্কিমযুগীয সাহিত্য', 'শরৎ যুগীয', 'মধ্যযুগীয সাহিত্য' অসিনচিংবা সমাসিক পদগী মশক কাযহন্দনা থম্বগী মওং লাইবিকসিদা উবি। অসিদসু নত্তনা লাইবিকসিগী হৌবকপদা অইবনা শীজিন্নবিবা অতোপ্পা লোন অসি যেংবা যাই - '*আধুনিক মণিপুরী সাহিতা, বৃটিশ আমলগী অনৌবা শিক্ষাগী অবদাননি* (লা. ৩)। মসিদা যাওবিবা মৈতৈলোনসি অমত্তনি। অমা নৎত্রগা অমা ওইববসু মণিপুরী সাহিত্যগী অহানবা সমালোচনাগী লাইবিক *মৈতৈ উপন্যাস* (১৯৫০) লিবিকেল ওইবা ব্রাবেংগী মশক পুবা কবিগী হৈশিংবা অনৌবা কলাগী খুৎশেম অমা ওইনসু শীংথানবা যাই। কবিগুম্বা মতাংদা মহাক্না 'স্বভাব কোমল ওইববা কমল'গী কল্পনাগী খুৎশেম ওইবিবা উবিবৈ অমসু মাধবীগী শক্তম অমুক হন্না যেক্লকপদা চবিত্রশিং অদু অপাবশিংগী মিৎমাঙদা মূর্ত্তি পান্দুনা চোংথোকহল্লি। উবিবৈগী শক্তমবু লৈজবী পুম্বা পুথোক্তুনা যেক্লবগা মীনকেতননা অসুন্না হাযবকই - দুষ্যন্ত 'মসিদগী হেন্না নীংথিবা শক্তম প্রেম জগৎতা অতৈ কবি ইনিংঙাই লৈবি?' অদুগা মাধবীগী মতাংদদি 'গৃহত্যাগিনী মাধবীদা ত্যাগ লৈতে', মাগী নুংশিবদু ধীবেনদা তুংদুনা লৈ। অদুদগী হেন্দোকপা ঙমদে হাযবম্মী। মাগী অকনবা মোতনি। মীনকেতনগী খুৎইগী থোইদোক্না মশক তাক্লিবা অমদি কনশিন্না হাযনবগীদমক নৎত্রগা ফজনবগীদমক বাহৈগী নৎত্রগা কণ্টকী মমাঙদা 'ম' হাপ্পুনা শেম্বা বাহৈগ মওং অসিনি। খুদম ওইনা - 'ধীবেন্দ্রসিংহগী অঙকপদা তৌখিবা শাপ অদুমক্না দুর্ব্বশাগী শাপকুম মকশ্রদ্না দুষ্যন্ত মওল্লব্রা। ধীবেনগী মমিৎ তাঙমল্লি, অমদি মবুক শিমল্লি।' (লা ৩০)। কবি অসিগী নেবেটিভ অমসুং ক্রিটিকেল ওইবা ব্রাবেংশিংদা তোযনা শীজিন্নবিবা টেক্নিক অমনা বাহৈগী মওংদা নৎত্রগা অবায অখুমগী মতেংনা বাহৈ পবেং অমদগী অমদা, পুক্নিংগী ইহুল মুদ অমসুং বিদম অদু অপনবা লৈতনা চেষ্টহনবনি। মণিপুরী

সাহিত্যদা নুংশিবগী কবি কৌনবিবা কবি মীনকেতননা নুংশিবগী মবমদা অসুন্না শৈথাই - 'নুংশিবদা বাদৃবা কবি লৈ, বানা বানা নুংশিবগীদমক অবাবা খাওদৃবা কবি লৈ' *(মৈ উপ*, ২৩)।

মণিপুরী লোনবু নীংথিনা শীজিন্নবা গুস্বগী মগুণ অসি মীনকেতনগী অনুবাদশিংদসু মযেক শেংনা চোংথোবকপা হেৎনৈ। কবিগুস্বদা মাগী লোনগী কির্শি অসি থোক্লবগীদমক অইবনা অকুবা ৱাহৈশিংগী ৱাংন্দোক্কী মবমদা অপাবশিংদা খণ্ডননবা ৱাবোল হেক হেক হাপই। অনুবাদ অবন্বা কলানি। মণিপুরী লোন অমসুং সংস্কৃতি খেন্নবা লোন অমদগী লোন অমদা হন্দোকপনি মসিদা অপনবা কনা লৈবদগী লাইবিক অদুগী নীংথিবা মশক অদু তঙাই ফদনা খবা মখে মাঙবা তাবকই। কবি মশানসু অফবা অনুবাদতা চামাদা যাঙ্খেদগী হেন্না নীংথুনীংঙাই লৈতে হায। অযেকপা থন্বালনা ফনমক ফজদুনসু অশেংবা থম্বালগী লৈনম চনবা যাদবগুম অশেংবা লাইবিক্কী ফজবদু অনুবাদতা তা ও হাযবা যাদে। মসি অনুবাদকা শাগোন্নবকপা দোষনি হাযনা কবিনা *মেঘনাদবধ কাব্য*গী অনুবাদকী হৌবকপদা পল্লি।

মীনকেতননা মাইকেলগী *মেঘনাদবধ কাব্য*, ববীন্দ্রনাথকী *গীতাঞ্জলি* অমসুং সেক্সপীযাবগী *দ বেপ অব লুক্রেসি* মণিপুরীদা হন্দোক্লম্মী। মখোয অসি ৰূপান্তবগী মওংদা পুথোকপনি হাযনা অইবনা হাযবম্মী। অনুবাদশিং অসিদসু মহাক্কী লোন, ৱাহৈ বাতা মহাক্কী প্যার্সনেলিটি অমসুং ফোঙদোকপগী মওংশিং মওং অমা নৎত্রগা অমদা মঙাল তাবা থেংনবি। মীনকেতনগী লোন শেম্বগী হৈ শিংবা মশকশিং অদু অনুবাদতা চঙলিবা অকুবা ভাবশিং ফোঙদোকপদা উংলকই।

মীনকেতননা মণিপুরী সাহিত্যদা অচৌবা মফম অমা কল্লিবসি মহাক্কী লোন্ননি। অদুগা মহাক্কী মনাক নকশিন্নবা পামদ্রিবসু মহাক্কী লোন্ননি। মহাক্কী খুৎই অমসুং লোনগী মশক অসি কাবনা অবিবা সাহিত্য কলা অমসুং সংস্কৃতিবু কুপ্পা নৈনদুনা খঙলু-উকবদগী থোবকপা ৱাখল মিৎযেংগী মঙালনি। কবিগী অথেংবা পুন্সিগী শকক্তা ইখিবা শৈরেংগী লাইবিক *অশৈবগী নিতাইপোদ*, *অশৈবগী শৈবোই* অমসুং *অশৈবগী জযভাই*, লোনগী মশক্তা যান্না নকিশিন্নবা উবি। ৱাহৈগী লৈতেং, প্রমাণ - পাষ্টে, অনুপ্রাস অলঙ্কাব খোযদানা শীজিন্নবনা, মহাক্কী শৈবেংগী মপূং ওইবি। *অশৈবগী নিতাইপোদ*, 'পিযেথাদোই' অমসুং 'নুংশি বাখৈবা' কৌবা শৈবেং অনীনা পুল্লগা শাবনি। 'পিযেথাদোই' দা নোংবাননা থোইবী মশুংলাংগী পাম্বগী খযাওা তাদুনা যাইবী মাঙলবা ফাওবদা থোইবীবু কাউবা ঙমখিদে। চেক্লা ওইনা মপোক লাংওনলবদসু নুংশিবগী ইথৌ লাংবদি কোকখিদে। জগৎকী লেঙলি পাল্লিবা পূম্বা নুংশিবগী পোৎশক ওইনা লোইনমক উবকখি। শৈবেংশিং অসিদা নুংশিবগী অযৌবী মশক যেকপদা নত্তনা লেঙদ্রবা ওইবগু পুন্সিগী মহৈশিংসু যেক্লবা হোৎনৈ

'শাদা লান্দা থৌবা ঐ নি। ঙমদে কনা শীংবা।
লাক্লবদি হনবা তারে থীন্না খঙদে ঙন্না,
পথাপ্নিদো মালংপানগী তম্বা মতম মানা।

তল্লি লৈশাৎ তদেক ত নী উদে মতম মাদি,
মদোম শাৎপী লৈবাং ম ানি খন্দে মতম মাদি।
থংলেল কনাই নাপ্ল লৈ। যেংদে মতম মাদি'

(*অশৈবগী নিতাইপোদ*, লা. ১৪)

পুন্সিগী অথেংবা তাঙক্তা ইখি যা শৈরেং ব্রাবেংদদি অইবগী হান্নদগী লীশাং শিংনা চংথদুনা লাক্লবা খুৎইগী মওংদু শাগোন্নদু যা লৈববসু কবিগী হীরম কয়াদা ফংলুরিবা, খঙলুরিবা ব্রাখল লৌশিংশিং অদু সাহিত্য কলাগী মচলশিংদা ফোঙদোকপদা অতোপ্পা লোনয়ান যাওহন্দনা শেম্বা লোনগী ময়ি অদু হান্না ব ন্না ঙাক্লবা তৌখিদে। মহাক্কী *অশৈবগী নিতাইপোদ* তা য়াওরিবা পূজা, ধর্ম্ম, পাপ পুন্য, ঋ তুনচিংবা অতোপ্পা ব্রাহৈশিং অসি খুদম ওইনা লৌখৎপা য়াই -

চাকচবদা থংই
থুকখি পুক্লিং অসি
চেক্লা ঐগী পুন্সি
কায়রে নুংশি পূজা
পুন্সি ঐগী চুপ্পা। (লা. ১৫)

মীনকেতনগী সাহিত্যগী মফোঙদোক অ সিদা টেক্নিক কয়া শীজিন্নবা অমদি লোন্না মরু ওইবা থৌদাং লৌবা খুৎইনি। মবম অদুনা মাগী খুৎইদা শৈরেংগী ওইবা লোন্দা শীজিন্নবনা খ্বাইনা ঙাঙন-শরুরিবা অসি গী খেন্নবা খুৎইগী মশক অমা চোংথোরকই। সাহিত্যদা মরু ওইরিবসি সাহিত্যদু নত্তে। সাহিত্য ওইবগী মতৌ "লিটররিনেস" অদুনি। মদুনা সাহিত্যগী মশক মওং শাগৎলিবনি হায়বা ব্রাফম অসে মীনকেতনগী সাহিত্য নৈনবদা মরু ওইনা মহাক্কী খুৎইগী তোপ তোপ্পা মশক পুথোকপদা কান্নগনি। ভাষা তত্বগী জ্ঞান নীংথিনা লৈরবা অরিবা সাহিত্যবু মমূৎ তানা খঙবা মশানা প্রতিভা লৈবা মীশক অসিনা মখল মখলগী পাম্বৈ কয়া শীজিন্নদুনা মণিপুরী সাহিত্যগী লমদা অচৌবা মফম অমা কনবা ঙমখিবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। ❑

অশাংবম মীনকেতন সিংহগী লোল অমসুং শৈলী

লোংজম জয়চন্দ্র

অশাংবম মীনকেতন সিংহদি মণিপুরী সাহিত্যগী আতযাদা থোকপা অবংবা থৱাম্মিচাকুম্বনি। মহাক্কী মবমদা ইনবা হোৎনবা হায়বসি অকনবা অমসুং অবাইবা অনীমক ওই। থাগুম্ন, থৱাম্মিচাক্কী ফজবনা, মীওইবগী পৃক্লিং খুদিংমক শুম্নৎহনবদি ঙমদে। মহাক্তি ইথক্তা চিক্লা নাইতোম ওইনা যেংগদবা পোৎশকুম্বনি। ৱাখল চাউবা খ্বাইবাকপম চাউবনি, মঙোন্দা ৱাখলগী অকনবা মশক খব উবা ফংই। ৱাহৈগী থোৎ নৌবদা হৈনজবা কমলনি, বাহৈগী কোৎচিনা অপাবর্শিংগী থম্মোযবু চিংদুনা পুবা ঙম্বগী শাফু অমা মঙোন্দা লোয়নবি। প্রয়াংবা অমসুং অকম্বা খল অনীমক অঙাংহলদা থেংনৈ, মহাক্কী ৱাখলগী মশকসিনা প্রপাবশিংবু অমুকসু তযাং তশোযহল্লি, অমুক্তা লুববা ৱাখলগী গুহাদা কুমথহল্লি। লমযানবা ৱাবশিং অসিগী মঙোন্দা মীনকেতনগী মশক্তি ইনৌ নৌই, ইতোপ তোপই। শৈবেং অমসুং বাবেং অনীমক্তা চপচান। খৃৎলোযবা অইবা অসিনা হৌজিকমক্কীদি মণিপুরী সাহিত্যদা খ্বাইদগী হেন্না লৈতাববা অইবা মীশক ওইবি।

অযাম্বনা মীনকেতনগী লোল অাস লাইনা খনবা ঙমদে। মহাক অসি মণিপুরী সাহিত্যদা খ্বাইদগী নীর্ণথজনা লোল শীজিন্নবা হৈবা অইবনি। মহাক্কী লোলগী কিশি অসি থোকপা হৈত্রবদি, শীজিন্নফম খঙদনা, খোযদৌ শাউগৎতুনা তোকপসু যাওই। মরম অসিদগী অপাবশিংনা, মকওইনা ছাত্র ছাত্রীশিংনা, মীনকেতনগী লোল অসি লুই হায়না খল্লি। অদুবু মহাক্কী লোলগী পংখৈ মনুংদা অমত্তং খোঙ থাংজিল্লুবা ঙম্লবদি, মহাক্কী খোঙলৈ থুনা চেনবা যাদবা লোলগী নুংগাযবক্তা চন্দ্রমুখি নংত্রগ পেক্কুকলৈগী লৈনম তাবোই কনানা হায়বা ঙম্বগে? মীনকেতনদি মীয়ামগী কাব নত্তে, মহাককী খৃৎই খুদিংমক্তা মীয়ামগী পক্লিং হুহনবদি ঙমদে। অৱাংবা চেকপল অমগী মনুংদা কনামতনা য়ৌবা ঙমদ্রবা কাচিন অমদা ফমদুনা ঈশৈ শক্লিবা কবিসু নত্তে। মহাক্তি যাম্না চাং-লেমই, মনাক নকলুবদা হঙ্গোইবা পোকই। অদুবু নকশিল্লুববদি য়াম্না তবাম তৱাম্না তৌই, নোকমি নোকমিবা পৃকচেলনা

লৈতেংই, বাবী লীবা হৈবগী হৈ শিংবনা অপাবশিংগী পৃক্লিংবু লাযনা শুক্ষংতুনা থম্বা ঙমই। মসিনা মীনকেতনগী অচৌবা মগুণনি।

মীনকেতনগী লোল অমসুং শৈলী অসি কুপ্পা নৈনবা চঙই। মচল অনী অসি মহাক্কী খংইদগী লৌথোকখ্রবদি কবিসু লেমহৌদ্রে হাযবা যাই। মীনকেতননা অসুক কুযবা অসি মণিপুবী সাহিত্যবু খুদুম চনবা ঙাল্লবসি খুংলায অনী অসিগী মপান্ননি। কবিনা মপুনি, লোলনা মহাক্কী খোঙলোযনি। মৈতৈবোলনা অসুক যাম্না মবাং কাযনা অর্থ চেন্না শীজিন্নবা ঙমই হাযবসি মহাক্কী খুংই পাবগা খঙই। মঙোন্দা ভাবতবর্ষগী তোঙান-তোঙানবা লোলশিং অমসুং নোংচুপলোমগী লোল মযাম খঙবগী খুদোংচাবা অমা লৈবস্নিা মৈতৈবোলবু শেমনীংবা মওন্দা ওনথোকপা ঙম্বগী শক্তি অমা উবা ফংই। মসিগী খঙলুনা বিদ্যা অসিগী মথক্তা মৈতৈগী অবিবা লোল, মযেক অমসুং সাহিত্য কুপনা খঙবনা অমুককসু হেন্না মৈতৈবোলবু লাযনা শীজিন্নবা ঙম্মী।

মহাক্লা ইহান হান্না মৈতৈবোলবু থেংনকবদা ফাওবকপা পৃক্লিং নুংশিবা, পেন্দবা বাখল অদুগী মথক্তা নাপল পোকচবগী মশক অসি, মহাক্লা পুন্সিগী যাম্না ঙাল্লগৈগী মতমদা ইখিবা *যাকাইবোল* কৌবা শৈবেং অমদা নীর্ণথিনা ফোঙদোকলি,

> মীতম্বাক্তা ও চাওববা,
> মীবোন্নিদও তাংলবা,
> পল্লেম চেংলৌ খংদ্রবা,
> নচানিদও তোল্লবা
> কৌনগেনে ইমা
> গ্রাসিগী কোবৌ নুমিত্তা।
> (*বসন্ত-শৈবেং, যাকাইবোল*)

মসিগী মতুংদা কবিনা মথং মথং চঙশিল্লকপদা থেংনবকপা মৈতৈবোলগী ঙক্লবা মশক খবা যাম্না চীংলেম্না মণিপুবী সাহিত্যদা খুদোল তৌবকখি। মসি মহাক্লা চহী কয়া মৈতৈবোলবু নৈনরুবা অমসুং মসিগী ঈনাক খুল্লবা সাহিত্যগী ফজবা থেংনকবদা পোক্লকপা থৌনা অদুগী মহৈনি।

ভাবতকী মপাল নাইদ্রবা সংস্কৃতি অমসুং মমাবোলগী অববা সাহিত্যবু হকনা নুংশিজবগী মশক অসিগী মথক্তা, মীনকেতনগী শৈবেংগী মওং অসি মকওইনা অহুমথোক্লা খাযদোকপা য়াই - অহানবদা, নুংশিববু পূজা তৌজবা অমসুং নুংশিববু অব্রাংবা আসন, মথক্তা থাঙ্গংতুনা

ঈবাৎপা পামজবা ব্রাখল্লোনগা মরী লৈনবা প্রেম-কাব্যশিং; অনীশুবদা, নুংশিখিবা মরূপ-মপাং অমসুং মরোই মনাউশিং কায়নবদা পোক্লকপা অৱাবনা যৃম্ফম ওইবা শৈরেংশিং; অহুমশুবদা, পি-থাদোইগী শক্তম লৌরিবা কবিগী থম্মোয়দা ফাওরকপা মশক খঙদবা পোৎশক অমসুং থম্মোয়গী লমদম অমগীদমক্তা ঈখৌলাংবগী শৈহেকনা মপৃংওইবা শৈরেংশিং। শক্তম অহুম অসি তোঙান-তোঙাল্লবসু, মপৃংদদি লোয়নমক মরী লৈনৈ। মীনকেতনগী খৃৎইদা থেংনরিবা লোল অমসুং শৈলী অসি মথক্তা পঞ্জরিবা শৈরেংগী শক্তমশিং অসিগী পরীংদা য়েংলকপা তাই।

মীনকেতনদি নুংশিবগী কবিনি, নুংশিবগী শৈহেকনা মহাক্কী শৈরেংগী মপৃংওইবা থৱয়নি। তেংবানবদা লৈরিবা পোৎশক খুদিংমক নুংশিবগী লাংদগী নাহ্বোকপা ঙমদে হায়না কবিনা থাজে। নুংশিবগী মিৎতা পোৎশক খুদিংমক্কী অর্থ লৈ, মমল লৈ, মহাউ চেল্লি। নুংশবনা খুদুম চল্লবা থম্মোয়দি করিগুম্বদনা অঙাংনি, করিগুম্বদনা চীন্নাইদবী পামেলনি, কবিগুম্বদনা মীকপ-মীরাউখোলনা থল্লবা ইঙাগী নোংখোংগুম্বনি। অসিগুম্বা মীওইবগী মখল মথেল নাইরবা অপাম-নুংশিগী শক্তমসি কবিনা মহাক্কী হৈ-শিংলবা লোলগী পাম্বৈ শীজিন্নদুনা মহাক্কী শৈরেংগী লাইরিক কয়ামুক্তা নীংথিনা য়েক্লি। মীনকেতননা শীজিন্নরিবা লোলগী মশক অমসুং স্টাইলদা থাযনগী পেনাগী শৈহেক অমসুং খোনফম কয়া নীংথিনা মবম চঙবা উই। নুমিৎনা নোংচুপ চীংযা লোমখিবদা, খুঙ্গংগী অহল-লম্মন, শাবি-শানৌ কয়ানা ময়ূম ময়ূমদা নুমিদাংগী চাক-ঈশিং লোইবল্লগা,কোযন মাঙ্গোল কাচিন্দা ফমদুনা পেনা খোংবা ওঝাগী নুংশবা মপাউ ঙাইদুনা, মৈতৈগী অরিবা অপাম-নুংশিদা যৃম্ফম ওইবা শাবি-শানৌগী ৱারী কয়া তাগদবগী খৌবাংনা ঙাযরকপ, মদুদগী ভাবকক্কী পৃক্লিং শুঙ্কাৎনবা পেনাগী সুরগা লোয়ননা ঈশৈশকপা ওঝানা বার্বীগী মচল মথং মথং শেমলকপদা থম্মোয়দা নুংঙায়বা পোকহল্লকপদা, মদুগুম্বগী মূর্ত্ত অমা মীনকেতনগী শৈরেংশিংদা উবা ফংই। মসি ইচম-চম্বা শৈরেংগী গুণ নত্তে। চঙী কযা কাবনা মৈতৈগী অরিবা সাহিত্য, কলা অমসুং সংস্কৃতিবু কৃপ্পা থিজিল্লুবদগী থোরকপা মপৃং ফাববা মিৎয়েং অমসুং ৱাখলগী মশক অমনি। মীনকেতনগী অতোপ্পা লোলগী মশক অমনা মৈতৈগী খোংজোমপর্ববগী *তাল* অমসুং *ছন্দ* পুথোকপ ৱাহৈগী মিত্রং ময়াম অসিনি। মহাক্কী শৈবেং অয়াম্বা পেনা নৎত্রগা ধোলোক পায়খৎতুনা শকপা য়াগনি। মাযগৈ অসোমদা মহাক অসি মৈতৈগী অরিবা অশৈবশিংগা চাংদম্নবা নুংঙাইগনি।

মীনকেতননা অথেংবা পুঙ্গিগী তাঙ্ককতা ইরল্লিবা শৈরেংগী লাইরিকসি অহুমনিঃ *অশৈবগী নিতাইপোদ* (১৯৭৬), *অশৈবগী শৈবোই* (১৯৭৭) অমসুং *অশৈবগী জয় ভাই* (১৯৭৮)। লাইরিক অহুম অসি পুন্না মহাক্কী ত্রিলোজিনি হায়না লৌবা য়াই। লাইরিক

অহুম অসিদা কবিনা নৈনবিবা থিম, লোলগী মশক অমসুং স্টাইল অসি যাম্না মান্নে, লংলা অমত্তনা পুন্না লেংবনি। লাইবিকশিং অসিদা মীনকেতননা মপূংওইনা অপাম নুংশিগী মশক অসি নীংথিনা শৈথারি। অহানবগী, *অশৈবগী নিতাইপোদ* হায়বা লাইবিকসি খন্না-থোইবী অমসুং নোংবানগী পুন্সিদা যূমফম ওইবা 'পিয়ে-থাদোই' হায়বা শৈবেং অমগা, আওগী ফুঙ্গা ৱাবীদা যুম্ফম ওইবা ইতিবেন অমসুং চালাম্বা কৌবা শাবি শানৌ অনীগী অৱাবনা পোলোইনবা ৱাবী তাকপ *নুংশি ৱাখৈবা* কৌবা শৈরেং অমগা অনীনা শাবনি। কবিনা খন্না-থোইবী অমসুং নোংবানগী চবিত্রশিং অসিগী মনুংদা নোংবানদনা হেন্না খল পীনীংই। থোইবীবু চপচানা নীংবসি কবিগী মোৎতা, খম্বদগী নোংবান্না হেল্লি। খম্বদি অয়াৎপা লীকলম অমগী মতুংইন্না চৎচবতনি, খম্বনা থোইবীবু তান্নকদে, থোইবীনা মঙোন্দা চেলশিনবনি। নোংবানদি পুন্সিগা শীংনৈ, মবাইবককা শীংনৈ। মহাক্না থোইবীগীদমক্তা লৈজবা খুদিংমক হুন্দোকপদা পাম্মুবা লৈতে। নোংবান্না থোইবীগী মফমদা শক, শাগৈ নাতৈ, মীচং সঙ্গ, পূম্নমক অসি উৎতুনা থেম্নবা হোৎনৈ। থোইবীনা যাদে। মমৈথংদা থৱাযনা পোম্বা ওইদুনা থোইবীবু ফংননবা তান্নবকই। থোইবীগীদমক লমজেল চেল্লু চেনগনি, চীংদা কাদুনা লৈ থিকগনি, কৈ ফাও ফাগনি। অবোইবদা নোংবান্না পাম্বা কৈগী খায়াত্তা যাথোং লোল্লবদা মহাক্কী অশেংবা থম্মোযদু উবা ফংলকই।

থোইবীবু নুংশিজবিবা নোংবানগী থম্মোযদা লেংলি পাল্লিবা, চৎলি টাববা পুম্নমক থোইবীগী থোইবী ঙাক্তা উবকই। অসিগুম্বা নোংবানগী থম্মোযদা ফাওবক্লিবা নুংশিবগী অযৌবা মশক অসি শিংথাবদুনা কবিনা শাক্লি

"লৈমায যেংই থাদোই ঙাক
চীংমায য়েংউই থাদোই ঙাক
থাদোই চাম্মা চাম্মানি
থাদোই লখা লখানি

ঈমাগ যেংই থাদোই ঙাক
পোক্নায যেংউই থাদোই ঙাক।
থাদোই লিশিং লিশিংনি
থাদোই কোটি কোটিনি।"

(*অশৈবগী নিতাইপোদ, পিযে থাদোই*, লা. ২০)

ধোলোককা কোন্নবা খোংজোমপর্বগী ছন্দদা থাংলকপা ৱাহৈগী খোঙথাংনি। মথোক কাবকপী কনাগুম্বীগী ফানা ফানা থাংবা খোঙথাংগুম্বা, চীংমাযদা শজিনা চোংনা চোংনা শান্নবগী তালগুম্বা, পেনা শকপগী তাংথক নাইবা সুবগুম্না, কবিনা নুবা ইতিবেনগী ফজবা থাবকপদা শীজিন্নরিবা লোলগী মশক অসিগা অমুক যেংবিযু,

"লৈশক যেংই নীংথিবী
লৈশাৎ য়েংলে ফজবী
লৈতৌ যেংলে নুংশিবী

লৈচু যেংই পাঙবী
লৈওং য়েংলে হেঙবী
লৈনম তাবে ঈংজবী

লৈরোল লৈকোক চঙ্ণবী নীংথিজৈদো থানবী
অনী ফম্মে শীংনবা ময়াম তিল্লে তাদবী
ফজ্জবী লৈরাংনি নীংথজবী শাঁওেন্নি।"

(অশৈবগী নিতাইপোদ, নুংশি ৱাখৈবা, লা. ১১)

অপাম-নুংশিগী মশক যেকপা অমসুং ফজবা থাবকপদা কবিনা শীজিন্নবিবা ৱাহৈগী .কাচ আস অয়ৌবীনি। *অশৈবগী শৈরোই* হায়বা লাইবিক্তগী শৈরেং অমগা লৌখৎচগে

"ফজৈদকো ফজবি ফজজবী ইতালোয়,
ফজ নঙ্গী মফজ কবি মফজনোনে!
ফজ মানা শাযোল তৌ উৎকে মশাই মফজ
পোক্লরব্রা নহাক ওই - ফজর্মাল্লি মফজ!
লাইনা থাবা ফজনাই মিৎকী লৈয়েং পাল্লবা,
শৈরোল শৈশক সুরবা লৈগী মিৎফম হুক্লবা
তান্ন তান্ন অনীনা নঙ্গী শৈরাংজরবা,
ফজ নঙ্গী মফজ ওমলমগদ্রা থাজবা!
ফজৈদকো ফজবি ফজজবী ইতালোয়,
ফজ নঙ্গী মফজ কবি মফজনোনে!"

(অশৈবগী শৈরোই, লা. ২৪)

অনুপ্রাস অমসুং প্রমান পানথৈদা শাদোং ওইদুনা পুথোরকপা ৱাহৈগী নাচোমনি। মসিগী মশক অসিনা মীনকেতনগী অয়াম্বা শৈরেংশিংগী লোলগী তোপ তোপ্পা গুণ ওইরি। মহাককী *অশৈবগী জয় ভাই* হায়বা লাইরিকসি *নোংজাই ঈচিক্লাজুম্মদা* হায়না মীংথোনবা ইঙাল্লৈগী অৱা পীখন্নখিবা পুক্নিগী তাক্কক শৈথাবা ৱারীদা যূম্ফম ওইবা শৈরেং লাইরিকনি। মফম অসিদা মীনকেতননা শীজিন্নরিবা লোলগী মশকসু মথক্তা পনজখিবা পেনা অমদি খোংজোম পর্ব্ব শকপা ওঝাশিংগী শৈশককী ষ্টাইল অদুনি। শৈরেংগী লাইরিক অসি কবিনা *মংশং* হায়বা বেলে অমা য়েংলুবদগী ইনীংবগী ইথিল পোকখিবনি হায়না পল্লি। মৈতে নিংথৌ পাইখোম্বা অমসুং মরাম খুল্লাকপগী মচানুপী ইঙাল্লৈগী নোংদম থীনা তমলক্লবা নুংশিবগী তাক্কক অসি হৌজিকসু খুল্লং ইশৈ কয়াদা শৈথাদুনা মণিপুরী সাহিত্যগী নুংশিত্রবা বারীগী মচল অমা ওইনা লৈরি। কবিনা তাক্কক অসিবু মহাক্কী হৈ-শিংলবা ৱাহৈগী লৈশি-লৈথোল কয়া হাপচিন্দুনা অমুকসু হেন্না মহাউ যাওহল্লি। মতাং অমদা লাইরিক অসিদা কবিনা থারিবা ইঙাল্লৈগী ফজবা শক্তমসি য়েংবীয়ু -

"খৌরি য়েংলে মনীংথি - শাংতক্ কোন্দক্ লৈশাৎ তম্
নৌনা ঙন্বী মোইবুংলৈ - লৈরাং মাগী লৈওং তম্
সেম্খিবরা খঙ্দে নৌনা ঙৌবী খৌ নামিবী।
থাদা য়েংলুই পূক্লীং হূই - চাউরোদনা চাউদবী,
পিক্লোদনা মঙাল্ লৈ ঙন্না অদুম উজবী,
খোঙ্থাং খূদিং নুজাগী তন্না ঈপোম্লজবী।
নীংথিজবী থা - খঙ্দে মিতম্খিবা করিনা -
তম্খি খঙ্দে উথম্বান্না নত্রে হৈরাংখোয়না।
পূম্বুম্নবী খূৎশানা লৈহাউ লৈরেল্ মতম্লি,
নীংথিজবী খোঙশানা কোঙ্যাঙলৈগী মশক্লি।
ঙাঙ্গানবা খোঙ্জেপ্তা তাবি লৈবাং মোদোল্লে,
তঙাংনবা খূনীংদা হেল্লি লৈরাং কোরীলৈ।
লৈগী কোন্নি হায়সিরা হৈগীনিবু কৌসিবা,
নত্রে অনী তন্না তূ হেঞ্জবনি শক্লসিরা !"
(অশৈবগী জয় ভাই, নোংজাই ঈচিক্কা জুম্মদা, লা. ৫০)

পেনা পায়খৎত না, ধোলোক পায়খক্তুনা শৈথাবকপা ব্রাহ্মেগী ছন্দনি।

অপাম-নুংশি শৈথাবদা কবিগী তোপ্পা-তোপ গুণ উবগুম্বা অব্রাবগী ঈশৈ ইবদসু কবিগী থোইদোক-হেন্দোকপা মগুণ-উবা ফংই। শোক ১৯৮১ দা ফোঙখিবা কবিগী শৈরেংগী লাইরিক, *সনবিক-পবেং,* হাযবসি ইংবাজিগী এলিজিগী মওংদা ইবা শৈরেং ঙাক্তনা মপূং ওইবা লাইরিকনি। অব্রাবগী শৈরেংশিং অসিদা কবিনা শীজিন্নরিবা লোলগী মশকসি থাযনগী মৈতৈগী অবিবা খুনুং ঈশৈগী স্টাইলদনি। মীওইবগী পুন্সিগী মশকশি কবিনা থাজে নুংঙায়বা লৈতে, অব্রাবতনি। অব্রাবা-পোলোইনবা পুন্সি লীলানি। উন্নবা অমসুং কায়নবা, কায়নবা অমসুং উন্নবা পুন্সিগী ঈরৈ অসিদা মীওইবনা চৎলি অয়াংপা লীকলম অমগী খুদুংইন্না অশিবগী খুত্তা নোংমদি। ব্রাখল অসি খন্দুনসু মীওইবা কনানা তেংথাদবা ঙম্বগে মরূপ মপিজা, ঈরোই-ইনাউ, ঈমা ইপা, শাগৈ-নাতে কায়নবগী অব্রা-মৈচাকপু? অসিগুম্বা তেংথাবদা যুম্ফম ওইবা অব্রাবগী শৈরেংসি মশীং ফনা য়ামই। মসিগী মপূংদি *সনরিক পবেং* কৌবা শৈরেংগী লাইবিক অসিদা ফংলবসু অতৈ লাইরিক কয়াগী শৈরেংশিংদসু নীংথিনা ফোঙদোকলি। মথক্তসু পনজখিবা কবিগী *অশৈবগী শৈরোই* হায়বা লাইরিক অসিগী অয়াম্বা শৈরেংশিংসু মসিগী মশক অসি ফোঙদোক্তুনা ইরি। অব্রাবগী ঈশৈশিং অসিগী তোপ-তোপা মশক অমনা কবিনা নুংশিখিবা কনাগুম্বগীদমক থম্মোয়-শোক্লা

তেংথাববসু অবাবগী ব্লাখল অসিমক্লা কবিগী থম্মোযবু খুদুম চনবা ঙমদবা অসিনি। মীওইবগী পুন্সিগী মশক অসি কৃপ্না খল্লুবগা অব্লাবা অমসুং অশিববু কবিনা মমৈথংদা চান্নবা মব্দপকুম্না তবাম্না ওকলি। কবিনা ইখিবা অব্লাবগী ঈশৈশিং অসি লোল অমসুং স্টাইলদা তোপ-তোপা মশক পুবা ঙম্না শৈবেং ঙাক্তনি। মখোয় অসিদা ফোঙদোকলিবা বাঙ্গলগী মশকশু মহাকর্কী পুন্সিগী অবোইবা ৩াঙ্কক অসিদা ফাওবকপা পুন্সিগী ফজরবা মশক খবনি।

''লাক্লবা ৩০ বা ৭ই শাংলবদি কম্না তাই
নুংশি নুংশি কাথনবা পাম্মু পাম্মু তংনবা
মালংচংান মালংচং - মালস্পানগী লেঙদ্রবা।
লৈশাং তম্ব লৈবাংদা লৈবাং কনা কেন্দে তায!
নুংশি নংনা কপ্প তা ব্লানি ঐবু খোঙশানবা -
থম্মোই নঙ্গী কাববা তানা তানা মপাউখোল
থব্লায নঙ্গী চাক্লবা তানা তানা তেংথাখোল
ব্লানি ঐহাক খোঙশানবা, ব্লানি ঐহাক খোঙশানবা।

শিষ্টৌ পিদ মশিষ্টৌ - থম্মোই মাগী ধর্ম্মনি -
কপ্পদদি কপকনু থম্মোই মপাউ তম্ন তম
খোঞ্জেল থোক্ল মৈবা চিং - নোংদম মাগী মপাউ তম।
শিষ্টৌ পিদ মশিষ্টৌ থম্মোই মাগী ধর্ম্মনি।

শিবা কৌবা লাইদুদ নুংথোকপনি মথম্মোই -
নুংশি নংনা ফনা কপ পেৎলোই মাগী থম্মোই।
পাম্মু ঐনা ফনা নোন কদৌনুংদা কনবিবোই,
নুংদা ঈশিং চাইবদা কবিনুংদা পেচ্চবোই।

কপকনুকো নুংশি নং ঐগী পোলোই খোঙফম উ,
ব্লাগনিকো থম্মোযসে পাম্মু নঙ্গী তেংথা তা।
ঙম্মোই নুংশি খোঙশানবা পাম্মু নপাউ তানা তা,
কপকনুকো নুংশি নং ঐগী পোলাই খোঙফম উ।''

(*অশৈবগী শৈবোই*, লা. ২২-২৩)

শৈবেং অসি মীনকেতনগী ফজববা শৈবেংশিংগী মবক্তা অমনি। মসিদা শীজিন্নরিবা লোল অমসুং ব্লাখল মীনকেতনগী তোপ তোপ্পা স্টাইলনি।

মীনকেতনগী অতোপ্পা শৈবেংগী মশক অমনা মশক খণ্ডদবা পোৎশক অমগীদমক্তা ইখৌলাংবগী লাংতক্লবা অসিনি। কবিনা তেংবানবদা ফংবা ঙমদ্রবা পোৎশক খববু তান্নবি। যেংনা যেংনা মাংখি - উনা উনা পায়শিলহৌবা ঙমদে। থম্মোয়দদি চৈনা পোকখি, কবিনো হাযনা তাকপদি ঙমদ্রবা পোৎশক খবনা কবিবু লৈতাহন্দ্রি। অসিগুম্বা ইখৌলাংবা অসিনা ওলহল্লি কবিগী থম্মোয়বু পি থাদোই। পি-থাদোই কৌবী চেক্লানা থাদোই মহাকপু কাউবা ঙমদা হন্না-হন্না লাংতক্লনা থিবগুম পি থাদোই শক্তম লৌববা কবিগী থম্মোযনা ফংবা ঙমদ্রবা পোৎশক অদুত্তবু তান্নবি, থিবি। পি থাদোইগী মশকাস কবিগী মফমদা অচৌবা সিমবোল অমনি। মসিগী রাখল্লোন্দা ইবা শৈবেংনা মীনকেতনগী অচৌবা শৈবেংগী মফম কাল্ল।

''ঐদি খোইবেন্তাক্তা পোকপনি,
কৌনৈ মীনা ঐবু পিথাদোই
শোঞ্জকমল নুংশি মকোলোয।

বসন্তগী লোয়িন ওই
মালেম লৈকোয থুংনা কোয
তঙাং লৈশাৎ তম্বা লৈদ থি
লেঞ্জে চেক্লা ওইবা ইপুন্সি।

কৎলুই থম্মোই অদুঙৈ কনাগুম্বী নুংশি কা,
থংখি মীচৈ চাবদ নুংশিকমল মাগী কা,
মীচৈ চারে চান 'দুম থম্মোই মানা নুংশিখি,
খোঙথাং খুদিং পুন্সি চুপ নুংশি পূজা কচ্চখি।
মহাকথংনি ঐহাক্লা চেক্লা ওইনা পোক্লকপা,
মশুংলাংনি ঐহাক্লা মালেম থুংনা কোযবিবা।
চেক্লা ইপোক যাম্লক্লে নুংশি মাসু মমখবে,
থম্মোই মানা অদুবু কাউসি কৌবা মঙমদ্রে।
বসন্তগী শউম ফং
তঙাং তনৌ লৈশাৎ তম
জগোইজবা লৈবাংদা
পাম্মু মাগী মমি তা
য়েংজে পেন্না ইথম্মোই।
নুংশি-মঙলান তন্ন মঙ্

শকচৈ কোলোয় নুংশি-পিথাদোই,
থাদোই থাদোই পিথাদোই ।''
(*অশৈবগী নিতাইপোদ-পিযেথাদোয়*, লা. ১-২)

ৱাখলদা, ছন্দদা, ৱাহৈদা অমসুং লৈতেংদা মীনকেতনগী মশক তাকপা শৈবেংগী মশকনি। কবিনা মশাবু পিথাদোই ওইনা শকতাকচবনি। নোংপুবা লৈচিলগুম্মা ৱাহৈগী লৈতেংনা মবূক লৃমলবা শৈবেংগী খোঙথাংনি।

মীনকেতননা মৈতৈলোনবু মনীংতম্মা শীজিন্নবা ঙম্বগী মশক অসি মহাক্কী অনুবাদ সাহিত্যদসু উবা ফংই। মহাক্না অনুবাদ সাহিত্যদা মশক নাইনা খূৎথাবা ঙন্নিবসি মঙোন্দা মৈতৈরোলগী পীথোবকপা লোলগী মগুণ য়াওবননি। মহাক্না অনুবাদ তৌবম্বা অসি মরুওইবা কবি অহুমগীনিঃ মাইকেল মধুসুদন দত্ত, সেক্সপিয়র, অমসুং ববীন্দ্রনাথ ঠাকুব। মহাক্না অনুবাদকী লাইবিকশিং অসিদা শীজিন্নবিবা লোলশিং অসি য়েংলুবগা মৈতৈবোলবু লায়ববা লোলনি হায়বসি অবানবা ৱাখলনি হায়বসি ফাওহল্লি। বাংলা অমসুং সংস্কৃতকী মশকতগী তোঙানবা মৈতৈবোলগী শক্তম অমা মহাক্না কন্না শাগৎনবা হোৎনখি। মসিগী মশক অসি থিননবা হোৎনবদা মহাক্না অবিবা মৈতৈগী সাহিত্য সংস্কৃতি, লোল অমসুং ইতিহাস কৃপ্না নৈনখি। মহাক্না শেমজবা লোলগী জগৎ অসি য়েংলুবগা মৈতৈবোল অসি চপচানা অতৈ সাহিত্যগা লমবা তৌবা যাবা লোলনি হায়বসি খলহল্লি। মহাক্না হন্দোকপা মাইকেল মধুসুদন দত্তগী *মেঘনাদ বধ কাব্য* দগী শৈবেং মতেক অমা লৌখৎচগে, মতাং অসি ঈনুং ঙানলকপগী অয়ুক্কী ফজবা থাবকপগী শৈবেংনি

''ছন্দোবক্কে মঙানবা শঞ্জাং চীঙ্গী চিংযাঙদা
ফমদেংবশুম থম্বাছ্‌ক চিংগু থম্বালখোঙহৌবা।
মিংম্নাথম্বাম্মাঞ্জবা মিংচ খোইখোই তেঙ্গা থোং
যেংজবক্কে মলেম তম পুক্লিং হেদৌ তন্ন কা।
হেদৌর্জবি মালেমসু শাঁঙেলশম্নাংনববী
তম্ফাপবেং ঙক্ত থোল নুজা থবাক পুম্নং লং।
ইপোম্নরি খোঞ্জেন্ন নুংশিববা উকোন্নুং
পূংন শেন্ন লাইনুমিং নিঞ্জবগুম লাইকোন্নুং
হেঞ্জরিযে থম্বান্ন লাইজথক্ত অৰুবা,
কংফান্দনা নুমিংলৈ সনামচুহেন্নরৈ
শীঙেলথম্বাল শযেং ঙা কোবৌনুংশিশীংনরৈ।''
(*মেঘনাদবধ কাব্য*, লা. ১-২)

অনুবাদ অসিদা শীজিন্নবিবা লোল অমসুং শৈলী অসি যেংলগা মৈতৈবোল অবাযবা লোলনি হায়বসি কন্নানা হায়বা ঙম্বগে ? মীনকেতনগী ব্রাহৈগী জগৎতা চঙদ্রিবা কনাগুম্বা অমদদি শৈবেংশিং অসি যাম্না লুনা থোকলম্বা যাই অদুবু তাংথক নাইবা ঈচেলগুম্না তাল, লয অমসুং সুবগা কোন্ননা চেনথবক্লিবা লোলগী মশক অসিনা মনুংগী অর্থ কৃপ্না খঙদ্রিবৈদা অপাবশিংগী থম্মোযবু লায়না চেন্দুনা পুখিবা ঙমই । য়াই থাববা লিলগুম্না ইতে তেহল্লী । মসিনি মীনকেতনগী লোলগী শুঙ্কাৎয়াই ।

অবোইবদা মীনকেতনগী ব্রাবেংগী মশক অসি পলহৌদ্রবদি মহাক্কী লোল অমসুং শৈলী নৈনবা অসি মপৃং ফাবা ঙল্লোই । শৈবেংদা কবিনা মৈতৈবোলগী অনৌবা মথেল অমা শেম্নবা হোৎনৈ । মীনকেতনগী ব্রাবেংশিং অসি মহাকক্কী শৈবেংগুম্না, ব্রাকোই শুদে, ব্রাহৈগী লৈতেং অমসুং প্রমান পানথৈনা পিকথল্লি, খজিক্তনা হায়বগা অর্থ যাম্না পীননবা হোৎনৈ । কবি কবিগুম্বা মতমদা মখোয অসি ব্রাবেংদা ইবা শৈবেংগুম্না পোকহলকপসু যাওই । মীনকেতনগী বাবেংগী নীর্ণথিবা মশক অমা যেংগে হায়ববদি শোক ১৯৫০ দা মণিপুরী সাহিত্যগী ইহান হানবা সমলোচনাগী লাইবিক ওইনা মঙাল উখিবা, *মৈতৈ উপন্যাস* হায়বসিদা উবা ফংগনি । মতাং অমদা ডা. কমলগী *মাধবী* উপন্যাসকী মবমদা নৈনবকপা মতমদা অইবনা শীজিন্নবিবা ব্রাহৈগী লৈতেং অসি যের্ণবযু

‘মাধবী’ জগৎকী নীংথঙলবা শকতম অমনি । নোংজাগী ওইবা শকফমনি । নাংযাথ চবুক লোনখ্রবা, থানসু লৈথবক্লবা, লৈথবক্লবা থাগী শাবগ্না অহিংগী লৌচিল নোংফাইগা লানসিংনবকপা, থবানামচাকাশনা তান্ন নোংথঙ মমিৎ কুপ তনা কবম লানবার্ণসিগে মতাগুম চাংনা চীনা থোক্তনা লৈবকপা, অদুগা অমবোমদনা অমমবা হায়বা শাগৈ অদুনা মঙাল অসিদা মাযথীখ্রর্বদি মওংগুম বাকম উবমদা উখোঙ ফমদুনা লাইনিংবগুম যেংলকপা, মদোম ফৌবোই চৎপা নোংজা তাবা মালংনা হাইবৌ ঙামলৌ চৎলকপ উপাল বাপালনা মাগী মতৌ তম নাককা যেৎকা হাইবকপা, মখোযগী মখোঙ থুপলিবা অমম্বা শাগৈনা থাবন্না উখিবা তাবে মতাগুম উকম থিনা থিনা থুপলকপা নোংজাগী শকফম উবব্রা ? মাধবীগী শকফম অদুনি ।” (*মৈতৈ উপন্যাস*, লা. ২৫-২৬)

অমুকসু অইবনা খ্বাইবাকপম চাউবগী *লবঙ্গ-লতা* হায়বা উপন্যাস অসিগী মবমদা থাবকপদা শীজিন্নবিবা লোলগী মশক অমগা যের্ণবযু -

“মসি মৈতৈ সাহিত্য জগৎনুংগী নিংথিজববা উমং অমনি, মসিগী মনুংদা চংখ্রবা ভাবোক্পা খংহন হন্দোকপা ব্রায । মফম অমদা লৈবাং কুনজলতা সনানা লৈশকনা মিৎলম পুল, লৈনমনা পুক্রিং সুম, লৈচুনা উমংগী শকক অমা ঙাল, ফুগাযনা শাৎলি । মফম অমদা লৈনম লৈখোং মুন্দ্রিবনা ককঙাওনববা খোইমু লবঙ্গ লৈখোং লীনা

লীনা পাইবি। মফম অমদা অমুক পামেল লবঙ্গ উকাদা উবীগী জাৎতা পোকলবী কুনজলতা হাইনা হুয়া যানজবি। নাকপাক অমদা কোবৌ শানোংবগী অযাকপা মণ্ডান্না মিৎ তবং হৌবি। অচিকপা উমংগী শরুক অমদা তুমা কাযববা চেকলা নবীননা নুংশি নুংঙোল কাওঙাওনা লৈনা লৈনা পোম্বী ইন্দুবেখা মশুংলাং পাইবি। অমুক মফম অমদা তুমা কাযববী ঙানু থঙ্গোং লতাসনানা নুংশি নুঙঙোল তুফকুননা কাযনবগী লানঙমদ্রবা তোর্ব্বাল চাংজৌদা তাদুনা লৈবি। কনানা থাদুনা লোইগনি।"

(*মৈতৈ উপন্যাস*, লা. ৫৮)

মসিদা শীজিন্নবিবা লোলগী স্টাইল অসি মহাককী অতৈ অতোপ্পা ৱাবেংগী লাইবিক *ভাঙ্গোয পবেং, অঙাংগী বামাযণ, ভাবত চন্দু* অমদি অতৈ চোযনা ইবা ৱাবেংশিংদসু নার্ঘথনা মমি তাবি। ৱাহৈ অমগা প্রমান অমগা হাযনবা মৈতৈগী ৱাহৈদুনি মীনকেতনগী বাবেংশিংদা উবিবসি। মক ওইনা মীনকেতননা মীওইবগী অপাম নুংশি শৈথাবকপা, নাযক অমসুং নাযিকাগী ফজবা শক্তম যেকলকপা অমদি কবিগুম্বা দৃশ্য অমা, থৌদোক অমা শাংখাবকপদা শীজিন্নবকপা মৈতৈবোলগী স্টাইল অসি তোপ তোপ্পা মশক অমনি। মহাক্না মণিপুবী সাহিত্যদা লোলগী মাইকৈদা তৌবিবা দান অসিবু কুপ্পা যেংলগা *মীনকেতনগী লোল* হাযবা ৱাহৈ অমা সাহিত্যগী দিক্ষনাবিদা চাউনা হাপচিনবা তঙাযফদে। শৈবেংবু পামজবা, শৈবেংদা ঙাওজবা, ৱাহৈবু নুংশিজবা বাতৈগী শুক্ষৎযাইদা চাক্লিবা ওনবা ঙম্বা কবিনা পাঙ্গগী অথেংবা তাঙ্কক অসি ফাওবদসু বিদায পিনা পিনা কবিতাবুদি থাদোক্লুনা চৎপা ঙমদ্রি

কোলোয ফায় বাহৈগে নুংশি নঙবু ঙসিদি,
হায়ু তাসি কবিতে, কবি লাক্লি হৌর্জিক্তি।
পাঙ্গ কোবৌ যাচঙ তম হুল্লে নোংচুপ চীঙ্গী কোল,
থৌগদৌবে যেংউনে যাচঙলৈমা মশাইগোল।
হায়ু নঙবু মবেম্ম, কৈদৌর্কান হৌর্জিক্তি,
নুংশি নঙবু খল্লুনে, কদৌর্নানি ঙসিদি।

(*অশৈবগী শৈবোই*, লা. ১)

কপ্পা কপ্পা নুংহিক্লনা, পিবোইননা, অবোইবা ওইনা কবিনা শৈবেংবু থাদোক্লগে হাযনা ইনকপা বিদাযগী ৱাহৈ খবনি। অদুবু ঙম্লগদ্রা কবিনা চৎতা চৎপা শৈবেংবু থাদোকতুনা? ❑

অশাংবম মীনকেতনগী লোন অমসুং খূৎই

প্রো. পোলেম নবচন্দ্র

অশাংবম মীনকেতন (মে ২, ১৯০৬ মার্চ ৭, ১৯৯৫) লৈখিদবা অমন-শৈথাবা ৱারেং অমদা নীলকান্তনা হার্যখি: 'মীনকেতনগী জগৎতি অরি-অনৌ অনীগী থোংশাবনি। কবিগা বৈজ্ঞানিক্কা খূৎশম্নদুনা চৎমিন্নবনি' (নীলকান্ত, ১৯৯৮:৪)। অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী খূৎমাবা কবিশিংগী মনুংদা অশাংবম মীনকেতনসু অমনি। মহাক্কী মবমদা খন্নদং নৈনর্বিবসি কবি অমা ওইনা মশক লাক্লবা হোৎনবনি। অদুবু মহাক্কী মখল মথেল নাইবা হীবম কয়া খোনবা, অকুবা ৱাখলগী মবেপ খণ্ডনবা অমর্দি তোঙান তোঙানবা সংস্কৃতিগী ঈচেনগী ঈতিনফম ওইববা শক্লাইববা মীশক অসিগী সাহিত্যগী লোন অমসুং খূৎইগী মশক লেপ্লা অবাযবা ৱাফম নত্তে।

স্টাইলনা মীবু মশক তাকই। অইবা অমগী পক্লিং-ৱাখলগী মঙাল মাগী খূৎইগী মওং অমা নংত্রগা অমদা মঙাল তাবা থেংনৈ। অচৌবা অইবশিংগী কলাগী থোইদোকপা খূৎই অমদি মফোঙদোকখৈ। কনাগুম্বা অইবশিংনা মখোযনা লৈবিবা সমাজগী শানববা চংনবী, তীক খল (ভেল্যু) অদুগী মনুংদা মখোযগা মিংথ্নেং ফোঙদোকই অমসুং মখোয়গী মমল লেপ্লি। অতোপ্পা অইবা খবনা মখোযনা লৈবিবা সমাজগী নীতি-নিযমশিংনা মশাবু মমল লেপ্লা পামদে। মদুগী মহুত্তা মশাগী থোইদোকপা মতৌনা মহাক্কী অপাম্বশিংদু মশক লেপকন্দবনি লৌই। মখোয়গী পান্দমদি মহাক মশাগী খেন্নবা শক্তম ফোঙদোকপনি। মহাক্কী ফিদমগী তাইবঙদুদা মীযামগী পূক্লিং চিংশিনবনি। অচৌবা অইবশিংনা সমাজসিদা লৈনা লৈনা মশাগী তাইবঙ অমা হেক হেক শেম্মি। মীনকেতনসু অসিগুম্বা অইবনি। মবম অদুনা মহাক্লা মণিপুরী সাহিত্যদা মকওইনা লোন অমসুং খূৎইগী লমদা অনৌবা মায়ওন অমা পীনবা ঈচঙ থৌনা চোংথোবকপা ঙমখিবনি।

লোন হায়বসি সমাজ, সংস্কৃতি, মফম মতমগী ওইবা শক্লোন অমনি। লোন্না অইবগী ফোঙদোক্লবগী শাদোংনি। মীনকেতনগী খূৎইদা মণিপুবী লোনগী মতীং, অরুবা ৱাখল, পূক্লিংগী ঈহুন মনুং য়ৌশিন্না ফোঙদোকপা ঙম্বগী হৈ-শিংবা নীংথিনা মঙাল তাবি। অইবসি

ৱারেং অমসুং শৈরেং অনীমক্তা মহাক্কী তোপ তোপ তাবা লোন শীজিন্নবগী হৈ-শিংবা উবা ফংই। মহাক্কী ৱারেং শৈরেংশিংদা শীজিন্নরিবা লোনগী মরমদা অইবনা মাগী 'পুন্সি শক্তম' দা (১বা লারোল ১৯৮০) মরীক চুম্না ইরম্মি। ইং কুমজা ১৯৩০গী মতমদা অইবনা মণিপুর ইনষ্টিট্যুসন্দা (সি. সি. হায়ার সেকেন্দরী স্কুল) ওঝা ওইরিঙৈদা, মহাক্কী খুঙ্গংগী নৎত্রগা মরৈকাইগী মরমদা রচনা অমা ইয়ু হায়না পরীক্ষাগী ৱাহং শেম্লবা হায়রকখি। ৱাহং অসি শেম্বদা মশাগী পোক্লফম অমদি মবৈকাইগী মশক শুকখণ্ড খণ্ডদবা মী অমনা ৱাহংসি হংফম থোকপরা হায়না মথন্ত হংজখি। ৱাহংসিগী পাউখুম ওইনা মরৈবাক অমদি মমালোন নুংশিনবগী ৱাখল ফাওরকখি। মদুগা সোয়নবা কাবসিগী মমিং চৎলবা শৈরেং 'নোগম্লকখোদা' হংবদু ইখি।

য়াম্বা অশেবা
চৈজিং খুমাবা,
নোংগম্লিঙায় ওইদবরা
নোংগম্লকখোদা।

হাদ সনাপঁওয়োল
পলেম নুংশিকোলোয়ন্
তেংথানিংঙায় ওইদবরা
তেংথারখোদা !...

(*সনবিক পরেং*, লা. ৯২)

থম্মোয়গী অয়ৌবী ৱাখল ফোঙদোকপা ঙম্বা লোনদি কবিগী মমালোন মৈতৈলোনতনি হায়না অইবনা *ঙাঙ্গোয় পরেং*গী ৱাহৈদোক্তা ইরি :

ঐগী থম্মোইগী থম্মোই-নুংদা লোল অমা থুপতুনা লৈ,
মাগী মরোল্দদা ঐ' থম্মোইগী অসুবা মরোল্নি,
মাগী শৈরেংদনা ঐ' থম্মোইগী অয়ৌবা শৈরেংনি,
মাগী শৈশক্তনা ঐ' থম্মোইগী অথেংবা শৈশক্লি,
মাগী শৈদাদনা ঐ' থম্মোইগী অপানবা শৈদানি।

শৈরেং, ৱারেং, নাটক, পুন্সি ৱারী, অনুবাদ, ভাষা বিজ্ঞান, আলোচনানচিংবা সাহিত্যগী বিধা কয়াদা খুৎ থাদুনা মণিপুর সাহিত্যদা মশক নাইবা খুদোল তৌরবা অইবসি মহাক্কী লোন অমসুং খুৎইগী মাইগৈদা তৌরম্বা দানগীদমক থোইদোকপা মফম অমা কন্দুনা লৈরি। মহাক্না ইরম্বা ফোঙলবা লাইরিক ২২ (কুন্নীথোই)গী মনুংদা ৬ না শৈরেংনি, ৩ না অনুবাদকী,

৯ না ৱারেংগী অমসুং অনীনা শৈবেং-ৱাবেং গী অপুনববনি। মীনকেতনগী ৱারেং লাইবিক *ঙাঙ্গোয পবেং* (১৯৪৯) মনিপুরী সাহিত্যদা অনৌবা মহাউ অমসুং মায়ওন পীবা ঙমখিবা লাইবিক্নি। মসিদা 'পুনম চীং', 'পোৎশঙবম খোংনাং', 'ঙাঙোম ফুরা' অমসুং 'খোংনাং হোগাযবী' হায়বা ৱারীগী মওংদা ইবা ৱাবেং মঙা যাওরি। ৱাবেংশিং অসি লিবিকেল ওইনা অতোপ্পা লোনযান যাওহন্দনা মৈতৈবোন শীজিন্নদুনা ইবনি। মবম অদুনা অখণ্ড-অহৈশিংনা মীনকেতনগী অসিগুম্বা খূৎই অসিবু 'ঙাঙ্গোয় পরেং শিবা লোন' হায়না খঙনবকখি। হায়বিবা ৱাবেংশিং অসিদা ইতিহাসকা মরী লৈনবা মীশক অমদি ৱাবী যাওববসু মপূংর্দদি থৌদোক অমদি মীশকশিং অসিগী অকোযবদা শাগৎলিবা লীন-শর্ক্লবিবা থাজ ৱাবীশিং অসিদা অইবর্গী কল্পনাগী মচু শঙদুনা শেমগৎপনি। কবিগুম্বা মতাঙদা মীনকেতনগী প্রতিভাগী মতীক মঙাল তাবা মশানা শেমদুনা থাযনগী লমদমসিগী মহৌশাদগী লৈবক্লবা থাজ ৱাবীগী উচন্দা শেম্বা খূৎশেম ওইনা থোকপসু যাওবি। অমা নৎত্রগা অমবু ওইববসু মীনকেতনগী কবি অমা ওইবগী মগুণ মাগী শৈবেংশিংদা ফংবগুম ৱারেং ইবা ওইনা মাগী *ঙাঙ্গোয পবেং* দসু ফংই হায়বা তাই।

শৈবেং ইবগা ৱাবেং ইবগা খেন্নে। শৈরেংদি ইনৌ নৌবা খূৎশেম 'ক্রিয়েটিভ এক্সপ্রেসন'নি। ৱারেংগীনা শাগৎপনি, কন্সত্রক্টিভ এক্সপ্রেসন নি। লৈচিনদগী নোং ওল্লকপগী মওংগা কবিতা ওইরকপগা অদুগা ৱারেংগীনা পীক্লবা নোংলিক্লা চুমথাং ওইহল্লকপগী মওংগা অখণ্ড-অহৈশিংনা চাংদম্লে। মীনকেতনগী শৈবেংশিং অসি শাংথ-লেংথবা, কোইথোকপা ৱাহৈগী লৈতেং মরাং কায়না শীজিন্নবা খূৎইনি লৌনববসু মহাক্কী ৱাবেংশিং অসিগী থোইদোকপা মতৌদি চীংলেম্বা অমদি হাযনীংবা ৱাফম চপচানা ফোঙদোকপা ঙম্বা খূৎই 'লেপিদবি স্টাইল' হায়বদুমক কৌবা যাই। মহাক্কী খূৎই অসিদা লোন, মুদ, বিদম, অসি অপাবশিংদা হৈনীংহন্দবা পোকহন্দনা নীংথিনা পাউদম্বা ঙম্বগী মগুণ চেল্লী। ৱাবেং ইবগী পান্দম অনী লৈ। অমনা অশেংবা ৱাফম অদু অপাবদা য়ৌহনবা, অমনা পূক্নিংগী ঈহুন খঙহনবা। *ঙাঙ্গোয পবেং* দা অইবগী মকওইবা পান্দমদি ৱারীশিং অদু লীবগা লোয়ননা অপাবশিংগী থম্মোয়গী ঈহুলদা ঈনোৎ পীনবা হোৎনবনি।

মীনকেতনগী লোনগী মবমদা মত কযামকম লৈ। মীনকেতন্না সাহিত্যদা থোইদোকপা মফম অমা কল্লিবসু মাগী লোন্নি, মহাক্কী মনাক নক্লিংদ্রিবসু লোন্নি। কনা অমনা মহাকপু ৱাংলবা চীং, শুক্লবা উমং নৎত্রগা য়েংবদা তুজুংলবা চাউববা লানবনগা চাংদম্লে। পূন্নমক চানবা ঙাকনি। মরম অদুনা মহাক্কী লোনগী ফজবা মশক অমদি মহাউ খঙবা পান্নবদি তংঙাই ফদনা মহাক্কী লোনগী কির্শিশিং অদু থোক্লবগী, ৱাংলবা চীংজাউ নৎত্রগা লানবন জয় তৌবগী অখাঙ কনবা লৈবা তাই। করম্বা লৌমীনা চীংজিন-লাংবনগী নোংজু-নুংশা

খাঙদনা সনা-ফৌবু লোক্কদগে? তিঙ্খং পানবগীদমক থম্নালবু কনানা হুন্দোক্লবগে? অইবশিংনা মখোয়গী খুৎইদা মফম অমদি পান্দমগী মতুংইন্না অতেনবা নৎত্রগা অশাংবা অনীমক শীজিন্নবা থেংনৈ। অতেনবা ব্রাহ্ পরেংনা অযাঙবা খোঙজেন, ইতিহাস, শা-লান্নচিংবগী থৌদোকশিংগী পাউদম পীবদা হেন্না চান্নে। অশাংবা ব্রাহৈ পরেংনা চীংলেম্বা মোংহাদবা মতৌ অমগদা থাগোন্নদুনা লৈ। মীনকেতনগী খুৎইদা মখল অনীমক নীংথিনা শাজিন্নে। খজিক্তদা য়াম্না তায়বা ঙম্না খুৎইগী মশক মহাক্কী ব্রাবেং 'খোংনাং হোগায়বী' দগী লৌখত্নুনা য়েংবা য়াই।

নিংথৌ ওইবা অব্রাবনি। মাদ শৈ-লক্কী ব্রায়েন চৈনি. ...নিংথৌপম্না পল্লে। মী চবাইরোংবা নিংথৌ চবাইরোংবগী পোইরে ইংগ্র। নিংথৌ ঙম্না অঙম্বগী বাবক হুইগং ংলে। ... মশানৌ লৌশিনবা যাদ্রে, মপাবী কোন্সিনবা ঙমদ্রে। (লা. ৬৬-৬৭)

অনৌবা মতমগী খুৎমাবা কবিশিংগী শৈরোলদা মবমদম অমসুং মমালোনবু নুংশিবগী বাখল মীংয়েং চেৎনা থাগোন্নবগা লোয়ননা লমদমসিগী অবিবা শৈরোল, খুনুং ঈশৈনচিংবগী মপান তাংদুনা শৈবেংগী চৎন-পর্বাং অমা শাগৎনবা থৌরাং তৌখবা অরিবা সাহিত্যবু খোয়দাজখিবা খ্বাইরাকপম চাউবগী মথংদা লোন অসিগী মতীক মঙাল, নীংথিবা খিবিক চংথোক্তুনা অনৌবা ঈনোৎ পীনবা হোৎনাখিবা মীনকেতন শীংথাবদা মতীক চায়। তৌবতবু মীনকেতনদি অরিবা লোনগী লেংশিনবগী মওং, ব্রাহৈ পবেং শেম্বগী কাঙলোন কৃপ্না খঙলবা মশাগী লোনশেম অমা পুথোক্তুনা মায় পাক্লা চাংযেং তৌখিবা অইবনি। চীঙ্গাংদা শক্ত-লীনরম্বা শৈরোলশিং অরিবা সাহিত্যগী মশক মহাক্কী খুৎইদা অমসুং লোনশেমশিংদা উবা ফংলি।

কবি অসিগী খ্বাইদগী থোইদোকপা মশক মহাক্কী অখেংবা পুন্সিগী শরূক্তা ইখিবা *অশৈবগী নিতাইপোদ* তা য়েংবা য়াই। লাইরিক অসিদা 'পিয়ে-থাদোই' অমসুং 'নুংশি বাখৈবা' কৌবা শৈরেং অনী য়াওরি। অকোনবগী শৈরেং অসি চলাম্বা অমসুং ইতিবেনগী অব্রা-পোলোইনবা নুংশি ব্রারীনি। 'পিয়ে থাদোই'না খম্বা-থোইবীগী ব্রারীদা য়াওরিবা নোংবানগী চরিত্রদা মরুওইনা যুম্ফম ওইবনি। ফংঙমদ্রবা পোৎলম অমবু তত্তনা ঈথৌলাংবগী থৌরাংবা-লাংতক্লবনা কবিগী শৈরেংসিগী লেঙদ্রবা ঈফুৎ ওইরি। নোংবান্না খোয়রেন্তাক্তা পাম্বগী খায়াংতা তাদুনা থব্রায় মাঙলবা ফাওবদা মাগী থব্রায়না চেক্লা ওন্দুনা থাদোই-থাদোই কৌদুনা নুংশিবগী কোকঙমদ্রবা ঈথৌলাংবদু উৎলি। অদুবু লমদমসিগী মহৌশাদগী শক্ত লীনরিবা ব্রারীদদি নোংবানবু অমকপা মচুদা য়েকই। অদুম ওইনমক নুংশিববু লাৎচবা নুংশিবগী কবি মীনকেতননদি নোংবানগী শক্তমবু নুংশিবগী মৈফমদা ঈক্লবা ফুদোংলবা শনাগী মচুদা পুথোরকই। লমদমসিগী সাহিত্যদা নোংবানগী নুংশিববু অব্রাংবা থাক্তা পুখৎলম্বসি খ্বাইরাকপম চাউবগী 'পি থাদোই' দা অহানবা ওইনা থেংনৈ। "*খঙলে চেক্লা*

খণ্ডজবে, প্রকৃতিনা থাবকপনি নঙসে, তম্বীনবা বিশ্বপ্রেম''। অদুবু হেন্না মপূং মরৈ ফাবা সাহিত্যগী খূৎশেম ওইনা থোবকখিবসি কবি মীনকেতনগী মখূৎতগীনি।

থোইবীবু নুংশিজবা নোংবান্না ওনখি থাজনবা নোংবানগী আত্মানা চেক্লা ওইবদুনা মপোক লাংওন কয়া মাবু নীংজবকপা, জগৎকী লেগুলী পাল্লিবা অচৎ-চত্তা পূম্নমক থোইবীগী শক্তম ওইনা উরকপদা কবিনা শৈথারিবা নোংবানগী শক্তম অপাবশিংগী পূক্নিং শুপ্পৎনবগী মশক্কি। কবিনা শৈথাবি -

''লৈমায যেংই থাদোই-ঙাক ঈমায় য়েংই থাদোই-ঙাক
চীংমায় য়েংউই থাদোই ঙাক লোম্বায় য়েংউই থাদোই-ঙাক।
থাদোই চাম্মা চাম্মনি থাদোই লিশিং লিশিংনি
থাদোই লখা লখানি থাদোই কোটি কোটিনি।''

(*অশৈবগী নিতাইপোদ, পিয়ে থাদোই*, লা. ২০)

মীনকেতননা শীজিন্নরিবা লোনগী স্টাইল অসি মণিপুরী সাহিত্যগী অহানবা সমালোচনাগী লাইরিক *মৈতৈ উপন্যাস* (১৯৫০) তসু উবা ফংগনি। মসিদসু নত্তনা মহাক্না তৌরম্বা অনুবাদকী লাইরিক অহুম - *গীতাঞ্জলি* (১৯৬৪), *দি রেপ ওফ ল্যুক্রেসী* (১৯৬৫) অমসুং *মেঘনাদ বধ কাব্য* (১৯৬৪) দসু উবা ফংই। মশানা ফজনা পোকচরবা থম্বালবু চপ মান্ননা নীংথিনা য়েকথোকপদা ফনমক ফজদুনসু নুংশিবা মনম চেল্লু য়াদবগুম অনুবাদতা মশাগী হান্নগী লাইরিক্তা চেল্লিবা ফজবদু য়াও হায়বা যাদে। মসি অনুবাদকা কোনরবা দোষনি হায়না মীনকেতননা *মেঘনাদ বধ কাব্য*গী অহৌবগী 'ব্রা অমনীদং' হায়দুনা পল্লি। মহাক্কী অনুবাদকী লাইরিক অহুমসিগী মনুংদা সেক্সপিয়রবগী *দি রেপ ওফ লুক্রেসী* অমসুং মাইকেলগী 'মেঘনাদ বধ কাব্য' অনী অসিদা উৎলিবা ভাব মিৎয়েং অমসুং মূদ অসি মীনকেতননা শীজিন্নরিবা লোন, স্টাইলশিংগা হেন্না পকশিন্ননা লৈবা য়াই। মহাক্কী অনুবাদপু নৈনরগা আই. আর. বাবুনা অসুম্না হায় -

> *ওজা মীনকেতনগী অপুনবা শক্তম পুম্নমক মাগী মইদা লোৎনবু ওইরবসু ফোঙনবু ওইববসু অথোই অহেন নাইনা যাওবি, ওজানা ইরিবশিং অসিদা হাপচিন্দুনা অপাবশিংগী পূক্নিং, রাখলদগী থাপতোকহন্দনা তত্তনা থম্না ঙম্মি। অমবোমদা হাযবগা, অনুবাদশিং অসি পাকব্দা অবোইবদা অনুবাদ তৌবিবদুগী মশক মওং, মতৌ পাবনি হায়না খনবদগী হৈশিংলবা কবি ওজা মীনকেতননা মাগী কবিগী ওইবা হৈশিংবা শিজিন্নদুনা মাগী ওইনা পুথোবক্লবা মই অমা পাবিবনি হাযবগী রাখল অসি শোযদনা পোকহল্লি।*
>
> (মীনকেতন নৈনবা রারেং, লা. ৫৬)

মীনকেতনগী লোল অমসুং খূৎইগী মবমদা নৈনবকপদা মহাক্কী লোল শীজিন্নবগী তোপ তোপ্পা মশক্কী মরমদা খবদং লৌখৎপা মতাং চায। মহাক্কী ৱাহৈ মশাজিন্দা (ঙায়), (ম), নচিংবা হাপচিন্দুনা ৱাহৈ শেম্বা মরাং কায়না থেংনৈ। মীনকেতনগী ৱাহৈ খনবদা অমদি লোন শেম্বদা ভাষা তত্ত্ব খঙবগী, অবিবা লোন মমুৎ তানা নৈনবগী খুদম উবা ফংই। অবিবা মৈতৈলোনগী ৱাহৈদা 'নাউন' অমসুং 'ভর্ব' পুশিন্নদুনা নৎত্রগা এফিক্সশিংগী মতেংনা ভর্বেল ফোর্ম শেম্বা থেংনৈ। 'তাবা', 'খুম্বা', 'খাম্বা' হায়বসিগী মহুত্তা 'নাতাবা', 'পাউখম্বা' অমসুং 'থৌখাম্বা' অসুম্না শীজিন্নৈ। কবিগুম্বদা 'ঙাই' নৎত্রগা 'ঙাম' হাপ্তুনা ৱাহৈশিং অসি শাংদোকহল্লি। 'নোক্লবা', 'লোয়নবা' অমসুং 'পৈবা' হায়বগী মহুত্তা 'ঙাইনোক্ল বা', 'ঙাইরোয়নবা' অমসুং 'পৈঙাম্বা' অসুম্না ইবম্মি।

অয়াম্বা অইবশিংনা চৎনবিবা 'ৎ' গী মহুত্তা 'চ' শীজিন্নবসি মীনকেতননা অহানবা নৎত্রবসু সাহিত্যদা মবাঙ কায়না পাক শন্না শীজিন্নবদি অইবা অসিনি। খুদম খরদং লৌখৎলবদা:

ক) শাচ্চখিদো শাচ্চখি নুজা লৈবাং ইতিবেন (*নুং. ৱা.*, লা. ৫)
খ) ঈঙৌ ফৌবোই মপুক্লিংগী থেচ্চৈ অপাম কাদা (*নুং. ৱা.*, লা. ১২)
গ) মমোম ঐহাক লৈজেয়ে নুজা পাউকচ্চকবে। (*তো. লা.*, লা. ৮৭)

'ঙায' তখা

ক) থিজনিঙ(ঙাই) থিহৌবা মাঙর্জনঙ (ঙাই) মাঙহৌবা। (*ঙা পা*. লা. ১৯)
খ) চবাইবোংবা লৈবাং মৈ চুকনিঙ (ঙাই' পুন্সি মাগী মৈখম্নবে। (*ঙা. পা.*, লা. ৭৬)
গ) তাক্লি লম্ফেনবা তাইবংদা অচুম্বগী লম্বী চৎন (ঙাই)। (লা. ৭৬)

মীনকেতনগী লোনগী থোইদোকপা মশক অমনা প্রিফিক্স (ম) মবাং কায়না শীজিন্নবদা লৈ হায়বা যাই। খুদম:

ক) লাইদনবু খঙবনি ইপা নংনা (ম) খঙম্মি। (*মে. কাব্য*)
খ) তন্ন কুবি হৈববা চীংঙু মাগী (ম) খুভম, (*মে. কা.*, লা. ২৪)
গ) অসিগী মখৈদদি (ম) খংনৈ। (*ঙা. পা.*, লা.১)

ৰবীন্দ্রনাথ কী *গীতাঞ্জলি* অনুবাদকা মরী লৈননা কবি অসিগী ৱাহৈ শীজিন্নবদা প্রোনাউন হন্না হন্না হাপ্তুনা 'মাগী ময়াথং', 'ঈশাই ইয়ম' অসিনচিংবা ৱাহৈ অমসুং ৱাহৈগী মমাঙদা প্রিফিক্স (ম) হাপচিন্দুনা ইমফেসিস পীবগী মওংদা শেন্লিবা ৱাহৈশিং অসিনা থোইদোকপা কান্নবা পীদে হায়না আই. আব. বাবুনা তায় (*গী. নৈ. ৱা.*, লা. ৫৪)।

অইবা অসিগী লোন শীজিন্নবগী, ৱাহৈ পরেং শেম্নগী মওং অসিনা মহাক্কী ৱারেংশিং অসিদা শৈবেংগী ঈহুন অমগা খুৎশম্নদুনা চৎপগুম ফাওহল্লি। অৱায় অখুমগী মওংদা ড্রামাটিক ওইনা লোনগী শাফু য়াওনা পাউদম্বা ঙম্বগী মওংদু মহাক্কী খুৎইদা উবা ফংই। অচৌবা অইবতনা মখোয় মশাগী ওইবা মীগী পূক্লিং খোনবা খুৎইগী মশক হেক হেক শেম্মি। অসিগুম্বা মশাগী ওইবা তাইবঙ অমসুং তোপ তোপ্পা স্টাইল অসি অচৌবা মীওইদগীতা থোকই হায়বসি যানৱবা ৱাফমনি। মণিপূরী সাহিত্যদা অশাংবম মীনকেতননা সাহিত্যগী মচল কয়াদা খুৎ থাদুনা লোনগী লমদা মমল নাইদ্রবা অচৌবা পূক্কে অমা খুদোল তৌবীবল্লে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। ❑

১। মীনকেতন সিংহ, ১৯৫২, *ঙাঙ্গোয় পবেং*

২। মীনকেতন সিংহ, ২০০৬, *মেঘনাদ বধ কাব্য*

৩। সুনিতাবাণী, ২০০১ *অশাংবম মীনকেতনগী লোন, খুৎই অমসুং মফোঙদোক নৈনবা* মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা লানখৎপা ফোঙদ্রিবা থেসিস

৪। হার্বর্ত রিড, ২০০২, *ইংলিস প্রোজ স্টাইল*, নিউ দিল্লি।

৫। নীলকান্ত, ১৯৯৮ *হৌজিক্কী সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতি*।

৬। *মীনকেতন নৈনবা ৱাবেং*, ১৯৯৭, নহাবোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি।

মীনকেতনদা বৈষ্ণব সাহিত্যগী প্রভাব

শ্রী রাজকুমার ঝলজিৎ সিংহ

শ্রী অশাংবম মীনকেতন বৈষ্ণব ধর্ম্মদা চেৎনা থাজবা ইমুং অমদা খৃষ্টাব্দ ১৯০৬ তা ৱাংখৈদা পোকখি। খৃষ্টাব্দ ১৭০৪ দগী খৃষ্টাব্দ ১৯৫০ ফাওবসি মণিপুরদা বৈষ্ণব ধর্ম্মগী খমথেংনা চাওখৎপা মতমনি। ৱাংখৈ হায়রিবা অসিসু ইম্ফাল মহানগরগী মনুংনি। ইম্ফাল হায়রিবা অসিনা মতম অদুগী বৈষ্ণব ধর্ম্মগী কেন্দ্রনি। পোকপদগী নুমিৎ ১২ নি শুবদা শ্রীমীনকেতন ৱাংখৈদগী য়াইস্কুলদা হোংলকখি। য়াইস্কুল হায়রিবা অসিসু ইম্ফাল মহানগরগী মনুংনি। মতম অদুগী মীনা য়াম্না সন্মান তৌবা মফমনি। রাজা চূড়াচান্দনা অঙাং ওইরিঙৈদা বৃটিশ সরকারগী পোলিটিকল এজেন্টনা মণিপুর শাসন তৌরম্মী। মীনকেতননা পোকপা চহী অমা ফারবদা, রাজা চূড়াচান্দসু সাবালিগ ওইরদুনা বৃটিশনা রাজা চূড়াচান্দ অমদি মহাক্কী দরবারদা লৈবাক ঙাকপগী শক্তি খরা শিন্নরে। চূড়াচান্দনা পানবা মতম অসিদা বৈষ্ণব ধর্ম্মদা অনৌ অনৌবা ঈনোৎ হাপ্পা হৌরে।

মণিপুরদা চৎলিবা বৈষ্ণব ধর্ম্মসি গৌড়ীয় বৈষ্ণব ধর্ম্মনি। মীনকেতননা নহা ওইরিঙৈ মতমদু লাইরিক হৈবা মণিপুরী খুদিংমক বাংলা হৈ। বাংলা হৈবা মণিপুরী খুদিংমক বৈষ্ণব সাহিত্য পাই। বৈষ্ণব সাহিত্যগী মনুং চনবদি *শ্রীমদ্ভাগবত*, *চৈতনা চরিতামৃত*, *রামাযণ*, *মহাভারত*, গোস্বামী ৺রুক্কা ইবা লাইরিকশিং, *গোবিন্দ লীলামৃত*, *চৈতনা ভাগবত*, *গীতগোবিন্দ*, নরোত্তম ঠাকুরগী *প্রার্থনা* নচিংবনি। ইংরেজী শিক্ষা ফংদবা মণিপুরী নুপাশিংসু লন্নাই তমদুনা বাংলা খরা খরা খঙই। অদুনা রামাযণ, মহাভারত লীবা, লাইরিক থীবা হায়বা, নট সঙ্কীর্ত্তন মনোহরসাই ঢপ শকপনচিংবা ঙম্মী। মখোয়সু বৈষ্ণব সাহিত্যগী মঙাল ফংই। লাইরিক সুক্তম তমদবী নুপীশিংসু মাগুপ মাগুপ্পা রামায়ণ মহাভারত, লাইরিক থীবা হায়বা তায়। মতৌ অসুম তৌদুনা লাইরিক হৈতবী নুপীশিংসু জ্ঞান য়াম্না ফজনা ফংই। অসুম্না মণিপুরী হিন্দু খুদিংমক বৈষ্ণব সাহিত্যগী মঙাল ফংই। মীনকেতনসু অদুমঙাই অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা বৈষ্ণব সাহিত্যগী মঙাল ফজনা ফংই। য়াইস্কুল হায়রিবসি মতম অদুদা বৈষ্ণব ধর্ম্মগী কেন্দ্র অমনি।

স্কুলদা ঃ

মীনকেতননা পুস্তক চাউবক্রুবদা, পেটিগ্রু পাঠশালাদা লাইবিক তম্বা হৌবে। স্কুল অদুগী ওঝাশিং বৈষ্ণব ধর্ম্মদা চেৎনা থাজবা ঙাক্তনি। বাজা চূড়াচান্দ অমদি মহাক্কী দববাবদা শক্তি শিন্নবিবসি খৃষ্টাব্দ ১৯০৭ কী মে থাদনি। মদুগী মমাঙদা, মীনকেতন্নদি পোক্লিঙৈদা, খৃষ্টিযান মিশনবীশিংনা মতম অদুগী পোলিটিকল এজেন্ট মেজব মেক্সবেলদা মণিপুব তম্পাক্তা খৃষ্টিযান ধর্ম্ম শন্দোকচগে হাযদুনা দবখাস্ত থাখি। দবখাস্ত অদু মেজব মেক্সবেলনা যাখিদে। মহাক্না হাযখি, 'ঐনা পাযবিবা শক্তি অসি খবা লৈবগা বাজা চূড়াচান্দনা পাযগদবনি মণিপুব তম্পাক্তা খৃষ্টিযান ধর্ম্ম শন্দোকচগে হাযবিবসি ঐনা হৌজিক যাববদি হযেং চূড়াচান্দনা শাসন চলাইবকপদা অকাযবা ওইগনি। পোলিটিকল এজেন্টনা যাদ্রবদা খৃষ্টিযান মিশনবিশিংনা চীংগী লমদা খৃষ্ট ধর্ম্ম শন্দোকখি। খৃষ্টিযান মিশনবিশিংনা খৃষ্ট ধর্ম্ম শন্দোক্তে হাযজবম্বদু পেটিগ্রু পাঠশালা লৈবিবা মফমসিদনি। হাযবিবা মফম অসিদা খৃষ্টিযান ধর্ম্মগী কেন্দ্র ওইবম্লবদি মীনকেতননা বৈষ্ণব সাহিত্যগী মঙাল ফংবদা অপনবা অমা ওইবমগনি। মেজব মেক্সবেলনা দূবদর্শী ওইবদগী অপনবদু থোকখিদ্রে।

পাঠশালা তম্বা লোইবগা মীনকেতন মোইবাংখোম উচ্চ প্রাইমবি স্কুলদা কাবে। মহাক্না লৈবম্বনা মোইবাংখোম সৌগাইজম লৈবক্তনি। স্কুল অসিনা লৈবম্বনা মোইবাংখোম বাজাবদনি। যাম্না নক্লবা লমনি। উচ্চ প্রাইমবি স্কুল অসিদসু মঙাই ওঝাশিং অদু বৈষ্ণব ধর্ম্মদা চেৎনা থাজবা ঙাক্তনি।

উচ্চ প্রাইমবি পাস তৌবগা মীনকেতনা জোনষ্টোন স্কুলদা কাবে স্কুল অসিদদি বাঙ্গালী ওঝা যাম্না যাওবনী। মীনকেতনন লাইবিক তম্বসি ক্লাস সিক্স ফাওবদি মণিপুবী মাধ্যমদনি। মহাক্না পোক্লদবা চহী মনি বাৎলিঙৈগী হাযবদি খৃষ্টাব্দ ১৯০২ দগী পাঠশালাশিংদা মণিপুবী তম্বা হৌবে ১৯০২ গী মমাঙদদি লাইবিক তম্বসু পবীক্ষাগী মাধ্যমসু বাংলাদা ওইবম্মী। মীনকেতননা মেট্রিক থাবা মতমদদি মণিপুবী অসি কলিকতা বিশ্ববিদ্যালযনা মেট্রিক্তা মানাতা পীবে।

কলেজদা ঃ

জোনষ্টোন স্কুলদা তম্বা লোইবগা, মীনকেতননা মুবাবিচান্দ কলেজ সিলট্রতা তমলে। কলেজ অদুগী বাঙ্গালী ওঝাশিংদি শাক্ত ঙাক্তনি। ব্রাহং অমা লাকই-মীনকেতনদা শাক্তগী প্রভাব তাবির্বসি মহাক্না মুবাবিচান্দ কলেজদা তম্লিঙৈদা মক হুর্নাখববা ? মসিনা মসি ওইবে। মীনকেতননা বাংলা ফজনা খঙলিবসিগী মক ওইবা মবম অমদি সিলট্রতা বি এ ফাওবা তম্বনি। সিলট্র হাযর্বসি বাংলা ঙাঙবা লমনি। বাঙ্গালী ওঝাশিংসু বাংলা

ঙাওবনি। মীনকেতনদা মসিগী ফল করিনো? মহাক্না বাংলা ফজনা খঙথিবা অদুনা তুংগী পুন্সিদা বৈষ্ণব সাহিত্য অমদি শাক্তগী সাহিত্য খঙবদা য়াম্না মতেং ওইখি।

বৈষ্ণব ওইনা ঃ

শ্রীঅশাংবম মীনকেতনগী অকোনবগী চহী কুম্থামুক ঐহাক মহাক্কা তিন্নজবগী খুদোংচাবা ফংখি। মহাক চন্দন ফজনা নিতিগী থিল্লি। লুগুণ থাংই, উরিক সি। ঐখোয়না মণিপুরীদা চন্দন থিনবা হাযবির্বসি তিলক তৌববুনি। তিলক মখল য়াম্মী। মী অমগী তিলক য়েংলগা মী মহাক অদু কবি ধর্ম্ম চৎপগে হায়বা খঙবা ঙম্মী। মীনকেতনগী তিলক অসি গৌড়ীয় তিলক হায়না হৌদুনি। গৌড়ীয় বৈষ্ণব ধর্ম্মগী তিলক সিডী চিংখৎলগা সিডীসু চিংথবা, লাইবক্তা ছাপ থাবা অদুনি। চৈতন্য মহাপ্রভুনা হৌদোক্লম্বা বৈষ্ণব ধর্ম্ম অদু চৎপা মীতনা তৌগদবা তিলকনি। মহাক্কী লাইবক্কী তিলক অসিদগী ঐনা খঙবদি মহাক অসি শুকশোয় শোয়দনা দ্বাদশ তিলক তৌবমগনি। ঐনা 'তৌরমগনি' হায়জবগী মবমদি মহাক্না চন্দন থিল্লগা ফুবিৎ লিত্তনা লৈবা অবস্থা অদু ঐ অমুক্তা থেংনজখিদে। থিল্লিবা চন্দন মথিন অসিদি নিত্যানন্দ প্রভুগা অদ্বৈত প্রভুগা অনীনা লেপ্পনি। চৈতন্য মহাপ্রভুদি রাধা ভাবতা চঙদুনা কৃষ্ণ প্রেমদা লূপ্তুনদা লৈবনা চন্দন অসুম থিল্লু উরিক অসুম সিউ হায়না ভক্তশিংদা তাক্লবা মতম ফংখিদে। মীনকেতনগী চন্দন উরগা পণ্ডিতশিংনা শোযদনা খঙগনি — মহাক অসি বৈষ্ণব সাহিত্যগী প্রভাব ফজনা ফংলে।

শ্রী মীনকেতন উবিক সি। উবিক হায়বসি তুলসীগী উ অদুনা শাবনি। বৈষ্ণবগী লক্ষণ অমনি। শাক্তদি উবিক সিব্রা? সিদে। মীনকেতন লুগুণ থাংই। লুগুণ থাংলবদি লুগুণদুদা গ্রন্থি যাওই। গ্রন্থিদুদা গায়ত্রী শোল্লি। গায়ত্রী হাযবসি ঋগবেদদগীনি। ঋষি বিশ্বামিত্রনা লেংলম্বা মন্ত্রনি। মীনকেতন সংস্কৃত ফজনা খঙই। মরমদি, মহাক্কী মতমদা মেট্রিক্তা হিন্দু ছাত্রশিংগীদি সংস্কৃত কম্পলসরিনি। এদিশনল সংস্কৃত হায়বা অমসু লৈরম্মী। গায়ত্রী মন্ত্র শোনবদা মীনকেতননা শুকসোয় শোযদনা উচ্চাবণ চুন্না শোল্লমগনি। মদুদা চিংনবা লৈতে।

মীনকেতননা ঐঙোন্দগী চহী তরানিপাল হল্লি। অদুনা মহাক্কী লুগুণ থাংবগী লু কোক্তুনা, য়েম্পাক তুপ্তুনা ভীক্ষা নিবদু ঐ উহৌদে। উহৌদ্রবসু মহাক্না ভীক্ষা নিবদা মহাক্কী মমা ইবেম্মা নৎত্রগা মমাগী মমান্নবীদ। ভীক্ষা নিবদা শোযদনা হায়রমগনি 'ভবতি ভীক্ষং দেহি'। মনু সংহিতানা হায়বদি ব্রাহ্মণ নুপা মচানা লুগুণ থাংবদা 'ভবতি ভীক্ষং দেহি' হায়গদবনি; ক্ষত্রিয় নুপামচানা লুগুণ থাংবদা 'ভীক্ষং ভবতি দেহি' হায়গদবনি অমদি বৈশ্য নুপা মচানা লুগুণ থাংবদদি 'ভীক্ষং দেহি ভবতি' হাযগদবনি। বাহৈশিংসি অর্থদি

অম্মানি অদুম্নদি ওইবগা বর্ণ খেন্নবা মতুং ইন্না ৱাহৈ পবেং খেন্নহনবনি। মীনকেতনদি ক্ষত্রিয় ওইববসু ব্রাহ্মণনা হায়গদবা ৱা হায়, কবিগীনো? মহাক লাম্লববা? লান্দে, কবিমত্তা লান্দে। গৰীবনিৱাজ মহাবাজা অমদি শান্তিদাস গোস্বামীনা মণিপুবী ক্ষত্রিয়শিংবু থাক যাম্না বাংনা থনম্বননি।

মীনকেতননা শেৎলিবা ফৈজোম মশেৎ অসি ত্রিকচ্ছ ফিজেৎ হায়বদুনি। মসি যেৎকী ফিবৈ যেপ্পা ওইগী ফিবৈ যেপ্পা অমদি নাম্নৈ যেপ্পনি। *হবি ভক্তি বিলাস* হায়বা লাইবিক অদুগী মতনি। মসি বৈষ্ণব সাহিত্যগী মনুং চনবা লাইবিকনি। মসি সনাতন গোস্বামীনা ইবনি।

হবি ভক্তি বিলাস কী মতুং ইন্না লৈবাংশিং অসি কৃষ্ণদা কৎপা যাবা অমদি যাদবা হায়দুনা মখল অনী থোক্লা খায়দোকই। জবা কুসুম, অপবাজিতানচিংবসি কৃষ্ণদা কৎপা যাদে। জবা কুসুম অমদি অপবাজিতা হায়বা লৈ অনীসি মীনকেতননা শ্রীগোবিন্দদা নৎত্রগা অতোপ্পা মন্দিব অমদা শ্রীকৃষ্ণদা কৎপা যাওখিববা যাওখিদববা? হৌজিক ফাওবদি মসিগী চপ চাবা সাক্ষ্য ফংদে। কৎলমগদৌবদি মান্দে। কৎত্রবদি *হবি ভক্তি বিলাস*কী মত চৎলে হায়বগী প্রমাণনি। হায়বদি বৈষ্ণব সাহিত্যগী প্রভাব তাবগী প্রমাণনি।

মীনকেতনগী লাইবিকশিংদা ঃ

মীনকেতননা ইহান হান্না ইখিবা লাইবিক্তি *বসন্ত শৈবেং* নি। লাইবিক অসি ঐখোয়গী পাঠ্য বুক ওইনা ঐহাক আই এ দা তমজবকই। লাইবিক অসিদা ৰবীন্দ্রনাথ ঠাকুৰগী *গীতাঞ্জলি* গী প্রভাব যাম্না ফজনা তাই। ৰবীন্দ্রনাথ ঠাকুৰ মশামক্তদা তাবিবা প্রভাবতি কবি কবিনো? প্রভাব অহুমনি-অমনা বৈষ্ণব সাহিত্যগী প্রভাব, অনীশুবদা উপনিষদশিংগী প্রভাব, অহুমশুবদা ইংবেজী সাহিত্যগী প্রভাব। মীনকেতনগী *বসন্ত শৈবেং* দা ৰবীন্দ্রনাথকী *গীতাঞ্জলি* গী প্রভাব তাই হায়বগী অর্থদি বৈষ্ণব সাহিত্যগী প্রভাব নাকোইননা তাই হায়বনি।

*বসন্ত শৈবেং*গী মতুংদা মীনকেতন্না *শৈবে*, *খুজোক* কৌবা লাইবিক অমসু ইবম্মী হায়নৈ। অদুবু মদু খুৎই ওইনা লৈবিঙৈদা মাঙখিদুনা ছাপাদি তৌখিদ্রে হায়নৈ। মীনকেতননা 'খুজোক' হায়বিবা অসি অঞ্জলিনি। অঞ্জলি হার্যাববসি ঈশ্বৰদা কবিগুম্বা অমা খুজোক খুজোক কৎপবুনি। ঈশিং খুজোক কৎলগা জলাঞ্জলি হায়দুনা মণিপুবীশিংনা হায়নবিবা অসিনি। ঈশৈগী খুজোক কৎলগা ৰবীন্দ্রনাথনা গীতাঞ্জলি হার্যাববা অসিনি। মীনকেতননা কবিতাগী খুজোক কৎপবু শৈবেং খুজোক কৌবগী ৱাদনি। থাঙ্গৈশেংবদি কবিতাঞ্জলিনি। মসিসু *গীতাঞ্জলি*গী প্রভাবনি।

মথংদা খৃষ্টাব্দ ১৯৩৬ তা ইখিবা *সীতা বনবাস* হায়বা নাটক অসি *রামায়ণ*গী ৱারী অদুনি। সীতানা বন্দা লৈখিবগী বারী অদুনি। নাটক ওইনা ইথোকপনি। *রামায়ণ*দি বৈষ্ণব সাহিত্য চপ চাবনি। রামায়ণ হায়বসি **রামম্ অধিকৃত্য কৃতম্** হায়রিবনি। হায়বদি রামদা য়ুম্ফম ওইরগা ইবনি। রামদি বিষ্ণুগী অবতারনি। রামায়ণগী ৱারীদি মণিপুরদদি য়ুমথোং খুদিংগী খঙনৈ। মীনকেতন্দসু অঙাং ওইবিঙৈদগী রামায়ণগী প্রভাব ফজনা তাখি। বৈষ্ণব সাহিত্যগী প্রভাব তাবনা মহাক্না চহী ৩০ মুক শুরকপদা লাইরিক অসি ইথোকপা ঙম্বনি।

মথংদা লৌখৎচরি মহাক্কী *রামায়ণগী ৱারী খরা* কৌবা লাইরিক। লাইরিকসি খৃষ্টাব্দ ১৯৫১ দা ফোঙবনি। মসিসু মীনকেতনদা রামায়ণগী প্রভাব তাবদগী ইথোরকপনি। *রামায়ণ* ইরম্বা ঋষিদি বাল্মীকিনি। মহাকপু আদি কবি কৌনৈ। *রামায়ণ*বু ভারতকী মফম পুন্নমক্তা ধর্ম্মগী লাইরিকনি হায়দুনা লুনা তৌনৈ। তৌইগুম্বসুং, বাল্মীকি *রামায়ণ*দি সংস্কৃত্তা লৈ। সংস্কৃত্তি অরুবা লোল্নি; সাধারণ মীযাম্না পাক খঙবা ঙমদে। অদুনা ভারতকী তোঙান তোঙানবা মফমদা, তোঙান তোঙানবা লোন্দা বামায়ণ ইথোকনৈ। অসুম্না তুলসীদাসনা হিন্দীদা *রাম চরিত মানস* ই,কম্বন্না তামিলদা *রামায়ণ* ইথোকই, কৃত্তিবাসনা বাংলাদা *বামায়ণ* ই। মণিপুরদদি অসুম্না ইথোকপা রামায়ণ লৈতে। অচৌবা অৱাৎপা অসি খরগীমখৈ কোক্নবগী উদ্দেশ্যদা মীনকেতননা মহাক্কী *রামায়ণগী ৱারী খরা* হায়বসি ই। বৈষ্ণবকী ইমুংদা পোক্লকপা, বৈষ্ণবকী সমাজদা চাউরকপা অমদি মশাদা বৈষ্ণব সাহিত্যগী অকনবা প্রভাব লৈবদগী রামায়ণগী ৱারী খরদা ওইববসু ইবগী প্রেরণা অসি লাকখিবনি।

রামায়ণগী ৱারী খরা ইরবগী মতুংদা মীনকেতননা খৃষ্টাব্দ ১৯৬৪ দা রবীন্দ্রনাথকী *গীতাঞ্জলি*মণিপুরীদা অনুবাদ তৌখি। মীনকেতননা কলেজ তম্লিঙৈদা মঙোন্দা রবীন্দ্রনাথকী *গীতাঞ্জলি* গী প্রভাব তাখি। মসি মহাক্না বাংলা ঙাঙবা লম সিলচ্রতা লাইরিক তম্বা, বাঙ্গালীশিংগা তিন্নবা, মশানসু বাংলা নীংথিনা খঙবা অমদি রবীন্দ্রনাথকী কবিতাশিংগা বৈষ্ণবশিংগী সাহিত্যগা য়াম্না নকশিন্নবদগীনি। মীনকেতননা নোংমা ঐঙোন্দা ৱারী শাখি রবীন্দ্রনাথকী কবিতা খরা থীবদুনা। রবীন্দ্রনাথনা ফোঙদোক্লিবা ভাব অদুগা বৈষ্ণবশিংগী ভাবকা কয়াদা নক্নথ্রবনো হায়বদু উৎখি। অবোইবদা মহাক্না হায়খি — 'রবীন্দ্রনাথকী কবিতাশিংসি রবীন্দ্রনাথনা ইবনি হায়বদু ঐখোয়না হায়দ্রবদি অতাবা বৈষ্ণবশিংনা কবিতাশিংসি কনাগুম্বা বৈষ্ণব অমনা ইবনি হায়না নীংগনি।' মীনকেতননা হায়রিবসি রবীন্দ্রনাথকী কবিতা পুন্নমক্কী বাদি নত্তে; মহাক্না থীরিবা কবিতা খবা অমদি মদুগা মান্নবা কবিতাশিংগী ৱানি। মীনকেতননা হায়বিবসি চুম্মী। রবীন্দ্রনাথনা মহাক্কী কোলোই লোক্নুনা, ভানু সিংহ ঠাকুর হায়বা অরোৎপা কোলোই অমা লৌদুনা, *ভানু সিংহ ঠাকুরের পদাবলী*

হাযবা পদাবলীগী লাইবিক অমা ইখি। লাইবিক অদু পাবদা পাঠক খুদিংমক্না মদু বৈষ্ণব অমনা ইবা বৈষ্ণব পদাবলীনি হাযনা খনখি। মীনকেতননা গীতাঞ্জলি অনুবাদ তৌবিবসিসু পল্লিশবনা হাযবসু হাযবনি, মশাদা বৈষ্ণব সাহিত্যগী প্রভাব লৈবগীসু মবম অমনি।

মীনকেতনগী *অশৈবগী নিতাইপোদ*(১৯৭৬), *অশৈবগী শৈবোই*(১৯৭৭) অমদি *অশৈবগী জয ভাই* হাযবা লাইবিক অহুম অসিনা উৎলিবসিসু মঙোন্দা লৈবা বৈষ্ণব ধর্ম্মগী প্রভাব অদুনি। মণিপুরী বৈষ্ণবশিংগী নট সঙ্কীর্ত্তনগী অবোইবা মতাং অহুমগী কোলোই লৌদুনা লাইবিক অহুমসিগী কোলোই থোনবনি। মণিপুরী নট সঙ্কীর্ত্তনদা গৌরপদ অমদি নিত্তি লীলা শকপা লোইবগা সঙ্কীর্ত্তন লোইবমদাই যৌবক্লবদা নিতাইপোদ শকই। মদুগী মখা তাবদা শৈবোই লৈবে মসিদা ছয গোসাঁই হাযবদি বৃন্দাবন্দা লৈদুনা গৌড়ীয বৈষ্ণব ধর্ম্ম শন্দোকখিবা গোস্বামী তরুক অদুগী মবমদা শকপনি। খবা চাউনা শকপা নট সঙ্কীর্ত্তন ওইবগা লোকনাথ গোস্বামী অমদি শ্রীনিবাস গোস্বামীসু পল্লি। অকোনবগী গোস্বামী অনীসি যাওববদি ছয গোসাঁই অচৌবা কৌবে। নট সঙ্কীর্ত্তন পূমলোই লোইবদা জয ভাই শকই। মীনকেতননা অহল ওইশিল্লক্লবদা মহাক্কী তাইবঙ খোঙচৎ অসি লোইগদৌবমাক্লে খল্লকপদা ইখিবনি *অশৈবগী নিতাইপোদ*। অদুদগী খজিক্তং অমুক অহল ওইশিল্লকপদা ইখি *অশৈবগী শৈবোই*। *অশৈবগী জয ভাই*দি ঈশৈ পূমলোই লোইবনি। অদুবু ঈশ্বরগী কৃপাদগী কবি অসি *জয ভাই*গী মতুংদসু যান্না কুইনা পুন্সিদুনা মণিপুরী সাহিত্যদা অংশদান যান্না তৌবীবম্মী। ঐখোযনা পঞ্জনীংবদি লাইবিক অহুম অসিগী কোলোইশিং অসি মঙোন্দা লৈবা বৈষ্ণব সাহিত্যগী প্রভাব অদুদগী থোবকপনি।

মহাক্কী *শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য দেব* হাযবা লাইবিক (১৯৮৬) অসিদদি বৈষ্ণব সাহিত্যগী প্রভাব অদু নাকোইননা নত্তনা হকথেংননা উৎলে। লাইবিক অসিদা চৈতন্য মহাপ্রভু অসি শ্রীকৃষ্ণগী অবতারনি হাযনা উৎলে। লাইবিক অসি ইবদা চৈতন্য ভাগবত, গীতা, বিদগ্ধ মাধব, নৃসিংহ পুরাণ, *চৈতন্য চরিতামৃত* নচিংবা বৈষ্ণবগী গ্রন্থ কযাদগী কোটেশন যাওবি। বৈষ্ণব সাহিত্য নৈনদবা মীনা লাইবিক অসি ইবা ওইথোক্তে। মীনকেতননা মশাবু চৈতন্যগী 'কৃপা প্রার্থী' হাযনা মশক তাকই। মহাক চৈতন্যগী দাসানুদাসনি হাযবা তাকই। নরোত্তম দাসপু ঠাকুর মহাশয হাযনা কৌই। থাক অসি যৌববদি নরোত্তম দাসনা হাযবিবা 'শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য প্রভুর দাসের অনুদাস, নরোত্তম দাস মনে এই অভিলাস' অসিগা মীনকেতননা হাযবিবা চৈতন্যগী 'দাসানুদাস' অসিগা কবিসু খেন্নদে। নরোত্তমনা বাংলাদা হাযবা মীনকেতননা সংস্কৃত্তা হাযবগী ৱাতনি।

নিতিগী পুক্সিদা ঃ

মীনকেতন অমুক মিকপ থোক্লেগা ফমুংদগী হৌগৎপদা খোঙ লৈবাক তাদ্রিঙেদা পৃথ্বীমাতা খুরুম্মী। মহাক্না মালেম ইমা কৌবগী বাতনি। পথিবীবু লাইবক কৎলি অদুগা 'জৈ ইমা মাধব মাধব' হায়দুনা পৃথিবীদা খোঙ থাই। মহাক্না হায়রিবা 'জৈ' অসি ঐখোয় খ্বাইনা 'জয়' হায়রিবসিনি। বানান খেন্নবতনি। 'মাধব মাধব' হায়রিবা অসিনা কৃষ্ণবুনি। বৈষ্ণব খুদিংমক য়াহৌরকপদা পৃথিবীবু খুরুমগদবনি, পৃথিবীবু খোঙনা নেথত্রিঙেদা লাইবক কৎকদবনি। যাত্রা তৌবা খুদিংমক্তা মাধব মাধব শোনগদবনি। হৌজিক বিজ্ঞানগী যুগ অসিদা বৈষ্ণবশিংনা শমজিনবনি। ফমুংদগী থোরক্লগা মীনকেতন নুমিৎ খুরুম্মী; খুরুমগদবনি। নুমিত্তা মীওইকী হকচাং কনহনবা ঙম্বা পুক্সি শাংহনবা ঙম্বা শক্তি লৈ। অসিগুম্বা শক্তিগা কোন্নবা নুমিৎকী অস্পেক্টপু বেদনা সবি কৌই। ঐখোয়না উচ্চারণ থরা থৈখিদুনা থবি কৌই। নুমিৎ খুরুম্মগা মীনকেতননা চীঙ্খে লৈমা খুরুমজে। চুম্মী খুরুমগদবনি। চীঙ্খে লৈমা হায়রিবসি ঋগ বেদনা হায়রিবী 'উষা' হায়বী লাইরেম্বী অদুনি। বেদগী মতমদা দেবতা য়াম্না লৈরমদে খরতনি। অদুগী মনুংদসু নুপী দেবতানা অমুক হেন্না তাঙই। খজিক অদুগী মনুংদা উষা অমদি পৃথিবী য়াওরিবনি। ঋগ বেদদা পৃথিবী হায়বসি নুপী দেবতানি, অতিয়ানা নুপা দেবতা। অনী অসি দম্পতীনি। মীনকেতননা পৃথিবীবু মমা ওইনা অমদি অতিয়াবু পগ্গৌ ওইনা নীংই। মসিসু বেদগী মিথয়েংনি; করিমতা লান্দে।

মীনকেতননা ঈকজরমদাইদা কোক্তা থাউ তৈ। তৈগদবনি। বৈষ্ণব ধর্ম্মগী মিথয়েংদা ঈকজরগা থাউ তৈবসি মাংই; তঙাইফদবগী তৌবনি, থাউ তৈবদি ঈকজদ্রিঙেদা তৈগদবনি। মীনকেতন একাদশীদা চরা হেল্লি। জবাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাদমীদা তৌবা সেমিনাব অমদা ঐ ইশানা থেংনহৌবনি। তৌবতবু অমুক্কী চরা অমতনি ব্রত তৌরিবদু। করিস্ন কায়দে। অঙম্বনা চরা অনী ব্রত কৎলি; ঙমদবনা চরা অমতংদা। একাদশী নুমিত্তা মহাক নুংদাংগী চাক নিরামিষ চায়। চুম্মী। বৈষ্ণব ধর্ম্ম চৎপনা একাদশীদা আমিষ চাবা হৌনদে। যুমদদি মহাক নিতিগী নিরামিষ চাব্রা হায়বা ঐ খঙজদে। লংফৈদদি অয়ুকসু নুংদাংসু নিরামিষ চায়। সাহিত্য অকাদেমীগী মিটিংদা কলিকতাদা থেংনহৌবনি।

হিয়াংথাং লাইরেম্মা অসি মীনা গুপ্ত কামাখ্যানি হায়নৈ। মীনকেতনসু দেবী অসিবু কামাখ্যানি হায়না লৌই। থাগেশেংবদি গৌহাটী ময়াগী নীলাচলদা লৈরিবী কামাখ্যা অসিগা হিয়াংথাংগী কামাখ্যা অসিগা পূজাদা পুমখেন খৈন্নে। অহানবগী অসিনা শাক্তগী পদ্ধতিদা ঙানু, খুনু, হামেং, ইরোই বলি কৎলি। হিয়াংথাংগী কামাখ্যা অসিনা বৈষ্ণবকী পদ্ধতিদা হৈরাং লৈরাং তুলসী মনা কৎলি। মীনকেতননা হিয়াংথাং লাইরেম্মদা তুলসী পত্র কত্তুনা

খুরুম্বদা অকায়বা অমত্তা লৈতে। মণিপুরগী বৈষ্ণব পূন্নমক হিয়াংথাং লাইরেম্মা খুরুম্বা ঙাক্তনি। 'দীন হীন চন্দ্রকীর্ত্তি আর নাহি মোর গতি' হায়দুনা মিত্তা পি শিঙ্গনা শ্রীগোবিন্দ খুরুম্বা চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজসু দুর্গা অদুম খুরুম্বনি। গোবিন্দগী মাগুপ্তা দুর্গা পূজা তৌই করিমত্তা লান্দে — তৌবতবু দেবী অদু বৈষ্ণবী ওইনা। পুলিসলেন্দা লৈরিবী কালিমাই বৈষ্ণব সমাজনা লাৎপনি। সেবা চৎলিবা ব্রাহ্মণশিংসু বৈষ্ণব ঙাক্তনি। কালিমাইগী মন্দিরদা চণ্ডীসু পাঠ তৌই ব্রাহ্মণশিংনা। মীনকেতন চণ্ডী পাঠ তৌই করি করিগুম্বদা। মদুদা করিসু অকায়বা লৈতে।

মীনকেতন চৈরাউবা নুমিত্তা সনামহী খুরুম্মী। অতৈ নুমিত্তসু য়ুমদগী যাত্রা তৌরমদাইদা সনামহী খুরুম্মী হায়। ঋগবেদদা বাস্তোষ্পতি হায়বা দেবতা অমা য়াওই। মহাক য়ুমগী লাইনি। মহাক য়ুম য়ুম খুদিংদা লৈ। য়ুমদা লৈবা মীশিংবু ফত্তবা লাইশিং অমদি ভূত প্রেতনা নাহনবা ঙমদনবা ঙাক শেল্লি। হূরানবশিংনা য়ুমদা চঙদুনা পোৎ হূবা ঙমদনবা মহাক্না ঙাক শেল্লি। মহাক্কী অয়াবা য়াওদনা হূরানবনা য়ুমদগী পোৎ হূবা ঙমদে, লাই ফত্তবনচিংবনা য়ুমদা লৈবা মীবু নাহনবা ঙমদে। হূরানবনা হূরানবা চঙ্গে হায়রবদি মা বাস্তোষ্পতিদা হান্না খুকমজবা তাই। য়ুমদা কনাগুম্বা কনাগুম্বী অমা কন্না নারবদি অনাবা ফহনবিরো হায়না বাস্তোষ্পতিদা য়ুমগী মী অতৈনা খুরুমজে। বাস্তোষ্পতিনা তৌরিবা থবক পূন্নমক অসি সনামহীনা তৌই। য়ুমগী লাই অসিবু বৈদিক আর্য্যশিংনা বাস্তোষ্পতি কৌই; মণিপুরীশিংনা সনামহী কৌই। মনু সংহিতানা হাযবদি বাস্তোষ্পতিবু নিতিগী খুরুম্মু হায। মীনকেতননা সনামহী খুরুম্বদা বৈষ্ণব ধর্ম্মদা অকাযবা অমত্তা লৈতে।

লিন্না মশাগী মমৈবু চীকপা পাফল অমদা মীনকেতননা থাজবগী ৱা অমা ঐাখ য়না মরক মরক্তা ফংই। লিন্না মশামক্কী মমৈবু ময়ানা চীকপগী মওং অসিদি ইংরেজীদা উরোবোরোস কৌই। গ্রীক লোন্দা লিনগী মমৈবু 'উরা' কৌই য়োৎপবুনা বোরেণা কৌই। উরোবোরোসকী লিটরেল মিনিংদি 'মশাগী মমৈ য়োৎপা' হায়রবনি। লিন্না মশামক্কী মমৈ চীকপগী মওং অসিগী অর্থদি 'মপূং ফাবা' (কম্প্লিট্‌নেস্) অমদি 'মতম চুপ্পা লৈবা' (ইভরলাষ্টিংনেস) নি। নিংথৌজাশিংনা লিন্না মশাগী মমৈ চীকপগী প্রতীক অসিবু মখোয়গীনি হায়না লৌজরম্বগী অর্থদি মখোয়গী শক্তি অসি মণিপুরদা মপূং ফারে অমদি মসি মতম চুপ্পা কায়দনা লৈরগনি হায়বগী ভাবনি। খৃষ্টাব্দ ১৮৯১ গী মণিপুর লান অদু তৌরমদ্রবদি মখোয়গী আশাসি থুংলম্বা য়াই। চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগী মচাইবুঙোশিংগী মরক্তা নুংঙাইনদবা য়াওরকপদগী আশা অসি থুংখিদ্রে। মীনকেতননা ভাবনা পাফল মনুংদা তূম্বগা গৌড়ীয় বৈষ্ণব ধর্ম্মগদি হকথেংননা যেৎনবা করিসু লৈতে।

শাক্ত ধর্ম্মগী প্রভাব ঃ

মীনকেতনদা শাক্ত ধর্ম্মগী প্রভাব তাই। মহাক্কী কবিতাশিংদগী ইবাই লাযনা খঙবা ঙম্মী। ভাবত্তা লৈবিবা হিন্দুশিং অসি বৈষ্ণব অমদি শৈবনা মশীং যাম্বনি। শাক্তশিংদি মরু ওইনা বেঙ্গল অমদি খা ভাবতকী মফম খবদা লৈবনি। বাংলা সাহিত্যদা শাক্ত সাহিত্য মপুং ফানা লৈ। মণিপুরী সমাজদা বাংলা সাহিত্যগী প্রভাব যাম্না কল্লি। মীনকেতনদা বাংলা সাহিত্যগী প্রভাব লাকপদা শাক্তগী প্রভাবসু যাওনা লাকপা মশানা তাবনি। অদুগী মথক্তা মহাক্কী ফোর্মেটিভ পেবিওডতা সিলেট্টতা শাক্তগী কেন্দ্রদা লাইবিক তম্লুবগী ফলসু শোযদনা লৈগনি।

যাম্না কুপ্পা অমদি মনুং খুঞ্জিনবা বাহং অমা অনী লৈ। মীনকেতনগী শাক্তগী ব্রাখল কদায ফাওবা লুনা চঙশিনবগে? খম থেংনা চঙশিনববা নৎত্রগা খবা ব্রাৎপবা? অরুবা প্রশ্ননি। মীনকেতননা লৈবমবেলবু নোংমদা অহুম্লক খুবম্মী হায। যাই, কবিসু লান্দে মবমদি শাক্ত ধর্ম্মদদি লৈমবেলদা নত্তে নুপী দেবতা পূম্নমক, নুপী পূম্নমক, অদুদগী হেন্দোক্তুনা যণ, ইবোই, হামেং, শগোলনর্চিংবা শাশিংগী অমোম পূম্নমক অমদি চেক্লা হাযবা জাতি অসিগী অমোম পূম্নমক জগৎমাতা দেবীগী শকলোন (মেনিফেষ্টেসন) ঙাক্তনি। মহাক্লা হাযবিবা জগন্মাতা দেবী মালেম পৃথিবী - পোক্লভম লমদম = যুম যুমদা যুমথোং যৈনা লৈবিবী মমা। অসিসু চুম্মি শাক্তগী মিৎযেংদা। মসিদগী খবমুক লুনা চঙশিনসি।

মী অমনা শাক্ত ধম্মদা থাজববদা মী মহাক্লা তৌবিবা থবক পূম্নমক অদু মানা তৌবা অমত্তা নত্তে। মাদি শূম্নগী নিমিত মত্রনি কর্ত্রিদি হাযবদি থবক তৌবিবীদি দেবী মহারি। মবম অসি সাধক বামপ্রসাদনা অসুম্না। ফাঙদোকই 'তুমি ঢাকী আসি ঢাক'। ঢাক হাযবসি সাইড ড্রমগুম্বা পুং জাৎ অমনি। দুর্গা পূজানচিংবদা পুং অসি যৈ। ঢাক যৈবা মীবু ঢাকী কৌই। ঢাক যৈবদা মখোন থোক্লিবসি মরু ওইনা ঢাকীননি ঢাকী যাওদ্রবদি ঢাক মখোন থোক্তনা তাদুনা লৈ। বামপসাদনা তুমি হার্যাববসি কালিবুনি। মীওইবা ঐখোযদি চুম্নগী ঢাকনি। ঢাকীদি কালিনি। মসিনি শাক্ত ধর্ম্মদা থাজবা মীগী অযৌবীদি। মীনকেতনদি মসিগী থাকসি যৌফাত্তে হাযজনীংই। নুংদগী ঈশৈ অমা শক্লক্লগা মহাক্লা পংচোংদা চোংবগী থাক ফাওবদি যৌবে। কবতাল ওম্বা পুংগুম্বা জগৎমাতানা যৈবা অদুগী থাক্তি যৌদ্রি।

বাফম অমনা, তাইবঙ খোঙচৎনা লোম্বদা মীনকেতননা জগৎমাতাগী তম্পাক্তা তূমখুন হুনবা অমদি মাগী যাদা মনি তৌনা মমাগী খোল্লা উম্বা অসি নির্বিকল্প সমাধিবা? নত্তে। নির্বিকল্পসমাধি ওইববদি মীনকেতনগী আত্মানা জগৎপোকপী পলেমদা মপুং ফানা

তিনথ্রগদবনি; সংসারদা জীব ওইনা অমুক পোক্লরোইদবনি। থম্না যেঙ্গোংদা তুংবা ঈশিংনা থম্না যেঙ্গোংনা চেপথবা মতমদা ঈশিং ঈপাক্তা তিনথ্রিবা, ঈপাক্তা হাম্না লৈরম্বা ঈশিংনা অসিনি-থম্না যেঙ্গোংদগী তিথ্রকপা ঈশিংনা অসিনি হায়না থাইদোকপা য়াদনা তিথ্রবা অদুগুম্না মীনকেতনগী আত্মানা জগৎ পোকপী পলেমদা তিনথ্রগদবনি। মীনকেতন্না পামজবা মহাক্কী কবিতাদা হায়রম্রিবা 'অন্নুরগে তুমখুন পলেম কৈরাথক্তা/উম্না উম্না ইমাই থোম্নাং ইনিং তম্না য়াদা' (বিদায় আশীর্বাদ) অসিদি জগৎ পোকপী পলেমনা জগৎ পোকপী পলেম ওইনা লৈরি মীনকেতনসু মীনকেতন ওইনা লৈরি। মীনকেতনসি জগৎ পোকপী পলেমগা য়াম্নদি নকশিন্নরে, মহাক্না তুমখুন তাম্লিবসি জগৎমাতাগী তম্পাক্তনি অতৈদা নত্তে। মহাক্না য়াদা উম্লিবসিসু জগৎমাতাগী স্তনামৃতনি। অদুবু জগৎ পোকপীদা মীনকেতননা থাইদোকপা য়াদনা তিনশিনবা হায়বদুদি থাক য়াম্না বাংলি।

মীনকেতননা পাম্লিবসিদি জগৎ পোকপী পলেমদা তিনবা নত্তে। মতুংগী মপোক্তা 'নুংশি নুংশি পোক্লরম কোলোই নুংশি মণিপুর' অসিদা অমুক হন্না পোক্লদুনা মণিপুরী লোন অমদি সাহিত্যগী সেবা অমুক হন্না তৌরবা অসিনি। কবি চাউবা কমলনচিংবদা নোঙ্গুমলকথোদা হায়বদু মহাক মশাসু নোঙ্গুম্বা পাম্বদগীনি। বৈষ্ণব সাহিত্যগী মিৎয়েংদদি জীব হায়বসি হন্না হন্না শি, হন্না হন্না পোকই। **জাতস্য হি ধ্রুবো মৃত্যু ধ্রুবো জাত মৃতস্য চ** (গীতা) অর্থদি পোক্লবা জীবশীদি শিবা হায়বসি শোয়দ্রবনি; শিরবশীসু অমুক পোকপা হায়বসি শোয়দ্রবনি। মীনকেতনদি গীতাদা চেৎনা থাজবা মীনি। মহাক অমুক হন্না শোয়দনা পোক্লনি হায়বা থজই। মহাক্না অমুক হন্না পোক্লীংলিবা লম অসিসু অতৈদা নত্তে, মণিপুরদনি। মহাক্না মণিপুরবু মহাক্কী কবিতাশিংদা 'কংলৈপুং', 'কংলৈসনা পুং', 'সনা পুঙ্গয়োল' নচিংবা হায়রিবদু কবিতাগী ছন্দ মাত্রা চানবা, অনুপ্রাসনচিংবগী য়েংদুনা হায়বনি। মহাক্না থম্মোয়গী থুপ্পবা কাচিন্দা, নুংশিনা পামজরিবা মণিপুরগী কোলোইদি 'মণিপুর' হায়বসিনি। কবি মীনকেতনগী পুন্সিগী ইরোই লোইবা কবিতা *পোক্লরম দর্শন*দা মহাক্না হায়ই -

নুংশি নুংশি নম্নুংশি
লোইবি চীংনা কোনবরম
কোলোয়নুংশি মণিপুর,
চীংদা য়েংলুই মনুংশি
তমদা য়েংঙি মনুংশি

কোলোয় নুংশি মণিপুর

মণিপুর — মণিপুর,
কোলোয় নুংশি মণিপুর
মণিপুর
কোলোয়নুংশি ম-ণি-পু-র।

(য়াচঙ শৈরোল খশ্মিন তেংথা)

হায়বা কোলোইসি খমথেংনা নুংশিজবনা স্তবক অসিদা হন্না হন্না পনবনি। চুন্না পনবতা নত্তে, তাইবঙ খোঙচৎনা লোম্লমদাই, পুন্সি ঈচেলনা কংলমদাই ঈশৈ ওইনা শক্তুনা পিগী ধারা শিন্থনা পাম্বোম থাঙস্তুনা চোংদুনা লৈখিবনি। পলেমগী তম্পক্তা মতম খরা তূম্লুরগা অমুক মণিপুরদা পোক্লবা অসিনি মহাক্না পাম্বা।

মীনকেতননা মণিপুরদা অমুক হন্না পোক্লরবদা মহাক্না মরোই মনাউশিংবু শক খঙবা ঙমগদ্রা? অরুবা সমস্যানি। অদুবু মসিদি হিন্দুশিংদদি করিসু লৈতে। জাতিস্মর হায়বা নহানমুক্কী মপোকপু নীংশিংবা ঙম্বা গুণ অমা লৈ। চন্দ্রজিনীগী বারীদা য়াওরিবদুনি। হায়রিবা গুণ অসিদি ঈশ্বরনা ইরায় লায়না পীবা ঙম্মী। নিতিগী দ্বাদশ তিলক তৌবা, একাদশী চরা হেনবা, *শ্রীভাগবত, চৈতন্য চরিতামৃত, শ্রীমদ্ভগবত গীতা* নচিংবা পাবা, বৈষ্ণব মীনকেতনদা জাতিস্মর হাযবা গুণ অসিগী শরুক খরা পীবিবদি হেন্দোক্লা য়াই। গৌড়ীয় বৈষ্ণবশিংনা থাজনবদি অসিনি - শ্রীকৃষ্ণনা হায়বিঘি *ন মে ভক্ত: প্রনশ্যতি* (ঐগী ভক্তদি লেম্না মাঙদে) গৌড়ীয় বৈষ্ণবশিংনা মসিমসু থাজে - ভক্ত অদুনা মাগী পুক্নিংনা পাম্মী পাম্মীবা অদু ফংই (*য়ৎ য়ৎ বাঞ্ছিতি চিত্তেন* তৎ তৎ *প্রাপ্নোতি মানবঃ*) গোপাল সহস্র নাম পাঠ তৌজরবদি বৈষ্ণব ধর্ম্মগী মত ইন্নদি - মীনকেতননা মাগী খ্বাইদগী অপাম্বা, মণিপুরদা অমুক হন্না পোক্লগা মণিপুরগী লোন অমদি সাহিত্যবু সেবা তৌবা হায়বসি মহাক ফংগনি।

সমাপন ঃ

মীনকেতনদা শাক্তশিংগী প্রভাব য়াম্না তাই। অদুবু শাক্তশিংনা পাম্মিবা অদু খম থেংনা চঙশিনবদি তৌদে। শাক্তশিংনা উজনীংলির্বদি বাংলাদা হায়রগা শিবের বুকে শ্যামা (শিবগী থবাক্তা শ্যামা) শিবনা লোংনা হিপ্লগা মহাক্কী থবাক্তা শ্যামানা লেপ্পা অদুবুনি। গৌড়ীয় বৈষ্ণবশিংনা রাধা কৃষ্ণ যুগল মূর্ত্তি উজনীংবা অদুগুম্বনি। অদুবু মীনকেতনদি শক্তিবু শ্যামা, কালিনচিংবা কৌদে। জগৎ পোকপী ইমা কৌই। মহাক্না মমাবু পেলহন্লীংইবসি শুপ্নগী মমাবু পেহলনবা ঙাক্তগী নত্তে। মহাক্না হায় ইমানা পেল্লবদি ইপাসু পেল্লি। মপাবু পেলহন্নীংবসু মীনকেতনদা লৈরি।

খরনা হায়নৈ - মীনকেতনদি গৌড়ীয় বৈষ্ণব ধর্ম্ম অমদি মৈতৈ লাইনীং অনীমক্তা চেৎনা থাজৈ। অদুবু বৈষ্ণব ধর্ম্ম য়ৌরক্লিংঙৈগী মৈতৈ লাইনীং হাযরিবসিদি বেদদা য়ুম্ফম ওইবনি। মণিপুরনা পঞ্জাবতগী য়াম্না লাপ্পা, ম্যনমারনচিংবা লমগা নক্লবা অমদি বৈদিক যুগকা মতম শাংনা কান্নরকপদগী সংস্কৃতিদা হাপতোক হাপচিন খরা লৈখি। ঋগবেদ অমদি যজুর্বেদ নৈনরগা মৈতৈ লাইনীং হায়নরিবসি ময়েক শেংনা খঙবা হেঙ্গৎকনি।

লৈমরেন শিদবীবু কৌরে, হিযাংথাং কামাখ্যাবু কৌরে, জগৎপোকপী ইমাবু কৌরে শক্তিদা মীনকেতননা অসুক্তি থাজরগা মণিপুরদা অমুক পোক্লীংলিবসি করিগীনো? বৈষ্ণব সাহিত্যগী প্রভাবননি। বৈষ্ণব সমাজদা পোক্লকপা, চাউবকপা অমদি বৈষ্ণব সাহিত্য ভাব তানা পাবা মীনকেতনগী থম্মোয়দা মূৎপা নাইদনা ফাওখি - বৈষ্ণব সাহিত্যগী ঈশৈ পরেং 'কোটি জন্মে জন্মান্তরে প্রেমসেবা দেহ্ মোরে' (মপোক কোটিদা ঐগী হকচাং অসি প্রেমসেবাগীদমক্তনি)। প্রেমসেবা অদু মীনকেতননা রাধা কৃষ্ণদা হকথেংননা তৌবগী মহুত্তা মণিপুরবু লোন অমদি সাহিত্যগী মাধ্যমদা সেবা তৌবনি। দেশবু সেবা তৌবা হায়বসিসু কর্মযোগনি। ঈশ্বরবু সেবা তৌবনি। য়াবিপোকতা থম্বালনু সাহিত্য মরুপকী অনুষ্ঠান অমদা ঐহাক মীনকেতনগা লোয়ননা কাইনাদা শ্রীগোবিন্দ ফাওখিবা মফমদা মন্দির অমদা বালগোপাল খুরুমখি। মীনকেতননা থীখি - **সজল জলদনীলং দর্শিতোদার শীলম্ করতলধৃত শৈলম্ বেণুবাদ্যে রসালম্। ব্রজ জন কুল পালম্ কামিনী কেলি লোলম্ তরুণ তুলসী মালম্ নৌমি গোপালবালম্।।** অদুগা ভক্তিগা লোয়ননা বালগোপাল খুরুমখি। মীনকেতনদা বৈষ্ণব সাহিত্যগী প্রভাব য়াম্না চাউনা তাই। মীনকেতননা বৈষ্ণব করিগুম্বা ওইরমদ্রবদি শ্লোক অসি কৈদৌঙৈদসু চিনফা পুরম্মোই। ❑

ভারতকী সাহিত্যদা প্রেম কাব্যগী পরম্পরা অমসুং কবি মীনকেতন

প্রো. নোংমাইথেম তোম্বী

"Ah, Love! Could thou and I with Fate conspire
To grasp this sorry Scheme of things entire,
Would not we shatter it to bits - and then
Re-mould it nearer to the Heart's Desire!"

- *Rubayat* of Omar Khayyam

'প্রেম কাব্য' হায়বসি করিনো? নুংশিবগী মরমদা ইবা খুদিংমক প্রেম কাব্য কৌগদ্রা? নুংশি ৱারী খুদিংমক প্রেম কাব্যারা? ভারতকী প্রেম কাব্যগী পরম্পরা (ট্রেদিসন) না করিনো? প্রেম কাব্যগী তোপ-তোপ্পা মশক, মওং-মতৌ, লক্ষণ (নেচর, ক্যারেক্টর, ইসেন্স, ক্যারেক্টরিষ্টিক্স) লৈব্রা? ভারতকী প্রেম কাব্যগী পরম্পবাগা নোংচুপগী সাহিত্যদা লৈরিবা নুংশি-শৈরেংগী ট্রেদিসনগা মান্নব্রা? নৎত্রগা আবব অমসুং পার্সিয়ানগী ট্রেদিসনগা মান্নব্রা? শন্না, ভারতকী সাহিত্যগী প্রেম কাব্যগী তোপ-তোপ্পা মশক, মগুণ অমসুং পরম্পরা করিনো? মসি অরুবা ৱাহংশিংনি।

নুংশিবগী মরমদা ইবা খুদিংমক প্রেম কাব্য নত্তে। নুংশিবগী থীমদা, নুংশি-নুংওনগী মরমদা ইবা নুংশি-শৈরেং, নুংশি ৱারী পুন্নমক প্রেম কাব্য নত্তে। অদু ওইবা তারবদি, হৌজিক্কী নোংচুপকী সাতিদা লৈরিবা, নুংশি-নুংওল য়াম্না য়াওবা পোপ্যুলর নোভেল, বেষ্ট সেলর খুদিংমক প্রেম কাব্য ওইখিবা তারে। অকাম্বা সাহিত্যশিং অসিসু প্রেম কাব্য ওনখিবা তারে। ভারতকী সাহিত্যগী ইতিহাস অমসুং পরম্পরা মুন্না নৈনবদগী খঙবা ঙম্বদি প্রেম কাব্যগী তোপ-তোপ্পা মশক অমা লৈ। নুংশিবগী মরমদা ইবা-শৈরেং খুদিংমক প্রেম কাব্য নত্তে। ভারতকী সাহিত্যগী পরম্পরাদা প্রেম কাব্যদি য়াম্না অৱাংবা থাক্কী সাহিত্যগী খুৎশেম অমনি।

ভারতকী সংস্কৃতি, ধর্ম্মনীতি অমসুং দর্শনগা প্রেম কাব্যগা য়াম্না মরী লৈনৈ। ভারতকী অরিবা সাহিত্য (মরু ওইনা সংস্কৃত সাহিত্য) অসি রিচুয়েল, ধর্ম্ম অমসুং দর্শনগা য়াম্না মরী লৈনৈ। সাহিত্যগা ধর্ম্মগা থাদোক্নবা য়াদে, দর্শনগী য়ুম্ফমদা ভারতকী সাহিত্য শাগৎলিবনি। অদুনা ভারতকী ধর্ম্ম অমসুং দর্শন খঙদনা ভারতকী সাহিত্য মশক খঙবা ওইথোক্তে। মসিবুনি ভারতকী সাহিত্যগী পরম্পরা হায়রিবসি। ধর্ম্মগী খ্বায়দগী মরু ওইরিবসি ধর্ম্মমত অদুনা ফোঙদোক্লিবা দর্শন (ফিলোজোফী, ৱাংঙুলোন) অদুনি। খুদম ওইনা, দর্শনগী মতেঙ য়াওদনা বেদ, উপনিষদ, পুরাণ, শাস্ত্রশিং খঙবা ওইথোক্তে। ধর্ম্ম অমসুং দর্শনগী মিৎয়েংশিং অসি সাহিত্য ওইনা ফোঙদোকপনি। ভাবতকী ষড়দর্শন লৈ - (দর্শন তরুক, স্কুল তর্কক্রি) - ১) ন্যায, ২) বৈশেষিকা, ৩) সাংখ্য, ৪) যোগ, ৫) পূর্বমীমাংসা অমসুং ৬) বেদান্ত। ভারতকী কবি, ঋষি, পণ্ডিত, অইবা পূন্নমক ভাবতকী ধর্ম্মতত্ত্ব অমসুং দর্শন মুন্না খঙবা অমসুং নৈনবা ঙাক্তনি। মহৌশা লাইরিক তম্বা, জ্ঞান তানশিনবা হায়রিবসি হাযরিবা হীরমশিং অসি তম্বনি। ধর্ম্ম অমসুং দর্শনগী পান্দমদি অচুম্বা থিবনি; চুন্নগী অচুম্বা নত্তে, অৱাংবা থাক্কী অচুম্বনি, লেঙদ্রবা অচুম্বা অদুনি। অদুনা ভারতকী হিংবগী পান্দম অমসুং মিৎয়েংদি — ধর্ম্ম, অর্থ, কাম অমসুং মোক্ষ ফংবা অসিনি। মীওইববু শেম্বীবিবা ঈশ্বর অদু মশক খঙনবা হোৎনবনি। মোক্ষ ফংনবা তানবনি। অদুনা ভারতকী মিৎয়েং অমসুং ৱাখল্দি য়াম্না অধ্যাত্মিক (স্পিরিচুয়েল) ওই। মবর্মদি ভাবতকী ধর্ম্ম অমসুং দর্শন অসি য়াম্না অধ্যাত্মিক ওইবননি। মসিদা য়ুম্ফম ওইবগা শাগৎখ্রিবা ভারতকী সাহিত্য অসিসু মশানা অধ্যাত্মিক ওইবা তাবনি। ভারতকী সাহিত্যনা থিবি - সত্যম্, শিবম্ অমসুং সুন্দবম্। থিরিবসি লেঙদ্রবা অচুম্বনি, মাঙহনবা ঙমদ্রবা অফবনি অমসুং মূৎপা, মাঙবা নাইদ্রবা ফজবনি। অদুনা ভারতকী সাহিত্য অসিসু অরোয়বা পন্দোমদা অধ্যত্মিক ওইরকই। ন্যায়গী বিচারদগী তাবকপা ফলদি - ভারতকী সাহিত্যগী পরম্পরাদগী শাগৎখ্রিবা প্রেম কাব্য অসিসু মশানা অধ্যাত্মিক ওইবা তাবনি। অদুনা প্রেম কাব্য নৈনবা মতমদা মসিদা য়াওরিবা অধ্যাত্মিকী মশক অসি নৈনদ্রবদি মপুং ফাদে। ভাবতকী প্রেম কাব্যদা মতৌ করম্না অৱাংবা থাক্কী অধ্যাত্মিক্কী ৱাখল ফোঙদোকপগে হায়না নৈনবা অসিনা মপুং ওইবা সাহিত্যগী বিচার ওইগদবনি।

মতাঙ অসিদা খঙদ্রবা য়াদ্রবা ৱাফম অমদি - ভাবতকী ধর্ম্ম, কলা-বিদ্যা, সাহিত্য, সংস্কৃতি পূন্নমক অচেৎপা নিয়ম, ৱাযেল অমনা পুন্দুনা থম্মী। ধর্ম্মগীনা ধর্ম্মশাস্ত্রনা, নীতিশাস্ত্রনা পুন্দুনা থম্মী। পঙতৌদা তৌশিনবা যাদে, নীং-খা তম্বা য়াদে। সাহিত্যগীনা কাব্যশাস্ত্রনা পুন্দুনা থম্মী। ভবত মুণিগী *নাট্য শাস্ত্র* দগী হৌরদুনা ভামহ, উদভট, বামন, রুদ্রট, দণ্ডী, বাজশেখব, আনন্দবর্ধন, মম্মটনচিংবা অলঙ্কার শাস্ত্র নৈনবা পণ্ডিত কয়ানা মমল য়াম্লবা কাব্যশাস্ত্র কয়া ইদুনা থম্লম্মী। মখোযনা সাহিত্যগী মশক, মিৎয়েং, পান্দম, চৎনবী, লৈতেং, রস-ভাব, দোষ-গুণনচিংবগী মরমদা য়াম্না শুগায়না ইরি অমসুং ময়াম্না

য়ানদুনা কাব্যশস্ত্র অসিবু ইকায়খুম্নরি। মসিনা মরম ওইদুনা ভারতকী সাহিত্যদি নিয়ম্না চেৎনা পুনবা, মপু পানবা সাহিত্য অমনি। মসিনা মরম ওইদুনা প্রেম কাব্য নৈনবা অসি ভারতকী কাব্যশাস্ত্রগী মিৎয়েংদগী নৈনগদবনি। কাব্যশাস্ত্রদা য়ুম্ফম ওইরগা প্রেম কাব্যগী মিৎয়েং-ৱাখল, রস-ভাব, লৈতেং, ছন্দ-তালনচিংবা অসি পুথোক্নুনা নৈনগদবনি।

ভারতকী প্রেম-কাব্যগী হৌরকফমদি *ঋগবেদ* দগীনি। ঋগবেদগী ডাইলোগ হীমসশিংদা অপাম-নুংশিগী ঈশ্চল ফোঙদোকপা, রোমান্টিক ওইরবা নুংশি ৱারী, লুহোংবগী শৈরেংশিং, মী শুম্বাৎনবা মন্ত্র, লোন্না নুংশিনবা, অথীংবা লৈতনা নুংশিনবা কয়া য়াওরি। য়াম্না মরু ওইবদি উর্ব্বশী অমসুং পুরুরবাগী নুংশিনবনি। মবানীগী পাউশানবা য়েংবিয়ু -

Pururavas : Let the gift brought by my piety approach thee,
Turn thou me again : for my heat is trouble.

Urvasi : What am I to do with thy saying?
I heve gone from thee like the first morning.

Pururavas : Return thou to thy dwelling:
I, like the wind, am difficult to capture.

লাইরেম্বী উর্ব্বশীবু তাইবঙমী পুরুবানা ঙাওনা নুংশিরুবনি, থুংনবদি ওইথোক্তবনি। উর্ব্বশীনা য়ারক্ত্রবদা পুরুরবানা শিরগে তৌবা কয়া য়াওরি। *ঋগবেদ*দা য়াওরিবা নুংশিবগী হীমশিং অসি প্রেম কাব্যগী অহানবগী খোঙহৌনি। ময়োল চোংবা হৌবনি; তশেংবা প্রেমকাব্যগী মগুণ অর্দুদি য়ৌবা নৎত্রি। উর্ব্বশীগী ৱারী অসি মহাকবি কালিদাসকী মখুৎতদি ওম্ভোক্লা ফজরবা প্রেম কাব্য মশক অমা শাগৎখ্রে, অমর ওইহল্লে। অদুনা ক্লাসিকেল সংস্কৃত সাহিত্যগী মতম অসিদনি প্রেম কাব্যগী ফজবা, লেঙদ্রবা মশক অমা শাগৎখ্রিবা অসি। মতমদুদগী হৌনা মথং-মথং থোক্লকখিবনি - অশ্বঘোষ, ভাস, কালিদাস, ভর্তৃহরি, হর্ষদেব, ভাববি, ভবভূতি, মাঘ, ক্ষেমেন্দ্র, সোমদেব, বিলহন, শ্রহর্ষ, জয়দেব অসিনচিংবা। মখোয়গী মমাঙদা অচৌবা চীংজাওগুম লৈখ্রি - আদি কবি বাল্মিকী অমসুং ব্যাস। হায়রিবা কবিশিং অসিনা মখোয়গী খূৎইশিংদা অৱাংবা থাক্কী ফজরবা প্রেম কাব্যগী সাহিত্য অমা শাগৎলম্মী। অসিগুম্বা প্রেম কাব্যগী সাহিত্য অসি পৃথিবীদা অতাঙবনি। অতৈগী সাহিত্যদদি খণ্ডজদ্রে - ভারতকী সাহিত্যগী পরম্পরাদদি *ঋগবেদ* গী হৌরদুনা ভক্তিগী যুগ অসি ফাওবদা লীক্লম চুম্না, পরীং কায়দনা প্রেম কাব্যগী ঈচেল অসি চেম্থরকই। সংস্কৃত সাহিত্যগী মওং-মতৌ অমসুং প্রভাবতগী ভারতকী লোলশিংগী সাহিত্যদসু প্রেম কাব্যগী সাহিত্য অসি শাগৎলকই। মসিগী পরম্পরা অসিদা মণিপুরী সাহিত্যসু চঙশিল্লকই।

ভাবতকী প্রেম কাব্য অসি অৱাংবা থাক্কী সাহিত্যগী খুৎশেম অমনি হায়বসি জযদেবগী *গীতগোবিন্দ* (১২ শুবা শতাব্দী) নৈনবগা খঙবা ঙমগনি। *গীতগোবিন্দ* যাম্না ৱাথোক ওই। *গীতগোবিন্দ* অসি হুকচাংগী ওইবা নুংশিবা, ইন্দ্রিগী অপাম্বা উৎপনি হায়না চৈবা যাম্না যাওই। তশেংবদি মদু নত্তে। বৈষ্ণবকী ভক্তি-বস, বাধা-কৃষ্ণগী প্রেম লীলাগী অথূপ্পশিং খঙদনা *গীতগোবিন্দ*বু মপানগী ওইবা মশক্তা যেংবদগী শোযবনি। মসিগী মথক্তা ভাবতকী সাহিত্যদা হুবস্যবাদ হাযবা অমসু লৈবি। মধ্যযুগকী ভাবতকী সাহিত্যগী চৎনবী অমা ওইনা ঈশ্বববু প্রেমিক-প্রেমিকা ওইনা লৌবগী চৎনবী অমা লৈবি। মসিদি মীওইবগী আত্মানা ঈশ্ববগা মবী লৈবগী যাম্না সিম্বোলিক ওইববা মিস্টিসিজমগী মশক অমনি। জযদেবগী *গীতগোবিন্দ* কামগী ওইবা নুংশিববু স্বর্গগী ওইবা প্রেমদা থাঙ্গৎপনি। বৈষ্ণব প্রেমগী দর্শন ফোঙদোকপগী অযৌবী খুদম অমনি। অদুনা কাব্য অসি ধর্ম্মগী শক্তম লৌই। শৃঙ্গাব বসনা যোম্নগা শাগৎখ্রবা কাব্য অসি ভক্তি বসতা পানশিন্দনা ভক্তি লাইনীংগী লমজীংবা লাইবিক অমা ওইবি। অদুনা মন্দিব কযাদা ঙসি ফাওবা *গীতগোবিন্দ*গী ঈশৈশিং শরুবিবনি। প্রেম কাব্যদা কাম যাওদে, ঈশ্ববগী প্রেম অদু সিম্বোলিক ওইনা ফোঙদোকপনি। প্রেম কাব্যদা নুংশিবা শৈথাবগী, নুংশিনবগী, কাযনবগী, থুংনবগী, নুপীগী শক্লোন শৈথাবা অঙকপা প্রমাণ পাৰ্ছে লৈতেং, সুব, ছন্দ কযা যাওবি। থম্মোয মথুম মবাঙ হৌহনবা ৱাহৈ-ৱাতা, ছন্দ, তাল ঙাক্তনি। মসিগী অলঙ্কাব অসি তোপ্পা ফজবা অমনি। চাউববা সাহিত্যগী পূৰ্কে অমনি।

মণিপুবী প্রেম কাব্য ভাবতকী প্রেম কাব্যগী পবম্পবাদা চত্থবকপা ফজববা ঈচেল অমনি। মরু ওইনা কালিদাস অমসুং বৈষ্ণবকী ভক্তি-বসকী পবম্পবাগা যাম্না নকশীন্নে মণিপুবী প্রেম কাব্যগী থোইদোক্লা শীংথানবা যাবা কবি অমদি অশাংবম মীনকেতননি। মীনকেতনগী নুংশিবা অবাংবা থাক্কী অধ্যাত্মিক্কী শক্তম লৌই। মক্রুবা, কাম যাওদ্রবা অবাংবা থাক্কী নুংশিবগী মশক ফোঙদোকই। কবি মীনকেতননা মণিপুবী প্রেম কাব্যগী অবোযবা নিতাইপদ শকপা শৈশকপনি।

কবি মীনকেতনগী প্রেম কাব্যগী নীংথিববা মশক অসি মাগী *পিযে থাদোই, নুংশি বাখৈবা, অশৈবগী জযভাই* দা মযেক শেংনা উবা ফংই। মীনকেতনগী প্রেম কাব্যদি অপাম্বা অমসুং কামগী ৱাখল যাওদ্রবা, থম্মোয শেংনা অমসুং অৱাংবা পংখৈ যৌনা নুংশিবা — মক্রুবা নুংশিবগী শক্লোন ঙাক্তনি। থম্মোয অমসুং প্রেমদা হুকচাং তূনা কথোকচবগী শক্তম ঙাক্তনি। মহাক্লা মৈতৈগী হান্না লৈজবম্বা প্রেম কাব্যগী ফজববা পবম্পবাবু মখা শমথদুনা অনৌবা ঈনোৎ অমা হাপ্পগা লোযননা তেন্না মশক মচু থোকহল্লম্মী অমসুং অবাংবা থাক্তা পুখৎলম্মী। ❑

মীনকেতনগী প্রেম কাব্য

ডা. সগোলসেম লনচেনবা মীতৈ

'প্রেম কাব্য' হায়বসি কবিনো হায়বদু খঙননবা হোৎনবদা 'প্রেম' হায়বসি মুন্না খঙদবা য়াদে। ভারতকী কাব্য শাস্ত্রগী মতুং ইন্না 'প্রেম' হায়বা ৱাহৈসি 'প্রিয়' হায়বা ৱাহৈগী ভাববাচক (এবস্ট্রেক) ওইবা মওং ওইনা তাকই। মরম অদুনা প্রেমগী হৌফম ওইবা প্রিয় হায়বা ৱাহৈ অসিগী ৱাহঙ্খোক খঙবগী তঙাইফদে। 'প্রিয়' হায়বদি প্রীণাতীতি প্রিয়ঃ হায়বদি থম্মোয়দা অপেনবা অমদি নুংঙাইবগী ইহুল ফাওহনবদুবু প্রিয় কৌই। ব্যাকরণ শুবশিংনা "প্রীণ প্রীতৌ" ধাতুদগী 'মনিন্' হায়বা প্রত্যয়সি তপশিল্লবা মতুংদা প্রেম হায়বা ৱাহৈসি শেম্মী হায়বা থেংনৈ। মসিগী ৱাহঙ্খোক্লা নুংশিবা পীরিবা নৎত্রগা লোইনাইদনা অপেনবা পীরিবা হায়না হনবা য়াই। সংস্কৃত সাহিত্যদা খ্বাইদগী ইহান হানবা ওইনা পুরুরবা অমসুং উর্বশীগী নুংশিৱারী ঋগবেদদা থেংনৈ। অর্থববেদদা প্রেমগী হীরমসি খরদং চাওখৎলক্লগাসু মপুংফানা পাকথোক শন্দোকপদি আদিকবি বাল্মীকিগী *রামায়ণ*দা ফংই। মহাক্লা রাম সীতা অনীগী প্রেমবু ফিদম্নফম ওইবা প্রেমগী থাক অমদা থাঙ্গত্তুনা থল্লম্মী। মতুংদা কালিদাসনা 'প্রেম' হায়বসি নাৎ অমদি লাইনীং মিৎয়েংগা তোৎশিন্নদুনা পুথোরকই। ভবভূতিনা অমুক মাগী সাহিত্য *মালতী মাধব, মহাবীরচরিত* অমসুং *উত্তররামচরিত*নচিংবদা প্রেম হায়বসি থম্মোয়নুংদা পোকপা অৱাংবা থাক্কী ঈহুল অমগুম্না শৈথারকই। অসুম্না অশ্বঘোষনসু কালিদাস অমসুং ভবভূতিগুম 'প্রেম' হায়বসি থম্মোয়বু শেংদোক্লবতদা পোক্লকপা অরুবা ঈশিংগী ঈথক্লুম অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গত্তুনা থল্লম্বগী ৱাফম থেংনৈ। অসিগুম্বা 'প্রেম'গী শাংলবা পরীং অসি জয়দেবগী মখূৎতা তারকপদগীদি নুংশিবগী শক্লোন অনী নাইরকই। অহানবদা, নুংগী ওইবা অনীশুবদা, পানগী ওইবা। করিগুম্বা জয়দেবগী সাহিত্যদগী নুংগী ওইবা মশকসি লৌথোকখ্রবদি লেমহৌরিবা পানগী শক্তমদুগী প্রেমদুদি অনেম্বা থাক্কী নুংশিবা ওইদুনা লৈহৌই হায়বা য়াই।

ভারতকী অরিবা সাহিত্যদা প্রেমগী ওইবা মশকসি চাউরাক্লা অনীথোক্লা লৈ। অহানবনা আদিকবি বাল্মীকিদগী হৌবগা অশ্বঘোষ ফাওবনা লাইরৈবাক্কী ওইবা প্রেম

অৱাংবা মশক অদুগা অনীশুবদনা ভর্তৃহরিদগী জয়দেব ফাওবনা তাইবঙপানগী ওইবা প্রেমগা তোৎশিন্নবা মশক। অসিগুম্বা ভারতকী লৈজরম্বা অরিবা প্রেমগী মশক অনীসিদা য়ুম্ফম ওইবগা মণিপুরগী কবি অশাংবম মীনকেতনগী সাহিত্যদা থেংনরিবা প্রেমসু মশক অনীথোক্লা নৈনবা য়াই। প্রেম হায়বা ৱাহৈসি মীতৈলোলদা 'নুংশিবা' হায়বা ৱাহৈসিনা মহুৎ শিনবা তারবদি মীনকেতনগী সাহিত্যদা থেংনবিবা নুংশিবগী মশকসু অনীথোক্লা খাযদোকপা য়াই, মদুদি —

(ক) লাইরৈবাক্কী নুংশিবা (অলৌকিক প্রেম)

(খ) তাইবঙপানগী নুংশিবা (লৌকিক প্রেম)

(ক) লাইরৈবাক্কী নুংশিবা (অলৌকিক প্রেম) ঃ

লাইরৈবাক্কী নুংশিবা হায়বসি লাইরৈবাক্কী ওইবা অৱাংবা থাক্কী নুংশিবা হায়বনি। মসিনা লু-তোংনা শাবা পানগী হকচাং অসিবু পাম্বা, কল্লকপা পূন্নমক্তগী ৱাংমা লান্না অশেংবা থম্মোয়গী ওইবা মবী অমা শাগৎপনি। অশেংবা থৱায়গী ওইবা খোঙচৎকা শাগোন্নবা থম্মোয়গী ঈথকনি। ঈথকসি অমুক্তংবু কাখ্রবদি কৈদৌনুংদসু হম্থবা লৈতবা অমসুং মদুগী ঈপোমদা অকা-অকুম তৌদুনা শান্নবদা হাযনীংঙাই লৈতবা নুংঙাইবা পোকপনি। ইংলিস সাহিত্যদা প্লেটোনিক লব হায়না খঙনবা নুংশিবা মখলদুনি। মখলসিদা মীনকেতনগী *পিয়ে থাদোই* কৌবা শৈরেং চনবা যাই। শৈবেংসি খম্বা-থোইবীগী বাবীদা য়ুম্ফম ওইবনি। খুনুং সাহিত্যদা টীম্থাঙ য়ৈনা শক্ল-শোন্নবকপা নোংবানগী ফৎতবা মবমচৎ অদুবু অনৌবা মিৎয়েং অমদা কবিনা যেংলকপনি। প্রেম কাব্য অসিদা 'নোংবান'বু তাইবঙ মালঙপানসিদা লৈরিবা তাইবঙমী ওইনা শৈথাবনি। যাইবীনা পূন্নমক্তগী থোইবা যাইবীবেন অদুগী অশেংবা মশক অদু খঙলকপগী তেংথাৱোলনি মীনকেতনগী পিয়ে থাদোই। ভাবতকী কাব্য পবম্পরাদা প্রেমাখ্যান কবিশিংনা যাইবী (আত্মা) বু নুপা ওইনা অদুগা যাইবীবেনবু নুপী ওইনা শৈথাবসু মথেংনৈ। মীনকেতনদা মদুমক্কী মমিদি তাবল্লোই। মরমদি, নোংবানবু "য়ৈন কাঙদ্রুম মফোন থোক, পুন শঙবায অতৎপা" ওইনা মীবোল কয়া শৈথানরম্বদগী কবি চাউবগী 'পি থাদোই' কৌবা শৈবেংদা নোংবানবু বিশ্বপ্রেম তম্বীনবা থারকপা দূত ওইনা শৈথাবা মীনকেতন্না হান্না থেংনখ্রে। নোংবানগী থৱায়না ওনখিবা পি থাদোই কৌবা উচেক অসি বিশ্বপ্রেমগী দূত ওইনা চাউবনা শৈথারম্লবসু মদুদগী অমুক পাকথোক চাউথোক্লা যাইবী অমসুং য়াইবীবেলগী মিৎযেংদা শাগৎপদি মীনকেতন্ননি। পানগী ওইবা নুংশিবনা নুংগী ওইবা নুংশিবদা ওনখিবা হায়বদি তাইবঙপানগী নুংশিবনা লাইরৈবাক্কী নুংশিবগী থাক্তা কাখৎখ্রবা মতুংদদি পিযে থাদোই ওইবিবা নোংবানগী নুংশিবসি অকক্লবা মফম

অমত্তদা লৈরক্তে। পেঙ্গ্বইজমগী ওইবা মিৎয়েং অমা নোংবান ওইবা তাইবঙগী য়াইবীদা লাকপদগী নোংবান্না হায়রকই-

লৈমায় য়েংই থাদোই-ঙাক	ঈমায় য়েংই থাদোই-ঙাক
চীংমায় য়েংউই থাদোই-ঙাক	লোক্মায় য়েংউই থাদোই-ঙাক
থাদোই চাম্ম চাম্মনি	থাদোই লিশিং লিশিংনি,
থাদোই লখা লখানি	থাদোই কোটি কোটিনি।

পিয়ে থাদোইঃ অশৈবগী নিতাইপোদ, লা. ২০)

অসিগুম্বা নুংশিবা অসি অমুকসু তোঙান-তোঙানবা শক্রোন মরিদা য়েংবা য়াই। মদুদি - ১) নুপা-নুপীগী মরী য়াওবা নুংশিবা, ২) শক্তম নাইবা লাই অমবু মাগী নুপা/নুপী ওইনা নুংশিবা, ৩) শক্তম নাইদবা লাইবু মাগী নুপা/নুপী ওইনা নুংশিবা, ৪) শক্তম নাইদবা যাইবীরেনবু য়াইবীনা নুংশিবা

লাইগী ৰাবী ওইজববসু লাযরোন অদুদা য়াওরিবা লাই নুপা অমসুং লাই নুপী অদুগী নুংশিনবগী মরী উৎপদা তাইবঙপানগী ওইবা নুপা নুপীগী কাম বাসনাগী মশক য়াওনা শৈথাবা প্রেম কাব্য ভাবতকী সাহিত্যদা মরাং কাযনা লৈরি। মখোয়গী মরক্তগী কালিদাসকী *কুমাব সম্ভব* তা শিব-পার্বতী লুহোংবগী মতাং, জয়দেবগী *গীত গোবিন্দ* দা বাধা কৃষ্ণগী প্রেম মিলন, বিদ্যাপতিগী *কীর্ত্তিলতা কীর্ত্তিপতাকা* দা রাধা কৃষ্ণগী সংযোগ লৌখৎপা য়াই। অসুম্না শক্তম নাইবা শ্রীকৃষ্ণদা মীবাবাইনা মপুরোইবা ওইনা নুংশিজবা অসিনা অনীশুবগী শক্রোন ওইনা লৌখৎপা য়াই। অদুগা সুফী কবিশিংনা মশাগী য়াইবী (আত্মা) বু নুপা ওইনা লৌরগা শকউদবা তাইবঙ মপু মাবুনা নুপী ওইনা লৌদুনা উৎপা নুংশিবগী মশকসু মথেংনৈ। মসিনা অহুমশুবা শক্রোন ওইনা লৌবা য়াই। মবিশুবা শক্রোন অসিদি য়াইবীরেন ওইবা তাইবঙ মপু মাবু য়াইবী ওইবা আত্মানা ইচম চম্না নুংশিজবনি। মসিদা নুপা নুপীগী ওইবা কামগী ৰাখল য়াওদে। অসিগুম্বা নুংশিবগী শক্রোন মরিমক লাইগা শম্নবা অমদি মওং অমা নৎত্রগা অমদা মরী লৈনবনা লাইরৈবাক্কী নুংশিবগী শক্রোন ওইনা থমদুনা নৈনর্বনি। মীনকেতনগী ওইবা লাইরৈবাক্কী নুংশিবসি মখল মরিসিগী মনুংদা অহুমশুবগী শক্রোনসিদা হাপ্তুনা নৈনবা যাই। মরমদি মীনকেতন্না, নোংবান্না থোইবীবু নুংশিবসি যাইবী ওইবা পিথাদোই (নোংবান) না য়াইবীরেন ওইবা থোইবীবু মশক খঙলকপা অমদি মাবু নুংশিবগী অযৌবী মশক উৎপা পিয়ে থাদোই কৌবা শৈরেংসিদা থেংনরি। মীনকেতনগী *সীতা বনবাস* কৌবা লাইরিক্তা অহানবা তাঙ্কক্কী নুংশিবগী শক্রোনসি ময়েক শেংনা উবা ফংই। লাইবিক অসি নাটক ওইজরবসু সংস্কৃত নাটক্কী খুদুং ইল্লুবনা শৈরেংগী মওংদা ইবনি। অদুনা নাটক অসিগী মতাং কয়াদা শৈরেংদা

শৈরেং ওইনা ই অমদি ৱারীগী মতাং-মতাংদা য়াওবা সীতাগী ঈশৈশিংদা প্রেম কাব্যগী মশক উবা ফংই।

(খ) তাইবঙপানগী নুংশিবা (লৌকিক প্রেম) ঃ

তাইবঙপানগী নুংশিবা অসিদি তাইবঙপানগী মনুংদা লৈরিবা নুপা নুপীগী ওইবা নুংশিনবসিনি। মীনকেতনগী প্রেম কাব্যশিংগী মনুংদা পোঞ্জেন নিংথৌ মুংয়াম্বগী মমোমলোই ইতিবেনগা পোঞ্জেন্দা শাইদাংদুনা লৈবা চলাম্বগা অনীগী নুংশি ৱাবীদা য়ুম্ফম ওইবা *নুংশি ৱাখেবা* কৌবা শৈরেং অমদি নিংথৌ পাইখোম্বগী ৱারীদা য়ুম্ফম ওইবা পাইখোম্বা অমদি মবাম নিংঙোল ইঙাল্লে অনীগী নুংশি ৱারী *নোংজাই ঈচিক্কাজুম্মদা* অনীসি তাইবঙপানগী ওইবা নুংশিবগী ৱারীগী মনুংচন্না নৈনবা য়াই। অদুবু অইবসিগী লাইরৈবাক্কী নুংশিবদা য়াওরিবা পেম্থেইজমগী মশকসিগী মমি খরদি মাগী তাইবঙপানগী নুংশিবগী মনুংচনবা শৈরেং খরদা খরা খরা উবা ফংই। মতমদুদদি মাগী পানগী ওইবা নুংশিবসি নুংগী ওইবা মশক অমদা ওনশিল্লকই। মিৎয়েং অসিদা মীনকেতনগী প্রেম কাব্য নৈনরকপদদি মীনকেতনগী প্রেম কাব্যসি মখল অনীথোক্না অমুক নৌনা খায়দোক্তুনা নৈনবা তারকই —

১) পন্দুপ নাইবা প্রেম কাব্যগী মশক

২) পন্দুপ নাইদবা প্রেম কাব্যগী মশক

১) পন্দুপ নাইবা প্রেম কাব্যগী মশক ঃ

পন্দুপ নাইবা প্রেম কাব্যগী মনুংদা কবিসিগী *পিয়ে থাদোই, নুংশি ৱাখেবা* অমসুং *নোংজাই ঈচিক্কাজুম্মদা* কৌবা শৈরেং অহুমসি লৌখৎপা য়াই। অহুম অসিমক ৱারী নাইবা অশাংবা শৈরেংশিংনি। মসিগী মথক্তা নাটক ওইজরবসু সংস্কৃত নাটক্কী মওংদা কাব্য ওইনা ইবনা *সীতা বনবাস*কী রাম সীতাগী প্রেমসু প্রেমকাব্য ওইনা নৈনবা য়াই।

২) পন্দুপ নাইদবা প্রেম কাব্যগী মশক ঃ

প্রেম কাব্যগী মশক অসিদদি 'প্রেম' দা য়ুম্ফম ওইবা শৈরেং অতেনবশিং লৌখৎতুনা নৈনবা য়াই। অসিগুম্বা অতেনবা শৈরেংশিং অসি মাগী *অশৈবগী শৈরোই* (১৯৭৭ ইং) অমসুং *সনরিক পরেং* (১৯৮১ ইং) দা য়াওবা নুংশিবদা য়ুম্ফম ওইবা শৈরেংশিং অসিদা য়েংবা য়াই। *অশৈবগী শৈরোই* কৌবা লাইরিক্তা য়াওবা "*কপকনুকো নুংশি নং ঐগী পোলোই খোঙফম ঊ*" হায়বা শৈরেংসিদা অইবনা মাগী চান্নজবীবু উবদা লৈপাম্থাগী নিংথৌকাবা নুমিৎতা পোকখিবা নুংশিবা, মদুনা মরম ওইদুনা পুন্সি লৈপুন শেমখিবা.

মদুদগী অমুক পুন্সিগী অৱা নুংঙাই কয়া মথং মথং থেংনবকপশিংদু শৈথাবক্কুনা মমৈদদি মহাক্না অহল মতম ওইৱক্কুনা মাগী চান্নৱীদগী হান্না শিবমদাই ওইৱকপসিদা মাগা কাযনবগী পি শিন্থদনবা পাউদম্বা প্রেম কাব্যনি। শৈবেংসিদা কবিনা মশাদা ফাওবা শেংলবা থম্মোযগী মপাউখোল অমা তাবা ফংই। লাইবিকসিমক্তদা য়াওবা 'বিদায কবিতে বিদায' হাযবা শৈবেংসিদনা অইবনা কবিতাবু ফজববী নুপী অমা ওইনা লৌই। পুন্সি মখোক লোইবক্কবা মতমদা ইনীংবগী অপাম্বদি পোকপা অদুগা ইবদি ঙম্লক্তবগী অৱাবদু অইবনা শৈবেংসিদা নাযক নাযিকাগী থুগনবা যাদ্রবা মিলন অমগুম্না শৈথাবি। অদুমক্না মঙোন্দা বিদায পীবি। কবিগী ৱাখলগা থম্মোযগ। 'তন্নবক্তবদা নুংশিবীগী শক্রোন লৌবিবী কবিতাদা পীবিবা কবিগী বিদাযসি মাগী চান্নৱীদা পীবা বিদায ওক্লদই। মতম কযা অৱা-নুংঙাই লেনমিন্নবক্কবা মাগী লোযনবীদা পীবা পুন্সিগী অবোইবা বিদাযগী থম্মোয শোক্কবা সুব অমা শৈবেংসিদা যাওবি। ফি ভমসিদা থৱায পানবী অমগুম কবিতাসু কপলি কবিসু কপলি। অসিগুম্বা কাযনবগী অযৌবা পনখৈসিবু মীনকেতন্না অসুম্না শৈথাই

> নুংদা চেনবা নুংশ-ফাল্গু চেল্লসনু নুংদা,
> পান্দ চেনবা অপাম-গঙ্গা চেল্লসনু পান্দ —
> কাযনবসি হন্দমুক্তি নুংশি নুংশি অসুম,
> তৎনবসি নুংশি নংবু পাম্মু পাম্মু অসুম।
> উন্নসিকো হযেংমুক্তি নুংশি-খোঙহৌমক্ত
> তিন্নসিকো পাম্মু নংবু নুংশি-শৈহৌমক্তা।
> ৱাবৌবনু নুংশি নংবু নুংশি নংবু বিদায,
> শাউবনুকো পাম্মু নংবু, পাম্মু নংবু বিদায।
> কপ্লিববা নুংশি নংবু, কপ্লি নুংশি নংবু।
> কপ্লি ঐসু পাম্মু নংবু, কপ্লি পাম্মু নংবু।
> থম্মোই অনী তুনা লেংবা তাশোম্নিনে বিদায —
> মাবু লঙবা থম্মোই' নীদো লেংই থূন্না শেং কায।"
>
> *(বিদায কবিতে বিদায ঃ অশৈবগী শৈবোই*ঃ **লা. ৩-৪)**

মীনকেতনগী পন্দুপ নাইদবা অমসুং তাইবঙপানগী ওইবা নুংশিবা (লৌকিক প্রেম) অসি মাগী *সনবিক পবেং* দসু মবাং কাযনা থেংনৈ। শৈবেং লাইবিক অসিদা যাওবিবা 'নুংশিদবা পুনশিসে', 'কুইবে পেন্না অমুক্তা', 'নীংলম্মিবোইদো পাম্মু নংসু ঐবু' অমসুং 'মশুংলাংনি মশুংলাং' হাযবা শৈবেংশিংদা লৌকিক প্রেমগী মশকশিং নীংথিনা শৈথাবা থেংনৈ। অসিগুম্বা লৌকিক প্রেমগী মশক ওইবা নুংশিবা হাযবসিবু মহাক্না অসুম্না মশক তাকই

নুংশিবগী মতাং অহুম — নুং - শি - বা -
শক্কা শক্কা চিল্লোক্লক — পোকচৈ কোক্কী নুং,
ৱাবী ৱাতাই সানজঙৈ — লাকচৈ মথং শি —
ঙানা থেংনা পাযনা খোৎনা — যৌজৈ মৈগী বা —"

(*নুংশি ৱাখৈবা ঃ অশৈবগী নিতাইপোদ,* লা ৭১)

অসিগুম্বা সংযোগনা নুংশিবগী পম্বুং যৌবগুম খন্নবা তাইবঙগী নুংশিবা অসি মাগী প্রেম কাব্য অযাম্বদা থেংনবা মশক্নি। মসিবু ফংলগা নোকপনি ফংদ্রগনা কপ্পনি। কবিগী থেঙথববা মতমদদি নুপা ওইবা কবিগী থম্মোযনা মহাশক্তিগী হৌফম তিনফম ওইবিবা নুপীগী মশকপু প্রেমগী হৌফম তিনফম ওইনা উবকই। চান্নবী, লোযনবী অমসুং ইমা হাযবা শক্লোনশিংসিগী মনুংদা চেল্লিবা নুপী হাযবা অদুগী মশক লেপ্পকই অদুগা হাযবকই-

মানি নংসে নুপি
মপু মাগী মঙলাল,
মঙলাল মশামক
তাইবংদা থোকপা লুগী তোঁগী হকচাংদা।

(*নংসে নুপি ইমানি ইমা ঃ অশৈবগী শৈরোইংলা* ৩২)

মীনকেতনগী প্রেম কাব্যদা সংযোগ শৃঙ্গাবদগী বিযোগ শৃঙ্গাবনা হেন্না শৈথাবা থেংনৈ। অদুবু সংযোগ শৃঙ্গাবগী মতেক খবদং থাবকপদদি লমযৌনা শৈথাবা ঙম্মী। খুদম ওইনা চলাম্বা অমসুং, ইতিবেনগী সংযোগ শৃঙ্গাবগী অযৌবী তাক্ককপু অসুন্না শৈথাই

"নাশং থক্তা তাবা হৈ — খুল্লোইদবা কনা লৈ,
তিংথৌ থক্তা কেনবা লৈ — চিল্লোইদবা কনা লৈ।
তমখি চীন্দম তাউজিংদো — চিনখি লৈদো খোযবাংবা,
নুংশি-ৱাখৈনখিদো — ইতিবেনগা চলাম্বা।

(*অশৈবগী নিতাইপোদঃ* লা ৩৭)

মীনকেতনগী সংযোগ শৃঙ্গাবদা খ্বাইদগী হৈননা শৈথাবদি নুপীগী ফজবা থাবনি। নুপী ওইবীগী হকচাংগী ফজবা শৈথাবদা লোনমাঙ যাওদনা অসুক নীংথিনা শৈথাবা মণিপুরী সাহিত্যদা অতাঙবনি হাযবা যাই। *নুংশি ৱাখৈবা* কৌবা প্রেম কাব্যসিদা ইতিবেনগী হকচাংগী ফজবা অসুন্না শৈথাই

থাখুমফিনা যোম্বহৈ — লাঙ্গোই যাচু মানবা হৈ
নিবে নিনা পীদহৈ — মুন্না মুন্না চাবহৈ

হৈহাউ অনী পুবহে
চাবে চাবে পেন্দহে
চাদা কাদা পুক্সিহে
থংলেন কাদা থৌগাইহে
মাযগোং লাংনা খাওবহে
চেংলৌ লাংলপ্ চাবহে
কোংগোম্নক চবৈ ফি
হাইগচ্চক নমখাংফি
থোকখি হেজীন নামিবী
উখি তাউজিং তনৌবী।

নীনি পানবা থাজ মতম
ফাওখি মশেক মণ্ডাল,
খোযবাংজখি গোইনা চলাম
উক তাউজিং মণ্ডাল।

(*নুংশি বাখৈবা, অশৈবগী নিতাইপোদ,* লা ৭১)

ভাবতীয কাব্যশাস্ত্রদা নখ শীখ বর্নন হাযনা খণ্ডনবা শৈথা মওংসিদা ভাবতকী অতৈ অফাওবা কবিশিংদগী মীনকে তননা খক হন্তদে হাযনীংই। অদুবু কবিগী প্রেমানুভূতিগী ঈস্তলনা কনমনবনা কবি কবিগুম্বদা মফম মতমগী শম্বল নমখাযদুনা নুংশি ঈচেল শাফু কন্না চেষ্টখিবা যাওই। শম্না হাযববদা, পিযে থাদোইগী নোংবানগী তেংথাদা মহাশ্বেতা অমসুং বৈশম্পাযনগী নুংশি বাবীনা খূদম ওইবকপা বসতা চানবগসু কাব্যদোষ ওইবা যাবগী চিংনবা লৈ। ভাবতকী কাবা শাস্ত্রদা শৃঙ্গাববু বসবাজ ওইনা লৌনৈ। অসিগুম্বা শৃঙ্গাববু বসবাজ ওইনা লৌহন্নবগী অচৌবা মবম অমদি মসিগী বিপ্রলম্ভ শৃঙ্গাব হাযবদি কাযনবা হাম্বা মাযকৈসিগী মায ওন যাওবননি। মবমদি সংযোগ (থুংনবা) হাযবসিদদি নংশিবা অদুগা নুংশিবিবা অদুগা অনীতগী ওইবা অপূনবনি। মদুগী নুংঙাইবদুগী বস অদু মযামদা যেম্বোকপা লৈতে অদুগা বিযোগ (বিপ্রলম্ভ শৃঙ্গাবদদি) মাগী নুংশি মৈশাদু মশাদগী হন্দাক্তুনা নাম যেং অম অচৎ চংতনাচংবা পূন্নমক্তা শন্দোবকই। অদুনা সংযোগতগী বযোগতনা হেন্না নুংশিবগী মিংযে পাক চাউবা হেক্লি হাযনা লৌনৈ। মদুমক্তা কাযনবগী মাযওনাস যাওবদগী নুংশিবা (শৃঙ্গাব) হাযবসি বস পূন্নমক্কী নিংথৌনি হাযনবিবনি। অসিগুম্বা বসবাজ অসিগী কাযনবা (বিযোগ) গী মাযওনসিদনি মীনকেতন্না যান্না পামজনা শৈথাবিবা। অসিগুম্বা বিযোগ শৃঙ্গাব অসি অমুকসু মখল মবি থোক্লা খাযদোকই, মদুদি পূর্ববাগ, মান, প্রবাস অমসুং করুন। মখলসিমক সংযোগ শৃঙ্গাবদসু খাযদোকই। মীনকেতনগী প্রেমকাব্যদা সংযোগ অমসু, বিযোগ অনীমক্কী মখল ৪/৪ সিমক শুনা ফংই। অদুগা লোযননা মসিনা ঈবোযনবা কামদসা ১০ মকপু শুনা মাগী কাব্যদা মযেক শেংনা উবা ফংই।

লোইশিল্লকপদা থমজনীংবদি মীনকেতনগী প্রেম কাব্য মণিপুবী সাহিত্যগী তাঙলবা প্রেম কাব্য ওইবতা নৎতনা ভাবতকী অতৈ প্রেম কাব্যশিংদগী হন্থদবা প্রেম কাব্যনি হাযবসিনি। ❑

মীনকেতন-সাহিত্যদা নুপীগী শক্লোন

অরিবম কুমাব শর্ম্মা

১৯শুবা শতাব্দীগী অবোইবা অমদি ২০ শুবা শতাব্দীগী অহৌবা শরুক্তা আধুনিক মণিপুরী সাহিত্যগী অতিযাদা ইহান হান্না তগুপ তবেং থোক্লকখিবা সপ্তর্ষিমণ্ডলগী মনুংদা কবি অশাংবম মীনকেতনসু অমনি। মণ্ডল অসিগী অতে কবিশিংদি মথং মনাউ নাইনা (১) হিজম অঙাংহল (১৮৯২), (২) খ্বাইরাকপম চাউবা (১৮৯৫), (৩) হিজম ইবাবত (১৮৯৬), (৪) হৱাইবম নবদ্বীপচন্দ্র (১৮৯৭), (৫) ডা. কমল (১৮৯৯), (৬) অবাম্বম দবেন্দ্রাজিৎ (১৯০৭) নি। মীনকেতন (১৯০৬) না ডা. কমলগী হেক মথংদা ৬ শুবদা লৈর্বানি। মীনকেতনবু ঐখোয়না খঙই - সাহিত্যকার অমা ওইনা, পণ্ডিত অমা ওইনা অমদি ভাষাতত্ত্ববিৎ অমা ওইনা। মহাক মাযথোং যাম্বা পার্সনেলিটি অমনি, মল্টিফেসেটনি। বাবেং, শৈবেং, নিবন্ধ, ড্রামা, জীবনী, আলোচনা মহাক্না শোক্লমদবা বিধা অমত্তা লৈতে। অনুবাদকী লমদসু মহাক্কী অচৌবা অবদান লৈবি। হোয, ফিক্সনর্দাদ মহাক খূৎ থাবমদে। অদু ওইবগসু মহাক্কী সাহিত্য অসি কপ্পা, খম্মোয শেংনা অমদি পূর্ণ চঙনা নৈনবর্গদ হেক্তা খঙবা ঙমগনি মহাক বহুরূপানি, বহুদর্শীনি। অমদি বঙ্গলানা যোৎলুববা মণিপুরী সাহিত্যদা নৌনা থৱায হাপ্পিখিবা অইর্বাশিংগী মনুংদা মহাকসু অমনি। মপূংদদি মীনকেতন প্রতিভা লৈবা অৱাংবা থাক্কী কবিনি।

মণিপুরী লোলগীদমক্তা ৱাজবক্লবা অইবা অসিনা মমাবোলদা নত্তনা মবৈবাক মজাতিগী সাহিত্য অসুং সংস্কৃতিবুসু লুনা নীংজে অমসুং নুংশিজে। মহাক্তি অবিবা মণিপুরী শৈবেংগী পরম্পরাবু কাযহন্দনা থম্বা পাম্বা অচৌবা কবি অমনি। মহাক্কী লোলগী মফজ মণিপুরী সাহিত্যদা তোপতোপ্পা মচল অমনি। মহাক্কী লোনশেমগী জাদূ অতে অইবা কনানসু তানবা ফংলবোইদবা অচৌবা আর্ট অমনি। মীনকেতনগী কাব্য - প্রতিভা শীংথাকদুনা কান্নদে। শীংথাবতনা ৱাংকনি। লমদম অসিগী লৈহাওদা শাগৎখিবা, লমদম অসিগী ৱাখলগী ঈচেলদা লূপখিবা, লমদম অসিগী সমাজ অমদি সংস্কৃতিগা যাওন্নখিবা লমযানবা অশৈবা অসিগী সাহিত্য তশেংনমক অৱাংবা থাক্কী সাহিত্যনি। কবিগী অবোইবা শৈবেং *পোক্লবম দর্শন* দা

উৎলিবা কবিগী মরৈবাক নুংশিবগী ঋাখল তশেংনমক মাতৃ প্রেমগী অয়ৌবী থার্কনি। কবিনা শক্লি-

নুংশি নুংশি লম্নুংশি
লোইবি চীংনা কোনববম
কোলোযনুংশি মণিপুব
চীংদা যেংলুই মনুংশি
তমদা যেংঙি মনুংশি
... ...
কোলোয নুংশি মণিপুব
মণিপুব   মণিপুব,
কোলোয নুংশি মণিপুব
মণিপুব
কোলোয়নুংশি ম-ণি পু ব।

মীনকেতননা নুংশিজবিবা মবৈবাক লমদম মণিপুব অসিদা কবিনা ইমাগী শক্তম অমা উবকই। কবিগী মিৎযেংদা নুপী পূম্নমক ইমানি। কবি অসিনা নুপীদা যেংলিবা মিৎয়েং অসি সাধক অমগী মিৎযেংনি। নুপী খুদিংমক ইমানি হাযবগী দর্শন অসি যাম্না ঋাংম্ববা দর্শননি। কবিনা নুপীবু অমুকসু প্রকৃতিগী শক্তম ওইনা উই। পুরুষ অমদি প্রকৃতি অনী পল্লগা তাইবঙপান অসি শেম্লিবনি। তাইবঙপান অসিনা লেঙদনা লৈবিবমখৈদি পুরুষ অমদি প্রকৃতিগী মবী অসি অসুম্মক তৎতনা লৌথিগনি। খন্না খক নাইবোই। প্রকৃতিনা শক্তিনি, পুরুষনা শক্তি লৈবা শক্তিমাননি। শক্তি যাওদনা শক্তিমান ওইবা যাদে, অদুগা শক্তি লৈবা মী (শক্তিমান্) লৈতনা শক্তিগী চন্নফম ওইথোক্তে। পুরুষ অমদি প্রকৃতিগী মবী হাযবসি অতে কাবিসু নত্তে, নিপা নুপীগী মবী অসিনি। পুরুষনা নিপানি, প্রকৃতিনা নুপীনি। অনীগী মবী অসি অমনা অমগী তেংবাংনবনি অনী অসিনা পূল্লগা মপূম ওইবিবনি, খাযদোক্লগনা তঙ্খায। নুপীবু নিপাগী হকচাং তঙ্খায (অৰ্দ্ধাংগিনী) হাযনবিবসি ওহোক্লা অর্থ লৈম্ববা ঋানি। হিন্দুগী দর্শনদা নুপীগী অশেংবা স্বরুপতি মমানি। মমা ওইবীগী থম্মোয নংত্রগা থৱাযনা মপা ওইবগী বুদ্ধি নংত্রগা হকচাংগা তৎন শানবা য়াদবা মবী অমা লৈবি। ভাবতকী সংস্কৃতিদা দেবী লাৎপগী পবম্পবা অমা লৈবি। মণিপুবী সংস্কৃতিদসু পাস্তোইবী অমদি ইমোইনু লাৎপগী চৎনবী লৈবি। লৈমবেন শিদবীগী খুভমবু মৈতৈ ইমুংশিংদা জাৎ বিজাৎ থিদনা লাৎনবি। মৈতৈ জাতিগী মশক মুন্না খঙবদা নত্তনা হিন্দুগী বেদ-উপনিষদ অমদি স্মৃতি গ্রন্থ কযা নীর্ংথিনা নৈনববা মীনকেতননি। সংস্কৃতি অনীমক্কী মশক মুন্না খঙলবা

অইবা অসিগী সাহিত্যদা উৎথলিবা নুপীগী শক্তম অসিদসু সংস্কৃতি অনী অসিগী সিন্থেটিক ওইবা হায়বদি চুংশীন্নবা মশক অমা অদুম্মক উবা ফংগে।

মীনকেতননা শাগৎলিবা ইমাগী শক্তম অসি তান্ত্রিক সাধনগী অরাংবা দর্শন অমগা শাগেন্নবগুমসু তৌই। অইবা অসিগী ব্রাখলদা শ্রীঅরবিন্দগী ব্রাখলগী মমি তাবা উবা ফংই। রামকৃষ্ণ পরমহংসগী সাধনাগসু নকশিন্নে। কবি মীনকেতন ইচম চম্বা কবি অমা ওইবদা নত্তনা ইমা নীংবা সাধক অমসুনি। মহাক্কী তোঙানবা লাইনীং লম্বী অমা লৈজে। ইমা লৈমরেল শিদবীবু চেৎনা লাৎচবগী খুদম লৈ। মবম কয়া অসিদগী মহাক্কী লাইনীংদা অর্মাদ মহাক্কী পুন্সিগী মিংযেন্দা নুপীবু অবাংবা থাক্তা থমই। মীনকেতননা উবিবসি নুপীদা শক্তম অনীখক্তি। অমনা ইমাগী শক্তমনি অদুগা অমনা তালোযগী। তালোযগী ফজবা শক্তম উৎকবগা কবিনা খোইবাংনা থিজিল্লুই তালোয সি কনানো ? কবিগী নুংগী মীৎনা উবকখি তালোয অসি অতে কনাসু নত্তে, ইমামক্কী শক্তমনি। কবিনা শকই

মিংখৈযাম্বী নমা ঐনি খঙজৌ মিংখৈ'নীদং,
মিংখৈ'মনা কৌই ইমা, অমুক'মনা তালোয।
(*অশৈবগী শৈরোই*, লা. ৩১)

'নংসে নুপী, ইমানি ইমা' হায়বা শৈরেংদনা অমুক্কা হেন্না মযেক লানা ইমাগী শক্তম অসি কবিনা থাবকই

নুপি,
খঙজবরা নহাকপো
নশাগী নশক,
নশাগী কোংলোয।

ইমানি ইমা,
ইমানি ইমা।

মানি নংসে নুপি
মপু মাগী মঙলাল,
মঙলাল মশামক
তাইবংদা থোকপা লৃগী তোঁগী হকচাংদা।
(*অশৈবগী শৈরোই*, লা. ৩২)

ইমাগী শক্তম অসি কবিগুম্বদা কবিনা পাহ্মোইবীগী শক্তমনি হায়না লৌই। কবিনা ইমাদা অসুম্না হায-

পাম্বোইবীনি নর্গদ ইমা
পাম্বোইবীনি নংদি

(*সনরিক পবেং*, লা. ১২৮)

কবিনা নুপীগী মতীক মগুণবু বাংনা থাঙ্গৎলি। এলহৌগী মতমদা তাইবঙ মপুনা জগৎ শেমগে থৌরাংবদা নুপী হান্না শেমগে খনখি। শেমসু শেমখি। শৈরেং অসিমক্তদা কবিনা শৈথাই -

নুপী,
    পোকখিবনি নহাক্তে এলহৌ ইনুং ঙানবদা,
নত্তে
    ঙানখিবনি ইনুংদো নুঙ্গা নংনা হেনবদা!
শানৌ নঙ্গী শউম ফং পুক্রীং তুজুং হেদৌ কা
তমখিবনি মতম্মা য়াওল খোঙফম নৌহৌনা
    পোকখিবনি নুমিথা!
নুরা নশেক নঙান্না থোকখিবনি তিয়াদা
    থবাম্মিচাক পরেং পরেং -
    লেংখিবনি মণি পরেং
    তগুপ তগুপ তরেং তরেং!
(*অশৈবগী শৈরোই*, লা. ৩৬)

'খঙনা খঙনা অদুবু কুইর কুইব মমম্মি' কৌবা শৈরেংদসু নুপী ওইবীগী শক্তমদি লৃগী তোংগী হকচাংনি, নুজা মাগী খোইজি থাং মালেম খোঙদাবকপনি হায়না শৈথাই। নুপীগী ফজবা থাবদা কবিনা হায় -

ঈংনা ফজ মফজ থম্মোই মাগী থম্মোইনি,
থবায় মাগী থবায়নি-পুন্সিগীনা অমৃতনি!
অসিনিদো ফজবি ফজ নঙ্গী মফজ,
অসিনিদো হেঞ্জবি হেঞ্জ নঙ্গী মহেঞ্জ,
ফজৈদকো ফজবি ফজজবী ইতালোয়,
ফজ নঙ্গী মফজ করি মফজনোনে!
(*অশৈবগী শৈরোই*, লা. ২৯-৩০)

মপুগী খুৎশেমদা ফজবা হাযদুনা লৈবিবা পোৎলম খুদিংমক অসি নুপী ওইবীগী মতীক মগুণ অমদি ফজবা শক্তমগী মমি ঙাক্তনি হাযবা ভাব অসিমসু মীনকেতননা মহাক্কী অযাম্বা শৈবেংশিংদা শীংথাবা থেংনৈ। মোম্ম ওইবী মহাক্কী মচু মমেন্না লৈবাংশিংসু লৈরমশুনা শাৎখিবনি অমদি হৈবাংশিংসু হৈবম শুনা হৈপাল তম পানখিবনি হাযনসু কবিনা শীংথাবি। হৈবাং লৈবাংগী নুংশিবা হৈনম লৈনমসু নুপী মহাক্কী স্ববদগী থোকখিবনি হাযনা পল্লদুনা কবিনা নুপীবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎলি। নুপীগী মতীক মগুণ শকপদা কবিগী মশাদা চোকথবা লৈতে। 'নংসে নুপী ইমানি ইমা' হাযবা শৈবেংদা কবিনা হায

শক্কে 'দুবু ঙসি কৌবা নোংসিদি
　　ৱাক্ক ঐবু শৈবোম্বা
নুপী নঙ্গী নতিক নগুণ -
　　নহাক্কী নশক
নহাক্কী কোলোয়
　　মৈনা ৱায তাংনা শম !

(*অশৈবগী শৈবোই*, লা. ৩৩-৩৪)

মীনকেতননা মাগী শৈবেং অযাম্বদা অতম্লনবু ওইববসু, নাকোযননবু ওইববসু নুপীগী শক্তমদি মতাং অমদা নৎত্রগা অমদা অদুম্মক যেকই। *অশৈবগী শৈবোই* কৌবা শৈবেং লাইবিক্তা যাওবা '*বিদায কবিতে বিদায*' শৈবেংদা কবিনা কবিতাবু নুপীগী শক্লোন পুবা, ঈ-তোংনা শাগৎপী হকপানবী মুর্ত্তি অমা ওইনা কল্পনা তৌবি। কবিতা-কামিনিগী কল্পনানি। শৈবেংবু শুমহৎয়াই পুবী নুপা ওইনা লৌবনি যেংসি কবিগী কল্পনা -

কোলোয ফান্ন ৱাহৌগে নুংশি নঙবু ঙসিদি,
হাযু তাসি কবিতে, কবি লাক্লি হৌজিক্তি !
...
মঙ্গী লৈবাং কবিতে, হল্লো হল্লো মঙ্গীকোল,
তাকবেদো নদাইদি নোংদমখোল্লোয তাইবংকোল !
..
কাযবসনু থম্মোয অনী নুংশি নংবু বিদায়,
কংলসনু লকা অনী পাম্মু নংবু বিদায !
বিদায
　　　　কবিতে -
　　　　　　বিদায - !

অসুম্না শৈরেংবু মীনকেতননা প্রিয়তমা অমগী মওংদা লৌদুনা মহাক্কা তিন্নবা অমদি কায়নবগী পৃংফম কযাদা থাদোক্লবা যাদ্রবা মবী অমা লৈ হায়না উৎলি।

মীনকেতনগী প্রেম কাব্যদসু নুপীগী শক্তোন অসি যাম্না নীংথিজনা উৎলি। *অশৈবগী নিতাইপোদ* তা য়াওবিবা 'পিযে থাদোই' অর্মদি 'নুংশি ব্রাখেবা' দা কবিনা পুথোক্লিবা নুংশিবগী দর্শন তশেংনমক শীংথানীংঙাইহান। নোংবানগী আত্মানা পি থাদোই কৌবী চেক্লা অমা ওন্দুনা মহাক্লা নুংশিজবী থাদোই থোইবীবু কৌবগী কল্পনা অসি প্রেমতত্ত্বদা যুম্ফম ওইবনি। প্রকৃতিগা নুপীগা লৈনবা মরী অদু থোইবীদা প্রমাণ তৌদুনা অনী অসি অমত্তনি হাযবা তাকই। প্রকৃতিগী শকফম খুদিংমক্তা থোইবীগী মমি তাবা উৎপা, কবি মীনকেতনগী ফজত্রবা কল্পনানি। নুপীলক্কী থোইবা থোইবীনি। অসিগুম্বী নুপী অসিগী মতীক-মগুণ, মশক মঙাল প্রকৃতিগী তম্পাক্তা শার্তলবা হৈবাং লৈবাং খুদিংমক্তা তাবি হাযবগী কল্পনা অসি কযাদা ফজত্রবা। কবিগী শৈরোলনি

শীংঙেল লৈবাং খিবিক্লক   তঙাং লৈশাং তমজবী
লৌখি থাদোই শক্তম্মক   নুংশ চেংলৌ নীংথিবী।
লৈমায যেংই থাদোই ঙাক   ঈমায় যেংই থাদোই ঙাক
চীংমায যেংউই থাদোই ঙাক   লোক্মায যেংউই থাদোই ঙাক।
থাদোই চাম্মা চাম্মনি   থাদোই লিশিং লিশিংনি,
থাদোই লখা লখানি   থাদোই কোটি কোটিনি।

(*অশৈবগী নিতাইপোদ*, লা. ২০)

'পিযেথাদোই'দা শাগৎলিবা নুংশিবগী শক্তম অসি নিপা নুপীগী মবীদা শাগৎলকপনি। মপৃংনা নুপীদা, নুপীগী শক্তিদা অমদি নুপীগী ধর্ম্মদা। তশেংনমক শক্তম অসিসু শাগৎপদা অধ্যাত্মিকী ওইবা নুংগী ব্রাখল যাওবি। অশেংবা নুংশিবগী মূর্ত্তি ওইবিবী থাদোই থোইবীগী মফমদা অপাম্বগী মূর্ত্তি ওইবিবা নোংবানগী আত্মানা চঙজবনি। নীংজবগী খম থেংবা মতাংনি। পিযেথাদোইগী শক্তম অসি অচম্বা শক্তম নত্তে। মসি মপোক লাংঙোন খঙবা ঙম্বী লাইগী শক্তি চেনবী চেক্লা অমগী শক্তমনি। 'পিযেথাদোই'গী অহানবা লামাযমক্তদা ব্রাফম অসি পল্লি

মহাকথর্গন ঐহাক্লা চেক্লা ওইনা পোক্লকপা,
মগুংলাংনি ঐহাক্লা মালেম থুংনা কোযবিবা।
চেক্লা ইপোক য়াম্লক্লে নুংশ মাসু মমখবে,
থম্মোই মানা অদুবু কাউসি কৌবা মঙমদবে।

(*অশৈবগী নিতাইপোদ*, লা. ১)

'*নুংশি রাখৈবা*' দসু অদু মঙাই, মীনকেতননা নুপীবু নুংশিবগী সিম্বোল ওইনা উৎলি। ইতিবেনগী চরিত্রদা উৎলিবা নুংশিবগী মশক অসি লু-তোংগী ওইবা মপাম্ভোংগী মশক অদু নত্তে, মসিদি নুংগী ওইবা অধ্যাত্মিক প্রেম অদুনি। তশেংবসু নুংশিবা হায়বসি আত্মা অনীগী অধ্যাত্মিক মিলন নি, থম্মোয় অনীগী তিন্নবা মশকনি।

নুংশি নুংওনগী ৱারীনা মপূং ওইবা '*অশৈবগী জয় ভাই*' শৈরেং লাইরিক্তসু মীনকেতন না নুপী ওইবীগী থম্মোযগী অশেংবা মশক অদু উৎলি। মৈতৈ নিংথৌ পাইখোম্বগা মরাম নিংঙোল ইঙাল্লেগা অনীগী মক্তবা প্রেমগী ৱারী অসিদা নুপীনা নিপাদগী হকচাং পাঙ্গলদদি হেল্লি হায়বসি উৎলি। নুংশিবদা কখোকপা নুংশিবদা লোইবা নুপীগী থম্মোয়নি। নুংশিবগীদমক্তা নুপীনা তৌবা ওমদবা অমত্তা লৈতে। মীনকেতননা শাগৎলিবা নুপীগী শক্তম অসি অনৌববুদি নত্তে। অদু ওইরবসু নুপীদা মহাক্কী য়েংলিবা মিৎয়েং অদুমদি ঐখোয়দা তোয়না নীর্ংশিংহল্লি। ওক্সোং খুল্লাকপগী মচাদা থাজপ্রবী ইঙাল্লেগী থম্মোয়দা চাক্লিবা অৱা-মৈচাকপু খঙবিদুনা মমানা মচাগী পূক্লিং থেমজিনবীদুনা হায় -

নুজা ওইবী ঐখোয়দি মালেম ইমাই মশক্লি -
পুগুম তুমিন লোইনা ইমানা পুবা তমগনি,
খাঙহৈবনা নুপী ঐখোই অশেংবা শক্তমনি।
খাঙউ খাঙবা তম্মু নঙ নুপী ঐগী ইচানি,
থোকউ নুপী নশাগী লাংলেন নঙসে নুপীনি।
(২শুবা বর্গ, ৫শুবা অধ্যায়, লা. ৫৯)

মীনকেতননা অসিমসু থাজে - মীওইবগী পোক্লফম লমদম ইমালৈপাক অমদি পাক চাউরবা মালেম পৃথিবীগী অচৎ-চৎত, অৱেঙ-লেঙদ পোৎলম খুদিংমক্তা নুপী ওইবীগী শক্তম অসি মশা মথন্তা অদুম্মক চোংথোকচরকই। মালেম অসিবু কবিনা জগৎ পোকপী ইমাগী অউবা মশক্লি হায়না লৌই। কবি কয়ানা মরৈবাক নীংবগী শৈরেং ইনরি। অদুবু মীনকেতননা ইবা অসিগুম্বা মখলগী শৈরেংশিংদা উবা ফর্ংলিবা তোপ-তোপ্পা মশক অমদি মহাক্লা শীংথারিবা পোক্লফম লমদমগী ফজবা মশকপু নুপী ওইবীগী ফজবা শকফমদা থৱায় হাপ্তুনা য়েকপা অসিনি। য়েংংসি অশৈবা অসিগী শৈরেং মতেক অমা -

লোইবি শন্নাং খোইখোইবা শাংথ লেংথ চোইনা তা,
মালং কাইদ শহুম লাং শংবান চরৈ কোমগোম তা,
লাইজ তবং খোল্লাং হৌ হাজং থাখুম চেৎনা তা,
মালং নিংশা চিংনা-চিং মায়গৈ কারল মিয়েং তা,

পারি কনা মশুংলাং পীবুক নুংঠৌনরিবা,
নমোম কনা মহাকথং পায়মা নুংজেংনরিবা -
নুংশিদা ইমা কংলেপৃং পলেম ঐগী অপোকপি !
(*অশৈবগী শৈরেং*, লা. ৪৮)

পোক্লফম লমদমগী সেবা তৌবনা পলেম ইমাগী সেবা তৌবা শকই হায়বা ৱাখল্লোন অমা মীনকেতনগী শৈরেংদা উবা ফংই। শিববুসু কবিনা হরাউনা লৌশিল্লি। পুন্সিগী অরোইবা য়াতাবা অসি পোক্লফম ইমাগী মথাদা য়াহিপচর্বানি হায়বা লৌই। কয়াদা ৱাংপ্রবা দর্শন নো!

মীনকেতন-সাহিত্যদা নুপীগী শক্লোন অসি শুপ্নগী মহাক্কী শৈরেংশিংদতা থেংনৈ হায়না লৌবা য়াদ্রি। *ভাবতচনু* (লাবোন ১-৪, ফোঙবা ১৯৫২), *তোনু লাইজিংলেম্বী* (ড্রামা, ১৯৪৯), *সীতা বনবাস* (ড্রামা, ১৯৩৬) *ভারত চনু*, *মৈতৈ উপন্যাস* (সমালোচনা, ১৯৫০) নচিংবা লাইরিকশিংদসু নুপীগী অৱাংবা আর্দশ উৎপা অদুম্মক থেংনৈ। ভারতকী ফিদমনীংঙাই ওইবী নুপীশিংগী ৱারীনি। ৱারীশিং অসিদা উৎলিবা নুপীগী চরিত্রনা মীনকেতন-সাহিত্যদা নুপীগী অচৌবা মফম অমা কন্দুনা লৈ হায়বসি অমুক্কা হেন্না চেৎশিলহল্লি। মীনকেতননা শাগৎলিবা ভারতচনুগী শক্তমদি ত্যাগ অমদি তপস্যাবু শাগোন্নরিবী, ধর্ম্মক্ষেত্র-কর্ম্মক্ষেত্র অনীমক্তা থৱাযতকচাং লুপ্লিবী, মমা ওইবীগী নুংশিহৈবী পুকচেল চেল্লিবী সতীত্বগী গুণনা লৈতেংলবী ঙাকপিহৈবী অখাঙকনবী নুপীশিং অদুনি হায়বসি অসিগুম্বা ৱারেং অসি পারগা খঙবা ঙমই।

সীতা বনবাস অমদি *তোনু লাইজিংলেম্বী* ড্রামাগী লাইরিক অনী অসি পারুরগসু মীনকেতনগী নুপীদা য়েংবা মীৎয়েং লাযনা খঙবা ঙমই। সীতাগী চরিত্র আর্দশ নারী অমগী চবিত্রনি। তোনু লাইজিংলেম্বীগী মক্তুবা প্রেমগা লীপুন্না মশাবী কদেং থাঙজহনবগা নুংশি ৱাইথুংনবগী ৱারী অসিদা মীনকেতননা প্রেমতত্বগী অৱাংবা আর্দশ অমা উৎলি। মসিগী যুম্ফম ওইরিবসু নুপীনি। নুপীদি প্রেমগী মূর্ত্তিনি। নুপীতনা উৎলি-নুংশিবগী জয়।

মীনকেতনগী *মৈতৈ উপন্যাস* কৌবা ক্রিটিসিজমগী লাইরিক অসিদা য়াওরিবা ৱারেংশিং পারুরগসু মীনকেতন-সাহিত্যদা উবা ফংলিবা নুপীগী শক্লোন অদুগী মমি খরদি অদুম্মক উবা ফংই। শীতলজিৎকী *ইমা* উপন্যাসতা করি উৎলিবগে হায়বদু তাক্তুনা অইবনা হায়-
'*নুপী ওইবা পুন্সিগী মমা ওইবা খোঙফম উৎতুনা কনাগীনা মমা, কনা অমগীনা পুন্সিগী খোঙলোয় অমুক কনা অমগীনা মচেম-মচল অসুম থোক্লা মালেম খোঙফম্নরিবী নুপীগী অরেপ্পা শকফম অমা ওইবদুনি হায়না খোঙ্জেলনা উৎলে।*' (*মৈতৈ উপন্যাস*, লা. ১৪৫)
শীতলজিৎকী *থাদোকপা* নৈনবদসু অইবনা নিপা নুপীগী অচেৎপা মরী তাক্তুনা অসুম্না হায়-

নিপা নুপী অনীগী মবী নুংপাল অনীগীনি। পানগী মবীদি পানগী থৌবম কয়া কয়ানা থদংপা যাই, নুংগী মবীদি যাদে। পানগীদি লাযবদুনা নুংদুমক্কী মবমশিংমক্তসু থাদংপা ঙমদে। (*মৈতৈ উপন্যাস*, লা. ১২৩) খুদম খবা অসিনা তাকপদি মীনকেতননা মহাক্কী সাহিত্যদা নুপীবু ব্রাংনা থাঙ্গৎলম্মী হায়বর্সিনি। মীনকেতন সাহিত্যদা শাগৎলিবা নুপীগী দর্শন অসিগী মবমদা সমালোচক নীলকান্তনা হায় -

> ''কবি মীনকেতন চুম্নগী বচনা ইবা, সমালোচক, ভাষা তত্ত্ববিদ অমসুং সাহিত্যকাব - পণ্ডিত ওইবদা নত্তে। সাধক অমসুনি। ইমা সাধকনি। অপোকপী মমাগী, নুপী ওইবীশিংগা, মমা লমদমগা অমসুং মালেম লৈমগা অমত্তা ওইনা উবা ঙম্বগী তাঙলবা দর্শন অমা মহাক্কী পুন্সিদা ফাওখি।''

নীলকান্তনা অসিমসু হাযবম্মী

> ''কবিগী অবোইবা শৈবেং পোক্লফম দর্শন হাযবসি মমা লমদম মণিপুবদা কৎচবা মহাক্কী পুন্সিগী শ্রদ্ধাঞ্জলিনি। মমা লমদমবু কবিগী অবোইবা মীৎফমদা যেংজবগী অযৌবী মর্শক্লি। কবিগী মীৎফমদা অমত্তা ওইবকই - নুপী পূম্নমক ইমাগী মশক। ইমা লমদমসু ইমাগী মূর্ত্তি।''

মীনকেতন সাহিত্যদা উবা ফর্ওলবা নুপীগী শক্লোন অসিগা কবি মশাগী লাইনীং লাইশোনগা যাম্না মবী লৈনৈ হাযবসি মথওসু পঞ্জৈ। মীনকেতন ধৰ্ম্ম শাস্ত্র কূপ্না নৈনবা সাধক অমনি। বৈষ্ণব ওইজবগসু লৈমবেন শিদবী ইবাৎপা কবিগী পূক্লিংদা হিন্দুগী দেবী দুর্গা, চণ্ডী অমাদ কালিগা মৈতৈগী ইমা লৈমবেনগা কাবসু খেন্নবা লৈতে হাযনা ফাওই। শম্না হাযববদা বৈষ্ণব লাইনীংগী দেবী উপাসনাগা মৈতৈগী ইমা লৈমবেনগী লাইনীংগা অমত্তনি হাযবসি মহাক্না থাজবনি। বৈষ্ণব দর্শনদা দূর্গা, সবস্বতী, লক্ষ্মীনচিংবসু মাতা (ইমা) হাযনা মিঙ্গেলনবি। হিন্দু লাইনীংগী শিব শক্তি উপাসনা, তন্ত্র সাধনা, শৈবদর্শন নচিংবা কযাগী জ্ঞাননসু কবিনা মহাক্কী নুপীগী শক্লোন অসি যেকপদা লাযনা থোকখি। কবিগী *অশৈবগী শৈবোয* দা ইমাগী শক্তম অসুম্না যেক্লি।

> ইমা, পোক্লফম লমদম, তালোয, নুপী ওইবী
> মখোয খিবিক অসি জগৎপোকপী
> ইমাগী ফমপাক্লি তাকপনি ইমাগী ইচ্ছ্যানি।

অসিনি, মীনকেতন সাহিত্যদা নুপীগী শক্লোন। ❑

অশাংবম মীনকেতনগী খুৎইদা চীনবুং সাহিত্যগী মচাকশিং অমসুং মশক

ডা হুইরেম বিহারী সিংহ

অশাংবম মীনকেতন সিংহ (২/০৫/১৯০৬-৭/০৩/১৯৯৫), অনৌবা মণিপুরী সাহিত্য শেমগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবশিংগী মনুংদা যান্না শীংথাবা যাববা পণ্ডিত, লিঙ্গুইষ্ট, কবি, চীনবুং সাহিত্য , অনুবাদক, সমালোচক অমসুং ফোকলোবিষ্ট অমনি। মহাক্না মণিপুরী চীনবুং সাহিত্যগী তোঙান তোঙানবা শক্লোনশিংদা নত্তনা অতোপ্পা জাতিগী চীনবুং সাহিত্যগী মচাকশিং কযা লৌখৎতুনা চীনবুংদা মীবোল অমদগী মীবোল অমদা

ইংবাজীগী ওবেল লিত্রেচব'নৎত্রগা 'ফোক লিত্রেচব হায়বসিগী চপ চাবা বাহল্লোক মণিপুরীদা লাক্লে। মণিপুরী ফকলোবিষ্ট অযাম্বনা ওবেল লিত্রেচব নৎত্রগা 'ফোক লিত্রেচব' হায়বসিগা লোক সাহিত্য হায়বসিগা মান্ননা হান্না শীজিন্নরম্লগী মতুংদা মণিপুরীদা চীনবুং সাহিত্য' হায়বসিনা তেন্না চুনে হায়দুনা শীজিন্নবে চীনবুং সাহিত্য অসিদ চীনবুংগী শক্লোন ওইবা অমদি মসিগী পাখোক্তি অযাম্বনা চহানগা পুথোকখিবা মশক মী ওই অদু কনানো খঙবা ঙমদবা অদুনি। কবিগুম্বা খঙলবা ফাওদা যাম্না বানা খঙবা ঙম্মা। মসিগী শক্লোনশিং অসিদি চীনবুংদা মীওই কাঙলুপ অদুগী চৎনবী ওইনা যানববা কল্পনাদগী নৎত্রগা বাবী শীংবুন কযাদগী শেম্লক থোবকপা মপু পান্দবা পোখোকশিংনি মসি মীযামগী মবল ওইনা চৎনবী অমদা হঞ্জিন হঞ্জিন শীজিন্নবিবা পোখোক অমনি পাখোকশিং অসিদা মীযামগী মবল ওইনা শীজিন্নবনা মীযামগী অপাম্বগী মখা পোন্দুনা মফম মতমগী মতৃং ইন্না মীযাম্না খূৎ থাদুনা চীনবুং সাহিত্যদা হোংনাইবা হায়বদি খেন্নবা ওইহল্লি। অসিগুম্বা খেন্নবা কযা লৈবা মীযামগী মবল ওইবা অমদি চৎনবী ওইনা চীনবুংদা মীবোল অমদগী অমদা হংথদুনা লাক্লিবা সাহিত্য অসিবুনি 'ওবেল লিট্রেচব' নৎত্রগা 'ফোক লিট্রেচব হায়বদি চীনবুং সাহিত্য' হায়না মিঙ্গৌনবিবসি। মসিগী মতাংদা বিচার্ড এম ডবসন (Richard M Dorson) না অসুম্না পীবি

oral literature sometimes called verbal art or expressive literature Under this rubric fall spoken sung and voiced forms of traditional utterance that show repetitive patterns (Dorson 1972 2)

লীন শক্লদুনা, তানদুনা লাকলিবশিংদুদা কল্পনা অমসুং লোনগী ফজবা কযা হাপচিন্দুনা সাহিত্যগী মওং কযাদা লাইবিকশিং ওইনা পুথোক্লম্বা অসিমক্লা মণিপুরী সাহিত্যবু চাওখৎহন্নবা হোৎনবমই হাপ্‌র্বাসগী মযেক লাববা খুদম্নি। মহাক চীনবুং সাহিত্যগা সাহিত্যগা অনীগী লেনবা মবী অসি যাম্না মুন্না খঙবা মীশক অমনি। অসিদসু নত্তনা চীনবুং সাহিত্যগা মীওই কাঙলুপ অমগী মীওইশিংগী পুন্সি মবেলগা থাদোক্লবা যাদ্রবা মবী হকথেংননা নৎত্রগা নাকোইননা মাঙলমচত্তগী হৌনা লৈবক্লি হাযবসি কৃপ্না খঙবদগী চীনবুং সাহিত্যগী শক্লোন কযা লাইবিক ওইনা ফোঙদোক্লমদুনা মণিপুরী সাহিত্যগী ফজববা শক্লোন কযা ওইনা থম্বীবমই।

লৈবা অসিদা মকওইনা উৎনবা হোৎনবিবদি অশাংবম মীনকেতন সিংহগী লাইবিকশিং *মৈতৈ লাঙ্গবোল* (১৯৫০), *ডাঙ্গোয পবেং* (১৯৪৯), *তোনু লাইজিংলেম্বী* (১৯৪৯), *সীতা বনবাস* (১৯৩৬), *রামাযণগী বাবী খবা* (লাবোল অহানবা, ১৯৫১) অমসুং *অশৈবগী নিতাইপোদ* (১৯৭৬) অসিদা কদায ফাওবা মহাক্লা মাযপাক্লা চীনবু সাহিত্যগী মচাকশিং অসি শীজিন্নবদা নত্তনা চীনবুং সাহিত্যগী শৈলীনচিংবগা লোযননা কবম্না ফজবা মণিপুরী সাহিত্যগী পোথোকশিং ওইহনবগে হাযবদুনি। নৈনবিবা অসিদা কাহেন্না চাউথোকখিগনি খনবদগী যাবিবমখৈ শন্না বাফম খবা অসি উৎনবা হোৎনবনি।

অশাংবম মীনকেতন সিংহনা চীনবুং সাহিত্যগী মচাকশিংগী মনুংদা মকওইনা লাই তৌনগী বাবা (মিথ) অমসুং থাজ-বাবা (লেজণ্ড) গী শক্লোনশিং চীনবুংদা চংনবা ওইনা লীনদুনা লেবম্বশিংদু সাহিত্যগী তোঙান তোঙানবা বিধা কয়াদা লাইবিক ওইনা ফোঙদোক্লমই। কবিগুম্বদা চীনবুং সাহিত্যগী শক্লোন অমা ওইবিবা পাউবৌ (প্রোজব সু মতাক্নী। লাইবিক খবদা মণিপুরী শীজিন্নবা তৌনবদা নত্ত। মহাক্নী *মৈতৈ লাঙ্গবোল* (১৯৫০) দ মণিপুরী লাই তৌনগী বাবা তবা হেক্কক যাওবি। লাইবিক অসিদা মণিপুরী বাবীশিং অসিগী মশক তাক্নবা হোৎনবদা লাই তৌনগী বাবী হাযবসি লাই তীনশিং লাই ওই মী ওই লৈবশিং নৎত্রগা থোইদোক হেন্দোকপা মহাপুরুষশিংগী মবমদ লীনবা বাবীশিনি। অমবোমদা লাই তীনগী বাবী হাযবসি মালেম অমদি মীওইব মথোযগী ঙসিগী ওইবিবা মওং অসি মতৌ কবম্না ওইবকখিবগে হাযবগী মতাংদ শন্দোক্লা তাকপা ধর্ম্মগা মরী লৈনবা বাবীনি। তশেংনমক, লাই তীনগী বাবী হাযবসি মীওই কাঙলুপ অমগী ওইবা, ধর্ম্মগা মরী লৈনবা, লাই তীন, লাই ওই মী ওই তৌবা নৎত্রগা খুন্নাইদুগী সংস্কৃতি পুরুষকী বাবীশি গী মবমদা লীনবিবা অমসুং অযাম্বনা নীংশিংবা থোক্লবা মতমদা অশে বা থোকখিবনি অমদি অচুম্বনি হাযনা থাজনবা চীনবুংদা মথং মথং লীনদুনা লাক্লিবা বাবীশিং অদুনি। মালেমসিদা লৈবিবা অখণ্ড অহৈশিংনা লাই তীনগী বাবীগী মখল খাযদোক্লম্বা অদুগী মতুং ইন্না *মৈতৈ লাঙ্গবোল* দা যাওবিবা বাব

তবাতকক অসিগী ওইবা যাবা মখলদি ঃ - (১) শুক শিদবা (Origin of gods), (২) খোঞ্জেল অহানবা কবিনো (Social Institutions and Inventions), (৩) মালেম কবম লৈশেমখি (Origin of Universe/creation of earth), (৪) নিংথৌ অহানবা কনানা ওইখি (Myths of origin of animals and of mankind), (৫) মালেম কবম খাদা চেপখি (Extra ordinary or irregular phenomena নৎত্রগা Myths of origin), (৬) সনামহী কবম যুম্লাই ওইখি (Myths of origin and other divine), (৭) টাইবং মী কবম পোকখি (Origin of animals and of mankind), (৮) মীনা মালেম মপু কবম ওইখি (Myths of origin), (৯) মীনা অহানবা কবি লাই নীঙ্খি (Myths of origin), (১০) অতে কবি লাই অমগা লাখি (বাবী অসিদা নুমিৎ নীংবগী ওইবনা Other natural objects কী মখলদা থম্বা যাই), (১১) অমুক কবি লাই অমগা নীঙ্খি (মসি শলাই হৌবব পগী বাবী ওইবনা Myths of origin), (১২) কোনুং অহানবা হাপখদনো (Myths of origin), (১৩) সগোল কবম লেপখি (Myths of origin), (১৪) চযোল কবম পোকখি (Myths of origin), (১৫) হিদাক তবেৎ কবম থোকখি (Social Institutions and Inventions) অমসুং (১৬) জগোয কবম পোকখি (Myths of origin নৎত্রগা Creation myths) অসিনি। পীবিবা মখলশিং অসি বাবীশিং অসিদা যাওবিবা বাবীগী মওং মতৌ যেংলগা অমদি মালেম অসিদা ফগুলিবা লাই-তীনগী বাবী (মিথ) গী বৈজ্ঞানিক ওইনা শাযদেক্রগা থল্লখা মখল কযাদু যেংলগা খাযদোকচবা মখলনি। লাইবিক অসিদা যাওবিবা বাবীশিং সী নবুংদা লৈখ্রবদগী য়াম্না হৈ-শিংনা মণিপুরী সাহিত্যগী পাখোক ওমা ওইনা থম্মীবল্লবা মানকেতনগী খৃৎইনি। লাইবিক অসি কবিগীদমক ইবিবনো হায়গী মতাংদা অইবা মশামক্না অহৌবদা অসুম্না পীবি

> পালী পুবী পিনীংবা কনা কনা গুম্লশিংগী মতেং খবদং ওইনগদ্রা, অমুকসু অমনা, লৈখা তাববা লোনগী শৌগৎননীঙ ভাই মতেক অমসু ওইনবা যাগদ্রা নীঙভুবদগী থম্মোইনুংদা লেঙদনা লৈদুনা পুক্সিগী গৌগাই পাঙনভাই লম্বী উৎপীবিবা তেংবান মপুগী খুয়া খাদা থবায হকচাং বাহৈ পুন্না কং চঙজদুনা লাইবিক অসী ইজবনি।
>
> (*মানকেতন, ১৯৫০, মৈতৈ লাইবোল, কবিগী হী*)

মথক্তা পীবিবা অসিনা কবিগীদমক লাইবিক অসি অইবনা ইবিবনো হাযবদু মযেক শংনা তাক্রে হাযবা যাই। বাবীশিং অসিগী খৃৎইদি খবনা বাবেংদা, খবনা বাবেংগা শৈবেংগা পূনবা অমসুং বাবী অমখক্তি শৈবেংদদা ইবা অসিনি। খুদম ওইনা 'শুক শিদবা', 'মালেম কবম লৈসেমখি', 'টাইবং মী কবম পোকখি', অসিনচিংবশিংসি বাবেংদা ইবনি। বাবেংগা শৈবেংগা যান্ননা ইবা বাবীশিংদি 'নিংথৌ অহানবা কনানা ওইখি', 'সনামহী কবম যুম্লাই

ওইখি', 'মীনা অহানবা কবি লাই নীঙ্খি' অসিনচিংবশিংসিনি। 'মাযগৈ কবম লেপখি হাযবসিদি শৈরেংগী মওংদা ইবনি। লাইবিক অসিদা যাওবিবা বাবীশিং অসি অইবনা তোঙান তোঙানবা মওং খবদা যান্না হৈ শিংনা লোনগী শকওং কযা শীজিন্নদুনা ইবগী মওং-মতৌ খবা উবা ফঙই। বাবী খবদনা মণিপুরী জাতিগী অযাম্বনা যানবিবা লাই-তীনগী বাবী ওইহল্লকপগী খুদমসু থেংনদবা নত্তে। লাইবিক অসিদা যাওবিবা 'মালেম কবম লৈসেমখি', 'নিংথৌ অহানবা কনানা ওইখি', 'মালেম কবম খাদা চেপখি', 'টাইবং মী কবম পোকখি' অসিনচিংবশিংসিদি অযাম্বনা যানবিবা বাবীশিংনি। 'গুরু শিদবা', 'মীনা অহানবা কবি লাই নীঙ্খি', 'মাযগৈ কবম লেপখি' অসিনচিংবা বাবীশিং অসিদি অইবগী কল্পনাদগী অমসুং লোনগী হৈ-শিংবদগী শেম্লব পা ওইনা তৌই হাযবা যাই। লাইবিক অসিগী বাবীশিংগী মনুংদা 'টাইবং মী কবম পোকখি হাযনা মিংথোনবা বাবীসিদা তাইবঙ মী অসি সনামহীনা গুরুগী মমি লাক্লগা শেম্বগী মহুত্তা সনামহীনা গুরুগী শক্তম লৌদুনা শাযোন .তৌবগা মী পোকই হাযনা বাবীসিদা পল্লি। বাবী অসিমক *পুদিন, লৈথক লৈখাবোল বাকোকলোন থিলেল অমাইলোন পুকোক, লৈশেমলোন* নচিংবদা ফঙলিবা বাবীশিং অদুদগীদি খবা খেন্নবা ফঙই। 'নিংথৌ অহানবা কনানা ওইখি' হাযবা বাবীসিদা অইবনা ফোকলোব নৈনবদা যান্না মরুওইবা চীনবুং সাহিত্যগী শক্লোন অমা ওইবিবা 'পাউখোং শীজিন্নবগী মতাংদি সনামহী অমসুং পাখংববু মালেমসি অহুমলক কোইবগা মখোয অনীন' হল্লকপদা মপাগীদমক 'লৈ খোক্লাইদবগা শীং উনাইদবগা' (*মীনকেতন*, ১৯৫০, ৭) পুবকউ হাযনা হাযবম্মী। মসিগী পাউখোং অসি অতোপ্পা মসিগা মান্নবা বাবীশিংদা যাওবা থেংনদে। সনামহী অমসুং পাখংবনা মালেম কোইবগী বাবীসি অতোপ্পা লাইবিক খবদা অহুম্লক্কী মহুত্তা ৩বেৎলক কোইবগী বাফম থেংনৈ। মেক্স মুল্লব (Max Mueller) না লাই তীনগী বাবী অসি malady or disease of language দগী ওইবকই হাযনা হাযবমই। মসিগী বাফম অসি অইবা অসিগী বাবী খবদা পানশিন্দুনা যেংবা যাই। খুদম ওইনা-

> গুরু শিদবা' গী বাবী অসিদা মণিপুরী জাতিনা যান্না লুনা তৌনবিবা অমসুং নীংনবিবা গুরু শিদবা গী মমিংসি মতৌ কবম্না কৌনখিবনো হাযবগী মতাংদা অসুন্না পীবি। মৈতৈ অবিবনা পোৎ তম্ববু 'কুবা' কৌই অতম্বা পোৎপুনা 'কুজপোৎ' হাযনৈ। নুমিৎ, থা, মৈ-ঈশিং, নুংশিৎনচিংবসি মহাক্না কুবনি হাযনা খঙনখি। অসিগুম্বা পোৎলমশিং অসিগী 'ক' থোক্লকফম্নি হাযদুনা কুরু' থোনখিবনি। 'কুরু' দগী 'গুরু' লাকখিবনি। লেঙলি পাল্লিবা পূন্নমক্তি পোকপা শিবগী মখা পোল্লি অদুগা মাযগৈ ওইনা কাযবংলিবা অতিযা ওইনা লাঙ্গোল্লিবা মতম ওইনা যাওল্লিবা মপু মহাক্তি শিদবা হায়না কৌনৈ মসিদগী ৩েংবানবা মপুবু গুরু শিদবা হাযনা শোন্নখি অমসুং শোন্নবকই। (মীনকেতন, ১৯৫০, ১৩)

'মায়গৈ করম লেপখি'গী ৱারীসিদি শৈরেংগী মওংদা ইবনি। মসিগী ৱারী অসিসু অইবগী কল্পনাদগী ওইখিবনি হায়না থাজনৈ। ৱারী অসিগী মতেক খরদং পল্লবদা -

নোং মঙাল পোক্রঙাই নোংপোক হায়না কৌখিদো।
নোং মঙাল চুপ্পঙাই নোংচুপ হায়না থোনখিদো।
খারম চেপ্পা মালেমগী লৈচীন নেম-ৱাং য়েংদুনা
অৱাংবনা অৱাং থোন কৌখি মখা অমনা।
(*মীনকেতন*, ১৯৫০, ২৭)

বিলিয়ম আর. হেলিডে (William R. Halliday) না লাই-তীনগী ৱারী (মিথ) গী মতাংদা অসুম্না হায় -

> Myth . represents the first response of the human mind to the sense of wonder... (Holliday, 1933, 5-6)

মথক্তা পীরিবা ৱাফম অসিগা মান্নবা লাইরিক অসিদা য়াওরিবা ৱারীদি 'মীনা অহানবা কবি লাই নীঙ্খি' হায়বসিনি। ৱারী অসিদা মতৌ করম্না তাইবঙ মীওইবনা অতিয়াবু অহানবা নীঙ্খিবগে হায়বগী মরমদা শুগায়না তাক্লি।

> 'গুরুনা কুবিনীঙঙাই মী মহাক্না মতীং মঙল হৌরে, পোক্রে, মঙাল লাক্রে ৱাখলনা পাম্বৈ ওই, মালেম ওংলম পুম্বগী মকোক থোংলক্রে। অদুনা কার-কারগা ৱাখল মবম ফাংলক্রে। 'মসিনা করিনো, অসিনা করিনো' কোয়মা কোয়মা মারক্রে, কোয়েং কোয়েং য়েংলক্রে। য়েংঙু য়েংঙুবদা খঙনীংবা ঙাক্তা ঙাক্তা মঙায়শিল্লক্রে। নোংখকলোমদা য়েংলকই, পাক-চাউনা ৱাংনা শাংনা তিংনা অশংবা অতিয়াগী মকোয়না মালেম মাবু কোনবা উবে, করি ওইদগে খল্লক্রে। অসুম্না মালং মরোল পুন্না, নোংলম নোংলোন সুপ্না অচৎ-চত্ত লেঙপানবা পুম্নমকপু লাঙ্গোনগে হায়না গুরুনা শায়োনবা মহাক্কী শক্রোন অচৌবা অতিয়াবু মীনা অহানবা খঙজখি। মীনা অহনবদা অতিয়াবু নীঙজখি।
>
> (*মীনকেতন*, ১৯৫০, ২০-২৩)

'হিদাক তরেৎ করম থোকখি' কৌবা ৱারী অসিদা 'ইটিওলোজিকেল লেজেন্দ' গী মচল কয়া য়াওরি। শৌবোল য়াইরেল চনু মচীন মনাউগা নুমিৎকা পাউখোং চন্নবা অদুদগী লাইয়িংথৌ পুথিবা (মবু নিংথৌ থিবা) না তাকপদগী নুমিৎনা নাইগী শিংদা চনবা, পুথিবনা তাকপনি খঙবদগী নুমিৎনা মহাকপু নেৎখাইগে তৌবদা মহাক্না ৱাইখু ওনদুনা লৈক্রক্তা চঙগে তৌবদা নংহৌদদুনা শগোলনা নেৎখাইরমই। মসিদগী ঙসিফাওবা ৱাইখুগী মথক্তা শগোল মখোঙগী মমি তারিবা অসিগী ৱারীনি। নুমিৎকী শগোলনা নেৎখিবদগী ইকায়

নুংশি যান্নবগা লোযননা অনাশং কুম্লে। কোবৌ অঙানবনা চযোল তবেৎ কৌবে অমদি চযোল তবেৎনা হিদাক তবেৎ পুথোক্লক্কুনা নিংথৌ পুথিববু লাযেংদুনা অনাবা ফহনখিবমহৈ। ৱাবী অসি 'চযোল তবেৎনা হিদাক তবেৎ' পুথোক্লককপগী ৱাবী ওইববনিনা মিথ (লাই তীনগী ৱাবী) ওইবে। ৱাবীসিগী মখলগী মতাংদদি মথক্তা পঞ্জখ্রে। লাইবিক অসিদা যাওবিবা 'চযোল কবম পোকখি' হাযবা ৱাবী অসিগা *লৈশেমলোন*দা যাওবিবা ৱাবীসিগদি অচৌবা খেন্নবা থেংনৈ। *লৈশেমলোনদ*দি

> নোংমাইজিং অসিখিবিকপু চিংথোকএ হাযবগী কৌবনে। নিংথৌকাবনা শিদবনা নিংথিনা উরে হাযবগীদমক' নিংথৌকাবা কৌএ। তাইবংপানবা আসবু পুমনা পোকএ হাযবগী লপাকপোকপা লাইফুম শাসে হাযবগী যুমশকেশ, তাইবংপানবা অসি শন্দোকএ হাযবগী শগোলশেল, অসি খিবিকপু লোইবে হাযবগী ইবাই অমসুং মশক মহাক থোক্লা শাবে হাযবগী থাংজ কৌখিযে।
>
> (*লৈশেমলোন*, (খুৎই) ঃ ২২ ২৩)

মীনকেতনগী *মৈতৈ লাঙ্গৈবোল* লাইবিক অসিদা যাওবিবা বাবী পূন্নমক অযাম্বনা যান্নববা লাই তীনগী ৱাবীশিং ওইনা লৌবদি লানগনি। অদুবু অযাম্বা বাবীশিংদি চিংননীংঙাই লৈত্রবা মখল অসিগী বাবীনি। অইবনা ইবল্লিবা বাবীশিং অসি মবম চুম্না ৱাবী পবীংদু অচুম্বনি উৎনবা চখে। মসিমক অইবা অসিগী হৈ-শিংবনি হাযদবা ঙম্লোই। চীনবুংদা লৈবম্বা ৱাবীশিংবু অইবা লাইবিক ওইনা পুথোক্লকপদা খেন্নবা লৈবা হাযবসি মশাংগা তাবনি। চীনবুং বাবীশিংগী মনুংদা লাই-তীনগী বাবীশিংদি মহৌশানা অচুম্বনি হাযবদু উৎননবা মবম চানা অমসুং চুম্না উৎলি। অসিগুম্বা বাবীশিং অসি মখোয মখোযগী পান্দম অদু অচুম্বনি হাযবা তাক্লবগীদমক্তা চান্নবা মবম কযা পীদুনা চুমদ্রিং চুম্না হেক্তা লোইশিল্লি। মসিমক অইবা অসিনা লাইবিক অসিগী খুৎইদা ঙাক্লা চৎলি। মসিগীসু মথক্তা লাইবিক অসিদা অইবা মশাগী ওইবা অর্থ কযা হন্দোক্কুনা ইবা বাবীসু যাওবি। অইবনা থম্বীবল্লিবা *মৈতৈ লাঙ্গৈবোল*লাইবিক অসি মণিপুরী ফোকলোববু নৈনবা পামজবশিংদদি অচৌবা মতেং অমা ওইবগনি হাযবদা হাযমনবা ওইরোই। তশেংনমক অশাংবম মীনকেতননা চীনবুং সাহিত্যগী মচল অমা ওইবিবা লাই তীনগী বাবীশিংবু মফম চানা শীজিন্নদুনা মণিপুরী সাহিত্যবু হেন্না ইনাক খুলহল্লে।

ঙাঙ্গোয পবেং(১৯৬৯) কৌবা লাইবিক অসিদা তোঙান তোঙানবা মখলগী মণিপুরী থাজ-ৱাবী (লেজেণ্ড) মঙাখক্কী বাবীশিং যাওবি। মখোযশিং অদুদি — 'পুনম চীং', 'পোৎশংবম খোংনাং', 'ঙাঙোম ফুবা', 'খোংনাং হোগাযবী' অমসুং 'অন্দ্রোগী মৈ' অসিনি। ৱাবী মঙা অসিগী মশক তাক্লবা হোৎনবদা চীনবুং সাহিত্যগী শক্লোন অমা ওইবিবা থাজ বাবী (লেজেণ্ড) হাযবসি কবিনা হাযবদু খঙদবা যাবক্তে।

লেজেণ্ড (থাজ-ৱারী) অসি মিথ (লাই-তীনগী ৱারী) কুন্না লীরিবা অমসুং তারিবা অনীমক্তা অচুম্বনি হায়না থাজনৈ। মসিদা শীংথানীঙাই ওইবা নৎত্রগা থোইদোক হেন্দোকপা মীওইবগী শক্তিগী ৱাংমদা লৈবা মচাকশিং মওং অমা নৎত্রগা অমদা য়াওই। থাজ-ৱারীশিং অসি পংকুই কুইদ্রিবা ঙসিগী মালেম অসিদা থোকখিবা ৱারীনি হায়না লৌনৈ। লেজেণ্ড অসি চৎনবী ওইনা চীনবুংদা মীরোল অমদগী অমদা লীনদুনা লাক্লিবা অসি পূক্লিং হৱাউ নুংঙাইহন্নবগীদমক্তা মরুওইনা লীনবা নত্তে, খুন্নাইচাশিংদা লৌশিং জ্ঞান পীনবা, মরুওইবা অচুম্বা ৱাফম অমগী পাউ তম্বা অমসুং নাৎকী মনুংদা খুদোংথীবা ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ তারুবগীদমক্তা মরুওইনা লীনবনি।

অশাংবম মীনকেতননা চীনবুংদা মীরোল অমদগী অমদা লীনদুনা লাক্লিবা অসিগী মরুওইবা পান্দমসি য়াম্না নীংথিজনা খঙই হায়বা য়াই। মসিগী ময়েক লারবা খুদমদি *ঙঙোয় পরেং* লাইরিক্কী 'পুনম চীং' অমসুং 'খোংনাং হোগায়বী'গীদা অসুম্না মথৎশিন্না পীরি ঃ

> চীং অসি চীংজম নত্তে; মাসি তাইবং মালংপানগী লমজুং-নূং-নি। মাগী মিংখৈ অসি ৱারক-লাইরিক-নি। মানা মাগী খোন্নাইদবা মরোল্লা অচৎ-অথোক পূম্বদা মীপূম খূদিং তিংনা মাগী মিংখৈরোল লী। (*ঙাঙোয় পরেং*, ১৯৪৯ : ২)

অতোপ্পা খুদম অমনা,

> খোংনাং মঙোন্দা ইরিবা ময়েক অঙমগী ৱারকলোন হো-গায়বী—মালেম মাগী য়াইফনিংঙাইদা খল্লবা মপুনা তাইবং ওইবা নহাকপু কবি পাউতাক্কে তৌরিবা পাসি লাও। চীন্নাইদবা খোৰ্জেগী য়েক্কাইদবা লাইরিক্কি। অদুবু ময়েক কয়া লানা তারিবা -
> (*ঙাঙোয় পরেং*, ১৯৪৯ : ৬১)

*ঙাঙোয় পরেং*দা য়াওরিবা 'পুনম চীং' অমসুং 'পোৎশংবম খোংনাং'গী ৱারী অনী অসিদি 'প্লেস নেম লেজেণ্ড'গী মখলদা থম্বা য়াই। অসিগুম্বা মখলগী থাজ-ৱারীশিংসি মহৌশানা মফম অমা করি মরমদগী করম্না মমিং অসি কৌনখ্রিবনো হায়বগী মরমদা চীনবুংদা লীনবা অমদি মীওই কাঙলুপ অদুগী অয়াম্বা মীওইশিংনা অচুম্বনি হায়না থাজনবা ৱারীশিংদুনি। পনবা য়াবা অমনা ফোকলোরিষ্টশিং খরনদি মখল অসিগী থাজ-ৱারী অসি 'হিষ্টরিকেল লেজেণ্ড'দা চনগদবনি হায়বগী মোত পীরবসু মসিগী অকরুবা নিয়ম লৈতবনা নৈনবদা খুদোং চানবগীদমক্তা 'প্লেস - নেম লেজেণ্ড' হায়না মখল অমা ওইনা থম্লে।

'পুনমচীং' অসিগী মরুওইবা ৱারীদি করিগীদমক্তা চীং অসিগী মমিং অসুম্না থোনখ্রিবনো হায়বগী ৱারীনি। য়াংহনবা অমসুং য়াংখুবা কংলৈ সনা পুংগী নিংথৌনা পোকপা মচীল মনাউনি। ময়াম্বা য়াংহনবনা মনাউ য়াংখুবা অসি লৈরবদি ফম্বাল ৱারে

চেল্লবা যাই খন্দুনা মনাউবু হাৎনবা থেংখাং কযাদা হোৎনবমই। মমৈথংদা মহাক্লা মনাউনিপাবু হাৎনবা হোৎনব্বদা মাযথিদুনা মনাউনিপানা মহাকপু কুবেলদা হাপ্লগা তুবেলদা তাউথহনখিবমই। তুবেলদা অসুম তাউথদুনা লাকপদা যাংহনবগা কাযবেম্বগী মচানুপী হৈযাযনু থেংন্দুনা মখোয অনী হৈবাং লোঞ্জমিন্নবমই, লৈবাং লোঞ্জিনমিন্নবমই। মমৈথংদা কাযবেম্বনা খঙলক্তুনা যাংহনবা অদুগী মকোক অদু পযাগা কোন্ননা ককখিদুনা শিখিবমই। মতমসিদা হৈযাযনুগী পীবূকনুংদা হৈরু পনখ্রে। মতমগী মতুং ইন্না হৈযাযনু মচানিপা অমা ফঙজবমই। নোংমা নোংমগী অসুম অসুম চাউখৎলকলমই। অঙাং অসিনা কাযবেম্ববু লমন খুল্লকপা যাই হাযবগী রাখলদা অঙাং অসিবু হাৎননবা থৌবাং মথং মথং তৌবা হৌবক্লমই। অসিগুম্বা থৌবাং অসিদা নোংমদি যাংহনবা অমসুং হৈযাযনুগী মচানিপা মবাল লৈজদ্রবা অসিনা লম্ফেনববা মপু কাযবেম্ববু হাৎখিবগী মফম অদুবু 'পুনমচীং' কৌই হাযনা ইবি। 'পোৎশংবম খোংনাং'গী রাবীদনা চীংজেং নাবল পাঙ্গনবনা মপাগী মতেং পাঙদুনা কৌক্রদা ঈনপ্পা লোইবদুনা লোইবী চীংলোন লান্দুনা লাক্লগা কংলৈ লমখৈ ওনবা মফমদু মখোযগী লমনি হাযবমই। মদুদা লম অদু কনাগীনো হাযবদু লাই বাযেল যেংননবগীদমক্তা উজাউ অমা যাল্লগা চীংনবদা অঙম্বদুনা লমসিগী ম পু ওইবসি হাযনা শীংনবমই। মযাং মযাম্না নাকল অমা ওই, চৌংজেং মরোদোম্না নাম্মা ওইদুনা উদু চীংনবকপদা চীংজেংনা চাংবদা 'জিবি জিবি' লাক্তুনা চীংলক্লে। উ চীংবদা 'জিবি জিবি চৎলি হাযদুনা লমদুগী মমিং 'জিবি' কৌখি হাযবগী থাজনবী অমসু লৈবি। চীংজেংনা মহাক্কী খোযদী লিঙ্গাং অদু পাক্লফমদা ফুম্বীযু হাযবম্বগীদমক্তা মদুবু পুদনা লাক্লিবা মচাশিংনা তুম্লিঙৈদা খোযবী লিঙ্গাং তঙ্খায অমনা খোংনাং ওই, তঙ্খায অমনা মাল ফৌবোই ঈন লৈবা ত্রবে। মচাশিংনা মপা শ দুনা লৈরে। মফমদুদা খুন শেমদুনা পুং পাঙ্লে। চীংজে নাব. পাঙ্গনবগী মচাশিংনা মপোৎ শঙযাক্তি হান্দুনা খুন আসবু পোৎশংবম খোংনাং' হাং খঙনখিবমই। মতাং অসিদা পন্নীংবদি চীংজেং নাবল পাঙ্গনবগী নুপীগী মমিং থোনাং ফৈত্রিচনু লৈবি লৈশংখোম্বী' কৌই। মচানিপা অনীগী মমিংনা 'থৈবোং অমসুং 'মোনথৈ' কৌই।

ঙাঙোম ফূবা' অমসুং খোংনাং হোগাযবী'গী রাবী অনীসিদি ঐতিহাসিক থাজ রাবী (হিষ্টরিকেল লেজেণ্ড) শী মখলদা থম্বা যাই। মতাং অসিদা খবা হেন্না মবীক চুম্নবগীদমক্তা হিষ্টরিকেল লেজেণ্ডগী মশাজংকী মবমদা খবদং পীবি। মখল অসিগী লেজেণ্ডশিংদা লম লমগী ওইবা ইতিহাসকী মনুং চনবা অচুম্বনি হাযনা লৌনবা মচলশিং যাওই। জাতিগী ওইবা হাযবদি লৈবাক-নিংথৌ, অঙম অথৌ, অকল অথৌ অসিনচিংবগী পুম্বিদা লৈবাক্কী কান্ননবগীদমক্তা পাঙথোকখিবা থৌনা অমদি মতীক মগুণগী রাবীশিংদু অচুম্বনি হাযনা চীনবুংদা মীবোল অমদগী অমদা লীনৈ। চীনবুং ইতিহাস (ওবেল হিষ্টরি)

গা ঐতিহাসিক থাজ-ৱারী (হিষ্টরিকেল লেজেণ্ড) গা খেন্নরিবা হায়ববু লেজেণ্ডদদি তাইবঙ শক্তিগী ৱাংমগী ওইবা মচল খরা নৎত্রগা অতোপ্পা লৈতেংগী মশক ওইবা কল্পনা য়াওই।

'ঙাঙোম ফূম্বা' গী ৱারী অসিদা লৈমা লিঙ্থোইঙম্বীগী থৌনা ফম্বা থৌদোক কয়ামরুম উৎলি। নিংথৌখোম্বা অমসুং লিঙ্থোইঙম্বীগী মজাইবুংঙো কিয়াম্বগা পোং নিংথৌ কিখোম্বগা নুংশিনবা মরূপ ওইরমই। মরম অদুনা মখোয় অনী পুন্না লান্দামিন্নদুনা 'তূমু খম্পাৎ' লোই চল্লমই। মরূপ অনী নুংঙাইমিন্নরে অমসুং চাকচা হৈজামিন্নরে। অদুগীসু মথক্তা 'তূমু খম্পাৎ' তম্ভাই য়েন্নরমই। পোং নিংথৌনা কিয়াম্বদা খূদোল পোৎ ওইনা সনাগী ৱাগোকতা হাপ্লগা বিষ্ণুগী মুর্ত্তি অমা পীরমই। নিংথৌনা মসিবু অপাম্বা অমসুং নুংশিবা পোক্তুনা ঙৈহাক লৈতনা পায়দুনা শান্নবদগী হকচাং ইদুনা শঙকুল্লমই। মাইবী লাইমাং ফমদুনা ফূরা অমা শারগা বিষ্ণু লেঙশিন্দুনা হৌনবী পূম্বা তৌরম্মী। ফূরা অসি ঙাঙোমগী ইংখোলদা শাখিবা মবম্না 'ঙাঙোম ফূরা' হায়না মিংথোনখিবনি। ৱারী অসিবু হিষ্টরিকেল লেজেণ্ডগী মখলদা থল্লিবগী মরমদি মসিদা লৈবাক্কী অকল - অথৌ হায়বদি লিঙ্থোইঙম্বীগী থৌনা লিংজেল উৎলি। ৱারী অসিদা তাইবঙ শক্তিগী ৱাংমগী মশক ওইবা হাযবদি বিষ্ণুগী বাফম যাওরিবা অসিনা ৱারী অসিবু মখল অসিগী লেজেণ্ডদা থম্বনি।

'খোংনাং হোগায়বী' গী ৱারী অসিদি মশা ৱাইশংদবী খুমন চনু অমা লানঙম মায়োক্লগে হাযদুনা পুবক্লমই। নিংথৌনা য়োকচবা বাঙ্গোন নিংথৌগা খুমন চনুগী মচানুপী অসিগা হৈমিন কামিন্নবদা নত্তনা হৈরাং লোঞ্জামিন্নরমই। মসিদা চরাইরোংবনা খুমন চনুবু করিওম্না থারবদি কোবৌ মাগী কাপথবাং হুম্বরাংনা চৈরাক পীবা ওইসনু হায়না শরীরমই। মতাক্তা নিংথৌ ওইরবা মতমদা খুমন চনুবু লৌশিনবা ঙম্লমদে। মবম অদুনা মহাক্কী পুন্সি পম্থুংঙমদাইদা তুসুক লান চৎলুবগা হল্লকপদা খোংনাং মাগী মখাদা নমঙানা পোথাবিঙৈদা মপু মাগী কাপথরাং হুম্বরাংনা মহাক্কী পুন্সি পীখম্নহনখিবমই। খোংনাং অদু খাইবোক তাবদগী 'খোংনাং হোগায়বী' হাযনা খঙনখি। ৱারী অসিদা ইতিহাসকী মচাক যাওরি। অদুগা অকল অথৌগী লিংজেল উৎপগী মচলসু য়াওরি। তাইবঙ শক্তিগী বাংমদা লৈবা কোবৌ মাগী কাপথরাং হুম্বরাংগী বাফমসু পল্লি। মরম অদুনা ৱারী অসি 'ঐতিহাসিক লেজেণ্ড' গী মখলদা থল্লিবনি। ইতিহাসকী ওইনা 'চরাইরোংবা মহারাজনা তুসুক্তা লান্দাবসি শকাব্দ ১৬৩১গী শজিবু থাগী ৭ নি পানবা লৈপাকপোকপা নুমিত্তনি। .. অদুগা শকাব্দ অসিগী ইঙেন থাগী ৭ নি পানবা নোংমইজিং নুমিত্তা লোঙ্গাখি।'

(*চৈথারোল কুম্বাবা*, ১৯৮৯ : ৭২)

'অন্দ্রোগী মৈ' কৌবা ৱারী অসিদি 'মিথোলোজিকেল লেজেণ্ড' গী মখলদা থম্বা য়াই। ৱারী অসিগী মকুওইবা পাত্র/ক্যারেক্টর অসি তাইবঙ মীওইবনা ওই। মখল অসিগী

ৱাবীদা লাই-তীনগী ৱাবী (মিথ) কী শরুক্তুগী লেজেণ্ডগী শরুক্কা হেল্লবদি ৱাবী অদুবু 'মিথোলোজিকেল লেজেণ্ড' হায়না মিঙ্গৌনি। 'অন্দ্রোগী মৈ' গী ৱাবীদা মণিপুৰী জাতিনা অশিবগী লাইনি হায়না থাজনবিবা লৈনুংথোঙাবেল য়াওবি। অসিদসু নত্তনা নোংদা লাইবেল পাখঙবসু য়াওবি। নোংদা লাইরেল পাখঙবগা পোইবৈতোনগা লান থেঙনবদা পাখঙবনা ঙমদুনা কংলৈগী ফম্বাল ফংখি। পাখঙবনা ফম্বাল কাবা মতমদা শেলোই চীংখোঙদা চাক্লিবা পোইবৈতোন্না পুথোকপা মৈ অসিনা মৈওক্লখিবগীদমক্তা মৈশেংনি হায়না খঙনখি। মিথোলোজিকেল লেজেণ্ডশিং কবিগুম্বদা ধর্ম্মগা মরী লৈনদে অদুগা করিগুম্বদা ধর্ম্মগা মরী লৈনবসু য়াওই। মপূং ওইবা পাত্র/ক্যারেক্টর তাইবঙ মীনা ওই। অদুবু মপূং ওইবিবা ক্যারক্টর অদু নত্তবা লাই ওই মীওই তৌবা নৎত্রগা লাই-তীননচিংবসু য়াওই। মখল অসিগী থাজ-ৱাবী অসি ঙসিগী মালেমদা থোকখিবা ওইবদা নত্তনা মসিগী ৱাংমদা থোকখিবা থৌদোক উৎপসু য়াওই। 'অন্দ্রোগী মৈ' কৌবা ৱাবী অসিদা মথক্তা পনখ্রিবা মচাকশিং অসি য়াওবদগী 'মিথোলোজিকেল লেজেণ্ড' গী মখলদা থল্লিবনি।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা মণিপুৰী থাজ-ৱাবী (লেজেণ্ড) শিং মীৱোল অমদগী অমদা চীনবুংদা লীনদুনা লৈবম্বশিং অসিবু অশাংবম মীনকেতননা কল্পনা অমসুং অবি-অনৌ লোনগী ফজবা কয়া মতাং চানা চানা হাপচিন্দুনা মণিপুৰী সাহিত্যগী জগত্তা অৱাংবা থাক্তা থম্বা যাববা মণিপুৰী সাহিত্যগী মচল অমা ওইববনি। মসিগী মতাংদা প্রোফেসব সিএচ মনিহাব সিংহনা লাইবিক অসিগী অহুমশুবা খূৎনমগী 'বামাঙ ওইনা' হাযবদুদা অসুন্না পীবি

> অইবগী খূৎই মণিপুৰী বাবেংগী যাওন্দা অবি-অনৌগী লংদাই ওইনা উবি। মহাক্কী অহানবা খূৎশেমশিংগী মনুংদা ঙাঙ্গোয় পবেং" অমসুং 'বামাযণগী বাবী খবা" কল্পনা অমসুং লোনগী ফজবা অনীমক তিনবনি হাযবা যাই। ঙাঙ্গোয পবেং' দা যাওবিবা ৱাবী মঙা অসি ঐখোযনা ঐতিহাসিক ওইবা মও দা খোইনা যেংঙুনিঙাই ওইদমাল্লে থল্লি। মক ওইনা অইবগী 'দ্রামাতিক নেরেটিভ' মসিদা যাওবিবা চুনবা পাঙ্গল লৈবা বাহৈ পবীং চুম্বা বাবী অমসুং মশক নাইবা শক্তম শেম্বা ঙম্বসিনি মসিগী মথক্তা, বাবী খুদিংগী মতম মতমদুগী এটমোসফিযাব অমা ফজনা শেম্বা ঙল্লি। মবম অদুনা বাবীশিং অসি অমুক পাকবদা ইনৌ নৌনা উবি।
>
> (*মনিহাব*, ১৯৮০ ঃ *ৱামাঙ ওইনা*)

মথক্তা পল্লিবা লাইবিক অসিদা যাওবিবা ৱাবীশিংসি 'ঐতিহাসিক ওইবা মওংদা থোইনা যেংঙুনিঙাই ওইদমাল্লে থল্লি' হাযবসিমক যাম্না চুল্লবা ৱাফম্নি। ইতিহাসকা থাজ ৱাবী (লেজেণ্ড) গা মক ওইনা খেন্নবিবসি কবিগুম্বা থৌদোক নৎত্রগা ৱাবী অমা চুম্মি হাযনা প্রমান তৌদুনা উৎলবদি ইতিহাস ওইরে অদুগা ৱাবী অদুবু লীবিবা অমসুং তাবিবশিংদুনা অচুম্বনি হাযনদি থাজবা অদুগা ইতিহাসকুন্না অচুম্বমক্নি হাযনা প্রমান তৌদ্রিবশিং অদুবুনা

থাজ-ৱারী (লেজন্দ) নি। লাইরিক অসিদা য়াওরিবা ৱারীশিং অসিদা থেংনরিবা ফজ-ফজরবা কল্পনা অমসুং অরি-অনৌ তিন্নবা লোনগী ফজ্রবা কয়া য়াওরি। অসিদসু নত্তনা অইবনা লাইরিক অসিদা লোনশেম কয়ামরুম অর্থ লৈনা অমদি মফম অমসুং মতাং চানা চানা শীজিন্নবা থেংনৈ। মহাক্না শীজিন্নরিবা অরি-অনৌগী লোন অমদি লোনশেমশিং অসিনা ফোঙদোক্নীংলিবা ৱাফম অমদি তম্নীংলিবা/খঙহন্নীংলিবা ৱাফমশিংদু মতীং লৈনা ফোঙদোকপা ঙমই। মসিমক্না *ঙাঙ্গোয় পনেং* কৌবা লাইরিক অসি য়াম্না থাক ৱাংবা বারেংগী লাইৱিক অমা ওইরিবনি। লাইৱিক অসিদা থেংনবা ফজবা কল্পনা অমসুং অরি-অনৌ লোনগী ফজবা খুদম খবদং মখাদা পীর। য়াংখুবা অমসুং ময়াম্বা য়াংহনবা অনীনা ক লৈদা পাল্লবদি য়েক্নবা অমতা চঙবা ঙম্লোই হংনগী। মতাংদা অইবনা অসুন্না ফোঙদোক্লি- *'য়াংখুবা .. নঙনা কংলৈ মপু ওই ঐনা নমঙা ওই পাল্লবদি য়েক্নবা ঈশিং চংবা ঙম্লোইদবনি।* (*মীনকেতন*, ১৯৪৯ · ৭) চেংলৈনা নোংমা নোংমগী খৃৎকন পাঙ্গল্লক্রবদা কংলৈগী নিংথৌশিংনা মরায় চাইথখিবদু অইবনা অসুন্না শৈথারি - *'কারৌ মঙালদা লাকপদা থাজ মাগা শারোয়না থৱান কোঙ্গোল তাকপগুম ঙসি কংলৈপুংগী নিংথৌশিং মমখ্রে।'* (*মীনকেতন*, ১৯৪৯ : ৩৫) লম্মাংদোংদা লৈরিবা বিষ্ণুগী ফূরা, ময়াম্না - 'ঙাঙোম ফূরা' হায়না মিঙ্গৌনবা ফূরা অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিবু অসুন্না শৈথারি - *'নারক্তা ঈরোয়নবী কুমগাইনা লাইজ ঈশিং পাক্তেনা মৈরোয়নবী কুমগাইনা লাইজ অমুক ঈচুপ্না কুরোল তত্তনা থকত্তুনা লাইমতোল তাবা মালংনা অৱা নিংশা মৈবা চিং শিসি কদায় শিঙমদা হিংসি কদায় হিংঙমদা ৱানা লৈরবা ফূরানি।'* (*মীনকেতন*, ১৯৪৯ : ৪৬) চরাইরোংবনা নিংথৌ ওইরবা মতমদা নিংথৌ ওইদ্রিঙেদা তৌগে খল্লম্বশিংদু নিংথৌ পন্না কনদুনা তৌবা ঙমদবদু অসুন্না ফোঙদোক্লি - *'মী চরাইরোংবা নিংথৌ চরাইরোংবগী পোইরৈ ইস্রে। নিংথৌ ঙম্বা অঙম্বগী ৱারক হুইগং থাংলে।'* (*মীনকেতন*, ১৯৪৯ : ৬৭) কংলৈপুং অসিদা তোঙান তোঙানবা ফূরুপ কয়ানা মখোয় মশেল নুংশিনদবদা নত্তনা তোয়না লান তৌনরমই হায়বসি অসুন্না ফোঙদোক্লি- *'কংলৈ ওঙবা তুরেল অমত্তা ডৌনা চেঙ্গবা ঙম্লমদে। অসুক শাথিনা পাল্লম্মি লমদমসি।'* (*মীনকেতন*, ১৯৪৯ : ৭৭) অইবনা লাইরিক অসিদা ড্রামাতিক নেরেটিভকী খৃৎই শীজিন্নবা থেংনৈ। খুদম কয়ামরুম য়াওরি অদুবু খুদম অমখক পীরি - *'য়াংহনবা — ইশানৌ য়াংখুবা খোমৈ থকপা নঙবু তাৱ্রা? য়াংখুবা - ইশাবী! করি কোলোয়বীনীংবা তাকপীবা য়াগনি।'* (*মীনকেতন*, ১৯৪৯,. ৩) অশাংবম মীনকেতননা লাইরিক অসিদা ইবিবা থাজ-ৱারী (লেজেণ্ড) শিং ইরম্বগী মরুওইবা পান্দমদি অরানবা থবক তৌদনবা অমদি তুংদা থোক্লকদবা খুদোংথীবদগী ঙাকথোক্লবগী পাউতাক পীবনি। মসিমক চীনবুং সাহিত্যগী শক্রোন অমা ওইরিবা থাজ-ৱারীবু চীনবুংদা লীনরিবসিগী মরুওইবা পান্দম অমনি।

থাজ-ৱারী (লেজেণ্ড) কয়া অইবা ওইনা লৈরম্বদগী চীনবুংদা মীরোল অমদগী অমদা চৎনবী ওইনা লীনরকপা য়াওরি। অমুকসু চীনবুংদা লীনরম্বা অসিগুম্বা মখলগী ৱারীশিং কয়া লাইরিক ওইনা পুথোক্লককপসু লৈরি। অইবা ওইনা লৈরম্বা 'রামায়ণ' গী ৱারী শীংবুন অসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা খেন্নবা কয়ামরুমগা লোয়ননা চীনবুংদা মীরোল অমদগী অমদা চৎনবী ওইনা লীনরক্লি। মীনকেতনগী *রামায়ণ* গী *ৱারী খরা* (১৯৫১) গী লাইরিক অসিদা ৱারেং মাপলখক য়াওবি। মখোয় অদুদি - 'রামায়ণ', 'রামাযণ পোকপা', 'বাল্মীকি', 'ব্রত-চেৎপা রাম', 'নিপা অথোইবা রাম, 'মপা নীংবা রাম', 'ধৰ্ম্ম কনবা রাম', 'ভক্ত চানবা রাম অমসুং 'কনফমথোকপা-কনবা রাম' অসিনি। ৱারেংশিং অসিগী মনুংদা অহানবগী অহুম অসি নত্তনা লেমহৌরিবা তরূক অসিবু অইবনা বামায়ণগী ৱারী খরা হায়না পীবিরম্মী। অসিগুম্বা ৱারী তরূক অসি ফোকলোরগী নৈনরোলগী পাম্বৈগী মতুং ইন্না 'পাবস্যানেল লেজেণ্ড' গী মখলদা থম্বা য়াই। মীয়াম্না শকঙখলবা লৈবাক্কী ওইবা নৎত্রগা লম লমগী ওইবা মীওইশিংগী মনুংদা নিংথৌ, অঙম-অথৌ, পণ্ডিতনচিংবশিংগী পুঙ্গিগী হৌখ্রবা থৌদোক নীংশিংবা ৱারীশিংবু চৎনবী ওইনা চীনবুংদা লীনরিবা থাজ-ৱারীশিং অসি মখল অসিগী লেজেণ্ডনি। মখল অসিগী থাজ-ৱাবী অসিসু অমুক মখল অহুম থোক্লা খায়দোক্লিবদুগী মনুংদা *রামায়ণগী ৱারী খরা* হায়বা লাইরিক অসিদা য়াওরিবা ৱারীশিং অসিদদি 'হীরোইক লেজেণ্ড' হায়দুনা থোইদোক্লা মীথোই মীহেনবা মী ওইবগী থৌনা লিংজেল উৎপা মখলগী ৱারীশিংনি। লাইবিক অসিদা য়াওরিবা ৱারীশিংসিগী মরমদা য়াম্না শম্না পীরি। 'ব্রত চেৎপা রাম' হায়বা ৱারীসিদা রামনা ব্রত চেৎনা ঙাক শেনখিবদগী মারীচ-সুবাহু অমদি মখোয়গী তৌঙমদবা লৈত্রবা হিংচাবশিংগী মায়া চঙবা ঙমখিদদুনা বিশ্বামিত্রগী যজ্ঞ মপূং ফানা পাঙথোকখিবগী থৌদোক্নুনি। 'নিপা-অথোইবা রাম' হায়বসিদনা রামনা হর-ধনুগী লীরুংবু লীরি হাপ্পা ঙম্বগীদমক্তা রাজর্ষি জনকনা মজাইবেম্মা সীতাবু রামদা পীদুনা লুহোংখিরমই। লুহোংবা লোইরদুনা হল্লকপদা পরশুরামগা থেংনদুনা রাম্না মহাকপু মায়থীবা পীখিবমই। 'মপা-নীংবা রাম'গী ৱারীদনা রামগী অভিষেক হয়েং পাঙথোক্লগনি তাবদগী মনাই নুপী মন্থরানা কৈকয়ীদা ইশিন্দুনা বর অনীখক দশরথ নিংথৌদগী নিবগী ফলনা রাম চহী তরামরি বন্দা চৎখিবগী ৱারীনি। 'ধৰ্ম্ম কনবা বাম'দনা রামনা বন্দা লৈরবা মতমদা মনাউনিপা ভবত লাক্লুনা নিংথৌ ওইনবা হায়জরবদা মপাগী ৱাশক্তু ঙাক্লবগীদমক্তা রামনা য়াখিদবগী ৱারীনি। 'ভক্ত-চানবা রাম'গীদনা শবরী কৌবী মতঙ্গাশ্রমগী লম-ত্ত শেংবী অসিনা নুমিৎ খুদিংগী রামগী নাম তত্তনা শোন্দুনা বন অদুদগী নীংথি-নীংথিরবা বোরোই হেক্লুনা রামবু ওক্লবা লিদুনা থনম্মী। নোংমা রামগা থেংনদুনা বোরোই চামিন্নবমই। 'কনফমথোকপা কনবা রাম' গী ৱারীদা লক্ষ্মণনা পঞ্চবটী বন্দা সূর্পণাখাগী মনা অমসুং মনাতোন ককলুবদগী

রাবণগী মচননুপীবু ইকায়বা পীখিবগী লমন খুমবা ওইনা রাবণনা সীতাবু হৃদুনা লঙ্কাদা পুখিরমই। রামনা রাবণগী মথক্তা লান তৌদুনা মহাকপু মায়থীবা পীরগা সীতাগা অমুক থুংনজখিরমই। মথক্তা পল্লিবা থাজ-ৱারী তরুক অসিদা মরু ওইনা রামগী চরিত্র উৎপগা লোয়ননা মহাক্কী কন-থৌবগী থৌদোক ৱারী পরীং কয়া কল্পনাগা লোয়ননা ইরম্বনি। চীনবুংদা মীরোল অমদগী অমদা লীনা শরুদুনা লৈরম্বা রামায়ণগী ৱারীগী থৌদোক খরা ইদুনা লাইরিক ওইনা পুথোকপীরম্রে। লাইরিক অসিদা অইবনা মতাং চানা কল্পনাগা লোয়ননা ফজবা লোন শীজিন্নবা থেংনৈ। রামনা মপাগী মনাক্তা লাকপা অমসুং মপানা মহাকপু বন্দা চৎনবগী বাদু হায়বা ঙমদ্রবা মতম অদুদা ওইবা মহাক্কী নুংশিরবা শকফম থাবদা অসুন্না ইরি *"শবৎকী ইপাল লাংনা শাৎলবী শীক্লা ফুরবী, অশংবা থাবিকথাদনদি মাগী নীংথিজবিবা মনীংথিজগী; পীক্তা পীক্লা তাথরক্লবা শরুক্কী মচেৎ-মশুং অমতংগদি পারম্নীঙঙাই ওইগদ্রা।"(রামায়ণগী বারী খরা, ১৯৫১ : ৩৮)* লক্ষ্মণনা রাবণগী মচন নুপীগী মনা অমসুং মনাতোন কককখিবা অমদি বামনা হিংচাবশিংবু তুম্না হাৎখিবগী পাউ তম্লবদা রাবণগী অশাউবগী মতাংদা অসুন্না ইরি - *"খী পেন্না চারবা যজ্ঞগী মৈনা মৈরি তরা ফাংনা ডোঙ ডোঙ চাকপগুম মমিৎ-ঈকানবা, নোংখোংনবা খোনফম্না 'রাম হৌজিকমক হাৎকনি' ঙুং ঙুং ঙংনা ঙংনা থাক্লোল চামগা নীপান্নাবা টাংবন্দা ফুক হৌগৎলক্রে।" (রামায়ণগী ৱারী খরা, ১৯৫১ : ৬১-৬২)* রামনা খুৎলায় থাবদা বালীনা রামগুম্বা ধর্ম্ম লৈবা মীশক অমনা অরানবা তৌবদুবু অসুন্না ফোঙদোক্লি - *"ঐদি চানবা শা নত্তে; ঐগী ইশা নঙনা চাবা য়াবা নত্তে; ঐগী ইউল ফম্নবা য়াবা থোক্তে; অরেম্বদা খুৎলাই শীজিন্নবা উবদা বালীগী থম্মোইনা নহাক্কীদমক রাদবা ঙম্লমদরে ... ।"(রামায়ণগী ৱারী খরা, ১৯৫১ ৮৬-৮৭)* মীনকেতননা *ঙাঙ্গোয় পরেং* অমসুং *রামায়ণগী ৱারী খরা* দা চীনবুং সাহিত্যগী শক্লোন অমা ওইবিবা পাউরৌ (প্রোর্ভব) সু মতাং চানা শীজিন্নবা থেংনৈ। খুদম ওইনা - 'তাংজা লিন্নদবু মরৈ অনী শুবনি' (*পোৎশংবম খোংনাং*, ১৯৫১ : ২৪); লিন মাসু শিনবা, চৈ মাসু তেক্তনবা' (*খোংনাং হোগায়বী*, ১৯৫১ : ৬৫) হায়রিবা পাউরৌশিং অসি পনবা য়াই।

অশাংবম মীনকেতনগী *তোনু লাইজিংলেম্বী* (১৯৪৯)গী ৱারী অসিসু রামায়ণগী ৱারী খরা দা য়াওরিবা ৱারীশিংগুম্না 'পারসন্যাল লেজেণ্ড' গী মখলদা থম্বা য়াই। মসিগী মতাংদা মথক্তসু পঞ্জখ্রে। মখল অসিগী লেজেণ্ডদা এনেকডোট (anecdote) হায়না খঙনবা তশেংনা থোকখি হায়না থাজনবা ৱারীমচাশিং মরুওইনা য়াওই। ইংবাজীগী হীরো লেজেণ্ড হায়না খঙনবা মখল অসিগী লেজেণ্ডসু পারসন্যাল লেজেণ্ডগী মনুং চল্লি। হীরো লেজেণ্ড হায়রিবসি মথৌনা মরীংজেলদা মমিং চৎলবা লম লমগী ওইবা অথৌবশিং অমদি পুকচেল চাউবনচিংবশিংগী মরমদা লীনবা ৱারীনি। *তোনু লাইজিংলেম্বী*দা পারসন্যাল লেজেণ্ড

ওইবগী মচাকশিং য়াওই হায়বগীদমক্তা বারী অসিবু মখল অসিগী লেজেগুদা থম্লিবনি। মীনকেতনগী *তোনু লাইজিংলেম্বী* অসি কদেং থাংজহনবা অমসুং তোনু লাইজিংলেম্বী অনীগী নুংশি-নুংওনগী বারী পরীংদা শৈরেংগী মওংদা ইবনি। তশেংনা হায়রবদা মহাক্কী খুৎই অসি শৈরেং লীলা (পোইত্রি ড্রামা) গী মওংনি। মোইরাং শায়োনশিংগী মনুংদগী অমগী বারীদা য়ুম্ফম ওইদুনা ইবনি। চীনবুংদা মীরোল অমদগী অমদা চৎনবী ওইনা লীনদুনা লৈরিব থাজ-বারী অসিবু মিৎমাগুদা উখোক্লবগীদমক্তা মীনকেতননা ইদুনা থম্বীরম্বসিমক মণিপুরী সাহিত্যগী ফজরবা মচল অমদি ওইরবনি। লাইরিক অসিদা অইবনা মশাগী ওইবা কল্পনা কয়াগা লোয়ননা ফজববা কাব্যগী খুৎশেমদা পুথোক্লকপনি। বারী অসিদা অইবনা কদেং অমসুং তোনু অনীগী অশেংবা নুংশিবগী মশক উৎপগা লোয়ননা লময়ৌনা নুংশিনবদগী কাযনবা অমদি মখোয় অনীগী নুংশিনববুদি লৈবাক্কী য়াইফনবা হোৎনবনা হেন্না ফৈ হায়বনচিংবা অবাংবা থাক্কী মিৎয়েং অসি উৎনবা হোৎনবি। মণিপুরী জাতিনা মোইরাং শায়োনগী বারীশিং অসি মোইরাং থাংজিংগী লীলানি হায়না থাজনৈ। মরম অসিনা *তোনু লাইজিংলেম্বী* ড্রামা অসিদা পাম্থোইবী, লম্লেমা, ফৌওইবী, লৌওনবী অমসুং লৈপুন লাইরেম্মা অসিনচিংবা য়াওহল্লি। মতাং অসিদা পনবা য়াবদি তোনু লাইজিংলেম্বী লীলা অসিগী হৌগৎলকপদা লম্ফা লৌকোন্দা পাম্থোইবী অমসুং লম্লেমা উন্নহন্দুনা ঙাঙন-শক্করিবা অদুমক্তা খোয়ুম লাইনা লীলা অসিগী প্লোট শাগৎপদা মচল ওইনবা অইবনা হোৎনৈ। অসুম্না খোয়ুম লাইশিং অসিনা ড্রামা অসিগী বারী মপূং ফাহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। ড্রামা অসিদা চীনবুং সাহিত্যগী ওইবা লোন মতাংচানা চানা অইবনা শীজিন্নরি। খুদম ওইনা -

"ঐবু লোইবা লৈমাব,
মোইরাং নিংথৌ ইনিংথৌ,
কেগে য়োইময়ায় পাঙ্গনবা,
নদাইরেম ঐবু করি পাউকৎসিগে।"

(*মীনকেতন*, ১৯৪১ . ৬২)

অসিদসু নত্তনা মণিপুরী জাতিগী খুন্নুং ঈশৈগী শক্তোন অমা ওইরিবা খুৎলং ঈশৈগী শৈহেক শৈদাগী মওং মতৌগুম্বা য়াওবা থেংনৈ। খুদম ওইনা পল্লবদা -

অকোংজাম্বা ঃ (নুংদগী শৈরাউরকপা)
আ-শানৌ নংবু তাবরা।
বাংলৈ মিকুপ অমত্ত
ঙাইখোগব-ও তাবরা।

নুজা করি নুঙোলবগে,
করি পায়মা কিশিরুবগে।

....

ফৌওইবী ঃ (কপ্পা শৈওকপা)
আ-পাম্মু নংবু লাকউ লাকউ-দে,
চেংলৌ নঙ্গী নুংশিবা,
য়াব্বা নঙ্গী খোয়দাবা
ননাওনা 'মুক্তা তাজখিগে,
মিৎলাং থূম্না থকচখিগেও-দে!
হা - নুংশি নংবু লাকউ লাকউ - দে!

(*মীনকেতন*, ১৯৪৯ : ১৯)

অশাংবম মীনকেতনগী *তোনু লাইজিংলেম্বী* গী ৱারী অসিগা হৱাইবম নবদ্বিপচন্দ্র অমসুং সরাংথেম বরমনি অনীগী *তোনু লাইজিংলেম্বী* গী ৱারীগা খেন্নবা কয়ামরুম থেংনৈ। মীনকেতনগী খূৎইদনা নিংথৌনা উক্রোং হোংবদা লাইজিং নিংথৌগা মিংমান্নবী কনাগুম্বা অমা লৈমা ওইরগা থৌনিমিন্নরবদি নিংথৌগী লীকথাং তৎলোই হায়না থাংজিং লাইবাউদগী তোনুবু লুহোংদুনা লৌথি। অদুগা হৱাইবম নবদ্বিপচন্দ্র অমসুং সরাংথেম বরমনি অনীগী তোনু লাইজিংলেম্বীগী ৱারীদনা কদেংনা থাংজিং লাইদা কৎনবা শারম তরেৎ ফাবা চৎথ্রিঙৈদা থাংজিংগী লাইবাউদগী নিংথৌগা মিংমান্নবী তোনুগা নিংথৌগা লুহোংখিরমই। অতোপ্পা খেন্নবা অমনা কদেংনা তোনুবু থেমদুনা লৈবাক্কীদমক্কি হায়দুনা লাইজিং নিংথৌদা লুহোংখিবনি। মচা থাব' পাল্লবা তুংদা মখোয় অনী শিমিন্নসি হায়না বাশক্লরমই। কদেংনা নিংথৌবু কৈগা শাথেংনবদগী কনখিবগীদমক্তা তোনুবু অমুক কদেংদা পীখিবনি। অদুগা নবদ্বিপচন্দ্র অমসুং বরমনিগী তোনু লাইজিংলেম্বীগী ৱারীদনা তোনু মশুংলাংগীদমক্তা মথবায় থারগদবা কদেংবু তোনুনা অনা লায়কলহল্লবা মতুংদা তোনু কদেংদা পীখিবনি। মখোয় অনীগী তোনু লাইজিংলেম্বীগী ৱারী অসিনা অয়াম্বা মীওইনা লীনরিবা ৱারী অসিনি। বরমনি অমসুং মীনকেতন অনীগী ৱারীদা চরিত্রগী মমিং ফাওবা খেন্নবা থেংনৈ। খুদম ওইনা —

মীনকেতন	**বরমনি**
পেনু	থোইনু
অমাই হঞ্জবা	অমাইবা
লাইজিং নিংথৌ	মোইরাং নিংথৌ

ওক্সুবাকপা	ওকচিল্লাকপা
শঙলেল হঞ্জবা	শঙলেল লাকপা

মণিপুবী চীনবুং সাহিত্যগী মচল অমা ওইরিবা তোনু লাইজিংলেম্বগী ৱারী অসি মীবোল অমদগী অমদা চীনথাংদা অসুম অসুম লীনদুনা লাকপনা খেন্নবা লৈবা হৌনশানি। অসিগুম্বা খেন্নবা কযা লৈবিবা অসিমক চীনবুং সাহিত্য (ওবেল লিত্রেচব)গী মশাজং অমনি। অমা অমবু ওইববসু মীনকেতনগী *তোনু লাইজিংলেম্বী* মোইবাং শায়োনগী ৱাবী অমদা যুম্ফম ওইববা তোনু লাইজিংলেম্বীগী ৱাবী চীনবুংদা লীনদুনা নংত্রগা শরুদুনা লৈবম্বা অসি মহাক্কী ফজবা কল্পনাগা লোযননা ড্রামা ওইনা পুথোক্লম্বা অসিমক মণিপুবী সাহিত্যগী মমল যাম্লবা লন অমনি।

সীতা বনবাস (১৯৩৬) কৌবা ড্রামা অমা মীনকেতননা ইদুনা থম্বীবম্লিবা অসি ভাবতকী মমিং চংলবা মহাকাব্যগী হৌবকফম ওইবিবা *বামাযণ* গী বাবীগী মনুংদগী ৱাবীগী থৌদোক মতাং অমদা যুম্ফম ওইবনি। মথক্তা পঞ্জম্রে বামাযণগী ৱাবী অসিদি থাজ-বাবীগী মনুংদা পাবসন্যাল থাজ বাবী হাযবদি পাবসন্যাল লেজেণ্ডগী মখলনি হাযনা। ড্রামা অসি মখল অদুগী থাজ বাবীগী থৌদোক মতাং অমনি। ড্রামা অসিদা যাওবিবা বাবীদি বাম অমসুং সীতা মখোয অনীগী কাযনবা, থুংনবা অমসুং সীতানা মতম চুপ্পগী ওইনা পৃথ্বীমাতাদা চঙজখিবা অসিনি। বাম অমসুং সীতানা বন্দা লৈবিঙৈদা বাবণনা সীতাবু বনদগী হুদুনা পুখিবমই। মদুদগী বামনা বাবণগী মথক্তা লান্দাদুনা, অমসু বাবণবু মাযথীবা পীদুনা সীতাবু লঙ্কাদগী পুবকম্লমই। বাম অমসুং সীতাগী মবমদা মীশিংনা প্রমান তৌদুনা ঙাঙন শক্লবা কযা অদুগীদমক্তা সীতাবু অমুকহন্না বন্দা থাখিবমই। মখোয অনীগী মবমদা ঙাঙনবগী মতেক অমত লৌখংলবদা উপেন্দ্র অমসুং ভৈববনাথ অনীনা ঙাঙনবা মতাং অমদা ভৈববনাথনা অসুম্না হায '*মীনা চিনখ্রবা চাখ্রবা হৈ লৈগা খুঞ্জিন্দুনা বামচন্দ্রহোযদৌনা থম্বিগদবা নত্তে খঙজৌ, হৈনা চচ্চৌ, চোপচনি।*" (*সীতা বনবাস*, ১৯৩৬ : ১২) সীতানা বন্দা লৈবিঙৈদা লব, কুশ মচানিপা অনী ফঙজখি। সীতাদা চাংযেং কযা তৌবদু মহাক্কী সতী ধর্ম্ম কাযদবা অদুমক্তা পূম্নমক্তু মাযপাকখিবমই। লব, কুশ মচিন মনাউ অনী অসি বাল্মীকিগী আশ্রমদা লালগী খুংলায অমদি অতোপ অতোপ্পা বিদ্যা কযাসু তমখিবমই। অসিদসু নত্তনা বাল্মীকিদগী বামাযণগী বাবীসু তাবা ফঙজখিবমই। ড্রামা অসিগী অবোইবা শক্তি বাম্না অশ্বমেধ যজ্ঞগী শগোল থাবকপদা লব, কুশ মচিন মনাউনা ফাবমই। মখোয অনীগা মথং মথং লান তৌনবদা মখোয অনীনা ঙম্লমই। মমৈথংদা বামচন্দ্র লাক্লমই। লান থেংনবে, মখোয অনীনা অমুক ঙম্লে। মদুদগী মমা, মপা লোযনমক থেংনদুনা শক খঙনবদু উংলি। অযোধ্যাদা সীতাবু থাজদবদু বাম্না

ফোঙদোকই। মসিদগী যজ্ঞ সভা লিংখৎলে অদুবু ঙাওন-শক্লবা কযাশিং অদু সীতানা খাঙবা ঙমদদুনা পৃথ্বী মাতাগী মফমদা চঙখিবা অসিদা লোইশিল্লি। ড্রামা অসি ৱাবেং অমসুং শৈবেং পুন্না ইবা মীনকেতনগী খূৎইনি। মপূং ওইবা নাযক অমসুং নাযিকাদি রাম অমসুং সীতানি। মণিপুরী সাহিত্যদা মণিপুরী জাতিগী থাজ-ৱাবীশিংদা নত্তনা ভাবতকী মমিং চৎলবা বামাযণদগী ফাওবা ইদুনা থম্লম্বা অসিগীদমক্তা মীনকেতনদা ইকাযখুম্নফম থোকই। মহাক্কী তৌরম্লিবশিং অসি চৈনবুং সাহিত্যগী তোঙান তোঙানবা মচাকশিংনা মণিপুরী সাহিত্যদা পীবা খূদোলনি।

অশাংবম মীনকেতনগী *অশৈবগী নিতাইপোদ* (১৯৭৬) কৌবা লাইবিক অসিদা 'পিযে থাদোই' অমসুং 'নুংশি ৱাখৈবা' হাযনা মিংথোনবা নুংশি-নুংওলগী বাবীদা যুম্ফম ওইবা প্রেম কাব্য অনী খণ্ড কাব্য ওইনা যাওবি। লাইবিক অসিগী মতাংদা কবিনা বাহৌদোক্তা অসুন্না ফোঙদোক্লি *"মৈতে অশৈবগী প্রেমতত্ত্বগী মঙালদা অপামগী শক্তম, নুংশিবগী শক্তম অমদি অনীগী মবী পান্দুনা শকপনা নিতাইপোদ সিগী শৈশক্লি।" (অশৈবগী নিতাইপোদ, বাহৈ অমনীদং খ)* কবিনা কাব্য অনী অসি ইবদা হৌবদগী .লাইবা ফাওবা উপমা, অনুপ্রাস, অলঙ্কাব শীজিন্নবা থেংনৈ। 'পিযে থাদোই' হাযনা মি২থোনবা প্রেম কাব্য অসি খম্বা থোইবীগী ৱাবীদগী ৱাবীগী থৌদোক মতেক অমদা য়ুম্ফম ওইবগা কবিগী কল্পনা অমসু ফজবা লোল কযা শীজিন্নদুনা ইবম্বা মীনকেতনগী হৃৎর্গনি। তশেংনমক বানা মতেক অসি চৈনবুংদা মীবোল অমদগী অমদা লীনবম্বদু কবি মীনকেতননা যাম্না দার্শনিক ওইবা মও'দ। ইদুনা সাহিত্যগী মচল অমা ওইনা পুথোক্লম্বনি। না।। অসিদা 'খোইবেন্তাক্ত। পাম্বা বৈংগী থাযা ত্রা শিথ্রক নোংবানগী আত্মানা ওল্লকপা পি থাদোইনা নোংদেন অতিযাদা খোমনা পান্দুনা .থাইবী মহাক্কবু থিজৈ অমসুং কৈজৈ। নোংবানগী আত্মানা পি থাদোই চেক্লা অসি খোইবেন্তাক্তা ওনখি হাযবসি কবিনা অসুম্না শৈথাবি

ঐদি খোইবেন্তাক্তা পোকপনি
কৌনৈ মীনা ঐবু পি থাদোই
শোঞ্জকমল নুংশি মকোলোয। (*পিযে থাদোই*, ১৯৭৬ ১)

*পিযে থাদোই*দা কবিনা মরু ওইনা উৎপা পাম্লিবদি নোংবাননা থোইবীবু নুংশিজবিবা অসি অবাংবা থাক্কী নুংশিবগী মর্শাক্লি হাযবদুনি। মসিমক কবি মীনকেতননা শৈথাদ্রিঙৈগী মমাঙদা কবি চাউবনা মহাক্কী শৈবেং *পি থাদোই*দা নোংবাননা থোইবীবু নুংশিবগী মশক অসি বাংনা থাংগৎলম্লর্বনি। শৈবেং অসিদা নোংবানগী আত্মানা ওনখিবনি হাযনা কল্পনা তৌবিবা পি থাদোই চেক্লা অসিবু নোংবাননা থোইবীবু নুংশিবগী অশেংবা নুংশিবা অদু

মীপূম খুদিংদা তম্বীনবগীদমক্তা থাবকপনি হায়না শৈথাবি। মসিদগী খবা হেন্না পাকথোক চাউথোক্লা কবি মীনকেতননা *পিযে থাদোই*দা শৈথাবনি। কবিনা কাব্য অসিদা থোইবীবু খম্বনা নুংশিজবা অদুদগী নোংবাননা থোইবীবু নুংশিজবনা থাক ৱাংবা হেল্লি হায়বসিগী কল্পনা তৌবি। মণিপুরী সমাজগী অশৈবশিংনা খম্বা অমসুং থোইবীগী ৱাবীদা নোংবানগী চরিত্র শৈথাবদা খম্ববুনা যান্না ফিদম্লীংঙাই ওইবা অদুগা নোংবানগী চরিত্রবুনা তুকচনীংঙাই ওইবা মওংদা শৈথানৈ। অদুবু মসিগী ওন্ন-তৈনবদা কবিনা পিযে থাদোইদা খম্বদগী তাদ্রবা থোইদোক্লা ফিদম্লীংঙাই অমদি শীংথানীংঙাই ওইববনি হায়না নোংবানবু শৈথাবি। প্রেম কাব্য অসিদা ফেনটাসি অমসুং তাইবঙ মীওইবগী বিযেলটিগা অনী অসি পুন্না যাওবা থেংনৈ। মীনকেতননা শৈথাবিবা নোংবানগী আত্মানা ওল্লবা পি থাদোই চেক্লা অসিদি মহাক মশাগী মপোক লাংঙোল খঙবা চেক্লানি হায়না পল্লি। অসিদসু নত্তনা পি থাদোই চেক্লা ওইনা পোক্লক্লিবা অমসুং মালেম শিনবা থুংনা কোযনা পাইদুনা থাদোই হায়না কৌজবিবসি কাউবা ঙমজদ্রবা অমসুং নুংশিজকবা থোইবী মশুংলাংগীদমক্তনি হায়না শৈথাবি -

মহাকথংনি ঐহাক্লা চেক্লা ওইনা পোক্লককপা,
মশুংলাংনি ঐহাক্লা মালেম থুংনা কোযবিবা।
চেক্লা ইপোক যাম্লক্লে নুংশি মাসু মমখবে,
থম্মোই মানা অদুবু কাউসি কৌবা মঙমদ্রে।
(*পিযে থাদোই,* ১৯৭৬ ১)

প্রেম কাব্য অসিদা কবিনা নোংবাননা থোইবীবু নুংশিবা অসি অবাংবা থাক্কী অশেংবা নুংশিবগী মশক্তি হায়বদু উৎনবা হোৎনৈ। মবম অদুনা নোংবানগী আত্মানা ওল্লবা পি থাদোই চেক্লানা উক উকব্বা অমদি যেংউ যেংউবা পোৎ খুদিংমকপু থাদোই ওইনা উবক্লিবসি মহাক্লা নুংশিজবদগী নুংশিবিবা পোৎশক্তুদা ওইনা উবকপা হায়বসি হৌনশানি। মসিমক কবিনা প্রেম কাব্য অসিগী অবোইবা মতাংদা শৈথাবি। খম্বা-থোইবীগী ৱাবী অসিদি পাবসন্যাল লেজেণ্ডগী মখলদা থম্বা যাই। অসিগুম্বা ৱাবী অসি কবিগুম্বা চীনবুংদা মীবোল অমদগী অমদা লীনদুনা লৈবমদ্রবদি কবি মীনকেতননা কৈদৌঙেদসু তাঙলবা অসিগুম্বা মণিপুরী সাহিত্যগী মচল অসি পুথোক্লম্লোইদবনি। তশেংনমক, মণিপুরী সাহিত্যদা হৃকথেংননা নৎত্রগা নাকোইননা চীনবুং সাহিত্যগী তোঙান তোঙানবা শক্লোনশিংনা ইথিল কযা পীবদা নত্তনা অচৌবা মফম অমসু কল্লি হায়বা যাই।

'নুংশি ৱাখৈবা' অসিসু নুংশি-নুংওলগী ৱাবীদা যুম্ফম ওইবা প্রেম কাব্য অমনি। চলাম্বা পোঞ্জেন নিংথৌ মুংযাম্বগী মশাইগোন্দা শৈদাংদুনা লৈবনি অদুগা ইতিবেননা

মুংযান্থগী অমতা ঙাইজববী মজাইবেন্মনি। প্রেম কাব্য অসিদা ইবিবসি মখোয অনীগী নুংশিনবা অমসুং কাযনবগী ৱাবী পবীংনি। ৱাবী অসিগী পোলোইসু নুংশিবগী অৱা মৈচাক কযাগা লোযননা পোলোইখিবা ৱাবীনি। প্রেম কাব্য অসিদা কবি মীনকেতননা শাবী-শানৌ অনীগী মবক্তা লৈনবিবা নুংশি মবী অমসুং কাযনবগী নুংশি মৈচাক কযাসি কল্পনাগা লোযননা ফজবা অমদি চানবা ৱাহৈ-ৱাতা কযা শীজিন্নদুনা চীনবুংদা লৈবম্বা ৱাবীদু ইথোক্তুনা থম্বীবম্বনি। ৱাবী অসি কদায ফাওবা থাজ-ৱাবী (লেজন্দ) ওইববগে হাযবসি খন্নফম থোকই। থাজ-ৱাবীগী মক ওইবা চবিত্র অদু তাইবঙ মী ওইবা, বাবী অদু ঙসিগী মালেমদা থোকখিবা, বাবী অদুবু লীবিবা অমসুং তাবিবশিং অদুনা থোকপি হাযনা থাজনবা, ইকুই কুইদনা থোকখিবা ৱাবীনি হাযনা লৌনবা অসিনচিংবশিং অসিনি। মথক্তা পীজবিবা পাদম অসিগী মতুং ইন্নদি বাবী অসি থাজ-বাবীগী কাঙলুপ্তা থম্বা যাই। মতাং অসিদা পঞ্চনীংর্বদি ফুঙ্গাবাবী (ফোকটেল) অসিদি ভাবনা শাবা ৱাবীনি হাযনা লৌনৈ। অসিদসু নত্তনা ফুঙ্গাৱাবীগী অকক্পবা মফম অমসুং মতম লৈতে। 'নুংশি বাখৈবা'গী ৱাবী অসি কনাগুম্বা স্কোলব অমনা আওগী ফুঙ্গাবাবীদা যুম্ফম ওইবা ৱাবীনি হাযনা পীবি। (*মীনকেতন নৈনবা বাবেং,* ১৯৯৭ ২৮) বাফম অসিগী মতাংদদি মখা তানা থিজিনবা চঙলি হায়না খল্লি। ৱাবী অসিগী মতাং চাবদা কবিনা পাউবৌ কযা শীজিন্নবা থেংনৈ। খুদম ওইনা

(১) খোইমু লৈবাং ঙানু খোংবাল
লাইনা থাবা মকপ্নিদো। (লা ৩৮)

(২) কৈনা তোকপা পোক্লুববা
শেবোৎ মানা পানব্রা মাইবেল। (লা ৪২)

(৩) যুদে শৌনা তাঙজা লিল্লা / থিংদে পন্না নুংশিৎ।
(লা ৪৫)

কবিনা প্রেম কাব্য অসিদা নিপাবু খোইমুগা নুপীবুনা লৈবাংগা চাংদম্নদুনা শৈথাবসি তোযনা থেংনৈ। মতৌ অসুম তৌনা মহৌশাগী পোৎশিংগা নিপা নুপীগা চাংদম্নবা অসিবু মালেমসিদা ফাওববা ফোকলোবিষ্টি ৱাই এম সোকোলোভ (Y M Sokolov) না সাইকোলোজিকেল পেবেলেলিজম (Psychological parallelism) কৌই হাযবা মোত পীবি। কবি মীনকেতননা ইদুনা থম্বীর্বল্লবা প্রেম কাব্য 'নুংশি ৱাখৈবা' অসিমকসু মণিপুবী সাহিত্যগী মচল অমা ওইববনি।

মথক্তা নৈনখ্রিবা মীনকেতনগী লাইবিক ওইনা ফোঙদোক্তুনা থম্লল্লবা লাইবিক তাংক অসিনা চীনবুং সাহিত্যগী মচাকশিং মসক ওইনা লাই তীনগী বাবী (মিথ) অমসুং

থাজ-ৱারী (লেজেণ্ড) না মণিপুরী সাহিত্যদা কল্লিবা অচৌবা মফমগী মতাংদা উৎখ্রে। তশেংনা হায়রবদা *মৈতৈ লাঙ্গৈরোল* দা য়াওরিবা লাই-তীনগী ৱারীশিং অসিনা মণিপুরী সাহিত্যবু চাওখৎহনবদা অকনবা ইথিল পীরি। চীনবুংদা লীনদুনা লৈরম্বা মতমগী মতুং ইন্না লাইরিক ওইনা পুথোক্লকপা অসিনা জাতি অসিগী সাহিত্যগী পূৰ্কে হেনগৎহল্লি। চীনবুং সাহিত্যগী শক্লোন অমা ওইরিবা মখল কয়াগী থাজ-ৱারীশিং মণিপুরী সাহিত্যগী তোঙান তোঙানবা বিধা হায়বদি ৱারেং, ড্রামা, শৈরেংনচিংবশিংদা অচৌবা মফম অমা কল্লি। চীনবুংদা লীনবম্বদগী লাইরিক ওইনা খম্বা-থোইবীগী মতাং অমা অমসুং চলাম্বা অমদি ইতিবেনগী ৱারীবু 'পিয়ে থাদোই' অমসুং 'নুংশি ৱাখৈবা' হায়না মথংশিংনা মিংথোন্দুনা পুথোক্লকপদা শৃঙ্গার বসকী ফজরবা মশক্তা মপূং ওইবতা নত্তনা অতৈ রস, অলঙ্কার, উপমানচিংবশিং য়াওহন্দুনা পুথোক্লকপা অসিনা মণিপুরী সাহিত্যগী পূৰ্কৈদা মাচল অমা ওইনা হাপচিন্দুনা জাতি অসিগী সাহিত্যবু ইনাক খুনবা হেনগৎহল্লি। অসিদসু নত্তনা চীনবুংদা লীনরম্বা রামায়ণগী থৌদোক ৱারী কয়া লাইরিক ওইনা ফোঙদোক্তুনা থম্বীরম্বা অসিসু মণিপুরী সাহিত্যগী মমল য়াম্লবা মচল অমা ওইরি। চীনবুং সাহিত্যগী শক্লোনশিংসি মণিপুরী সাহিত্যগা থাদোক্নবা য়াদ্রবা মচল ওইরি হায়বসি মুন্না খঙবদগী চীনবুং সাহিত্যগী তোঙান তোঙানবা মচাকশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা লাইবিক কয়া মণিপুরী সাহিত্য চাওখৎনবা অমসুং তুংগী মীরোলগীদমক্তা থম্বীরম্বনি। অশাংবম মীনকেতননা তৌরম্লিবা সাহিত্যগী সেবা কয়াশিং অসিনা অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাসতা অচৌবা মফম অমা কন্দুনতা লৈরগদবনি। ❑

মতেং লৌজখিবা লাইরিকশিং ঃ

মণিপুরী ঃ

পুদিন (খূৎই লাইরিক)

লৈশেমলোন (খূৎই লাইরিক)

মীতৈ, টিঐচ থোকাচানপা (সম্পা) ১৯৬১ *ৱাকোকলোন থিলেল শলাই অমাইলোন পুকোক*, ইম্ফাল।

সিংহ, অ মীনকেতন, ১৯৩৬ *সীতা বনবাস*, ইম্ফাল।

সিংহ, অ. মীনকেতন, ১৯৪৯ *ঙাঙ্গোয় পরেং*, ইম্ফাল।

সিংহ, অ মীনকেতন, ১৯৪৯ *তোনু লাইজিংলেম্বী*, ইম্ফাল।

সিংহ, অ. মীনকেতন, ১৯৫০ *মৈতৈ লাঙ্গৈরোল*, ইম্ফাল।

সিংহ, অ. মীনকেতন, ১৯৫১ *রামায়ণগী ৱারী খরা*, ইম্ফাল।

সিংহ, অ. মীনকেতন, ১৯৭৬ *অশৈবগী নিতাইপোদ*, ইম্ফাল।

সিংহ, লাইবেল্লাকপম ইবুংঙোহল অমসুং নিংথৌখোংজোম খেলচন্দ্র সিংহ (সম্পা) ১৯৮১ *চৈথাবোল কুম্বাবা*, ইম্ফাল।
সিংহ, পোলেম নবচন্দ্র (সম্পা) ১৯৯৭ *মীনকেতন নৈনবা য়াবেং*, ইম্ফাল।
সিংহ, যেনখোম ভৈগ্য (সম্পা) ১৯৬৭ *লৈথক লৈখাবোল*, ইম্ফাল।

ইংরাজী ঃ

Bascom William R 1981 *Contributions to Folkloristics*, Meerut, Archana Publication

Benton, Helen Hemingway (Pub) 1973-74 *The New Encyclopaedia Britannica* (Knowledge in Depth) Vol 12, London

Benton william (Pub) 1768 *Encyclopaedia Britannica*, Vol 15, Chicago

Clarke, Kenneth W & Mary W Clarke, 1966 *Introducing Folklore*, New York

Dev, Amiya (Ed) 1994 *Narrative A Seminar* New Delhi Sahitya Akademi

Dorson Richard M (Ed) 1972 *Folklore and Folklife An Introduction* Chicago

Dorson Richard M (Ed) 1968 *Our living Tradition An Introduction to American Folklore* New York

Dundes Alan (Ed) 1965 *The Study of Folklore*, New Jersey

Halliday W R 1933, *Indo European Folktales and Greek Legend*, London

Maria Leach & Jerome Fried (Ed) 1984 *The Standard Dictionary of Folklore, Mythology and Legend*, New York, Harper and Row Paperback Edition

Sackett, S J & William E Koch (Eds) 1961 *Kansas Folklore*, Lincoln

Singh, H Behari 1985 *A Study of Manipuri (Meitei) Folklore* Ph D Thesis G U Unpublished

Sokolov, Y M 1950 *Russian Folklore* (trans C Smith), New York

Thompson Stith 1951 *The Foltale*, New York

মীনকেতন অমসুং মণিপুরী লোকসাহিত্য

প্রো এস সনাতোম্বী

অনৌবা মণিপুবী সাহিত্যনা যাকাইবকপদগী ঙসি ফাওবদা লৈবিবা কবি অমদি বাবেংবশিংগী মনুংদা ইমাবোলগী তাবু লুবাকনুংদগী মণিপুবী সাহিত্য শেল্লম্বা অথোইবা কবিনি, বাবেংবনি অশাংবম মীনকেতন (১৯০৬-১৯৯৫)। কবি অসিগী সাহিত্যগী লমদাং শাংবগী মতীক লাইবিক্কী খুদোলস্ যাম্না তৌবম্মী। সাহিত্যগী লৈচল অযাম্বদা মখল মথেল শুনা খুৎথাবম্বনা অপুনবদা লাইবিক ২২ থম্বিবম্বা অইবনি। কবি মশা হিংলিঙৈদা অথোইবা এবার্দ অমদি মনা কযাস্ ফঙখি। থোইদোক্লা অবাংবা থাক্কী এবার্দশিংদি সাহিত্য অকাদেমী এব্বার্দ (১৯৭৬), ভাবত সবকাবগী 'পদ্মশ্রী' (১৯৮৫) অমস্ং মণিপুব যুনিভর্সিটিনা পীবা ওনবেবী কোসা (ডোক্তবেত) (১৯৯০) অসিনচিংবনি।

কবি মীনকেতন চাউবা, কমলগী মতমদগী হৌজিক ফাওবদা লৈবিবা কবি, অইবশিংগী মবক্তা লোনগী খুৎফোঙদোক্তা তোপ তোপ্পা খুৎলানথোক অমা লৈজববা অইবনি। মহাক্কী অসিগুম্বা তোমথিন ওইববা খুৎইগী মতাংদা ডা আই আব বাবু সিংহনা অসুন্না ফোঙদোক্লম্মী ঃ

> হৌজিক্কী মণিপুবী সাহিত্য হাযবসিদা ওজা মীনকেতনগী মই, ওজাগী লোন অমসুং ষ্টাইলগী তোপ তোপ্পা শক্তম অমা উৎলিবা শীংথানবিবা কবিনি, সাহিত্যিকনি, পণ্ডিতনি। (১৯৯৭, ৪০)

তশেংনমকস্ শ্রীমীনকেতন মশাগী ওইবা তোঙানবা লোন অমসু ষ্টাইল শেমজবম্বা কবিনি, অইবনি। মহাক মৈতৈগী অবিবা লোনগী লোনগৈবু কৃপ্না নৈনখিবা অমসুং মমুৎ তানা খঙখিবা মীওইনি। মৈতৈগী নাৎ অমসুং কলচবেল হিষ্ট্রিবু যাম্না কৃপ্না থিজিনখিবা মীশক্কি। মবম অসিদগী শ্রী অশাংবম মীনকেতনবু শক্তাকপদা ডা নোংমাইথেম তোম্বী সিংহনা

> মৈতৈ পুযাদা যাউবা লুবা গুরু পুম্লীব ৩ম মণিপুবী সাহিত্যগী অবি অনৌ লংদাইদা লেপ্লীবা হৌজিক মতমদা পৌবানিক চবিত্র অমা ওইববা সাহিত্য শুবা মীশক অমনি। (১৯৯৭ ৫৭)

অসুন্না তাকই। মৈতৈ অমা ওইনা মীনকেতন্না ইশাগী ইশক খঙজনবসু কন্না হোৎনখি। অতোপ্পনা ঐখোয়বু খঙদবনা পাখোঙ-পুখোঙ শেংদবা ওইনা থম্মীবগী নুংঙাইতবা অমদি ইশাবু ইশক খঙজনবা ইখিবা লাইরিক্কি হায়রদুনা মাগী মৈতৈ লাইরোলগী ৱাহৌদা অসুন্না হায়রম্মী -

> মালেম-মৈহৌরোল-ইবশিংনা ঐখোয়গী ইশক-ইচু মুন্না খঙফম থোক্তবনা খঙদবদগী ঐখোয়বু পাখোঙ-পুখোঙ-শেংদবা মীগী পম্ফেদা থমদুনা ঐখোয়গী মিং পুয়াঁ-লাপান চনবিবনা চোপ্পরিবসীদা নত্তনা ঐখোয় ইশানা ইশাবু খঙজদবা, অমদি খঙ্গে হায়না তাল্লুদবদগী ইমান্নবা মীরক তিল্লকপদা তত্তনা মায়খূনরিবসি খরদং কোক্নীঙঙাই ওইগদ্রা; অদুগা অমনা, পারী-পুরী থিনীংবা কন্না কনাগুম্বশিংগী মতেং খরদং ওইনগদ্রা; অমুকসু অমনা, লৈখাতারবা লোনগী শৌগৎননীঙঙাই মতেক অমসু ওইনবা য়াগদ্রা নীঙঙুবদগী ... তেংবান-মপুগী খুয়া-খাদা, ... থৱায়- হকচাং-ৱাহৈ পূন্না কৎ চঙজদুনা লাইরিক অসি ইজবনি।
>
> (*মীনকেতন,* ১৯৫০)

মথক্কী ৱাফমশিং অসিনা মীনকেতন্না থৱায় হকচাং লূপ্না ইশাবু ইশক খঙজনবা অমসুং ইমারোলবু ৱাংনা থাঙ্গৎনবা হোৎনরম্বগী তরং-তরংবা প্রমাণনি। অসুন্না ইশাবু ইশক খঙজনবা থিখিবা অইবা অসিনা পণ্ডিত কয়াদগী, পুয়াগী লামায়শিংদগী অমদি মণিপুরী লোক সাহিত্যগী পূক্কে চোল্লবা তাবুনুংগী মচাক কয়ানা মাগী মপান নাইদ্রবা সাহিত্যগী তাইবং অমা শেম্লম্মী। মখোয় অদুনা লোক সাহিত্যগা থানবা য়াদবা মরী অমনা কিসি কিরি। কিসিগী লীপুন থোক্লবা ঙসি ঐখোয়না লাংলা লংজিন থিরি।

নৈনরিবা তোপিক্কা মরী লৈননা অহানবদা মণিপুরী লোকসাহিত্যগী মরমদা ৱাফম খরদং থমজরি। লোকসাহিত্য হায়রগা খঙনরিবদি মীওই কাঙলুপশিংগী মনুংদা মমাঙঙৈদগী ট্রেদিসন্দা মীরোল অমদগী অমদা চীনবুংদা থংথদুনা লাকপা ফোকলোরগী শক্রোনশিং অদুনি। মখল অসিগী ফোকলোরদা য়াওরিবশিংদি - মিথ, লেজেণ্ড, ফুঙ্গাৱারী, ফোক এপিক, বেলেদ, ফোকসোং, পাউরৌ, পাউখোং মন্ত্র-যন্ত্র, ফোক স্পিচ অমদি তেংথাবনচিংবনি। পূল্লপ্না মখোয় অসিবু ফোকলিটরেচর / লোকসাহিত্য হায়রগা খঙনৈ। ফ্রেনসিস উতলি (Francis Utly) না "... folk literature is orally transmitted literature" (*1965 : 13*) হায়না ফোঙদোকখি। মথক্তা পনখ্রিবা ফোকলিতরেচরগী তোঙান তোঙানবা শক্রোন খূদিংমক মণিপুরী লোক সাহিত্যদসু মরাং কায়না লৈ। অঙনবা মতমদগী মশাগী অচৌবা ট্রেদিসন অমা লৈজকপা মণিপুরী জাতিগীসু লমদমসিগী মীওইশিংনা থাজজবা লৈশেম্বগী ৱারী, মীশেম লাইশেমগী ৱারী, সনামহী লৈমরেন

লাৎখিবনচিংবা মিথকী ৱারী কয়ানা লমদমসিগী অরিবা কলচরবু মশক তাক্লি। লোয়ননা লমদমসিগী ইতিহাসকী খোঙজেন্দা মতম মতমগী ওইনা থোকখিবা থৌদোক-ৱাথোক কয়া, তশেংনা থোকখি হায়নদি থাজনরবা অদুগা থাঙ্গেশেংবা ইতিহাসতদি লাচন্দবা, লাইগা মীগা নত্তনা লমদমসিগী তোপ তোপ্পা লম্মীৎলোনগী ৱারী কয়াবুসু লেজন্দ ওইনা লীনদুনা লাক্লি। মখোয় অসিনা মণিপুরী লেজেণ্ডবু মখল মথেল নাইবা ওইহল্লিবনি। অমরোমদা অমুক মীরোল কয়াদগী চারোল শুরোল কয়াদা লীনদুনা লাক্লিবা শা-ঙাগী-ৱারী, যাদু-মন্ত্রগী ৱারী, লৌনম-নমথাক্কী ৱারী, নিংঙোল মৱা অপংগী ৱারী, নুংশি-নুংওনগী ৱারী অসিনচিংবা ৱারী কয়ানা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীগী ইনাক খুনববু উৎলি। অসিগুম্বা মিথ, লেজন্দ, ফুঙ্গাৱারীনচিংবশিং অসিনা মণিপুরী লোক সাহিত্যগী ওরেল নেরেটিভকী চাউনা কোল্লিবা শক্রোনশিংনি।

মীওই কাঙলুপশিংগী ফোকলোরদা ফোকসোং অমসুং বেলেদকী ঈশৈশিংদি ফংদবা ইরৈবু লৈতে অদুবু ফোক এপিক্কী শাংলবা ৱারীগী ঈশৈগুম্বদি অখন্ননা কলচর খরদতা শকনৈ। মণিপুরীগীদি ফোকসোং অমসুং বেলেদ অনীমক্কী মখল মথেল মরাং কায়না মমাঙঙৈদগী লৈরক্লি। ঐখোয়গী পুন্সিরোলগা শাগোনমিন্নবিবা লাই হবাওবদা শক্লিবা ঈশৈ কয়া, শিনশু-শিনবাংবদা শরুরিবা ঈশৈশিং, অঙাংশিংবু থেম্বদা শক্লিবা নাওশুম ঈশৈশিং, নুংশি-নুংওনগী অৱায়-অখুমদা থাদুনা শরুবা খুল্লং-ঈশৈ কয়া, অমসুং অঙাংশিংনা শান্নবদা শকপা ঈশৈ কয়ানা মণিপুরী ফোকসোংগী ৱাত্ত-পাদবা হাযবদু ওইহল্লি। বেলেদসু অদুমঙাই ৱাৎপা লৈতে, অকন অথৌশিংবু থাদুনা শকপা, লমদমসিগী প্রকৃতিগী খুদোলনা পীথোকচরুবা ফজরবা উবৈ কয়াগা শাগোন্নবা নুংশিববা বাবী কয়াগী শৈশক, ইতিহাসকী থৌদোক বাথোক্কা মবী লৈনবা বাবীগী শৈশক কযা, তারিবমখৈ পেন্নদ্রিবা মোইরাং কংলৈরোনগী নুংশি-নুংওনগী বারীগী শৈশকশিং, পূম্নমক অসিনা মণিপুরী বেলেদকী নীংথিরবা শুর ছন্দগী ঈপোম্মু কাউবা ঙমহন্দ্রিবনি। লমদমসিগী ইথোজ য়াওরবা খম্বা-থোইবীগী চাউ শাংলবা বারীনা ফোক এপিক অমগী মগুণ শুনা তিল্লবা ৱারী ওইনা ঐখোযবু শক্তাকপদা অচৌবা থৌদাং য়ারি। অসুন্না খম্বা থোইবী ফোক এপিক, ফোকসোং অমদি বেলেদনচিংবসিং অসিনা মণিপুরী লোকসাহিত্যগী ওবেল পোইত্রিগী পাকচাওরবা শক্রোনশিংনি।

মণিপুরী লোকসাহিত্যগী গুণ হেন্না হাপকৎলিবা সনাগী মথক্তা তম্ফা থিনবগুম লৈরিবা মচাক অমদি মণিপুরী পাউবৌশিংনি। নোংমগী পুন্সিগা ইরোইনদুনা লাক্লবা মণিপুরী পাউরৌশিং অসিনা সমাজ অসিগী মীওইশিংবু অচুম্বা লম্বীদা লমজিং লমতাক্কুনা চহীচা কয়াসি লাক্লি। অসিগুম্বা পাউবৌশিংদা নত্তনা পাউখোংশিং, লাইশোন তিনশোন অমদি

অনা লাইযেং কযাদা শীজিন্নবিবা মন্ত্র-যন্ত্র কযা অ·
ঙাঙন-শক্লবদা শীজিন্নবা ফোক স্পিচ কযা অসিনচি
লৈচল শুবা লোকসাহিত্য ওইহল্লি। অসিগুম্বা পাব
মচল খুদিংমক কৃপথনা নৈননবা পেপব অসিগী পান্দম
যেংননবা হোৎনবিবসি মীনকেতনগী লাইবিকশিংদা মণি
মচলশিং যাওবিবগে অমসুং অইবগী কলাগী খূৎশেমদা ে
ইতিল্লিবগে হাযবসিনি। হীবম অসি নৈনবদা অইবগী লাই
পাক চাউমনবনা মকওইবা খবদংদা মিৎযেং থমজগনি। খুদম
(১৯৪৯), *ঙাঙ্গোয পবেং* (১৯৪৯, অহানবা ফোঙবা), *মৈ*
অশৈবগী নিতাইপোদ (১৯৭৬), *পুনশিগী শক্তম* (লাবোল অনী,

শীজিন্নদ্রিবা
মণিপুরী লোকসাহিত্যব
লোকসাহিত্যগী
ওইবা নৈনবিবসিদা
গী কবম কবম্বা
সাহিত্যগা কবন্না
কানশিনবদি
জিংলেম্বী
(১৯৫০),
অসি চিংবা

মীনকেতন্না মণিপুরী লোকসাহিত্যগী পূক্লৈনুংদগী ফজবা, অ ··· ঙাই ওইববা আদর্শশিং অদু সাহিত্যদা পুশিল্লক্তুনা নৌহৌনা মীযামদা খঙ··বগা লোযনন মাগী সাহিত্যদা মতম পূম্বগী ওইনা অনৌবা খূৎশেম অমগা লোযননা চিংহল্লম্মী। লোকসাহিত্যগী মবমদসু মমুদ তানা খঙখিবা মীনকেতন্না 'মণিপুরী লোকসাহিত্য' হাযবা বাবেং অমদা লোকসাহিত্য হাযবসি মবীক চূন্না অসুন্না ফোঙদোক্লম্মী -

> মণিপুর চীংগী পক্লোন্নুংদ, হেৌে মদোম হেঞ্জবী, ঙাঞ্জে মদোম ঙাঞ্জবী, নীংথ··· লৈবাক্কী মহাক্কী সংস্কৃতি ··· সভ্যতা লোকসাহিত্যনা শৈশরুবিবা ঙক্লফা মতমগী খোঙহৌ শাঙহৌনী শেক্লক্লবী সংস্কৃতি, সংস্কৃতি মহাক্কী যাওল যু· যুগফম খুদিংদা শাওল ··· শেশরুবিবা লোক সাহিত্য কনানা পাউদম্লুগনি।
>
> (*মীনকেতন*, ১৯৮৬, **লা ৩৯**)

মণিপুরী লোকসাহিত্য ··· শিগী সংস্কৃতিগী ঈচেলদা মীবোল অমদৈ অমদা শৈশরুদুনা পাথাং পুথাং কযা থংবদুনা লাকপনি। মীবোল কযাদগী তুংশিল্লগা ওইবকপা সংস্কৃতিগী যাওন্দা শৈশরবক্লিবা মণিপুরী লোকসাহিত্যগী মচাক পূন্নমকপু কনানা পাউদম্বা ঙমগনি। মণিপুরী লোক সাহিত্যগী পূক্লৈদি মোইবাং লমদমনি হাযবসি বাবেংবনা চপ চানা খঙখি। মতম অমগী মণিপুরগী যেক শলাই খাযদোক্লিঙৈ মোইবাং মদোমতগী ওইবল্লবসু ঙসিদি মণিপুর পূম্বগী অপূনবা লোকসাহিত্য ওইবে হাযবা বাফমসু বাবেং অসিদা ফোঙদোক্লম্মী। অদুতা নত্তনা মণিপুরী লোকসাহিত্যগী লেজেণ্ডগী বাবীগী গুণসু চেল্লিবা অদুগা অমবোমদনা ঈশৈ ওইনা শক্লদুনা রোমান্টিক বেলেদকী নীংথিববা প্রেমগী মশকপু অবাংবা থাক্তা থাঙ্গক্তুনা অকোংজাম্ব ফৌওইবীগী নুংশি বাবীগা কলিদাসকী *অভিজ্ঞান শকুন্তলম*গী দুষ্যন্ত শকুন্তলাগী নুংশি বাবীগা চাংদম্নদুনা অনী অসিগী প্রেম

বসগী মশক খেন্নদে অমত্তনি, সংস্কৃত সাহিত্যনা হেন্দে মৈতৈ অশৈবগী লোকসাহিত্যসু বাংঙি হাযদুনা ৱাবেং অসিগী অবোইবদা অসুন্না হাযবি ঃ

> অমবোমদা, কালিদাসকী প্রেমগী পৌবোহিত্য সংস্কৃত সাহিত্য জগত্ত অমবোমদনা কেগে অশৈবা, মোইবাং চৈজিংবা, মৈদিংগোলগী নুংশিবগী পৌবোহিত্য মৈতৈ লোকসাহিত্য জগত্তঃ কবি খেন্নে। খেন্নদে — অমত্তঃ নি। কযাদ ঃ ৱাংত্রবা মৈতৈ লোকসাহিত্য
>
> (*ইবিদ*, লা ৪২)

মণিপুরী লোকসাহিত্যদা শৈশক্লবিবা নুংশিবগী ৱাবীশিং মালেমদা ফাওখ্রবা কালিদাসকী নুংশি ৱাবীগা কবিমতা খেন্নদে হাযদুনা মণিপুরী লোকসাহিত্যগী অৱাংবা গুণশিংবু ৱাবেং অসিদা মীনকেতন্না উৎলম্মী।

মথক্তা লৌখৎখিবা মীনকেতনগী লাইবিকশিং অসিদা মকওইনা যাওবিবা মণিপুরী লোকসাহিত্যগী মচলশিংদি মিথ, লেজেণ্ড, রোমান্টিক তেল, রোমান্টিক বেলেদ অমসুং ফোক সোংনচিংবনি। মহাক্কী *তোনু লাইজিংলেম্বী* ইং ১৯৪৯ দা (অহানবা ফোঙবা) অতোপ্পা লোন যাওদনা ইমাবোল মৈতৈলোনতনা ইবগী চাংযেংদা মাযপাক্লা নাটক ওইনা পুথোকখিবা লাইবিক্নী। নাটক ওইনা ইথোবক্লবসু ৱাবী ৱাতায দাযলোগতা অইবগী হৈ শিংবনা মশাগী নেরেটিভ ওইবগী নুংঙাইবদু মাঙহন্দনা থম্বা ঙম্মী। থোইনা হেন্নদুম পাত্র কযা হাপচিন্দনা অমদি ৱাবীগী মশাদসু হাপতোক হাপচিন কযা তৌদুনা ফজববা নাটক অমা ওইনা শেন্নকই। খুদম ওইনা শীংজনবা, অশৈবা, অমাই হঞ্জবা অকোংজাম্ব, লম্লৈমা, লৌওনবী, ফৌওইবী, লৈপুল লাইবেম্মনচিংবা পাত্র কযা হাপচিন্দুনা থোইদোকনা ৱাবীগী পবীংদা অমদি প্লোটতা তোঙানবা মশক অমা ওইনা পুথোক্লকই। মীনকেতনগী *তোনু লাইজিংলেম্বী* অতোপ্পা অইবশিংদগী পুমতোং তোঙানবা মাগী কলাগী নীংথিববা খুৎশেমগা লোযনবা খুৎইনি। ৱাবী পবীংদসু কবি নবদ্বীপচন্দ্র, সবাংথেম ববমনি অমসুং হিজম গুণনচিংবগী ৱাবীশিংদগী খেন্নবা মশক কযা যাওবি। নবদ্বীপচন্দ্র, ববমনি অমসুং হিজম গুণগী খুৎইদা অযাংলৈমা কবোক চাইবগী কবোক পোকচৈদা কদেং থাংজহনবা অমসুং *তোনু লাইজিংলেম্বী* অহানবা উনবদগী নুংশি শৈবোল তমখি মদুদগী ৱাবী হৌবকই। অদুবু মীনকেতনগীনা পাম্থোইবীনা শিল্লগা মতাবোইশিং লম্লৈমা অমদি লেওনবী অনীনা কদেং থাংজহনবা অমসুং তোনু লাইজিংলেম্বী অনীদা নহানমুক্কী মপোক্তা অকোংজাম্বা ফৌওইবী ওইনা নুংশি পনথুংনখিদববু নীংশিংহল্লি। অদুগী তুংদা কদেংগা তোনুগা উনহল্লি। অসুন্না অইবা অহুমগা অহৌবদা খেন্নবতা নত্তনা অতোপ্পা যাম্না মকওইবা মতাং অনীদসু যাম্না চাউনা খেন্নবা উবা ফংঙি। খুদম ওইনা তোনু লাইজিংলেম্বীবু নিংথৌনা লৌবগী মতাংদা অইবা অতৈগী ৱাবীদা কদেং থাংজহনবনা

শারম চাম্মা ফাবা চৎথ্রিভৈদো চীংঙু থাংজিং লাইবাউদগী নিংথৌগা মিংমান্নবী তোনু অপোকপা পঙ্গৌবু অৱাফমদগী কন্ননবা মশাগী নুংশিববু থাদোক্লগা নিংথৌগী তালোয় ওইখি। অদুবু মীনকেতনগী খুৎইদনা তোনু পোকপা পঙ্গৌনা মখোয়গী অপাম্বগী ৱারমদা তোনুবু নিংথৌদা কৎলু য়াদ্রবদা লাইজিংলাকপা কৈশুম খরাইনুংদা ফাজিনখি। তোনুনা তোর্বুং লমজাওদা কদেংগী নাক্তা পাঙ্গোইবীগী খুজিন থৌরাংনা য়ৌরকখি। তোনুনা পাম্মু মশুংলাং নুজা থম্মোয় ফিরাক খায় অমংগী য়াইথোং কুম্লগে হায়রবদা কদেংনা -

পঙ্গৌগী হংলাং শৎলুখো,
নিংথৌগী লীকথাং য়ারুখো
ইরৈবাক লৈচাউ সেম্মুখো —
নিংথৌ-লীকথাং তাবগা
নথংলেল ঐগী খোঙ্গুল লীরকউ। —
(১৯৭৬, লা. ৭৯)

অসুম্না তোনুবু থেমজখি। লৈবাক্কীদমক কদেংনা মশানৌবু নিংথৌগী তালোয় ওইকচো থাখি। অদুগা নিংথৌনা মচা ধারা পাল্লবা মতুং মখোয় অনী তুংথ-মাংথ খুজেং পালোয়ননা কোরৌ নোঙ্গামিন্নসি হায়রগা কদেংনা তোনুদা লিক্লাং হুকখি। তোনুনসু হন্না লিক্লাং হুক্রমখি। কদেংগী য়াথং ইন তোনু নিংথৌগী তালোয় ওইখি।

ৱাবীগী পোলোয়দা কদেংগা তোনুগা নুংশি ৱাইথুংনবগী মতাংদা নিংথৌনা তোনু লাইজিংলেম্বীবু লৈমশিংদগী লৈচা শেৎলগা পিখিবগী মতাংদসু মীনকেতনগা অতৈ অইবশিংগা পুমখেন খেন্নে। অইবা অতৈগীনা কদেংনা তোনু মশুংলোং কাইনা মৈশা পুঙমদনা থৱায় থাগদৌরবদা নিংথৌনা তোনুবু কদেংগীদা থাদুনা অনা লাইকন্নহল্লবা তুং কদেংদা পীখিবনি। মীনকেতনগী খুৎইদনা নিংথৌনা তোর্বুং লাইশা তানবা লাকপদা কৈগা থেংনবদা কদেংনা তাবাংদুনা নিংথৌগী য়াইবি থৱায় কনখিবগীদমক তোনু লাইজিংলেম্বীবু লৈমশিংদগী লৈচা শেৎলগা পীখিবনি। মতৌ অসুম্না মীনকেতনগী তোনু লাইজিংলেম্বী নাটক্কী ৱারীদা অতোপ্পা অইবা অহুম অসিদগী য়াম্না মরুওইবা মতাং খরদা চাউনা খেন্নবা উবা ফংঙি। লোকসাহিত্য হায়বসিদি চীনবুংদা মীরোল অমদগী অমদা মথং মথং থংথদুনা লাকপা অদুগীসু মথক্তা শৈশকপা অমগা শৈশকপা অমগা খেন্নবা কয়া লৈবা হৌনশানি। নৈনরিবসিদগী খঙবদি মীনকেতনগী তোনু লাইজিংলেম্বী নাটক অসি লোকসাহিত্যগী মচাক ওইনা লৈজবা ৱারী অদুদা মাগী কলাগী হৈ-শিংলবা খুৎশেমনা লোকসাহিত্য অমসুং সাহিত্য অনীগী ঈতিন্নবা তোপ তোপ্পা সাহিত্যগী খুদোলনি। অঙাংহলগী *খম্বথোইবী শৈরেংগী* ৱারীদা থাংজিং লাইনা শান্নবা লীলা শাদিং ওইনা

উৎখিবগুম মীনকেতনসু মাগী তোনু লাইজিংলেম্বীগী হান্না লৈজরম্বা ৱারীগা তিনশিন্নখিবদা অদুম চুশিন্নজখি। তোনু লাইজিংলেম্বীগী ৱারী মোইরাং শাইওনগী ৱারীশিংদগী অইবশিংবু তোইনা পৃক্লিং চিংশিনখিবা অমসুং য়াম্না পাম্নবা ৱারীনি। অদ্রোনচিংবদসু মখোয়গী থবক থৌরম কয়াদা ৱারী অসিবু শৈশঙ্কে। ঈশৈ ওইনা শৈশক্করিবা তোনু লাইজিংলেম্বীগী ৱারী মণিপুরী লোক সাহিত্যগী রোমান্তিক বেলেদ অমনি।

মীনকেতনগী *ঙাঙ্গোয় পরেং* ৱারেং মঙা য়াওবা লাইরিক্নি। ৱারেংশিং অসি লেজেণ্ডগী কাঙলুপ্তা চিংবা য়াবা ৱারীশিংনি। লেজেণ্ড হায়বসি মীওই কাঙলুপশিংগী মনুংদা থোকখিবনি হায়না থাজনবা মহৌশাদগী লীনদুনা লাকপা কনাগুম্বা হেন্দোক থোইদোকপা মীওই অমগা, লমদম অমগা নৎত্রগা থৌদোক অমগা মরী লৈনবা ৱারীনি। লেজেণ্ডগী ৱারীশিং অসি লাইতিনগী ধর্ম্ম কর্ম্মগী ওইবদগী মীওইবগী পুন্সিরোলগা চৎথমিন্নবা ৱারীশিংনি। ৱারীশিং অদুগী মরুওইবা চরিত্রনা তাইবঙ মীনা ওইগনি। ৱারীশিং অদুদা খুল হোংবগী, লাম্থেংনবগী, মায়পাকপগী, থৌনা ফবশিংনা তৌখিবা থবক থৌরমশিং, নিংথৌশিংনা ফম্বাল কাদুনা লৈঙাকখিবগী অসিনচিংবা য়াওরি। ৱাফম অসিবু উইলিয়ম আর বেসকোম্না অসুন্না হায়রি -

> Legends are more of ten secular than sacred, and their principal characters are human. They tell of migrations, wars and victories, deeds of past heroes, chiefs, and kings, and succession in ruling dynasties. (*1981:98*)

ৱাফমশিং অসিগা মরী লৈননা য়েংলকপদা *ঙাঙ্গোয় পরেং* দা য়াওরিবা *পুনম চীং, পোৎশংবম খোংনাং, ঙাঙোম ফুরা, খোংনাং হোগায়বী, অদ্রোগী মৈ* নচিংবা ৱারেংশিং অসিদা য়াওরিবা ৱারীশিং অসি থাঙ্গৈশেংবা ইতিহাসকসু নত্তবা অদুগা ঐখোয়গী কলচরগদি ইশম শম্নবা, ইখঙ-খঙবগুম্নসু তৌবা, অহল-লমনশিংনা থোকখি হায়না থাজনরম্বগী মশক অদুসু য়াওরি। ৱারীশিং অসি অয়াম্বনা ৱারী মখল অনী য়ানশিন্নবী মশকসু উবা ফংঙি। সুপরনেচরেল ওইবা মতাংসু ৱারী খরদা য়াওরি। ৱারীগী ষ্ট্রকচরদা অয়াম্বনা তাঙ্কক অনী থোক্লা শেমগৎলকপগী মশক্নি।

'পুনম চীং' হায়বা ৱারেংসিদা মীংথোল অসি করম্না খঙনরকখিবগে হায়বদিসা ৱারী অনী পুনশিন্নগা শেন্নকই। ৱারীগী অহানবদা মচীন মনাউ অনীগী ৱারী ওইনা হৌরক্লগা অমুক মথংদা রোমান্টিক বেলেদা ত্রেজেদী ওইবা ৱারী অমমুক পুশিল্লক্লগা অরোয়বদা পুনমচীং থোনখিবগী মতাংদা লোইশিল্লী। অসিগুম্বা ৱারীসি 'লোকেল লেজেণ্ড ওইনা খঙনবা য়াই। মথংগী ৱারেং 'পোৎশংবম খোংনাং' হায়বসিদনা সুপরনেচরেল ওইবা হেন্দোক থোইদোকপা মশক কয়া ৱারীদা য়াওরি। খুদম ওইনা চীংজেং নারল পাঙ্গনবনা

হেক পোকপগা ফুক হৌগৎতুনা চৎপা, বা ঙাঙবা, লৈবাক নিংথৌ য়াওনা মীয়াম হুপ্না থিংঙমদ্রবা ঈশিং ঈচাউগী পনবু ঙহাক্তদা থিংখিবা, পোকপদগী খোয়রী লিশাং খাওন্না লোয়নরকপা অদুনা পুন্সিগী অরোয়বদা তন্না খোংনাং পাম্বী ওইখিবা অসিনচিংবশিং অসিনা বারীসিদা সুপবনেচরেলগী মশক ওইহল্লি। বারীগী পোলোইনা ইতিলোজিকেল মাল্লবসু বারীগী অয়াম্বা শরুক্তা চীংজেং নারল পাঙ্গনবগী সুপরনেচরেল ওইবা থৌওংনা হেনবনা "supernatural beings and forces" হায়না লেজেণ্ড মখল অসিনি লৌবা য়াই। অতোপ্পা 'ঙাঙাম ফুবা' হায়র্দন্দনা মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বগী মতমগী ইতিহাসকী মচাক খরগা বিষ্ণুলাৎপা হৌবক-পগী মতাংগা শমজিন্নদুনা বিষ্ণুগী মতীক মগুণবু শাংনাংহ্নদুনা ফুবা শারগা ঈবাৎলকপগী বারী ওইবনিনা মিথোলোজিকেল লেজেণ্ডনি হায়বা যাই। 'খোংনাং হোগায়বা গী বারীসু ইতিহাসকী ওইবা চরিত্র অমদি বারী খরদা শাগৎলকপনা হিষ্টোরিকেল লেজেণ্ড ওইনা লৌগনি। 'অন্দ্রোগী মৈ' দনা ঙানবগা অঙৌপানবগা অনীনা লাম্বেংনবদগী হৌরক্লগা খাবনা লৈনুং থোঙারেনগী মনাক্তা চেন্নগা লৈখিবা অদুগা থোঙারেন্না পোইরৈতোনবু খুম্বোকউ থারক্রে। অসোমদনা অঙৌপানবনা নোংদা লাইরেল পাখংবা লাননেকউরে। অকনবা লান তৌগদৌরে মীপূম খুদিংমক শি-নবা তারে হায়দুনা লুবাং গুরু পুন্সিবনা বায়েক্লে। পোইরৈতোনগা নোংদা লাইরেন পাখংবগা লাম্বেংনবদা পোইরৈতোন তুরে, পাখংবনা লানঙম্লে। লুবাং গুরু পুন্সিবনা নোংদা লাইরেল পাখংববু ফম্বাল লাইজা ইখিক্রে কংলৈগী নিংথৌ অহানবা ওইরে। পোইরৈতোন্না মৈওক্রে অসুন্না নোংদা লাইরেল পাখংবনা ফম্বাল তোংবদা মৈওকখিবা মৈশেং মৈনি অন্দ্রোদা লৈরিবা মৈ অসি। অসুন্না অন্দ্রোগী মৈগী মরমদা ওইরবসু বাবী অসিদা মীগী শক্তিগী বাংমদা লাইগী ওইবা থৌওং কয়াসু য়াওরি অদুনা বারী অসি মিথোলোজিকেল লেজেণ্ডনি হায়বা য়াই।

মতৌ অসুন্না *ঙাঙ্গোয় পরেং*দা মীনকেতন্না শাগৎলক্লিবা বারেংশিং অসি কলচরেল হিষ্ট্রিদা য়ূম্ফম ওইরগা মণিপুরী লোকসাহিত্যদগী মিথ, লেজেণ্ড অমদি সুপরনেচরেল ওইবা বারীগী মচাকশিংদা য়ানশিন্নরগা অইবগী থোইদোক হেন্দোকপা কলাগী খুৎশেম অমদা শেন্নকপা বারীশিংনি। মীনকেতনগী খুৎইদা বারী লীবা, পাউদম্বা হৈবগী গুণ য়াম্না বাংই। বারীশিং অসিগা অমগা তোৎশিন য়ানশিন্নদুনা শেন্নকপা মতমদা লেজেণ্ডগী বারীদা থোকখিবা থৌদোক্লী হায়না থাজনবগী মশক্তু মাঙহন্দনা থম্বা ঙম্মী। অমরোমদা মাগী বারেংশিং অসি ইতিহাসতা লাচন্দুনদি লৈতবা খঙদদি কান্নবা লমদমসিগী য়াম্না মরু ওইবা বারী বাখোঙশিং অসিনা অপাবশিংদা ইশাগী ওইবা পোৎলমশিং অসিবু খঙহনবদা অচৌবা মতেং ওইরি।

মীনকেতনগী মৈতৈ হৌফমগী মরমদা থিজিনখিবা লাইরিক অমদি *মৈতৈ লাঙ্গৈরোল* (১৯৫০) নি। লাইরিক অসিদা মিথকী মশক ওইবা য়াম্না মরুওইবা ৱারী কয়াসু য়াওরি। ঐখোয় মৈতৈনা থাজনরিবা ৱাখল মিৎয়েংগী মতুং ইন্না তাইবঙ মালেমসি করম্না লৈশেমখিবগে, সনামহীনা করম্না য়ুম্লাই ওইরকখিবা, তাইবঙ মী করম্না শেম্নকখিবা অহানবা ওইনা অতিয়াবু লাই ওইনা লাৎখিবগী, মৈতৈশিংনা নুমিৎপু গুরুশিদবা মিংলেন অহুমদা হায়বদি মঙাং গুরু শিদবা, লুৱাং গুরু শিদবা অমসুং খুমন গুরু শিদবা হায়না নীংনখিবগী বারী, শাগৈ শলাইগী অপোকপা লাৎপা হৌরকপা অসিনচিংবা মিথকী ওইবা ৱারীশিং অসি অইবনা লাইরিক অসিদা লাচন্দুনা থম্লম্মী। মিথ হায়বসি *Standard Dictionary of Folklore, Mythology and Legend* দা অস্মন্না ইরি -

> A story, presented as having actually accurred in a previous age, explaining the cosmological and supernatural tradition of a people, their gods, heroes, cultural traits, religious belief, etc (*Leach, Maria 1984 : 778*)

মিথ হায়বসি থাঙ্গৈশেংনা মতম অমগী মমাঙঙৈদা থোকখিবা ৱারীশিংনি। অদুগা ৱারীশিং অদুনা মীওই কাঙলুপ অদুগী মীশেম লাইশেম; লাই তিনগী অমদি মখোয়গী ওইবা ধর্ম্ম কর্ম্মগী থাজনবী নাৎকী চৎনরোল কয়াগী মশক তাকই। ৱাফমশিং অসিগা মরী লৈননা *মৈতৈ লাঙ্গৈরোল*দা য়াওরিবা ৱারীশিং 'মালেম করম লৈশেমখি', 'নিংথৌ অহানবা কনানা ওইখি', 'মালেম করম খাদা চেপখি', 'সনামহী করম য়ুম্লাই ওইখি', 'তাইবংমী করম পোকখি', 'মীনা অহানবা করি লাই নীংথি', 'অমুক করি লাই অমগা নীংখি', 'কোনুং অহানবা কদাইদনো', 'জগোই করম পোকখি' অসিনচিংবা ৱারেংশিং অসিদা য়াওরিবা ৱারীশিং অসি মিথনি হায়না লৌগনি। মৈতৈ লাইরোলদা য়াওরিবা ৱাবেংশিং য়াম্না চম্না পংশাং শাংদনা অপাবশিংদা লাইনা খঙহনবা ঙম্বা খুৎইনি। লৈথক লৈখারোল গুম্বদি খঙবদা ৱাবা লুনা থোকপা লাইরিক ওইবনা অয়াম্বনা পাবা ঙম্নদে। মৈতৈগী বার্ল্ড ভিয়ুবু খঙহনবদা অচৌবা মতেং ওইগদবা লাইরিক্কি *মৈতৈ লাঙ্গৈরোল*। অসিগুম্বা লাইরিক অসি হৌজিক্কী মতমদদি নৌনা অমুক নমথোক্তুনা পুথোক্লুবদি হেন্না কান্নবা পিগনি।

কবি মীনকেতনগী সাহিত্য অকাদেমীগী মনা ফঙখিবা *অশৈবগী নিতাইপোদ* নি। লাইরিক অসিদা প্রেম কাব্য অনী খণ্ডকাব্য ওইনা 'পিয়ে থাদোই' অমসুং 'নুংশি ৱাখৈবা' য়াওরি। 'পিয়ে থাদোই' থোইবীগী ৱারীদগী নোংবানগী চরিত্রবু অনৌবা খুৎশেম অমদা মাইকেলনা রাবণবু শেমখিবা অদুগুম্না পুথোক্লকপনি। খম্ব-থোইবীগী ৱারীদি মীরোল কয়াদা চীম্থাংদা শরুদুনা লাকপদা অশৈবা কয়াগী শৈশক্লা ঈতিনদুনা শেমথ্রবা চাউ শাংলবা

মণিপুরী লোকসাহিত্যগী ফোক এপিক অমা ওইনা পৃথিবীগী ফোক কলা খুৎশেমদি ইমেজিনেটিভ আর্টতা শাগৎলকপনি। কবি চাউবনা মাঙজৌননা উৎলম্লবা নোংবানগী আত্মানা পি থাদোই হায়রিবা চেক্লা ওনখিবা অদুগুম কবি মীনকেতনসু খোইরেন্তক্কী লমদমদা নোংবানগী আত্মানা চেক্লা পি থাদোই ওইখিববু য়েক্লকই। কবিগী ইমেজিনেসন্না থাদোইগী নুংশিববু লোইবা খম্বা নাইদবা লেঙদবা শেংলবা থম্মোয়গী ওইবা অশেংবা নুংশিবা অমা ওইনা শাগত্তুনা প্রকৃতিগী পোৎলম খুদিংমকপু থাদোই ওইহল্লগা বিশ্বপ্রেমগী থাক্তা থাঙ্গৎলকপা 'পিয়ে থাদোই' নি। শুপ্নদংগী চরিত্র, ৱারীগী হৌফম অদুতং লোকসাহিত্যদগী লৌরুবগী ৱাতনি পিয়ে থাদোই' দি কবিগী অথোইবা কলাগী খুৎশেমনি। অতোপ্পা কাব্য 'নুংশি ৱাখৈবা' হায়বসিনা ইতিবেন চলাম্বগী নুংশি ৱাবীদা য়ুম্ফম ওইরগা ইরকপনি। লাইরিক অসিগী ৱাহৌদোক্তা কবিনা - "মৈতৈ অশৈবগী প্রেমতত্বগী মঙালদা অপামগী শক্তম, নুংশিগী শক্তম অমদি অনীগী মবী পান্দুনা শকপনা নিতাইপোদ' সিগী শৈশক্লি" (*অশৈবগী নিতাইপোদ, বাহৌদোক*, লা. খ) হাযরল্লিবসিনদি ৱাবী অসি মৈতৈগী ৱারী ওইনা লৌখি হায়বসিনি। 'নুংশি বাখৈব'দা যাওরিবা ইতিবেন চলাম্বগী ৱাবী মণিপুরী লোকসাহিত্যদা য়ুঙ্গাৱারীগী মখলদা বোমান্টিক তেলনি। কাব্য ওইনা ইথোক্লবা ৱারীসিদা কবিগী থোইদোকপা হেন্দোকপা কলাগী খুৎশেম অদুমক লোযনবি। খণ্ডকাব্য অমগুম পিকখ্রবা কাব্যসিগী খুৎইগী ষ্টাইলদা মচল শুনা যাওবি। অহৌবদা মঙ্গলাচরনগী মশক্তা শৈদমশৈনি হায়দুনা বারী *হৌদ্রিঙৈদা* কবিনা মহৈগী লাইবেম্বীদা নিজবা অমগা লোয়নননা শৈহৌই। অদুগা লীকথক, লীকখা, লীক্লক, লীকযায, লীকথাং, লীক্লোই, লীকখোম হাযনা তেন্না তেন্না তাঙ্কক তবেৎ থোক্লা খাযদোক্লি। কবিনা ৱাবী অদুতং মণিপুরী লোকসাহিত্যদগী লৌরুবগী বাতনি কাব্যগী অথোইবা খুৎশেমদি কবি মশাগী ওইনা শেমখিবনি।

অতোপ্পা মণিপুরী লোকসাহিত্যগী মচল অমা ওইনা মীনকেতনগী খুৎইদা উবা ফংলিবদি মণিপুরী ফোকসোংনি। মীনকেতনগী *পুনশিগী শক্তম* (লারোল অনী) পন্দুপ নিপান যাওবদা লাইবিক অসিদা অইবগী অঙাং ওইবিঙৈগী পুন্সিবু নীংশিংবা, মতম অদুগী সমাজগী অকনবা নীতি নিয়ম চৎনরোল কয়াগা লোয়নননা চাউবকপা পুন্সি, মতম শাংন তানশিল্লক্রবা জ্ঞান লৌশিং অমসুং লমদমসিগী খঙনীংনা থিখিবা কলচরেল হিষ্ট্রিনচিংবা মযাম অসিগী অপুনবা মশক য়াওরি। লাইরিক অসিদা মণিপুরগী নিংথৌ পাল্লকপা লৈবাক্কী বারী ৱাখোঙ অমদি বিশ্ব কবি রবীন্দ্রনাথপু তত্তনা নীংশিংদুনা মাগী শৈবেংগী মতেক মতেক মতাং চাবদা হাপ্লি। লাইবিক অসিদা অইবনা মাগী মতমগী সমাজবু অসুম্না তাক্লি -

> মতম্না কুনসুবা শতাব্দীদা খোঙদাববসু লৈরি ধর্ম্মগা সমাজগা অনীদি অদুনোং তবাগা মাপলশুবা শতাব্দীগী মহাবাজ চন্দ্রকীর্ত্তিগী যুগতা অদুম।   অমবোমদা হায়বগনা,

কুনসুবা শতাব্দীগী চৈগোক্তি তবাগা মাপলশুবা শতাব্দীগী ধর্ম্ম অমসুং সমাজনা পুই।(১৯৮৩,১৯ ২০)

বাফমশিং অসিনা মীনকেতন্না লৈবকখিবা সমাজ বৈষ্ণবকী অকনবা ধর্ম্মগী চৎনবীশিং যাম্না কন্না ঙাক্লিবা সমাজনি। অদুবু অসিগুম্বা সমাজ অমদা চাওবক্লবসু অসিগুম্বা ধর্ম্মদা থবায হকচাং লুপ্লবসু মৈতৈগী ওইবা লাই তিনগী বাবী ৱাখোঙশিংসু মীবাইবা তৌখিদে, লেপ্তুনা থিখি। হাযবিবসি মাগী *মৈতে লাঈবোল* না প্রমাণ অদুম ওইজে। লৈশেমলোনগী বাবী কুপ্না খঙখিবা অইবনা নীংশিংলি পুনশিগী শক্তমগী মতাং অমদসু লাই হবাওবগী লৈশেম জগোয শাবদা শরুবিবা ঈশৈ -

অৱাং কৌরু অসুপ্পা।
লোইনাই খুন্দা অহানবা।।
চাবীক মপাল থাবা।
নোংথ্রৈ মউ লিংবা।।(১৯৮০,লা ২৫)

অসুম্না লমদমসি লৈশেমঙৈ লাইগা মীগা শম্নবগী বাবী বাখোঙ কযাসু লাইবিব অসিগী অহানবা অমসুং অনীশুবা মতাংদা মমুৎ তানা ইবি। ঈশিং তবং ওইনা লৈবম্বা লমদমসি শিবগী ত্রিশুলনা চীংনুংহুৎ শেম্লগা ঈশিং চিথবগা কংলৈ শেমখিবগী শাবীবুস, অইবনা মতাং অমদা পাউদমলি। অদুগা অমুকসু লাই হবাওবদা শরুবা ঈশৈবু নীংশিংলি

চেক্লা পাইখববনা
।.পাম্বী হঞ্জিল্লবপদা
চেক্লাগী লৈফম খঙদবনা
পোম্বী কংঙাওনবেদা।
শাবী ইনেম্মচা নুংশিবা
চীংনুংগী সনা লোক্তগী
পাইবিবক্লোদা।(১৯৮৩,লা ৩৩-৩৪)

অসিগুম্বা মৈতৈগী মৈহৌবোলদগী লোযনবক্লবা হৌজিকসু অদুমক শরুবিবা ফোকসোংশিং লাইবিকসিগী মতাং কযাদা হাপচিন্দুনা অপাবশিংদা তোঙানবা মহাউ অম পীবি। পুনশিগী শক্তমদা যাওবিবা অতোপ্পা ফোকসোংশিংদি অঙাংশিংনা শকপা ঈশৈ অমসুং নুংশি নুংওনগী ওইবা খুল্লং ঈশৈ অসিনচিংবনি। অদুম ওইনা অঙাংশিংনা শান্নবদ শকপা ঈশৈশিং -

নুংশা ও থোরক্লো,
উরুমলৈমা চঙ্খরো,
কবো লৈতে ফিরৈতে —
কোনারাবা তীং তীং (লা. ১০০)

(য়াওশঙ কোয়বদা শকপা ঈশৈ) -

হরি (হরি) বোলা —
হে হরি।
কনা কনা লৈ —
ঐখোয় লৈ।
শ্যামমালা —
উরীরৈ।
গন্ধরাজ —
চিগোংলৈ।
পুথ্রীমপাল —
কবোক্লে
লাইশং ময়া —
সনারৈ। (লা. ১৭৭-৭৮)

মথক্কী অসিতা নত্তনা নুংশি নুংওনগী তানদুনা শকপা খুল্লং ঈশৈ অমসু বাংঙু লাইরেম্মগা চাইরেল লাকপগা থান্দ্না শকখিবা ঈশৈবু অসুম্না ইরম্মী -

হা ইবুং হিহোনবা,
নৌদ্রি কায়দোই শূবা!
শমু পাম্বোম চোক্লা উই,
বাংলৈ মিকুপ পোথারো।
লৈরাং লৈখোং হাঙলিয়ে,
চিল্লো লৈরাং লৈখোং কোই।
হৈরাং হৈখোঙ শংলিয়ে
চারো হৈরাং হৈখোঙ কোই।

নুজা নঙবু শকহেনবী,
বারৌগনু ফজবী!

শীংঙেল লৈখোং শঙলিঙৈ
তাউজিং হৈখোঙ শেল্লিঙৈ
মীনা খোঙ্গা হানখিনি
চীংফম উবোং খিনখিনি।
যবোইদৌবে মতাংনা
ৱাবৌবনু নুজানা। (লা ২১৬-১৭)

মতৌ অসুন্না ফোকসোংগী মখল কযা লাইবিক অসিগী মতাং কযাদা অইবগী পুন্সিগা চানবা মতাং মতাংগী ৱাবীগা চাননা যাওবি। লোযননা লাইবিক অসিদা নিংথৌ পাল্লিঙৈগী নিংথৌশিংগী বাবী মতেক মতেক অমসুং লেজেগুগী ওইবা ৱাবী কযা লাইগা মীগা শম্নবিঙৈগীনি হাযবা বাবী মতেক মতেক খবসু যাওবা থেংনৈ। পুন্সি ৱাবীনি হাযদুনা হে ক্রা ইচম চন্না ৱাবী পবীং অমদা ইবা নত্তে। মীনকেতন্না হৈকবা খঙলুবা হীবম মযাম অমগী জ্ঞান লৌশিং অমদি লমদমসিগী কলচবেল হিষ্ট্রি কযা হাপ্লগা ইবকপা অদুগুম্বা পুন্সি বাবীনি।

হৌজিক থমজনীংলিবা মকওইবা বাফমদি লোকসাহিত্যগা সাহিত্যগা লৈনবা মবীদি মতম পূম্বগী ওইনা তৎন থানবা যাদ্রবা মবীনি। অদুনা অইবশিংনা ফোকলোবগী মনুংচনবা লোকসাহিত্যগী মচাকশিং সাহিত্যদা লৌবকপা হাযবসি হৌনশানি। সাহিত্যদা লোকসাহিত্যগী মশক চঙশিল্লকপা নৎত্রগা অইবনা লৌবকপা হাযবসি মশাগী কলচববু মশক খঙবা উৎপনি। সাহিত্যগা ফোকলোবগা অনীগী লেনবিবা মবীগী মবমদা অবচব তেলব (Archer Taylor) না হাযবম্বা বাফম খবা যেংবদা কান্নগনি

1) folklore is, in many cultures, indistinguishable from literature
2) literature contains elements borrowed from flokloie, and
3) Writers have imitated folklore *(1965 37)*

বাফমশিং অসিনা কলচব খবদা সাহিত্যদগী ফোকলোববু তোখাযনা খাযদোকপা যাদনা লৈবি, সাহিত্যদা ফোকলোবদগী পুবকপা মচাক কযা যাওবি অমসুং অইবশিংনা ফোকলোববু মতৌ তম্মী হাযবসি ফোঙদোক্লি। জাতি অমগী সাহিত্যগী খোঙজেন্দা মহাক্লা হাযবল্লিবা ৱাফমশিং অসি নৈনদুনা যেংবদা অচুম্বা কযা শোযদনা থেংনগনি। ঐখোযগী মণিপুবী সাহিত্যদা যেংলুববসু অদু মঙাই। অবিবা মণিপুবী সাহিত্য হাযবসি লমদমসিগী লাইওইশ্রবা ইপা ইপুশিংদুনা লাইগা মীগা শম্নবিঙৈগী লাইবোন তিনলোন ওইনা তৌবা ৱাবী ৱাতাই, ঈশৈ নোংমাইশিং অদু ইথোক্লম্বনি। অদুনা মতমসিগী সাহিত্যদি

ফোকলোরগা খায়দোক্লবদা ঝানা থোক্কনি, লোকসাহিত্য অদুমক সাহিত্য ওইনা ইথোক্লম্বগী মশক য়াম্না য়াওরি।

অমরোমদা মীনকেতন অমসুং মণিপুরী লোক সাহিত্য হায়বসি য়াম্না চাউনা নৈনবা য়াবা হীরমনি। অইবা সাহিত্যগী মরুওইবা পান্দমদি কলচর মশক তাকপনি, সাহিত্য হায়বসি কলচরেল এক্সপ্রেসননি। অদুনা লম অমগী সাহিত্যগী মনুংদা লমদম অদুগী কলচরগী মচাক কয়া য়াওরি। করি অমুক হায়গনি সাহিত্যদি কলচরেল কেতেগোরি ওইরিবনি। মণিপুরী কলচর অমসুং মণিপুরী লোকসাহিত্য অনীনা থবায়গা হকচাংগা ওইরগা শাগৎপা অশাংবম মীনকেতনগী সাহিত্য মণিপুরী সাহিত্যদা তোঙানবা অচৌবা ত্রেদিসন অমনি। ফোকলোর খঙবনা মাগী সাহিত্যগী অরাংবা গুণ খঙবা ঙমগনি। মীনকেতন্না ঐখোয়গী কলচরবু অরাংবা থাক্তা থম্বীরম্বা, ফোকলোরনা সাহিত্যগী থবায় হাপ্পীরম্লিবা অসিমক অতৈ লৈবাক অমগী সাহিত্যগী নৈনরোলগী মপাল তাংদনা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা, হিংজবা ঙম্বা মণিপুরী সাহিত্যগী গুণ অদুগী মশক লেপ্প্রস্পনি হায়বদা হায়মনবা থোক্রোই। ❑

মতেং লৌখিবশিং

১। সিংহ, অশাংবম মীনকেতন, *তোন্‌-লাইজিংলেম্বী,* ১৯৪৯, ইম্ফাল, ফ্রেন্দস ইউনিয়ন প্রেস, ১৯৭৬

২। সিংহ, অশাংবম মীনকেতন, *মৈতৈ লাঙ্গৈরোল,* ইম্ফাল, ফ্রেন্দস ইউনিয়ন প্রেস, ১৯৫০

৩। সিংহ, অশাংবম মীনকেতন, (হন্দোকপা), *মেঘনাদ বধ কাব্য,* ইম্ফাল, ফ্রেন্দস ইউনিয়ন প্রেস, অহুমশুবা খৃৎনম, ১৯৬৬

৪। সিংহ, অশাংবম মীনকেতন, *অশৈবগী নিতাইপোদ,* ইম্ফাল, ১৯৭৬

৫। সিংহ, অশাংবম মীনকেতন, *ঙাঙ্গোয় পরেং,* ১৯৪৯, ইম্ফাল, ষ্টেট কলা একাদমী, অহুমশুবা খৃৎনম, ১৯৮০

৬। সিংহ, অশাংবম মীনকেতন, *পুনশিগী শক্তম* (লারোন অনী), ইম্ফাল, মেসার্স আর বি প্রিন্টিং হৌস, ১৯৮৩

৭। সিংহ, অশাংবম মীনকেতন, *মণিপুরী লোকসাহিত্য,* আই আর বাবু সিংহ (সম্পাদক), মণিপুরী ঝারেংদা য়াওবা, ইম্ফাল, দি কলচরেল ফোরম, তরেৎশুবা খৃৎনম ১৯৯৯

৮। সিংহ, ডাঃ আই. আর. বাবু, মীনকেতন অনুবাদ সাহিত্য, পোলেম নবচন্দ্র (সম্পাদক) *মীনকেতন নৈনবা,* ঝারেংদা য়াওবা ইম্ফাল, নাহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি ১৯৯৭

৯। সিংহ, এলাংবম নীলকান্ত, *হৌজিক্কী সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতি,* ইম্ফাল, রাইটরস ফোরম, ১৯৯৮

১০। সিংহ, ডাঃ নোংমাইথেম তোম্বী, *মণিপুরী সাহিত্যগী ৱাবেং খবা,* ইম্ফাল, বাইটবস ফোরম, ১৯৯৪

১১। সিংহ, ডাঃ নোংমাইথেম তোম্বী, মীনকেতনগী ৱাবেং সাহিত্য, পোলেম নবচন্দ্র (সম্পাদক) *মীনকেতন নৈনবা বাবেংদা* যাওবা, ইম্ফাল, নহাবোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি, ১৯৯৭

১২। সিংহ, ধবমনি সবাংথেম, *মোইবাং শাইওন* (অনীশুবা শরুক) ইম্ফাল, মেলি প্রেস, শিংজমৈ, ১৯৮৪

১৩। সিংহ, লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল অমসুং নিংথৌজম খেলচন্দ্র (সম্পাদক), *চৈথাবোল কুম্পাপা,* ইম্ফাল, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, অনীশুবা খুৎনম, ১৯৮৯।

১৪। সনাতোম্বী এস, মণিপুরী লোক সাহিত্য হাওবম তোম্বগী লীলা, *বাখল,* ১২৪/১২৬ শুবা মশীং, ২০০৪-০৫

১৫। সিংহ, হবাইবম নবদ্বীপচন্দ্র, *তোনু লাইজিংলেম্বী কাব্য,* ইম্ফাল, মণিপুর নহাবোল সাহিত্য সভা, ১৯৮৩

১৬। সিংহ, হিজম গুণ, *তোনু লাইজিংলেম্বী শৈথাবোল,* ইম্ফাল লমযানবা প্রিন্টার্স ১৯৯৭

১৭। Bascom William R *Contributions to Folkloristics* Meerut Archana Publications 1981

১৮। Dorson Richard M (ed) *Folklore Folklife An Introduction* Chicago The University of Chicago Press 1972

১৯ Dundes Alan *The Study of Folklore* N J Prentice Hall Inc Englewood Cliffs 1965

২০। Leach Maria (ed) *Standard Dictionary of Folklore Mythology and Legend* New York Harper & Row Paperback 1984

২১। Sanatombi s *Aspects of Manipuri Folk Literature Folklore* Vol 32 No 10 Calcutta 1991

২২। Utley Francis Lee *Folk Literature An Operational Definition in Alan Dunde*

২৩। *The Study of Folklore* N J Prentice Hall Inc Englewood Cliffs 1965

ঐখোয়না খঙহৌবা মীনকেতন

ঐনা খঙজহৌবা মীনকেতন

রাজকুমার ঝলজিৎ সিংহ

কবি মীনকেতনবু ঐনা ইহান হানবা ওইনা উখিবসি খৃষ্টাব্দ ১৯৪৫ দনি। হায়রিবা চহী অসিদা ঐহাক কলিকাতা বিশ্ববিদ্যালয়গী আই. এ. পাস তৌরে। মখা বি. এ. তমথবদু কলিকাতাদা ওইনা তম্বা ঙম্লা য়েংগে হায়দুনা ঐহাক কলিকাতাদা চৎলি। কলিকাতাদা মণিপুরী হোটেল অমা ৩৪/১ কোলেজ ষ্ট্রীট্রা লৈরম্মি। ঐ হোটেল অদুদা থুংই। ঐ ইতোমদা থুংবদি নত্তে, কলিকতাদা তম্লীংবা, নৌনা আই. এ. এস. সি. পাস তৌবা মণিপুরী মচা অহুম মরিসু য়াওই। লাইবক ফবা হায়গদ্রা কবি মীনকেতনসু মতম অদুদা হোটেল অদুদা লৈবম্মি। মদু কবি অসিনা নবদ্বীপ কুম্বা, বৃন্দাবনগুম্বা তীর্থ লেঙলুবদগী হল্লকপা ওইগদ্রা হায়না খল্লি। ঐ হংবদি হংলুদে। মতা চারুবা হায়বদুনি - কবিনা লৈরিবা কা অদুগা ঐখোয়না লৈরিবা কা অদুগা হেক থংনৈ। কা অনীদুসু ফাওনৈ। কা অনীদুগী ফাওননবা থোঙজাউ অমা লৈ। থোঙজাউ অদু হাংদোকলবদি কা অনী অদুদা লৈরিবা মীশিং অদু শক উনৈ।

কবি অসিনা ফমুংদা মায় নোংচুপ ওন্দুনা ফম্দু ঐনা ঐখোয়গী কাদগী ফজনা উই। মহাক মীওই মীতৌ ফজে। লেপ বাংই। লেপকা ঙানগা য়েংনবদা লেপ্পা ঙম্মি। অদু ওইদুনসু মহাক যাঙ্কংবদি নত্তে। সনা অহিংবা কুচুনি। চকচাং লূ-নাল্লি। কে-বা হায়বদুদি নত্তে। মহাক খোঙ্গাউ শেত্তে। ফেজোম শেৎলি। কলিকাতাদি গৌহাটীদগী হেন্না শাই। মরম অদুনা মহাক ফুবিৎ মচা অমত্তমক লিৎলি।

ঐহাক মীনকেতনগা মতম অদুদা ৱা ঙাওনগে হায়দুনা হোৎনরুদে। ৩৪/১ কোলেজ ষ্ট্রীট্রা লৈদুনা লাইরিক তম্বদি য়ারোই; মদুদি ছাত্র ঙাক্তগী লৈভম নত্তে। হোষ্টেলদা সীট্টি পাক ফংলোইদবনিনা খরা হোঙবা হোটেল অমা ঐনা থিরম্মি। অদুবু মতম অদুদা খ্বাইদগী হোঙবা হোটেলদি নোংমদা লুপা ৩ (অহুম) লৌই। থাদদি লুপা ৯০ (মরিফুতরা) রোম তারে। ঐনা ফংগদবা বৃত্তিদি থাদা লুপা ৩০ তনি। গৌহাটীদা তম্লবদি, হোষ্টেলদসু সীট ফংগনি। লুপা ৩০ অদুনা থা অমগী অয়াম্বা কোন্নরনি ৱাৎলবসু

পঙবাৎ বাৎলবোই। কলিকাতাদা বি এ তম্বদু পৈসা যাম্না চঙমল্লনি হায়দুনা ঐ গৌহাটিদা হল্লকই। কবি মীনকেতনগা কুইনা উন্নবমদে।

গৌহাটিদা ঐ বি এ লোইবগা কলিকাতাদা এম এ অমদি লো তমখি। মতম অদুদা *মুক্তি* কৌবা থা ৩/৩ দা ফোঙবা মণিপুবী মেগজিন অমা ঐনা সম্পাদক ওইজবম্মি। মেগাজিন অদুদা ফোঙনবা প্রবন্ধ অমা মীনকেতন্না থাবিবকই। প্রবন্ধ অদু 'হঙোই লম্মোন' কৌই। মতম অসিদা মণিপুব সংস্কৃত পবিষদকী মুখপত্র *জ্যোতি* কৌবা অমসু লৈবম্মি। মদু মীনকেতন্না সম্পাদন তৌই। ঐনা বেকোর্ডতা থেংনজবদা, মণিপুব সংস্কৃত পবিষদ শেম্নবা তৌবা অচৌবা সভা অদুদা শ্রী মীনকেতন্না সভাপতি ওইখি। হায়বিবা মতম অসিদা ঐহাক শ্রী মীনকেতনগা খঙনদ্রি, চুম্না ঐহাক্না খঙবতা মঙাইবি। অদুবু, মহাক অমদি ঐজ্ঞা শিবদত্তনচিংবা সংস্কৃত প্রেমী শিংনা লিংখৎপিবম্বা সংস্থা অদুনা হৌজিক সংস্কৃত কলেজ অমা চলাইবি, সংস্কৃতকী সেবা তৌবি। মণিপুবদা সংস্কৃত শন্দোকপদা মীনকেতনগীসু অংশদান লৈ।

লাইখিক তম্বা লোইবগা ঐহাক মতম কুইনা মণিপুব ষ্টেট কংগ্রেস কমিটিগী জেনবেল সেক্রেটবী ওইবম্মি। মতম অদুগী কংগ্রেস ওফিস অসি রূপমহলগা হেক তাইননা লৈবম্মি। বানা মখোং ওইবা, লৈবাক্না ফক্লাং বাই তৈবা, লৈমায় অস্ত্র তৌদবা ইচম চম্বা ওফিসনি। থবক তৌবদা ঙাইহাক পোত্থাবা ওইনা রূপমহলদা পোৎফম ফম্বীশিংদগী, কমলা, চম্প্রা, কিহোম্নাচিংবা ঋতু ঋতুগী হৈ লৈ দুনা চায়। কবি মীনকেতনসু রূপমহলদা মতম অদুদা যাম্না তোইনা লেঙলকই। ঐহাক্না কৌনবদি কৌনদে। মবমদি ঐহাক মতম অদুদা মাহাক্না খঙনদ্রি। অদুম্নদি ওইবগা মহাক্না মহাক্কী মরূপ মপাং শিংগা শাবা বাবী অদুদি মবক মবক্তা তানম্মি। বাবীশিং অদু অচম্বা অমত্তা যাওদে। মোইবাং কংলৈবোনগী বাবী ওস্না মণিপুবগী হৌখ্রবা মতমগী বাবীগুম্বা ঙাক্তনি। বাবেম চাইঙাঙ থোইদোকপা যাওদ্রে। নাট্য অমাদি কলাগা মবী লৈনবা ঙাক্তনি।

হৌজিক এল এম এস লো কোলেজ কৌবিবা অসি মমাঙদৈদা মণিপুব লো কলেজ কৌবম্মি। কোলেজ অসি খৃষ্টাব্দ ১৯৫৯ দগী ডি এম কলেজদা হোংলকলে। ডি এম কলেজ (সাইন্স) হায়বসি আর্টস, সাইন্স, কোমর্স লোয়না পুল্লম্মি। লো কোলজগী ওফিসনা হৌজিক কেন্টীন ওইবিবসিগী হেব নোংপোক থংবা কা অদুদনি। মতম অসিদা মীনকেতন ডি এম কোলেজদা ওঝা ওইবম্মি, মণিপুবী বিভাগতা। ঐহাক খৃষ্টাব্দ ১৯৫৮ দগী লো কলেজদা ওঝা ওইবে। অদুনা, খৃষ্টাব্দ ১৯৫৯ দগীদি ঐহাক মীনকেতনগা যাম্না তোয়না ডি এম কোলেজ কেমপস্তা থেঙনবে। কৌনবদি কৌনদে। লো কোলেজগী

ওফিসকী মমাঙগী লম্বীদু মহাক্কী লম্বীনি। অদুনা, মহাক্কা মহাক্কী মরূপ মপাং ওঝাশিংগা ৱারী শাবদু ঐনা তাগে হায়না তারুদুনা য়াম্না তোয়না তায়। ৱাচোই য়াওদে; সাহিত্যগী মরমদা শাবা ৱারী ঙাক্তনি। 'চাউবা কবিনা লৈতবদা' হায়বা ঐগী কবিতা অমা লৈ। নোংমদি, মীনকেতন্না ঐগী কবিতা অদুগী মরমদা মহাক্কী মরূপ মপাংশিংদা ৱারী শারম্মি। মহাক্কা মহাক্কী মরূপ মপাংশিংদা ৱারী শাবদা হায়রিবা ঐগী কবিতাসি ফজৈ হায়না থাগৎলম্মি। মীনকেতন্দি ঐ লৈ হায়বদি উবা নত্তে। মহাক্তি ৱারী শানা শানা মহাক্কী য়ূমদা হনবনি।

কবি মীনকেতন য়াম্না কুইনা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী কার্য্য কারিণী সমিতিগী সদস্য ওইবিবম্মী। খৃষ্টাব্দ ১৯৬৬ তগীদি ঐ সমিতি অসিগী সদস্য ওইরে। অদুনা কবি মীনকেতনগা খঙনরে। পোইরৈতোন্না মণিপুরদা লাক্তুনা খুন্দারবগী ৱাদি খ্বাইনা খঙনৈ। পোইরৈতোন অসি কদোমদগী লাকপগে? হৌজিক ম্যানমার কৌরিবা অসিদগীরা? নৎত্রগা নোংচুপ লোমদগী হাযবদি ভারতকী মফম অতৈদগী লাকপবা। ঐহাক্না অহানবদা খল্লম্বসি পোইরৈতোনসি নোংচুপ লোমদগী লাকপনি। মতম অসিদা মীনকেতন্না হায়খি- "ঐদি ডিসেন্ট তৌগনি"। হায়বিবা থৌদোক অসিগী মতুংদা ঐনা থা খরামুক গবেষণা তৌই। হৌজিক্তি ঐহাক চপ চানা খঙলে অমদি ইখ্রে পোইরৈতোনদি অপ্পব বর্ম্মাদগী লাকপনি।

কবি মীনকেতন্না নোংমা ঐঙোন্দা বারী শারম্মি, মোইরাংপর্বদা খম্বনা শগোল তোংদুনা শরোন চৎলগা খোইবী উনবা চৎখিবসি চন্দ্রকীর্তি মহারাজনা হাপলম্বনি; মহৌশা যাওরমদে। হাপ্লিবা অসিগী মবমসু মীনকেতন্না ঐঙোন্দা হাযবিরম্মী। ঐনা মুন্না খল্লবা তুংদা, মীনকেতন্না হায়বসি চুম্মি হায়না লেপ্পি।

গ্রীসকী মিথোলোজীগা মণিপুরগী মিথোলোজীগা যাম্নমক মান্নে। শূপ্নগী খুদম অমতং লৌখৎলবদা তাইবঙমীনা খোংজোংনুবী ওইখিবগী ৱারী। খোংজোংনুবীসি টেলিস্কোপ যাওদনা চুম্নগী মীৎনা য়েংবদা থবানমিচাক তরুকনি। গ্রীস্কী ৱারীদা মসি নুপী তরুক্না ওইখিবনি। নুপী তরুক্না বন অমদা শাদানবা চৎপদা ওরিয়া কৌবা টিটান অমনা মখোয়বু ফাগে হায়দুনা তান্নরম্মি। নুপী তরুক অদুনা নুংশা থীনা চেনবদু উবদা লাইশিংনা মখোয় তরুক অদুবু থৱান্মিচাক ওলহল্লম্মি। মখোয়না ওইখিবা থৱান্মিচাক তরুক অদুনি, হৌজিক খোংজোনুবী কৌরিবসি। মণিপুরগী বারীদসু খোংজোনুবীগী থৱান্মিচাক তরুক অসি লুরাং নুপী মতা তরুকনা ওইখিবনি। নুপী তরুক অসিবু সোরারেন্না খবান্মিচাক ওলহনখিবনি। মীনকেতনগী, মত্তা, গ্রীসকী ৱারীগা মণিপুরী ৱারীগা মান্নরিবসি মান্নফম

থোক্লুনা মান্নবিবনি। মান্নফম থোকপদু কবিগী মান্নভম থোকলিবনো হাযবদু ব্যাখ্যাদি তৌবিবমদ্রে। ঐহাক্কী মত্তদি - গ্রীক, রোমান, মণিপুরী, অমসুং ভারতকী হিন্দুশিং অসি নাষ্ট্রৌগী মাযকৈদদি আর্য্যদগী পোলকপনি। পলেমগী মাযগৈদনা তোঙান তোঙানবা জাতিগী নুপীশিংদগী পোক্লকপনি। কবি মীনকেতনগী মরমদা হাযজনীংবদি যাম্না লৈ। মতম্না তেনবনা খরদং হাযজবনি। ❑

ঐনা খঙহৌবা মীনকেতন

পাওখোহাং হাওকিপ

ওঝা অশাংবম মীনকেতন সিংহগী চহী ১০০ শুবা মপোক কুমওন লোইশিনবগী থৌরম অসিদা মাগী মরমদা খঙহৌবা খরদং পনজবা তারবদি ঐনা খঙবা মতুংইন্না মহাক অসি মণিপুরগী মনুংদা শীংথাবা য়াবা শক্লাইবা ওঝা অমনি।

ইহান হানবদা মতীক চাবা ক্লালিফাইড ওইবা নুপা অমা ওইবা মবম্না রেভিনুইউ ডিপার্টমেন্ট তা ওফিসার অমা ওইরমই। মসিদা মহাক হৈনখিদে, মানা পামজবা মফম ওইরমদে মফম মরাং খঙদবা অচুম্বসু লালহনবা অরানবসু চুমহনবা ডিপার্টমেন্ট নি হায়দুনা মতম চানা থাদোকখি।

অনীশুবদা শ্রীযুৎ বুধচন্দ্র সিংহ, হিজ হায়নেস দি মহারাজ ওফ মণিপুরগী মতমদসু মতম খরা এডভাইজব ওইনা লৈরমই, মসিদসু মহাক মফম মরাং খঙদবা, অচুম-অরান য়েংদবা নিংথৌগী শাসন্নি হায়দুনা থাদোকখি।

মতাং অসিদা নীংশিংবা য়াবদি হায়রিবা ডিপার্টমেন্ট অনীসিদা মতম খরা কুইনা লৈরম্লবদি চিফ কম্মিসনরগী অনৌবা এডমিষ্ট্রেটিভ সেট-অপ লাকপা মতম অদুদা মহাক সেক্রেটরিয়েট সার্ভিসতা চঙলমগনি অমসুং মথং মথং প্রমোসন ফংদুনা আই. এ এস. ওফিসার অমা ওইরম্বা য়াই. মরমদি মতম অদুগী ইচম-চম্বা এল. ডি. সি খরসু আই. এ. এস ওফিসার ওইবা য়াওনরে। মসিনা তাকপদি মহাক অচৌবা ওফিসারগী ফম পাল্লমদে।

মথংদা সোক ১৯৪৯-৫০ অদুবাইদা ঐনা ছাত্র ওইরিঙৈদা মহাক জোনষ্টোন হায় স্কুলদা হিষ্ট্রিগী এসিস্টেন্ট টিচর ওইনা চঙলকখি অমসুং ঐগা থেংনখি। মহাক লাইরিক তম্বিবদা য়াম্না থরায় য়াওই অমসুং ফৈ, ময়াম্না মাবু থাগৎলি। হিষ্ট্রি তম্বিবদা ইংরাজিসু অদুম য়াওহনখি, ইংরাজিগী অরু-অরুবা অর্থ, পংচুয়েসন, বাহং অমসুং পাউখুম অদুম নৈনবিখি, নোকমী-নোকমী তৌদুনা তম্বিরম্বা শকফম অমসুং ঙাঙথোক্লকপা খোঙ্হোক

অদু হৌজিক ফাওবা বাখলগী মিত্তা পক্কুনা লৈরি অমসুং কাউবা ঙমদ্রি। মণিপুরী সবজেক্টসু অদুম য়াওহল্লি - মতম অদুগী অখন্নবা মৈতৈ লোনগী সবজেক্টতি ডা কমলগী উপন্যাস *মাধবী* নি, পোপুলাব কোযসন্না লাইরিক অসিদা নুপীগী রোলদা মরুওইনা পার্ট লৌবদি উবীরৈনি, মঙোন্দা মিংথোল অসি পীদনা কবিগী মাধবীদা পীরিবনো ? শন্দোক্না তাকউ। মতাং অসিদা ওঝা মীনকেতনগী মত-তি অতৈগা খরা খেননৈ, মানা হায়বদা - মিংথোল পীবদা থোইনা লুনা খনগনু, পীনীংবা থোননীংবা অমদা হেক্তা পীউ অদুবু মৈতৈলোন চুন্না শেংনা ইদুনা পীনীংবা মত অদু ফজনা ফোঙদোকউ, মদুদা মিংথোল লান্না পীবে হায়দুনা মার্ক কক্কদৌবা অমসুং ফেল ওইগদবা নত্তে, চপ চানা মার্ক অদুম ফংগনি। অদুবু ময়ান্না পান্নবদি মাধবীদা পীনীংই, মবমদি উরীবৈনা পার্ট অয়াম্বদা শান্নরবসু মাগী পার্টতি নুংঙাইবা অমসুং পুক্সি তোঞ্লোম্বা শরুক্কি, অমবোমদা মাধবীনা শান্নবা পার্টতি সার্থত্যাগ (কৎথোকপা) গী শরুক্কি! মসিদা ময়ামসু য়ানখি।

শোক ১৯৬০ ইং অদুবাইদা ওঝা অসি ডি এম কোলেজগী মণিপুরী ডিপার্টমেন্টতা মণিপুরীগী লেকচরব অমা ওইনা থবক তৌবে, মেরিট সিষ্টেমদা ফংবা পোষ্টনি, ঐহাকসু কংগ্রেস পার্টিগী টি সি. মেম্বর অমা ওইদুনা লেজিসলেচব বিংগী সেক্রেটবি ওইবে। মতম অসিদা শ্রী লালিত মাধব শর্ম্মা-না কংগ্রেস পার্টিগী বাজা সভা এম পি নি, মহাক য়াম্না ফৈ, পার্টিগীদমক য়াম্না কান্নৈ, দিল্লীদসু য়াম্না পোপুলর ওই, অদুবু ইংলিস হৈবমদে। পার্টিনা পাম্বদি অচঙবা কালিফাড ওইবা, মণিপুরগী ইন্টবেষ্টতা থরায যাওবা লিডর অমা পাম্মী, য়ারবদি সেন্টবদা মিনিষ্টর অমা ফাওবা ওইবা ঙম্বা মীশক থিনরমই, এম পি. ইলেক্সনগী মতম নকশিল্লক্রবনিনা ঐনা চিংবো মেম্বর খরা চত্তুনা ওঝা মীনকেতনদা মসিগী মরমদা কেন্দিদেট ওইবিরো হায়নখি। মানা য়াম্না শেংনা খুন্নকই - "ইবুংঙোখোয়না ঐবু থাজরিবা অমদি নুংশিবিবিবসিদা ঐহাক য়াম্না নুংঙাইজে, হরাওজে, অদুবু ঐদি পোলিটিক্সতা যাওবরোই, ঐনা পায়জবা লেকচরবগী ফমসিদা পুক্সি লেল্লগে হায়না লেপচবে, ব্রারৌবিগনু, অদুগীসু মথক্তা ইবুংঙো পাওখোহান্না মরুওইনা ঐবু থাজবা অমদি নুংশিবা অসিদা অমুকসু হেন্না নুংঙাইজে"। মতাং অসিদা ঐহাক ঙাইহাক্তি খরা ইকাইবা পোকখি, অদুবু মানা ঐগী মবমদা হরাওবা অমসুং পেঞ্জবা অদু তাবদা ঐহাকসু পেনখি।

মসিনা তাকপদি মহাক পোলিটিক্স য়াওদুনা অচৌবা অফাওবা ফম পায়নীংদে শান্তি লৈবা ওঝাগী ফম অসি কোন্ননীংই। পুনসিদা মীনা ফংবা ঙমদবা, য়াম্না বাংবা, অতাংবা এম পি গী ফম অসি মানা কোম-না ফংবা যাবম্বনি, অদুবু ওইরমদ্রে, পুক্সি অমগী অঙকপা থৌদোক্কি হায়নীংই।

অবোইবদা পন্নীংবদি মহাক পন্নীক মিটিংদা অফাওবা স্পিকব অমসু ওইবমই। মণিপুব ষ্টেটহুড ইনোওগুাবেসন নুমিৎ অদু তাং ২১/০১/১৯৭২ ইংদা কোন্নুং লম্পাক্কী অচৌবা ফঙ্কসন অমদা মতম অদুগী প্রাইম মিনিষ্টব ইন্দিবা গান্ধীনা ইনোওগুাবেইট তৌখি অমসুং ওঝা মীনকেতননা ফজবা বেলকম স্পীচ অমা পীখি, যাম্না ফজবা স্পীচ নি মযাম্না থাগৎলখি, তৌববুদি মহাক নুমিৎ অদুগীদমক অখন্নবা স্পিকব অমনি, মাগী লেমজবা শকফম অমদি ফজবা মখোল খোঙ্গোক অদু চহী ২০ গী মমাঙগী ফিভমগা খেন্নদে হৌরকপনি, পুন্সিদা কউজবেট।

মহাক্কী মবমদা পনবা যাবা অমদি, পন্নাংবদি মহাক কনাগুম্বা অমতগা খৎনবা চৈনা নাইদি যেৎনবা লৈবমমাই লৈতে হায়নীংয়, খোইনসু চান্নবা মী লৈবম্মোই, মীপূম খুদিংমক অমত্তা ওইনা খল্লমগান। ঙসি অসি নুমিৎনি নুমিৎ অসি পূর্ণিমা নুমিৎকা ফাংনবে লাইনা তম্বিন লৌনীংই, হিন্দুশিংগী যাম্না ফবা নুমিৎ-বুদ্ধ পূর্ণিমা নুমিৎনি, ওঝাগী পুন্সি মপং সিসু বুদ্ধ পূর্ণিমা নুমিৎকুম মতম চুপ্পা ঙান্দুনা লেল্লম্বা পুন্সিনি হায়না থানীংই, চহী কুইব-কুইবগা হেন্না হেন্না ঙাল্লক্কদবা পুন্সিনি হায়নসু থানীংয। ঙসিদি ঐখোযনা ইচম চম্না-ঙাঙবিবি অমসু ইবিনি, চহী খবগী মতুংদদি বিসার্চ স্কোলাব শিংনা কপ্পা থিজিল্লকপসু যাই, শোইদনা তৌবক্কনি।

শান্তি খোঙচৎ

পুন্সিগী শান্তি খোঙচত্তা
ওঝা মীনকেতনগী খোঙচত্তি
লেমজনা চৎপা খোঙচৎনি।
ঁর্বিপোক্তগী খোঙনা চৎলগা
ডি এম কলেজ ফাওবদা
হঙ্গং হন্দা চৎপানি
অশেংবা শান্তি খোঙচৎনি।

শাংতক খাকপা মশমদু
তুংলোমদা লেম না থাদখি
লুনা নান-না হাইৎখি
যেত্তা ওইদা যেংদুনা
মাঙদা চুম্না যেংদুনা
খোঙথাং লেম-না চৎপদি
অশেংবা শান্তি খোঙথাংনি।

অঙৌবা কাংঙা লাবনা
লেম-না চৎপা খোঙথাংগুম
অঙৌবা যেম্বা লাবনা
মমায চুন্না ওল্লগা
ঈংনা লেম-না চৎপগুম
ওঝাগী লেম জবা খোঙথাংদু
অশেংবা শান্তি খোঙথাংনি।

শেৎলিবা ফীবোন-নগা লংবনি
মবাযবক্লগা খবা লংবগা
খববু লাপ্না যেংর্বাদ
উচেক লাংমৈদোং মাযথোংগুম
ইবং লংনা উখিদো
মাগী লৈজবা মাযথোংসি।
শান্তিগী অশেংবা শক্তমনি। ❑

ওঝা অশাংবম মীনকেতনবু নীংশিংবা

কাংজম শ্রীপদ্মকুমার

লাপ্পা তিন্নবিঙৈদা লাই ওইনা খল্লম্বা মীদু নকশিন্নববা মতমদা মী ওইবম্মী। ওঝা মীনকেতনগী মফমদদি হাযবিবা ৱাফমসি লান্না থোকই। ওঝাদি নকশিন-নকশিন্নবগা থোইনা হেন্না চাউবা হেনগৎলকই, লাই ওইনা উবকই। ঐনা ওঝাবু অহানবা ওইনা ৰূপমহল থিযেটরগী ষ্টেজদা উবা ফংজখি। সরস্বতি পূজাদা জোনষ্টোনগী ছাত্রশিংনা হোল ৱাযদুনা ছাত্রশিংনা শান্নবা সংস্কৃতিগী কুম্মৈ ফিযোং উৎপগী থৌদোক অমনি। ঐ মতম অদুদা ক্লাস ফাইভ তম্লম্মী। কুম্মৈ হৌদ্রিঙৈদা অবাংবা ক্লাসকী ছাত্র খবনা কমলা পোলাংশিং পাযদুনা যেনবা হৌবকই। ছাত্রশিংনা লাংবদা ৰূপমহলগী চাউববা হোল পোকখাযগদৌবম্মী। ঐদি উদগী তাবদগী হেন্না পঙলম্মী। কবিগী ছাত্রশিংনা লাংলিবনো খঙখিদে। ওঝাশিংনা হোলগী মযাম কযাদা লেপ্পুনা চৈ থাংখি, তুমিন্না লৈনবা পাউমেন পীখি। হেন্না হেন্না লাংশি [illegible] ছাত্রশি [illegible] বা লাকশিনব ঙমখিদে। মতমসিদা ওঝা অমা [illegible] খোবগুনা [illegible] ষ্টেজদু মৈং পূম [illegible] ঙাল্লম্মী। চোল্লবা কাংচেৎ মচুগী শামকুপী পূম [illegible] ফিদ [illegible] হৌবা ফিজোম অমা খুমীৎ [illegible] খি। লাংলম্বা পূম্নমক উন [illegible] ইংবাজা বাহৈপা পিন [illegible] যাইবদুমক যাই। মহাক্না হাযখি,

> 'লাঙড়ু লাঙড়ু। জোনষ্টোন [illegible] ছাত্রশি [illegible] লাঙদনা কনাগী ছাত্রশিংনা লাংগনি যাম্না পকচৈ লাঙখো [illegible] পুনদা [illegible] পি স্কুলশিংগী চহী খুদিংগী [illegible] খোংবা ছাত্র [illegible] চৈ শক্কী লেমজনবাম ওইববা স্কুল অসি পুখৎলকপনি। ওঝা মীনকেতনগী বা তাবদা [illegible] পূম্নমক বুকক কুকক কুনখি।

ওঝাদি মখাগী ক্লাসশি [illegible] পঙনা চঙদে। ঐনা ক্লাস নাইন তম্বা মতমদা ওঝাগা নক্না তিন্নবা ফংজখি। ঐনা [illegible] স্পাদক ওইদুনা শৈরেং লাইবিক *পোমশাংনবী* ফোঙবগী মতাংদানি। ওঝানা লাইবিক [illegible] বাহৈ দোক্তা অসুম্না ইবিবকখি, 'অঙাংন, অঙাংদগী লাঙবা ওইব্রবসু মসিদা অঙাঙ্গী মনম হেক্তনা চঙদে। শৈরেং অযাম্বদা পীথোবকপা খুংফমদুম ফাওবগুম তৌই।' মতমদুদা ওঝাগী অতেনবা পরেং খনসিনা ঐঙোন্দা পীখিবা ইহৌলদু ঐ

কাউদ্রি, থাগৎলি খঙনা ঐ হৱাওখি। যাম্না কিজনা হাযববদা, ওঝাদা লৈবা মণিপুবী সাহিত্যগী অচৌবা পবম্পাবাগী মশেক অমসু উবা ফংজখি ঐনা যাম্না নৌবিঙৈ মতমদুদগী হৌনা।

ঐগী পুন্সিগী মতাং (পেবিওদ) অমদা ঐ র্কাবগুম্বা অমা নৎত্রগা অমা ইদ্রবদি লৈবা ঙমদে, ঙাওচৎনৈ। মৰূপ অমনা অফোংনবা সম্পাদক ওইববসু, ঐনা মনুংদা লৈদুনা অশেংবা সম্পাদক্কী থবক তৌখি *ভাবত সেবক সমাজ* কৌবা চযোলগী চেফোঙ অমগী। ববীন্দ্রনাথ ঠাকুবগী *গীতাঞ্জলি* গী শৈবেংশিং ইংবাজী ভর্সন্দগী ঐনা মণিপুবী লোন্দা অর্থ হন্দোক্লুনা চেফোঙদুদা মথং মথং ফোঙবা হৌখি। নোংমা ইথা থাজদনা কনাগুম্বা মী অমনা ঐঙোন্দা চিঠী অমা পীবখি - ওঝানা ঐবু উননবা কৌখি। অযুক অমদা ওঝাগা ঐগা উনখি। মহাক্না পাউতাক পীবিখি অসুম্না, 'ইচাদি কবিগী মগুণ চেনবনি, অদুবু খবখিৎ নৌমল্লি।' ঐ *গীতাঞ্জলি* গী অর্থ হনবা লেপখি, পবেং শানা ফোঙবসু তোকখি। মতম চানা পীবা পাউমেননি, ঐনা তৌবিবদু অঙাংনা মৈ পাযবা কিদবগা পাংখক্লি। ওঝানা থবক অসিমক পাযবি মতমদুদা, ফোঙনবা হোৎনবি হাযবসু ঐনা উশিনবা ঙমখি।

কলেজগী ছাত্র ওইবিঙৈদা অমুক হন্না ওঝাগা তিন্নজবা ফংজখি। মণিপুবী সাহিত্যগী জংগক্তা শ্রীমীনকেতন সিংহ ঐনা নক্না অমদি মতম শাংনা তিন্নজবা ফংহৈবা অইবা অমনি। মহাক্তি পাণ্ডিত অমনি, ইংবাজী, বংলা, সংস্কৃত অমসুং মণিপুবী লোন অনি মনৌ তূনা খঙবা, শীজিন্নবা ঙইবনি। নোংমা ওঝা উনবা ঐ পঙ্খাই মনিং সঙ্গাইদা চৎখি। কবি মহাক্তগীনো হাযবদি ঐ কাউদ্রে। চন্না উপু মাঙদা থাদুনা থবা লাই খুনমলক্ষ্মী। হৌনা সংস্কৃত শ্লোক্তা লাই শোল্লকপা তাবদা ঐ শাইফেং থ লুই অমসুং মহৈ যানগদবা মাল্লি। তন্ত্র-মন্ত্রদা অঙকপা শক্তি চেল্লিবসি উৎপাবোন খোঙ্হোক্লসু পীবা মাল্লি। ডি এম কলেজগী চাউনবা হোল বি এ তম্লিবা ঐখোয ছাত্রশিংনা চোন্না ফংম্মা, ওঝানা প্লেট ফোর্মদা লেপ্লুনা লাইবিক তম্বীনদা ঐখোয অমতসু বাখন চোইথোক্পা ঙমদে। শ্রীমীনকেতননা ঙাঙবা তৈ, মবীক যাম্না চূমই। বঙ্কিমগী *কপালকুণ্ডলা* মহাক্না তাকপি।

নবকুমাবগী মযূমদা লৈববা মতুংদা কপালকুণ্ডলানা উমংদা অমুক চেনখিবগী বাফমসিদা ওঝাগা ঐগা মত থেন্নখি নুপীনা মচা-মবা নীংবা পামদবা ঝুমেন সাইকোলোজি না যাদে, বঙ্কিমগী অশোযবনি। ঐগী মতনি। ইত্তৎ তক্তনা ওঝাগা ঐগা যেৎনৈ। অতৈ অমা হাযদে, ওঝাগী হাযববু, 'ফম্মু ফম্মু ইচাসিদি। মানব ধর্ম্মগী বানি।' কন্না ঐ যেৎলুনা ঙমদে, মতমদু ছাত্রনা ওঝাবু কিনা লুনা নীংই।

পিতৃ স্তুতি

অশাংবম যশোবন্ত সিংহ

ওঁ পিতা স্বর্গ পিতা ধর্ম্ম পিতাহি পরম তপঃ।
পিতরি প্রীতিমাপন্নে প্রীয়ন্তে সর্ব্ব দেবতাঃ।।

পিতৃদেব শ্রীঅশাংবম মীনকেতন মণিপুরগী মীয়াম্না শকখঙবিববা, থোইদোক হেন্দোক্না মশাগী খোর্জেজনা মশাগী শক্তম যেকথোকচরগা খিন্দুনা থমজবম্লবা লমযানবা মৈতৈ অশৈবনি। লাইরিক ফবদগী এনা অশৈবেম্বা অসিগী মচা ওইবা ফংজরুবদনি। অশৈবেম্বা অসিগী মরমদদি, মণিপুরগী সাহিত্য সেবক, সেবিকা অমসুং অশৈবা অসিনা থম্বীবম্বা রাবেং, শৈবেং লাইরিকক্লচিংবা নৈনবিবিবা খোর্জেজ শুবা কাঙবুনা ঐঙোন্দগীদি হেন্না খঙবিববনি। অদুবু মচা ওইবগী খুদো চ গ লৌজবগা, মীয়াম্না খঙবদা লেমহৌববা রাফম, রাবেং শৈবেং লাইরিক্তা মেক্লমদ্রবা অশৈবগী নিতৃকর্ম্মগী মতাংদা খবা হায়জগে।

চিঙ্গাক

পিতৃদেব ঙা হাদে নিরামিষ ভোজন ঙাক্তা হায। জাপান লান মমাঙদগী ঐখোয ইমুংদা ঙা অদুম থাংখিদ্রে। ঙা চানীংলগা ইমাগ ঐনা পিতৃদেবগী লোইশ্রবা ফঙ্গাদা তোঙান্না থোংই অদুগা চায। লান চেনবদা খুদোং চাদবা খবদগী মতম খবা ঙা হাকবে অদুবু বৃন্দাবন্দা অদুম লান চেনবদগী ঙা অদুম হাখিদ্রে শিবা ফাওবা ঙা হাখিদ্রে।

হৈ যাম্না পাম্মী, থোইদোক্না হৈনৌ অমুনবা কিহোমনচিংবা অসি যাম্না হায। ইঙ্গাংগী মঙ্গত্তা হৈনৌ অমুনবা, কিহোম অসিসু মবক মবক্তা শীজিন্নে। চুরুট বিড়ী লান মমাঙদগীনা জোনষ্টোন স্কুলদা ওঝা ওইবা ফাওবা শীজিন্নখি অদুদগীদি অদুম তোকখবে।

অনাবা

শম্না হাযববদা পিতৃদেব অসি লাযনা তিন্না চেন্দবা মশা ফবা মীওইনি। অদুবু মবক মবক্তা লাইগী নুংশিৎ হেক হেক কাঙবা থেংনৈ। বাঙ্গলাদেশগী শিলেট্ট এম সি কালেজদা

আই এ তম্লিবৈঁদো, মাহাপ্রভুগী পুখ্রীদা নোংঙাল্লমদাইদা লাইহৎ লোন চঙদবা মগুণ লৈবা লাই অশাংবা অমগী মমৈ থেংনখি। লাইগী নুংশিৎ কাঙবা মতমদদি পাম্বোম অনী বব বব লাউই মতী ওব ওব তাই। কাঙ-চিংবগী জগবন্ধুগুম্বা খৃৎ অনী তিংথোক্তুনা লৈ। ঐখোয়না জগবন্ধু শাবা হায়না লকনৈ - শাউদে, বাবৌদে। এলোপেঠি যাদে - চান্দশী ডাক্তব যাই মৈতৈ মাইবা যাই। নুমিৎ শুবগা অদুম হেক কংশিল্লি অমসুং ফৈ। লায়না অসি নক্তনা অতোপ্পা লায়নাদি লৈখিদে। চাক্কী ইম্ফাংগী মমলনা কবিগুম্বদা নাবা, ঙমদবদি যাওবকই অদুবু পিতৃদেবনা থূপলমদাইদদি পুবা যানবা অহল ওইবগী লায়না কযা ফোংলকখি। লাইখুরেম্বী লৌখৎপা লেঙবদা অঙাংনা বম্বুলা ওই-থংবা নাকোং মনাক্তা পোকখাইহনবদগী না তাবা খবা নুংঙাইতে অদুবু যেৎ থংবদি থোইনা অকাইবা লৈখিদে। পিতৃদেবগী লাইনীং লাইশোন অসি মীনা যাম্না চিংনৈ অমসুং ঙক্লা থোকই। শাক্ত্য, শক্তি নীংবা দুর্গা পূজা তৌবা তান্ত্রিক অমা ওইনসু উই। মদুসু অচুম্বনি হাযবা যাই। পিতৃদেব নিতিগী চণ্ডী পূজা অমসুং পাঠ তৌই। চণ্ডীগী মন্ত্র ইবগা ঐখোযনা মপান্দা লাইবিক তম্লিবৈঁদো থাবকই নিতিগী শোল্লু তাকপিবকই। অদুবু তান্ত্রিক্তি নত্তে গৌডীয বৈষ্ণবনি। মশানা লাই থাজবগী বাখলদনি। ঐখোযনা বনাবসতা লাইবিক তম্লিবৈঁদসু "কাশি বিশ্বনাথ" দি হাযনবা যাবা লাইনি নোংমাইজিং খুদিং খুবম্বা চৎলু তাকপিকই। ঐখোয অদুম চৎলি।

কনাগুম্বনা, মৈতৈ মঙ্কপশিংনসু হায মবমদি নিতিগী ইমা লৈমবেন অমসুং সনামহী পূজা যাম্না কুযনা কুযনা তৌই। লৈমবেন অমসুং সনামহীগী খুভম যাম্না চাউনা কন্দুনা লাইগী কাদা থম্মী।

নিতৃ কর্ম্ম ওইনা

ইহান হাম্না শালগ্রাম অদু চাইখে অদুদগী গোপাল পূজা তৌবগা লোযনন। গোপাল শহস্রনাম পাঠ তৌই। পাঠ অসি লোইবগা ইমা লৈমবেনগী কাদা লেঙশিল্লি পূজা তৌই। ইমাগী পূজা লাইবগা সনামহীগী কাদা লেঙশিনলি সনামহী পূজা তৌই। নোংমদা লাইফম অহুম অসিদা পুং অমদগী অনী ফাওবদি চঙই হাযনা খল্লি কুযমনবনা কনাগুম্বনা ওঝা অসি ভূত শান্নবমাল্লে হাযবা ফাওবা যাওই।

অদুবু থাংগৈশেংবদি গৌডীয বৈষ্ণবনি পোকপসু গৌডীয বৈষ্ণব ওইনা পোকাখ শিবসু গৌডীয বৈষ্ণব ওইনা লৈখিদে। থাংগৈশেংবদি, কবিব-গুম্না বাম বহিম অনীমকপু ঈশ্বরনি হাযনা থাজবা মীওইনি। মতাং অসিদা যাম্না নুংশিবা বাবী অমা, পিতৃদেবগী শ্রীকৃষ্ণচৈতৈন্য অসি ইবা হৌগে খল্লকপদা, ঐজ্ঞ্যা অমুসনা শর্ম্মা শাস্ত্রীদা, ইপানা ইগদৌন্দি। শ্রীকৃষ্ণচৈতৈন্য অসি লোইবা ঙম্নবা, মবক্তা শিখিদনবা নঙনা গৌবচন্দ্রদা পত্র ১৮ অসি

নিতিগী মন্ত্র অসি শোল্লগা কৎপিযু (মন্ত্র অদুদি ঐখোযনা খঙলুদ্রে - ৱাবী অসি ঐজ্ঞ্যা মশানা সৎ সঙ্গ অমদা এলাংবমগী লৈখিদ্রবা ওঝা নীলকান্তগীদা লীবমবনি।

থৌজান হৈবা মপা অমা ওইনা

মপানা মচা লুনা তৌবা অসি পিতৃদেবনা ঐখোযবু লুনা তৌবগুম্না মপা অতৈনা তৌবমগনি থাজদে। নোংমতা ফাওবা পিতৃদেবগী মচীন্দগী অকনবা ৱা, মিচৈ অমুক্তো তাবকখিদে। অঙাং ওইবিঙৈদসু ফুবা চৈবা ..ইবক্তে। ঐনা নীংশিংবদা পিতৃদেবনা ঐঙোন্দা ফু...ব। অসি লান মমাঙদা ..মুক লান মনু..দা অমুক - অনীবক অসিদগী হেনখিদে। ইনাউশিংগীসু অদু মচাই - ফুবা চৈবা অমুক্তো থেংনদে। ইমানদি যাম্না ফুই চৈ, পুল্লি, ইমাদি চৈবাক যাম্না কল্লি যাম্না ৬াওই লাক্ট্রই। অঙাং ফুবা চৈবগী মতাংদা ইমাগা পিতৃদেবগা হেক ..হেক খৎনৈ। মচাশিং অসি যাম্না লুনা তৌই। অঙাংনা মশা শাগৎপা অসি অশাবা লোকপা হাযনা, যাঙলেন নঙ্গন অসি মবৈনা থুংনা অশাবা হন্দ্রিবা ফাওবা লেকপি। মচাগী মফমদা থোইনা হংগোইবা লৈখিদে।

পিতৃদেব, মচাশিংগী অনানবা অসি ঙাকপিদুন্তা লাকখি , ঐ অসি মেট্রিক হেক থাদুনা মপান্দা লাইবিক ..মা হৌবদগী গুরুদেবগী কোক চিকপা হৌখি। নাতৈ চাদবা থবক কযা অমা তৌখি। চহী যাম্না কুযনা লাইবিক ..মা তোক্তুনা মণিপুরগী লোযশঙ অমা অনীদা থবক তৌদুনা লৈখি। অদুবু পকচেন ..মা পিতৃদেবনা, পেন্দবা কবি অমতা উ..না "শনিগী দৃষ্টি। শনি ..চহী ..০ চাবদি, শ্রীবৎস চিন্তা মহাবাণী ফাওবা চহী ১০ লোনা চৎলি" হ..না পূর্ণ ..খি। অমসু মী..ঙন্দা বাৰী শাই মশানা জ্ঞান তাবক্লগা মবাইনা অমুক ফন্নকখিনি ম..শ ..। চৎখিবা অঙাংনি হাযদুনা মচীন্দ থমজবা থাজবা মাঙহনখিদে। ইচীন ইনাউ ঐখোযসু পিতৃদেবগী থাজবা মাঙদনবা কন্না হোৎনখি অমসুং মাঙহনখিদে।

পিতৃদেবনা ঐঙোন্দা অপাম্নবা হাযদনা, ইং..শিংদা ঐ তানবা হাযখি হৌজিক হৌজিকসু নাকেংদা ..দুনা লৌবিবা বাক্ম অসি যাম্না ..শিবা অমসুং কাউঙমদ্রবা মতাংনি ঐনা ন..খযগী নাপান চাগদবা ..., ঐনা হ.. শত্রুগা নখোযনা লাইবিক লাইশু হৈহৌদবা, মী ওই..হৌদ্রবদি কনাগী মচানো হাযনা এবু মাংফমদগী বোৎথোক্কনি অদুগীদমক্তনি ঐনা হাযবিবা অসি ।

ঐগী ইনাউ অনী অসি এগা যাম্না কান্নবা পোকপনি। অঙাং অনী অসিদসু থোইনা চৈবা খোৎপা ফুবা চৈবা তৌখিদে। ঐঙোন্দা খব ..কোম্না থাববসু মখোযদদ মদুমক থোকখিদ্রে। পিতৃদেব, সংস্কৃত যাম্না পাংজে — মচানামক ম..ইক্তা সংস্কৃত লৌহল্লি।

স্কুলদা সংস্কৃতকী ওঝা লৈতবনা পিতৃদেব অমসুং ঐজ্ঞ্যা পাবুং ব্রজবিহারী শর্ম্মনা য়ুমদা তম্বী অদুগা মেট্রিক থাহনলি।

অঙাং অনী স্কুল কারমদাই খুদিং পিতৃদেবদা নিতিগী পাবুং হায়না খুরম্মী মদুদা পিতৃদেবনা সব্বর্ব মঙ্গলম সব্বর্ব কুশলম হায়না মকোক্তা নাহ্নবি - অউবা মীশিংনা যান্না ঙক্না থোকই ঐজ্ঞ্যা বিনোদচন্দ্র শর্ম্মাখোয় ফাওবা ঙক্কুনা অশাংবম ইমুং অসিদি হায়দুনা মীঙোন্দা ৱারী শাই।

এলাহাবাদতা ঐনা লাইরিক তম্লিঙৈদা কে. এম. মুন্সীনা ইয়ু. পি. গী গোভর্ণর ওইবিঙৈদা ত্রিবেনী শঙ্গমগী কুম্ভ- মেলাদা, কুম্ভ মেলা ত্রেজিদি হায়বা য়াম্না চাউবা মীশি-মীনা থোকখি। মদুদা খোঙনা নেৎখাইনবদা মী ৩০০/৪০০ গী মথক্তা শিখি। ঐখোয়সু এন. সি সি. কেদেট ওইনা আমেরিকান প্রোফেসার অমগী মখাদা ভলুন্টিয়ার ওইনা থবক তৌই। গুরুদেবনা ঐগীদমক্তা ৱাদুনা নিতিগী টেলিগ্রাম অমমম থারকই - ময়ামদা য়াম্না ঙক্না থোকই। ঐখোয়না মশান্দা লাইরিক তম্লিঙৈ, চীংদা পোষ্টিং তাবা ফাওবদা মচা য়েংবা লেঙলকই। ছাত্র ওইরিঙৈদা ঐখোয়না থেংনা হল্লকপসি লালটেন অমগা শোরোক্তা ঙাইদুনা লৈরম্মী মরক অদুনা ইমান্নবা অমতা হনমিন্নসি য়াদে - নখোয় ওঝা লৈরমগনি হায়দুনা।

পিতৃদেব, মচা মশুদা অৱাবা থবক তৌহন্দে। পিতৃদেব মশানা হেক তৌথোকই। মশুশিংবুসু য়াম্না লুনা তৌই। মতম অয়াম্বদা মচা মশুশিং হেক নুংঙাইনবদা শিল্লি।

ঙাঙগদবা অমসুং ইনীংঙাইদি য়াম্না লৈ অদুবু মতম অমসুং মফমনা অয়াবা পীবিদ্রে মরম অদুনা য়াম্না নুংঙাইবা মতাং অমা পল্লগা লোইশিন্নবা তৌজরগে।

পিতৃদেবগী মরূপ, ডবল-রোটি চাবা মাংলিঙৈ, হিদাকপু মচা পুরগা ডাক্তর তম্বা ডিব্রুগর চৎনরিঙৈগী ডাক্তর অমা, আর. এম. ও ওইরম্মী। অঙাং নারে হায়দুনা কৌরুবসি মিহুন য়েংই - হুম মসিদি ঙাক্রা লাইনি - চবান থাশি, ঙাক্রা থিয়ু লাংথ্রে পিয়ু হায়দুনা অঙাংদুগী মমাঙদা ঙাক্রা অদুগী মকোক শৎ শৎ নাহ্নবী অদুগা থোঙ্গাল ৱাংমদা থাদোকই - অনাবা ফৈ। পিতৃদেবসু মদু থাজে। মতম অদুগী চৎনবী অসি ঙসিগীদি শোয়দনা চিংনফম ওইরগনি। পাবুং ডাক্তর অসিগী য়াম্না নুংশিবা ৱারী অমনা ডবল-রোটি মহাউ য়েংনীংদুনা মীনা মাংই হায়খিনিসু কিদুনা ডিব্রুগার চৎপদা, মৈ থান্দবা ট্রেনদা মমায় কম্বলনা কূপ্লগা পুঙ্গিগী ওইনা অহানবা ডবল-রোটি মহাউ য়েংই হায়।

অমনা ইনাউশিং, মশা শাদুনা নাবা, ঙমদবা অসিসু পিতৃদেবদি খোঙ লৈবাক তাদ্রিঙৈদা অনাবগী য়াঙলেন অদু লেকথোকই - অশাবা লোকই, হংলূরগা যণবীনা যন্নাউ মচা লেকপগুম্বনি লাইনা থাবা লায়য়েংনি হায়। ময়াম্মী খঙবিদা লেমহৌরবা ঐহাক্কীনা নীংশিংজরকপা থৌদোক খরা অসি পল্লগা অসুম লোইশিঞ্জরগে।

ওঁ শান্তি ওঁ শান্তি ওঁ শান্তি। ❑

খঙজহৌবা ওঝা মীনকেতনগী শক্তম

এলাংবম দীনমনি

অথোইবা সাহিত্যকাব অশাংবম মীনকেতন সিংহ হেক পল্লকপদা ৱাং-চাউবা, কুচু পানবা অঙৌবা ফৈজোম অঙৌবা পূময়াৎনা লৈতেংবা অঙৌবা শম শাংতক খাককনবা চন্দোল নীংথিনা থিনবা গৌডীয় সম্প্রদায়গী মৈতৈগী তমজনফমগী তীক ঙল লৈবা অহল অমা মাঙদা চোংথোবকই। যাম্নমক চীং-লেম্মী, যেংবদা লূম-লূম লাউই, পাক হেক ঙাঙগদবা কৌজগদবা লকক তৌই কোইবপ তৌই, তঙায় ফদবদগী। হেন্না চোইবপ তৌবা বাঙাঙ ফেনগদবা হঙ্গোইননৈ। অশৈবা অসিগী মীওইগী হায়বাদ পার্সনেলিটীগী শক্তক অমনি।

অসিগুম্বা মীওই অসি নোংমা, চহী ২৫ মুক্কী মমাঙদা, নৌবিবা চহী ৪/৫ মুক্ক নুপামচা অমগা মাঙ্গোন কাচিনদা চাগুম্বনা শাবা শান্নপোং খবা কন্না শান্নদুনা লৈবা থেংনকই। কনাগুম্বা খবা লাক্লি নক্কা লেপ্পি হায়বা যৌনা খঙদবমখে, ফমপ্রেক্কা হেৎ ফম্লদনা শান্নমিন্নবম্মী। ঙাইহাক্কী মতুংদা নুপামচাদুগী মওংদগী লৈথোক্কনা যেংথোক্লগা খজিক নোক্লককখি, হায়বকখি নখোয় ওইবে, কয়া কুইবে, লাউ ফম্মবাঙ। ফম্মিন্নবমদাইদা নুপামচাদুগা শান্নপোং ইবেননা লোইশিনমিন্নখি অদুগা তপ্না হবাও হবাও থাদোকখি চান্নববা মঙ্গপ মমান্নবা অমা থাদোকখিবগুম। (নুপামচা অসি ওঝাগী ইচা ইবুংঙো ইয়াম্পা যশোবম্ভগী মচা, ঐখোয়না বোনী হায়না কৌজবা ইবুংঙো অসি ওইবম্বা যাই)

নোংমসু নোং থির্থল-থির্থল চুবা নুমিদাংবাই অমদা পীক্লিবা অমদি পুংকক চাউবা অঙাং খবদা বাবীগুম্বা অমা লীবিদুনা লৈবম্বা থেংনকই। নোংমা অমসু মীগী যুম অমদা, হান্না শান্নদুনা লৈবম্বা অঙাং নুপামচা অমগী মনাক্তা চঙশিন্দুনা অঙাংগী মবোন্দা সে গা মাই গা হায়নকবা থেংনকই। অতোপ্পা নোংমা অমদসু লংফৈগী যুম অমদা পীক্লিবা অঙাং অমগা শান্নমিন্নবম্বা থেংনখি।

হঙ্গৎচনীংবদি, মচা-মনাউ খিপক্কী 'ইপা' ওঝা ইবুংঙোসি অঙাংবু যাম্নমক লুন চান্না তৌজবা মখোয়গা মবক মবক্তা শান্নমিন্নদুনা অরা অনা কাউথোক্কনা শ্বব ঙাইহাক

চনীং তানা হোন্দোকপগী পামজবী লৈবা মীওইনি হায়বসিনি। কোনশিন্দুনতা থম্বা লীরংগী মঙলগী ময়াক হনহল্লোই হায়রবদি লীরী লৌথোক্তুনা তিংথোকহনবা মরু ওই হায়বগী ওঙদানি। ওঝানা লেমনা মোমোন তৌরগা তাকপিরম্বনি — পুন্সিরোলগী মচাক অমনি।

ওঝা ইবুংঙোসি 'অন্ন' য়াম্না হায়গল্লি। মতাং অমদা, য়াম্নমক নক্না খঞ্জরকপা, ৱারেম অমদি ফাগি ফাওবা য়াওবা য়ানা লোয়নজরক্লবা মতাংদা ওঝাগী 'অন্ন'গী মতাংদা পোথাবা ওইনা ৱাফম হৌদোকচরুই। শাংলপ তৌরক্লবা শম অদু খূৎশা অনী-মবি লোনশিন্দুনা নাম্থ-নাম্থনা খজিক খজিক নোক্লগা হায়বিরকখিবনি - অন্ন হায়বদা নখোয়না নোকখিবা, ক্লাসতা ঐনা হায়বা 'অন্ন' মশীং থীখিবা চিবোন চিবোন ঙাওনবদু ঐ খণ্ডদবোই নীংব্রো, লোয়না খণ্ডইবনি। ওঝা ইবুংঙো খণ্ডখি, মীশিংনি, মীগী মিৎয়েং-নায়েং মওং-মতৌ উরগা নুংদা করি খল্লি হায়বা খণ্ডগনবা মীতানি। মীওইবগী হৈনবী লীচৎকী মতাংদা তোঙান তোঙানবা বেফরেন্স ক্রোস রেফরেন্স কয়াগা লোয়ননা পুঙখায়মুক ঙাঙলবা মতুংদা পামজবী-হৈনজবীগী বাফম লামশিন্দুনা খরগা অমুক্তা তারকলখি। (ওঝাসি য়াম্না তাকল্লি-তাকপদা নুংঙাইজবা পোকচে) মতুং তাকপদা 'অন্ন'গী পায়রকখি। শম্না পঞ্জরবদা, (ওঝানদি য়াম্না শাংনা ব্যাখ্যা তৌবিখিবনি) অন্ন - অসি 'অদুনা' গী শমজীনবা মশক্লি; অদুনা হায়বসিমক্তবু মরম অচাবা অমা নৎত্রগা খরা, ময়াম লৈরগা লাইখায় তাদুনা থম্বনি। ওঝানা ঙাঙবা পূম্নমক অচাবা মরে নৎত্রগা মরম লৈরবা ফল ওইনা থম্মবনি, অদুনা অন্ন- হাযবনি। মরক্তা করিগুম্বা কান্দা বাঙাঙগী অহৌবা নৎত্রগা হৌগৎলকপা মতাংদা 'অন্ন'না হৌবা থেংখি হাযনা ফাগী ওইনা ওনখৎচরুই। মতাংদুদনা খজিক অমুক য়াম্না নীংতম্বা মওংদা মোমোনবগা হায়বিবর্কাখিবনি - হো, অদুনা হৈনীনিন্না। তশেংবসু ওঝানা ঙাঙবা তাকপা নৎত্রগা ফোঙদোকপসি মরম ময়ামদগী ফললোমদা নৎত্রগা ফল হন্না তাথোক্লগা মদুগী মরম মথং মথং লাম্থোকপরোমদা (লোজিকলোমগী দিক্তিব ইন্দক্তিব) চথগল্লি। নীংশিংবা য়াবা ৱাফম অমদি ৱারী শাবদদি ফম্না শাংনা ঙাঙবদসু 'অন্ন' যাওগন্দে, য়াওরির্বাস ক্লাসকুম্বা ভাষণগুম্বদনি। মসিগী মরমদসু খনবা, খন্ন-খম্থনবা য়াই। হংবদি হংজহৌদ্রে।

ওঝা ইবুংঙোসি হৌনা নোককন্দে। ফাগীদি পামজে অদুগা তৌবদি পঙনা তৌগন্দে। হৈতবদি নত্তে। তৌদবসু নত্তে, তোয়না তৌগন্দে হায়বদনি। নোংজু ঙল্লপ হৌবা কুম অমদা করিগুম্বা অরোনবা থৌদাং অমগী পূন্না লংফৈ চৎমিন্নগদবা মতাং অমা লৈখি। এরোপ্লেনদা চৎকদবনি। নোং নীনি ৱাৎলিঙৈদা থৌদাং অমদি টিকেটনচিংবগী মতাংদা উন্নবা চৎলুই। মাঙ্গোনদা ইমাগা ৱারী তৌদুনা লৈবম্মী। ঙাইহাক ফম্মিন্নবদা ইমানা নোং মবক্তা পাইবা খোৎপগী মতাংদা নুংশা খজিক থীবগী ৱাফম খরা

হায়বকখি। ওঝানা কবিগুম্বা তঙাযফদবা অমা পীরু-কৃপ্না ইবম্বদগী কলম তাপ থম্মগা হৌবপ্না ফাক-ফাক নোক্লকখি। ঙক্না যেংলিঙৈদা ওঝানা নোকপগী মমৈ ওইনা শমথবকখি - নমাগীসে চবাংনা তা মতোনদা তোংলগা ক্বাকনা ব্বাতোনদা ফি মাংবদু খংনীং নীংশিংলকএ -। অমুক্কসু হৌবপ নোকলকখি। হৌনা নোকপা থেংনখিবসি অসিনা লোইবে। ফাগীদি মতেক মতেক তৌবা থেংনখি। লীশাং শীৎপা চীংলেম্বগী শব্দক্না মপূং ওইবগী মওংদি অদুম মবৈববনি।

ওঝাগী পুন্সি মবেনদা ঈশ্বব থাজজবগী লোনচৎ অসির্মদি মপাঙ্গোংদগী উবদা শোযদ্রে। মসিগা ঈবোযনবদা আত্মা অমদি শক্লাই-শকউদবা পবম ওইববা আত্মা অনীগী মবক্তা লৈবা নৎত্রগা থম্বা মবী অমা থিদুনা ফংজখ্রবগী অবোনবা মশক অমসু উবগুম তৌই। ধর্ম্মগী ওইবা মাযওনগী ওইনা হিন্দু পুন্সি মবেনগী গৌডীয কাঙলুপকী বৈষ্ণব ওইবসিমা লৈবে। মসিগী মথক্তা যোগগী ওইবা সাধনা অমদা শকপান্দবা নত্ত-নৎত্রগা শক্রোন কযাদা শাফোঙবা কবিগুম্বা-কনাগুম্বা চাউথোইবা মঙল হাযবদি শক্তি অমদা খৌবাংনা যেংজবা ঙাইজবগী লৈখোন অমা থেংনৈ। লাইপোৎ মাঙদা থম্মগা কুইনা খুকুম্বসি অযুক চাকচামাঙদা চিব চিববা মঙম ফাওবদা থাফদ্রবা লোনচৎ অমা ওইনা লৈববনি। মন্ত্র শোন্দুনা ধ্যান তৌবনি। অর্থ খঙনা পৃক্লিং চপ যুংনা ফেৎ হাইদনা শোনবা মন্ত্রদা সিদ্ধ পান্দবা হৌনদে হাযনা তাকপিখিবা লৈ। কুনশুবা চহীচাগী বিজ্ঞানগী চক অসিগী নাক যেন্ত্রা ভাব তানা, ব্বাখল-মবৈ চানা চূংশিন্নদুনা লৌশিং থোক্না হিংবিখিবা ওঝানি। অমুক অমম অঙান শিন্নবা ত্বাইলাইতকী মতাংদা চীংখৈ ফিথুপ (ফুদুপ) ষ্ঠনবগী মতাংদা বিজ্ঞানগী মঙালগী খোঙচৎকী মওংগা ঈবোযননা ইমাগী পাকশন্না শন্দোক্লকপা ফিজোলগী লোইবোযনা তাংথৰ নাইনা মথুপ মথুপ চাইদোবকপগী মওং অমসু উবগী বাফম তোযনা পনখি। কবি কল্পনাগী মিংযেং অসিদা 'কনাগুম্বা' ইমা অমদা অকি অখং পৃন্নমক লংশেক্লম্লগা মচাগীদমক্তদি নী বা পৃন্নমক্কী থুংফম ওইনা লৈবী ইমাদা, ইমাগী তম্পাক্তা পোত্থাবা পাম্বগী লৈখোল অমা লৈবদৌনা তৌই। কবিগুম্বা মতমদা 'মানা চানবিবে' হাযনা মথব্বায মকা লাম্বসু থেংনৈ কবিগুম্বদা মানা যানীংদমাল্লেদনা হাযদনা সূকলপ লৈবসু থেংনখি। মবক মবক্তা 'পৃন্নমকসি মাগী লীলানি' হাযনা পেনবা অমদি পেঙ্গোকপগী মওংসু থেংনখিবা লৈ।

ঐখোযগী তাইবঙ অসি নত্তবা, অতোপ্পা তাইবঙ অমগী ওইবা চাইগোইনুং অসিমদি ঐখোযনা চঙলুবা ঙমদ্রে। নুংগী ওইবা মীওইগী মশক অসির্মদি খঙদবা ওইনা অসুম লৈবগদবা মাল্লি। 'ইমা' অসি কনানো, 'মা' হাযনিবসিনা ইমাদুবা নৎত্রগা অমনা হাযবগী ব্বাফম অসিমদি পাক খঙবা ঙমগদবা মান্দ্রে। হংজবম্বসু যাবনি, হংঙুবদা খঙনবা

তাককনখ্রবা অশেংবা ওঝানি, তাকপিবম্বসু মযাই। অদুবু মসোমদা পূক্লিং চঙবা বাৎখিবনা, পঙবদগী লৈশিল্লুদ্রে। লাইবক থীবনি হায়না তকশী শোনবা নত্তনা কবিদি উপায় লৈ। অখণ্ড-অহৈদা নৎত্রগা তুংগী নৈনবদা শিন্নজবি। খঙহৌবা খবা লাম্লোকচৌ হায়দনা হোৎনব্বগা খঙদবা, খঙগনি হায়বসু থাজফাৎত্রবা, পম্লৌ শক্লবা, ওঝা ইবুংঙোগী বহস্য (মিস্তিক) ওইবা মশক অমনা মপান খোপচবি। ৱাবৌবিদনবা হায়জবি।

'চাক চাউ মাঙ থাউ' গী অদুবাইদু লাইবিক পাবা যান্নমক তল্লম্বনা *মাধবী* পাবকপা লোয়ননা *গোদান, ত্যাগ পত্র* নচিংবা তম্মকপা অমুকসু সেক্সপিয়র মিল্টন হাবডীখোয় মথং মথং খঙবা হৌবকপদগীদি লাইবিক অসি পঙপাদ পাবকখিবনি। তম্মিঙৈদগী অমুক তম্বিবগী শিনফমদা চঙলকপদগীদি তিলাইখুম্বীনা থম্না চাবদৌনা অফং অফং পাবকখিবনি, ফংদবা ফাওবা পাবকপনি। খজিত্তং হেক শংলকপদা অমা হেক্তা পাবনি, পাদ্রবদি তূমথবা যাবমদ্রবনি। কলম পাযবনি হায়দনা কাতু-কাবন খোৎপা হৌবকপগী অদুবাইদগী লায়নাসি হেনজিল্লকখিবনি। চাউবাদা টাইটল অসি লীশীং খবদি সুবম্বা যাবকপগী অদুদা - 'নঙবু ইবুংঙো লাইবিক খবা পাউনে' হায়দনা হাযখিবা, পাদে হায়দনা নাকোয়ননা ভাঙবিখিবা মীওইসি ইখূৎ পাযদুনা তম্বিবকখিবা পম্লৌ শক্লবা ওঝা অশাংবনি। ওঝানা লাইবিক পাদে হায়দনা হাযবা হৌবকখিবসি নহা ওইবিঙৈদা লাইবিক পাউ হাযবম্বা অপোকপা ইপানা 'লাইবিক পামল্লে খবা পাববদি যাবে নমীৎ শোক্লনি' হাযবক্লবা ১ তাংদনি, নীংজবা অমগা লোয়ননা অহাম্বা মতমদা পাদুনা লৈগনবী ইচানুপীনা (লৈখিদবে) 'বাবানা পঙপাদ পাবিসিবু ইফা হায়দবা ব্রেন যাওদববা ঐদি অমুক্তং পাবদা হেক্তা ফাই' হায়দনা কবেম্নবকখিবা মতাং অদুদনি। অহেনবা মূদ লাকপা মতাংদদি চাক চানিঙৈদসু শায়না শায়না পাথকবা মতাং যাওখিবনি। অদুমক্তদা ওঝা অহল ইবুংঙোনা নোৎশিনবিবকখিবনি - পাউ ইবু ঙো পাউ, পাবা তনগনু।' খুমনীংখিবনি - ওঝাবু, ব্যাস মযাম, বামায়ণ মযাম, ইপিক মযাম লোয়বদনা এনশাংদা থুম হেনখ্রবদি লফোই অমা খোক্লগা থাধৌ যাক্তবনি হায়বা যৌনা পাবে, চৈতেক কোৎপীগী নিয়মদগী আইনস্তাইনগী থিয়োবী ওফ বিলেটিভিটী যাওবা পাথোক্লে, মদুদগী হেন্দোক্লনা ইবক্কদবা কবিগী কবিতা ফাওবা পাবা হৌবে। খুম্বমক্তি খুমখিদবে। ব্যবহাবনি। নুংদদি বাকৎখি - পাবা হৌনবা খর্বাদ, ফনা, ওখাক যাম্না পাৰ্জবিদা।

নোংমা, ওঝাগী নাক্তা ফম্মুবা মতাং হামদা তবানি-কুন্নি লাক্লুদবে কদায়দা মাঙঙুবে কবি পাযবি হংবিবকখি। লাইবিক অমা অনুবাদ তৌবিবা মতাংনি, পাউ পীজকই, লাইবিক মশক তাকচবই *অন্ধা যুগ*। ফজবনি অকবনি অনৌবনি হায়দনা তাকপিবগা নুংঙাইবা ফাঙদোকপিববখি। ওঝা হান্নবা পাবিবম্মে। নহান বাই ঐঙোন্দগী লৌবগা পাবিখিবা

ওইবস্মে, লৌখিবগী শোক-তাবিক মতম মতাং নীংশিংবিবস্মী। মথং-মথং হাযথবকপদা ওখাক ঙক্লবে। থিল্লুবা নুমিৎ অদুদা ওঝানা লাই কুইনা খুকমদুনা লৈবস্বা (ওঝা লাই কুইনা কুইনা খুকমগল্লি) ঙাইনা ঙাইনা ইবোতোম্বগা (ওঝাগী ইচানুপা অতোনবা ইনাওনি) ফাগী তৌনদুনা নোকখিবা ফাওবা নীংশিংবিবল্লি। থৌদোক বাথোকসি কাউগন্দে, মিৎ হাইবপ উইশিনবিবগা লাইবক্তা খুৎযাযনা তক্লি-তক্লি তৌবস্মগা মথং মথং হাযথবকপসি ঙসাইদ-ঙবাংদা খোকখিবদৌনা মযেক শেংই। কাউগনবদা জযপত্র ফংলিবা ঐখোযদি ঙক্তবা সুকযামক যাদর্বনি। ইকাযফমসু থোকপবা ৭ লাইবিক্তা মঙ্গলাচবণগী মতাং অমা যাওই - নাবাযণ, নব, নবোত্তম, সবস্বতী পন্দুনা খুকুস্বা। মযাম্না ইখণ্ড খণ্ডনবা শ্লোকনি। খণ্ডনবিবা অর্থ অদু হন্দুনা যাবব্রা হংজকই। মদুনা ব্রাহ্মণগী পবেংগী অর্থনি অদু নত্তবা মবী লৈনবা অর্থনা থসিনি হাযবিবস্মগা নাবাযণ ঈশ্বব, নব-মাগী অমদি নবোত্তম মীথোই অত্তম অসিগী মতাংদা অর্থ মথং মথং বাবী মথং মথং অমদি মবী মখোঙ মথং মথং পীদুনা শন্দোবকপসি তাবদা ঙক্কা থোকখি। *বেদদগী হৌবগা মনুস্মৃতি, উপনিষদ, মহাভাবত বামাযণ* লোযননা *পাম্থোইবী খোঙ্গুল, পোইবৈতোনন*চিংবা মথং মথং শেষব তৌবকখি। *বাইবল কোবান* গী মতাং পুশিল্লকখি, বুদ্ধ অমদি কনফ্যুসিযস লৌশিল্লকখি, বাধা কৃষ্ণগী অচাবা মতাং পর্নবিবকখি। চাউবা কমল পর্নবিবমদনা তোকতে। *গীতাঞ্জলি*নী শিংলগা *গীতাগী* মতাং অমনা বাখৈবিখি। পূং অনী খবা হেল্লপ লেপ্তুনা শন্দোকপিবকপব তাবদা ন্যংঙাইনা থোকখি ঙক্কসু থোকখি। মমৈদদি ঙকপনা হেনখি। যূম পাংলকপদা মবক্তা খণ্ডলকখি ৮স্মে, লাইবিক তসি ইপা পাদ্রি, পাবা ঙাক্তনা পাবা ওইবমদ্রে পানবা পাবা তাবি। হৌজিক্তম খল্লক্লি ২, লাইবিক পাবা হৌবা ৮স্লে, ওপানা লাইবিক পাডি হাযনা হাবখি। ❑

ওঝা শ্রীমীনকেতনবু নীংশিংলুবদা

ডা. যামিনী দেবী

হে অশৈংপরেংল নুংশিখিবা
মণিপুরী সাহিত্যগী খৃৎমাবা
মণিপুর ইমাগী অংখোইবা মপাবী
কোংসেই মিংলেন মীনকেতন।
নখূৎনা থাবম্বা লৈবাংশংসে
ঙসিদি লৈনম্লা লৈকাই পম্লালে
কচ্চবী শ্রদ্ধাঞ্জলি নফমদা
নীংশিংজবা ৱাহৈ খরসিনা।

ঐহাক ওঝাগা মতম শাংনা লোয়নজবকই। ঐবু পোকপা পাবুংগা ওঝাগা মরূপ ওই। ঐনা ওঝাগী মচানুপী। ঐবু নুংশিনা ওঝানা কৌবী ইবেমহল হাযনা। খৃঃ ১৯৫৫-৫৬ তা ওঝানা মতম খরা মণিপুরী বিষয়গী ডি এম কোলেজ (কোমবাইন্দ) দা ওঝা ওইরমই। মতমদুদা ঐহাক ইন্টরমেদিয়েট সাইন্সকী মহৈরোই ওইরি। ওঝানা ঐখোয়বু মণিপুরী বিষয় তম্বীবকই। ওঝানা মচু তাবা ফৈজোম পুমযাৎ থোন, লেঙযান অমা গাইগৎ, লেঙজুম, যৌনা শাংবা শম নাম্না হাংখদুনা, লাইবক্তনা চন্দন চীংলেম্না ক্লাসতা লেঙনিবীবক পা শক্তমদু ঙসিস্ কাউমদনা লৈরি। ওঝাদি কুচু পাল্লি যাম্না লেমদৈ।

ওঝা মীনকেতনদি যাম্না খঙহৈবা স্কোলার অমনি। লাইরিক যাম্না পায। লোল যাম্না খঙই - বাংলালোল, সংস্কৃত, ইংরাজী লোল, মমালোলগী মথক্তা খঙই। মহাক কবিনি। শৈরেং, বারেং কয়া ইদুনা মণিপুরী সাহিত্যদা চাউনা খুদোল ওৎখা মণিপুরী সাহিত্যগী খৃৎমাবা পন্দিতনি। ওঝানা শীংজিন্নবা মণিপুরী লোলদি মপ তোপ্পনি। মদুমক্লা মহাক্কি মণিপুরী সাহিত্যদা তোপ তোপ্পা মফম অম লৌদুনা লৈরি। ঐনা স্কুল তম্লিঙৈদ ওঝানা ইবা শৈরেং চীনফা পদুনা স্কুলগী ফংসন্দা হেক হেক রিসিটেসন তৌবগী। ভাঞ্জো ফংলকই। শৈরেং অমদি ঙসিস ঐগী লৈতোন্দা লৈরি শাম্পুমান বা ওঝানা ইবা মণিপুরী ব্যাকরণ

ঐখোযনা স্কুলদা টেক্সটবুক ওইনা তম্লকই। ওঝানা ইদুন' মণিপুরী সাহিত্যদা তম্লম্বা খুদোলশিংদি ওহ্লোক্লা যামখ্রে *বসন্ত শৈবেং, সীতা বনবাস, ...নু লাইজিংলেম্বী, মৈতৈ উপন্যাস, রামায়ণগী রাবী থবা, মৈতৈ লোঞ্জল, ভারত চনু, মেং লাঙ্গবোল ঙাক্লোয পরেং, ভারতকী লোনশিংগী মরক্তা মণিপুরী লোনগী মফম গীতাঞ্জলী, মেঘনাদবধ কাব্য, দি র‌্যাপ অব ল্যুক্রেসী, শৈবেং অখনবা, অশৈবগী নিতাইপোদ, অশৈবগী শেরোহ অশৈবগী জয ভাই, বিদায অশীর্বাদ, পুন্সিগী শক্তম, সনবিক পরেং, শ্রী কৃষ্ণচৈতন্যদেব* অমসুং *যাচঙ শৈরোল থম্মিন তেংথা*নচিংবনি।

এনা লাইবিক তম্বা লৌইববদসু শিষ্য ওইনা ওঝাগী তুং ইঞ্জখি। সেমিনার, কনফরেন্স, লাইবিক ফোংবা, সাহিত্যগী থৌরম কযাদা ওঝাগা লোযননা শরুক যাবগী খুদোংচাবা ফংলকাখ। মতম শাংনা ওঝানা শ্রী অরবিন্দ সোসাইটিজ, মণিপুর ব্রঞ্চকী প্রেসিদেন্ত ...থাবমই। ওঝা নীলকান্তনা সেক্রেটরীনি। কবিসু খঙজদ্রবা ঐবুনা জোইন্ট সেক্রেটরীগী ...পুখনরী। ঐবু শ্রীমা, শ্রীঅরবিন্দগী লাইবিক পাচন্দুনা সোসাইটিজনা শিনবা থৌরমশিংদা যা ...হল্লি। হৈদুনা নত্তে ওঝা অনীনা পীরা যাথং হিকতোকপা ঙমদবদগীনি। ওঝা মীনকেতনগী ভাষণদি যান্না শা'গল্লি, হৌখ্রবদি পাক লোইগদে। ওঝাগী প্রেসিদেন্টসিয়েল স্পীচ হৈবকপদা গেংজিল্লকলবদা ঙাইবা ঙমদদুনা পাকথদুনা গোবকপা কযা যাওখি। কলচবগী থৌরমশিংদা ওঝানা থৌরম মপু হেক হেক ওই। রাশেশ্বরী পালাগী মবমদসু ওঝানা হৈরীবমই রা ঙাঙরীবমই।

থোযদোক্লা কাউঙমদবদি ওঝাগা লোযনদুনা লংফৈদা চৎথমন্নবগী তাঞ্জা ফংখিবদুনী। অমুক্লা গোম্বেদা, অমুক্লা শ্রীধাম নবদ্বীপতা। খৃঃ ১৯৮৬ তা ওঝাগা লোযননা বোম্বেদা চৎপদু "সিস্থেসিস ওফ সাইন্স এন্দ বিলিজন" হাযবা হীরমদা বার্ল্ড কংগ্রেস অমদা শরুক যামিন্নবা মতাংদনি। ওঝাগা লোযননা ওঝা নীলকান্ত, ওঝা হরাইবম বনবীবসু মদুদা খোঙবু ওইমিন্নে। খোঙচৎ অদুদা ওঝাগা লোযননা বোম্বেগী ভাইদাস হোলদা পাঙথোকপা সোমনাব, নোভেল লোরেটস, সাইন্টিষ্ট কযানী লেকচর তারা, কলচবেল থৌরমশি উবগী খুদোংচাবা ফংজবকাখ। ওঝা অহুমগা লোযননা বোম্বেগী গেট রে ওফ ইন্দিযাগী হিথাংফমদগী মোটোরবোৎ তোংদুনা এলিফেন্টা কেভ যৌবকই। কেভতা হক্তুনা লৈবিরা ব্রহ্মা বিষ্ণু মহেশ্বরগী মুর্ত্তি দর্শন ফংজবকহি। গাইদ অদুনা ঐখোযবু কেভকী তোঙান তোঙানবা মফমদা পুদুনা শিব পার্বতীগী মূর্ত্তি, শতৈ মূর্ত্তি কযাবুসু উহনবীবকখি। বঙ্গোপ সাগরগী পারুবা ঈপাক্তুদা অপিকপা ইদুদা ওঝাশিংনা তোংমিন্নদুনা বোম্বে তন্না হল্লকখিবা দৃশ্যদু ঙসিসু কাউঙমদনা লৈবি।

বোম্বেদা লৈরিঙৈদা জুহু বীচতা, ইসকন মন্দিরদা ওঝাশিংগা লোয়ননা চৎলি। ৱার্ল্ড কংগ্রেসকী সেমিনার খবদি ইসকন মন্দিরগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকই। থৌরমদু দামোদর স্বামীজিনা লুচিংদুনা ভক্তি বেদান্ত ইনষ্টিটিউটনা শীনবনি। ময়ামগী চাবা থকপগী থৌরমনা ভাইদাস হোলগী কেম্পসতা পাঙথোকই। মদুদা মী লীশিং অমা হেনবনা কিউদা লেপ্তুনা চাবগী মওংনি। খুৎতা প্লেট পাযদুনা লেপ্না লেপ্না চাক্লেন চায়। মণিপুরদা লা থাবগা বামননা য়েল্লগা ফমদুনা চাবা মওংদু নত্তে। মদুদা ঐনা ওঝাগী সেবা থবদং তৌজবা ঙমখিবদু ঐগী লাইবক ফবনি।

মতমদু ওঝাদি শোল্লে। ওঝাগী খুৎসু নীকলে। কিউদা ঙাইরগা প্লেটতা চান্নবা লৌবগা লেপ্তুনা চাবা ঙম্বা নৎতে। ওঝাবু খর থাপলপ্না ফিদা থাদুনা লেঙশিনহল্লগা ঐনা চাক ইনশাং লৈকদুনা সেবা তৌজখি। চৎপা খোংপদা অচিনবদা লম্বীদা মতেং পাঙজখি। নুমিৎ হুমনি চুপ্না ট্রেন তোংদুনা বোম্বেদগী হল্লকপা খোঙচৎতা ওঝাদগী, লাইনীং লাইশোলগী, ইতিহাসকী ৱাবী তাজবা, খঙনীংবা হংহৌবগী তাঞ্জা ফংজহৌই। ওঝাদি ইমা লৈমবেল সিদবী নীংই। তান্ত্রিকী ভাবসু লৈ। মৈতৈগী চৎনবী, লাইনীং লাইশোল কয়াগী মতাংদসু ৱাবী লিদুনা তাহনবী। নোংমদি ছাত্র অমনা ক্লাসতা মরৈ য়েৎলি। "হৌজিক্কী মতমদবু ভূৎ থোকই, হেল্লোইনা চেল্লি হাযবসিবু ওইথোকপা যারিব্রা?" ওঝানা ৱারী মথং লীথৈ, সেক্সাপযবগী হেমলেৎকী ৱাবীদা ভূৎ থো পা মণিপুরদা হেল্লোইনা মী চেনবগী ৱারী, পাম্হোইবী শাইওন অসিনচিংবা মণিপুবগী ওঝাগী ৱারীনা ঐখোয়বু শুমহৎখি। ঐখোযদা পাডতাক কয়াসু পী চীংযা তমযাদা লৈবিবা লাইনীং লাইশোলগী খুভমশিং, উমংশিং ঙাক শেন্দুনা থম্নবা তাকপিরম্মী।

ওঝাগা লোযনবদা চৎপা কাউঙমদবা খোঙচৎ অমনা নবদ্বীপ ধামদা চৎপদুনী। খৃঃ ১৯৮৬ তা শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য মহাপ্রভুগী চহী ৫০০ শুবা মপোক কুমওন পালনগা মরী লৈননা চৎপনি। পালনদুগীদমক মণিপুব ষ্টেট লেভেল কমিটিনা শীন্দুনা চহী অমা চুপ্না পাঙথোকপা প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা শ্রী অনুপ্রভুগী অগ্রদা খৃঃ ১৯৮৬ গী মার্চ্চ ১৭ অমসুং ১৮ নুমিৎ নীনি চুপ্না কনফবেন্স অমা পাঙথোকই। মণিপুরদগী নট পালা, তোলি পালা, রাসলীলা কাঙবু, রাসেশ্বরী পালাসু কমিটিনা থাই। ঐবু কনফরেন্স অদুগী মেনেজর ওইনা অদুগা ওঝা মীনকেতনা কনফবেন্স অদুগী প্রেসিদেন্ট ওইনা কমিটিনা থাবনি। খোঙচৎ অদুদা ওঝানা শ্রী অনুপ্রভুনা জাগৃত ওইবগী ৱাবী লীবিখি ওঝানা হায় শ্রী অনুপ্রভুগী মিংলেন অমদি "বেঙ্গন চোব" খামেন হুবানবা কৌবনি। নোংমা মুসলমন নুপী অমনা মানা থাজবা খামেন পাম্বীদগী খামেন হুকলম্বা নুপামচাদু ফাগে তান্নরকখি। মহাকত্তু মন্দির মনুংদা চেনশিনখ্রে। থোঙ হাংদোকপদদি অনুগী ফিগাটদগী খামেন হৈথরকখি। "ময়াম্না লাওনবকখি অনুপ্রভুগী জয়"।

ওঝানা ঐঙোন্দা ওনশিন্দুনা "অদুননিনে ইবেমহল। অনুপ্রভূগী উৎসব মথেলদা নোংমগী শোযদনা খামেন থোংবা অমা যাওবিবসে"।

ঙসিদি ওঝা মীনকেতন ঐখোযবু থাদোক্লমদুনা লাইবৈবাক্তা চৎখ্রে। নোংমদি ঐখোয পুন্নমক ওঝানা চৎখিবা মফমদুদা চৎকদবা ঙাক্তনি। হিংলিঙৈ মতমদুদা মী অদুনা পাঙথোকলম্বা অফবা থবক, অদুনা মীদুবু মতম পুম্বদা নীংশিংদুনা লৈবনি। ওঝা মীনকেতননা সাহিত্যগী লমদা ৩ম্লম্বা খুদোল অমসুং ওঝা অমগী থৌদাং পাঙথোক্লুনা মহৈবোই কযা শেম্বীবম্বা অসিনা তুংগী মীবোলনা মতম চুপ্পদা ওঝাবু নীংশিংদুনা লৈহৌবগনি। ❑

ঐনা খঙজহৌবা কবি মীনকেতনগী মশক

কে তোম্বী সিংহ

খৃষ্ট কুম ১৯৬০ গী অথেংবা মতমদগী কন্না হোৎনবা হৌবগা খৃঃ কুম ১৯৭০ অদুবাইদা হৌজিক এন জি কলেজ হাযদুনা লম্ফেল পাত্তা লৈবিবা অসি তোম্বীসনা হাযস্কুলগী বিলদীংদা অহানবগী ওইনা ক্লাস তৌবা হৌখি। কলেজ অসি লিংবা হাকথক্তনি, লৈবাক্লা শকখঙনববা কবি স্বৰ্গীযা অশাংবম মীনকেতনগা ঐগা শকখঙ মাযখঙনবা হৌখিবা। মতমদু শ্ৰীমীনকেতন ধনমঞ্জুৰী কলেজদা ওঝা ওইবম্বদগী পোত্থাবা চহী খবদমক ঙাইহিবিবা মতমনি। মবম অদুনা নহাবোল অযাম্বনা মহাকপু ওঝা হাযনা মি গৌনে। তদুগ্ব ঐখোয নহাবোল খবগীদি ওঝাদা নত্তে ইপানি পাবুংনি। ঐগী মক্নপ স্বৰ্গীয যাস্নেম ভিক্তেন্দ্ৰ কলেজ অসিগী, পুন্সি অমসুং ঐগী তাইবঙ পুন্সি অনীদা তৎন থানবা হাদ্রনা মীশক মীওই অমনি। মবমদি মহাকস্ ওঝাদা পাবুং কৌদুনা কলেজ অসি লিংলবা হোৎনবদা যাম্না চাউবা থৌদাং লৌগন্নখিবা মীশক অমনি। এন জি কলেজ অসি অমানবা হৌদোকপা মতমদদি সিটি কলেজ হাযনা মিংথোন্দুনা হৌদোকখিবনি। তহেন্দ্ৰ অমসু ঐগী অতোপ্পা মক্ন। খন অমসুং তৌবিপোক মাইকৈগী অহল-লমন [illegible]।

স্বৰ্গীয নোংমৈকাপম গোপাললনা গভৰ্নিং বোৰ্দগী ফাউন্দব প্ৰসিডেন্টনি অদুগা প্ৰোফেসাব এস শ্যামকিশ্বৰনা ফাউন্দব সেক্ৰেটাৰিনী। কলেজ ক্লাস হৌবকপগী মতাং ক্লাসদা অশাংবম পাবুংনা প্ৰিন্সিপাল ওইবা ঐ ইশাবুনা ভাইস প্ৰিন্সিপাল ওইহনবিদুনা ক্লাস তৌবা হৌখি। মতমদুদা কলেজ অসি নুমিদাং কলেজনি। মবম অদুনা ক্লাসকী মতমদি নুংথিল পুং ৪ ৩০ দগী নুমিদাং পুং ১০ অদুবাই ফাওবনি। শাংলবা কলেজগী মতম অসি ওঝা ওইবিবা ঐখোয ঐখোযগী ক্লাস লৌনৰুববা মতুংদা পাবুং প্ৰিনসিপালগী কাদা চৌক্ৰি ইকৈয কোযনা থাদুনা মখল মখেল কথাগী ৱাৰী পাবুংদগী তাজবদা ঐখোয মতম চৎখিবা খঙহৌদে।

পাবুংদি বাৰী লীবা যাম্না হৈ। পাবুংনা ঐখোযদা যাম্না তোযনা লীবিবা ৱাৰীদি ভুতকী ৱাৰীনি। নোংমদি পাবুংগা ভুতকা হকথেংন্না খৎনবণী বাৰী লীবি। পাবুংখোযদগী

যূমলোন অম-অনী লাপ্পবদা বামোন ভূত শান্নবা অমা লৈবম্মী হায। ভূত শান্নবা অহল অদু শিখ্রবা মতুংদা মহাক্কী ভূত অদুনা পাবুংখোয ইমুংদা, মকুওইনা পাবুং মশাদা হেক হেক এতেক তৌই হায। পাবুংনা থবক ইনখাং চৎথোক্লমগা হঞ্জিল্লকপা মতমদা কোম্ভোংদা ঙাইদুনা হেক্তা লৈবম্মী, মশক্তি উহন্দনা চৈগুম্বা অমনা যাম্না কন্না ফুথবকপগী শব্দ তৌই হায — নাবসু অঙকপনি, পাবুংনা হাযবদা 'ঐনা নুপা ওইবগী মবনি, নুপী অঙাংকা ওইবল্লবদি উপথুদুনা তুগনি, অদুগা তুবু তুববদি হিংদ্রে। যাম্না শাথীবা জাৎনি ইবোতোম্বী অদুদা ইপানা নাবা খাঙবা ওইনা লাউই -- মীগী মীনাই ঐনা নঙোন্দা কবি তৌবদুনা, নতীক লৈবগা থোবকউ মাঙদা থেংনসি, অদুদগীদি অদুম লৈহৌবে, ঐস সূমদা চঙলে। কবিগুম্বদসু ঐনা কলেজ কাখ্রবা মতুংদা একাগাডীগী মন্দিলা কিং ক্রিং খিংলকই হায, নমানা ঐ হল্লক্রবোই নীংদুনা চেম্ভোক্তুনা যেংলুবদা মঁ। অমত্তসু লৈবমদে হায -- কবিগুম্বদনা যূমগী জিঙঘশিংসি লোইনা শিদোক্লগা লংথোকখিবদৌনা তৌবা শব্দ তাউ হায। কবিগুম্বদনা যূমগী ইমুং লমযাযদা নিনবদি যাম্না নিন্দে তা মচা অমা তুক পায ফৎ মং খৌশাবল্লগা তাদুনা ঐঙো দা ওনশিল্লক্তুনা ফৎ কা থিনলে। তৌশিন্নবা অদুগা শ্বাই হেক মাঙখিবা তৌই — লৈবদা যাম্না নুংঙাইখিদ্রপোংনি। অসুম্না মর্দা লীবিকম্মী। ঐখোয পুম্নমক তাবদা মুল্লম্মী।

পাবুংনা বাবী লীবদা কযা চঙখোল্লি হাযবদা, ভাবনা শাবা বাবীদু পাবুংনা হেক সিংনা অশেংবা ওইববোই হেক্তা খলহনবা ঙমই। নোংমদি ঐঙোন্দগী চহী চনবা অহেবম মোধুসুদন কৌবা ওঝা অমা নুমিদাংদা পাবুংনা লীবা ৬তকী বাবী তাববা মতুংদা মযূম হনখিবদা ৬তনা নূংদুম থাবক্লে হাযদুনা মশানা তোংলকপা এব গার্ডা লৈবক্তা কোম্ভোং বাংদা হুনদোক্লম্লগা মযূমদা চেনশিল্লকখিবগী বাবী লে।

ঐনা হাযখি মথংগী নুমিত্তা, পাবুংগী বাবী সিদ্ধ পাল্লে। মতুংদদি তেজেন ইবান্নীনা ওঝা মোধুসুদনবু মযূমফাওবা হেক হেক থিনখি। নুমিত্তুদগী ওঝা মোধুসুনসু পাবুংগী বাবী তাখিদ্রে।

কলেজ লিংলবা মতুং ইকুই কুইদনা শোক ১৯৭১ অদুবাইদা ঐহাক পাবুংগা লোযননা বৃন্দাবন্দা চৎলুই। চাউবাক্লা থা অমবোমগী খোঙচৎ ওইগনি ঐনা পাবুংগা লোযনজবসি। খোঙচৎ অসিনা পাবুংগা মবী নকশিন্নবসি যাম্না হেল্লি হাযবা যাই। পাবুংদি মৈতৈ অহল লমন অতৈগুম্না যাম্না কাহেন্না ওর্থোদোক্স ওইবগী মওংদো তৌদে। চা যাম্না তোযনা থকই, অহাউবা চাবা যাম্না পামই বৃন্দাবন চৎলিবনি হাযদুনা লম্বীদদি ঐখোয কাঙবুদো পুবা নিবামিষ নত্তে। অদুবু নোংঙানবগা নীংথিনা ইক মাযথজবগা চন্দন চবা ফজনা থিল্লগা লৈবা পাবুংগী শক্তম অদুদি অউবনা কলকনীংঙাইনি। থাযনগী ব্রাহ্মণগী

মওংনি, ঙৌবপ তৌবা শমদুগা সিখাদুগনা অমুক ব্রাহ্মণদা ব্রাহ্মণ মাখি। লাইফমশিংদসু পাণ্ডাশিংনা ঐখোয়বু চিংগদবগী হোৎনবদা পাবুংনা ঐ ইশামক ব্রাহ্মণনি নখোয়গী নতেং দরকার ওইদে হায়দুনা তাম্লোকই। অমুক্তি এলাহাবাদকী ত্রিবেনী সঙ্গমদা পাণ্ডা অমগা পাবুংগা য়াম্না শাথীনা মরৈ য়েৎনখি। পাণ্ডাদুনা হায়খি মফমসিদা পূজা তৌবা হায়বসি পাণ্ডা ঐখোয়গী হকনি অদুনা ব্রাহ্মণ অহল নঙ খঙগনি তীর্থগী নিয়ম থুগায়বগী কোর্টা তাক্কে অদুগা পুলিসনা ফাহনগে। মদুদা পাবুংনা মোমোন নোক্কুনা খুমখি - ঐবু খিত্তা ফাহল্লু অদুগা নঙদি চৎপিখ্রো ঐ নে তানা পূজা অমুক্তা তৌগে। হন্দক্কী বৃন্দাবনগী খোঙচৎসিদা পাবুংগী লোয়নবী ইমা সনাইবেম্মসু য়াওই। ইমাগা পাবুংগসি য়াম্না লুনা নুংশিনৈ অদুনা য়াম্না তোযনা খৎনৈ। নুংশিনবা য়ুম্বানবী নুপী নুপাসিদি অহল ওইজরবসু য়াম্না খৎনগল্লি হায়বসি পাবুংগা ইমা সনাইবেম্মা অনীদগী খঙহৌরে হায়বা তাই।

পাবুংনা ঐসে লোয়নবা নুংঙাই হায়দুনা বৃন্দাবন্দগী হল্লকপগা অমুক সিলচরদা চৎসি হৌবিখি। সিলচবদা চৎকদৌবিবসি গুবাহাটি ইউনিভর্সিতিগী পি. ইয়ু পাবীক্ষাগী মণিপুরী পেপর স্ক্রুটিনি তৌনবা ঐখু পুবিবনি অদুগা পাবুংনা হেড একজামিনরনি। ঐখোয়না স্ক্রুটিনিগী থবক তৌরিঙৈ মনুংদা সিংচরগী আই বি দা লৈ··মী। নীনী চনবগী নুমিদাং অঙনবদা মশক মতৌ যাম্না থীবা মচু মুবা মকোয খাকপা সাউথ লোমগী মী মানবা নিপা অহুমথক ঐখোযনা লৈরিবা আই বি গী কা মনুংদা চঙলকই। পাবুংনা ঐঙোন্দা হায় - ইবোতোম্বী, ·াকইবা নিপাশিংসগী মশক মতৌনিগা ইপাদি নাক্সালাইতকা হায়বদু ওইবমগদবা মানখ্রেদা। ঐনা, পাবু· এ অমুক্ত। যেংজগে করম্বা মীতানো হাযবদে । ঐনা নিপা অহুমদুগী মনাক্তা চঙশিন্দুনা বার্বা বাতাই শাদুনা যেংবাদিদি, মখোযদো যাম্না জেনটল ওইবা, ইডুকেতেদ ওইবা মীতা ওইবম্নে। মখোয় মাইক্রো রেভকা মরী লৈনবা থবক অমগীদম·· মফমদুদা লাকপনি হায়বম্মী। অদুগা ঐখোয়বুনা ফনা কনানো কবি থবক্কী মফমদুদা লাক্লি বনো হংলম্মী। ঐনা খুমম্মী।' ঐখোয কলেজগী ওঝা ডাক্তনি, ঐখোযগী মাঙদা উব্বিবা অহল অসিনা ঐখোয়গী প্রিন্সিপালনি, ঐনা ভাইস-প্রিনসিপালনি।' মখোয়গী মরক্তা অমনা হংলকই, 'নখোয় প্রিনসিপালসি করি কালিফিকেসনানো মহাক ডোক্তরেটলা?' ঐনা খুমখি - মহাক ডোক্তরেট নত্তে মহাক্কী কালিফিকেসনদি ডোক্তরেটতগী য়াম্না হেল্লি। হায়বদি মহাক্তি ওঝাগী ওঝানি He is a born teacher. He is a born scholar, he is the guide of a number of research scholars and above all he is a renowned poet of Manipur নুপা অদু য়ানীংলবরা করিনো মখা তাখিদ্রে। ঐ অদুম্মক পাবুংগী নাক্তা চঙশিল্লে। পাবুংনা হংলকই, ইবোতোম্বী করম্বা মীওংনো মখোযবো - ঐনা খুমখি, পাবুং মখোয়সি নক্সালাইতি ওইরমদবে, য়াম্না ইডুকেতেড ওইবা মীওই

ওইবল্লে, ঐনা পাবুংসি প্রিন্সিপালনি হাযবদা, প্রিন্সিপালগী ক্বালিফিকেসন হংলকপদা ঐনা খুমজখিবদু পাবুং তাবিহৌব্র, তাহৌই, তাহৌই, ইপাদি নঙবুনা হেন্না ঙকখবে, কদায কদাযদগী ক্বালিফিকেসননো নঙনা ঐঙোন্দা পীবিবা। ঐনা ফাগী ওইনা খুমখি - ঐগা লোযনরবদি সি ঙাক্তনি। পাবুংসু ফাগী ওইনা - অদুননিনে ঐনা নঙবু থাদ্রিবা।

অসুম্না পাবুংগা ঐখোয অনী যাম্না নুংঙাইনা ফাগী তৌ তৌদুনা লোযনজবকপসিদা নোংমদি অসুম থোকউ হায়দনা তমখ্রবোই-ঐসে পাবুংগী মফমদা ওম্হোক্লা ইকাযববা থবক অমা তৌকবে। পবীক্ষাগী থবক লোইবদুনা পাবুংনা ইবোতোম্বী নঙগীদি নথৌ লোইববনিনা নুংঙাইনা চাক চাথোক্লগা পোত্থাদুনা লৈবমলো ইপাগীদি চে-চাং খবা লোইশিনগদবা ব্রাৎলি। চাক কা চাববোই ঙল্লিঙৈদা চৎলগে হাযদুনা ঐখোযগী থবক শুফম গুরুচবন কলেজ তন্না চৎখি। নুমিৎ অদু ঐ যাম্না নুংঙাই পুং ১০ দা চাক চাথোক্লগা তৃপ্তসি কবি হাযকনি। পাবুংসি হল্লকববা হলক্তে ঐ পাবুং ঙাইন্দা অব্রাবা অমা ওইরে। ঐখোযগী চাকসি আই বি গী কেন্টিননা অদুম্মক পীনম্মী। কেন্টিন ফম্বা নুপা মচাদুনা ঙাইহাক লৈতে হংলকইবা ওঃ বাবুজী নখোযগী চাক অমা লৈবির্নসি চাববোইদ্রা ঐনা ঙাইখো ঙাইখো চাগনি ঐখোযগী বডা বাবুজী লাক্ত্রি মহাক লাক্লগা চাগদবনি। ঐনা হাযন্দু থৌশাদে ঙহাক লৈবগা অমুক হেক্তা কৌবকই বাবুজী চাকসি কমদৌদৌবিবনো ঐ শাউনীংবা অমসু ফাওবে অদুগা নুংঙাইতবা অমসু পোক্লে, মনমদি মহাক্না হংজনির্বনি চাকসে মাঙলবদি মহাক শেল মাঙলে অসিনি। মতমদু পুং মবি তাসিল্লব্রে পাবুংদি হল্লক্ত্র নীনা লাইবক যেংলগে নুপা মচা অসিনা শেল মাঙলগনি পাহৎচবিবসে মাঙদনবা মাগী চাকসি চাথোকপিবগে খন্দুনা চাও, থৌবগা চাথোক্লে।

ঐনা চাক অং চাবা লোইবদুনা সিকগা হৃৎ হাম্নগা ম ং ঙেক লৈখোববপদা পাবুংগী, নুংশা মবক্ত্রদা যিফি কামদনা হংলক্লম্মী ঐনা পাবুংদা হংজে - পাবুং চাক কা চাবিব্রববা? পাবুংনা কদাযদগী ইপাদি চার্বাক্ত্রে। ঐ শ্বাই লাউই - ঐনা হায পাবুংগী চাক শক্তক্তুদি ঐনা হৈজিঙা চাথোকখ্রে। পাবুংদো কা মনুংদা চঙলম চঙফা তুনা চাক লাম্লবদুদা শাউনীংলববা কবিনো খঙদে - ঐঙোন্দা ওনশিন্দুনা - ইবোতোম্বী নঙনা ইপাগী চাক শক্তক চাথোক্লবা, অদু ওইববদি ঐ চৎলে হোটেলদা হাযবল্লগা মায শৎ ওন্দুনা গম্ গম্ চৎখ্রে। ঐ জ্ঞান মাঙলমই ইকাযবনা, অদুবু মথংগী মিকুপ্তা জ্ঞান তাবক্লদুনা কেন্টিনগী নুপামচাদদা মী অমগী চাক শক্তককা লৈখিদ্রা হংবদা লৈগনি খুম্লকখি। ঐনা নুংশাথীনা পাবুং, পাবুং চাক লৈখিনি হনবিবক্লো হাযজবদা পাবুং যাম্না থুনা চঙলক্তুনা চাক অদু ফংবিখি। ঐ খব হরাউই, পাবুংনা ইকাযদবা মীগী চাক শক্তক চাথোক্লগা ইকাযবিবিববা হায়বকখি। ঐনা খুমখি ইকায়দেদা, পাবুংগী শক্তকপু কনানা চাথোক্লগনি। খঙলে চিনথীবা বৃন্দাবনগী

খোঙচৎতগী খঙলবনি নহাকসে নবুক চাউহ্‌ হায়বদো ইপাদা চুকচ পুবক্লো ইকায়বন্নুদা। ঐনা নোক্লা খুমখি পাবুংসে চাক হাইফেৎ লান্না লাকখিবজাৎনি। পাবুংসু মোমোন তৌখি।

চহী অমা অনীগী মতুংদদি পাবুংসু জে এন ইউ সেন্টব ফোব পোষ্ট গ্রেজুএট ষ্টদিজদা মণিপুরীগী ডিবিজন্দা প্রোফেসার এন্দ হেড ওইনা অদুম চৎখ্রে। মবক মবক্তা উন্নবা নত্তনা পাবুংগা তোইনা [illegible]নখিদ[illegible]।

[illegible] নদিং ১[illegible] ।৫ ম [illegible] [illegible]বা হায়বদি ঙমজদবে। পাবু গা [illegible] অ[illegible]। [illegible] [illegible]দনী [illegible] [illegible] [illegible]ন্নদুনা মিটিং মফম অমদগী [illegible] মদ[illegible] বক্লা[illegible] [illegible] [illegible] পাবুংবু মযামদি অফাওবা কবি অমনি হায়[illegible]কি মরু[illegible] [illegible] ইশা[illegible]বা। পু[illegible] [illegible] [illegible]াওনা কবি অমনি হায়জখ্রবদুনি, অদুগা ঐনা ঙসি [illegible]ন[illegible]বি[illegible]সিমক অযা[illegible] কবিদুনি। অদুদা মীওইবা হায়বসিদ শিবা লাইবা নচানি। [illegible] বু। [illegible]খ[illegible] মতু [illegible] [illegible]গুম্বা সান্নি[illegible]গী মীওই[illegible] ৎএগা সংস্থান্না ক তোম্বী নঙদি পাবু গা লোয়নহোবনি পাবুং[illegible] কাব কবি লাইবিক ইবিবম্মী অদুগা নঙনা খঙহৌ [illegible]হৌবা খবা হায়বু নৎত্রেগা ইবকউ হায়ববদি ঐখোয় কবি হায়না খুমগনি। পাবুং কবি অফাওবা লাইবিব খনা ইবিবম্মু নংএবদি তুংদা লৈহৌবা ঐখোয় যান্না খুদোং চারোইদৌবি" হায়দুনা ইন্না ইন্না হায়জে। পাবুংনা খু[illegible]বিখি ' হোয় ইবোতোম্বী ইপাসু খল্লন্নিবনি ঐ তুংগী চাবোল শুবালদা কবি পীবর্মসনে হায়না। নঙনা ঙসি নীংশিংলকপা ফবে ইপা লাইবিক থবদি মইবন্নগে।।

মতম খবা লৈবগা হায়বদি নুমিৎ তবানিমুক অদুম ওইবম্বা যাই। ঐনা পাবুংখোযদা চৎখিবদা - পাবুংনা ঐবু তবান্না কৌশিল্লকই অদুগা হায়বকই - হে অঙাওবা ঐগী নাক্তা নক্লা চঙশিল্লকউ ফম্মু যেংঙু নঙনা লাইবিক ইদে হায়বদো ইপা লাইবিক ইবা হৌববসিনি পাবগে তাববো। অসুন্না পাবুংনা ইবা লাইবিক অযাম্বা খুৎই ওইবিঙৈদা ঐঙোন্দা হেক হেক পাবগা তাহনবি। অসিগী মতুংদদি ঐনা মবক মবক্তা পাবুংখোযদা হেক চৎখিবসি পাবুং লাইবিক্তা ইদুনা লৈবম্বা ঐনা থেংনখি। অযাম্বা মতমদা পাবুংনা লাইবিক ইবিবা মফমসি পাবুংখোযগী চাকশঙগী ববেন্দাদনি ইমুংনি হায়বসু যাবা মপান্নি হায়বসু যাবা মফম অমদনি। মফমদু যৌনা চঙবসি মী অযাম্বনা হঙ্গোযনৈ। অদুবু ঐদি তোয়না চঙবনিনা কবিসু থোইদোক্তবে। পাবুংগা ইমাসগনা ঐবু যান্না লুনা তৌই। ঐনা পাবুংখোযদা হেক চৎলুবসি নচা লাক্রে চা লোল্লসি, নমানা লোনবদি হাওবা যৌবোই হায়দুনা পাবুং মশামক্লা চা লোন্দুনা পীথকই। পাবুংদি লাইবিক ইবিবা মফমদুগা ইবাপ লাপ্নদনা দোশীগী ইস্তোব

অমা লংনা ফেংদোক্লবা পিথ্রাই কোন্দুম মচা অমা চা মনা চিনি অমত্তা ৱাত্তনা চাগী মচাক পূম্বা থল্লিবনি। অসুম্না লেপ্পা লৈতনা লাইরিক ইবা হৌখি।

লাইরিকশিংদু মথং মথং ফোঙখি। লাইরিক মঙা তরুক্লি ঐনা খঙজবদা *অশৈবগী নিতাপোদ* তরা করিনো সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ ফংখিবদো অদুবু পাবুংগী অথেংবা লাইরিক *য়াচঙ শৈবোল খম্মিন তেংথাইবা* মতমদদি ঐ খঙহৌদরে। হৌজিক ফাওবদা পাবুংগী মচা ইবুংঙো অহল তাইবুংঙো যশোবন্তনা পাবুংগী চহীগী দিন থোকপদা ঐখোয় পাবুংগী হৌজিক হৌজিক হিংলিবা মরূপ গাযববু ইবুংঙো তোম্বীদা ঙাইববনি হায়দুনা ঐবু দিন খুদিংগী উসব য়াওহল্লি।

ঐনা নোংমা চহী কুন্থামুক্কী মমাঙদা হাযজখিবা ৱাফম অদু কুমসি চহীসিমক্তদা থোক্লবে। কনানবু অসুক চাউবা খুমাবা মৈতৈ কবি তরুক্কী মনুংচনবা কবি অশাংবম মীনকেতনগী মবমদা মহাক্কা লোয়নজহৌবা মতাং খবা হকথেংনখিবা থৌদোক ৱাথোক্কী মরমদা ইনবা তাকপিবকপসিদা ঐ ঙকপা অমসুং নুংঙাইজবা ফাওই। মরুওইনা অকিবনা হেন্না ফাওজৈ মবমদি পাবুংনা ইবিবম্বা লাইবিকশিং অসি হন্দক খবা নীংথিনা পাজবগী তাঞ্জা অমা লাকখি অদুননি পূক্লিংদা অকিবা ফাওবক্লিবা।

ঐদি হৌজিক কালসি বিশ্বকবি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী ভক্তা হাযদু ওইজরবনি মযাম্গ খঙবিবা খঙবিদবদি খঙজদ্রে। ঐগী বাবেং মতেক অমা ইবসিদা লোইশিল্লকপদা বিশ্বকবিবু নীংশিংদবা ইঙমমক ঙমদ্রে, মরমদি বিশ্বকবিনা খঙনরা খঙদনরা মহাক্কী শৈরেং লাইবিক ডিগাডেনব হায়বদুগী অরোইবা শৈরেং মরিক্ মঙা শুবদা অসুম্না ইবিবমমী ঃ Who Are You, reader, reading my poems an hundred years hence? কনানো পাঠক নঙবু চহী চামগী মতুংদা ঐগী শৈরেংবু পারিবা? অনু ঃ অইবা চহী চামা লৈরগসু মীশিংনা মহাক্কী শৈবেং পানখিনি হায়বসি বিশ্বকবি মসানা খঙজখিবদৌনা তৌই; অদুগা ঐসু ঙসি ইজবিবা ৱাহৈ খরা অসি নোংমা শোয়দনা ইরবা য়াই হায়বসি চহী কুন্থামুক্কী মমাঙদা খনজখি মদু চুম্লকপদুদনি ঐনা বিশ্বকবিবু নীংশিংজরক্লিবা। ❑

ঐনা খঙহৌবা মীনকেতন

য়াই. রঞ্জনা দেবী

ঐনা অহানবমক্তদা মীথুংলেনগী যাম্নমদা লেঙশিনবিরিবা ওঝা ইকাইখুম্নজরিবা মিনিষ্টর আর্ট এন্দ কলচর, শ্রী পি. পরিজাৎ সিংহ, ময়ায় তাংবল লৌবিরিবা ওঝা শ্রী বি. জয়ন্তকুমার শর্ম্মা অমদি তিনবিরিবা/তিনবিরিবী খ্বাই খিবিকপু খুরুমজরি।

শ্রী অশাংবম মীনকেতন ওঝা ইবুংঙো অসি মতম শাংনদি থেংনজহৌদ্রে, তেল্লবা মতম খরদং থেংনজহৌবনি। তেল্লবা মতম খজিক থেংনজহৌবসিদা ওঝা ইবুংঙোগী "ঐনা খঙহৌবা মীনকেতন" হায়বসিগী মতাংদা য়াহে খরা থমজবা তারবদি ঐনা খঙজহৌবদা ওঝা ইবুংঙো অসি য়াম্না ঈং তপ্পা তৌরিবা থবক্তা খোয়জংবা ওঝা অমনি হায়না লৌজৈ, অদুগীসু মথক্তা লৈমা শিজ মচা ওইবগী থৌগল্লোন ব্যবহার য়াম্না ফজবা ওঝা ইবুংঙোনি। মতম খজিক্তং থেংনজহৌবদা ওঝা ইবুংঙোনা তাকপিরম্বা পাউতাক শীংথাদুনা লোইবা নাইররোই।

ঐনা বেঙ্গলী স্কুলদা তম্বী ছাত্রী অমা ওইনা ওঝা ইবুংঙো অসি বেঙ্গলী ফজনা খঙবিবা ওঝা অমনি হায়না লৌজৈ। মসিদসু নত্তনা বেঙ্গলী সাহিত্য ফজনা নৈনবা ওঝা অমশুনি। মসিগা লোয়ননা মৈতৈলোনগী লময়ানবা কবি অমনি হায়জবদা হায়মনবা থোক্লোই হায়না খনজৈ।

ওঝা ইবুংঙো অসি মৈতৈলোন অরিবা অমসুং অনৌবা অনীবু ফজনা নৈনবিবা ওঝা অমনি, ঐনা পাজরুবদা ওঝা ইবুংঙোগী, মতম কুয়রবগী মমাঙদা ইবিখিবা লাইরিক অমগী মমিং পনজগে মদুদি *মৈতৈ লোঞ্জন* হায়রিবা লাইরিক অসি পাজরুবদগী ওঝা ইবুংঙোগী গুণ অসি ঐনা শীংথাদুনা লোইবা নাইররোই।

ওঝা ইবুংঙোনা ইবিরম্বা লাইরিক ময়াম অমসু লৈখ্রে, তিনবিরিবা-তিনবিরিবী গুণ লৈরবা-লৈরবী ময়াম্না হেন্না খঙবিরিবনি। ঐগী মত ওইনা পিজরবদা ওঝা ইবুংঙোসে মণিপুরী সাহিত্যগী লময়ানবা ওঝা অমনি হায়জবদা হায়মনবা থোক্লোই।

ঐনা ঙসি ফাওবা কাউবা ঙমজদ্রি ওঝা ইবুংঙোনা তাকপিবম্না ৱাহৈ খবা "মেমা নংগী নৈনরিবা হীরম অদুদা মী অমা ওইগে হায়ববদি থিজিনবা, পাবা, ইবা হায়বসে কাউবা য়াদে" ওঝানা তাকপিরম্বা ৱাহৈ অসে ঐনা ঙসি ফাওবা "লাইৱা" ওইনা লৌজবি (কাউজদে)।

ওঝানা তাকপিরম্বা 'লাইৱা' অসি মাঙদা থমজরগা ঐনা হোৎনজবগা, ওঝা গুরুগী মতেংগা লোযননা মণিপুরী নট সঙ্কীর্ত্তনগী মবমদা নোটেসন তৌবা লাইরিক অহুম ফোঙবা ঙমজখ্রে। ঐনা ফোঙ দখ্রিবা লাইবিক অহুম অসি ওঝা ইবুংঙোনা তাকপিরম্বা "লাইবা" অদুনচি হায়বসি ঐগী পুন্সিনা লৈরিবা মখৈদি কাউজবরোই।

ঐ মতম শাংনা লৌজবরোই ওঝা ইবুংঙোগী গুণদি ঐনা শীংথাবদা লোইশ্না নাইবরোই। ৱাহৈ খবসি থমজবগা তিনর্বিবিবা মযামদগী কাযননবা যাথং নিজবি। ❑

অশাংবম ওঝাগী নোংমগী পুন্সি মরেল অমসুং লাইনীং

খোমদ্রাম অশ্বিনী, কাছাড়

পুন্সি মরেল—

মীওই অমগী পুন্সি পরীং, ৱাখল্লোন, মিৎয়েং পান্দম অমদি থৌরম কয়াগী অপূনবা পাউদম্না মীওই অমগী মঙাল ঐখোয়না খঙবা ঙমজে। অদুবু মী অমগা অমগা লোয়নবা, তোৎন-তিন্নবসু মতম মতমগী ওইবনা অকক্লবা তাঙ্কক খরগীতা পাউদম ফংই। ওঝা অমগী মরমদা মচা মনাইনা পাউদম্বদা লৈনরিবা মরী অদুগী মমি তাবসি হৌনশানি। চংলেম্লবা পাউদম্বু তোল্লবা ঐহাক্না খরনিদং থৌগল ফংজবগী পাউদমজবদি মপূং ফাবা ঙম্না নত্তে, ঙাকপির্গনি।

ওঝা, মিকপ থোরকপগা, চীংখৈ গল্লকপগা লোয়ননা গুরুগী ঙাংলৌ খুয়া খাদা তৌবিমল খঙবা ফোঙদোকচদুনা থৌনিজৈ অহিং চুপ্পসি তিংদম তাদুনা তুমজবদি ইমা-ইপা গুরু অনীনা মথাদা কোনবিবনি। নুমিৎ চুপ্পা চেন চোঙলুবদা বাজরবনি। মথংগী নুমিৎ মথৌ পাঙনবা লমক্তেন থাগদৌনিবনি। মুনা মুনা মচাবু যেংজবা, শেঞ্জবগুম ইমা-ইপা গুরু অনীনা মথাদা কোনবিবগী ৱাখল্লোন্দা। লমন তোঞ্জবগী অমদি থৌজানাববগীদমক হন্না হন্না খুরুমজবনি।

লেঙখৎলি। মালেম ইমাবু মিংখৈগা খুরুমজে। অঙম্লক খুৎনিংথৌনা অৱাং পাংনা লৈমাইদা চিংখৎলি, লাইবক কৎলি। নহাক্কী তময়াদা নহাক্কী থৌদাং পাঙথোকচবা ঙম্নবা পাঙ্গল, পুন্সি, থৌনা পীবিনবা মালেম ইমা গুরুগী ঙাংলৌ সনা খুযা থম্বালদা খুরুমজদুনা থৌনিজৈ। নিংসাশ্বব চিংশিনজৈ। শ্বর ফাউবা তুংইন্না 'জৈ ইমা, মাধব, মাধব' শোঞ্জদুনা ফমুংদগী লেঙখৎলি।

নোংপোক ওন্না মাঙ্গোলদা লেপ্পি। নুমিৎ খুরুমজৈ, থৌনিজৈ। চীংখৈ থকচৈ। কোরৌ ইপাগী মতীক অচৌবা খোনথজৈ, মালেম ইমাগী ময়াই অহকপী খোনগচ্চৈ। চীংখৈ লৈমা, তম্ফা ইমাগী ঙাংলৌ খুয়া থম্বালদা শিল্লম, শিন্থা মঙাল তানা, মপূং ফানা ফংহনবিনবা থৌনিজৈ।

শ্রীগীতাগী ত্বয়া ঋষিকেশ হৃদিস্থিতেন যথা নিযুক্তোহস্মি তথা করোমি হায়বা পীংলেম্ন-লুম্নবা বাখল্লোন্দা গুরুগী ঙাংলৌ খুযা থম্বালদা চঙজদুনা নোংমগী থৌবম থৌগঞ্জে। থৌডাল লনগুনা যাইফ-শকতম্নববা ওঝাগী অযুক্কী মাযথোংদি পূক্লিং ৱাখলদা শেংনা ঈং তপ্পবা যাইফ ইবা খিকপিবগুম অপেনবা পীনবি।

অযুক্কী থৌনিবসি লোইবগা খূবী অনীগী মখোঙ থংবা খুবাক্কী অতোংবা শকক্তা শ্বব কামশিন্দুনা নৎএগা তরুদুনা শাহল্লি। যেৎকী খূবীগী মখা থংবা শকক্লা ওইগী মিৎলুদা, ওইগীনা যেৎকী মিৎলুদা হন্না হন্না নানবি। মীৎ শিংহল্লি, চোকথবা তেখৎহল্লি-হায়না তাবপি।

চাইথদ্রিঙৈদা কোক্তা থোইদিং থাউ তৈবি। ঈশিংগী খজিক অইংবা কোকহল্লগা চাইথবী। লোইববদা চন্দোন থীনবি-মফম তবানিথোইদা। অযুক নুমিদাং মতম অনীমক্তা লাইখুকমবী। থবক চৎপা নুমিৎ অযুকসি খজিক শমজিন্দুনা খুকমবী। *অঙগন্যাস করন্যাস*, নাহৈবা থৌবম লোইববদা কর্থাপগদৌবা হৈলম লৈবম লাংই। মফম নাইনা ফমদুনা মিংথৈবোন শোঞ্জদুনা লোযনব গুরু মাবেন খুকম্মী। মহাক্কী হৈনা তু ইঙদুনা হু। নম্ববেন হপা গুরু লাইনিংথৌ অনীগী ঙাংলৌ সান। খুযা থম্বালদা থৌগলডো

যূমদতা নম্বনা মপালদা লাই খুকম্নগী মহম অনীদা ওঝাগী থৌগল হ০ ড্রাং। হযা হ। লাইথেম্বা অমসুং লাকাবুন্দ (কসাব) লাওগাম অনাদনি। কো মা লাম্ফিপুন ... বিগা ক্লাস লৈতে লোটস হৎলম্মা। যুনিভার্সিটি সন্টব লৌনা। ... সাইকল। ওনাগা লাক্মিং লাগি, ক্লাস লেরবানা সাইকলা। অদুমক হিরাংথাং চৎলাস ইমা খুকম্মুস ... পাখি ... । ... মবক্তা ... সাইকল থৌবনা ... ... অনৎপদা ... তুলসী ... খুক্কুনা ওঝাগী থৌগল ... । ... থোঙাদ লোন্দুনা লৈ ... পোঙসু ... লেমদে। যোৎলিগী ... মপদ ... ইমা খুকম্মী পূ অমা হেন্না ঐতাঙ্গি ওঝাগী মতৌ যেংদুনা তুমিং ... লেবম্মী। লাই খুকম্মীডা ওঝাগী শক্তম মায়ৎবা ... তানা ফজবদি বাহৈনা ... দাবপা চমজদে। লাই খুকম্মীডৈদা ওঝাগী ... যেংবা ... মসিনা অহানবনি। লাই খুকম্বা লোইববদা মিৎ পাঙথোকপিনকপনা ঐহাকপু নাক্তা উবগা নীংশিংবিখি

'খবনিসে লাই খুকম্বা খগা মপূং ফাংথদ্রে। ঙসিদি ইমানা ঐবু চিংশিনবিদুনা খজাই অনীদা সেৎ সেং হেক্ত' থাবিবানি তিঙকনা, পেহৈনা লৈবিডৈদা ইমানা মথাদা পমখংলি খোম্লাং ইনবি। ঐদি কনখৎলে ... ওম্বা চহী মাবফুদা অহেনবা শাফু লাবত্রবদি সেক্কুনী ফবা যানা' লৈবে।'

ঐতাক্কি অদুমক ঙক্লা ... দুনা লেখি।

ফিজেৎ লৈতেং ঙম্নমক লাইদা কৎপি, মথংদা ফিমন খূনবি। চিঞ্জাক পূম্নমকসু লাইদা কৎপি। লূক হাবদা ঈশিংনা অকোয়বা শেংদোক্লগা লাইদা কৎপি। য়েৎ থংবা মাইগৈদা মথেন ঙম্নমক ইমাদা অমুক কৎপি। মথংদা লূকমন খূনবি। "লৈসিরেন লৈরেনহনবী ইমানা চাথোক-পোথোক পীবিবনি। কোরৌ মালেম অনীগী মতীক ময়াইনি। নখোয়গী লূকমন ফংজরগা পাঙ্গল, পুন্সি শাবেপ ফাজগে। থৌদাং মপূং ফানা পাঙথোকহনিবিয়ু, ব্রাখলনা গুরুনা থৌজানবিরে খনগনি। লোয়নবা গুরুগী লমজিংদা গুরুগী লূকমনসি হাবসি অসুম্না অবোইবা চথোম ফাউবা খনবি। অরোইবদা চাক-য়েনসাং খরা তিন-কাঙ্, উচেক-ব্রায়াগী শব্দক খরা খায়দোক্লুনা লেমহনবি। খূৎ-য়েৎ শেংদোক্লগা মালেম ইমাদা তমখিবা মচনশিংদো খূনগৎপি। অসুম্না ফিজেৎ লৈতেংবদা অমসুং চা-থক্লবদা ব্রাখল মিৎয়েংদা অকামবা লৈরোয, ময়াই কারোয। ঈং তপকনি, য়াইফগনি ইমাগী থৌজাল লেপ্পা ফংগনি হাযবসি ওঝাগী পাউতাক্নি।

ওঝাগী ফিজেৎ লৈতেং চম্মি। লু নাল্লি, চীংলেশ্মী। চাবা তূমদবা, নুংশিৎ কাবা, পূক নুঙায ওবা নোংমতা তাখিদে। চনন্নদা লূক হাবিদে। থাগী তরামাথোইনি কোনবা, পানবা খাবান অনীদা অয়ুক্কী চাকলেন চাবা হেনবি। চবা হেনবিবদা করি অমত্তা ব্রাবিদে। চদৎনবা উজদে। নুমিদাংবায উহৈ খবা চাবগা নুমিদাং চাক ঙল্লপ নিবামিয চাদুনা চেপ্পি। অতৈ নুমিত্তসু নুংগিল উহৈ হাবি। "চনন্নদা চাবোযদৌবনি। হাওরিঙৈদা তোক্কদৌবনি। থবক থৌবম পাঙথোকপদসু নুংঙাম্মরিঙৈদা লোইশিনদৌবনি" - বাফমসি হেক হেক নীংশিংবি। চথোকপা, থবক থৌবম পাঙথোকপা খুদিংমক্তা ইমা লৈমরেল, ইপা গুরু লাইনিংথৌ অনীগী ঙাংলী সানা খূযা থম্বালদা হঙ্গৎপি, থৌজাল থৌনিজৈ। গুরু অনীগী থাখং লূদা থোংনা মখাযগী থৌজাল পাঙথোকচনবা চংলিবনি হাযনা নীংশিংবি। মথংদা লোয়নবা গুরু মিরেল থুরুমবি থৌগল পাঙথোকচবদা মাঙজিন থানা লমজিংবিনবা থৌনিজৈ। মহাক্কী হৈনা তুংইঙ্গদুনা গুরু অনীগী শিন্থা পাঙথোকচবনি হায়বা বাখল্লোনদা লোযনদুনা চৎমিন্নগনি নীংশিংবি। মতম পূম্নমক্তা লোযনবা গুরু মহাকপু কাবোযদৌবনি। থবক থৌবম ঙম্নমক পাঙথোক্লবা, হল্লক্লবা মতুংদসু লোয়নবা গুরুগী লমজিংদা গুরু অনীদা চিংখদনা পাউদমগনি। থৌনিদুনা খুরুমগনি। মখোয়গী থৌজাল শনগুনা লোযনবা গুরুগী লমজিংদা পাঙথোকচবনি হায়না লৈশি লৈথোনগনি। মহৈ য়াল্লবদা গুরু অনীদা কচ্চদ্না থৌনিগনি। বাফম অমদি লোনচৎ অসি মৈতৈ অহলশিংগীনি। কয়াতা ব্রাংখ্রবা বাখল মিৎয়েংনো। গীতাগী নিষ্কাম কর্ম্মগী বাখল্লোন্দগী হেন্না বাংলবনি। থৌগাই পাঙথোক্লুনা চৎলু। মহৈগীদমক খল্লুগনু-হায়বা বাখল্লোনবুসু ঙমজবা মমালোনগী পাউবোলনি। নুংঙায়বৎ হবাউনা ঈশ্বরগী থৌজালনি হাযনা লৌশিন্নে। অবাবসু হবাউনা ঈশ্বরগী থৌজালনি হাযনা লৌশিনগদৌবনি হাযবসি ওঝাগী ব্রাখলনি। অরাবা অদ্ মাযোক

য়াবা ঙম্লনবা, পাঙ্গল, পুন্সি, থৌনা পীবিনবা ইমাগী মফমদা থৌনিজে। কবিগুরু রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী -

> "বিপদে মোরে রক্ষা করো
> এনহে মোর প্রর্থনা
> .. ..
> ... .
> দুঃখে যেন করিতে পারি জয়।"

বাফম অসিগা মান্নবা মিৎয়েংনি। অমম্রোমদা ইমা-ইপাগুরু অনীগী হরাউ তয়াম্বা নুংঙাইবা য়াইফবগী খূদোলনি ঐখোয়সে। মরম অদুনা ৱারুনিঙায় করি লৈ - হায়বসি ওঝাগী পাউতাকনি। চুম্না শেংনা নীংথিনা, মতম চানা, কাংলম তুংইন্না গুরুগী থৌগাই পাঙথোক্কনি। চেকশিনদ্রবদা লান্নংবদি মশানা তাবনি। মদুদা ঈশ্বরদা তাইনবা চুমদে। ঐখোয় ঈশ্বরগী মচানি। ঐখোয়না লান্নংবদি ঈশ্বরগী মায় খুর্বনি। ঈশ্বরগী, ইমা-ইপাগী মায় খুনিঙায় ওইবা থৌরমদগী চেকশিনগনি। 'ঐখোয়বু পোকপিবদি ইকাইবা মায় খুনবা পোকপা নত্তে' - হায়না মতাং অমদা ওঝানা থোইদোক্লা ঐহাকপু বাবর্কাপিখি।

মণিপুরী এম এ অহানবা হাংবগী মতাংদা হিন্দী, ইংরাজী, বেঙ্গলী লাইরিক কয়া অয়ুক পাবি। অসুম পাদুনা চৎখিবর্সি অদুমক হন্না চিথদনা হায়দোকপি। অয়ুক পাখিবশিংদো ক্লাসতা চিথদনা মতাং চানা হায়বি। পাবা পাবনা মরক মরক্তা ঐহাকপু পাইহন্নি। তুমিন অদুম তায়। মদুসু চিথদনা হন্না হায়বিবা ঙশিম। অঙকপা নীংশিং পাঙ্গলনি-নীংশিংলকই স্বামী বিবেকানন্দগী বাফম অমা - লোনমা লৈনে তোংদুনা চৎপদা বিবেকানন্দনা লাইরিক অমা লামাই হা-হাংদুনা পানম্মী। নাক্তা তোংমিন্নবা অহল অমনা লাইরিক পারিবরা, লাই যেংলিবরা হায়না চিংনবম্মী। লাইরিক অদু লৌরগা লামাই অমনী পাখি। বিবেকানন্দপু চাং য়েংনীংদুনা অহল অদুনা বাহং থরা হংবিখি। লামাইশিং অদুদা য়াওরিবা বাফম অদু চিথদনা লোইনমক বিবেকানন্দনা নীংশিংখি। মথংদা শনদোক্লা নুংগী বারোলসু ফোঙদোকখি। ৱাফমসি থাজনববসু চিংনরম্মী। ওঝাগী মতৌসি উরবদা থাজরকখি। "অঙাং ওইরিঙৈদা তাবগা ফাবা, পাবগা ফাবা থোকপকী নীংশিং পাঙ্গলদু অমুক হন্না হেন্না ফগৎলক্লে" - হায়না ওঝানা নীংশিংবিখি। অঙকপদি করিগুম্বা এ আই. আর. গী শৈরেং থীনবা রেকোর্বদিংগী অয়ুক অদুমক্তদা চিথবা, পুথবা থৌরম হেক নীংশিংবদা 'সে, সে ঐ হায়বক্কে। চে কোলোম পায়ু। ইয়ু" - অসুম্না ৱারেং শৈরেং ইবসি মরক মরক্তা ঐহাক্লা ইবা ঙমহৌদ্রবদা - "ওঝাবু অমুক হনসি" - হায়জবদা হৌবদগী চিথদনা হন্না হায়বসিনি - ঐহাক্লা ঙকলিবা!

ইমা লৈপাক পোক্নফম, ইমা শৈথাবা শৈরেং কয়াদি তত্তনা থীদুনা তাহনবি। করিগুম্বদা খুৎথেক্কা কোন্না শৈরেং থীবি। করিগুম্বদা শৈরেং থীনা থীনা পীরাং শিন্থদুনা তঙাংলবা মাযথোং ইবং লংই। থবক কাদবা নুমিৎ চাকলেন চাবা মতুংদা ঙহাক চেপ্লি। লেঙখৎপিরগা উহৈ-ৱাহৈ হাবি। যাম্না তোযনা থক্রুবসু হিদাকফুদা খুদোং ফাল্লি। নোংমদি খুদোং ফাল্লিঙৈদা বামায়ণগী সাতা বনবাসকী মতাং অমা যুথংনবগী রেদিওদা হৌনা ৱাবী থাবকপা তাবম্মী। বাবণগী উমং কৈশুমদা সীতানা পিবাং পিবোইননা লেনবগী ৱাবী, হনুমান্না 'বাম বাম' হিংখৈ শোন্দুনা চঙলকপা ভাবদা সীতানা তুজুংখিবা, তাঞ্জা যেংদুনা হনুমান্না সীতাগী মফমদা বামগী খুদোপ উৎপা পীবা বাবীগী মতাং অদু তাবগা হিদাক থকলম্বদু থমখিবা খঙহৈদে। ভূমিন্না ওংবুনা লৌগ। মিৎলুদা ইবা শিন্থখি। ঐহাক্না যেংথোকখিবদা তঙাংলবা মাযথোংবু ওমতনা পিবাংনা তানবা তনিক টৌখ। অমবোমদা পিসুম অমসুং লাইবক ইওাং পাকতক্লবওম পুমঙা ঙাংখি। ঐহাক্না নুংশাথাদুনা নাক্তা যেংদুনা লৈখি। অসোমদা বেদিওগী বাবীদি লোইরে। মবক নাওা থোইদে ক্রা নাংমাইজিং নুমিৎ নুংথিল অথেংবদা ওঝাগী লাইনী মন্দপ, ভৌবাংবম লৈকাইদা লৌববম্বা ওইনাম মেম্বব হেক হেক লেঙবিবকই। অহল অনী লাইনীংদা মা মানা উজবা, ফংজবা মঙাল পাউদম্লে। মবোল হাযনৈ, তানৈ। লাইনীং লাইশোনগী মঙাল ফংবগী বাবী শানবদি ঐহাক্কী ইফমদদি ঙক্না থোকই। তোঙানবা নাখলগী জগৎ অমদা চিংদুনা পুবি। যুমগী তবা অনাগী মবম অমদি চানা থক্লবগী মবমদা ওঝাদি খনবা ওইনা খনবিদে। ইমাসিনা পুঙপু পুই। থবক কাদবা, যূমদা লৈবা নুমিত্তা নুংশিল পোথাবা মতুংদা মবক মবত্তা নুমিদা বাম বংলা পাক নৎত্রগা দি এম কোলেজ ক্যাম্পাউণ্ডা হেক হেক কোমপাগমিনৈ। পুন্সিদা থেংনাববা অবা-নুঙাই বাবী কযা ওঙ্বী। হীবম অমদা, মতাং শম্নদ ওঝাদা বা ডাডবা হৌববদি পোথাদবিনি। চিল্লবা লম্বী অমাদ গাড়ীনা কুংনা চেনবা লম্বাদা ঐহাক্না বা যাম্না ভাঙহনন্নীংদবনি। অদুবু ওঝাদি লেপ্পা লৈতে। যূমফাল লমজাওদা মতেক মবাং খোঙনা চংমিন্নবসি শেন্নবা বাজৈ। লমশাং গাড়ী তোংবদি থক্তিক চৎখৎপদা ওঝাদি হেক্তমক উইথৈ, তুমথৈ। অসুম্না চংমিন্নবদা ওঝাবু কোনশিনদুনা লেঙদনা অদুমক তুমথহল্লি। ব্রেক অকনবা ফাদ্রবদি লমশাং অদুমক নীংথনা তুমদুনা যৌই।

ওঝাগী অঙকপা অমনা ছুটি নুমিৎনা। ওঝা ইমাসি চাকলেন চাবগা লুক্তোংবা অমদা লেঙবিখি। নুমিদাংবায ইদোমতা লেজবা মতমদা খোঙজাউদো লোনশিল্লনসু হাংহৌদনা হাংখি। মাঙ্গোল্লদা খাওখা চি না চি না সব, সব চৎপওম ভাখি। থাক্লুনা যেংবদদি কবিসু লৈবমদে। নুমিদাংবায ইদোম লৈজবা মতমদা অসুম্না তগুনা থেংনৈ। বিবদি লৈখিদে। ওঝাদা হঙ্গচ্চবদা ইচাসিদি কবিসু কিবক্নু। মহাক্কী (লাই অমগী) মকোল

ওইবম্বনি। মহাক্কা যানবা তুং ইন্না অনৌবা মকোল অমদা চৎথ্রবনি। হান্নগী মকোন্নিনা নুংশিজদুনা লাকলিবনি।'

লাইনীংদা ওঝানা চঙশিনবসিদা কনাগুম্বশিংনা লান্না খন্নখি। লাই লোনানৈ খন্নদুনা ওঝাদা লাই থাজিন্দুনা তেমশিংনখি। অদুবু ওঝাগী ওঝা লাইশ্রম ওঝা মেবাগী থৌশিন অমসুং পাউতাক তুংইন্না ওইনাম বাক্সীগী মখোযনী পূন্না লাইনিংথৌদা থৌবম পাঙথোকমিন্নদুনা থাজিল্লকপা লাহদো ফাখি। লাইনা মীবা ইনদুনা লাকপা, মীনা ফাবদা ইকাইবা নঙলিবা, থোযদোক্না হনখিদ্রবাদি মই মযাই চমথোক্লবা থৌবাং লৌখৎলবদ থাবকপা লাইগা মকপ ওইর্নাখ। তেংবাংনসি লাইনিংথৌগী থৌগল পাঙথোকমিন্নসি হযনা বাশক্লখি। মতুংদা থাদোকপিখি। তাবদা ঙকনি ভ্রার্যান।

মসি মৈতৈ লাইনীংগী হম্বুনা থৌওং অমনি। অসিগুম্বা থৌওং হৈবা, শীজিন্নবা মীওইদি লাইনীংদা চঙশিনবা ওইখোক্ত। শীজিন্নবিবা লাই অদুনা মহাব পু খুটং শন্দনা লৈ। অশোয়বা চেকশিনদবা মতাংদা গোন্না হল্লি কনাগুম্বনা মখবায মাঙইজে। লাইনীংদা মঙাল ফংনববসু থৌওংসি শীজিন্নববদা লৈশা তাক্তৈ নীংশিংবিখি ওঝানা।

অদুবু ওঝাগী চেকশিনদবা মতম যেংদুনা হেক হেক ওঝাবু নাহনদবদি নত্তে। নো মদি কাঞ্চিপুব চৎপদা সাইকলদগী ওন্থে। ঐহাক্না তুংদা থৌর্বানি। ওঝাগী অঙবা সাইকল মথও। ঐসু তুশিনবনি। হন্না যেংখিবদা ওঝাদি লেপতুনা লৈবিবম্মী। সাইকল অর্ন মক লৌখৎলে। ক্লাস নংনবা চৎমিন্নৈ। মথংদা নীংশিংবিখি 'থাজিল্লকপা লাইনা ইম্বুবনি অঙকপা বাফমনি। যূমদা যৌবক্লবদা নুমিদাংবাযদি হকচাং খবা থিৎ চাম্মি, নোযবিনবা নীংশিংবি। মথংদদি অযাম্বা নুমিদাং হকচাং নোযদুনা থৌগলদৈ। অযাম্বদা হেন্না তুমথে। তুমদবা মতাংদা হেক হেক বানী লৌবি।

ঐহাক্কী লুহোংবা মতুং, চাকৌবদা ওঝাসু যাউবিখি। ইকং পানথা ওইবনা তুবেনদা হি লৈবমদে। ঐখোযদি খুউ যৌদবা ঈশিংদা লানথোক্লখি। ওঝাগীদমক বানা উঙাম শাদুনা লাম্থোক্লবা থৌবাংখি। অদুবু হল্লকপদা ওঝাবু উঙামদা ফম্বিনবা নীংশিংজবা লোইদ্রিঙেদা ঈশিংদা হাইথখি। নাক্তা ঐহাকপু লৈজবনি। খুউ যৌদবা ঈশিংদুদগী ওঝাবু চিংখচ্চখি। তাউথখিবা নমথাং থিদুনা ফংখি। ওঝাদি কবিসু তৌখিদে। ঐখোযগী যূম যৌবগা তম্বীখ 'ওত্তবশিংদুনা খাবকপা লাইনা উঙামদগী ঈশিংদা চিংথবনি।'

থৌদোক অনীসে ঐহাক্কী ইকমর্দাদ ঙক্লা থোকখি। হন্না অমুক মীনা লাই শানবক্লবা থৌবম অবোইবা ওইনা, লহংলখি। লাইনিংথৌ সনামহী অমসুং লৈমাবেন ইমাগী খুযাং থম্বালদা কৈ কত্তুনা থৌনির্বাখ। মথংদদি অসিগুম্বা থৌওং অমুক থোকখিদে হাযনা ওঝানা পাউদমবিখি।

বিঞ্জ্যানগী চাওখৎলবা মতমসিদা লৌশিংগা ৱাযবা থৌওংনি। অদুবু মসিসু বিজ্ঞানগী যুম্ফমদা পাঙথোক্লবিবনি ৱাফমসি খন্না নৈনবগী হীবমনি। অমবোমদা লানবু লানদ্রবদি অমাংবা কবিসু তৌবা ঙমদবনি তাকপিখি ওঝানা। অচুম্বা যেংউ। অচুম্বা চৎ[illegible]। অদুবু অচুম্বা ঙাক্তনা অচুম্বা ওইবক্তে অচুম্বনা যাইফবা পুবকপা লৈত্রবদি অচুম্বদো শীজিং[illegible]দে। কবিগুম্বদা ওইদবা [illegible]ফম [illegible]বম অম[illegible] [illegible]পা ওইহল্লবদি মদুসু [illegible]চুম্বনি। মালেম [illegible]বঙসিদা [illegible]বর্দা মনাংসদনি। তাকশিখি।

[illegible] খুলন ছাত্রব[illegible] [illegible] মমাল মমালি ওঝাগীদা চৎলি। [illegible] মাঙ্গোল [illegible] শিৎলি। [illegible] [illegible]কচিংদসু ভম্মিন্নবা খবগা নুমিং [illegible]। মসুম্না [illegible]বম পা[illegible] [illegible] [illegible]কগা মাঙ্গোল নাকথদা ফক থাদুনা তুমিনা। ওঝা [illegible]ৎলবক[illegible]। [illegible]ইবা [illegible] পীথব[illegible]পা [illegible] তুমিন্না পায়। মতম অদুদা যুমদা [illegible] [illegible]কপি[illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] তৌববা মতমদা ঙা চাক ওঝাব পীরে। [illegible] [illegible] [illegible]দা [illegible]কপি ত[illegible]বকপা ওঝাগী মিংনা [illegible]মদ্রাম ভুবনচন্দ্র সিং হ কৌই [illegible] নীংশি[illegible]।

মীনা [illegible] লৌব, খনবা, চিং[illegible]দা ম[illegible] লৌবগা হন্না যেংদবা মীওই কযাগী বাহাম ইমাসিনা নীংশিংবদা ওঝাদি যাম্না চমথোকই।' ঐগী তৌফম থোকপা ঙমজবা তেংবাবনি। মগ[illegible] ঙাবদি ম[illegible] [illegible] [illegible]। মীনা গুলাল্লবনা তাকফম থোক্তে। সাইনা ৰঙই।' ওঝাদি মীগী অবা [illegible]দা বাঙবা, তেংবাংবিবা মীওইনি। হায়জ-চঙজববদা [illegible]নদবা বাফম কয় লৈববসু কাউথোকপি। ঙাকপি, লুনা চান্না তৌবি। পবম পবীং শোন্দববদা ফল্লপ ভাব তানবা খুদোম্থী পীনদুনা তাকপি। ঐহাক্না কবিগুম্বদা শোযবদি মনাংহনুবা হায়না লকনবি। ওঝাদি মচা মনাইশিংগী চাওখৎপা, যাইফবতা খনবিবা, থৌনিবিবা মীওইনি। মবী মতা, মকপ মপিজাশিংগী যুমদা লুহোংবা, শিবা নাবা মতাংদা হংবা চৎপসি মীওই অমদি ইমুং অদুগা লৈনবিবা মবী, বাবী পুম্বা নীংশিংবি। থবক চঙবগী ইন্টার্ভিউ লৌবগী মেম্বর ওইবা মতাংদা নীনি হুর্মনি মমাঙদকা মী লাক্লবা য়াওই। যেংসি হাযবা নওনা অকেনবা ওঝাদা নীংশিংবিদে। অথেনপোৎ ওইনা ফৈজোম, পুমযাৎ-ফি, নিংথম ফি কয়াসু তম্নবকই। পেন্দা পেন্দনা লৌশিল্লি, হনবা যাদনা। ইংবাজী মশঙদগী মণিপুরী মশঙদা ওঝা বাবুবু পুশিনবগী মতাংদা মনুং-মপানগী মীওইনা পেন্নদনা উৎবা মতমদা মবমদা শেংদোকপিগনি হায়না তাকপি। মতমদুগী ভি সি না ইস্কাল সেংওকপদা ওঝানা পোথাববদা মণিপুরী মশঙসে তযাং তশোয়বগনি হন্দুনা ভি সি না থাঙ্গৎলকপা বাফমদা ওঝানা অযাবা পীবতনি হায়না তম্মিখি। মথংদা বেঙ্গলীদা মাস্টব ওইবা মীওই থন্নবদা লৈতবনা হিন্দীদা মাস্টবসু ওইবা মণিপুরীদসু খুৎলোয়বা যেংনবকপদা

ওঝা দীনমনি চঙবগী মতাংদসু পেন্দবা ফোঙদোক্নরকপদা ওঝাগী নাকোং ৱাই চিনখিদবা নত্তে। ষ্টেট কলা অকাদেমী, ইম্ফালদা ওঝা লাখপতিনা চঙববু ওঝাদা হকথেংননা পেন্দবা ফোঙদোক্লবসু তাজহৌই। ওঝানা নীংশিংবিখি — 'ঐনা খনবা লৌবা ঙম্বা নত্তে। সেলেক্সন কমিটিগী ৱাফমনি। মশাগী মঙম্না চঙজবনি।' অরোইবা ওইনা ওঝানা তাকপিখিবা ৱাফম অমা হৌজিকসু ঐহাক্কী থম্মোযদা তারি 'ওঝা গুলাপীগী থৌজাল লনকু চাইরবা মনাইনি। ওঝাগী মঙালদি মনাইনা ঙাকচগনি, শন্দোকচগনি। মতম্না মঙাল উনরি। এন. জি. কলেজ, ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট ওইনা পুবিবম্মী। প্রিন্সিপাল অমসুং সেক্রেটরী ওঝা ইবোতোন ওঝাগা তত্তনা উনবি। অমবোমদা নোংমৈকাপমগী অহলশিংসু উন্নবা তোইনা লাক্রম্মী। চযেৎনবা মতাং, সবকাবগী চেয়োল কযা, ওঝা হাপ্পা অসিনচিংবা থৌবম কযাদা কলেজকী খাইফনবা লমজিংবিখি। মহৈকোন হাযবর্সিদি অকৎপা, গোভর্নিংবোদি অমসুং প্রিন্সিপাল-স্টাফশীতা নত্তে। মহৈখোযশিং লোযননা যুম্বুবেনশিংসু গোঙমান্ননা দায লেঙথোংনগনি। নৎত্রবদি মহৈবোন মমি শাম্মি হাযবসি ওঝাগী বাফমনি। থোইদোক্না মহৈগী চনীংতাবা ফিভম লৈহনবা খ্বাইদগী অচঙবা পোৎলম্নি তাকপিবম্মি।

হৌজিক্কী মীওইশিংনা মহৈ মশিং হৈবগা বাখল খন্থনদনা ঙাঙবা, থৌবমদনা খুৎ তুংবুন্নবা, মবৈতমক যেৎনবা, মীনা পাঙথোক্নবা থৌবান্দা বাথিনবা, মীচঙ সঙ্গন্নবা কযাসি উবদা ওঝানা নীংশিংবিখি 'লৌশিং খোঙ্গুন তানববসু, হৈ শিংলবসু থৌবম থৌদাংদবন বাযাম্লবনি। 'জ্ঞানং ভারং ক্রিয়াং বিনা' হাযবদুনি। মহৈ মশিং খঙবা, হৈবা, চে পাযবা থাগৎনবকপা, মনা মথুম ফংবতনা অবোইবা নত্তে। মদু খোঙফম অমমম্নি, পান্থেনি। মহৈদি অবানখুভম পীবদুনি 'যা বিদ্যা সা বিমুক্তযে।'

লু-নানবা হাযবসি মপুগী শক্রোন অর্মনি। লু-নানবা তঙাযফদে। হকচাং, ফিজেৎ লৈতেং, যুমকৈ, চিঞ্জাক ঙম্নমক তক তকবা পামজবা ওঝানি। ওঝাগী মিৎযেংদা - "লু নানবা হাযবসি মপান্দতা মী উহন্নবা নত্তে। নুংগীসুনি, থম্মোযগীনি। মীওই অমা লু নাপ্পি হাযবসি মীওই অদুনা শীজিন্নবা ফিখা থংবা ফিজোল, নোংমগী শীজিন্নবিবা পোৎলম চৈবম অমসুং যুমগী কাচীন কোযানা তাকচৈ। অমবোমদা লু-নানবসি মীবমলেনগীতা, লাইনীং লোনচত্তসু তঙাযফদে।" "Cleanliness is next to God, Grace is ever grace" - বাফমসি তত্তনা নীংশির্ণব। অচুম্বা ঙাঙবা, অচুম্বা লোনচৎ চৎপা মী অমগী থানবা যাদ্রবনি তাকপি। নৎত্রবদি মহাক অদু শানি, মী নত্তে। মী ওইদ্রবদি লাইনীংবসু ওইথোক্তে। কবিগুরুদা লাই নীংলবসু লোনচৎ নাইদ্রবদি কান্নবগী মহুত্তা অমাংবা ওইবকই শেন তানবসু অমোৎপা নম্বীদা চথরবদি নুংঙাইফম লৈবোই হাযবসি ওঝাগী মিৎযেং পান্দমতা নগুনা নোংমগী পুম্নি মাবেলদা থৌবমদা পাঙথোকপি। যুম শাদোক্লুনা মপানদা

চথোকপদা মাঙ্গোল ফমেন্দা লোয়নগদৌবা পোৎলম ঙন্নমক ফক অমদা থম্মি। ইমুংদা লাইনিংথৌ, লৈমরেন অমসুং লোয়নবা গুরু খুরুমদুনা থোরক্লগা ফমেন্দা থারিবা ফক অদুদা ঙাইহাক ফম্মি। সঙ্গোম. অথুম অহাউ লাইদা কৎলগা প্রসাদ অদু ফংলগা খোঙশাল্লি। ৱাখল্দা- হৌগৎলকপদা কাওরেন ঙাংবা ইপানা ওনশিন্দুনা কুন্দুনা লৈ হায়না খনগনি। খোঙশানবগী মতাংদা ইপা ঙাংবা কাওরেনদা নীংশিংজগনি, থৌনিজগনি। ইপা ঙাংবগী য়েৎকী চিদা সনাগী লোংখুম অমসুং ওইগী চিদা লুপাগী লোংখুম উপ্লা লৈবগী ৱাখন খনগনি। ইপা ঙাংবনা মচাগী য়াইফনবা মাঙ থানা লমজিংবিরি হায়না খনগনি। মথংদা লোয়নবা গুরুগী থৌগলদা হৈন তুংইনজরি হায়না শ্বর চিংশিন্দুনা খোঙ শানগনি-তাকপি।

শক্তিবুদা য়ুমলাই-লাইনিংথৌ সনামহী, ইমা লৈমরেনগী থৌগল কায়দনা পাঙথোকই। দূর্গাপূজা অমদি হিযাংথাং লাইরেম্বী খুরুম্বা নুমিত্তা খুরুম্বগা লোযননা *শ্রীশ্রীচণ্ডী* থীদুনা ইমাদা কৎলি। 'লৈমরেন নাওয়োম', 'লৈমরেন মিংথৈ'সু ইমাদা থাদুনা কৎপি। নুমিদাংৱায় মৈ কৎলবা মতুংদা লাইখুরুম্বা হৌই। নুমিদাংদি অপনবা অকায়বা লৈতনা লাই নীংই। তিন-কাঙ চিকপা খঙবা নত্তে। লেঙদনা অদুম্মক ফম্মি। লাই খুরুম্বা লোইরবদা ইশৈ ঙং ঙংদুনা লেঙথোকপি। লাই খুরুম্বা. চাবা মতুংদা ঙাইহাক লৈরগা অহীং চেপ্লি। চেপ্লা [illegible]মদা থৌনিজৈ "ঙসি নুমিৎ চুপ্পা ইমা. ইপা ইবুংঙোগী থৌগল ফংহনবিরে। পাংদবনা [illegible] ফানবা. ঙমহৌদা কয়া [illegible]। মথংগী নুমিত্তা মপূং ফানা থৌগল ফংহনবিয়ু।" [illegible] থৌজালবিগে খনগান হায়না পাউদম্মি। ফমুং, য়ুম, ইঙ্খোল অংকাইবা [illegible] হৌবগা লোংচুপতা কৌব্রু লাইজি, খা পাংনা মোইবাং লাইজি. নোংপোক পাংনা [illegible], অরোইন্দা অবাং পাংনা কোন্দুনা চাঙ্খেদা মৈ মকোক চীক্লদুনা গুরুগী পাফলনুংদা মখাদা য়া [illegible] হায়না খনগনি। লোয়[illegible] মচা [illegible] হীবি কোনবি. মৃত্যুনজয় মিংথৈ শোনবি। অসুপ্পা গুরুগী অসুপ্পা মিংথৈ শোঞ্জদুনা মথং নুমিৎ ঙন্না কোপ্লোকপিদুনা শিল্পা পাঙথোকহনবিনবা থৌনিজৈ। লোযননা অহীং চেপ্লি। হিন্দু ধর্ম্মগী লোনচৎ লাইনীং থাদোক্লদুনা মৈতৈ লাইনীংগী শকলোন কয়া নৌহৌননা চঙশিন্নবকপসিদা মী, লোনচং, লাইনীং অমসুং লাইবু হুলান্নদুনা চখনরক্লিবা মওংসি করি লৈবা হঙ্গচ্চবদা ওঝানা তাকপিখি "ঐখোয় মীওইবনা তোঙান-তোঙানবা মিংফম কয়াদা ঈশ্বরবু মিংথৈ মিংথোন্নদুনা নীংনা শোন্নবদি কায়দে। অদুগা অমনা অমবু হুলান্নবদি মা মানা শোনজরিবা লাইবু হুলাঞ্জবনি। মিংথৈ, শকলোন য়াম্বা ঈশ্বরনি। ঐখোয় খণ্ডনরিবসিদি মাইগৈ কয়াগী শরূক অমত্তনি। উদা খঙদবনা মপূংনি। থৌজাল ফঙনরিবসিনা লোইবা নত্তে। মা মানা নীংজা শোঞ্জবা তুংইন্না থৌজালবিবতনি। ঐখোয় ঙন্নমক ঈশ্বরগী মচা ঙাক্কনি। ইমা-ইপা শক্লবা ঈশ্বরবু নীংনা শোন্নবদা মুক্লরবদা মাংজবদি ঐখোয়তনি।"

ঈশ্বরগী লমলেন্দা চাকতাজবা, থৌগল ফংজবা, য়াইফবা শান্তিদা য়াচঙবিখিবা খম্মিন পেনা শৈরাংজবা ওঝানি।

ওঁ শান্তি: শান্তি: শান্তি:

অশাংবম ওঝাগী লাইনীং —

মহৈগী মরু ওইবা পান্দমদি মীওই অমবু পোকঙৈদগী শাগোন্নজরক্লবা, নুংলোৎনদুনা লৈরিবা মঙমবু মতীং নাইনা মঙাল তানা ফুদোকহনবনি। মীওইবগী হকচাং, বাখল, লৌশিং অমসুং লাইবমলেনগী মঙাল তাহনবনি। মপুং ফাবা মী অমা ওইহনবনি। হকচাংনা মহৈগী য়ুম্ফমনি। ৱাখল লৌশিংনা পাম্বৈনি। লাইরমলেনগী মঙাল ফংজবনা পনথুংনি। মহৈগী অবোইবা পান্দম লাইরমলেনগী মঙালদা চাকতাজনবা থৌবাংবিবা অশাংবম ওঝানি। হিন্দুগী পবীংসু থাজবিবা অমসুং মৈতৈগী থাযনঙৈদগী থাজনা চৎনবক্লবা লাইনীং লোনচত্তা খোঙফম্নবনি। মপূংদদি মৈতৈগী ৱাখল-মিৎযেংদা চঙশিনবিখি। লোযননা হিন্দুগী ৱাখল্লোন অপূম্বসু লৌশিনবিখি। ঐখোযগী থাজনবা ভুংইন্না যেলহৌঙৈদা শিদবা মপুনা তুমিন্না লৈবিবম্বদগী তযাম্লগে, লৈশেম্লগে খন্দুনা গুঙ হায়না কলহৌরবদা' (কনজাউববদা) গুরুনা শক্তম নাইনা চোঙথোকপিখি। তঙখাইনা ইপাগী, তঙখাইনা ইমাগী শক্তমদা ফাউখি। লৈমবেন লাইনিংথৌগী অসুপ্পা মিংখৈ শোন্নবিবা অসিনা মপাউ শেংনা পীবিবি -

'লুমাং শমজি পুল্লে পলেম কৌবী ইমাও
পনথৌ কৌবা ইপাও।
লেমহ্ং শমজি পল্লে পলেম পনথৌ সুপ্পী ইমাও
সুপ্পা ইপাও।
লুতুং শমজি পুল্লে পলেম কৌবী ইমাও
পনথৌ কৌবা ইপাও।

ৱাফমসি 'অর্থ নারীশ্বর' হায়নসু হিন্দুগী ৱাখল্লোন্দসু ফংবিগনি'। মিংখৈসি ঙসিসু শোন্নবি। অসুম্না শকতম্নববা মতুংদা ইমা ইপা অনী তোঙান্না শক্তম্নদুনা লৈশেম্নবিখি'। লৈশেমগী তাইবঙদা মীওইবনা অথোইবনি হায়না থাজনরিবা অসিনা মৈতৈ ঐখোয়গী বাখল্লোন, মিৎয়েং, ইনাৎ, লাইনীংদা মঙাল তারিবা যেংলসি।

লাইগী মচানি, লাইবৈবাক্তা পোকচবনি। মালেমদা যাথোরকঙৈ গুরুগা বাশরুদুনা গুরুনা মাঙজিন থাদুনা পলেম পীবৃকনুংদগী হৈনা তুংইঞ্জদুনা মালেমদা য়াথোবকপনি। কাউনদনবা খুদুম তাশিন্দুনা লাকপনি হঙা মিংখৈ শোঙ্গদুনা। অনোইবা খোঙফমদসু

গুরুগী ঙাংলৌ খূয়া খাদা থৌগল ফংজবনা ঐখোয়গী অরোইবা পম্মুংনি। বিজ্ঞানগী মিৎয়েংদসু অচুম্বনি হায়না লৌবদা চিংননিঙায় লৈত্রবা ৱাফমনি। থৌরম অমনা য়াথোরকপনি, থৌরম অমনা য়াকুম্বনি। নিউতোনগী-তু এভরি এক্সন দেয়ার ইজ ইকুয়েল এণ্ড ওপোজিট রিএক্সন - ৱাফমসি লাইনীংদসু চন্নরি হায়বদা হায়মনবা থোকলোয়।

ঙসি বিজ্ঞানগী চাওখৎলবা মতমসিদা লাইনীং হায়রগা শোকপা, উবা, লাম্বা ফংদবা অমম্বনা শাগৎপনি হায়না লৌনরি। অদুবু বিজ্ঞানগী ঙমখৈদা - *ইনফিনিটি* হায়বা মতাং অমা হেক হেক কোনশিনদুনা মূক্লাগী ফৈদুগুম ৱাখৈবা থেংনবিগনি। লাইনীংদা *ফাইনিট টু ইনফিনিটি* - লমগোন চাউনা খোল্লি। হায়বদি মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ লৈ, তিয়া পোৎলম মঙাগী 'ফাইনিট' তাইবঙ অসিতা নত্তনা মসিগী ৱাংমদা পান্নাইদবা, মাইগৈ কারন্না ফাওবা লাকপা ঙমদবা তোপ-তোপ্পা লংজীনগী মঙাল ফংনরি। মালেম অসি অৱাবগী ঈপাকনি অয়াম্বনা হায়নৈ। অদুবু হৱাউ তয়াম্বগী ফম্বাকনি শৈশক্লরি অখণ্ড-অউশিংনা-অচুম্বা ঙাকনি। অচুম্বা ঙম্নমক্কী অপূনবা অচুম্বা লেঙদবা য়াইফৎবগী লংজীন, মঙালনি লাইনীংদা থিনরিবসি। *ঈশ্বর তয়ামনি, তয়ামগী মশকনি, পাম্মি তয়াম, তয়ামগে শেম্বনি জগৎ/*[৩]। ইমা ইপা অনীগী তয়াম্বা খেনফমদা ঐখোয়সে য়াথোরকপনি। মরম অদুনা মালেম তাইবঙসি নুংঙাই য়াইফৎবগী ফম্বাকনি। ঐখোয়না শোয়রবদতা লান্নংজরিবনি। হৱাউ তয়াম্বদা লূপ্লবা মৈতৈশিংবু অপং শিং ওইননবা অহৈলশিংনা লাই হনা উবগী শৈরোলদা নীংশিংহল্লি -

হরাউরে, নুঙাইরে! সিবুদা থোইনা হরাউবা, সিবুদা থোইনা নুংঙাইবা লৈবরা? লৈবনি, লৈবনিদা।

থোইনা হরাউবা, থোইনা নুংঙাইবা লৈবনি হায়বসিগী লংজীন অমদি লমলেন্দুদা চাকতাজনবা চঙশিনবনি মৈতৈ অহল-লমনশিংনা য়েলহৌঙৈদগী থাজনরক্লবা অমসুং শৈশক্লরক্লবা-লৈশেম্পা, লৈকোইবা, লাই হরাউবা, য়ুমশারোল অসিনচিংবা খুন্নাই অমদি ইজাতিগী হৌনালোনচৎ. হরাউ-কুম্মৈ অমসুং কুমগী যাওলদা পাম্বা তুংইন্না পাঙথোক্লরিবা থৌরম, থৌগল, ঈশৈ নোংমাই, লম লাই, উমংলাই অমসুং য়ুমলাইগী ইরাৎ থৌনিদা শোন্নরিবা মিংথৈবোল, থৌগল্লোন কয়াগী মথক্তা বৈষ্ণব লাইনীংদা মচু শংলবা ৱাখল্লোন, মঙালদা চঙশিনবা তাননি। তাইবঙ মালেম, য়ুম, হকচাং অমসুং অচৎ-চত্তা পোৎলম ঙম্নমক তাইবঙ মপু গুরুগী শক্লোন শক্তম অমমমনি হায়বসি মৈতৈ ঐখোয়গী থাজনবিনি। শিদবা লৈশেম্পা লাইনিংথৌনা তাইবঙ শেমঙৈদা নুঙবঙননা লৈরিঙৈদা তাইবঙ মপু গুরু শিদবনা য়া কাথোক্লনা উৎপিাখি। মওংসি উববদা হৱাউনা হোই লাউদুনা গুরুগী পীবুকশুংদগী হোইদোরকখি, তাইবঙ শেমখি। বাফম অসিদা মঙাল ফংবদি গুরুদা লৈবা ঙম্নমক তাইবঙদা

লৈ। অমরোমদা তাইবঙদা লৈরিবা ঙল্লমক গুরুদা লৈ। গুরুগী শক্লোন ফোঙদোকচবনি-মালেম তাইবঙসে। অরোইবদা গুরুদা অমুক তিল্লিবনি।

যদু ইহস্থি তদ্ অন্যত্র
যদ্ নেহস্থি ন তৎ কচ্চিৎ'...

হায়বা তন্ত্রগী ৱারোল অদুগা চপ মান্নবা ৱাখল্লোননি। "গুরু থুপকে নিংলে.. *(ক) পোমদনা শাংপা লৈ, হেক শাৎপগা লৈরম শুনা শাৎপা লৈ, (খ) মপান শাদনা পানবা হৈ, হেক পানবদা হৈরম শুনা পানবা হৈ, (গ) তাইবঙ মৈরীং শীং, (ঘ) তাইবঙ লিহুই"* ৱাফম ৱারোন মবি অসিগী পাউরোল হান্না পাউদম্বা মচাদা গুরুনা ফম্বান শিন্নবিগনি তাকপিখি। মচা ইবুংঙো অতোম্বদি উংজানদুনা পিবাং পিরোইননা মমা ইবেম্মা লৈশিরেল লৈরেনহনবীগী মফমদা চঙজখি। নীংশিংজখি গুরুগী পাউদম। তেংথাজখি মমাদা। মমা গুরুনা - "অহানবা বাফম অনীনা ইমানি-ঐনি। অকোনবগী অনীনা নপা গুর্কনি" হায়দোকখি। মথংদা গুরুদা বাবোল অপূম্বা পাউদমজখি। বাফম অসিনা মঙাল পীবি ইমাগী থৌজাল ফংজরর্বদি গুরুগী থৌজালসু লেপ্পা ফংজবা ঙম্মি। হায়বদি ইমা নীংজবগী লাইনীংলোনচৎকী পরীংদা গুরুগী ঙাংলৌ সানা খূয়া থম্বালগী থৌগনজবা ঙম্মি। তাইবঙগী ঙল্লমক্তা নুংলোৎনদুনা লৈবিবা মপুগী শক্তম মঙাল থিবা তাবনি। খঙবা তাবনি। থোইদোক্লা ঐখোয়গী শক্তমদা মপুগী শক্লোন ফোঙদোকলিবনি হায়না থাজনৈ। তাইবঙ মাথোবকইদেদা শিদবা মপু লাইনিংথৌনা পলেম পীবূকনুংদগী মাঙডিনা থানা সমজিংবিনকই হায়বগী পীকলম ফোঙসে, মথংদা 'হয়ি' হায়না থবায়গী মশক ওইনা থপত্না লৈ, অমসুং নুমিৎকী মঙালনা য়ৌদবা, থাগী মঙালনা ঙাংদা মফমদা মসুক মুমাবা : যেন লাইবক্তা লৈ হায়না থাযনৈডেদগী চৎনবরুব মিংথৌবোন ভক্তিনা নাংশিনি।

হকচাংদা লোৎতুনা লৈবিবা লোয়নবা গুরুবু মশাক খঙনা, মহাক্কী লমজিংদা ইমা গুরু লাইবেম্মাবু উজবা, ইমাগী থৌজাল, লমজিংদা ইপা গুরু লাইনিংথৌগী থৌগল, লমজিংদা ইপা গুরু লাইনিংথৌগী থৌগল চঙজবগী সেবাবীনি ওঝাদি।

য়েংবিসি

থারবনি নখোঙ সনা খুয়াখা
থাববনি ঙসি পুনশিসে খোঙা।
(*অশৈবগী শৈরোই*, লা. ৭০)

ৱাফম অমনা মীওইবা ঐখোযনা হেক খোঙ্গুন তারকপদগী লুনা, কেনা মকে শেমজরিবসি মায়থোং অসিনি। মায়থোংনা মীওইবা অমবু শক খঙনরি। অদুবু ইশা ইশানা

মিৎ উইশিনবদা ইশাগী শক্তম, মায়থোং অসি শাগচ্চবা ঙমজদে। অতোপ্পা কয়াগীদি হেক্তা মাঙদা উবা ঙম্মি। ইশাগী মায়থোং শক্তম অসি ইশাদা লৈবা মপুগী শক্লোন অসি খঙননবা থৌরাংনা মৈতৈ লাইনীংগী শৈহৌ অমনি। হায়নৈ - *অহল লমন মনাক ফম্মু, গুরু খল্লু। গুরু খল্লবদি নশাবু নশানা খঙজবা ঙমগনি। নশক নচু পানগনি ...।*

ব্রারোল কয়াসিদা থাজবগা লোয়ননা লংজীন থিবিখি অশাংবম ওঝা। য়াইরিপোক্তা লৈবিব, *লাইশ্রম ওঝাহল মেরা,* নীংতম লাম্মীগী নুংশি থৌজালদা মিংথৈ ফংজখি। লাইনীং লোনচৎ অসিদা চঙশিনবিখি। গুরুগী থৌজাল ফংজখি। অসুম্না ইমা গুরু লাইনিংথৌ, অনীগী ঙাংলৌ সানা খুয়া খপালদা মিংথৈরোল কচ্চদুনা লাইনীং লম্বীদা চাকতাজখি।

লাইনীং অসি মৈতৈনা - লোয়নবা শকখঙবা, মিরেন খুরুম্বা হায়নৈ। অসুম্না লোনচৎনাংদা ইশা, ইমা, ইপাব্ শক খঙজনা ঙম্মি হায়না *পাখংবা লাইনীং* হায়নসু অহলশিংনা নীংশিংবি। ব্রাইনঙ লোনচৎকা মান্নবা উবনা ঐখোয়দা হেন্না খুৎলোয়নরি। ইমাগী থৌজাল লনকু ফংলবদা ইপাগী লংজীন অমদি থৌজাল লনকুসু খঙজৈ হায়না থাজনৈ। 'ইমা ইপা অমগুনি' লৈশেম্বা, লৈকোইবগী ব্রাফমদা পাউরোল অসিগী মঙাল পীরি।

ইমা গুরু 'অমসু' ইপা গুরু অনী তোঙান-তোঙানবা চোঙথোকই - গুরু শিদবা, লৈশিরেন লৈরেনশ্নবী হায়নৈ। পুরুষ-প্রকৃতি হায়বগা অম্মানি। ইমাগী মঙমনা গুরুশিদবনা পাঙ্গনবা ওইরি। গুরু শিদববু পাঙ্গনবা ওইহনবিবা পাঙ্গলগী ইহৌফম ওইবিরিবা - মরেং হৌবী' চনু-ইমাবু' খুরুম্বা, থৌজাল ফংজবগী লাইনীং লোনচৎ মৈতৈ অহল-লমনশিংনা চখনরম্মী। ওঝাসু লোনচৎ অসিগী খোঙলোয় অমনি। 'মরেং-হৌবী' হায়বসি - *হ্লাদিনী শক্তি হায়বা বৈষ্ণব লাইনীংগী ব্রারোলগা মান্নৈ*।

অচৎ চত্তা ঙম্নমক্তা খোইদোক্না নুপী, অমদি প্রকৃতিগী শক্লোন ঙম্নমক্তা ইমাগী শক্লোন অমমম উজখি অমদি পাউদম তাজখি। ইমাগী দর্শন ফংজখি।[৭] ইমাগী লমজিং, থৌজালনা ইপা গুরু লাইনিংথৌগী থৌজাল থৌনিবিখি। মরেং হৌবী ইমাগী শক্লোন ঙম্নমক্তা থবায় লূপচবা অমদি ইমাগী পাউদম-পাউরোল, পোকরম দর্শন, লাইনীং ওইবা উবতনি। নুপীশিংসু ইমানি, তালোয়সু ইমানি, পোক্লমদমসু ইমানি, মালেমসু ইমানি। নুপীগী শক্লোন ঙম্নমক, পোক্লমদম, মালেম অমদি লেঙলি পাল্লিবা, অচৎ-চৎতা ঙম্নমক ইমাগী শক্লোন অমমমনি অমসুং মপাউ তম্মিবনি, মিৎনা উবা ইমাগী শক্তম ঙাকনি হায়না লৌজবা ব্রাংলবা বাখল্লোননি।

যা দেবী সর্ব্বভূতেষু মাতৃরূপেণ সংস্থিতা
নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমো নমঃ[৮]।

শ্রীশ্রী চণ্ডী, অধ্যায় - ৫

শ্লোক অসিদা পীরিবা ৱাখল্লোনগা অম্মানি, অমত্তনি[৯]। থোইদোক্লা কংলৈপাক অসি মালেমগী সানা পুঙমযোল্লনি, মালেমগী খোইদৌনি, মকনি খনজবনা শৈথাবিবম্মী[১০]।

"ইমা, পোক্লফম লমদম, তালোয়, নুপী ওইবী,
মখোয খিবিক অসি জগৎপোকপী
ইমাগী ফমপাক্লি তাকপনি - ইমাগী ইচ্ছানি।"

(*অশৈবগী শৈবোই*)

মসি মপানগীনি, মক নত্তে। পান্বে অমনি। লৌবোন অমনি। ফোঙদোকপা শক্লোন অমনি। মৈতৈগী যেলহৌ ৱাবীদা ইবুধৌ পাখংবনা ইমাগী থৌজালতনা মপা ইবুঙো শিদবা লাইনিংথৌগী থৌগল ফংজখিবা অদুগী পবীংনি।

অশাংবম ওঝাগী *সীতা বনবাস, অশৈবগী নিতাইপোদ, তোনু লাইজিংলেম্বী, ভবত চন্দ্র, অশৈবগী শৈবোই, যাচঙ শৈবোল-খম্মিন তেংথা* - অসিনচিংবা লাইবিকশিংদা ইমাগী পাউদমখোল, পাউবোল কয়া মযেক লানা ফংবিগনি। শৈবেং খবদি মিংখৈবোল ওইনা শক শোনবিদুনা পুন্সিগী অবোইবা যাচঙবা ফাউবদা খম্মিন পেনাগুম মদোম থৌগলতদুনা খুৎলোন্নদুনা যাচঙবিখিবা ওঝানি।

অমবোমদা *পোক্লবমদর্শন* হায়বসি বঙ্কীমচন্দ্রগী 'বন্দে মাতরম শৈরোলগা চাংদম্নবা যাবা মওংনি, খন্নবগী হীরমনি।

*পোক্লবমদর্শন*দা ইমা লেবাকপ নুংশি নোলুক্লা নীংজববসু ঙসিগী নহাবোল, ঙসিগী মৈতৈ, ঙসিগী মণিপুরগী শম্নানবা ফিভমসিদা বাজখিবা ওঝানি। হংজকবদা তাকাপশি নিপামচা, নুপীমচাশিংনা অপাম নুংশিদা মফম মতম ঙনদনা ভাওনবাসিদা কোকিল ফাওবা মণিপুরদা খোঙদাবক্রনি হায়না হংগী থৌবিখি। ভমথীবা ফিভমসি লাকশিন্ননবা পানথোক্লী ইমাদা শিন্নভখি -

শুম্লো লোইনা তাঙজলিল।
খোংগে খোংলো লোযিন পেন।
শুম্লো লোইনা লানগোই শাম্মু।
চোংগে চংলো মৈবুল জগোই
তখাগবো লোইনা পাম্বা কে।

(*সনাবিক পবেং* লা ১২৮)

অমুকসু অচেৎপা থাজবগা লোয়ননা নীংশিংবিখি লুরাং গুরু পুন্নিবগী খুৎশেমনি, মৈতৈ অমসুং কংলৈপুঙ। 'অদ্রোগী মৈ' - ঙাঙ্গোয় পরেং পানবা হায়বিখি। লুরাং গুরু পুন্নিবা লাকখিনি; তাকপিরম্মি।

হিয়াংথাং লাইরেম্বী খুরুম্বদা ফঙজখিবা থৌজাল নীংশিং-নিঙাইনি। "ইমানা মশা শাগন পায়দুনা চিংশিনবি। খজাই অনীদা খুবাক্লা থাই! অমুকসু শাগন পায়দুনা চিংশিনদুনা মথাদা ফমহল্লি, খোমলাং ইনবিখি -" পাউদমবিখি ওঝানা। লোয়ননা রাখল্লোনগী নঙাল অমসুং ফংলখি ইমাগী শিষ্য থৌগাই কযাগী। অদুনা ইমাগী ভাংলৌ সানা খুয়া থম্বালদা থবায়-হকচাং তুনা কথোকখি। শেরোলদা পাউদমজখি-

শান্নবো ইমা শান্ননী নমখৈ,
শান্নৌ লোইনা খৈ,
পূর্নশি ঈচেং পির্থক্লিনা মুৎত্রি মখৈ,
শান্নৌ মুর্থত্রম্ খৈ।
থবায় হকচাং তুনা কৎ
মিৎকী পিনা তম্না খৈ
থাববনি নংখোঙ সানা খুযাখা
থাববনি ঙসি পুনশিসে খোঙা।
(অশৈবগী শৈরোই, লা. ৬৪)

শাথেক তগোইগা লাকিনা শেশকখি খম্মিন পেনাগুম শৈরোল কযা। অউবা, অতাবা মীর্নদি অঙাওবগুম উর্নখি। অঙাওবনি, ইমাগী প্রেমদা ঙাওজববা ঙাওম্লানি। চন্নমকসি ইমা ওইনা উবিখি। ইমা নত্তনা কবিস, উবিদবনি। ইমাগী ভাংলৌ খুয়া থম্বাল নত্তনা কবিসু উখিদবনি। খুবমজৈ ইমা। ইমাদি ইমা ওইবিনগা নত্তনা ইপাগী থৌগাই পরী ইমাদি। ইমাদি ইপামবনি। ইপানি।

তাইবং মৌবংশী, ওইনা হেল্লবি,
তাইবংলিঙউদি ওইনা থুম্লিবি,
জগৎপোকপী ইমা নঙী জৈ।
(অশৈবগী শৈরোই, লা ৬২)

অবোইবা মাতাবা, মাকুম্বসু পোন্নলমদম ইমাগী মথাদা মা তাবগনি খঞ্জদুনা তযান্না। ... উনুঙামজবা ওঝানি। শিবস্ ইমাগী পীগল অমদি খঞ্জখি, নু ভাগজখ। শিবা নও ...গী তমদা সনজিং মাইগা মা তাবনি।'

নুংশিবা নুঙায়বগী ইনোৎ অমদা মীওইবনা যাথোবকপনি। নুংশিবা নুংঙায়বগী ইরাযনবা অমদা যাচঙবনি হাযনা থাজবগী মঙালদা লাইনিংথৌগী খস্মিন পেনা থৌগলদা হবাউজবা ওঝানি। ববীন্দ্রনাথ ঠাকুবগী শৈইনদা শকপিবি -

জগতে আনন্দযজ্ঞে আমাব নিমন্ত্রণ।
ধন্য হল, ধন্য হল মানবজীবন।
মালঙ্গী হবাউ তযামদা ফংজে ঐসু বাবতোন।
যাইফজবে ওংজমল তাইবংকোন্দ মালংকোন।

গীতাঞ্জলি (১৬)

হিন্দু লাইনিংগী বাংথোইববা, অবোইবা চীংলেম্লবা পান্দম

তমসো মা জ্যোতির্গময
অসতো মা সৎগময
মৃত্যুর্মা অমৃতমগময।

হাযবা পাউবোল, বাখল্লোন অসিগা ওঝাগী বাখললোনগা অম্মানি, অম নুনি। ইমাগী লমখৈ, থৌজাল পান্নাইদবনি, অতৎ-শম নাইদবনি। ওঝাগী বাখল্লোন্দা "ফংজনিবা ইমাগী থৌজাল অসি অপূনবা ইমাগী মঙমগী মবীক্কী মবীক অমওনি। খঙনা খঙনা খঙদবনা মপূংনি। শৈথাবিবি

খঙজৈ নুজা মহাক্তো ঐবু পোকপী ইমানি —
খঙনা খঙনা অদুবু কুইব-কুইব মমম্মি।

(*অশৈবগী শৈবোই*, লা. ৪২)

বাফম, বাবোল অসিমকতনা ইমাগী ঙাংলৌ সানা খুযা থম্বালদা নোলুকচবা ওঝাগী থম্মোয পাউদম কযা বাংই হাযবসি মপাউ চেল্লি।

চহী চাম শুবা মপোক কুমওলগী যাই-থৌবম অসিদা ওঝাগী খস্মিন শৈবোলনা নিল্লি

নুংশি নুংশি লম্নুংশি
বোলোযনুংশি মণিপুব।

ইমাগী তমদা সনজিং য়াহিপ্তা য়াইফনা য়াতারস্নু য়াইফকোনগী য়াইফবা। য়াইফবী ইমাগী মিংথৈ - শৈরাংদুনা -

যা দেবী সর্ব্বভূতেষু মাতৃরূপেণ সংস্থিতা।
নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমো নমঃ।
শ্রীশ্রীচণ্ডী - অধ্যায় - ৫

ওঁ শান্তিঃ শান্তিঃ শান্তিঃ।

---

১) লৈথক লৈখারোন-য়েংখোম ডাঃ ভাগা। ২) মনুসংহিতা। ৩) নংসে নুপি ইমানি ইমা-অশৈবগী শৈরোই। ৪) য়াচঙ শৈরোল খম্মিন তেংথা। ৫) য়াচঙ শৈরোল খম্মিন তেংথা। ৬) রাধার ক্রমবকাশ-দর্শনে ও সাহিত্য - ডাঃ শাশীভূষ দাসগুপ্ত। ৭) অশৈবগী শৈরোই-নংসে নুপি ইমানি ইমা। ৮) য়াচঙ শৈরোল - খম্মিন তেংথা। ৯) শ্রীশ্রী চণ্ডী গঞ্চমোহধ্যায়ঃ। ১০) সনজিং য়াইপ নির্বিকলপ সমাধি। ১১) উপনিষদ।

ঐনা থেংনজহৌবা ওঝা মীনকেতন*

ইবোহিবো

চৎলিবা চহী অসিদা কবি. পণ্ডিত অমসুং সাহিত্যকাব অশাংবম মীনকেতন সিংহ (১৯০৬ ১৯৯৫) গী চহী চাম্মা শুবগী মপোক কুমওন তাবদুনা সাহিত্যগী সংস্থান খবগী অপূনবা কমিতি অমনা শীন্দুনা মণিপুবদা অমদি চহী চূপ্পগী ওইনা থৌবম কযা পাঙথোক্লি। ওঝাগী সেন্তিনাবী সেলেব্রেসন তাবকপা অসিদা ঐগী পুন্সিদা ওঝাগা মবী লৈননা থোকখিবা থৌদোক অমত্তং নীংশিংলকই। থৌদোক অদুমক্তি হৌজিক নীংশিংলুবদা ওপ্লোক্লা ইকাযবা পোকখ্রবা নহা ওইবিঙেগী মগোঙ চাখিদ্রবা অমনি হাযবা তাই।

ঐহাক্লা ওঝা মীনকেতনগী মশক অহানবা উখিবসি ইং ১৯৬৪ • ৎত্রগা ৬৫ দা ওইবপ্পা যাই দি এম কলেজগী মেগাজিনগী গ্রূপ ফোটো অমদনি। ফোটো অদুগী ওবিজিনেল কোপী অমা হৌজিকসু ঐগী এলবমদা যাওদুনা লৈবি। ফোটোসিগী মমাঙগী পবেংদা চৌকিদা ওঝানা ফৈজোম শেৎ, শাল অমা ঊং, পম্পসুগী খোঙউপ অমা ভপ যাঙ চপ তিংনা লুহোংবগী ববনা ফম্বগুম ফমদুনা লে। নাগোন শুমাঙদা কোহ মতেক বতবয়াই থাকই। শম তেন্না চাকা ককই। প্লাস্টিকা ফ্রমগী কোবোক কোযবা আনোক অমা উপ্পি। মটীন তুমখোকই, কেমেবা কনসিযস ওইনা মাযথোঙ সেবিযস ওইনা লৈ ওঝাগী যেৎতা শ্রীঅসেম বঘুমণি, বাই চাণ্ডিবেণনাচংবা মতম অদুগী ওঝাশিং কম্মি। ওযদনা শ্রীজি নিমাই শম্মা অমদি অতৈ খবা ফম্মী। ফোটো অসিদা ভুংদা মণিপুবদা মমি লোযনা তাবকখিবা মশক নাইবকখিবা মীওই হবসু ছাত্র-ছাত্রী ওইনা যাওবি। মমিং খবা পল্লবদা কবি এন শ্রীবীবেন, শ্রীলোংজম জযচন্দ্র, বাজনীতিবালা অমসুং এম দি যু গী আর্টিষ্ট জি জযকুমাব শর্ম্মা, ককচীংগী ইংলিশকী ওঝা ক্ষেত্রি মুনাল যাওবি। মমিং লৈববী নট ঈশৈগী শৈশকপী যুমলেম্বম বঞ্জনা দেবী, ঈশৈ মযেক ইবা থাংজম কোবাসু যাওবি। অদুগা ওঝাবু ঐনা শক ওইনা উজখিবনা ইং ১৯৬৫ দনি। মতমদু ঐহাক মণিপুব পূস্বগী ওইনা পাঙথোকখিবা ক্লাস এইতকী কম্পিটিটিভ একজামদা মৈতৈ মযেক হাযস্কুলগী ছাত্র ওইনা আনন্দ সিংহ একাদেমীদা পবীক্ষা থাই। ওঝানা পবীক্ষাগী ওফিসব ইন চাজ ওইনা ঐখোযনা পবীক্ষা ফাল্লিবা কাদা ১ঙলকই। ছাত্রশিংনা জূজা জূজা লাওবদু উবদা

ওঝানা হায় - "লাঙখ্রেদা কৈথেলদু মঙায়রে !" ব্রা অতৈ মখা তাদে। য়াম্না চীং-লেম্মী। মহাক্কী মতীক-মগুণ পার্সোনেলিটিনা পুন্নমক অদুম শুদ্ধাৎপগুম তৌই। ছাত্রশিং চেক-মোক লাউদে। তুমিন্না লৈনৈ। অদুবু ওঝাগী মশক খঙবা মমিং তাবা ছাত্রদি ইয়াও য়াওরমগদবা মান্দে।

ইং ১৯৬৭ কী জুন থাদা ঐহাক ওঝা এলাংবম নীলকান্ত সিংহনা তাকপিবদগী নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিদা মিং চন্দুনা মণিপুরী সাহিত্যগী জগৎতা খোঙ থাংজিনবা হৌবে। মতমদুদা সমিতি অসি মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ অমসুং দি কলচরেল ফোরম, মণিপুরগী হেক মথংদা লৈবা নহারোলগী ওইবা সাহিত্যগী অচৌবা সংস্থান অমা ওইববনি। মতমসি ঐহাক শৈরেং কন্না ইদুনা ইশাগী শৈরেং লাইরিক অমা ফোঙনীংলকপা তুম্বা চাবা খঙদনা ইঙাও ঙাওখিবা মতম অমনি। ইশাগী চহী তরামাপল শুরে। মতমসিদা সাহিত্যগী লমদা ঐহাক্কা ইহান হান্না শকখঙনবা হৌখিবা মীওইশিংদি - মমাঙদা পঞ্জখিবা কবি এলাংবম নীলকান্ত (কোন্নদি দি এম কলেজদা ঐগী ফিলোসোফীগী ওঝা ওইনা অমুক থেংনবে); মতম অমদা মশাগী শৈরেং লাইরিক *রেখা* কৌবা অমা ফোঙখ্রবা কৈশামপাৎতগী থিয়াম ইবোহল (লৈকাযদা 'কবি চাউবা' হাযবগা খঙনৈ), নোংমাইথেম তোম্বী, শ্রীবীরেন, পাচা মীতৈ, নহা ওইনা লৈখিদ্রবা তোকপম ইবোমচা, য়াম্বেম তেজেন্দ্র অসিনচিংবনি। ঐহাক সাইকল তোংদুনা খ্বাইবম্বন্দ বাজাবদা তোযনা হাইগৎতুনা মখোয় ময়ামগা নুংদাংদা হাটেলদা তোযনা ফম্মিন্নবদা য়াওরে। কৈশামপাৎ জঙ্কসন্দা লৈবা সমিতি অসিগী ওফিসতা ময়ামগা কোথা তৌবা মরৈ যেৎনবদা ভাবোক ওইবা হৌরে। ইং ১৯৬৮ গী জানুবারী থাদা অহানবা ফোঙবা *রাখল*গী ইনোগুরেল ইস্যুদা ঐগী শৈরেং 'হযিং খোযাম্বী' কৌবা অমা ফোঙখিদুনা অনৌবা নহারোল কবিশিংগী 'ত্রাইব'তা যাওদুনা ঐবসু কবি নহা অমা ওইনা শক খবা খবা খঙবিবা হৌবে হাযবা যাই।

ইং ১৯৬৯ গী এপ্রিল লৎত্রগা মে থাদা ওইবমগনি - মণিপুরীগী সাহিত্য পরিষদকী চহীগী অধিবেশন ককচীংদা পাঙথোকই। ইম্ফালগী ব্রাংমদা পাঙথোকপা পরিষদকী চহীগী মীফমদি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। মথংগী চহী ইং ১৯৭০ দনা মোইরাংদা ফম্মি। ককচীং বাজারদগী খরা চৎলগা খা নোংপোক্তা লৈবা য়ুম্বীমচা হায়স্কুলগী লম্পাক্তা মাগুপ চাউনা খল্লগা স্টেজ শারগা পাঙথোকপা মীফম অসিদা ঐখোয় খরদি দেলিগেট ওইদুনা স্কুল অসিদা অহিং লেজ্জুনা লৈ। কেম্পতা লৈমিন্নখিবশিংগী মনুংদা ঐনা নীংশিংজবদা - তামো নোংমাইথেম তোম্বী (মতমদুদা মহাক লুহোংবা কুইদ্রি), নোংমৈবুংদগী ইংলিসকী ওঝা ক্ষেত্রিময়ুম চেতন, উবিপোক্তগী ফিলোসোফীগী ওঝা তামো দোরেন, ওঝা শ্রীবীরেন অসিনি। তামো চেতনদি মিংশেল মচা অমদা যেংলগা শমজেৎ হাৎতুনতা লৈ। যাম্না কেজবা ফূ-ফু কামদুনতা লৈবা তুনানবা অমনি।

মীফম অসিগী শরুক অমা ওইনা নীনী চনবগী নুংদাংদা কবি সম্মেলন অমা পাঙথোকই। মী অঙকপা ফংনা যাম্না তিনখ্রে। চাউখ্রবা মাগুপ অদুদা ফকশাং পবেং পবেং থাবগা নুপা-নুপী, নহা-অহল, পাখং-লৈশাবীশিং যাম্না তিল্লি। মতম অদুগী জগোয বাস অমদা তিনবা ভাবোক্কী মশীংদগী তাববোই। কবি সম্মেলন অসিগী সভাপতি ওঝা মীনকেতন্না ওই। অহল্লোন কবিশিংনা শৈবেং মথং-মথং পাখ্রবা মতুংদা মমৈ খোম্বদা ঐহাক্কী পাল্লি লাক্লে। ঐগী পুন্সিদা কবি সম্মেলন্দা শৈবেং পাবা ফংবসি মসিনা অহানবা ওইবমগনি খল্লি। মদুসু থাথাগী থবক নত্তে, মণিপুরগী খ্বাইদগী চাউরবা সাহিত্যগী সংস্থান অমনা শীনবনি। ভাবোকসু ঈশিংগী ঈচাওগুম্বনি। ঐগী নুংঙাইজবা থম থেংখ্রে। ঐনা শাথীববা শৈবেং অমা থবায যাওনা পাথোকই। শৈবেং অদুদা ওবসিন ওইববা ইমেজবী কযা যাওই। 'অচোপ্পা লোনগী শৈবে°' হায়বগা কোন্না খঙনবরুদবা শৈবেংগী জাৎ অদুনি। পাবা লোইরে। ভাবোকশিংদা ঐনা পাখিবা শৈবেং অদুগী বিএক্সন কবি লৈখিবগে থোইনা নাচুর্ণখদে। অঙাংনা মৈ কিদে হাযবদুনি। অদুবু মমাঙদা ফম্বা পাখং-লৈশাবীশিংদি মরু থোক লূকথদুনা খাঙখিববা খল্লি। নোংঙানবগী অযুক্তা মাগুপতা শাবা স্টেজ অদুগী জিঙঘনা শাবা ফক্লাংদা চিঠী অমা থেৎলম্বা ঐখোযগী কাঙবুনা থেংনববে। ঐহাকপসু কৌশিন্দুনা যেংহল্লে। চিঠীগী মনোংদি অসিনি 'মদুগুম্বা শৈবেং মীযাম মমাঙদা মংংদা পাবিগনু।' চিঠী অদুগী খূৎইদু ফজনা লূনা ইবা নত্তে, হাথু হাথু খোবী খোবাঙ ইবগী মওংনি। ঐগী চক্রী লেঙ্গাগী মী ওইশিংনা শাউদুনা ইবগা থেৎলম্পা মানবগী শামিন খবা ফংখি। ঐহাক যাম্না পাখৎখি। অদুবু মদুমক্তা বাথোক অমা ওইর্বাদি তৌখিদ্রে। হকথেঙনা যা ঙাঙনা-শানবা অমত্তা তৌখিদ্রে।

থৌদোক অসিগী মতুং চং , ইনবা ওইরনি মা সাহিত্য পরিষদকী ওফিসতা ওঝা কনা ওঝা মীওই খ্বাদ বান শা। ঐহাক ইশান্না হায "শৈবে অদু ভাবদা ইশাসি থক থক নীনপনিরে চংনা শৈবে পাখিবা মথোঙ চাদবা নহা অদু ঐহাক ওজা হাযবসি মতমদুদা নীর্ংশি দমাল্লে খল্লি। কবি সম্মেলন অদুগী মতুংদা ঐহাক্না উবা খুদিংদা শক্কা শক্কা উন্নদনবা থৈ থৈদুনা লৈখি। অদুগা "কোংবা কৈথেলগী প্রতিমা" কৌবা শৈবেং অদুগী মবাযবকসু ককচীংগী কবি সম্মেলন অদুদা অদুমক লোইশিনখ্রে। চেফোঙ অমত্তদা নৎত্রগা ইশাগী লাইবিক্তা ফোঙখিদ্রে। "অচ্চা চা অচ্চা চা' হাযবা থীববা মিংথোলসি ফংনবা ঐগী শৈবেং খবগী মনুংখক্তমক চল্লগা তাইবঙদি ফাওখিদ্রে।

থৌদোক অসিগী মতুংদগী ঐনা ওঝাগী মফমদা মায উৎপা ঙমখিদবা ইকায হঙ্গোইনা চৎখিবা অসিনা ঐগী তুংগী পুন্সিদা যাম্না মাঙজবা লৈখি। ইং ১৯৭৫ দা ঐহাক সবকাবগী কলেজ অমদা মণিপুরী সাহিত্য তম্বিবা ওঝা অমা ওইনা চঙলে। ঐখোযগী

মতমদুগী মণিপুরীগী ওঝা অয়াম্বা ওঝা মীনকেতনগী শঙ্গাইদা চৎলগা অরিবা সাহিত্যগী মতাঙদা নৎত্রগা ওঝা মশাগী শৈরেং ৱারেংশিংগী লোন্দা পুদাগী অরুবা মতাঙদা মশাদা হংবা চৎপসি হেক হেক তৌনৈ। ঐহাক্তি মদু অমুক্তা তৌখিদে। থাঙ্গেশেংনা হায়রবদা ওঝাগী য়ুম ফাওবা ঙসিফাওবদা খঙজদ্রি; লৈরক্তি খঙই লৈরক্কী মচীন ফাওবদি থবক অতৈগী কয়ারক হন্না চঙখ্রে। অদুক শাংনা হিংলম্বা অদুদা ঐগা ওঝাগা হকথেংননা ৱারী শান্নখিবসি অমুক্কুংখক্তনি। মতম অদো ইং ১৯৭৭ তনি। কাছাড়গী মমিং লৈরবা কবি খৈরুদ্দীন চৌধুরীনা কামিনী কুমার এৱার্দ ফংলদুনা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী চহীগী অধিবেশন্দা মনা। লৌবা খোংখুনা পাউনা বাজারদা নিয়ু রাজ হোটেলগী মথক্কী কা অমদা লৈ। পুংখিল অমা বাখল চফোংগী ইন্টবভিয়ু অমা লৌনবগীদমক ঐহাক্লা ওঝা খৈরুদ্দীনগা। ৱায়া শান্নদুনা লৈরিঙৈদা ওঝা মীনকেতন্না "আসে ইংঙো চৌধুরী কেদৌঙৈ থুংলৈ?" হায়দুনা কা অদুদা চঙলকই। ঐখোয় অহুম পুংখায় অমরোম ফম্মিন্নববা তুংদা ঐনা ওঝাগা কোইনবগী পন অদু থুগায়বগা সাহিত্যগী ৱারী শাবা হৌরে। ঐনা নুমিত্তুদা হংখিবা বাহংদু কাউদ্রি। হিজম অঙাংহলগী লশিংগী মরমদা শেথাবা "লৈরাং কবিনো" কৌবা শৈরেং অদুগী অহানবগী পরেংশিং অসুম্না হৌই -

"চীংদায় পখুল লী,
মেন্দো নিংথৌ,
নূংগায থক্তা ওঙবা লৈ।
মরিংগী হাওদি হাও-পাখং,
যোৎলেন খূত্তা পায়
পৃত্থি লৈকং তৌ,
মালেম খীক-চেনচাই;
নাউয়োক-লৈ।"
....

মসিদা য়াওরিবা 'মেন্দো' হায়বা ৱাহৈসি করিনো হায়দুনা ওঝাদা হংই। ওঝানা "ব্রমিজ ত্রাইব অমগী মমিংনি, ত্রাইব অসিদগী মরিংশিংনা লশিংগী মরূ পুরক্লগা মণিপুরগী চীংগী লমদা থাবা হৌখি হায়বনি" হায়না তাকপি।

ওঝাগা হকথেংননা ৱারী শান্নব্রবসু ওঝানা ঙাঙবা ভাষণদি য়ান্না তাজখি। মী অতোপ্পগা ৱারী শান্নবদসু ভাবোক ওইনা তাবা কয়া য়াওখি। হকচাং ঙমদেনে ঙমদ ঙমদ লাক্লিবনিনেদি হায়বগা ৱারী শাদোরকপদদি পূং অমা হেন্না ৱা ঙাঙই। ৱারী শান্নবিবা মী অদুগী ঙাঙনবগী তাঞ্জা কয়া ফংদে। তাবগী শরূক ওইবতনি। ৱারী শার শারগা মশা

কনখৎলকপগুম তৌই। তাবদসু শাথীনা নুংঙাইখ্রবা জাৎনি। মশাবু 'নঙগী ওঝানা' হায়দুনা ৱারী তারিবা মী অদুদা থক হাযদে। 'নঙগী মাম্মনা নঙগী খুরানা' হেক হেক হায়। 'ইংঙো তোম্বী নঙগী খুরানা হায়রিবসে. ।" ভাষণ পীবসু য়াম্না হৈ। য়াম্না শাংনা শাংনসু ঙাওই। ভাষণ পীবদা পূং অমা, অমা মখাযদগী তাদবা ঙাক্তনি। ৱাহৈ পরেংশিংগী মরক্তা 'অন্ন অন্না' হায়দুনা শাংনা শাংনা ঙাঙলগা অতাবশিংগী পূক্নিং শুমহৎপা ঙম্মি। 'অন্ন' হাযবিবসি 'অদুনা' হায়বিবনি। ওঝাগী থাদোকপা ঙমদ্র . মন্নপিজম অ...। 'ঐহাক্না' হাযবা ৱাহৈ অসিসু 'যাক্না' হায ওঝাদি। মৈতৈ মচাশিংগী মবঙ্গা অফবা ওবেটব ।যরগা মী অনীগী মমিং পঞ্জনীংই বাজনীতিগী লমদগীনা লৌখদ্রবা এক্স এম পি নিং...খোংজম তোম্বী সিংহ। সাহিত্যগী লমদগীনা ওঝা মীনকেতন। 'অংতোন' তোম্বী অসিসু ৱা শাংনা শাংনা ... 'বাবুংতোন' তোম্বী হাযবনি। মযাম্বগী মচাশিংনা অমসুং লৈবাযগী নহাবোলশিংনা বৌ...া মিঙ্গৌনি। ঐহাক্সু ইমুং মনুং যাওনা মতম অমদা । ...বা তিন্নজকবনা কাবিগুম্বদনা ওঝা কাবিগুম্বদ...' অংতোন কৌজে।) ভোট খোন্দ...।। অচম্বা প্রজ্ঞা, ...অঙাংশিংদা ঙাঙবা ভাষণগা ইন্টেলেকচুযেল সার্কলদা পীবা ভাষণগা মান্নদে। অহান্‌বগী অসিদদি ফাগি ফা।ঙসু যাওনা খূদোম্বীনে কবিনে, ঙক অমুক পৈদুনা অমুক । দুনা পোজ তৌব ...বগা ঙাঙই। মচীন ইতুম তুম্লগা মচীনবান কাঙল কাঙলগা ৬াঙবদু, ঙমুনা ঈশিংদা চাবা, অদুদগী অমুক মোংলকপা মাল্লি। তাবর্দদি ওহ্নোক্না নুংঙাইখে। হে...মুনবা জাৎনি। অহৈবা খূবাক ঈশৈ শকপীশিংনা মখোন নুংশনা মোৎ তৌব তৌবগা ঈশৈ শকপদা অতাবা ভাবোকশিংনসু পেনবা শক্লিবী কলাকাব মশাশিংনসু পেঞ্জবা অদুগী মতৌওর্খনি। সাহিত্যগী, ধর্ম্মগী, সংস্কৃতিগী মরমদা ঙাঙলকপদনা য়াম্না সেরিযস ওইনা মচা খাযনা খাযনা ব্যাখা তৌবগা ঙাঙথোরকই। ওঝা মীনকেতন্দি মশা লেঙদনা চুম্দি চপ তিংনা শদিংদা লেপ্লগা গোচব পঙযাও যাওদনা য়াম্না হৈনা ৱাবী লীবগী ষ্টাইলদা ৱা ঙাঙবনি। খোঞ্জেলসু লূম্মি। যাম্না ফজে। শৈবেং থীবদা ফজবা অদুগুম্না ফজৈ।

ইং ১৯৬৮ নৎত্রগা ৬৯ গী অদুৱাইদা ওইরম্বা য়াই। ককচীংগী থৌদোক অসিগীদ মমাঙদনি। অমুকথক নহাবোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিগী ওফিসতা নুমিদাং অমা ওঝানা ঐখোয় মী তরেৎ নীপালমুক তিনবদা ওঝাগী যূমদা মীনা ভূত থাজিল্লকপগী ৱাবী অমা লীখি। যাম্না মরীক চুম্না উপন্যাসকী ৱাবীগুম্না লীবা ৱারী অদু তারুবগা ঐহাক যূমদা ইতোমতা হনবা কিরে। নুংদাং অদু মম্বসু নত্তে; থাবল অদুম্মক ফবগুম তৌখিববা নীংই। খোংমন মংজীন্দগী ঐজ্ঞা অবিবম চিত্রেশ্বর শর্ম্মা ইবানীনা সাইকল অমমম তোংলগা হনমিন্নবকপদু ঐগী লৈকাহ যৌবকপা ফাওবা ঐজ্ঞাদা থিলতাল্লি। মতম অদো ঐহাক অঙাং নৎত্রে। অদুগা ভূত প্রেত যাম্না থাজবা লাই তীন থাজবা মীশকসু নত্তে। শরতচন্দ্রগী

*শ্রীকান্ত*গী মংদা ভূত য়েংবা চৎপগী মতাঙ অমদা শ্রীকান্তনা হায়খিবা - ভূত থাজরবসু থাজদ্রবসু মীনা কিবগী মতম য়ৌরক্লবদি হেক্তা কিদবা ঙম্লোই; অকিবগী মতাঙদা ন্যায় চঙদে - হায়বদু ঐঙোন্দা থোকখিবগুম তৌই। ওজা মীনকেতনগী নেরেটিবকী শক্তি অসিগী হায়রুরবদি উপন্যাস ইরম্লবসু মায় পাক্লমগনি নীংই। মসি ওঝাগী মশানা ইবা পুন্সি ৱারী *পুনশিগী শক্তম* অহানবা অমসুং অনীশুবা লারোল পাবদগীসু খঙবা ঙম্মি। ❑

* ৱারেং অসি 'পোক্লফম' পাউ-চেদা তাং ২৪/১১/০৬ ইংদা ফোঙখিবা "অশাংবম মীনকেতন সিংহগা থৌদোক অমা" কৌবা আর্টিকল অমদগী চাউথোকহল্লগা মিংথোনসু হোংদোক্লগা অমুক পুথোকচবনি। অইবা।

ত্রিপুরাগী খোঙচত্তা কবি মীনকেতন

নোংশাতাবম নিরঞ্জন দত্ত

কবি অশাংবম মীনকেতন সিংহ্ ইহান হান্না ত্রিপুরাদা ইংকুমজা ১৯৭৫ দা ফেব্রুয়াবী থাদা লাকখি। ত্রিপুরাদা লৈবা মণিপুরীশিংগী লোল সংস্কৃতি, শেলথুমগী ফিভম অমদি অতৈ অতৈগী মরমদা ৱারী-ৱাতাই শানবগীদমক মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালগী দেলিগেট টীম অমা ওঝা মীনকেতননা লুচিংদুনা ত্রিপুরাদা লাকখি। ওঝাগা লোয়ননা ডা. য়েংখোম ভাগ্য সিংহ্, প্রোফেসর ইরাবত সিংহ্ অমসুং মতমদুগী পরিষদকী জেনেরেল সেক্রেটরী রজনীকান্ত সিংহ লোয়ননা মীওই অহুমসু ত্রিপুরাদা লাকখি। লোল সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতিগী মরমদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ত্রিপুরা, সংস্থাগী লুচিংবা মীওইশিংগা ৱারী কয়া শাখি। জগোয়, ঈশৈ কলাগী লমদা ত্রিপুরাগী শক্লাইরবা ওঝাশিংবু উপাধি পীদুনা ইকাইখুম্নবা উৎপা অমদি মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালগী চহীগী মীফমলেন্দা দেলিগেট থাবিরক্লবা অমসুং অতৈ অতৈ মরমদসু ৱারী শাখি। মথংদা অল ত্রিপুরা মণিপুরী য়ুথ এসোসিয়েশনগী মীহুৎশিংগসু ৱারী-ৱাতাই শানখি। ওঝা অশাংবম মীনকেতন সিংহনা লুচিংদুনা লাকখিবা পরিষদকী টীম অসি আগরতলা মটরষ্ট্যান্ড মনাক *ত্রিপুর হোটেল* দা লৈখি। মথংদা ওঝা মীনকেতননা ত্রিপুরাদা অমুক লাকপিরম্বা মতাং অসি ইংকুমজা ১৯৮৩ দনি। ত্রিপুরা রবীন্দ্র পরিষদকী চহীগী সাহিত্য মেলা থৌরমগী হৌদোকপা নুমিৎকী সভাপতি ওইনা পরিষদকী থৌরমদা শরুক য়াখি। রবীন্দ্র পরিষদকী সাহিত্য মেলা থৌরম অসি চহীগী তত্তনা পাঙথোকই। ভারতকী শক্লাইরবা কবি, সাহিত্যক অমদি কলাকারনচিংবা মীওই কয়া হায়রিবা থৌরমদা শরুক য়াদুনা লাকই। মসিগী মিংথেংদা য়েংলবদি, ত্রিপুরা রবীন্দ্র পরিষদকী থৌরমদা মণিপুরদগী ইহান হান্না লাকখিবা অমসুং শরুক য়াখিবা অসি ওঝা মীনকেতনি।

ইংকুমজা ১৯৮৩ এপ্রিল ২৩, ওঝা মীনকেতন আগরতলা এয়ারপোর্টতা থুংলুরে। পরিষদকী জেনেরেল সেক্রেটারী বানী ভট্টাচার্য, রাজকুমার কমলজিৎ সিংহ্ অমসুং ইশামক য়াওদুনা ওঝা মীনকেতনবু এয়ারপোর্টতা ওকপা চংখি। ওঝাগা লোয়ননা শিলচরদগী ওঝাগী

অচানবা ছাত্র অমা লোয়নরকখি। এয়ারপোর্টতগী চুমদ্রিংনা ওঝাগী লৈফম শিল্লিবা সার্কিট হাউস তান্না লাকখি। মথং নুমিৎ এপ্রিল ২৪, পরিষদকী সাহিত্য মেলা থৌরম অদু হৌদোকপিখি। রবীন্দ্রনাথকী মরমদা ওঝানা পীবিরম্বা ভাষণ ঙসিসু ময়াম্না শোন্নরি এপ্রিল-১৫ মথং নুমিৎ ওঝাগা লোয়ননা ট্যাক্সি অমদা ত্রিপুরাগী য়েংবা মফম কয়া কোয়খি অমসুং মণিপুরীগী খুঙ্গং কয়াদসু চৎখি। মথংদা ওঝা মীনকেতন নোংমা নিনী ঐগী শঙ্গাইদা (অভয়নগর) লৈমিন্নখি। মণিপুরী খুঙ্গং কয়াদা অমুক কোয়খি। নীংশিংবা য়াবদি ওঝাগী মচানুপা ডা অশাংবম জগবন্ত সিংহ অসি ঐগী মরূপনি। ইংকুমজা ১৯৬৪ দা ''বারপুজিয়া কেম্প'' আসামদা পাঙথোকখিবা এন.সি.সি. কেম্পদা শকখঙনখি অমসুং মরূপ শানখি। আগরতলাগী সনমাসীপুর, অভয়নগর অতৈসু মফম কয়াদা ওঝাগা লোয়ননা মণিপুরী লোল, সংস্কৃতিগী মরমদা বাপী শাখি। এপ্রিল ২৭ অয়ুক্তা পরিষদকী থৌবুরেনশিংগা লোয়ননা আগরতলা এয়ারপোর্টতা ওঝাবু থিন্দোকখি।

মরূপ পত্রিকাগী চহীগী চেফোঙ *শরৎকী ঈচৈল* অমদি মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ত্রিপুরা সংস্থা অসিনা ফোঙবা সাহিত্য চেফোঙ *তখেন লৈরাং* দা ওঝাগী শৈরেং কয়া ফোঙখি। ইংকুমজা ১৯৯৫, মার্চ নোংশং-৫ আধুনিক মণিপুরী সাহিত্যগী লময়ানবা অমদি শক্লাইনরবা কবি ওঝা মীনকেতন মীরমলেন থাদোকতুনা লাইবমলেন্দা তিনখি। মহাক লৈখিদবগী পাউ তাবদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ত্রিপুরাগী মায়কৈদগী অন্নাবা অমদি নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি। ❑

থাজবগী ৱাংমদা নুমিদাংৱাইরম অমা

মাখোনমনি মোংসাবা

উরিপোক অসিদা, লাইরিক-লাইশুদা, জগোয়-ঈশৈদা, অতৈ শিনফম কয়াদা, মশক নাইখিবা মমাঙ থক্তা অহল-লমন কয়া লৈখি হায়নে। ঐখোয়না অঙাং ওইবনিনা লোইনা খঙজহৌখিদে ।লাইবক ফবনা হায়গদ্রা, মীয়াম্না খঙবীখিবা, তাকপীবা ওস্বা অহল-লমন খরগী মনাক নকপদি ফঙজখিবা য়াওই। নোংমৈকাপম ইবোচৌ, উবিপোক তৌরাংবম লৈকাইদগীনি, লাইরিক-লাইশু হৈবা অহলনি ।নাৎকী চৎনবী নৈনগনবা,ঐখোয়গী শক্তম কনগদবনি হায়না মাঙথানা লাওখিবা মীশকশিংগী মনুংদা অমনি। মতম অমা লিকোল শান্নবগী ৱারী, প্রমাণ-পাছৈ ঙাঙনবা, ঈশৈ হল্লগা থাবল চোংবগী ফজবা,মাঙ্গোলদা, শঙ্গোয়দা পেনা তানবিঙে মতমদুগী ফজবা লীচৎ শাজৎ, অহল-লমন, মথক থোংবা উবদা নোল্লুকপা উৎপা, অসিগুম্বা অঙনবা মতমগী চৎনরম্বা কয়া মাঙথরকখিবগী য়াম্না নুংনাংজখিবা মীশক অমনি। ৱা য়াম্না তান্নবা পাম্মী। ৱা তান্নবশু লাইমাঙ নৎত্রগা লাইবুংদা পাঙথোকসি য়াম্না হায়গল্লি। লাই য়াম্না নীংবা মীশকশু নত্তে। তৌশিন্নবা, অরানবা, শেমজিন - শাজিন্দুনা ৱা হায়বসি য়াদে। মবৃক্তা ৱা থমদুনা ঙাঙবা মীশু নত্তে। হায়নীংলগদি দং দং ঙাঙজাৎনি ।যুম্না ক নোংমৈকাপ্পমনি, অদুনা ৱা ঙাঙথোকলকপদা নোংমৈগুম মখোল হৌই। মতাং খবদা, মহাক্তা নক্লা লোয়নজখি ।ঐখোয়না য়াম্না কিখিবা অহল অমনি।

উরিপোক লাইখুরেম্বী লাইমাঙদা, চহী খরা মোইরাংশাই ঈশৈ ফাংনবা, অহল ইবুংঙো অসিনা লমজিংদুনা শিনখি । মতুং তারকপদা অমুক, মৈতৈ,মীতৈ, পোইরৈচা,কংলৈচা হায়গদবনি হায়বগী মতাংদা মীয়ামগী ওইবা ৱায়েৎনবা, অচুম চুমদা মশক খঙদোক্লবা, লাইখুবেম্বী ইমাগী লাইমাঙদা পুয়া পাদুনা তাহন্নখি, ঙাঙলিবা অদু অরানবা নত্তে খঙনবা, পুয়া মচুম থক্লবা, অসিগুম্বা হৌদোকপদা অহল ইবুংঙো অসিনা মাঙজিল থাই ।মৈতৈ ময়েক চৎনগদবনি, ওফিসতা চে-চাং থানবা অমদি ইবদা, মৈতৈ ময়েক্তা নৎত্রগা মৈতৈলোন্না ইগদবনি হায়না মীয়ামদা ইথিল শাগৎপদশু মাঙজিল হেক্তা থায় ।মৈতৈ ময়েক শাননবা, ঐখোয় শেন খায়গৎসি হায়বদশু,মানা হান্না হেক্তা মমাঙ থাদুনা চৎকল্লি। ৱাং চাউই। ফৈজোম কুনজা মখুৎনা খোমগৎলগা য়াংনা চৎপদা, মতুং ইন্দুনা তান্নবা ৱাবা অহলনি।

মণিপুরী লোলবু ভারত সংবিধানগী নিপালশুবা সেদ্যুল্দা চলহন্নগদবনি হায়বগী খোল্লাওনা মফম খুদিংদা ইরাং লাংনবা হৌগৎনরকখি। মচি-মচিদা ধারানা, সিট-ইন প্রোটেস্ট, হৌজিক্কী লোন্দাদা হায়রবা তারগনা, ব্রাকৎ মীফম হায়বা তায়, মীয়ামগী ওইবা মীফম, লেপ্তুনা পাঙথোক্লখিবা মতম অমনি। অদুগুম্বা মতম অদুদা,মফম খুদিং মীটিংগী ব্রা ঙাঙলুবদা, খোন তাদবা মতমদুগী অইবা অইবী, নহারোল- অহল্লোন পংলৈ লৈরম্মোই খনজখি। হৌরক্লিবা মীয়ামগী ঈহৌ অদুদা য়াওহৌদ্রগদি, লোল অমদি সাহিত্যা নুংশিদবগাশু মানবা মতাং য়াওখি। অদুনা হৌনরুদে, ইশাগী তৌদবা য়াদবা অমা ওইনা লোয়নমক লৌনৈ, শরুক য়ানৈ। অসিগুম্লবা মতাং অমদা, অহল ইবুংঙো নোংমৈকাপম ইবোচৌ পাবুং অসিগা ঐহাক্কা, কৈশামপাৎ লাইরেম্বীগীদা মীটিং অমা য়াওরুধদগী, খোংনা উরিপোক লম্বীদা নুমিদাংব্রাইরম অমা হুনমিন্নরকখি। নোংমৈকাপম অহল ইবুংঙোগী ব্রারীদা, উরিপোক মচীল য়ৌরকখিবা খঙহৌদে। ব্রাশু মানা লোয়না ঙঙখি, ঐগীদি তাজবদনি। মল্লি মল্লি তৌরক্লে। মীদি উবদা মশক খঙনরি। উরিপোক হিন্দু হোটেল মপাসিদা হৌবা খোংনাং পাম্বীসিদা, নুমিদাংব্রাই মকোল চঙলমল্লইগী তোংদুনা লাংবা শেন্দ্রাংগী মখোলসি ওম্ভোক্লা হৌব্রে। য়ামশু য়ামথ্রবা শেন্দ্রাংনি। শেন্দ্রং ময়ামগী অহৌবা মখোলসি নমখায়রগা, নোংমৈকাপ্পম অহল ইবুংঙো অসিনা মাঙদা চংলিবা কনাগুম্বা অমদা হায়খি,

- কদোমদগীনো হুনবীরকলিবসিবো...?

মহাক্কা ব্রাংচাউবা হায়ফেৎ মান্নবা, মশম শাংতক তৌবা, কুচু ফজনা ঙৌবা, ফৈজোম শেৎপা অহল অমা ঐখোয়গী মাঙদা চৎলম্মী। অহল অদুনা মমায় ঐখোয়রোমদা তপ্না লৈশিল্লকই। মখোয় অনী হেক উন্নবদা অহানবদা খুকম্নখি। অমনা অমবু ওক্লে। চৎলম্বা অহলদু মবূক তপ্পী, ব্রা কন্না ঙাঙদে। য়েংবদা মতীক লৈনা উই। মশকনে মতৌনে, মশম্নে মনানে, মাগী মওং মতৌ অদুদা লৌরেম্নম খোংনাংথাবা হায়নবা মাইচৌদুবু শুমাইনা তৌজাংলা হায়না ইথন্তা খনজখি। খুকম্নবা হেক লোইবগা নোংমৈকাপ্পম অহল ইবুংঙোনা, মতম মাঙদনা ব্রাহং মখা, চৎনা চৎনা হঙলকখি।

-ওংগা হুংগা অনীসিবু কনানা কনবা হেনগে ?

অহলদু করিশু হায়দে, মোং হাদনা খল্লগা চৎলি। পাউখুমগা খনবা নঙজাৎ নত্তে। নোংমৈকাপম অহল ইবুংঙোনা মখা শৎ শৎ হায়জিনখি,

-ওং হায়বসিনা- ঙৌগী মপানথংবা শরুকলোমদা হায়বনি। স্বায়দা লোইরে। হুকচাংগী তত্থায় য়ৌদে (মখোলথোক্লা হায়দুনা তাহল্লি।) মপাঙ্গল কনবা ব্রাংলি। অদুগা হুং হায়বা খোম্থোক অসিদি, ঙৌদগী হায়রক্লগা চনিং য়ৌনা হায়বনি, ঙংলগা লৈজাংনি। মপাঙ্গল য়াম্না কল্লি। ঐনা খনজবদা ওংদগী হুংনা কনবা হেল্লি। শোনগদবা লাইসিশোনসি হুং ওইবা তায়।

মশম শাংবা, লৌবেন্থম খোংনাংথাবা মানবা অহলসি অদুফাওবা খুমলক্তে। পাবুং নোংমৈকাপম ইবোচৌনা অতৈ ব্রা য়াম্না হায়খি। মযেক্কী মতাংদশু যাম্না ঙাঙখি। মশম শাংবা, লৌবেন্থম খোংনাংথাবা মানবা অহলসি, অদুফাওবা খুমলক্তে। খব চৎলগা তপ্না হাযবকই।

- ঐগীদি যূম মপা যৌজবে, লৈজহৌবা তারে। খুকমজরি।

নোংমৈকাপম পাবুংনা মখা তানা নুপা অদুদা হাযখি,

- ওংগা হুংগাদু চীন্দা হায়বগা অমুক্তা য়েংবীখোকো।

মখোয অনীমক হান্না গুম খুকম্লে। মশম শাংবা অহলদু চৈবাপ কেটিকী মপা যৌবকপদা, লম্বীগী ওইথংবা নাকন্দা হাইজিনহৌখি। অহলদু চৎখিবগা, ঐনা অহলসি কনানো হাযনা পাবংুদা হঙখি। নোংমৈকাপম অহলনা,

-অশাংবম মীনকেতন হাযবদু অসিনি, নখোয মহাক্কী শৈ ং তমলকত্রা ? মশক নাইবা কবিনি। উবিপোকসে মশক নাইবা যাম্না লৈবনি। অসি হায়না মশক তাকপিখি। ঃ মং তাবদি কুয়বে, নকশিন্নরুদবনা মশক্কা পান্ননা খঙলুদবনি। ঐ অমুক হন্না অহলদু উনাংখি, খোযবাংখি। ঐনা ম ঙম কুয়নদগী থীবকপা লাইবিক অমা, অইবা মশাদা ফঙগনি হাযনা কনাগুম্বনা তাকপিবকই। অদুনা উন্ননীংবগী মবম অমশুনি। নোংমৈকাপ্পম অহল ইবুংঙোশু যূম মপা যৌবক্লদুনা লৈহৌরে। ঐহাক ইথন্তা যূম তান্না হাইথবকখি। চৎনা চৎনা হযেংদি কবি মীনকেতনগীদা অযূক চৎলুগে চপ যুংনা লেপখি। যূম যৌরকপগা ইমাদা হবাউনা, কবি অশাংবম মীনকেতন মতেক অমা উন্নবকপগী ব্রা তম্মী। কবি অসিনা ইবা লাইবিক, *ঙাঙ্গোয পবেং* হায়বাসি ইমানা তাকপিদুনা খঙবনি। লাইরিক অসিদা য়াওরিবা, ফজবা রাবী মযামগী মবমদা ইমানা তাকপিখি। লাইরিকতু পানীংবনা থীবা হৌখি। লাইবিক যোনবা দুকান অমত্তদা ফঙখিদে। থাজদনা অইবা মশাগা থেঙনখিবা মিকুপ্তা, লাইবিক ফঙলগনি খনজখি। কবিগী যূমদা নোংঙানবগা চৎননবা লেপলে।

নোংঙাল্লে। ঐহাক, কবি মীনকেতনগী যূম থিবকই। ঙবাং চঙখিবা মফম খঙহৌবনা, ইলাই লাইনা যূম ফঙখি। অদুবু, কবি মীনকেতন পাক উন্নবা ফঙখিদে, ইমুংগী মী অমনা মোরা থাদুনা ঐবু ফমহনখি। কবি লাই খুকম্মী হায়না তাকপিরকখি। ঐহাক, মোরাদা অমুক ফম, অমুক হৌগৎ তৌদুনা, কবিনা লাই খুকম্বা লোইবা ঙাইখি। লাইদু কুয়নশু খুকমখি, কবি কবি লাইনো খঙদে। কাইনথংদা, অহল ইবুংঙোদু মহাক্কী অযূক্কী থৌরম লোইদুনা, ইনাক্তা চঙলকখি। নুমিদাংদি থোইনা মযেক শেঙনা মশক উখিদে। অযুক্কী নুংশা মঙালদা উবদুদদি অহলসিগী চাংলেম্বা, কুচু কুমেন উবদা তুচুংখি হায়বামক য়াই। মনা হংলকখি,

-কবি থবক্কীনো ইবুংঙো ? ঐবু মশক খঙদবগী মওংনি।

ঐনা শক তাকখি, ঙরাং নোংমৈকাপ্পম পাবুং ইবোচৌগা লম্বীদা হনমিন্নরকখিবদুনি। লাইরিক অমা হংজবা লাকপনি। ঙাঙ্গোয় পরেং লাইরিক পাবুংগীদা কোপী অমত্তগা লৈরিব্রা? অমত্তা পামজে। ঐনা হায়খি। লৈশু হায়রমদে, লৈতেশু হায়রমদনা ইমুং চণ্ডখি। ঙাইহাক লৈরগা ইমুংদগী লাইরিক অমা পুথোকলকই। লাইবিক্তু পীক্তক তৌই। উচিনা খরা চীকথৎলে। তপ্পা ঐঙোন্দা হায়রকই।

-ঙরাং ওংগা হুংগাগী মরমদা নোংমৈকাপ্পম ইবোচৌনা হায়খিবদু তাহৌবা নৎত্রা? মাগা য়াম্না কন্না লোয়নব্রা ? ঐ ব্রা অমা হায়গে, ঐখোয়না শোনগদবা লাইশোন্দি ওংনিকো। ওংনা মরুনি। নঙ লাই নীংব্রা, মানা হায়বা লৌরুনু ওং শোল্লুকো ।

অসি হায়রগা লাইরিকতু পীরকই। ঐনা পৈশা কয়া থমজরম্মুগে হায়না হংখি।

-ওং লাইশোল অসি শোল্লু পৈশা লৌরোই। মরক মবক্তা লাকউ ব্রারী শাসি ।

মানা হায়খি। লাইরিক্তু লেমনা পীবকখি । লাইরিক ফঙলবনিনা ঐ কুয়না লৈরমদ্রে। ঙাইহাক লৈরম্লগা অদুম লাকখি।

ইথৌ চিনজবনা, কবিবু নীংদি নীংশিংলগা মখা তানা মহাক্কী য়ূমদা চৎখিদে । লম্বীদা থেঙনবা, করিগুম্বাদা সাহিত্যাগী থৌবমশিংদা থেংনবা য়াওখি। কুয়না উন্নখিদবনা, ঐবু মশক কাউখিবা মাল্লি। ওংগী মতাং পল্লগদি নীংশিংলক্কনি খনখি। ঙসিদি অহল অনীমক ঐখোযগী ইরক্তগী লৈখিদবা কুয়খ্রে। মহাক্না পীবীরম্মা *ঙাঙ্গোয় পরেং* লাইরিক্তি ঐগী ইনাক্তা লৈহৌরি । লাইরিক অসি উবগা মাবু নীংশিংঙি, *ওংগা হুংগা* অনীগী থৌদোক্তুশু হেক্তা নীংশিংলকই। পুম্নিগী নীংশিংদুনা লৈরগনি। অহল অনীদুনা ব্রাবৌগদ্রা খঙদে, হৌজিকফাওবগী ওইর্নাদি ঐহাক ওংসু হুংসু লাইশোল অমত্তা শোনর্জদ্রি । অসুমনা ঙসি কবি অশাংবম মীনকেতনগী পোকপা চহী ১০০ শুরকপা কুমওন থৌবম অসিদা মহাকপু অমুকশু নীংশিংলকলি- থাজবগী ব্রাংমদা নুমিদাংব্রাইরম অমাগী থৌদোক্তু। ❑

কবী মীনকেতন

অমদি তোঙাল তোঙালবা শক্তমশিং




কবি অশাংবম মীনকে তনগী নোংমগী পুন্সিগী শব্দক অমা।



কবি অশাংবম মীনকেতন অমসুং পণ্ডিত শিবদত্তা শর্ম্মা।



ত্রিপুরা মণিপুরী চেফোঙ মরুপ শরৎকী ঈচেল ১৯৮১ ইং দা ইম্ফালদা ফোঙদোকপগী থৌরমদা ওইবোমদগী কবি নীলবীর শর্মা শাস্ত্রী, আর কে কমলজিৎ (ইডিটর), শ্রী যুমনাম যাইমা অমসুং কবি অশাংবম মীনকেতন সিংহ।



কবি অশাংবম মীনকেতননা সুচি রা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী মীতৈ কাঙবু অমগা ইম্ফালদা ভারতকী প্রসিডেন্ট ভি ভি গিরিগা উন্নবা



অহানবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী নোমিনেটেদ মেম্বর অশাংবম মীনকেতনগা লোয়ননা অতৈ মেম্বরশিং।



নবদ্বিপতা পাঙথোকপা চহি ৫০০ শুবা গৌরাঙ্গ মহাপ্রভুগী থৌরম অমদা
কবি অশাংবম মীনকেতননা ৱা ঙাঙলী।



কবি অশাংবম মীনকেতন অমদি ত্রিপুরা মণিপুরীশিংগী অরিবা পালা কাংবু।



কবি মীনকেতননা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী চহীগী মীফমদা ফিবাল চিংখৎপা।



মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফাল, অশাংবম মীনকেতন ষ্টেট লেভেল বার্থ সেন্টিনারী সেলেব্রেসন কমিটি অমদি ইষ্টর্ন জোনেল কলচরেল সেন্টর কোলকতা অনী খুৎশম্নবগা মে ১৩ অমদি ১৫, ইং ২০০৬ তা শিনখিবা **অশাংবম মীনকেতনগী পুন্সি অমসুং সাহিত্য** হাযবা সেমিনারদা শরুক যাখিরশিং।



কলচরেল ফোরম মণিপুর অমদি অশাংবম মীনকেতন ষ্টেট লেভেল বার্থ সেন্টিন্যরী সেলেব্রেসন কমিটি অনী খুৎশম্নবগা সেপ্টেম্বর ৩, ইং ২০০৬ তা শিনখিবা **মীনকেতনগী নীংশিং লেকচরদা** রা ডাঙলিবা **প্রোঃ হুইরেম বিহারী সিংহ।**










নহাবোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি, ইম্ফাল অমদি অশাংবম মীনকেতন ষ্টেট লেভেল বার্থ সেন্টিন্যবী সেলেব্রেসন কমিটি অনীনা জুলাই ১৭, ইং ২০০৬ তা শিনখিবা কবি অশাংবম মীনকেতনা ইবম্বা শৈবেংশিং থীবগী থৌবমদা শক্তক যাবিবশিং।



মণিপুরী ডিপার্টমেন্ট, মণিপুর যুনিভর্সিটিনা কবি অশাংবম মীনকেতনগী পুন্সি অমসুং সাহিত্য হাযবা হিবমদা ওক্টোবর ২৮-২৯ ইং ২০০৬ তা পাঙথোখিবা সেমিনারদা শরুক যাবিবা প্রোঃ ডেবরাজ, প্রোঃ ওইনাম ইবোচৌ, প্রোঃ এলাংবম দীনমনি।



প্রোঃ পোলেম নবচন্দ্র প্রোঃ অরিবম কুমার শর্ম্মা প্রোঃ এস. সনাতোম্বী




রাইটর্স ফোরম, ইম্ফাল অমদি অশাংবম মীনকেতন ষ্টেট লেভেল বার্থ সেন্টিন্যরী সেলেব্রেসন কমিটিনা নবেম্বর ১, ইং ২০০৬ তা শিনখিবা **মীনকেতনগী লোল অমসুং মফোঙদোক** হায়বা সিম্পোজিয়মদা কমিটিগী চিয়ারমেন **শ্রী বি. জয়ন্তকুমার শর্মা** অমদি ফোরমগী প্রসিদেন্ট **ডাঃ আই. এস. কাংজম**। (ৱা ঙাঙলিবা)




শ্রী বি. এস. রাজকুমার **ডা. সগোলসেম লনচেনবা মীতৈ**




মণিপুরী লীটরেরী সোসাইতি, ইম্ফাল অমদি অশাংবম মীনকেতন ষ্টেট লেভেল বার্থ সেন্টিন্যরী সেলেব্রেসন কমিটি অনী খুংশম্নবগা ফেব্রুয়ারী ২৫ ইং ২০০৭ দা শিনাখরা মীনকেতনগী প্রেম কাব্য হাযবা সিম্পোজিয়ম হৌদোকপগী থৌরমদা কর্মিতগী চিযাবমেন শ্রী বি জযন্তকুমার শর্ম্মনা মৈরা চুখংপা।



কবি অশাংবম মীনকেতন সিংহগী ১০০ শুবা মপোক কুমওন থৌরম হৌদোকপা মে ২, ইং ২০০৬ তা অশাংবম মীনকেতন ষ্টেট লেভেল বার্থ সেন্টিন্যরী সেলেব্রেসন কমিটিগী অহানবা চিযাবমেন শ্রীনোংথোম্বম কুঞ্জমোহন সিংহনা ৱা ঙাঙলি।



সাহিত্য অকাদেমী কোলকতা অমসু অশাংবম মীনকেতন স্টেট লেভেল বার্থ সেন্টিন্যাবী সেলেব্রেসন কমিটি অমা শুনথৌনা, মাচ ১৭ ১৮ হী ২০০৭ দা পাঙথোকখিবা প্রেম কাব্য ট্রেদিসন ইন ইন্দিযান লিটবেচব হাযবা সেমিনাবগী হৌদোকপগী থৌবমদা তবাম্না শেকপগী বাবোক পাবকা প্রোঃ নোংমাইথেম তোম্বী।




প্রেম কাব্য ট্রেদিসন ইন ইন্দিযান লিটবেচব হাযবা সেমিনাবগী হৌদোকপগী থৌবমদা শব্দব যাৎদনা বা ডাঙলিবা শ্রী শুমন্থেম প্রকাস সিংহ।




প্রেম কাব্য ট্রেদিসন ইন ইন্দিযান লিটবেচব হাযবা সেমিনাব হৌদোকপগী থৌবমদা শকক যাবদুনা বাহৌদোক পীবিবা শ্রী আব কে ঝলজিৎ।



প্রেম কাব্য ট্রেদিসন ইন ইন্দিযান লিটবেচব হাযবা সেমিনাবদা মোদবেটেব ওইনা শব্দব যাবিবা প্রোঃ ছি ঐচ মনিহাব সিংহ (মযায) দিপটি ফুকন পাটগিবি (অসামী) অমসুং অপবনা মোহন্টি (উবিয)



প্রেম কাব্য ট্রেদিসন ইন ইন্দিযান লিটবেচব হাযব সেমিনাবদা পেপব পাবিবা শ্রী লোংজম জযচন্দ্র অমদি মোদেবেটব ববীবঞ্জন চট্টোপধ্যায।



প্রেম কাব্য ট্রেদিসন ইন ইন্দিযান লিটবেচব হাযবা সেমিনাবদা মোদবেটব ওইনা বা ঙাঙলিবা প্রোঃ এল দামোদব, পেপব পাখিবা টবাকান্ত ঝা (মৈথিলি) অমসুং সুমিত্রা চক্রোবতি (বেঙ্গলী)।




প্রেম কাব্য ট্রেদিসন ইন ইন্দিয়ান লিটরেচর হায়বা সেমিনার লোইশিনবগী থৌরমদা ভেলিদিক্টরি এদ্রেস পীরিবা প্রোঃ এন. খগেন্দ্র।



প্রেম কাব্য ট্রেদিসন ইন ইন্দিয়ান লিটরেচর হায়বা সেমিনারদা শরুক য়ারদুনা ৱা ঙাঙলিবা ডা. থোকচোম ইবোহনবী অমদি দীপ্তি ফুকন পাটগিরি (অসামী)



সেমিনার ওর্গানাইজিং কমিটি, পেপর রিদরশিং অমসুং মপানগী দিলিগেতশিং।




কবি অশাংবম মীনকেতন সিংহগী ১০০ শুবা মপোক কুমওন থৌরম লোইশিনবা মে ২, ইং ২০০৭ তা অশাংবম মীনকেতন স্টেট লেভেল বার্থ সেন্টিন্যরী সেলেব্রেসন কমিটিগী অনীশুবা চিয়ারমেন **শ্রী বি. জয়ন্তকুমার শর্ম্মনা** বা ঙাঙলি।



কবি অশাংবম মীনকেতন সিংহগী ১০০ শুবা মপোক কুমওন থৌরম লোইশিনবা মে ২, ইং ২০০৭ দা ঐনা খঙহৌবা মীনকেতন হায়বসিদা বা ঙাঙলিবা **খোমদ্রাম অশ্বিনী** কছাড়, **রাই. রঞ্জনা দেবী** অমদি পাওখোহাং হাওকিপ।

কবি অশাংবম মীনকেতনগী মরমদা

অশাংবম শ্রীমীনকেতন সিংহ



অশাংবম শ্রীমীনকেতন সিংহ, ৱাংখৈ অশাংবম লৈকাইদা ইং ১৯০৬, মে থাগী তাং ২দা গৌড়ীয় বৈষ্ণবকী ইমুং অমদা অশেংবা ক্ষেত্রি অমা ওইনা পোকখি। অপোকপগী মিং অশাংবম জীবন সিংহ, অপোকপীগী মিংনা অশাংবম মেধাবতি দেবী কৌই। অদুবু পোকপা নুমিৎ ১২ নি শুবা নুমিত্তগী মোইরাংখোম সৌগাইজম লৈরক ইম্ফালদা লৈবা মহারাজ মধুচন্দ্রগী মশুনুপা মাইবম ইবুংঙোতোন সিংহ অমদি মহারাজ নরসিংহগী মশুনুপী নিংথেম চনু সনাজাওবী দেবী অনীনা য়োক্লক্লুনা চাউরকখি।

মহৈ মশিংগী লমদদি য়ুমদগী হৌরকখি, পেটিগ্রু লৱার প্রাইমারী স্কুল, মোইরাংখোম অপ্পর প্রাইমারী স্কুল, জোনষ্টোন হায় ইংলিস স্কুলদা মথং মথং তমলক্লুনা মুরারিচান্দ কলেজ শ্রীহট্ট (সিলেট) তা তমদুনা ইং ১৯৩০ দা কলিকতা ইউনিবরসিটিদগী আর্ট গ্রেজুয়েট ওইখি। ইংলিস, বেঙ্গলি, সংস্কৃত, হিন্দী অমদি অরিবা মণিপুরী লোলশিং ঙাঙবা ঙম্মী।

ষ্টেট অমদি নেসনেলগী থাক্তা এৱার্দ কয়া অমদি মিংথোলশিং ফংলকখ্রে। পনবা য়াবা খরদি ইং ১৯৭১ দা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালনা **সাহিত্য-রত্ন**, ইং ১৯৭৫ দা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী ইম্ফালনা **ফেলো**, ইং ১৯৭৬ তা সাহিত্য অকাদেমী, নিউ দিল্লীনা **সাহিত্য অকাদেমী এৱার্দ**, ইং ১৯৭৬ তা থৌগল মরূপ হাইলাকান্দি (কাছার) না **কবি সম্রাট**, ইং ১৯৮০ দা রোট্যারি ক্লব ইম্ফালনা **দি মোষ্ট ইমিনেন্ট সিটিজেন ওফ মণিপুর এৱার্দ**, ইং ১৯৮৫ দা ভারত সরকারনা **পদ্মশ্রী এৱার্দ**, ইং ১৯৮৫ দা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালনা **সুভর্ন জয়ন্তি বিষেস সম্মান এৱার্দ**, ইং ১৯৮৬ তা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালনা **যামিনি শুন্দর গুহ গোল্ড মেদল**, ইং ১৯৮৮ দা ডি কলচরেল ফোরম মণিপুরনা **থোইবী এৱার্দ**, ইং ১৯৮৮ দা মণিপুর ড্রামাটিক ইউনিয়ন (এম ডি ইউ) না **ললিত নীংশিং গোল্ড মেদল**, ইং ১৯৯০ দা মণিপুর ইউনিভরসিটিনা **ডোক্টরেট (ওনোরিস**

কোজা), ইং ১৯৯১ দা মণিপুর সরকারনা **দি রিপব্লিক ডে গোল্ড মেদল** ইম্ফালদা পীখি। ইং ১৯৭২ প্রসিদেন্ট রুল লৈরিঙৈ মনুংদা মণিপুরনা ষ্টেটহুদ ফংবগী থৌরমদা রিসেপশনেলিস ওইখি অমদি ভারতকী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধী অমদি মহাক্কা লোয়ন্নরকপা গভর্ণর শ্রী বি কে নেহরু অমসুং লেপ্টেনেন্ট গবর্ণর শ্রী ডি আর কোহলি আই সি এস (রিটায়ার) না এ **মোষ্ট রেসপেক্তেদ সিটিজেন ওফ মণিপুর** হায়দুনা শক্তাক পীখিবগা লোয়ননা চাউরবা ইজ্জৎ ইকাইখুম্নবা উৎপিখি।

অচৌ অচৌবা শিনফম কয়াদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌদুনা লাকই। ইং ১৯৪৭ তা মণিপুর ষ্টেট কনষ্টিটিউসন মেকিং কম্মিটি হৌজিক্না মণিপুর ষ্টেট কনষ্টিটুয়েন্ট এসেমব্লিদা মহারাজগী **নোমিনি মেম্বর** অমদি ইং ১৯৭১ অমসুং ১৯৭২ দা টিচর্স ফাউন্দেসন মণিপুর ব্রাঞ্চ কী ইউনিয়ন এদুকেসন মিনিষ্টিরগী **নোমিনি মেম্বর** ওইখি।

ইং ১৯৭০ দা ইউনিয়ন পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন নিউ দিল্লী (ইউ পি এস সি) গী **এডভাইজর** ওইখি। ইং ১৯৪৭ তা গভর্নমেন্ট ধনমঞ্জুরী কলেজ (ডি এম কলেজ) হৌদোরকপদা কলেজ অসিদা এন্সেন্ট হিষ্টোরি (গ্রীস এন্দ রোম) অমদি ক্লাসিকেল মণিপুরী লিটরেচরগী **প্রোফেসার** ওইরকখি। সিটি নাইট কলেজ হৌজিক্না গভর্নমেন্ট নোংমৈকাপম গোপাল কলেজ (এন জি কলেজ) লমফেলপাৎ কী হৌদোরকপদা য়াওবা অমা ওইনা **প্রিন্সিপাল, চেয়ারমেন** গভর্নিং বোডিগী ইং ১৯৭২ দগী ১৯৮০ ফাওবা ওইরকখি। জবাহরলাল নেহরু ইউনিভর্সিটি সেন্টর ওফ পোষ্ট গ্রেজুয়েট ষ্টডিজ কাঞ্চিপুর ইম্ফাল হৌজিক্না মণিপুর ইউনিভর্সিটি কাঞ্চিপুরগী, মণিপুরী লেঙ্গুইজ এন্দ লিটরেচরগী **এসোসিয়েট প্রোফেসার হেড ওফ ডিপার্টমেন্ট** ওইরকখি। মণিপুর সরকারগী **টেক্সবুক ষ্টেন্দিং কম্মিটি, স্পেলিং কম্মিটি, গেজেট্যিয়র কম্মিটি, ষ্টেট এমব্লেম কম্মিটি, ষ্টেট টার্মিনোলোজি কম্মিটি, খোংজোম ডে সেলেব্রেসন কম্মিটি**নচিংবগী মেম্বরশিং ওইরম্মী। করিগুম্বা মতমদা **রিবিউয়র বুকস ফোর ষ্টেট সবসিদিগীশু মেম্বর** ওইরম্মী। সাহিত্য অকাদেমী নিউ দিল্লীগী লোকেল **এডভাইজরি বোর্দ**, জবাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমীগী ইম্ফালগী লোকেল **এডভাইজরি বোর্দ**, ওল ইন্দিয়া রেডিও (এ আই আর) ইম্ফালগী **প্রোগ্রাম এডভাইজরি কম্মিটি** অমদি **কেন্দিদেট সেলেক্সন কম্মিটিনচিংবগী মেম্বরশিং** ওইরম্বখক্তা নত্তনা এ আই আর ইম্ফালগী **সোং সেলেক্সন কম্মিটিগী এডভাইজরশু** ওইরম্মী।

ইং ১৯৩১ দগী ৩২ ফাওবা মণিপুর সরকারগী **এক্কাউন্টেন্ট অন্দর ট্রেনিং**, ইং ১৯৩২ দগী '৩৩ ফাওবা মণিপুর সরকারগী লৌরুংশঙদা **সব-ডিপুটি কলেক্টর অন্দর ট্রেনিং, সব-ডিপুটি কলেক্টর-টু** হেন্না খঙনবনা লেন্দ সেটলমেন্ট ওফিসার (এল এস ও)

ওইখি। ইং ১৯৩৬ কী জনুৱারী ৩১ দা প্রসিদেন্ট মণিপুর ষ্টেট দরবার (রেবেনিউ) গা মোৎ খেন্নরকপদগী রিজাইন তৌখি।

ইং ১৯৫৫ দা ডি এম কলেজদা মণিপুরী ডিপার্টমেন্টকী হেড ওইনা ওইনা পোষ্ট গ্রেজুয়েট বি টি ক্লাসতা মণিপুরী তম্বীরম্মী অমদি ইং ১৯৬৭ কী ওক্টোবর তাং ১৭ তা সেনিয়র লেকচর অমা ওইনা হেড ওফ ডিপার্টমেন্ট মণিপুরীদগী পোখাই। ইং ১৯৩০-৩১ দা মণিপুর ইনষ্টিট্যুসন, ইম্ফাল. হৌজিক্লা চুড়াচান্দ হয়ার সেকেন্দরী স্কুলগী এসিষ্টেন্ট হেড মাষ্টর ওইরম্মী। হৌজিক্তি লৈখিদ্রবা নরসিংহ হায় স্কুল, অমদি রাম লাল পাল হায় স্কুলদশু এসিষ্টেন্ট হেড মাষ্টর ওইরম্মী। ইয়োর হায় স্কুল হৌজিক্লা তোম্বীসনা হায়স্কুল অমদি বেঙ্গলী হায় স্কুল, ইম্ফালদশু এসিষ্টেন্ট টিচর ওইরম্মী। ইং ১৯৪৫ দগী ১৯৪৭ ফাওবা কাঞ্চিপুর পোলিটেক্নিক হায় স্কুল হৌজিক্লা কাঞ্চিপুর হায় স্কুল, ইম্ফালদা প্রিন্সিপাল অমদি হেড মাষ্টর ওইরম্মী। অনীশুবা লাঞ্জাও মনুংদা ভি ষ্টোর বেজ ইম্ফালগী বাবু ইনচার্জ ওইরম্মী. মসি হৌজিক্লা লোকচাউদা হোংখ্রে। সেন্ট্রেল বোর্ড ওফ সেকেন্দরী এদজুকেসন, নিউ দিল্লীগী পেপর সেটর, গুৱাহাটি ইউনিভর্সিটিগী এগজমিনর, বোর্ড ওফ সেকেন্দরী এদজুকেসন আসাম গুৱাহাটিগী স্ক্রুটিনাইজর, মণিপুর বোর্ড ওফ সেকেন্দরী এদজুকেসন ইম্ফালগী হেড এগজমিনর, অমদি নোর্ঠ ইষ্টর্ন হিল ইউনিভর্সিটি ষ্টডিজ এন্দ কোর্স কম্মিটি মণিপুরী সবজেক্ট, গুৱাহাটি ইউনিভর্সিটি অমদি বোর্ড ওফ সেকেন্দরী এদজুকেসন আসামগী সেলেবস কম্মিটিনচিংবগী মেম্বরশিং ওইরম্মী। মণিপুর ইউনিভর্সিটিগী ডিপার্টমেন্টকী মীশীং হাপ্নবা থবকশিংদা য়েংশিন্নবা মতম মতমগী ওইনা মহাকসু মেম্বর ওইনা হাপলমই।

কলিকতা ইউনিভর্সিটিনা মণিপুরী লোল অমদি সাহিত্যবু শকখঙলক্নুনা হায় স্কুল অমদি কোলেজশিংদা লাইরিক তম্নবা হৌরকপা মতমগী অইবা লময়ানবা তরেৎকী মনুংদা মহাকশু অমনি।

মণিপুরী সাহিত্য অমদি লোলবু নুংশিজবা মীশক অমা ওইনা মণিপুরী সংস্কৃত পরিষদনা ফোঙবা সাহিত্যগী চেফোং জ্যোতিগী এডিটর ইং ১৯৭৯ দগী ১৯৬১ ফাওবা ওইরম্মী। বোর্ড ওফ সেকেন্দরী এদজুকেসন আসাম অমদি বোর্ড ওফ সেকেন্দরী এদজুকেসন মণিপুরগী সেকেন্দরী মহৈরোইশিংনা তম্নবা মণিপুরী শৈরেংশিংগী খোমজিনবা শৈরেং অখনবা (১৯৬৭) কী কম্পাইলরশু ওইরম্মী।

চৈতন্য সেবা মন্দল ইম্ফাল, অতোমবাপু রিছার্স সেন্টর ইম্ফাল, পাউনা ব্রজবাসি রিছার্স সেন্টর, ইম্ফাল, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফাল, কলচরেল ফোরম মণিপুর, বার্ল্ড ইউনিয়ন ইম্ফাল ব্রাঞ্চ, বিশ্ব হিন্দু পরিষদ-ইম্ফাল ব্রাঞ্চ, ষ্টেট লেভেল কম্মিটি ফোর

ডি সেন্টিনেরি সেলেব্রেসেন ওফ চৈতন্য দেব (১৯৮৫) হায়বিবা ওর্গানাইজেসনশিং অসিগী **প্রসিদেন্টশিং** ওইবম্মী। মহারাজ নরসিংহ মেমোরিযেল কম্মিটি ইম্ফালগী পেট্রোন, ইং ১৯৩৫ দা হিজ হায়নেস ডি মহারাজ ওফ মণিপুর সার চুরাচান্দ সিংহ কে সি এস আই, সি বি ই গী লমজিং মখাদা লিংখৎপা বিবোধ জননী সভা (হিষ্টোরিকেল কম্মিটি), মৈতৈ মযেক থৌগন মরূপ, ইম্ফাল সেবা সমিটি, ইম্ফালনচিংবগী **মেম্বরশিং** ওইবম্মী। ডি অরবিন্দো সোসাইটি, ইম্ফাল ব্রাঞ্চকী **চেয়ারমেন** ওইরম্মী। ছাত্র ওইরিঙৈ ইং ১৯২০ দা **মাদর ক্লব** ইম্ফাল, **মৈতৈ চনু কম্মিটি**, ইম্ফালগী **ফাওন্দর মেম্বরশিং** ওইবম্মী। মণিপুর ড্রামাটিক ইউনিযন (এম ডি ইউ) গী **ফাওন্দর মেম্বর** ওইবকপদা নত্তনা ইউনিয়ন অসিগী ড্রামাগী **আর্টিস** অমদি **ড্রামা ইবা** মীশক অমশুনি।

ভারতকী তোঙান তোঙানবা মফমশিং কযামুক চৎলুরে অমদি মসিগী কলা সংস্কৃতিবু পুক্লিংদা লুনা চেৎনা লৌজরম্মী। মজাতিগী মীশিংবু লমচৎ ফজনা অমদি ঈংনা লৈহন্নবগীদমক মমিং লৈরবা এসোসিযেসন **ডি ৱার্ল্ড ইউনিয়ন** অমদি **ডি অরবিন্দো সোসাইতিগী অচঙবা মেম্বর** ওইবম্মী।

ফোঙলবা লাইরিককশিংগী মনুংদা *বসন্ত শৈরেং* লাইরিক অসি কলিকতা ইউনিভর্সিটিগী মখাদা ডিকেড অনী (চহী কুন) যৌনা ইন্টর্মিদিযেত ক্লাসকী টেক্স বুক ওইরম্বতা নত্তনা গুবাহাটি ইউনিভর্সিটিগী মখাদা ১৯৩৪ ইং ফাওবা টেক্স বুক ওইরম্মী। অতৈ লাইরিকশিংদি *সীতা বনবাস* (ড্রামা, ১৯৩৬), *তোনু লাইজিংলেম্বী* (ড্রামা, ১৯৪৯), *মৈতৈ উপন্যাস* (ক্রিটিসিজম, ১৯৫০), *রামাযণগী রারী খরা* (রারেং, ১৯৫১), *মৈতৈ লোঞ্জল* (ব্যাকরণ, ১৯৫১), *ভারত চনু* (লাবোন ১ ও রারেং, ১৯৫২), *মৈতৈ লাঈরোল* (মিথ, ১৯৫২), *ভাঙ্গোয পরেং* (ঐতিহাসিক, ১৯৫২), *ভারতকী লোনশিংগী মরক্তা মণিপুরী লোনগী মফম* (এসে, মণিপুরী লোনগী সর্ভে, ১৯৫৮), টেগোরগী *গীতাঞ্জলি* (হন্দোকপা, ১৯৬৪), মাইকেল মোধুসূদন দত্তগী *মেঘনাদবধ কাব্য* (হন্দোকপা ১৯৬৪), সেক্সপিযারগী *ডি রেপ ওফ লুক্রেসি* (হন্দোকপা, ১৯৬৫), *অশৈবগী নিতাইপোদ* (শৈরেং ১৯৭৬ ভারতকী সাহিত্য অকাদেমী এবার্ড ইং ১৯৭৭ তা ফংলবা) *অশৈবগী শৈরোই* (শৈরেং, ১৯৭৭) *অশৈবগী জয় ভাই* (শৈরেং, ১৯৭৮), *বিদায আশীর্বাদ* (শৈরেং ১৯৭৯) *পুনশিগী শক্তম* (লাবোন ১, মশানা ইজরা পুন্সি রারী, ১৯৮০), *সনরিক পরেং* (শৈরেং, ১৯৮১), *পুনশিগী শক্তম* (লাবোন ২, মশানা ইজরা পুন্সি রারী মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী যামিনি শুন্দর গুহা গোল্ড মেদল ফংলবা, ১৯৮২), *শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যদেব* (চৈতন্যদেবগী শন্নপ্পা পুন্সি ৱারী, ১৯৮৬), অমদি *যাচঙ শৈরোল খম্মিন তেংথা* (শৈরেং ১৯৯৫) অসিনচিংবা লাইরিক কযামুক ইদুনা ফোঙলম্মী। শক্লাইরবা কবি অসি ইং ১৯৯৫ গী মার্চকী তাং ৭ তা ঈশ্বরগী খুয়াখাদা চঙজখি।

চহী অমা চুপ্পা পাঙথোকখিবা অশাংবম মীনকেতনগী ১০০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগী পাউদম

কে. কুঞ্জধ্বজ

হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৬, ২০০৫ ইংদা ভারতকী সাহিত্য অকাদেমীনা শকখঙলবা সংস্থান মশা - মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, কলচরেল ফোরম, মণিপুর, নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি, রাইটর্স ফোরম ইম্ফাল অমসুং মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটিনা পুন্সিন্দুনা অশাংবম মীনকেতনগী চহী চাম্মা শুবা মপোক কুমওন পাঙথোক্লবগীদমক "অশাংবম মীনকেতন ষ্টেট লেভেল বার্থ সেন্টিন্যারী সেলেব্রেসন কমিটি" কৌবা লুপ অমা শেমখি। অসুম্না লুপ অসি শেম্লবা মতুংদা চহী অমা চুপ্পা পাঙথোক্কদবা মীনকেতন সেন্টিন্যরী সেলেব্রেসন অসিগী প্রোগ্রামশিং শীন্দোক্তুনা মথং মথং পাঙথোকপা হৌরকখি। পাঙথোকখ্রবা প্রোগ্রামশিংগী অকুপ্পা ৱারোল মখাদা পীজরি।

হৌদোকপা থৌরম

মে ২ ২০০৬ ইংগী নুর্ংখিল পুং ২ ৩০ তাবা মতমদা জবাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাদেমী হোল, ইম্ফালদা ডা শিবিন্দর সিংহ সিদ্ধু, রাজ্যপাল, মণিপুরনা অথোইবা অতিথি, ডা টি মৈন্য সিংহ, পার্লিযামেন্টকী মেম্বর (লোক সভা) না অখন্নবা অতিথি অমসুং শ্রীনোংথোম্বম কুঞ্জমোহন সিংহনা সভাপতি ওইদুনা অশাংবম মীনকেতন সিংহগী চহী ১০০ শুবা মপোক কুমওন হৌদোকপা থৌরম পাঙথোকখি। রিসেপসন কমিটিগী চেযরমেন শ্রী এলাংবম সোনামনি সিংহনা লেঙবীরকপাশিংবু তরাম্না ওকপা মতুংদা অশাংবম মীনকেতন ইবুঙ্গো লাইনিংশিং কযাদগী খনখৎলবা শৈরেংশিংগী থোমজিনবা *অশাংবম শ্রীমীনকেতন সিংহগী খুাইদগী ফজবা শৈরেং* অমদি *মেঘনাদ বধ কাব্য* লাইরিক অনী অসি অথোইবা অতিথি অমদি অখন্নবা অতিথি অনীনা ফোঙদোকখি। হায়রিবা লাইরিক অনী অসি অশাংবা কম্মিউনিকেসন, ইম্ফালনা ফোঙবনি। চহী অমা চুপ্পা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা মতেং ওইননবা হায়দুনা রাজ্যপালনা লুপা ২৫০০০/- (লিশিং কুনমঙা)

অদুগা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বরনা লুপা ১০,০০০ (লিশিং তরা) পীগনি হায়না লাউথোক্রমখি। লোয়ননা শেনফমশিং অসি মতমচানা ফংখি।

সেমিনার ঃ অশাংবম মীনকেতনগী পুন্সি অমসুং সাহিত্য

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, অশাংবম মীনকেতন ষ্টেট লেভেল বার্থ সেন্টিন্যারী সেলেব্রেসন কমিটি অমসুং ই. জেদ. সি. সি. কোলকটাগা পুন্না খুৎশম্নদুনা *অশাংবম মীনকেতনগী পুন্সি অমসুং সাহিত্য* হায়বা থীমদা সেমিনার অমা নুমিৎ নীনি চুপ্পা জে. এন. এম. ডান্স অকাদেমী অমসুং এম. ডি. য়ু. হোলদা পাঙথোকখি। অহৌবা নুমিৎ মে ১৩, ২০০৬ ইং, অয়ুক্কী সেসন্দা প্রো. এন. খগেন্দ্র, সভাপতি - কলচরেল ফোরম্না মোদরেটর ওইখি অমসুং শ্রী রা. কু. ঝলজিৎ সিংহনা কি নোট এড্রেস পীখি। নুমিৎ অসিদা মীনকেতন সেন্টিন্যারী সূভনিয়র ফোঙদোকখি। অয়ুক্কী সেসন অদুদা ডা. এন. তোম্বী অমসু ডা. টিঐচ. ইবোহনবী সিংহনা *অনৌবা মণিপুরী সাহিত্য শেমগৎপদা অশাংবম মীনকেতন* অমসুং *মশাগী পুন্সি-বারী ইবা অমা ওইনা অশাংবম মীনকেতন* হাযবা হীরমশিং অসিদা চে পাখি। নুমিৎ অসিগী নুংথিলগী সেসন ডা. আই. এস. কাংজম্না মোদরেটর ওইদুনা সেমিনার মখা চত্থখি। নুংথিলগী মীফম অদুদা শ্রী এল. জয়চন্দ্র সিংহ অমসুং শ্রী এ. কে. শর্ম্মনা *কবি অমা ওইনা অশাংবম মীনকেতন* অমসুং *অনুবাদক অমা ওইনা অশাংবম মীনকেতন* হায়বা হীরমশিং অসিদা চে পাখি। সেমিনারগী অহুমশুবা সেসন মে ১৫, ২০০৬ ইংদা এম. ডি য়ু. হোলদা পাঙথোকখি। প্রো. এলাংবম দীনমনি সিংহনা মোদরেটর ওইদুনা পাঙথোকখিবা সেমিনারগী সেসন অদুদা ডা. এস. লনচেনবা মীতৈনা *ৱারেং ইবা অমা ওইনা অশাংবম মীনকেতন*, প্রো. এল. দামোদর সিংহনা *সমালোচক অমা ওইনা অশাংবম মীনকেতন*, ডা. পি. নবচন্দ্র সিংহনা *অশাংবম মীনকেতনগী লোল অমসুং খুৎই* অমসুং ডা. ঐচ বেহারী সিংহনা *মীনকেতনগী খুৎইদা লোক সাহিত্যগী মশক* হায়বা হীরমশিং অসিদা চে পাখি। ডেলিগেট কয়ানা ৱাহং কয়া হংনরকখি অমদি মশা মশাগী ওইবা মৎশিং পীনরকখি। মায় পাক্লবা সেমিনার অমা ওইখি।

অশাংবম মীনকেতন্না ইরম্বা শৈরেংশিং থীবা

অশাংবম মীনকেতন ষ্টেট লেভেল বার্থ সেন্টিন্যারী সেলেব্রেসন কমিটি অমসুং নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি, ইম্ফাল অনীনা খুৎশম্নদুনা হৌখিবা জুলাই ১৭, ২০০৬ ইং নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা কুকি ইন, ইম্ফালদা মীনকেতন্না ইবিরম্বা শৈরেংশিং সাহিত্য, থিয়েটর অমদি ফিল্মগী শক্লাইরবা মীওইশিংনা লাম্থোকপগী থৌরম অমা

পাঙথোকখি। থৌরম অসিদা শ্রীমতি এস. ভানুমতী দেবী, ডা. কে. শান্তিবালা, মুহম্মদ অব্দুর রহমান, লুংপুইজৈ কবুই (তোম্বা), লোইতোংবম দোরেন্দ্র, এস. লক্ষিকান্ত, এস. সরতচন্দ্র, নিংথৌজা দীপক, কেঐচ. রতন, নরেন্দ্র নিংথোম্বা, কাংঙবম তোম্বা (লমজা তোম্বা), য়েংখোম রোমা দেবী, রাজকুমারী হেমাবতী, মখোনমনি মোংসাবা অমসুং টি. লোকেন্দ্রনা মীনকেতনগী শৈরেংশিং লাম্ফোকখি।

মীনকেতনগী মরমদা লেকচর অমসুং কবি সম্মেলন

সেপ্টেম্বর ৩, ২০০৬ ইংগী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা কলচরেল ফোরম মণিপুর অমসুং অশাংবম মীনকেতন ষ্টেট লেভেল বার্থ সেন্টিন্যরী সেলেব্রেসন কমিটি অনীনা খূৎশম্নদুনা মণিপুর হিন্দী পরিষদকী হোলদা ৱা ঙাঙবগী থৌরম অমসুং কবি সম্মেলন পাঙথোকখি। প্রো. হুইরেম বেহারী সিংহনা *কবি মীনকেতনগী পুন্সি অমসুং সাহিত্য* হায়বা হীরমদা ৱা ঙাঙখি। থৌরম অদুগী সভাপতি প্রো. নাওরেম খগেন্দ্র সিংহ, প্রেসিদেন্ট, কলচরেল ফোরম মণিপুরনা ওইখি। অনীশুবা থৌরমদা অশাংবম মীনকেতনগা মরী লৈনবা কবি সম্মেলন অমা শ্রী খুমন্থেম প্রকাশ সিংহনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখি। থৌরম অসিদা মণিপুরগী শক্লাইরবা কবিশিংনা মশা মশানা ইবা মীনকেতনবু শৈথাবা শৈরেংশিং পাখোকখি।

সিম্পোজিয়ম ঃ মীনকেতনগী লোল অমসুং মফোঙদোক

নভেম্বর ১, ২০০৬ ইংদা মণিপুর হিন্দী পরিষদকী হোলদা অশাংবম মীনকেতন ষ্টেট লেভেল বার্থ সেন্টিন্যরী সেলেব্রেসন কমিটি অমসুং রাইটর্স ফোরম, ইম্ফাল অনীনা খূৎশম্নদুনা মীনকেতনগী লোল অমসুং মফোঙদোক হায়বা হীরমদা সিম্পোজিয়ম অমা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা মীনকেতন সেন্টিন্যরী কমিটিগী চেয়রমেন বি. জয়ন্তকুমার শর্ম্মনা চীফ গেষ্ট ওইখি অদুগা রাইটর্স ফোরমগী প্রেজিদেন্টনা থৌরম মপু ওইখি। সিম্পোজিয়মগী মোদরেটরনা ডা. নোংমাইথেম তোম্বী সিংহনা ওইখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙখিবা মীওইশিংদি ডা. এলাংবম দীনমনি সিংহ, ডা. এস. লনচেনবা মীতৈ, ডা. পোলেম নবচন্দ্র সিংহ অমসুং বি. এস. রাজকুমারনি।

সিম্পোজিয়ম ঃ অশাংবম মীনকেতন

দিসেম্বর ১৫, ২০০৬ ইংদা অশাংবম মীনকেতন বার্থ সেন্তিন্যরী সেলেব্রেসন কমিটি অমসুং মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ আসাম অনীনা খূৎশম্নদুনা মণিপুরী রাজবাড়ী, গুৱাহাটিদা অশাংবম মীনকেতনগী মরমদা সিম্পোজিয়ম অমা পাঙথোকখি। সিম্পোজিয়ম অদুগী মোদরেটর শ্রী বি. জয়ন্তকুমার শর্ম্মা, সেন্টিন্যরী কমিটিগী চিয়রমেন্না মোদরেটর ওইখি।

থৌরম অদুদা ডা. এন. তোম্বী সিংহনা *পন্দিত অমসুং সমালোচক অমা ওইনা অশাংবম মীনকেতন* হায়া হীরমদা চে পাথোকখি। অতে পেপরশিং *অনুবাদক অমা ওইনা অশাংবম মীনকেতন* (এল. জয়চন্দ্র সিংহ), *মীনকেতনগী লোল অমসুং মফোঙদোক* (প্রো. এ. কে. শর্ম্মা) অমসুং *অশাংবম মীনকেতনগী ড্রামা* (ডা. কে. শান্তিবালা) হায়রিবশিং অসি লাপ্থোকখি। মণিপুরদগী মীওই ২৫ মুক চত্তুনা শরূক য়ারুই।

সিম্পোজিয়ম ঃ নুংশিবগী কবি অমা ওইনা অশাংবম মীনকেতন

দিসেম্বর ৩০, ২০০৬ ইংদা মীনকেতন বার্থ সেন্টিন্যবী কমিটি অমসুং মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ বিষ্ণুপুর মশা অনীনা খূৎশন্নদুনা বিষ্ণুপুরদা লৈবা বিষ্ণুপুর গার্লস হায়স্কুলদা *নুংশিবগী কবি অমা ওইনা অশাংবম মীনকেতন* হায়বা হীরমদা সিম্পোজিয়ম অমা পাঙথোকখি। সিম্পোজিয়ম অদুদা ডা. এন. তোম্বী সিংহনা ৱা ঙাঙখি।

সিম্পোজিয়ম ঃ মীনকেতনগী প্রেম কাব্য

অশাংবম মীনকেতন ষ্টেট লেভেল বার্থ সেন্টিন্যবী সেলেব্রেসন কমিটি অমসুং মণিপুরী লীটরেরী সোসাইটি ইম্ফাল অনীনা খূৎশন্নদুনা মীনকেতনগী মবমদা সিম্পোজিয়ম অমা হৌখিবা তাং ২৫/২/২০০৭ ইংদা মণিপুব হিন্দী পরিষদকী হোলদা শ্রী বি জয়ন্তকুমাব শর্ম্মা (চিযারমেন, মীনকেতন সেন্টিন্যরী কমিটি) অমসুং ডা. এনজি. একাশিনি দেবী (প্রেসিদেন্ট, মণিপুরী লীটরেরী সোসাইটি) অনীনা অথোইবা অতিথি অমসুং সভাপতি ওইদুনা মণিপুর হিন্দী পরিষদকী হোলদা পাঙথোকখি। থৌবম অসিদা ডা এস. *লনচেনবা* মীতৈনা *অশাংবম মীনকেতনগী প্রেম কাব্য* অমসুং ডা. কে. শান্তিবালা দেবীনা *খ্বাইরাকপম চাউবা অমদি অশাংবম মীনকেতনগী বারেংশিং* হায়বা হীবমশিং অসিদা ৱা ঙাঙখি।

সেমিনার ঃ মীনকেতনগী পুন্সি অমসুং সাহিত্য

মীনকেতন বার্থ সেন্টিন্যরী সেলেব্রেসন কমিটিনা পাঙথোক্লিবা থৌরমশিং অসিগী মথক্তা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মণিপুরী বিভাগনা ওক্টোবর ২৮ অমসুং ২৯, ২০০৬ ইংদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী সেন্টিন্যবী হোলদা "কবি এ মীনকেতনগী পুন্সি অমসুং সাহিত্য" হায়বা থীমদা সেমিনার অমা পাঙথোকখি। সেমিনাব অসি হৌদোকপগী থৌরম ওক্টোবব ২৮ দা প্রো. সি. অমুবা সিংহ অমসুং প্রো. দেবরাজনা মথংশিংনা চিফ গেষ্ট অমসুং গেষ্ট ওব ওনর ওইখি। হৌদোকপা থৌরম অদুদা প্রো. এন তোম্বী সিংহনা কী- নোট এড্রেস পীখি অদুগা প্রো. ই. দীনমনি সিংহনা *ঐনা খঙহৌবা মীকেতন* হায়বা হীরমদা ৱা ঙাঙখি।

মোইরাংথেম সঙ্গিতা দেবী, মাইবম দিনেশকুমার অমসুং খুমুকচম রাণীবালা দেবীনা মীনকেতন্না ইরম্বা শৈরেংশিং থীদুনা মীয়ামদা তাহনখি। হৌদোকপা থৌরম লোইরবা মতুং ওক্টোবর ২৯ দা তৌখিবা সেমিনারগী অহানবা সেসন অদুদা প্রো. ই. দীনমনি সিংহনা মোদরেটর ওইখি। অদুগা পদ্মশ্রী রা. কু. ঝলজিৎ সিংহ অমসুং প্রো. এস. সনাতোম্বীনা মথংশিংনা *ইমপেক্ত ওফ বৈষ্ণবভিজম ওন মীনকেতন* অমসুং *মীনকেতন এণ্ড মণিপুরী ফোক লিটরেচর* হায়বা হীরমশিং অসিদা চে পাথোকখি। সেমিনারগী অনীশুবা সেসন নুংথিল মীফমদা প্রো. এন. তোম্বী সিংহনা মোদরেটর ওইখি লোয়ননা শ্রী এ. কে. শর্ম্মা অমসুং প্রো. পি. নবচন্দ্র সিংহনা মথংশিংনা *মীনকেতনগী সাহিত্যদা নুপী* অমসুং *মণিপুরী সাহিত্যদা মীনকেতনগী লোল* হায়বা হীরমশিং অসিদা চে লাম্ফোকখি। শরুকাইরবা স্কোলার অমদি মহৈরোই কয়ানা খন্ন-নৈনবদা শরুক য়াখি।

নেসনেল সেমিনার : প্রেম কাব্য ট্রেদিসন ইন ইন্দিয়ান লিটরেচর

সাহিত্য অকাদেমী কোলকটা অমসুং অশাংবম মীনকেতন ষ্টেট লেভেল বার্থ সেন্টিন্যরী সেলেব্রেসন কমিটি অনীনা খূৎশম্নদুনা *প্রেম কাব্য ট্রেদিসন ইন ইন্দিয়ান লিটবেচর* হায়বা থীমদা নেসনেল সেমিনার অমা নুমিৎ নীনি চুপ্না হৌখিবা মার্চকী তাং ১৭ অমসুং ১৮, ২০০৭ ইংদা কংলা হোল, ইম্ফালদা পাঙথোকখি। হৌদোকপগী থৌরমদা শ্রী এন. খেলচন্দ্র সিংহনা অথোইবা অতিথি, মণিপুরী এদভাইজরি বোর্দ, সাহিত্য অকাদেমীগী কনভিনর শ্রী খুমন্থেম প্রকাশ সিংহনা অখন্নবা অতিথি ওইখি। মীনকেতন সেন্টিন্যরী কমিটিগী চিরারমেন শ্রী বি. জয়ন্তকুমার শর্ম্মনা হৌদোকপা থৌরমগী সভাপতি ওইখি। মতুংদা প্রো. ছিএঁচ. মনিহার সিংহনা মোদরেটর ওইদুনা পাঙথোকখিবা সেমিনারগী অহানবা সেসন্দা আসামদগী লাকপা স্কোলার শ্রীমতি দিপটি ফুকন পাটগিরিনা আসামী লোন্দা তাবা প্রেম কাব্যগী মশক হায়বা হীরমদা চে লাম্থোকখি। উবিষাদগী লাকপা স্কোলার অপরনা মোহন্টিনা উরিয়া লোন্দা তাবা প্রেম কাব্যগী মশক হায়বা হীরমদা ইংরাজি লোন্দা চে পাখি। মথংগী নুমিৎ মার্চ ১৮, ২০০৭ ইংদা পাঙথোকখিবা সেমিনারগী অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা সেসন্দা শুমিত্রা চক্রোবতি (বেঙ্গলী), টরাকান্ত ঝা (মৈথীলি) অমসুং লোংজম জয়চন্দ্র সিংহ (মণিপুরী) না মাগী মাগী লোলগী সাহিত্যদা তাবা প্রেমকাব্যগী মশকশিং তাকপা পেপরশিং পাথোকখি। প্রো. এল. দামোদর সিংহ অমসুং রবীরঞ্জন চট্টোপধ্যায়না মোদরেটর ওইখি। সেমিনার লোইরবা মতুংদা পাঙথোকখিবা ভেলিদিক্টরি ফঙ্কসন্দা শ্রী ই. সোনামনি সিংহনা চিয়ারপার্সন ওইখি অমদি প্রো. এন. খগেন্দ্র সিংহনা ভেলিদিক্টরি এড্রেস পীখি।

সেন্টিন্যরী কমিটিগী ফন্দ

কমিটি অসি শেমখিবা মতমদা ফন্দ ওইননবা কমিটি অসিদা য়াওরিবা সংস্থানশিংনা লুপা ৬০০/৬০০ খায়গংনখি। মসিগী মতুংদা হৌদোকপগী থৌরম পাঙথোকপা অমসুং সুভনিয়র ফোঙবদা অচৌবা শেনফম অমা চঙগদবা পৈশাদি লৈতবা - ফিভম অসিদা মতেং ওইননবা হায়দুনা মীনকেতনগী ইমুং মনুংনা (মচাশিংনা) লুপা লিশীং তরা (১০,০০০) দোনেসন ওইনা পীবিরকখি। মসিনদি কোন্নবা নত্তে। অদুম ওইনমক শেল-থুমগী অৱাবা সমস্যা লৈনা লৈনা ফঙ্কসন্দি পাঙথোক্তবা য়াদে হায়দুনা পাঙথোকখি। থবক থোক্লগা পৈশা থোকই হায়বদুনি হৌদোকপগী থৌরমদা চিফ গেষ্ট ওইখিবা মণিপুরগী রাজ্যপাল ডা. এস. এস. সিদ্ধুনা লুপা লিশীং কুনমঙাগী মতেং পীগনি হায়না লাউথোকপীরম্মী, গেষ্ট ওব ওনর ওইখিবা ডা. টি. মৈন্য (এম. পী.) নসু লুপা লিশীং তরা (১০,০০০) পীগনি হায়নসু লাউথোকপীরম্মী। হায়রিবা শেনফমশিং অসি মতম চানা ফঙখি। ঐখোয়না পাঙথোক্নদৌরিবা ফঙ্কসন ময়াম অসিদা চঙগদবা শেনফমসি লুপা লাক্ষ অনীগী মথক্তা ওইবা মরম্না ভারত সরকারগী মিনিস্ত্রি ওফ কলচর দা গ্রান্ট পীবিয়ু হায়না চে থাখি অদুগা মণিপুর সরকারগী আর্টি এন্দ কলচরদসু গ্রান্ট খরদং পীবিনবা থাখি। প্রাইভেট অমদি সরকারগী ফার্ম অমদি দিপার্টমেন্ট কয়াদা দিসপ্লে এদভর্টিজমেন্ট (সুভনিয়রদা হাপ্নবা) তান্নখি। তোঙান তোঙানবা লনাই অমসুং সবকারগী ওফিস্তগী লুপা লিশীং ১৫ গী শেনফম ফঙখি। 'মীনকেতনগী পুন্সি অমসুং সাহিত্য' হায়বা হীরমদা হৌখিবা মমাঙগী চহী ২০০৬ ইং কী মে থাদা পাঙথোকখিবা সেমিনার অদুদা মতেং খবদং ওইননবা পৈশা পীবিয়ু হায়জরুবদা য়াবিরক্লুনা ইষ্টর্ন জোনেল কলচরেল সেন্টর কোলকটানা লুপা লিশীং তরাগী গ্রান্ট পীবিরকখি। সুভনিয়র ফোঙলবা মতুংদা মসি য়োনবদগী লুঃ ১৭১০ খকসু ফংখি। কমিটি অসিদা য়াওরিবা সংস্থানশিংনা লুপা লিশীং ৩/৩ হাপকৎনবগা সিম্পোজিযম অমদি লেকচর কয়া পাঙথোকখি। মার্চ ১৭ অমসুং ১৮, ২০০৭ ইংদা পাঙথোকখিবা নেসনেল সেমিনার অদুদা অচৌবা শেনফম অমা চঙখি। সেমিনার অদু পাঙথোকপদা কোলাবোরেট তৌবিখিবা ভারতকী সাহিত্য অকাদেমীনা লুপা ১৭,৮৯০ খক বিএমবস ওইনা পীবিরকখি। অদুম ওইনমক চাউনা পাঙথোকখিবা নেসনেল সেমিনার অদুনা মরম ওইদুনা লুপা ৩২,১২৯ দিফিসিট তাখি লাইবক ফবদগী ঐখোয়না মিনিস্ত্রি ওব কলচরদা গ্রান্ট লুপা লাক্ষ অনী পীবিয়ু হায়না থাখিবা দরখাস্ত অদু খন্নবীদুনা লুপা লাক্ষ অমা পীরগনি হায়দুনা অহানবা ইন্সটোলমেন্ট ওইনা লুঃ ৭৫,০০ (লিশীং হুম্ফুতরামঙা) পীবিরকখি। শেনফম অসি ফংবদগী শ্বর খরদং হোন্দোকচবা ফংজরে। অদুম ওইনমক

মীনকেতনগী মরমদা লাইরিক অমতং ফোঙননবা হোৎনজরিবা অসিদা অচৌবা শেনফম অমা চঙগদবা মরম্না ঐখোয়না ষ্টেট সরকারগী আর্ট এন্দ কলচরদা শেনফম খরদং স্পেসিয়েল গ্রান্ট ওইনা পীবিনবা চে থাজখি।

মণিপুরী সাহিত্য ঃ অশাংবম মীনকেতন

রবীন্দ্র জয়ন্তী কুমওনগা মরী লৈননা ত্রিপুরা রবীন্দ্র পরিষদনা শীন-লাংদুনা মে ২, ২০০৭ দা *ত্রিপুরা অমসুং অৱাং নোংপোক* হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা লেকচর থৌরমদা মণিপুরগী শরুাইরবা কবি অশাংবম মীনকেতনগী মরমদা নৈনবা ৱারেং *মণিপুরী সাহিত্য ঃ অশাংবম মীনকেতন'* হায়বসিদা প্রো. রাজকুমার জিতেন্দ্রজিৎ সিংহনা পাথোক্লুনা নৈনখি।

লোইশিনবা থৌরম

মে ২, ২০০৭ ইংদা অশাংবম মীনকেতন ষ্টেট লেভেল বার্থ সেন্টিন্যরী সেলেব্রেসন কমিটিনা শীন্দুনা চহী অমা চুপ্পা চখরকপা সাহিত্য রত্ন অশাংবম মীনকেতন সিংহগী চহী ১০০ শুবা মপোক কুমওন লোইশিনবগী থৌরম কংলা হোল, ইম্ফালদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা শ্রী পি. পরিজাৎ, মিনিষ্টর, আর্ট এন্দ কলচর অমসুং শ্রী বি. জয়ন্তকুমার শর্মানা অথোইবা অতিথি অমসুং সভাপতি ওইখি। দিব্যাশ্বরী অমসুং রবিনানা থৌরম অসিগী শৈহৌ ঈশৈ শকখি। অখন্নবা অতিথি ওইনা শ্রীএলাংবম সোনামনি সিংহসু দাইসতা লেঙশিনখি। অশাংবা কমিউনিকেসনগী এ. সি. নেত্রজিৎনা ফোঙবা প্রো. নোংমাইথেম তোম্বী সিংহনা ইডিট তৌবা *মীনকেতনগী খঙ্গৎলবা ৱারেং* কৌবা লাইরিক অমা অথোইবা অতিথিনা ফোঙদোকখি। নুমিৎ অসিদা রা. কু. ঝলজিৎ সিংহ, কোন্থৌজম তোম্বী সিংহ, ডা. যামিনী দেবী, য়ুমলেম্বম রঞ্জনা দেবী, খোমদ্রাম অশ্বিনি, অশাংবম যশোবন্ত সিংহ, এলাংবম দীনমনি সিংহ অমসুং পাওখোহাং হাওকিপনা "ঐনা খঙহৌবা মীনকেতন" হায়বসিদা ৱা ঙাঙখি। কবিনা ইবিরম্বা শৈরেংশিং শরুাইরবা সাহিত্যকার, থিয়েটর অমসুং ফিল্মগী আর্টিষ্টশিংনা শৈরেং থীবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। শৈরেং পাথোকখিবশিং অদুদি সঞ্জেনবম ভানুমতী দেবী, রা. কু. হেমাবতী দেবী, য়েংখোম রোমা, লোইতোংবম দোরেন্দ্র, খ্বাইরাকপম রতন অমসুং মখোনমনি মোংসাবনি। নুমিৎ অসিদা চহী অমা চুপ্পা পাঙথোকখিবা মীনকেতন বার্থ সেন্টিন্যরীগী থৌরমশিংদা য়ুম্ফম ওইবা ফিল্ম অমা উৎখি। অসুন্না হৌখি চহী অমা, লোইশিনখি মীনকেতনগী চাম্মা শুবা মপোক কুমওনসু। ❑

এদিটর অমদি অইবশিং

পাওখোহাং হাওকিপ ঃ (১৯২৩-)

ছাত্র ওইরিঙৈদগী হৌনা ছাত্র সংস্থান অমদি সিভিল সোসাইটি কয়া হৌদোরকপা, ফাউণ্ডর মেম্বর ওইরকই। টেরিটোরিয়েল কাউন্সিলগী তেংনৌপল কেন্দ্রগী মেম্বর (১৯৬৭-৬২) নি। য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী মতমসু কেন্দ্র অসিগী মীহুৎ (১৯৬৭) ওইরকই। মহাক্না য়াওরকপা সংস্থা খরদি কুকি ইনপি, মণিপুর; হাউকিপ পিপল্স কাউন্সিল, ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইটি, রাইটর্স ফোরম, ইম্ফালনচিংবনি। কুকি লোন্দা ফোঙখিবা লাইরিকশিংদি - *থুসিম থুম, লাইকোইলা* (১৯৯৮) নি। মীতৈলোন্দনা *তাংলবা অমসুং নুংশিরবা মায়থোংগী শঙাই, কলহৌসি ইরমফম উমং* নি। নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিনা মহাকপু রাইর্টস ওফ দি ইয়ার (২০০৭) মিংথোন পীদুনা ইকায় খুম্নখ্রে।

লৈফম ঃ এম. জি. এভিন্যু, ইম্ফাল।

রাজকুমার ঝলজিৎ সিংহ ঃ (১৯২৪-)

এম. এ. নি। সব্যসচী লো কলেজগী প্রিন্সিপাল ওইরম্মী মণিপুর বিশ্ববিদ্যালয়গী কন্ট্রোলর ওফ একজামিনেসন্স, মথংদা বিশ্ববিদ্যালয় অসিগী প্লানিং কমিটিগী ভাইস চিয়ারমেন ওইনা থবক্তগী পোথাই। মণিপুরগী শীংথানরবা ইতিহাসকার, কবি, সাহিত্যক অমসুং পণ্ডিৎতনি। মহাক্কী ফোঙলবা লাইরিক খরদি - *এ শোর্ট হিষ্টরী ওফ মণিপুর* (১৯৫৬), *হিষ্টরী ওফ মণিপুরী লিটরেচর* (১৯৭৬) অমসুং *কবিতা নিকুঞ্জ* (শৈরেং) নচিংবনি। ভারত সরকারনা পদ্মশ্রী মিংথোল পীদুনা ইকায় খুম্নখ্রে। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী সভাপতি ওইরম্মী। সংস্থা অসিগী জেনেরেল সেক্রেটরিসু ওইরম্মী।

লৈফম ঃ য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈকাই, ইম্ফাল।

এলাংবম নীলকান্ত ঃ (১৯২৭-২০০০)

এম. এ. নি। ইং ১৯৫৩ দগী ডি. এম. কলেজদা ফিলোসোফিগী ওঝা ওইনা হৌরক্লগা মণিপুর ষ্টেট কলা অকাদেমিগী অহানবা সেক্রেটরি, মণিপুর সরকারগী

সোসিয়েল রেলফিয়র অমসুং আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙ পুল্লিঙৈগী অহানবা ডিরেক্টর, মণিপুর ফিল্ম ডিভলপমেন্ট কাউন্সিলগী অহানবা মেম্বর সেক্রেটরিনচিংবা ওইরম্লগা সরকারগী থবক্তগী পোথাখি। মতুংদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা ফিলোসোফি ডিপার্টমেন্টকী ফেকল্টি মেম্বর ওইরম্মী। লৈবাক্লা শকখঙনরবা স্কোলার, সমালোচক অমদি কবি অমসুনি। সাহিত্যগী তোঙান তোঙানবা লুপ কয়াগা লোয়নরক্পা কবিনি। মাগী তীর্থ যাত্রা হায়বা লৈরেংগী লাইরিক্তা ইং ১৯৮৭ তা ভারতকী সাহিত্য অকাদেমি এবার্ড পীদুনা ইকাইখুম্নবীখি। ইং ১৯৯৯ দা ভারত সরকারনা পদ্মশ্রী মিংথোল পীবিখি। ভারতকী সাহিত্যা অকাদেমি, ললিত কলা অকাদেমি, সঙ্গিত নাটক অকাদেমিনচিংবগী একজিক্যুটিব কম্মিটিদা য়াওরকই। ইং ১৯৭০ দা ভারত সরকারনা থা অনীরোম য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা কোইহ্নলকই। শক্লাইরবা কবি অসি ইং ২০০০ দা তাইবঙপাল থাদোকখি। মশা লৈখিদ্রবা মতুংদা ফোঙবা লাইরিক, থারগা পুন্না ১৪ রোম ফোঙখ্রে।

লৈফম ঃ কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়, ইম্ফাল।

অশাংবম যশোবন্ত সিংহ ঃ (১৯৩২-)

আর্টস অমসুং সাইন্সতা গ্রেজুয়েট লোইরকপগা লোয়ননা সাইন্স সবজেক্তা মাষ্টর লোইরকখি। কবি অশাংবম মীনকেতন সিংহগী মচাইবুংঙোনি। ওফিস এসিষ্টেন্ট ওইনা সরকারগী থবক চঙবা হৌরকখিবনা মতুং তাবদা, জে, এন, ইউনির্ভসিটি সেন্টর ফোর পোষ্ট গ্রেজুয়েট, কাঞ্চিপুরদা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ওইরম্লবা মতুংদা এগ্রিকলচর ডিপাটমেন্টতা অমুক লাকখি। হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জাভেসন ডিপার্টমেন্টদগী সোইল কঞ্জাভেসন ওফিসার ওইনা সরকারগী থবক্তগী পোথাখি। গীতা মন্দল, মণিপুর, ডিভাইন লাইব সোসাইতি, ইম্ফাল; শ্রী কৃষ্ণ চৈতৈন্য সেবা মন্দল; ডি অরবিন্দো সোসাইতি, ইম্ফাল অমদি গীতা চক্রনচিংবগী লাইফ মেম্বর ওইরি।

লৈফম ঃ উরিপোক পঞ্চায় মনিং, ইম্ফাল।

লৈমপোকপম দামোদর ঃ (১৯৩৪-)

এম. এ. নি। ইম্ফাল কলেজদা ওঝা ওইরম্মী। ষ্টেট কলা একাদেমীগী সেক্রেটরিসু ওইরম্মী। লৈবাক্লা শকখঙনরবা অনুবাদক অমসুং সমালোচক অমনি। মশানা সম্পাদক তৌবা অমসুং ইবা লাইরিক কয়ামুক ফোঙখ্রে। মরু ওইবা খরদং পল্লবদা *ডা. কমল নৈনবা ৱারেং* (সম্পাদক, ১৯৮২), *অনৌবা মণিপুরী ৱারীমচা* (সম্পাদক, ১৯৯২), বিজয় তেন্দুলকায়গী *শখারাম বাইণ্ডর* (হন্দোকপা, ১৯৪৬), *ডা. কমল সিংহ* (লাইফ

এণ্ড ৱার্কস, ইংরাজিদা, সাহিত্য অকাদেমী, নিউ দিল্লী, ২০০০) নচিংবা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী সভাপতি ওইরম্মী।

লৈফম ঃ য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈকাই, ইম্ফাল।

কাংজম শ্রীপদ্মকুমার সিংহ ঃ (১৯৩৪-)

গৌহাটি য়ুনিভর্সিটিগী আর্টস (ওর্নস) গ্রেজুয়েটনি। নোংমৈকাপম গোপাল কলেজগী ইংরাজিগী ওঝা ওইরম্মী। মণিপুরী সাহিত্যগী সংস্থান কয়াদা খূৎশমনৈ। কবি অমা ওইনা মণিপুরী সাহিত্যনা শকখঙই। ৱারীমচাসু ই। হৌজিক ফাওবদা শৈরেংগী লাইরিক অনী, ৱারীমচাগী লাইরিক অমা ফোঙলে। *মসিনা ঐগী অরোইবা ৱানি* (১৯৯২) হায়বা শৈরেংগী লাইরিক অসিদা মণিপুরী ষ্টেট কলা কোদেমী এৱার্ড (১৯৯৬) পীদুনা ইকায় খুম্নখ্রে।

লৈফম ঃ উরিপোক তখেল্লম্বম লৈকায়, ইম্ফাল।

ডা. যামিনী দেবী ঃ (১৯৩৬-)

এম. এ., পি. ঐচ. ডি. নি। কলেজগী ওঝা ওইনা হৌরকই। মমৈথংদা ডি. এম কলেজ ওফ কর্ম্মসকী প্রিন্সিপাল ওইরকই। প্রিন্সিপাল ওইনা থবক্তগী পোখাই। মহাক শান্তিগী সেনা অমনি। মণিপুরগী মনুং অমসুং মপানদা সেমিনার, কনফরেন্স কয়াদা শরূক য়াই। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, রাইটর্স ফোরম, লৈমরোল খোর্জেকোলগী লাইফ মেম্বরশিং ওইরি। মণিপুরগী মনুং অমসুং মপানদা ফোঙবা চেফোঙ কয়াদা নৈনবা ৱারেং কয়া ফোঙই। অঙাংগী তম্নবা টেক্স বুক নৈনবা ৱারেং লাইরিক, অঙাংগী সাহিত্য, লমকোয় ৱারী ই। *খঙনিংশিংদো* হায়বা অঙাংগী সহিত্যগী লাইরিক্তা মণিপুর সরকারনা মনা পীদুনা ইকায় খুম্নখি। হৌজিক মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱুমেন্সকী সভাপতি ওইরি। রাইটর্স ফোরমগী সভাপতিসু ওইরম্মী। হৌজিক হৌজিক মণিপুর ষ্টেট ৱুমেন্স কমিসনগী চিয়ারপর্সন ওইরী।

লৈফম ঃ সগোলবন্দ তেরা বাজার, ইম্ফাল।

ডা. এলাংবম দীনমনি সিংহ ঃ (১৯৪০-)

এম. এ., পি. ঐচ. ডি. নি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা মণিপুরী বিভাগতা প্রোফেসার ওইনা থবক তৌরি। মহাক শৈরেং, নৈনবা ৱারেং, ড্রামা, হিন্দীদগী মণিপুরীদা হন্দোকপা, ৱারীমচা ইবা অমদি সমালোচক অমনি। মণিপুরী সাহিত্যদা, নোক্লীংবা ৱারীমচা, শৈরেং,

ৱারেং ইবা অমা ওইনা মশক নাইনা শীংথানরি। ৱারীমচা - ৭, সমালোচনা - ৫, শৈরেং - ২, হন্দোকপা - ৫, ৱারেং - ১, রেডিও লীলা - ১ গী পূন্না লাইরিক ১১ ফোঙখ্রে। সাহিত্য অকাদেমী মনা, মণিপুর ষ্টেট কলা সাহিত্য মনা, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী সাহিত্য রত্ন, কলচরেল ফোরমগী থোইবী এৱার্ড পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রে। কলচরেল ফোরম মণিপুরগী সভাপতি ওইরম্মী।

লৈফম ঃ শিংজমৈ লৈশাংথেম লৈকাই, ইম্ফাল।

ডা. আই আর বাবু সিংহ ঃ (১৯৪১-২০০৩)

এম. এ., পি. ঐচ. ডি. নি। ওঝা ওইবনা মরু ওইবা শিনফমনি। সাহিত্যগী সংস্থা কয়াগা খূৎশন্নদুনা থবক তৌই। মরু ওইনা মণিপুরী সাহিত্যগী সমালোচকনি। অনুবাদক অমসুং নিবন্ধকারসু ওই। মণিপুরগী চেফোঙ কয়াদা নৈনবা ৱারেং কয়া ই। খোমজিনবা শৈরেং অমসুং ৱারেং লাইরিক কয়াগী সম্পাকসু ওইখি। মাগী ফোঙলবা লাইরিক খরদি - *কৃষ্ণচূড়াগী অঙাংবা মপাল* (অলোচনা), *আন্তোগোনে, জুলিয়ম সিজার, রবীন্দ্রনাথকী ৱারী খরা* (থোইবী দেবীগা হন্দোকমিন্নবা), *বি বি বিলাসকী অঙকপা থৌদোকশিং, লমজিংবা* (অনুবাদশিং) অসিনচিংবনি। সাহিত্য অকাদেমীগী হন্দোকপগী মনাসু ফংখ্রে। ইংরাজিদগী মণিপুরীদতা নত্তনা মণিপুরীদগী ইংরাজিদসু হন্দোকই। মণিপুর বিশ্ববিদ্যালয়দা মণিপুরী বিভাগতা প্রোফেসার অমসুং হেড ওইরম্মী। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী জেনেরেল সেক্রেটরিসু ওইরম্মী।

লৈফম ঃ ৱাকৈথেল নিংথেমকোল, ইম্ফাল।

প্রো. নোংমাইথেম তোম্বী ঃ (১৯৪২-)

এম. এ. পি. ঐচ. ডি. নি। নিবন্ধকার, সমালোচক অমসুং জনের্লিষ্টনি। কলেজগী ওঝা ওইনা হৌরকই। মণিপুর বিশ্ববিদ্যালয়গী মণিপুরী বিভাগতা প্রোফেসার ওইরি। বিভাগ অসিগী হেডসু ওইরম্মী। খোমজিনবা ৱারীমচাগী অমসুং শৈরেং লাইরিকশিংগী সম্পাদক ওইখি। ফোঙলবা লাইরিকশিংদি — *মণিপুরী সাহিত্যদা অনৌবা মীৎয়েং অমা* (১৯৮৫), *মণিপুরী সাহিত্যগী ৱারেং খরা* (১৯৯৪), *মৈত্রম বীরগী - পুন্সি ৱারী* (২০০১) নি। নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি, ইম্ফাল অমসুং রাইটর্স ফোরম ইম্ফালগী সভাপতিনচিংবা ওইরম্মী। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী জেনেরেল সেক্রেটরি ওইবম্মী অমসুং লাইরিক অসিগীসু এদিটর ওইরী।

লৈফম ঃ কৈশামপাৎ লৈমজম লৈকাই, ইম্ফাল।

নোংথোম্বম শ্রীবীরেন ঃ (১৯৪২-)

গৌহাটি বিশ্ববিদ্যালয়গী আর্টস গ্রেজুয়েটনি। ডি এম কলেজগী ওঝা ওইনা হৌরকই। কলেজ অসিগী ওঝা ওইনা থবক্তগী পোথাই। নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি লিংখৎনবা ইহান হান্না মীফম কৌখিবশিংগী মনুংদা মরু ওইবা মীশক অমনি অমসুং সংস্থা অসিগী হৌদোকপা সেক্রেটরিনি। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী জোইন্ট সেক্রেটরিসু ওইরকই। ৱাখল চেফোঙগী ইডিটরসু ওইরম্মী। শৈরেং, ৱারীমচা, ড্রামা ইবা অধুনিক মণিপুরী শৈরেংগী য়াম্না মরু ওইবা কবিনি। সমালোচক অমসু ওই। মণিপুর ষ্টেটকলা একাদেমী সাহিত্য মনা (১৯৭৩) সাহিত্য অকাদেমী মনা ৯১৯৯), যামিনি সুন্দর গুহ গোল্ড মেডল (১৯৯২) ডা. খোইরোম তোমচৌ নীংশিং মনাগী মেডল ১৯৯৪), ডিনেশ্বরী সাহিত্য মনা ৯-২০০১), কবি রত্ন (২০০৫) পীদুনা ইকায় খুম্নখ্রে। মণিপুর ষ্টেট কলা ইম্ফালগী জেনেরেল কাউন্সিল অমসুং একজুক্যুটিভ বোর্ডকী মেম্বরশিং ওইরকই।

লৈফম ঃ উরিপোক অচোম লৈকাই, ইম্ফাল।

অরিবম কুমার শর্ম্মা ঃ (১৯৪৩-)

এম. এ. বি. টি. নি। কলেজগী ওঝা ওইবনা মপূং ওইবা শিনফমনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মণিপুরী বিভাগত্তা মতম খরা ওঝা ওই। রাজ্যগী ইদুকেসন দাইরেক্তোরেট (য়ু) গী এডিসনেল ডাইরেক্তর ওইনা থবক্তগী পোত্থাই। দি কলচরেল ফোরম মণিপুরগী ফাউণ্ডর মেম্বর ওইবতা নত্তনা মসিগী সেক্রেটরি অমসুং সভাপতি ওইরম্মী। হিন্দীদগী মণিপুরীদা, মণিপুরীদগী হিন্দীদা অনুবাদ তৌই। ফোঙলবা লাইরিকতি — *হিন্দী ৱারী মচা, সাহিত্যদা রস অমসুং অতৈ ৱরেং খরা* নি। মতম মতমগী ওইবা ৱারেং, শৈরেং ইদুনা মণিপুরী চেফোঙশিংদা ফোঙই।

লৈফম ঃ ৱংখৈ থম্বালখোং, ইম্ফাল।

শ্রী কোন্থৌজম তোম্বী সিংহ ঃ (১৯৪৩-)

এম. এ. ফিলোসোফিনি। নোংমৈকাপম গোপাল কলেজগী ফাউন্দর টিচরনি। কলেজ অসিদগী প্রিন্সিপাল ওইনা থবক্তগী পোথাখি। ঙল্লিগৈ মতমদগী সাহিত্যদা পূক্লিং লূপশিঞ্জরকই। ইং ১৯৯২ দা *থা অসিনা তারুগদবা লমদমদুদা* অমদি ইং ১৯৯৫ দা *পৃথিবীগী ৱাংমদা* কৌবা শৈরেংগী লাইরিক অনী ফোঙলকখি। মসিগী মতুংদা অনুবাদ সাহিত্যদা খোঙদাবা হৌখি। বিশ্ব কবি রবীন্দ্রনাঠতা ঙাওজবা মীশক

অমা ওইরকখি। ইং ১৯৯৮ দা রবীন্দ্রনাঠকী নোভেল প্রাইজ ফংখ্রবা *গীতাঞ্জলি* বু ইংলিসতগী মৈতৈলোন্দা পুথোকখি। লাইরিক অসিদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ বিষ্ণুপুর ব্রাঞ্চনা সৌগাইজম ইবোচৌ নীংশিং মনাগী মেদল ইং ২০০২ দা পীবিদুনা পূক্নিং থৌগৎপিখি। মতুংদা রবীন্দ্রনাঠকী *মালি (ডি গার্ডেনর)* অমসুং *হৈ খুনবা (ফ্রুট গেডরিং)* সু মৈতৈলোন্দা ফোঙলকখি। মখা তারকপদশু কবি অসিগী শৈরেং লাইরিকশিং হন্দোক্লুনা ফোঙনবা হোৎনরি। নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি ইম্ফালগী লাইফ মেম্বরনি।

লৈফম ঃ উরিপোক তখেল্লম্বম লৈকায়, ইম্ফাল।

ডা. হুইরেম বিহারী সিংহ ঃ (১৯৪৪-)

এম. এ. নি। গুৱাহাটি য়ুনিভর্সিটিগী ফোকলোরগী পিঐচ. ডি. নি। কলেজগী ওঝা ওইনা হৌরকই। মণিপুর বিশ্ববিদ্যালয়দগী থবক্তগী পোথাই। নৈনবা ৱারেং, সমালোচক অমসুং ফোকলোরিষ্টনি। সাহিত্য, কলা-সংস্কৃতি অমসুং সমাজ-সেবাগী সংস্থা কয়া মরী লৈনৈ। ইষ্টর্ন জোনেল কলচরেল সেন্টর - কোলকতা, জি কলচরেল ফোরম মণিপুরগী সেক্রেটরি অমসুং সভাপতি ওইরম্মী। সাহিত্য অকাদেমী অমসুং সাহিত্য অকাদেমীগী মণিপুরী এডভাইজরি বোর্ডকী সদস্যশিং ওইরি। মণিপুর ফোকলোর সোসাইটিগী সেক্রেটরি ওইরি। ঋতু চেফোঙগীসু ইডিটর ওইরি।

লৈফম ঃ শগোলবন্দ মৈনো লৈরক, ইম্ফাল।

খোমদ্রাম অশ্বিনী ঃ (১৯৪৪-)

এম. এ., বি. এদ. নি। স্কুলগী ওঝা ওইনা হৌরকই। জৱাহরলাল নেহরু পোষ্ট গ্রেজুয়েট ষ্টদি সেন্টর - কাঞ্চিপুরদা অহানবা এম. এ. মণিপুরী তমদুনা অশাংবম মীনকেতন সিংহগী য়াম্না নকশিন্নবা মচা মনাই ওইরকখি। চহী তরামঙারোম এন. সি. সি. গী পার্ট-টাইম ওফিসার ওইরম্মী। চহী তরুক্রোম অমনা টিচর্স ট্রেন্নীং কলেজ, শিলচরদা পার্ট-টাইম লেকচরর ওইরম্মী। থবক্তগী পোথারবা মতুংদা চহী মরিরোম এন. সি. ই. আর. টি. আসামগী কন্সলটেন্ট ওইনা থবক তৌরম্মী। বিদ্যা ভারত্তি মুম্বাইগী ইজুকেটিভ মেম্বর ওইরি। সুরসঙ্গম শীলচরগী সভাপতিসু ওইরম্মী। সোনারকাছারদা মণিপুরী সাহিত্যগী মরমদা বাংলা লোনদা ইদুনা ৱারেং চাং নাইনা ফোঙই। শিলচরগী নোংপোক মৈরাদসু বারেংশিং ফোঙই। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালদা লুপা লাক্ষ অমগী শেনফম অশাংবম মীনকেতনগী মিংদা কৎতুনা অঙাংগী

সাহিত্য চাওখৎনবা হোৎনরি। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ আসামগী লাইফ মেম্বরনি। মতম কয়া ইজুকেটিভ মেম্বর ওইরম্মী।

লৈফম ঃ রামপ্রসাদপুর, কাছার-আসাম।

কুমারী য়ুম্লেম্বম রঞ্জনা দেবী ঃ (১৯৪৭-)

গৌহাটি বিশ্ববিদ্যালয়গী আর্টস গ্রেজুয়েটনি। অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা মণিপুরী নট সঙ্কীর্ত্তনগী ঈশৈ মশাগী ইমুংদগী তম্বা হৌরকই। মশাগী চহী মঙা শুরকপদা ওঝা গুলাপী অমসুং গম্ভিনী দেবীদগী ঈশৈ তম্লকই। জবাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাদেমীদগী জগোয়দা বিশারদ (১৯৬১), সঙ্কীর্ত্তনদা পোষ্ট গ্রেজুয়েট ডিপ্লোমা (১৯৭৯), রাসতা পোষ্ট গ্রেজুয়েট ডিপ্লোমা ফার্ষ্টক্লাস ফার্ষ্ট ফংখি। মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা নট সঙ্কীর্তনদা ফেলোসিপ (১৯৭৬) পীখি। সঙ্কীত নাটক অকাদেমী নিউ দিল্লীনা সঙ্গীত অকাদেমী এবার্ড (১৯৯৭) পীখি। মণিপুরী সাহিত্য পবিষদনা মাগী ৬৪ শুবা চহীগী মীফমদা সঙ্গীতভুষন পীদুনা ইকায় খুম্নখিবী তাংলবী নট সঙ্কীর্তনগী কলাকারনি।

লৈফম ঃ যাইস্কুল পুলিসলেন, ইম্ফাল।

থাংজম ইবোপিশক সিংহ ঃ (১৯৪৮-)

'ইবোইবো' হায়বা মিং অসি অইবগী পেননেমনি গৌহাটি বিশ্ববিদ্যালয়গী আর্টস গ্রেজুয়েটনি। জি. পি. বুমেন্স কলেজদা মণিপুরীগী ওঝা ওইরি। কবি অমসুং সমালোচকনি। মশাগী চহী ১৪ শুবদগী শৈরেং ইবা হৌরকই। ১৯৭০ গী মতমগী মরুওইবা আধুনিক মণিপুরী শৈরেংগী খোঙচত্তা 'শীংনবা'গী 'শাউরবা কবি নহা অহুম' গী মনুংদা মহাকপু অমনি। ভারত্তা ফোঙবা ইংলিশ, হিন্দী, বাংলা, মারাথীনচিংবা চেফোঙ অমসুং শৈরেংগী এন্থোলোজি খবদা মাগী শৈরেংশিং য়াওখ্রে। ভারতকী মফম খবদা তৌবা রিজনেল অমসুং জাতিগী থাক্কী ওইবা পোইটস মীটশিংদা শরূক য়ারুরে। মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী মনা (১৯৮৬), যামিনীশুন্দর গুহ গোল্ড মেডল (১৯৮৯), সাহিত্য অকাদেমী মনা (১৯৯৭), অহানবা জননেতা ইরাবত মনা (১৯৯৭), অহানবা অশাংবম মীনকেতন সিংহ নীংশিং মনা (২০০৫) ফংখ্রে। মশাগী শৈরেং লাইরিক নিপাল ফোঙখ্রে।

লৈফম ঃ ব্রাংখৈ থাংজম লৈকাই, ইম্ফাল।

নোংশাতাবম নিরঞ্জন দত্ত ঃ (১৯৪৮-)

বি. এ. নি। ত্রিপুরাদা খুন্দারিবা মণিপুরীশিংগী মশক, লোল, সাহিত্য কলা অমসুং সংস্কৃতিবু মাঙখিদনবা হোৎনরিবা মীশক অমনি। ত্রিপুরা সরকারগী গাভর্নমেন্ট প্রেসকী থবক তৌই। মসিগা লোয়ননা ত্রিপুরা মণিপুরীশিংগী য়াইফনবগীদমক হনবা লৈতনা হোৎনরি। ত্রিপুরা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ অমসুং মণিপুরী সাহিত্য পরিযদকা খূৎশম্নরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী অচঙবা থৌমীনি। তখেল লৈরাং, সপ্তর্ষি চেফোংগী ইভিটরনি। মরূপ চেদা শৈরেং, ৱারেং ৱারীমচা কয়া ফোঙই। ত্রিপুরা মণিপুরী বিষয়দা শৈরেং ৱারেং অমসুং ৱারীমচা হাপ্তুনা তন্নবা লাইরিক ইবা মীশক অমসুনি। ত্রিপুরাদা লৈবা সাহিত্যগী সংস্থা কয়াগী মেম্বরনি। হৌজিক হৌজিক ত্রিপুরা রবীন্দ্র পরিষদকী সম্পাদক ওইরি।

লৈফম ঃ আগরতলা, পশ্চিম ত্রিপুরা।

প্রো. পোলেম নবচন্দ্র ঃ (১৯৪৮-)

এম. এ., পি এইচ. ডি. নি। মণিপুরী সাহিত্যগী মশক নাইবা নিবন্ধকার অমসুং সমালোচকনি। অইবসিগী *সাহিত্যগী মহৌশা অমসুং অতৈ ৱারেং খরা* (১৯৯৯) (লাইরিক অসিদা মণিপুর লিটরেরী সোসাইটি ইম্ফালনা সেরাম মুক্তা মনা পীদুনা ইকায় খুম্নখি), *অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী শক্রোন* (২০০৬) হায়বা লাইরিকশিং ফোঙলে। মণিপুরী সাহিত্যগী সংস্থা কয়াগা মরী লৈনৈ। মণিপুর ষ্টেট কলা অকাদেমী, সাহিত্য অকাদেমী নিউ দিল্লী, মণিপুরী লেঙ্গোইজ বোর্ডকী মেম্বরশিংনি। *মনীকেতনগী নৈনবা ৱারেং* (১৯৯৭), *জি. সি. তোংব্রা নৈনবা ৱারেং* (১৯৯৯) লাইরিকশিংগী সম্পাদক ওইখি। নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি, ইম্ফালগী উপ সভাপতি ওইরম্মী। হৌজিক হৌজিক মণিপুরী বিশ্ববিদ্যালয়গী মণিপুরী বিভাগকী প্রোফেসারনি, হেডসু ওইরম্মী।

লৈফম ঃ শগোলবন্দ কাংজম লৈরক, ইম্ফাল।

লোংজম জয়চন্দ্র ঃ (১৯৪৯-)

বি. এ. ওর্নস, এম. এ. (মণিপুরী অমসুং ইংলিস) নি। কলেজগী ওঝা ওইনা হৌরকই। মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী জোইন্ট সেক্রেটরিদগী সেক্রেটরি ফাওবা ওইরম্মী। জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাদেমীগী ডিরেক্টরগী ফমদগী থবক্তগী পোথাই। সাহিত্য, কলা, কৃষ্টি অমসুং সংস্কৃতিদা থৱায় য়াওই। ইংরাজিদগী মণিপুরীদা,

মণিপুরীদগী ইংরাজিদা হন্দোকপা মীশকনি। টি এস ইলিয়টকী ৱেষ্ট লেণ্ডবু *খৌগংলবা লমলেম* (১৯৯৩) হায়না মণিপুরীদা হন্দোক্তুনা ফোঙখ্রে। সাহিত্য অকাদেমীগী একজিক্যুটিভ বোর্ডকী মেম্বর ওইস্মী। অইবনি, নিবন্ধকারনি, সমালোচকনি। নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিগী জেনেরেল সেক্রেটরি ওইরম্মী। হৌজিক্কা সংস্থান অসিগী সভাপতি ওইরি। লাইরিক অসিগীসু এদিটর ওইরী।

লৈফম ঃ কৈশামথোং লোংজম লৈরক, ইম্ফাল।

ডা. থোকচোম ইবোহনবী সিংহ ঃ (১৯৫১-)

এম. এ., পি. ঐচ. ডি. নি। ডি. এম. কলেজ ওফ আর্টসকী মণিপুরী বিভাগকী হেড ওইরি। সেনিয়র লেকচররনি। ৱারীমচা থিজিনবদা থৱায় য়াওই। মণিপুরগী অখন্নবা চেফোঙশিংদা মাগী ৱারী মচা, নৈনবা ৱারেং কয়া ফোঙখ্রে। লমকোয় ৱাবীসু ই। মণিপুরী সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতিগী সংস্থা কয়া মরী লৈনৈ। ফোঙলবা লাইরিকশিংদি - *অঙনবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্যদা ইমেজরি*(১৯৯৭), *বঙ্গ বন্ধুগী লৈবাক্তা* (২০০১) নি। লাইরিক অসিদা মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটি, মণিপুরনা 'সেরাম মুক্তা মনা' (২০০৫) পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রে। নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি ইম্ফাল অমসুং মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী জেনেরেল সেক্রেটরিশিং ওইরম্মী।

লৈফম ঃ শিংজমৈ থোকচোম লৈকাই, ইম্ফাল।

ডা. এস. সনাতোম্বী ঃ (১৯৫৭-)

এম. এ., পিঐচ. ডি নি। নৈনবা বারেং, সমালোচক অমসুং ফোকলোরিষ্টনি। ওঝা ওইনা হৌরকই। হৌজিক মণিপুর বিশ্ববিদ্যালয়দা মণিপুরীগী প্রোফেসার ওইরি হেডসু ওইরম্মী। মণিপুরগী মনুং অমসুং মপান্দা পাঙথোকপা সেমিনার কয়াদা চে কয়া পাথোকখ্রে। জাতিগী অমসুং অন্টরজাতিগী থাক্তা সেমিনার কয়াসু শরূক য়ারুরে। ইন্দিয়ান ফোকলোর কোঙ্গ্রেসকী লাইফ মেম্বরনি। ইন্টরনেসনেল সোসাইটি ফোর ফোক নেরেটিভ রিসার্চকীসু লাইফ মেম্বরনি।

লৈফম ঃ খা-নাওরেম লৈকাই, ইম্ফাল।

ডা. শরতচন্দ্র লোঙ-জোম্ব ঃ (১৯৫৭-)

গুৱাহাটি বিশ্ববিদ্যালয়গী বি. এ. (ওনর্স), জে. এন. য়ু. সেন্টর কাঞ্চিপুরগী এম. এ. অমসুং মণিপুর বিশ্ববিদালয় কাঞ্চিপুরগী পি. ঐচ. ডি নি। ওঝা ওইনা মণিপুর

সরাকারগী মখাদা থবক তৌরি। মণিপুরী সাহিত্যগী সংস্থান কয়া খূৎশন্নদুনা মণিপুরী সাহিত্যগী থবক কয়া তৌরি। কলচরেল ফোরম, মণিপুরগী জেনেরেল সেক্রেটরি (২০০৫-০৭) ওইরম্মী। নহারোলগী থৌদাংগী কলম্নিষ্টনি। মণিপুর মনুং অমসুং মপানগী সাহিত্যগী চেফোঙ খরদা চাং নাইনা নৈনবা ৱারেং সাহিত্যগী নৈনবা ৱারেংশিং ইরি। মচীন তুমখৎলকলিবা মণিপুরী সাহিত্যগী সমালোচকনি। ফোঙলবা লাইরিকশিংদি *মণিপুরী শৈরেংগী মশক* (২০০০), *সাহিত্যদা ক্রিটিসিজম* (২০০০) নচিংবা অসিনি।

লৈফম ঃ শিংজমৈ থোঙাম লৈকাই, ইম্ফাল।

মাখোনমনি মোংসাবা ঃ (১৯৬০-)

এম. এ. নি। মণিপুর বিশ্ববিদ্যালয়গী রিসার্চ স্কোলারনি। মণিপুরী ড্রামা থৱায় য়াওনা হৌরকই। কোরস রিপটরি থিয়েটরদা এক্টিং অমসুং ডিরেক্সন তম্লকই। ড্রামাগী ফেষ্টিভেলগীদমক ভারত অমসুং ৱাংমদা মায় পাক্না শরূক য়ারুরে। ড্রামাদসু নত্তনা ফিল্মদসু খোঙদাই। অৱাং নোংপোক ভারতকী পি পি. সি. দুরদর্শন কেন্দ্র, গৌহাটি অমদি ইম্ফালগী ডিরেক্তর, প্রদুসর ওইবতা নত্তনা ফিল্ম দিভিজন ওফ ইন্দিয়াগী ওইরি। মহাক্কী ফিল্ম *চৎলেদো ঐদি* হাযবা মণিপুরী ৩৫ এম এম.গী ফিৎচর ফিল্মদা নেসনেল এবার্ড (২০০১) পীদুনা ইকায় খুম্নখ্রে। মহাক নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি, রাটর্স ফোবম ইম্ফালগী লাইফ মেম্বরনি। *নুপী কৈথেল* (১৯৯৪) কৌবা ৱারী মচাগী লাইরিক অমা ফোঙলে।

লৈফম ঃ উরিপোক নাওরেমথোং, ইম্ফাল।

ডা. শান্তিবালা দেবী ঃ (১৯৬০-)

এম. এ., পি. ঐচ. ডি. নি। মণিপুরী সাহিত্যদতা নত্তনা থিয়েটরকসু থৱায় য়াওরকই। সঙ্গীত কলা সঙ্গমগী আর্টিষ্টনি। কবি, অঙাংগী সাহিত্যদা খূৎ থারিবীনি। মচীন তুমখৎলকলিবী সমালোচকনি। হায়র সেকেন্দবীগী মণিপুরীগী সেনিয়ার লেকচবরনি। মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটিগী (২০০০-২০০২) জেনেরেল সেক্রেটরি ওইবম্মী। কলচরেল ফোরম মণিপুরগী জোইন্ট সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরি। সাহিত্য অকাদেমী নিউ দিল্লীগী মণিপুরী লেঙ্গোইজ এডভাইজরী বোর্ডকী মেম্বর ওইরি। হৌজিক ফাওবদা *অমুবা মীৎখূম ফি* (২০০৪), *তল তরেং* (২০০৬) অমসুং *থিয়েটর অমসুং সাহিত্যগী ৱারেং খরা* (২০০৬) ফোঙলে। অমুবা মীৎখূমফিদা ডা. খোইরেম

তোমচৌ নীংশিং সনাগী মেডল (২০০৬) পীদুনা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ বিষ্ণুপুরনা ইকায় খুম্নখ্রে।

লৈফম ঃ খুরাই লমলোং বাজার, ইম্ফাল।

ইবোসনা য়ামবেম ঃ (১৯৬১-)


বি. এ. (ওর্নস) এম. এ. নি। য়ুনাইটেড কলেজ চান্দেলগী মণিপুরী বিভাগতা সেনিয়র লেকচরর অমসুং হেড ওইরি। মণিপুরী সাহিত্যগী চেফোঙ কয়াদা নৈনবা ৱারেং কয়া ফোঙই। পোক্লফম পাউচেগী কলম্নিষ্টনি। নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিগী ইজুকেটিভ মেম্বর ওইরম্মী। ৱাখল অমসুং ঈথিল চেফোঙগী ইডিটরশিং ওইরম্মী। মণিপুরী সাহিত্য প্রচার সভাগী জেনেরেল সেক্রেটরি ওইনা থৌ অনীরক পুবম্মী। *প্রচারক সভাগী খোমজিনবা ৱারেং* গী সম্পাদকসু ওই। মণিপুরী সাহিত্যগী সংস্থান কয়াগী লাইফ মেম্বর ওইবতা নত্তনা খূৎশম্নদুনা চৎলি। অথৌবা পব্লিকেসন্সনা 'রাথো এৱার্ড' পীদুনা ইকায় খুম্নখ্রে।

লৈফম ঃ তেন্থা খোংবাল, তেন্থা।

ডা. সগোলসেম লনচেনবা মীতৈ ঃ (১৯৬১-)

এম. এ., পি. ঐচ. ডি. নি। ডি এম. কলেজ ওফ আটর্সকী হিন্দী বিভাগকী সেনিয়ার লেকচররনি। পোষ্ট মোদর্নিজমগী মণিপুবী কবিশিংগী মীরোলনি। শৈরেং, বারীমচা, নৈনবা লাইরিক ইবা মীশকনি। মপূংদা নহা ওইবিবা কবিনি। অনুবদক অমসুং সমালোচকনি। মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটি ইম্ফালগী ফাউণ্ডর মেম্বরনি। সংস্থা অসিগী সভাপতি ওইরম্মী। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী ইজুকেটিভ মেম্বরসু ওইরম্মী। অইবসিগী - *য়েংলু-য়েংলুবদা* কৌবা শৈরেং লাইরিক্তা নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিনা থোকচোম খোগেন্দ্র সিংব নীংশিং সনাগী মেডল (১৯৯৫) পীদুনা ইকায় খুম্নখ্রে। *হিনঙবু হোন্দেদা শৈরেং* লাইরিক্তা সাহিত্য অকাদেমী মনা অমসুং মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা তেলেম আবির শেনগী মনা পীদুনা ইকায় খুম্নখ্রে।

লৈফম ঃ সগোলবন্দ মবুধৌ মন্ত্রী লৈকাই, ইম্ফাল।






























NATIONAL SEMINAR




THE 43RD ANNUAL CONFERENCE
MANIPURI SAHITYA PARISHAD ASSAM
SYMPOSIUM ON LIFE & WORKS





